

মণিপুরী মহাভারত

২য় শুখা খণ্ড

কালাচাঁদ শাস্ত্রী

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চচত্বারিংশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(উমাগা মহেশ্বরগা অনীনা স্বর্গ নরকতা চংননবগী কর্ম তৌনবগী ওাঙনবা মন্তাং)

—:(*):—

DATA ENTERED
By ...

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

শৃণু কল্যাণি তৎ সর্বং যত্তে দেবি মনঃ প্রিয়ম । দক্ষিণস্যাং দিশি শুভে যমস্য সদনং মহৎ ॥
বিচিত্রং রম ণীয়ং চ নানাভাব সমন্বিতম্ । পিতৃভিঃ প্রেতসংঘৈশ্চ যমদূতৈশ্চ সংভৃতম্ ॥
প্রাণিসংঘৈশ্চ বহুভিঃ কর্মবশ্যৈশ্চ পূরিতম । তত্রাস্তে দণ্ডয়ন্ নিত্যং যমো লোকহিতেরতঃ ॥
মায়য়া সততং বেত্তি প্রাণিনাং যচ্ছুভ শুভম্ মায়য়া সংহর স্তত্র প্রাণিসংঘান্ যতস্ততঃ ॥

শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—মঙ্গলগী মশক ওইবী ! পার্বতী ! নংনা হংলিবসে হংগদবমক্কি । নংনা হংলিবসে ঐ, মথং মথং থুম্লকে, তাও । নীংথিজবী ! যমরাজগী যমপুর হায়বসে দক্ষিণদিশা (মখা মায়কৈ) রোমদা লৈ ॥ য়াম্না পাক-চাউরবা অঙকপা ফংনা নীংথিজরবা, মথল মথা অয়াম্বা মওং মতৌগী রাথল অমদি পোৎশকনা থল্লা লৈরব মফম্নি । পিতৃলোক, প্রেত, যমদূতশিংনা থল্লা লৈবা মফমনি ॥ মানা মানা তৌরকপা কর্মশিংদুগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা অবস্থাদা লৈবা প্রাণীশিংদুনা থল্ল লৈরি । লোকহিতগীদমক (মতুং মনা ও তৌদনবগীদমক) যমরাজনা কর্মশিংদুগী মতীক চপ-চপ চাবা দণ্ড (দণ্ড) পীদুনা ৱাবকলি । অমুক লৈবদা মতীক চাত্রবশিং অহবু সংহার তৌই (হাংলে) ॥

তস্য মায়াময়াঃ পাশা ন বেদ্যন্তে সুরাসুরৈঃ। কোহি মানুষ মাত্রস্তু দেবস্য চরিতং মহৎ ॥
এবং সংবসতস্তস্য যমস্য পরিচারকাঃ। গৃহীত্বাসংনয়ন্ত্যেব প্রাণিনঃ ক্ষীণকর্মনঃ ॥
যেন কেনাপদেশেন স্বপ দেশস্তুষ্টবৈঃ। কর্মণা প্রাণিনো লোকে উত্তমা ধম মধ্যমাঃ ॥
সর্বাঙ্গং তান্ সমাদায় নয়ন্তি যমসাদনম। ধার্মিকানুত্তমান্ বিদ্ধি স্বর্গিনস্তে যথামরাঃ।
নৃষ, জন্মলভন্তে যে কর্মনা মধ্যমাঃ স্মৃতাঃ। তির্যঞ্চ নরকান্তগয়ো হ্যধমাস্তে ন রাধমাঃ ॥
পন্থানস্ত্রিবিধাঃ দৃষ্টাঃ সর্বেষাং গতজীবিণাম্। রমনীয়ং নিরাবাধ দুর্দশমিতি নামতঃ ॥

মহাক্কী শাংলবা, মায়াগী থৌরী (পাশ) অমা লৈ। মাহু, লাই-হিংচাবা কনা অমত্তনা মশক খঙদে, উবা ঙমদে। তাইবং মীগীদি করি অমুক হারুনি? যমরাজনা তৌরিবা থবক অসে, মহা অত্তকপনি। মী লাই-হিংচাবা, কনা অমতনা খঙদে। মহাক্কা পুন্থনা চিংথুনা চৎলিবা অতুগী মরম অমদি মও অতুমক যমরাজ মহাক মশামক্কা অতুম মওই *। প্রাণী (জীব মথায় পানবা) হায়বসি মথল অতুমনি। উত্তম প্রাণী, মধ্যম প্রাণী, অধম প্রাণী, হায়থুনা লৈরিবা প্রাণী মথল অসিগী মানা মানা তৌবা উত্তম কর্ম, মধ্যম কর্ম, অধম কর্ম অতুগী মহৈ পীরুগদবগী পুন্থনা যমপুর তাক্লা চৎথি। উত্তম পুরুষ (খ্বাইদগী অহেনবা পুরুষ) হায়বসি করিগুম্বা হীরমদা ধর্ম্ম কায়দনা শুভকর্ম তৌথুনা লৈবা মীথুনি। অসিগুম্বা মীসি ইহলোক স্বর্গলোক অনীমক্কা দেবতাগা (লাইগা) মান্নানা মানমর্য্যাদা অতুম মফংঙি।

---

* টীকা:—হায়রিবা বাসিগী মনুংদা লৈরিবা তত্ত্ব অসি মন্ন কুপ্পা খল্লরবদি, নরক তাবা, স্বর্গ কাবা, যমপুর অসিনচিংবা হায়রিবসি লৈত্রা লৈতবরা—পওতায় হায়জিনবা বারা হায়বত্থ মরাইনা লৈথায় তাগনি ঐনা ঐনা তৌগ্রিবা অক-ফত্ত কর্মশিংথুগী অন্ডবা নিমিত্ত (মরম-হেতু) অতুগা ফল (মহৈ) গী অউবা মওং অত্তুমক যমরাজগী মূর্ত্তিনি। মূর্ত্তি অতুমক উববনিনা যমরাজ হায়বত্থ ঈমীংমক্কা উরে লৈরে। খুদম ওইনা হায়রবদা তুরানবা নত্তবা কর্ম তৌবা মী অমবু, কৈত্তুমশঙগী মপুগী কর্মচারী অমনা ফুথুনা চৈত্থনা চৈতুপ্পা পিন্দুনা কৈশুমশঙ (জেলখানা) তাক্লা পুরবা কর্মচারী অতুমক যমরাজগী অউবা মূর্ত্তি অমনি। খিগংলিবা,' মচীন-মখা কৈরেং তুরেং চিংলিবা মওং অতুমকসু যমগী অমর্দি যমগী দূতগী মওং (ফীরম) নি। অতুনা অউবা লোক অসিদা মতীক চপ চানা দণ্ড (দণ্ডি) ফংগ্রবা অরাবা চৈনা ফংগ্রবা মীত্থ হুযেং যমপুর পন্ডিগী শাসন মথাদা লৈত্থনা অরাবত্থ ফংগুররোই। অসিদা অমমুক শক্কগ্রে। অতুগা অচুম-অরান য়েংদনা শেঙ্গা-থুমজানা দণ্ডি পীথিত্রবদি বিচারপতি, বাদী, বিবাদী, রাপ্পুবিবা, মীনম্বা সাক্ষী সাপৎ পুম্বত্থ খ্বাইদগী অথোইবা বিচারশঙ (যমপুর) অসদা অমুক দণ্ডি (সাজায়) ফংগনি। প্রাজ্ঞ উরিদসিনি। অতুনা ইহলোক পরলোক অনীমক্কা যমরাজ লৈ॥ (কালাচাঁদ)

রমনীয় তু যন্মার্গং পতাকাধ্বজসঙ্কুলম। ধূপিতং সিক্তসম্মৃষ্টং পুষ্পমালাভিসঙ্কুলম্ ॥
মনোহরং সুখস্পর্শং গন্ধিতামেবতৎ ভবেৎ। নিরাবাধং যথা লোকং সুপ্রশস্তং কৃতং ভবেৎ
তৃতীয়ং যৎ তু দুর্দর্শং দুর্গন্ধি তমস ধৃতম্। পরুষং শর্করা কীর্ণং শ্বদংষ্ট্রাবহুলং ভৃশম ॥
কৃমিকীটস মাকীর্ণং ভজতামতিদুর্গমম। মার্গৈরেবং ত্রিভির্নিত্যমুত্তমাধম মধ্যমান্ ॥
সংনয়ন্তি যথা কালে তন্মে শৃণু শুচিস্মিতে। উত্তমানন্তকালেতু যমধূতাঃ সুসংবৃতাঃ।
নয়ন্তি সুখ মাদায় রমনীয় পথেনবৈ ॥
মধ্যমান্ যোধবে ষেণ মধ্যমেন পথা তথা ॥
চাণ্ডাল বেষাস্ত্বধমান্ গৃহীত্বা ভৎস তর্জনৈঃ। আকর্ষন্তস্তথা পাশৈস্তু দর্শেন নয়ন্তি তান্
ত্রিবিধানেবমাদায় নয়ন্তি যমসাদনম ॥

অগ্গা মহাক্লা তৌজখিবা কর্মস্তুগী মতুংইন্না তাইবং মীগী হকচাং মওংদা চঙঙকলিবা জীব (পুরুষ) অসিনা মধ্যম পুরুষনি। শা উচেক্কী অমদি লৌখৎপা যাত্রবা তাইবং মীগী দেহাকৃতি (হকচাংগী মওং) দা চঙলক্লবা জীব (পুরুষ) অসি অধম পুরুষ হায়বা জীব অহুনি। অসিদগী অমুক আ কদায় ফাওবা অধমাধম (অধমদগীসু অধম) ইবা হকচাং মওং কয়া কয়াদা চঙখ্রিবা জীব কয়া কয়া লৈখ্রি ॥ অহুনা অস্থম পু পুমনা চংখিব অদু-না মর্ত্ত্যলোক (মৃত্যুলোক-মৃত্যালোক) অসিদা লৈরিবা পুরুষ মখল অনী (মধ্যম অধম) অসি থুংলরি। অদুনা মর্ত্ত্যলোক অসিদা স্বর্গ নরক অনীমক লৈবে হায়বসু য়াই। ইহলোকত হকচাং থাদোক্লুনা চৎখ্রবা জীবনা চৎখিগদবা লম্বী অসি অহুমনি। অমনা রমনীয় মার্গনি, অমনা নিরাবাধ মার্গনি অহুমশুবনা দুর্দর্শ মার্গ কৌই। রমণীয় হায়রিবা নীংথিজরবা লম্বী অহুদি ফজ কজরবা ফিবাঙ অচৌবা মচান মচু মচুগী লেপরেং পরেং রেংনা লম্বী কাওপ্পা লৈতে লবনি। অহুগী মক্তা অমুকসু, নী থিনা বাহ শীত্তোক্লুনা, ঈশিং থীক্লুনা উফুল মরীক অমত্ত হোৎহন্দবনি। মনম সুংশিরবা ধূপ দা চৈনগী পরেং পরেংনা লৈতেংলবা লম্বীনি লম্বী থক্কুদা চৎপাশিংগী মখোঙদা অমদি হকচাং কায়াৎ পুম্বদা সুংঙাওবা পোকহনবা লম্বীনি। চৎপদা য়ৈথায় থিনগাইবা করিমত্ত লৈত্রবা লম্বীনি। অসিগুম্বা অথোহবা মখলগী লম্বী অহুদা করিগুম্বা য়ৈথায় থিনগায়বা অমত্ত লৈত্রবনি। অহুগা অহুমশুবা লম্বী মখল অমনা, হীরম পুম্বদা অবাব নু ঙাইতবা ঙাক্ক পীবনা দুর্দর্শ মার্গ হায়না অহুম খঙনরবনি। নমথিরবা মনমনা থল্লবা, অমস্বনা কুপ্লবা লম্বীনি। নুংজ্রেং চেগাইনা, তিংথংনা থল্লবা লম্বীনি লম্বী অহুদা চুঈ, লমহুইনচিংবা হিংসা তৌবা শা উচেক্লা কোয়চৎ চত্তুনা লৈ। তীল কাঙনা পীক পীক থল্লা লৈ। পাক চৎপা ঙমদবা, ওস্থোক্লা শাখিরবা লম্বীনি মীনোক ফজবী পার্বতী। অসিগুম্বা মখল অহুমগী লম্বীশিংসি অধম হবা মীশক (পুরুষ) অহুমগী তোঙাল তোঙানবা লম্বীনি। হায়রিবা লম্বী অমসিদা মীশক (পুরুষ) অহুমহুবু করম হায়না পুহুনা চৎপগে হায়বহু ঐ হায়গে তাপ।

ধর্মাসনগতং দক্ষং ভ্রাজমানং স্বতেজসা। লোক পালং সভাধ্যক্ষং তথৈব পরিষৎগতম ॥
দর্শয়ন্তি মহাভাগে যামিকাস্তং নিবেদ্যতে। পূজয়ন্ দণ্ডয়ন্ কাংশ্চৎ তেষাং শৃন্বন্ শুভাশুভম্।
ব্যাপৃতো বহুসাহস্রৈস্তত্রাস্তে সততং যমঃ ॥
গতানাং তু যমস্তেষামুত্তমানভিপূজয়েৎ। অভিসংগৃহ্য বিধিবৎ পৃষ্ট্বা স্বাগতকৌশলম্ ॥
প্রবৃত্ত্যা তং কৃতং তেষাংলোকং সংদিশতেযমঃ। যমেনৈবমনুজ্ঞাতা যান্তি পশ্চাৎ ত্রিবিষ্টাপম্ ॥
মধম্যানাং যমস্তেষাং শ্রুত্বা কর্ম যথাতথম। জায়ন্তাং মানুষেষ্বেব ইতি সংদিশতে চ তান্ ॥
অধমান্ পাশসংযুক্তান্ যমোনাবেক্ষতে গতান্। যমস্য পুরুষা ঘোরাশ্চাণ্ডাল সমদর্শনাঃ ॥
যাতনাঃ প্রাপয়ন্তোত্তাল্লোকপালস্য শাসনাৎ ॥
ভিন্দন্তশ্চ তুদন্তশ্চ প্রকর্ষন্তো যতস্ততঃ। ক্রোশন্তঃ পাতয়ন্ত্যেতান্ মিথো গর্ত্তেষবাঙমুখান্ ॥

উত্তম পুরুষপু, পুত্থনা উত্তম মার্গদা চংলিবা যমদূত মখোয় মশামক, কজরবা ফিজেৎ লৈজেংনা মশাদা কুপ্লবা ঙাক্তনি মখোয়না উত্তম পুরুষশিংচুবু য়ায় হরাউনা তৌগিনা যমরাজগী সভা তম্লা পুত্থনা চংলি ॥ মধ্যম পুরুষবু মধ্যম মার্গদা পুত্থনা চংলিবা যমদূতশিং অত্থু শা লায় চিংবগী পাঙ তানচিংবগা লোয়ননা ফিজেৎ শেং চায। অধম মার্গদা অধম পুরুষবু পুত্থনা চংলিবা যমদূতশিং অত্থুদি মশক থীয়বা, মমীৎ ময়া খীখৎপা, শাখিরগা ফিজেৎ শেংপা মক্তনি। যমপাশ (যমগী থৌরী) না অধমপুরুষশিংচুবু পুন্দুনা ফু চৈত্থনা ঈন্দুনা যমরাজগী নাক তায় পুত্থনা চংলি। মতৌ অসুম্না তেণ্ডাল তোণ্ডানবা মওংগী লপ্পীদা, তেণ্ডাল তেণ্ডানবা মীশকশিংসবু তোণ্ডাল তোণ্ডানবা মওংগী যমদূতশিংনা যমরাজগী নাক তায় পুই। যমরাজগী ধর্ম সভা অত্থুদা লোকপাল যমরাজ আস মাগী মশেক মঙালগী লোয়ননা সভা ময়ায়থুদা নীংথিজরবা তাংবলশক্তা ঙাস্তোইনা লৈ। যমদূতশিংনা মখোয় মখোয়না পুরক্লিবা উত্তম-মধ্যম-অধম পুরুষশিংচুগী অমমমত ওইনা পরিচয় পীরগা যমরাজগী নাক তায় পুশিল্লি ॥ সভাপতি ওইনা কল্লিবা যমরাজগী অকোয়বদা সদস্যশিংসু মাগী মাগী যমগী মতীক চার চারবা তা বল অমমমদা ফমথুনা লৈ। মখোয় খুাইগী ময়ায়দা ঙাস্তোইরিবা ধর্মরাজ যমনা দূতশিংগী মচৌন্দগী হায়দোরক্লিবা বাশিং অত্থু তারগা মখোয়না পুরক্লিবা জীবশিংচুগী মতীক চানা চানা দণ্ড পীথুনা মানা মানা লৈগদোবা মফমশিংচু তাক্লি ॥ যমলোক তম চংগ্রবা জীবশিং অসগী মমুংদা উত্তম ওইবা পুরুষ (জীব) শিং অত্থুবুদি যমরাজনা য়ায় মুংশিনা তরায়া স্বাগত তৌথুনা যমরাজমক্তা মখোয়গী সেবা পূজা তৌই ॥ মখোয়না মর্ত্যালোকতা তৌরকপা শুভশিংচুবু শীংথানথুনা মখোয় মখোয়না লৈরুগদবা পুণ্যলোকশিংচু তাক তাক্নুনা চংহনখি য়ৌহনখি। অসুম্না যমরাজনা পীরকপা য়াথংচুগী মতুংইন্না উত্তম পুরুষশিংচুনা স্বর্গলোকতা মুংঙাই মুংঙাইরবা মফম (ধাম) দা লৈনখি ॥ মধ্যম পুরুষশিংবুনা স্বর্গগী মুংঙাইবচু তৌরক তৌরকপা কর্মশিংচুগী মাত্রাগী মতুংইন্না ফংহল্লগা স্বর্গলোকতগী অমুক মর্ত্যালোকতা হলহল্লকই (পোকহল্লকই) ॥

সংযামিন্যঃ শিলাশৈস্যাং পতন্তি শিরসি প্রিয়ে। অধোমুখাঃ কঙ্কবলা ভক্ষয়ন্তি সুদারুণাঃ ॥
অসিপত্রবনে ঘোরে চারয়ন্তি তথাপরান্। তীক্ষ্ণদংষ্ট্রাস্তথাশ্বানঃ কাংশ্চিৎ তত্র হরন্তি বৈ ॥
তত্র বৈতরণী নাম নদীগ্রাহসমাকুলা। দুষ্প্রবেশাশ্চ ঘোরাচ মূত্রশোণিতবাহিনী ॥
তস্যাং সন্ময়জ্জন্তোতে তৃষিতান্ পায়য়ন্তিতান্। আরোপয়ন্তি বৈ কাংশ্চিৎ তত্রকন্টকশল্মলীম্ ॥
যন্ত্রচক্রেষু তিলবৎ পীড্যন্তে তত্র কেচন। অঙ্গারেষু চ দহ্যন্তে তথা তুষ ভকারিণঃ ॥
কুম্ভীপাকেষু পচ্যন্তে পচ্যন্তে সিকতাসুবৈ। পাট্যন্তে তরুচ্ছেদৈঃ পাপিনঃ ক্রকচাদিভিঃ ॥
ভিদ্যন্তে ভাগশঃ শূলৈস্তুদ্যন্তে সূক্ষ্মসূচিভিঃ। এবং ত্বয়া কৃতো দোষস্তদর্থং দণ্ডনংত্বিতি ॥
বাচৈব ঘোষয়ন্তিস্ম দণ্ডমানাঃ সমন্ততঃ ॥

যমদূতশিংনা ফাহুনা পুন্দনা পুরক্লিবা অথন ওইবা পুরুষশিংহুবু দি কৌবিবদি লায়রদনা হুরমক্তা য়েংবিদে। নযা কায়ংকপাং, পেংপা, মর্মাং ঈ কারবা, আকবগী মশক ফংলবা যমদূতশিং অহুনা মখোয়বু শ্রো শ্রা চিংদুনা, পংশো পায়বা মকমশিংহুদা পুন্থনা চংখি ॥ দূতশিংহুনা নরাধম (অধম পুরুষ) শিংহুবু য়োংচ্ছুক চৈংদুনা পান্দুনা, মশাদা থাঙ্ওমদবা চৈনা পী পীহুনা পুখি। নুংক্রেং চেগাই তিংথংনা থল্লবা লম্বীদা শ্রো শ্রো লাক্নুনা চিংহুনা পুই। অসুম্মা চিং চিংহুনা পুথ্রগা নরককী কোম-শি হুদা মমৈ মকোক যুনা লাংদখ। চাংথোংবা। পার্বতা। ওহুমনা থাদগ্রগা, মথক্তা সংযামিনীগী নুংদুম নুপাকশিংহু থম্মক কাইঁ মচান যাচৈ পাল্লবা কাক লাঙজাশংনা পাইশিন্দুনা মখোয়গী মশাহুবু হেক্তুনা কক্তুনা চায়। কপ্রবা যাং অধম পুরুষ (জীব) থরবুনা মখোয়না তৌখিব পাপ কম হুগী মতুং ইন্না, যমদূতশিং ওংথংদুনা (ঊংগমনা অমমনা থাঙ শমুরগী মতৌওম্মা থোবা উপাহীনা থল্লবা নংদীদা বোয়প্ পুহুন চংহল্লি থরবুনা ময়া চৌরবা থৌরবা হুইথৌ থাজিন থাজিন্দুনা চীকহল্লি। হায়রবা যংলেক (যমপুর) অংগাদা বৈতরনী কৌবা তুরেল অম লৈ। তুরেল অদুদা ঈ-নাইতনা ঈশিং লইনা চোল্লি মংগী মনুংদা (ঈনুংদা) ঙা কিহোম কুম্ভীরনচিংবা আকবগী মশক ফংলবা ঈশিংগী জীবশিংনা থল্লা লৈ। তুরেল অহু লান্দুনা চংপদি লায়রদনা মনাক তোর্ব্বান্দা চঙশিল্লুবা ফাওবা পাক ওমদবনি। পাপী থরবুনা থাউ শুমবা কোল্লুদা থোয়াদং মরুশিংবু চপথায়ব-হুওম্মা কোল্লুদা চপথায়হুনা মহী বরোরো চলহাল্লি। থরবুনা চাল্লবা মৈতাল মরক্তা লংশিল্লি। থরবুনা থাউ থল্লা হাল্লবা, থাংদা মৈথক্তা হাপ্তুনা ভৌই মুলহাল্লি। থরবুনা কবোক পোকপওম শারবা লৈওোয়থক্তা থরো থরো লহন্দুনা কাহাল্লি। থরবুনা ঙা শেম্নবা কাবাকত ছীথহন্দুনা লেল্লি ॥ পাপী কনা কনাগুম্বুনা থৌরব ভানা থিন থিন্দুনা মশাহু মচেৎ মচেৎ তাহল্লি। কনা কনাগুম্বুনা মচিন হুম্নবা য়েক্তুমনা থিন থিন্দুনা থাঙওমদবা চৈনা পীরি। দাণ্ড (দণ্ড) পীরিবা দূতশিং, অহুনা, পাপীশিংদা তৌখি তৌখিব পাপকর্মশিং অহু হায়দোক হায়দোকপিহুনা অবাবা চৈনাহু হেক হেক পী ॥

এবং তে যাতনাং প্রাপ্য শরীরৈর্যাতনাশয়ৈঃ। প্রসহন্তশ্চ তৎ দুঃখং স্মরন্তঃ স্বাপরাধজম্ ॥
ক্রোশন্তশ্চ রুদন্তশ্চ ন মুচ্যন্তে কথং চন। স্মরন্তস্তত্র তপ্যন্তে পাপমাত্মকৃতং ভৃশম্ ॥
এবং বহুবিধা দণ্ডা ভুজ্যন্তে পাপকারিভিঃ। যাতনাভিশ্চ পচ্যন্তে নরকেষু পুনঃ পুনঃ ॥
অপরে যাতনা ভুক্ত্বা মুচ্যন্তে তত্র কিল্বিষাৎ ॥
পাপদোষক্ষয়করা যাতনাসংস্মৃতা নৃণাম। বহু তপ্তং যথা লোহমমলং তৎ তথাভবেৎ ॥

উমোবাচ

ভগবংস্তে কথং তত্র দণ্ড্যন্তে নরকেষু বৈ। কতি তে নরকাঘোরাঃ কীদৃশাস্তে মহেশ্বর।

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

শৃণু ভামিনি তৎ সর্ব পঞ্চৈতে নরকাঃ স্মৃতাঃ। ভূমেরধস্তাৎ বিহিতা ঘোরা দুষ্কৃতকর্মণাম ॥
প্রথমং রৌরবংনাম শতযোজনমায়তম। তাংবৎ প্রমাণবিস্তীর্ণং তামসং পাপপীড়িতম ॥
ভৃশং দুর্গন্ধি পরুষং কৃমিভির্দারুণৈর্যুতম্ অতিঘোর মনির্দেশ্যং প্রাতিকূলং ততস্ততঃ ॥

অসুম হায়না অরাবা চৈনাশিংদু থাওঙমদবা পাপীশিংদুনা মানা মানা তৌথিবা কর্মশিংদু নীংশিং নীংশিংলক্তুনা মচীল মথা ফৈরেং তুরেং চিংনা লাউ-খোংলি তেংপা-নাংইনা কপ্পকর্ল অদুবু মখোয়না কপচৈ লাউজে হায়দু মঙায়, মখোয়না অরাবা দণ্ড পীবিরিবদুদি ঈথা থাদোক্তে। মানা মানা তৌথিবা পাপশিং অদু নীংশিং নীংশিংনা হীক হীক কপ্প য়াওরি॥ তো, মতৌ অসুম্না পাপীশিংসিনা হয়েং শিরগা নরকতা অরাবা চৈনাখোল ফংঙুথিগদবা ওাত্তান। মখোয়গী মশাদো মৈদা ঈশিংদা থাদ থাদদুনা মুলহল্লুখিনি। য়োংগী মিশি চঙলবা য়োংপু মৈদা ঈল্লগা তশেংবা য়োং ওইরকপদুগুম্না পাপীশিংগী পাপশিংদু মৈনচিংবদা ঈল্লগা শেংদোকাপবনি॥ উমানা হায়ঃ—ভগবন্! মহেশ্বর! পাপীশিংবু নরকতা থাদৈ হায়রবসে নরকশিং অসি মখল কয়া ওই? নরক খুদিংগী পীবা দণ্ড (দণ্ড) মপী অসি মওং মওং করি করিনো? মহেশ্বরনা হায় :—ঈবেম্মা! পার্বতী! নংনা হংলিবসে মথং মথং হায়গে, মুম্না তাও। পাপীশিংদা দণ্ড (দণ্ড) পীনবা মফম (নরক) অসে, মঙানি॥ ঈহান হান্বা মখলগী নরকপু রৌরব কৌই। মরাক ময়ুংদা য়ুধক চার্মনি। মন্নুংদু পুম্নম মশি। মথা তানীং লৈতনা পাপ কর্ম তৌববা, পুম্নম মল্লবা জীবশিংনা বারকফম্নি। অকিবগী মশক ওইরবা থাঙ তানচিংবা খুলায়না থল্ল লৈরবনি॥ এস্মোদ্দা নমথিরবা মনমনা থল্লবা রৌরব কৌবা নরককী কোমনি। চীকপদা খুদক্ত থরায় থানীংঙাই ওইরবা বিচ্ছুনা তীল কাঙনা থল্ল লৈবনি। চীম্না হায়দোকপা তম্বদা পাক ওমদ্রবা অরাবা অকিবনা থল্লবা নরক কুণ্ডনি॥

তে চিরং তত্র তিষ্ঠন্তি ন তত্র শয়নাসনে। কৃমিভি র্ভক্ষ্যমানাশ্চ বিষ্ঠাগন্ধ সমায়ুতাঃ॥
এবং প্রমাণ মুদ্বিগ্না যাবৎ তিষ্ঠন্তি তত্র তে। যাতনাভ্যো দশগুণং নরকে দুঃখমিষ্যতে॥
তত্র চাত্যন্তিকং দুঃখমিষ্যতে চ শুভেক্ষণে। ক্রোশন্তশ্চরুদন্তশ্চ বেদনাস্তত্র ভুঞ্জতে॥
ভ্রমন্তি দুঃখমোক্ষার্থং ত্রাতাকশ্চন্নবিদ্যতে। দুঃখস্যান্তরমাত্রং তু জ্ঞানংবা ন চলভ্যতে॥
মহারৌরবসংজ্ঞংতু দ্বিতীয়ং নরকংপ্রিয়ে। তস্মাৎ দ্বিগুণিতং বিদ্ধি মানে দুঃখেচ রৌরবাৎ॥
তৃতীয়ং নরকং তত্র কণ্টকাবনসংজ্ঞিতম্। ততোদ্বিগুণিতং তচ্চ পূর্ব্বাভ্যাং দুঃ খমানয়োঃ॥
মহাপাতক সংযুক্তা ঘোরাস্তস্মিন্ বিশন্তিহি॥
অগ্নিকুণ্ডমিতি খ্যাতং চতুর্থং নরকং প্রিয়ে। এতৎ দ্বিগুণিতং তস্মাৎ যথানিষ্ঠ সুখং তথা॥
ততোদুঃখাহ সুমহদমানুষমতি স্মৃতম।
ভূঞ্জতে তত্র তত্রৈব দুঃখং দুষ্কৃত কারিণঃ॥
পঞ্চকষ্টমিতি খ্যাতং নরকং পঞ্চমং প্রিয়ে।
তত্র দুঃখমনির্দেশ্যং মহাঘোরং যথাতথম॥

হায়রিবা পাপীশিং অসে, নরককী কুণ্ড (কোম) দা মতম কুইনা তাদুনা সৈ। মকম অদুদা মথোয়গী তুক্কম হীপফম ঙাক্কম করিমত লৈতে। থী-য়ুংগী মনমনা মশাদু পুমথল থনখিদুনা থী-য়ুং চাবা তীল-কাঙনা মথোয়গী মশা হকচাংশিংদুদা ককথত্তুনা চারি॥ অসিগুম্বা পাক-চাউরবা নরকতা, চুম্নগী অতৈ অতৈ অরাবদগী শক্নক চাম চামা হেন্না অরাবা অমদি চৈনা কংদুনা পাপীশিংনা তাদুনা লৈরি॥ ঈবেম্মা! পার্বতী! পাপীশিংদুনা লাউ খোংদুনা, অরাবা চৈনা থাঙবা ঙমদদুনা ঙস্থোইদুনা লৈরিবনি॥ অরাবা থুদোংথীবদুদগী লাস্থোক্নবা কোয়চেল অমদগী অমদা য়েংবসু আশ্রয় লৌফম পোথাফম করিমত্ত থিব ফংদে। মথোয়না ফংলিবা চৈনা অমদি অরাবদু মাত্রা মরীক অম ফাংবা হন্দে। অদুগা ঙহাক্ত পোথানবা হোৎনবগী জ্ঞান অদু ফাংবো মরীক অমত্ত লৈত্রে॥ চান্নখোইবী! পার্বতী! অসি নত্তবা মহারৌরবা হায়বা নরক অমগা লৈরি। মাদুগী পাক-চাঙবা, মরাক ময়ুংদি রৌরবগীদগী দ্বিগুণনি। শক্নক অনী হেল্লি॥ অসি নত্তবা কণ্টকাবন কৌবা অহুমশুবা নরক অমসু লৈরি। মাদুগী মরাক ময়ুংদি হান্ন হায়রিবা নরক অনীগীদগী অমুক দ্বিগুণনি। মাদুদা, মহাপাপী পাতকশিংদুনা তাদুনা লৈরি॥ চান্নখোইবী! হায়রিবা অহুমসি নত্তবা, অগ্নিকুণ্ড কৌবা মরিশুবা নরককুণ্ড অমসু লৈরি। মাদুগী মরাক ময়ুংদি মথক্ত হায়রিবা অহুমগীদুদগী দ্বিগুণনি। মফমদুদা তাইবং মীনা ফংফম থোকত্রবা হায়নীংঙাই লৈত্রবা থুদোংথীবদু মহাপাপী মহাপাতকশিংদুনা ফংদুনা লৈরি॥ চান্নবী! হায়রিবশিংসি নত্তবা পঞ্চকষ্ট কৌবা মঙাশুবা নরক অমগা লৈরি। অদুদা লৈরিবা অরাবা থুদোংথীবশিং দুনা চীনমক্না হায়দোকপা বর্ণন তৌবা ঙমদে॥

পঞ্চেন্দ্রিয়ৈরসহ্যত্বাৎ পঞ্চকষ্টমিতিস্মৃতম্। ভুঞ্জতে তত্র তত্রৈবং দুঃখং দুষ্কৃতকারিণঃ ॥
অমানুষাহ্যং দুঃখং মহাভূতৈশ্চভুজ্যতে। অতিঘোরং চিরং কৃত্বা মহাভূতানি যান্তিতম্ ॥
পঞ্চকষ্টেনহি সমং নাস্তি দুঃখং তথা পরম্। দুঃখস্থানমিতি প্রাহুঃ পঞ্চকষ্টমিতিপ্রিয়ে।
এবং তেতেষু তিষ্ঠন্তি প্রাণিনো দুঃখভাগিনঃ। অন্যে চ নরকাঃ সন্ত্যবীচিপ্রমুখাঃ প্রিয়ে ॥
ক্রোশন্তশ্চ রুদন্তশ্চ বেদনার্ত্ত ভৃশাতুরাঃ। কেচিৎ ভ্রমন্তশ্চেষ্টন্তে কেচিৎ ধাবন্তি চাতুরাঃ ॥
আধাবন্তো নিবার্য্যন্তে শূলহস্তৈর্যতস্ততঃ। ক্ষুধাদিতাস্তৃষাযুক্তাঃ প্রাণিনঃ পাপকারিণঃ ॥
যাবৎ পূর্বকৃতং তাবন্ন মুচ্যন্তে কথংচন। কৃমিভির্ভক্ষ্যমাণাশ্চ বেদনার্তাস্তৃষান্বিতাঃ ॥

ইন্দ্রিয় মঙামক্না থাঙবা ঙমদবা অৱাবনা থম্ন লৈবদগী নরক অদুগী মমিং পঞ্চকষ্ট কৌই। হায়নীংঙাই লৈতনা শাথিব কর্ম তৌরকপা জীবশিংগী দণ্ডি (দণ্ড) ফংফমনি ॥ মফম অদুদা চাউৱ চাউরবা জীব কয়া কয়া, মতম কুইনা হায়নীংঙায় লৈত্রবা তাইবং মীমক্না ফংফম থোকত্রবা অৱাবা চৈনাহ্ ফংদুনা লৈরি। মহাভূত প্রেত কয়া কয়ানা মহাপাপীশিংদুগী মতুং কোয়িন ইম্মরি ॥ চান্নবী! পার্বতী! পঞ্চকষ্ট কৌবা নরক অসিদগী হেনবা অৱাবা খুদোংথীব মফম অমত লৈত্রে। অদুনা, অৱাবা মথল মথল পুম্নমক্কী লৈফমদি পঞ্চকষ্ট হায়বসিনি হায়নৈ। অদুনা, নরকশিং অসে পাপীশিংগী পাপ কর্মগী দণ্ড (দণ্ডি) ফংফম ওাক্তনি। অসিত নত্তনা, অবীচনচিংবা নরক জাং অতৈ অতৈ য়াম্না লৈত্রি ॥ অৱাবা চৈনা থাঙবা ঙমত্রবা পাপীশিংনা, মানা মানা তৌবা কর্মগী মহৈনা লাউ-থোংদুনা লৈরিবা মফম ওাক্তনি। পাপী থরনা অমদগী অমদা কোয়রাউ লাউদুনা চেল্লি। খরনা চক্রদোনা, চেনবা ঙমদনা কোয়রৈ লৈদুনা লৈরি। থরনা লৈমায়থক্ত চংল-তুরা তৌদুনা থরো থরো ওন্দুনা লৈবা য়াওরি * ॥ কোয়চেল চেল্লিবা পাপীশিং অদুবু, মথুত্তা থাঙ-তা পায়বা, য়োচ্ছক পায়বা যমদূতশিংনা কোয়থং থন্দুনা ফুরি নৈহংলি ॥ থরনা ওম্বোক ওম্বোকপা লায়না ফংদুনা অরাম-থোরাংবগী মৈচাক থাঙদুনা লৈরি ॥ মহাক মহাক্না তৌরকপা কর্মদুগী মহৈ চাবা (ফংবা) লৌত্রিবমথৈ, হায়রিবা অরাবশিংসিদগী কনা অমতনা নাম্বোকপা নাম্বোকহনবা ঙমদে। মথাশিংদু তীল-কাঙনা চীকথত্তুনা দরো মালো ওন্দুনা থাঙলি ॥

---

* টীকা:—হায়রিবা যমপুরগী নরকক্কী অৱাবশিংসে পঙহায় হায়জিনবা নত্তে। মীংনা প্রত্যক্ষ ওইনা উনরিবসিনি। হায়রিবা অৱাবা জাং জাং অসি হৌজিক হৌজিক মাঙমক্তদা জীবশিংনা ফংনরিবা উঠিরবসিনি। দেহ তোঙাল তোঙানবা দেহদা জীব থরনা থী-মুং মরক্ত ওল্লে। থরবুনা মথক্তা তোংলিবা থৌরিবা তাইবং মীনা শাজে থাদুনা মৈ-ঈশিং থঙদনা মফম পুম্বদা মনঙন্দা লুম্নবা পোংয়োম থোংগৎ-পিদুনা লাক্করি। মুংঙাইবা জীব থরনা, অফবা কর্ম তৌরকপনা সনাগী মোন্দুম মোম্তেক মথক্তা য়াওন য়াতাদুনা লৈরি। অদুনা স্বর্গ নরক অনীমক মফম অসিদা অসুম্মক লৈ। (কালাচাঁদ)

সংস্মরন্তঃ স্বকং পাপং কৃতমাত্মাপরাধজম্ ।
শোচন্তস্তত্র তিষ্ঠন্তি যাবৎ পাপক্ষয়ং প্রিয়ে ॥
এবং ভুক্ত্বা তু নরকং মুচ্যন্তে পাপসংক্ষয়াৎ ॥

উমোবাচ

ভগবন্ কতিকালং তে তিষ্ঠন্তিনরকেষু বৈ ।
এতৎ বেদিতুমিচ্ছামি তন্মে ব্রূহিমহেশ্বর ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

শতবর্ষ সহস্রাণামদিং কৃত্বাহিজন্তবঃ ।
তিষ্ঠন্তি নরকাবাসাঃ প্রলয়ান্ত মিতিস্থিতিঃ ॥

উমোবাচ

ভগবংস্তেষু কে তত্র তিষ্ঠন্তীতি বদপ্রভো ॥

চান্নবী । পার্বতী । পাপদোষশিং অসু হেক কোকত্রিমখৈ, মশা মশানা তৌথিরশিংহু নীংশিং-লক্ত্না, অরাবা দণ্ড (দণ্ডি) শিং অহু খাঙহুনা লৈরিবানি । অসুম্না অরাব দণ্ডশিংহুনা প্রায়শ্চিত্ত ওইহুনা পাপীশিংহু পাপতগী নাস্থোকপা ফংঙি ॥ উমানা হাংঙি ভগবন্ ! পাপীশিংসিনা নরক তাহুনা অরাবা খাঙহুনা লৈবসি চহী মতম কয়া কুইনা লৈবগে, মাহু খঙজনীংঙি ॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায় :— চহী লাখ (লখা) কয়া কয়াগী মতুংদা লাকপা মহাপ্রলয় অমুমুক লাকত্রিফাওবা অরাবাস খাঙহুনা লৈ । মাস, শাস্ত্রনা নিয়ম তৌহুনা লেপ্লব্রবনি * ॥ উমানা হায় :—ভগবন্ ! দেবদেব ! করম করম্বা মওংগী নরককী অরাববু ফংহুনা লৈবগে । মাস ঐ খঙজনীংঙি ॥

---

* টীকা :—হায়ারবাসগী মমুংগী ভাবাত :—হুই-লমহুহগী দেহদা চঙহুনা লৈরিবা জীব (জীবাত্মা) শিংসিনা হুই-লমহুইগী হয়া পোক্ত্না লৈগদবসি মহাপ্রলয় অম লাক্ত্না অনৌবা জগৎ অম শেম্মকাত্র ফাওবনি । হায়বদি হুইগী গর্ভদা চঙহুনা লৈরিবা জীবসিনা হুইগী দেহদা চঙহুনা হুই ওইনা অহুম পোকথিনি । হুইগী গর্ভদগী তাইবং মী ওইনা অমত পোকপা য়ারোই অহুনা অনৌবা ঈতোপ তোপ্পা সৃষ্টি অমা লাকাত্র ফাওবদি জীবশিংসিনা তোঙাল তোঙানবা হকচাংদা পোকপগা শিবগা তৌহুনা লৈগ দৌরিবসি মহাপ্রলয় অম লাকত্রিবফাওবনি । অহুনা. তাইবং মীগী হকচাং মওংদা চঙকলিবা জীবসে য়ায়া মরায়বক করবনি । মাসিদগী অমুক নাস্থোকহনবা য়াত্রে ॥ (কালাচাঁদ)

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

রৌরবে শতসাহস্রং বর্ষাণামিতি সংস্থিতিঃ। মানুষত্বাকৃতত্বাশ্চতথৈবানৃতবাদিনঃ॥
দ্বিতীযে দ্বিগুণ কালং পচ্যন্তে তাদৃশানরাঃ। মহাপাতকযুক্তাস্তু তৃতীয়ে দুঃখমাপ্নুয়ুঃ॥
চতুর্থে ' রিতপ্যন্তে যাবৎ যুগবিপর্যয়ঃ
সহস্তত্তাদৃশং ঘোরং পঙ্ককষ্টে তু যাদৃশম তত্রাস্তু চিরদুঃখস্তু হ্যধোগস্থান্ বিদ্ধি মানুষান্॥
এবং তে নরকান্ ভুক্ত্বা তত্র ক্ষপিতকল্মষাঃ নরকেভ্যো বিমুক্তাশ্চ জায়ন্তে কৃমিজাতিষু॥
উদ্ভেদজেষু তৎ ভুক্ত্বা কচিদ নাপি ক্ষীনকল্মষাং। পুনরেব প্রজাযন্তে মৃগপক্ষিষু শোভনে॥
মৃগ পক্ষিস, তৎ ভুক্ত্বা লভন্তে মানুষং পদম॥

উমোবাচ

নানাজাতিষ, কেনৈব জায়ন্তে পাপকারিণঃ॥

শ্রীমহেশ্বরনা হায় :— রৌরব কৌবা নরকতা তারবশিংনা মফম অহুদা অৱা অনা থাগুহুনা লৈগদবা মতমসি চহী লথা (লাক্ষ) অমনি হায়রিবা রৌরব হাযবসিদা লাকদবাদ মীহাৎপা, বিশ্বাসঘাত্ত তৌবা, অসত্যবাদী (চুমদবা ওাঙবা) মথোয় অসিনি *॥ মহারৌরব কৌবা নরকতা লাকপশিংগীনা রৌরবদা লাকপশিংদগী শক্কক অনী হেল্লি কণ্টকাবনদা লাকপশিংগীনা অমুক শক্কক অহুমনি। হায়রিবা কণ্টকাবন কৌরবা নরক অসিদা তারবশিংদু মহাপাতকীমক্তনি। ওাথৈ লৈত্রবা অৱা অনাবু থাগুহুনা লৈ॥ মরিশুবা নরক অসিদা তারিবশি হুদি মহাপ্রলয অম লাকত্রিফাওবা অরাবহু ফংহুনা লৈগনি॥ পঙ্ককষ্ট কৌবা নরকসিদা তারবশিংহুনা ফংলিবা অৱাবহুদগী অমুক হেনজিনখিবা অৱাবশিংহুদি তাইবং মীগা মরম লৈনব অতৈ অতৈনা ফংগদবা নরকমক্তন। মতৌ অসুম্না তাইবং মীগী হকচাংদা লৈরম্বা জীব (জীবাত্মা) না নরক মথল মথলগ অৱাবশিংহু লাম্হোক্লবা (কোক্লবা) তুংদা তীল কাওনচিংবগী হকচাংদা চত্তহনা পোকলৈ॥ নীংথিজবী। পার্বতী। যাম্ন হুম্নত্রবা জীব (জীবাত্মা) না হৈপাল লৈপাল ঈ-ব্রানচিংবগী হকচাংদা চত্তহুনা, কায়চং চংপা, কোয়পাই পাইবা ওমদবা (স্থাবর) গী মওংদা চও চওহনা পোক্লরিবসিনি॥ ত্তুনিং চুপ্পা শা-ঙা শক্ক ওাক্ক চাবগী রাখন্তদা লেরিবা অহুগা চাহু চারিবশিংসিনা, কাক-লাওজানচিংবগী মপোক্তা পোক্লরিবসিনি॥

---

* টীকা :- যমরাজগী রায়েনশঙ (কোর্ট) তদি মীহাৎপা, মীনম্বা, তৌবিমল থওদবা মথোয়সিগী দণ্ডি ফংফম অসি চপ মান্ন॥ (কালাচাঁদ)

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

তদহংতে প্রবক্ষ্যামি যং ত্বমিচ্ছসি শোভনে। সর্বদাত্মা কর্মবশে। নানাজাতিষু জায়তে ॥
যশ্চ মাংসপ্রিয়োনিত্যং কাকগৃধান্ স সংস্পৃশেৎ। সুরাপং সততং মর্ত্যঃ সুকরত্বং ব্রজেৎ ক্রমম ॥
অভক্ষ্যভক্ষণো মর্ত্যঃ কাকাজাতিষু জায়তে। আত্মঘ্নো যোনরঃ কোপাৎ প্রেতজা তষু তিষ্ঠতি ॥
পৈশুণ্যাৎ পরিবাদাচ্চ কুক্কুটত্বমবাপ্নুযাৎ, নাস্তিকাশ্চৈব যোমধ্যো মৃগজাতিং সংগচ্ছতি ॥
হিংসাবিহারস্তু নরঃ কৃমিকীটেষু জায়তে। অতিমানযুক্তো নিত্যং প্রেত্য গর্দভতাং ব্রজেৎ ॥
অগম্যাগমনাচ্চৈব পরদারনিষেবনাৎ মূষিকত্ব ব্রজেন্মর্ত্ত্যো নাস্তি তত্রবিচারণা ॥
কৃতঘ্নো মিত্রঘাতীচ শৃগালবৃকজাতিষু। কৃতঘ্নং পুত্রঘাতীচ স্থাবরেষ্প তিষ্ঠতি ॥
এবমাদ্যশুভং কৃত্বা নরা নিবযগামিনঃ। তাং তা যোনিং প্রপদ্যন্তে স্বকৃতস্তৈবকারণাৎ ॥
এবং জাতিষু নির্দেশ্যাঃ প্রানিনঃ পাপকারিণঃ। কথংচিৎ পুনরুৎপদ্য লভন্তে মানুষং পদম ॥

যু থকপা, নিশা চাবশিংনা মথোয়ন তৌরিব থবকতু থাদোকপা ভমত্রিভৈদা জীব (জীবাত্মা) শিংহুনা হকচাং থাদোক্নুনা চংপ্রবা (শিরবা) তুংদা ৎ৯ লমহুংনচিংগী মপোক্তা চঙখি ॥ চাহৈদবা চাবশিং অহুসু কাক লাঙজাগী মপোক্তা পোক্লিংসিনি শাটিরৎ রল না আহতা। তৌখিবশিংনা ভূত প্রেত হিংশা য়াইতম্বগী মপোক্তা পোকথি ॥ চীরোল তৌবা তুম মাগী 'নন্দা তৌবা', অহুগুম্বগী জীবহু য়েলগী মপোক্তা পোকখি। নাস্তিক ওইবা, মহাকখ ওইবা নাস্তিকশিংনা শজী শজাহঁগী মপোক্তা পোকখি ॥ হিংসা তৌবা, শাদানব, শিকার তৌবশিংগী জীবন কাও হুম্বি ককচেংনচংবগী মপোক্ত পোকখি। য়াম্না নাপল তৌবা, থোয়বা, মা উশিওব শংনা শিরবতু দা গাপা (জোলা) গী মপোক্তা পোকই ॥ চঙহৈদবা মকমদা চঙঙ্‌বা অতোপ্পগী নুপীগা শয়রুবাশিন উচা ওতৌলগী মপোক্তা পোক্তা পোকই। মাসিদা থক চিংননীংঙায় লৈত্রবনি ॥ তৌমিমল খঙদবা, নক্লপ হাৎপা মীনা জীবনা) শিরব তুংদা (হকচাং থাদোক্নবা তুংদা) লমহুহ কৈশালনচংবগী মপোক্ত পোকই। অতোপ্পা অমনা তৌখিবা উপকারবু কাউবা, মচা হাৎপশিংনা স্থাবর যোনিদা (হৈগাল লৈগাল অ রাগী মপোক্তা) পোকই। অসিগুম্বা অশুভ (অমঙ্গল) ওইবা কর্ম তৌবশিংনা নরককা মীওই। মহাক মহাক্না তৌখ তৌখিব শুভ অশুভ কর্মশিংহুগী চপ চপ চাবা ফল (মহৈ) হু অহুম মফংগুই। মতৌ অসুম্না তোঙাল তোঙানবা তোঙানবা জাতিদা পোক্লবা পাপী ওইরবা জীবা (জীবাত্মা) দা হায় রবা তত্ত্বশিংসি তাকপিগদবনি। মাসিবু তারবা খঙলব তুংদা পাপ যোনিশিংদা হঙ্গং হন্দা চোংথোক চোংশিন তৌহুনা লৈরুবা জীবনা উচিন নাচিন্না ভাইবং মীগী হকচাংগী মওং অসিদা চঙঙকই ॥ য়োৎপু মৈদা হুম্না হুম্না ঈরুগা, অশেংবা থৌরবা ইম্পাৎ য়োং ওইরকপহুগুম্না, অরাবা খুদোংথীবগী চাক্লবা নেশানুংদা যমপুরদা ঈরুরবা তুংদা জীবাত্মাদি শুদ্ধ ওইরকপনি।

বহুশশ্চাগ্নিসংক্রান্তং লোহং শুচিময়ং যথা। বহুচ্ছঃ খাভিসংসপ্তস্তথাত্মা শোধ্যতে বলাৎ।।
তস্মাৎ সুদুর্লভং চেতি বিদ্ধি জন্মসু মানুষম্।
উমোবাচ
শ্রোতুং ভূয়োঽহমিচ্ছামি প্রজানাং হিতকারনাৎ। শুভাশুভমিতি প্রোক্তঃ কর্ম খংখং সমাসতঃ
শ্রীমহেশ্বর উবাচ
তদহং তে প্রবক্ষ্যামি তৎসর্বংশৃণুশোভনে। সকৃতং দুষ্কৃতং চেতি দ্বিবিধং কর্মবিস্তরম্।।
তয়োর্যৎ দুষ্কৃতং কর্ম তচ্চ সংজায়তে ত্রিধা মনসা কর্মণা বাচা বুদ্ধি মোহসমুদ্ভবাৎ।।
মনঃ পূর্বং তু বাকর্ম বর্ত্ততে বাঙমযং ততঃ জায়তে বৈ ক্রিয়াযোগমনুচেষ্টাক্রমঃ প্রিয়ে।।
অভিদ্রোহোঽভিসূয়াচ পরার্থেষু চ হি স্পৃহা। ধর্মকার্য্যে যদাশ্রদ্ধা পাপকর্মনি হর্ষণম্।।
এবমাদ্যশুভং কর্ম মনসা পাপমুচ্যতে। অনৃত যচ্চ পরুষমবদ্ধং যচ্চ শংকরি।
অসত্যং পরিবাদশ্চ পাপমেতৎ তু বাঙময়ম্।

অদুনা জীবসিনা তাইবং মীগী হকচাংদা চঙতকপসে যাম্ন য়ানা, দেহ কয়া কযাদা অবা অনা কয়া কয়া খাঙলুরগা চঙতকপনি।। উমানা হায়ঃ-ভগবন্। ঐনা, হৌজিক পামজরিবসি, প্রজা (জীব) শিংগী হিত (কারবা) গীদমক্তা, শুভ অশুভ অসুম হায়না খঙন কৌনরিবা কর্মশিংসিগী মরমদা সম্পৎনা তাজবা অসিনি। শ্রীমহেশ্বরনা হায়ঃ—পার্বতী। মাদুগী মরমদু ঐ হায়গে, তাও। কর্মশিংগী মথং মথং শন্দোরকপা (কর্মবস্তার) অসিনা ফনয়াম্ন য়াম্লকবসু কর্মশিংসে মখল অনীতনি। অহানবা ভাগ (শরুক) না সুকৃত (পুণ্য) কম অদুগা অনীশুবা ভাগনা দুষ্কৃত (পাপকর্ম) কর্ম অনীসিনি।। হায়রিবা দুষ্কৃত কর্ম হায়বসিসু অমুক মখল অহুম খোক্ল লৈরি। পূর্লীংনা তৌবা দুষ্কৃত থবক থোক্লা তৌখিবা দুষ্কৃত কম, অদুগা অহুমশুবনা য়াহৈনা (চীম্থোক্লা) তৌখবা দুষ্কৃত কর্ম—অহুমসিনি। হায়রিবা দুষ্কৃত কর্ম মওং অহুম অসি, তাইবং মীগী বুদ্ধিনা মোহ (শুজ্ঞাৎপা) গী মথা হেক পোনখিবদগীনি।। চায়বী। তাইবং মীনা তৌ রবসে, অহানবদা পুল্লীংনা খল্লগা অদুগী তুংদা চীন্দা হায়দোরকই। অদুদগী হায়দোরক্লিবদু খোঙ খুং হকচাংনা থবক ওইনা পাঙথোকই। পাঙথোক্লবা হোৎনবদা খোঙ খুংনচিংবা হকচাং কায়াৎ খুংদংগী চেষ্টা থবক অসি মথং মথং চথরকইবনি।। য়াম্না শাথিনা য়েংথিনবা (য়েংলিবা), কল্লকপা, অতোপ্পগী পোৎপু মিহৌনা পাম্বা,—মথোথ অসি মানসিক অশুভ কর্ম হায়বদুনি। ধম কর্ম (ধর্মগী কম) দা পুল্লীং চঙদবা থাজদবা, পাপকী থবক তৌরগা উবগা হরাউবা, পাপ থবক তৌনবা মীওন্দা ঈনশিনবা পুল্লীং থোগৎপা অসিগুম্বা অশুভ কর্মশিংসিনা মানসিক পাপকর্ম হায়বদুনি।। মঙ্গলগী থবক তৌবী পার্বতী। মীনম্বা, অয়াকপা, মরম ঈরৈ লৈতনা সেরান তুরান ঙাঙবা, চুমদবা ওইদবা ঙাঙবা, অতোপ্পগী নিন্দা তৌবা য়াঙাং ঙাঙবা অসিগুম্বশিংসিনা চীম্ন তৌবা পাপ হায়বদুনি।।

অগম্যাগমনং চৈব পরদারানিষেবণম । বধবন্ধপরিক্লেশৈঃ পরপ্রাণোপতাপনম ॥
চৌর্য্যং পরেষাং দ্রব্যানাং হরণংনাশনং তথা । অভক্ষ্যভক্ষণং চৈব ব্যসনেষভিসংগতা ॥
দর্পাৎ দম্ভাভিমানাচ্চ পরেষামুপতাপনম । অকার্য্যাণাং চ করণ মশৌচংপানসেবনম্ ॥
দৌঃশৈল্যং পাপসংপর্কে সাহায্যং পাপকর্মনি । অধ ময়শস্তংচ কার্য্যং তস্য নিষেবণম্ ॥
এবমাদ্যশুভং চাক্তচ্চারীরং পাপমুচ্যতে ॥
মানসাৎ বাঙময়ং পাপং বিশিষ্টমিতি লক্ষ্যতে । বাঙ্ময়াদপি পাপাচ্ছারীরং গণ্যতে বহু ॥
এবং পাপযুতং কর্ম ত্রিবিধং পাতয়েন্নরম । পবোপতাপ জনন মত্যন্তং পাতকং স্মৃতম ॥
ত্রিবিধং তৎ কৃতং পাপং কর্ত্তারং পাতকং নয়েৎ । পাতকং চাপি যৎ কর্মণাং বুদ্ধি পূর্বকম ॥
সাপদেশমবশ্যংতু কর্ত্তব্যমিতি তৎ কৃতম্ । কথঞ্চিৎ তৎকৃতমপি কর্ত্তা তেন লিপ্যতে ॥

উমোবাচ

ভগবন্ পাপকর্ম যথা কৃত্বা নলিপ্যতে ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

যো নরোহ নপরাধীচ স্বাত্মপ্রাণস্য রক্ষণাৎ । শক্রমুদ্যতশস্ত্রংবা পূর্বং তেন হতোহপিবা ॥

শম্ম শোক্নহৈদবী নুপীগা শম্ম শোক্নরুবা, অতোপ্পগী নুপীগা মুংঙাইমিন্নরবা জীবপানববু হাংপা, ফা-পুন্দুনা জীববু ওৎপা নৈবা, অতোপ্পগী ললবু তুবা, নম্বগা মাঙহনবা, চাহৈদববু চাবা, য়ু থকপা ওক্তবা ওক্তবীশিংগা হবাউ তয়াম্না নোক-খেন্থুনা লৈবদা কাহেনজিন্না পাম্বা, থোয়বা নাপন্ন লুত্তোন কাম্নুনা মী উশিন্তবা অমাংবা পোৎপু চাব থকপা, পাপীশিংগা তোরোৎ থাদানবা লৈমিন্নবা, পাপকী থবক্তা মীঙোন্দা তেংবানবা, মিংচৎ থীব ধর্ম কায়বা থবক্তা পুক্নীং চঙবা, অসিনচিংবনা হকচাংনা তৌবা, শারীরিক পাপকর্ম হায়বন্থুনি ॥ মানসা পাপতগী, বানীপাপ (চীন্ন তৌবা পাপ) না হেল্লি । চীন্ন তৌবা পাপতা শারীরিকপাপনা অমুক ফক্তবা হেল্লি ॥ হায়রিবা পাপকর্ম মথল অহুমসিনা তাইবং মীবু লৈখা তাহল্লি । মীবু শাথীনা লাঙতক্নহনবা, মিপাইহনবা, থগৎহনবা হায়বসি মহা চাউপ্রবা মহাপাতক অমনি ॥ মহাক মহাক্না তৌখিবা পাপকর্মছুমক্না কর্ত্তা ওইহুনা পাপকর্মশিং অহুবু পাপ যোনিদা থাজিন থাজিন্দুনা পোকহনথি । য়াম্না বুদ্ধি তৌনা অতোপ্পা অমগী মথায় কল্লবা হিংসা তৌরবসু হিংসা তৌবগী পাপ অহু পরোপকারী অহুদা চঙদে ॥ উমানা হায় :—ভগবন্ ! পাপকর্মমক ওইরবসু করম করম্ব পাপকর্মগী মহৈহু পাপ কর্ম কর্ত্তা অহুদা চঙদবগে ? মাহুসু তাকপিয়ু ॥ মহেশ্বরনা হায় :—দেবী মরাল লৈজত্রবা অমবু খুৎলায়না থিন্দুনা মথায় লৌননবগী হোৎনরকপা মতমদা মাগী মথায় কল্লিংবনা, ওসাইগী খুৎলায় পায়বা মীহুবু ফুবা অমদি হাৎল ফাওবদা অহাৎপা (মীগী থবায় কল্লিংবা) মীহুদা হিংসাগী পাপ অহু চঙদে ॥

প্রতিহন্যান্নরোহিংস্যান্নসপাপেনলিপ্যতে। চোরাদধিকসংত্রস্তস্তংপ্রতীকারচেষ্টয়া।
যঃ প্রজ্বলন্ নরোহন্যান্ন সপাপেনলিপ্যতে॥
গ্রামার্থং ভর্ত্তৃপিণ্ডার্থং দীনমন্ত্রগ্রহকারণাৎ। বধবন্ধ পরিক্লেশান্ কুর্বন্ পাপাৎপ্রমুচ্যতে॥
দুর্ভিক্ষো চাত্মবৃত্ত্যর্থমেকায়নগতস্তথা। অকার্য্যং বাপ্য ভক্ষ্য বা কৃত্বাপাপান্নলিপ্যতে॥
কেচিদ্ধসন্তি তং পীত্ব প্রবদন্তি তথাপরে। নৃত্যন্তি মুদিতাঃ কেচিৎ গায়ন্তি চ শুভাশুভাত্র॥
কলিংতে কুর্ম্মতেহভীষ্টং প্রহরন্তি পরস্পরম। ক্বচিৎ ধাবন্তি সহস্য প্রস্খলন্তি পতন্তি চ।
অমুক্তং বহু ভাষন্তে যত্রক্বচন শোভনে। নগ্না বিক্ষিপ্য গাত্রানি নষ্টজ্ঞানা ইবাসতে।
এবং বহুবিধান ভাবান্ কুর্ব্বন্তি ভ্রান্তচেতনা। যে পিবন্তি মহামোহং পানং পাপযুতানরাঃ॥
ধৃতিং লজ্জাং চ বুদ্ধিং চ পানং পীতং প্রণাশয়েৎ। তস্মান্নরাঃ সম্ভবন্তি নির্লজ্জাৎ নিরপত্রপাঃ॥
কার্য্যাকার্য্যস্য চাজ্ঞানাৎ য়থেষ্টকরণাৎস্বয়ম। পানপস্তু সুরাং পীত্বা তদাবুদ্ধিপ্রণাশনাৎ॥
বিদুষামাবিধেয়ত্বাৎ পাপমেবাভিপদ্যতে॥

হুরানবা ডাকুগী মথুত্তগী অবাবা চৈনা ফংলবা, অদুগা ডাকু হুরানবদুগী মথক্তা করিগুম্বা লমন থুম্বা ঙমজত্রবা মীদুগী মতেং পাংবা এইনা হুরানবা ডাকুদুবু হাংপ তুপ্পদা দোষ করিমত লৈতে, মী হাংপগী পাপ অদু অহাংপ মীদুদা চঙদে। যু থকপা, ঙাংচং ফৈজংনবা মীসি সমাজদা কনা অমতনা মীনি হায়ব ফাওবা হায়নীংদ্রবা, অপমানত ফ হুনা লৈরবনি। শেরান তুরান ঙাঙহুনা মীবু থংনহনবা, মক্কপ মশেল মনুং মনুংদা মু ও ঈনহন্দবা মশেং অমাং খঙদনা চানীংবত চাব অদুগুম্ব মীদু মতম পুম্বদা ঈমাংত মা হুনা লৈববনি। ময়ায় কাহুনা, নশা (নিশা) চাহুনা, গুরুজন অহল লমন, জ্ঞানীশিং ফাওবদা চৈথাংলবা, মুমিং চুপ্পা অকল অবীং শীংবগী তমথিরবা বাঙাঙত ঙাঙব। মীশক য়াওরি। মীগী মুখীদা বলাৎকার তৌহুনা অচ্যাবার তৌবা, জবার শান্নবা মীতগা তিন্নহুনা কনা অমতগী অফবা নীংথিবা, বাহৈ পাউতাক তানীংদ্রবা মীসু য়াওরি॥ অমগমগা থংন চৈনবত পাম্বা, ফুনবা হাংন থিন্নবতনা নাশঙ্গাং ওইবা, অঙাঙ-অফৈগুম মানা ঙাঙনীংবত ঙাঙবা, লম্বী ঈনথাংদা হাইরং তুরং চংপা মফি মরোল মফম মরাং খঙদনা লমজাওদা চংপা, যু থকপা মথোয়শিংদো মহাপাপীনি। মথোয়বু হাংপা তুপ্পদা পাপ পুরোই॥ থকপ্রিবা ময়াইকাবা মহী (য়ু) অদুনা তপথবা, ঈকাইবা, বুদ্ধি (জ্ঞান) মথোয়সিবু লোইনা হাংদি (মাঙহল্লি) মাসিনা ঈকাই খঙদবা, মায় পান্দবা হায়বত্ত পোকহল্লি॥ য়ু থকপা মীনা মশাগী বুদ্ধি (জ্ঞান) বু মাঙহঞ্জহুনা, তৌহৈবা তৌহৈদবা পুম্বা লৈহনথিদবনা মানা থোকপত তৌহুনা, জ্ঞানী ওইবা মীনা তাকপা ফাওবা লৌথিদবসি লাম্থোকনীংঙাই লৈত্রবা পাপনি॥ বিষয় পুম্নমক্তা অমাঙবগী শরূকত ওইরকপনা জ্ঞানী ওইব মীশিংমক্কা ময়া থিগৎ কাথত্তুনা থংনৈ, চৈনৈ, ফুনৈ। মুমিং চুপ্পা অয়াকপা, অকাইবা বাহৈত শীজিন্নহুনা মী পুম্নমক্কী মফমদা অকিবগী মশক্ত ওই॥


পরিভূতো ভবেল্লোকে মদ্যপোমিত্রভেদকঃ। সর্বকালমশুদ্ধশ্চ সর্বভক্ষস্তথা ভবেৎ ॥
বিনষ্টো জ্ঞানবিজ্ঞাভ্যাং সততং কলিভাবগঃ। পরুষং কটুকং ঘোরং বাক্যংবদতি সর্বশঃ ॥
গুরুনতিবদেন্মত্তঃ পরদারান্ প্রধর্ষয়েৎ। সংবিদং কুরুতে শৌণ্ডৈর্ন শৃণোতিহিতংকচিৎ ॥
এবং বহুবিধাদোষাঃ পানপে সন্তি শোভনে। কেবলং নরকং যান্তি নাস্তি তত্রবিচারনা ॥
তস্মাৎ তৎ বর্জিতং সদ্ভিঃ পানমাত্মহিতৈষিভিঃ। যদি পানং ন বর্জেরন্ সন্তশ্চারিত্রকারণাৎ
ভবেদেতজ্জগৎ সর্বমমর্য্যাদং চ নি য়ম্ ॥
তস্মাৎ বুদ্ধেহিরক্ষার্থং সদ্ভিঃ পানং বিবর্জিতম্। বিধানং সুকৃতস্যাপি ভূয়ঃ শৃণুশুচিস্মিতে।
প্রোচ্যতে তৎত্রিধা দেবি সুকৃতং চ সমাসতঃ ॥
ত্রৈবিধ্যদোষোপরমে যস্তু দোষব্যপেক্ষয়া। সহি প্রাপ্নোতি সকলং সর্বদুঃখ বর্জনাৎ ॥
প্রথমং বর্জয়েৎ দোষান্ যুগপৎ পৃথগেববা। তথা ধর্মমাপ্নোতি দোষত্যাগোহি দুষ্করঃ ॥
দোষসাকল্য সংত্যাগান্মুনির্ভবতি মানবঃ ॥

মযাই কাখিহুনা, ঙাওহুনা মমা মপা গুরুজন ফাওবদা ওস্থোক ওস্থোকপা ৱাহৈ শীজিন্নৈ। মীগী নুপীবু বলাৎকার (বলকার) তৌহুনা মাংথোকই। মরৈ মরা চাউবা, ৱারেম ঙাওবা, জুবারীশিংগা ফম্মিন্নহুনা নোক খেহুনা ৱারি ৱাতায় শান্নৈ। ঙাওনরিবা ৱাশিং অহুগী মন্থংদা মশাগী অমদি লোকসমাজগী কান্নবা অমত য়াওদ্রবনি ॥ পার্বতী। অসিগুম্বা মীশক অসি নরকত শোযদনা চৎলগদবনি। মাসিদা চিংনফম করিমত্ত লৈতে॥ মবম অহুনা, মশাগী কান্নবা মঙ্গল ওইববু পাম্বা মীনা মযায় কাবা মাদরাপান (সুরাপান ৱুথকপা) নচিংবসি থক তৌরোইদৌবমি। সদাচার (অফবা লমচৎ ব্যবহার) বু ঙাক শেন্দুনা থমনিংবা মীনা সুরাপান তৌরবদি জগৎ পুম্বদা মানমর্য্যাদা লৈতবা, করিগুম্বা অমত কান্নদ্রবা মীশক হায়রব্ন ওইরগদবনি। অহুনা, অশিংবশিংনা মশা মশাগী বুদ্ধিবু ঙাক শেন্দুনা থমগে খন্দুনা মদিরাপান (ৱুথকপা) হায়রবসিবু থাদোকপনি, থাদোকদবমাক্ ॥ মীনোক ফজবী। মঙ্গলগী য়াত হংনিংবী। পুণ্য কলগী মরমদসু হায়গে তাও। য়াম্ন শম্না, খক্তিক্তদা হায়ব তারবদি পুণ্যসে মথল অহুমতনি ॥ ঐনা নঙোন্দা হান্ন হায়খ্রিবা মানসিক (পুক্নীংগী), ৱাচক (ৱাহৈগী চৈনগী) অহু কায়িক (হকচাংগী) দোষ অহুম অহু তৌদ্রবা (মুখৎদ্রবা) অহুগী তুংদা, হায়রিবা অহুম অসি হেক থাদোরকপত্তদা পুণ্য কর্ম তৌবগী ফল অদো ফংবা অহুম মহৌরক্লবনি ॥ তৌথিবা দোষ ময়াম অদো, অমমমত্ত ওইনা মচিং মচিং অহুম কোক্লনবা হোৎনগদৌবনি। অহুম হায়না তৌরবদি, তৌরিবহুমক ধর্মগী মন্থং চন্নে। মরমদি হৈন্নখিবা দোষনক্তিনবা কর্মবু থাদোকপা হায়রসে, য়াম্না লুবা থবক অমনি। অহুনা, য়াম্ন ৱানা থাদোক্লম হোৎন্নিবা অদো তপস্যা অমনি ॥ দোষ পুম্নমক অহুবু পুমথা হেক থাদোকখিবা মী মহাক অহু মুনি অমা ওইরবনি ॥

সৌকর্য্যং পশ্য ধর্মস্থ কার্য্যারম্ভাত্রতেৎপিচ। আত্মোপলব্ধোপবমাল্লভতে সুকৃতং পরম্॥
অহো নৃশংসাঃ পচ্যন্তে মানুষাঃ স্বল্পবুদ্ধয়ঃ। যে তাদৃশং নবুদ্ধ্যন্তে আত্মা ধীনং চ নির্বৃতাঃ॥
দুষ্কৃতত্যাগমাত্রেণ পদমূর্দ্ধংহিলভ্যতে॥
পাপভীরুত্বমাত্রেণ দোষাণাং পরিবর্জনাৎ। সশোভনো ভবেৎ দেবি ঋজুধর্মব্যপেক্ষয়া॥
শ্রুত্বাতুবুদ্ধ সংযোগাদিন্দ্রিয়াণাং চ নিগ্রহাৎ। সংতোষা ধৃতেশ্চৈব শক্যতে দোষবর্জনম্॥

তদেবধর্মমিত্যাহু র্দোষসংযমনং প্রিয়ে।
যমধর্মেন ধর্মোহস্তি নান্যঃ শুভতবঃ প্রিয়ে॥
যমধর্মেণ যতয়ঃ প্রাপ্নুবন্ত্যু ত্তমাং গতিম্॥
ঈশ্বরাণাং প্রভবতাং দরিদ্রাণাং চবৈ নৃণাম্।
সফলো দোষসং ত্যাগো দানাদপি শুভাদপি॥
তপোদানং মহাদেবি দোষমল্পং হি নির্হরেৎ।
সুকৃতং যামিকং চোক্তং বক্ষ্যে নিরূপসাধনম্॥

য়েংঙু, পার্বতী! অমরোমদা, হায়রবদি, ধর্ম তৌবা হায়বসে নুরবস্থ য়াম্ন লায়বা, ঈরায় লাইনা পাঙথোকহনবগী অমদি ধর্মবু পাঙথোকপগী পুণ্যফল অদুস্থ ফংননবগী উপায় অদু ঐনা হায়রিবসিনস্থ অদুম মওইরবনি। তৌগ্রবস্থ তৌগ্রিবা দুষ্কর্ম অদু অমুক তৌদনবা সাধনা তৌরিবা মীশক অদু স্বর্গ কায়॥ দেবী। পাপকর্মবু কিয়ত্তুনা, দোষশিং অদু অমুক পোক্তনবা পুকচেল সৎকর্ম তৌরল্লবা মী অদু অথোইবা ধাম (পদবী) বু ফংঙি॥ মাদু ভয়নবা উপায়দি জ্ঞানীপুরুষশিংগী মচীন্দগী জ্ঞানগী উপদেশ তাবা, ইন্দ্রিয়বু খুত্থম চনবা, অফংবা অমদা পেনবা অসিনচিংবা অসিনা ওই॥ চাম্নথোইবী। অদুম চেন্থরকপা দোষগী ঈচেলবু থিংবা হায়বসিমক্তা চাউথ্রবা ধর্ম অমনি। মাসিনি, সংযম সংযম হায়নম্নিবসি। অসিগুম্বা সংযম কৌবা ধর্ম (কর্ম) অদুনদুম ধর্ম পুম্বদগী পুমহেল হল্লে॥ অসিদগী হেনবা, মঙ্গল ওইননবগী কর্ম অমত্তা লৈত্রে॥ সংযম ধর্মবু পালন তৌরিবা যতি (সংযমী) অদু উত্তমগতি (খ্বাইদগী হেনবা ধাম) বু ফংঙি॥ প্রভাব চাউবা, ঈনাক খুনবা মীগী দান, (ঈনাক খুনবনা মরলবু থাদোরকপা) অদুগা তৌবা গুম্বা নাপলনচিংববু থাদোরত্তুনা, কাৰিস্থ লৈজত্রবা লায়ববা দরিদ্র অমগুম অঙ্কবা কর্ম তৌরকপদুগী মহৈদি ফনিকনি (মীকুপ অমত্তং লৈরম্নি)। লিশাং শীৎনা তৌরকপা দোষপু থংথিং থিংবা, থংলেপ লেপহনবা হায়বসিগী মহৈসি সনাতননি। মতম কুইনা লৈহৌরগদবনি॥ মহাদেবী! যজ্ঞদান তপস্যানা কোকহনবা দোষত্তি থজিত্তনি। হায়রিবা সংযম অসিনা কোকহনবা দোষদি য়ামখ্রে। হৌজিক ঐনা হায়গদৌরিবদি, অতৈ অতোপ্পা সাধনা অমত্ত য়াওদনা, কৱিগুম্বা অমত্তগী মত্তেং লৌদনা সুকৃত কর্ম তৌননবগী মরমদুনি, মুন্না তাও॥



সুখাভিসন্ধিলোকানাং সত্যং শৌচ মথার্জবম্। ব্রতোপবাসঃ প্রীতিশ্চ ব্রহ্মচর্য্যংদমঃ শমঃ॥
এবমাদি শুভং কর্ম সুকৃতং নিয়মাশ্রিতম্। শৃণু তেষাং বিশেষাংশ্চ কীর্ত্তয়িষ্যামি ভামিনি॥
সত্যং স্বর্গস্য সোপানং পারাবারস্য নৌরিব। নাস্তি সত্যাৎ পরংদানং নাস্তি সত্যাৎপরং তপঃ॥
যথা দৃষ্টং যথা শ্রুতমাত্মনা যৎ যথা কৃতম্। তথা তস্যাবিকারেণ বচনং সত্যলক্ষণম্॥
যচ্ছদ্মেনাভি সংযুক্তং সত্যরূপং মৃষৈবতৎ। সত্যমেবপ্রবক্তব্যং পারাবর্য্যং বিজানতা॥

জগৎতা লৈরিবা জীব পুম্নমক্কী নুংঙাইনা লৈননবগী কামনা, সত্য (অচুম্বা ঙাঙবা), শৌচ (অশেং অমাং খায়না চৎপা), সরলতা (পুক'চল খোয়দবা, ঈতিং তিংবা) ব্রত উপবাস, প্রীতি (জীব খুদিংমকপু নুংশিবা), ব্রহ্মচর্য্য, দম শম তপথবা হায়রিবশিং অসে তৌরবদি ঈশম শম্না থীন্দনা সুকৃত কর্ম হায়বনু তৌরবনি॥ মখোয়সিগী খেন্নবদো ঐ অমুক হায়গে, তাও॥ থকপ্রিবা (পুরুংদা তাপ্রিবা চঙপ্রিবা) য়ু অতুনা থকপ্রিবা মীতুগী অতপ্পা, চনীংতাবা জ্ঞান (বুদ্ধি লৌশিং) পুম্নমকপু মীকুপ্পা মাঙহল্লি। অতুদগীদি মহাক অতু সমাজদা খঙদবা, তাইবং মীনি হায়ব ফাওবা হায়নীংব্রবা মী জাৎ অম ওইরকই॥ বুদ্ধি জ্ঞান হায়বতুনা লৈত্রবতুদদি, তৌহৈবা তৌহৈদবা খঙদবা শা ঙাগা চপ মান্নবা, মীনি হায়ব ফাওবা হায়নীংব্রবা জীব জাৎ অমা ওইরকই। অসিগুম্বা মীশক অসি অসুম মানা থোকপত তৌবনা মহাপাপী অম ওইরকই॥ য়ু থকপা মীসি, কন য়াম্না ঈনাক কৈরাক খুনবা, মহৈ মশিং হৈবা মী ওইরবসু জগৎতা অপমানত ফংতুনা লৈ। চোপ্পা, খোনথিত তাবা মীশক অম ওইতুনা লৈ। চারিবা থক্লিব পুম্বা থী য়ুংগা শম্নবা পোৎশক্লা হায়ব অতু খঙদনা অমাঙবা পোৎশক্কা চাতুনা লৈ। তৌহৈবা তৌহৈদবা, হায়হৈবা হায়হৈদবা খঙদবনা, মরম ঈরৈ লৈতনা পণ্ডিত, বিদ্বানশিংগা ফাওবা থৎনৈ, ফুনৈ। মুমিৎ চুপ্পা অথীবা অয়াকপা বাহৈতবু শীজিন্নবা মীশক জাৎ অম ওইরকই॥ য়ুনা ময়ায় কাতুনা, ঙাওব্রেং ফৈজ্রংনা তুরোই ঙাম্নোইননা লাক্লগা অহল লমন গুরুজন ফাওবদা হায়হৈবা বাঙাং শীজিন্নরৈ॥ অতুনা মদিরাপান তৌবা (য়ু থকপা) হায়বসিনা পীবা পাপকী জাৎ অসি ওম্বোক্লা য়ামদ্রে॥ অসিগুম্বা মীশক অসে নরককী কোমদা শোয়দনা তাথি॥ মাসিদা করিমত য়েৎননীংঙায় লৈতে॥ অতুনা মশাগী অর্মদি জগৎকী কান্নবা তৌনিংবা মীনা সুরাপান হায়বসি থক তৌরোইদৌবনি। অসুম্না মী পুম্নমক সুরাপান তৌরবদি জগৎ মপুম অসি মীকুপ্পা অকর্মণ্য (করিমত কান্নদ্রবা) হায়বতু ওইবতু ওইরকই। অতুনা, লাকদবা দোষ পাপ পুম্নমকসি খঙবা জ্ঞানীশিংনা মদ্যপান (সুরাপান) থক তৌবদে॥ মীনোক কজবী, পার্বতী। নহাক, হৌজিক অমুক পুণ্য কর্মগী মরমদা হায়গে, তাও। ঐনা নঙোন্দা চাউরাক্লা পুণ্যকর্ম মথল অতুমগী বাদি হায়গে। পুক্লীংনা, বাহৈনা (চীন্না), হকচাংনা (থবকনা) তৌবা পাপকর্মশিং অতুনা লৈত্রবা, হন্দোকপ্রবা কান্দা, মতু দা অমুক তৌপ্রিবতুগুম্না তৌরক্কনবা, মথং মথং অসুম থাদোক্লবা তৌরকপা অভ্যাস তৌরকপা অতুমক, শুভকর্ম (পুণ্য কর্ম) তৌবগী মতুং চল্লি। পুণ্যকর্ম তৌবগী মহৈতু ফংগনি।

দীর্ঘায়ুশ্চ ভবেৎ সত্যাৎ কুলসন্তানপালকঃ।
লোকসংস্থিতিপালশ্চ ভবেৎ সত্যেন মানবঃ॥

উমোবাচ

কথং সংধারয়ন্ মর্ত্যো ব্রতংশুভমবাপ্নুয়াৎ

অচুম্বা তৌরকপা, সত্য মার্গদা চঙলকপা হায়বসিনা হি (জহাজ) না লাঙঙমজ্রবা ঈপাকপু লাম্থোকহনবত্তগুম্না সত্য (অচুম্বা) হায়বসিনা পাক কোকঙমজ্রবা, তৌব্রিবা পাপকর্মশিংত্তুগী মশক ওইরবা ঈপাকপু লাম্থোকহল্লি। সত্য হায়বসে স্বর্গ কাননবগী থাক সীডী অমমম নি। অচুম্বরোমদা কাথংলক্লিবত্ত স্বর্গরোমদা মথং মথং কাথংলকপ'ন। সত্যগা মান্নবা দান, সত্যদগী হেনবা তপ (তপস্যা) অমত লৈত্রবনি। মশানা হেক তাখিবা, মমীংমক্লা হেক উথিবা, মশামক্লা হেক তৌথিবা থবক অত্তু মাত্তুদা করিমত্তা শেমদোক শেমজিন তৌদনা মপোপ ঈকায় কায়দনা হায়দোকপা হায়বা অসিনা, চীম্না তৌবা সত্য কর্ম (পুণ্য কর্ম) হায়বত্তুনি। ছল তৌত্তুনা, নম্থাক তৌত্তুনা অচুম্বা (সত্য) শাশিন্নত্তুনা ঙাঙবত্তদি মিথানি। মিথ্যা তৌবগী দোষ পাপ অত্তু অত্তুম মফংগনি *। অত্তুনা, সত্য অসত্য অনীমক অসিগী মনুংদা তারকপা মৈত্ত মত্তু কনাগী কান্নবগীনে। হায়'ত্তু মন্না খন্তবগা সত্য-অসত্যবু শীজিন্নদবনি। অত্তবু অম শঙুদে অম শঙুদে যাংরি নৈ সত্যবৃত ঙাঙনবা হোৎনগদনি। সত্য কৌবা ব্রত অসিবু আচরণ তৌরিবা সত্যবাক ওইবা মত্তাক অত্তুগী পুনশি শাংগু সত্যকনা শাগৈ মপুম অমবু উদ্ধার তৌই। সত্যতদা আশ্রয় লৌনা মীত লোকসমাজদগী মানমর্য্যাদা ফংঙি। মশাতগীত নত্তুনা মত্তাক মংত্তুনা সমাজ মপুম অমগী মান মার্যাদর ঙাকই। ঈমানা হায়:- ভগবন। করম করম্না মথক্তগী ব্রত তৌরগা তাইবং মীনা করম কমন্না ফল (মৈত্ত) ফংবগে?

---

* টীকা: "হুরানবা গা হুরাম্নদবা গা অনীসিগী মনুংদা হুরানবনা পাপ কর্মনি। হুরাম্দবনা পুণ্য কর্মনি, সত্যকর্মনি। হুরানবা মীনা ঐ হুরানদে হায়না ঙাঙবা অদুদি অক্ষবা হায় হায়ত্তুনা পুণ্য কর্মনি হায়বা লৌবা য়াদে। ছল তৌত্তুনা হায়বনি। থাজ্বেশেংনা হুরাম্দবা সত্যবাদী ওইবা মীনা করিগুম্না অক্ষবা হীরম অমগীদমক (মীগী কান্ননবগীদমক) ঐনা হুবনি হায়না হায়রবদি হুম্ম হুদবমক্লিনা পাপ পুদে। অক্লোযনত্তুম, পুণ্য কর্ম অমত্তুম ওই। অত্তুমক্তুনা "ধর্মস্য তত্ত্বং নিহিতং গুহায়াম" হায়রিবত্তুনি। অত্তুগ হুরানবা মীত্তুনা—চুম্মি ঐনা হুরানবনি" হায়না খুম্নদি, থাজ্বেশেংনমক চুম্না খুম্মি (ঙাক্কিত্ত), মপুকচেল শেঙি পুণ্য চম্লি হায়বা লৌবা য়ারে। মরমদি, ফত্তবা থবকপু তৌরবদি নত্রগা ওইরবদি চুম্না খুম্নবত্ত মীনমত্তুনা ঙাঙলবনি। পুণ্য কর্মগী ফল ফংবা য়ারোই। (কালাচাঁদ)

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

পূর্বযুক্তং তু যৎপাপং মনোবাক্কায়কর্মভিঃ। ব্রতবৎ তস্য স ত্যাগস্তপোব্রতমিতি স্মৃতম্ ॥
শুদ্ধস্নায়ো নরো ভূত্বা স্নাত্বাতীর্থে যথাবিধি। পঞ্চভূতানি চন্দ্রার্কৌ সন্ধ্যে ধর্মযমৌ পিতৃন্ ॥
আত্মনৈব তথাত্মানং নিবেদ্যব্রতবচ্চরেৎ। ব্রতনামমরণাৎ বাপি কালচ্ছেদেনবা হরেৎ ॥
শাকাদিষু ব্রত কুর্যাৎ তথা পুষ্পফলাদিষু ব্রহ্মচর্য্যং ব্রতং কুর্য্যাদুপবাস ব্রতং তথা ॥
এবমন্যেষু বহুষু ব্রতং কার্য্যং হিতৈষিণা। ব্রতভঙ্গো যথানস্যাৎরক্ষিতব্যংযথাবুধৈঃ ॥

শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—দেবী! পার্বতী! পুন্নীংগী, চৌনগী, হকচাংগী থবক্তা পোকপা পাপকী মরমদা শম্পৎনা নওোন্দা হায়ব্রে। ব্রত অমগী মতৌগুম্বা ত্যাগ (থাদোকপা) হায়বহুগী নিয়মবু কায়দনা থম্লিবহু তপোব্রত হায়বা ব্রত অহুনি *॥ ব্রত অমবু পরিপালন তৌরমদাইদা, তীর্থদা (শেংলবা ঈশিং) দা স্নান তৌরহুনা, হকচাং পুম্বা শেংদোক্লগা মহাক মশামকপু পঞ্চ মহাভূত, সূর্য্য, চন্দ্র, প্রাতঃ সন্ধ্যা সায়ং সন্ধ্যা, যম-নিয়মনচিংববু অমদি পিতৃলোক। তর্পননচি বা কম দা কথোক্লগা (মশামক্তা সমাপন তৌরগা) ভগুকর্ম অহুনা ধর্ম কায়দনা চঙশিনগদবনি। ভুম্বগা শিং ব্রফা বা অফব থবক্ত, দানধর্মদা নিয়মহু কায়দনা ভাক। হায়বদি ব্রত তৌবা, নত্রগা ব্রতহু, অকক্লবা এতম অনত লেপথোক্লগা লেপাঞ্রবা মতমহুগী মনুংদা অতৈ অমমুক লাম্মুদনা ব্রতহু ভাকপা আসন ব্রত তৌবা হায়বাস। অহুগুম্বা ব্রতহু পালন তৌরভৈদা শাঙা চাদনা মনা মনীং উহৈ বাহৈ থরতনা অহুন লেনবা কৈ

---

* টীকা :—অয়াম্বনা, ব্রত তৌবা হায়বাস চয়া হেনবগী অথতদা পুং। মাছু নত্তে। একাদশী ব্রত হায়রগা একাদশী তাবদা চয়া হেনবা হায়বা অর্থতদা পুংদবা নত্তে। অফবা থবক অমবু ভাকপা মতমদা অতৈ অতোপ্পা থবক অমদ বাথল অম তৌদবা, তৌরবা নিয়ম অহুতদা, য়েথায়বা পোকহন্দনা চথবা অহুবুনি ব্রত হায়রবাস। একাদশী তিথিসিমতদাদ ভুম্বা হাপ্পা চাবনাচংবা লেপ্পুনা ভগবানগী বাথক্ত তৌহুনা নত্রগা নামত শোন্দুন, নত্রগা বেদ পাষ্ঠ গীতা পাঠনাচংবত তৌহুন। মরূপ মপাং অম লাক্লকাওবদা য়েংগ্রবোই, বাচোং অমা ভাওগ্রবোই, হায়না অতৈ থবক পুম্ব নংহুনা তোগে থাম্লবা নিয়মবু ভাকলিবহু একাদশী ব্রতনি। মেবাগী নিয়ম ব্রত হায়বাসশু অহান। মেবা থাসনদ অতৈ পুম্মক পুমথা থাদোক্নুনা ভগবানগী তত্ত্ব শ্রবণ কার্ত্তন তৌগ্রগে অতৈ করিমত তৌগ্ররোই হায়বা নিয়ম অসিবু কায়দনা ভাক্লিবহু মেবাগী নিয়ম ব্রত তৌবা কৌই। ভহাক্তং তাশিন্ শকচিম্বরগা শেল থুম তানবগী থবক্তা অমুক চঙশিল্লুরবদি মাছু মেবাগী নিয়মব্রত নত্তে। ব্রতবু থুগাইবনি পাপ পুগনি। একাদশীদা ব্রত তৌরিবনি হায়হুনা চয়া হন্দুন তাশ শাম্বহুনা, লিকোল শাপহুন, লৈরবনি চয়া হেল্লি হায়হুনসু একাদশীদা ব্রত তৌরি হায়বা যাদে। একাদশীদা পাপ তানশিল্ল হায়বনি। (কালাচাঁদ)

ব্রতভঙ্গে মহৎ পাপমিতি বিদ্ধি শুভেক্ষণে ॥

ঔষধার্থং যদজ্ঞানাৎ গুরূণাং বচনাদপি । অনুগ্রহার্থং বন্ধূনাং ব্রতভঙ্গো ন দুষ্যতে ॥

ব্রতাপবর্গকালেতু দেবব্রাহ্মণপূজনম্ । নরেণ তু যথাবদ্ধি কার্য্যাসিদ্ধিংযথাপ্নুয়াৎ ॥

উমোবাচ

কথং শৌচবিধিস্তত্র তন্মে শংসিতুমর্হসি ।

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

বাহ্যমাভ্যন্তরং চেতি দ্বিবিধং শৌচমিষ্যতে ।

মানসং সুকৃতং যৎ তচ্ছৌচমাভ্যন্তরং স্মৃতম্ ॥

সদাহারবিশুদ্ধিশ্চ কায়প্রক্ষালনং তু যৎ । বাহ্যশৌচং ভবেদেতৎ তথৈবাচ মনাদিনা

ব্রত অদু পালন তৌবা লোইহ্রিফাওবগী মনুংদা মুপী নহা শম্মদবা, ওম্নবদি চরা হেনবা কাওবা ফৈ। মাসি তৌদু তৌগদবনি। ব্রতগী মহৈ ফংনিংবনা শঙ্গোম অমদি উহৈ বাহৈতনা আহার ওইনা শীজিন্নগদবনি। অদুগা খ্বাইদগী মরু ওইবনা তৌবা হৌগ্রবদি ব্রতদু থুগাইবা (ব্রতভঙ্গ তৌবা) কন্তে। থুগাইগদবা লৈরবদি ব্রত অদু তৌরমদবনা হেন্ন ফগনি। ব্রত তৌবা হৌরগা মশানা মাদু থুগাইরবদি মাদু মহাপাপনি। মাদুগী প্রায়শ্চত্ত প্রতিকার লৈতে॥ ব্রত তৌবা হৌগ্রবদি মতম অকক্লবদু লোইহ্রি ফাওবা য়াপওনা চীক্কনা খাওবা তাই। খাওলিবদুনি তপস্যা হায়রিবসি॥ ঈবেম্মা! ব্রতভঙ্গ তৌবা হায়বসি মহা চাউগ্রবা পাপ অমনি। অদুবু লায়না ফননব। চাবা হীদাককীদমক, নত্রগা থওহৌদদুনা নত্রগা গুরুজনগী য়াথংদ। নত্রগা অশোন অনাগী উপকারগীদমক তৌথিবা ব্রতভঙ্গ অদুদি দোষ লৈতে॥ ব্রত (নিয়ম) অদুনা মপুং ফানা লোইশিল্লবদা, লোইশিনবা মুমিৎ অদুদা দেবতা অমদি ব্রাহ্মণশিংগী বিধি কায়দনা সেবা পূজা তৌগদৌবনি। অদুম তৌরবদি তৌগ্রিবা ব্রত নিয়ম অদু মহৈ য়াগ্নি॥ উমানা হায়:—নিয়ম ব্রতদু তৌরিঙৈ মনুংদা শৌচা শৌচ (অমাং অশোয় তৌব। খোঙ খুৎ হাম্বা মপাল ঈপাল থোকপা) গী বিধিনা করি কমদৌবা মাদু তাকপিয়ু॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায়:—শৌচ (শেংদোকপা) হায়বসি মখল অনীনি। বাহ্য শৌচ হায়বা অমা, আভ্যন্তর শৌচ হায়বা অমা অনীনি। হায়বদি মপানগী শেংদোকপা, মনুংগী শেংদোকপা অমুম্না অনীথোক্না লৈ। ওসাই হায়গ্রবা পুন্নীংনা তৌবা শুভ কর্মশিং অদো, মানসিক শৌচ (মনুংগী শেংদোকপা) হায়বদুনি॥ অশেংবা আহার (অন্ন চীঞ্জাক) ত চাবা, খোঙ-খুৎ শেংনা হামদোক খোন্তোকপা, মপানগী হকচাং তু শেংনা লুনা থম্বা, খী-মুং মথাক হকমুংদা থমদবা (লৌথোকপা) আসনচিংবসিনা বাহ্যশৌচ (মপানগী শেংদোকপা) হায়বদুনি॥

মৃত্তৈবং শুদ্ধদেশস্থা গোশকৃন্মুত্রমেব চ। দ্রব্যানি গন্ধযুক্তানি যানি পুষ্টি করাণিচ ॥
এতৈঃ সম্মার্জনৈঃ কায়ন্ত্যসা চ পুনঃ পুনঃ। অক্ষোভ্যং যৎ প্রকীর্ণং চ নিত্য স্রোতশ্চ যজ্জলম্।
প্রায়শস্তাদৃশে মজ্জেদন্যথা চ বিবর্জয়েৎ ॥
ত্রিস্ত্রিরাচনমং শ্রেষ্ঠং নির্মলৈরুদ্ধৃতৈর্জলৈঃ। তথা বিন্মুত্রয়োঃ শুদ্ধিরদ্ভির্বহুমৃদা ভবেৎ ॥
তথৈব জলসংশুদ্ধির্য সংশুদ্ধং তুসংস্পৃশেৎ।
শকৃতা ভূমিসংশুদ্ধিঃ স্যাল্লোহানাং ভস্মনাস্মৃতম্।
তক্ষণং ঘর্ষণং চৈব দারবানাং বিশোধনম্ ॥
দহনং মৃন্ময়ানাংচ মর্ত্ত্যানাং কৃচ্ছ্রধারণম্।
শেষাণাং দেবি সর্ব্বেষামাতপেন জলেনচ ॥
ব্রাহ্মণানাংচ বাক্যেন সদা সংশোধনং ভবেৎ।
অদৃষ্টমদ্ভির্নির্ণিক্তং যচ্চ বাচা প্রশস্যতে।
এবমাপদি সংশুদ্ধিরেবং শৌচংবিধীয়তে ॥

অশেংবা মফমগী লৈপাক (মৃত্তিকা), শম্বী, শমুং (শনমুং) মনম মুংশিবা পোৎ, হকচাংবু নোয় পেম্ন থম্নবগী মচাকনচিংবনা অশেংবা ঈশিংগা লোয়ননা বাহ্যশৌচ হায়বসে তৌগদবান ॥ লুপ্পদা, ঈরুজবদা নমথিবা, অনৈবা কারকলোইদোবা, অহুগুম্বা অক্ষোভ্যজলদা ঈচেল লেপ্পনা চেম্বাবা, মৌথৎতবা, অহুগুম্বী তুরেল (তীর্থ) গী ঈশিংদা কোক য়াওনা লুপকদবান। হায়রিবা ঈশিং জাং অসি নত্তবা অতৈ ঈশিংদা স্নান থক তৌরোইদবনি। অশেংবা ঈশিংবু খুত্তা হাপ্লগা আচমন অহুমলক তৌবসি মমুং মপান শেংদোকপগী অথোইবা বিধিনি হায়না শাস্ত্রনা লেপ্পরে। অমাং অশোয় তৌরব তুংদা শৌচ থোগুব অহুগা থোগুথুৎপু অশেংবা লৈপাকনা য়াম্ন পায়থত্তুনা ঈশিংদা নোইহুনা শেংদোক-দবনি ॥ অহুম তৌহুনা জলশুদ্ধিগী মরমদসু আচারাবচার অসি কুপ্পা য়েংগদোবান। মাৎ মায় তাবা, চীন-খা শেংবা পুম্নমক অসে, শেংলবা দোষ লৈত্রবা ঈশিংতবু শাজন্নদগবানি ॥ অহুনা, নঙোদ্দা হায়রিবসিনি লৈপাক্কী পাত্রদি মৈ ঈরুগা, মী (হকচাং) চাদ থক্কনা অরাম খোরাংগী নৈশা লাংহল্লগা মী (হকচাং) গী শুদ্ধি ওইবনি। অসি নত্তবা অতৈগীনা মুংশাদা ফৌদোক্লসু শুদ্ধ ওই। ঈশিংনা নত্রদা ব্রাহ্মণগী মচীন্দগী হায়দোরকপা মন্ত্রগী মঙ্গলগী থাঙাঙ থাহৈনা শেংদোকপা য়াগান ॥ অহুগা পুরকইবা পোৎ অহুদা য়াওগ্রিবা (চগুগ্রিবা) দোষ অহু ডহৌদ্রগাদ শেংনবু পুরক্লবসু ঈশিংনা থাকতোক চামথোক্কুনা শুদ্ধিকরণ তৌগদোবান। অহুগুম্বা মা মহাক (ব্রাহ্মণ) অহুগী বচননা (থাহৈনা শেংদোক্ল-বদি) মী মহাক মশা অহুমক অশেংবনি হায়না লৌগদবান। লংকৈদা লম্বাদা অমাদ আপাস্ত তারবা মতমদা হায়রিবা শুদ্ধিকরণগী মওং অসে তৌগদবান হায়না শুদ্ধিতত্ত্বগী বিচার নির্ণয় অসি শাস্ত্রদা পারি।

উমোবাচ

আহারশুদ্ধিস্তু কথং দেব দেব মহেশ্বর ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

অমাংসমত্যমক্লেদ্যমপর্য্যুষিতমেব চ। অতি কটূম্ললবহীনং চ শুভসর্দ্ধ চ ॥

কৃমিকেশমলৈ হীনং সংবৃতং শুদ্ধদর্শনম্। এবং বিধং সদাহার্য্যং দেবব্রাহ্মণ সৎকৃম ।

শ্রেষ্ঠমিত্যেব তজ্জ্ঞেয়মন্তথামন্যতেহ শুভম্ ॥

গ্রাম্যাদারন্যকৈঃ সিদ্ধং শ্রেষ্ঠমিত্যেবধারয় ॥

অতিমাত্রগৃহীতাত্তু অন্নদত্তং ভবেচ্ছুচি। যজ্ঞশেষং হবিঃ শেষং পিতৃশেষং চ নির্মলম্

ইতি তে কথিতং দেবি ভূয়ঃ শ্রোতুং কিমিচ্ছসি ॥

উমোবাচ

ভক্ষয়ন্ত্যপরেমাংসং বর্জয়ন্ত্যপরে বিভো। তন্মে বদমহাদেব ভক্ষ্যাবানির্ণয়ম্ ।

উমানা হায় :—দেবদেব। মহেশ্বর। অন্ন (অচা অথক) গী শুদ্ধি (শেংদোকপা) না করম তৌগদগে? মাহ্‌ তাকপিয়ু ॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—দেবী। শা-ভা যুগী শরুক য়াওদবা, চাবদা হুমাং কাগদবা, চজীক, য়াম্না কা ক্লেম্না থাবা শীনবা শাবা, থুম য়াম্না য়াকপা ওইদবা, মনম নুংশিবা অপুম অশা মনম য়াওদবা, তৌল কাও শম-না মথক্ত তাখিদবা, তরু তরুবা, অশেংবা ফনা নত্রগা কারিগুম্বা অশেংবা পাত্রনা কাও হুয়িং তাদনবা কুপশিনবা, অসুম য়ে বদসু অমাং অশোয় মরীক অমত য়াওদবা, অহুগুম্বা অন্ন অহুতবু দেবতাশিংদা অমদি ব্রাহ্মণদা ভোজনগীদমক্তা (চাননবগী দমক্তা লানশিনগদবনি (কংকদবনি)। হায়রিবশিংসিগী হেক অন্ন তৈনবদা, মীদি পীজৈ হায়রবু শুভ ফল ফংলোই। মীওোন্দা অমদি লাইদা কৎপগী মহৈ লৈরোই ॥ খুল্লক্তা, ইমুং মনু দা চনগবা পোৎনা থোং থাকপদগী, শেংলবা বন জঙ্গলদা পাল্লিবা মহৈ মরোং খুদক্তা হেক্লগা মাহুনা থোং থাকপনা য়াম্ন ফবা হেল্লি ॥ হায়রিবসে য়াম্ন চনীং ক্তানা পুক্নীংদা থন্দুনা থম্মু। অশেং অমাং থওদনা য়াম্ন কৎপা পীজবা চাবগী মহুত্তা, শেংনা খজিত্তুং কৎপা চাবনা য়াম্ন ফবা হেল্লি যজ্ঞ শেষ (দেবতাশিংদা কৎপ্রবা তুংদা লেমহৌবা মখাক), হবিঃ শেষ (হোম মতুংদা লেমহৌবা), পিতৃশেষ (পিতৃ মাতৃ তর্পন শ্রাদ্ধনচিংবদগী লেমহৌবা) মখোয় অসি লেমহৌবা মখাক (লুখাক) ওইরবসু অশেংবা পোশকনি হায়না লৌগদৌবনি। অতুনা, দেবী। নংনা হংখিবা অন্নগী শুদ্ধি অশুদ্ধগী বিচার অদো ঐনা নঙোন্দা তাহল্লবনি ॥ উমানা হায় :—দেবদেব। মাংসভোজী ওইবা কনা কনাগুম্বনা মাগী মাগী জাতি অমদি পরিবার শা ভা চাবা য়াওরি। অতগা থরম্বা নিরামিষাশী (শা ভা চাদবা) ওইবা য়াওরি। কনান লানবা চুম্বা হায়বত্থ ঐ মুম্ন থওদ্রি। অমুক্ত তাকপিয়ু ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

মাংসস্য ভক্ষণে দোষো যশ্চাস্যভক্ষণে গুণঃ। তদহং কীর্ত্তয়িষ্যামি তন্নিবোধযথাতথম্‌।
ইষ্টং দত্তমধীতং চ ক্রতবশ্চ সদক্ষিণাঃ। অমাংসভক্ষণস্যৈব কলাংনাহন্তি ষোড়শীম্‌।।
আত্মার্থং পরপ্রাণানা হিংস্যাৎ স্বাদুযলেপয়া। ব্যাঘ্রগৃধ্রশৃগালৈশ্চ রাক্ষসৈশ্চ সমস্তু সঃ।।
স্বমাংসং পরমাংসেন্‌ যো বর্দ্ধয়িতুমিচ্ছতি। উদ্বিগ্নবাসং লভতে যত্র যত্রোপজায়তে।
সংছেদনং স্বমাংসস্য যথাসংজনয়েৎ রুজম্‌। তথা পরমাংসেঽপি বেদিতব্যং বিজানতা।
যস্তু সর্বাণি মাংসানি যাবজ্জীবং ন ভক্ষয়েৎ। স স্বর্গে বিপুলং স্থানং লভতে নাত্র সংশয়ঃ।।
যত্তু বর্ষশতং পূর্ণং তপ্যতে পরমং তপঃ। যচ্চাপি বর্জয়েন্মাংসং সমমেতন্ন বাসমম্‌।।
নহি প্রাণৈঃ প্রিয়তমং লোকে কিংচনাবিদ্যতে। তস্মাৎ প্রাণিদয়া কার্য্যা যথাত্মনিতথাপরে।।
ইত্যেবং মুনয়ঃ প্রাহুঃ মাংসস্যচভক্ষণে গুণান্‌।

উমোবাচ

গুরুপূজা কথং দেব ক্রিয়তে ধর্মচারিভিঃ।

শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—দেবী! মাংসভক্ষণ (শা চাবা) গী দোষ, চাদবগী গুণ অসি তোঙাল তোঙান্না নঙোন্দা হায়গে তাও। দক্ষিণা চাউনা কত্তুনা যজ্ঞদান অমদি বেদাধ্যয়ন (বেদশাস্ত্র তম্বা) নচিংবগী ফংগদবা মহৈনা মাংসভক্ষণ তৌদবা হায়বত্তুগী মহৈগী শরূক তরাতরূক থোকপগী শরূক অম ফাওবা ফংদে।। মশাগী নোয় গে ম্রনবগীদমক্তা অতোপ্পা জীবগী মশা চারিবশিং অদু লাঙজা, ক্ক, লমহুই, কৈনচিংবগা অম্ভা ওইরবনি। করিমতা যেন্নব্রবনি।। অতোপ্পগী মাংসনা মশাগী মাংসবু পেলহন নোয়হনগবগী হোংনরিবা মথোয়ত্তুগী জীব। জীবাত্মা অদু মানা চঙত্তুবা দেহদা মিপাইবা মুংশা থীবা নিংদোন চেঙগুম চেনগাব পোকনবা জীবনী হকচাং বুয়োমদা চঙখিগনি। নশাগী হকচাং থোঙ খুৎপু ককপা থিনবদা শাঙমদমা চৈন ফাওবত্তুগুম্না অতোপ্পগী হকচাংবু ককপা থিনবদা চৈনা অদো অদুম মফাশরিবনি। মাসি মী পুম্নমক্না নঙকম থোকপনি।। পুনশি চুপ্পা শা ভা চাদবা মী মহাক অদুদি স্বর্গদা পাক-চাউরবা মফম ফোল্লুই। চহী চামা চুপ্পা তপস্যা তৌবগী মহৈপা পুনশি চুপ্পা মাংসভক্ষণ (শা চাবা) তৌবগী মহৈগ শক নাম্নব যাবোই। মাংসভক্ষণ তৌদবগী মহৈনা হেল্লি।। সংসারদা থরায়গা মান্নবা নুংশিজবা পোশকসি করিমত লৈতে। অদুমা জীব খুদিংগী মথৱায়দুবু নুংশিবিগদবনি। নশাবু অতোপ্পনা চানবিশা নুংশিবিব পাহদুগুম্না জীব অতৈরুম্তু চানবীগদবনি নুংশিবীগদবনি। অদুম হায়না মাংস চাদবগী মহিমা (গুণ) অসি মুনিশিংনা হায়রৈ।। উমানা হায় :—ধর্মচারীশিংনা গুরুজনগী পূজা সেবাসি করম্না তৌনবগে ?।।

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

গুরুপূজাং প্রবক্ষ্যামি যথাবৎ তব শোভনে ॥

কৃতজ্ঞানাং পরো ধর্ম ইতিবেদানুশাসনম্। তস্মাৎ স্বগুরবঃ পূজ্যাস্তেহি পূর্বোপকারিণঃ।
গুরূণাং চ গরীয়াংসস্ত্রয়ো লোকেষু পূজিতাঃ॥

উপাধ্যায়ঃ পিতা মাতা সম্পূজ্যাস্তে বিশেষতঃ। যে পিতুর্ভ্রাতরো জ্যেষ্ঠা যে চ তস্যানুজাস্তথা।
পিতুঃ পিতাচ সর্বেতে পূজনীয়াঃ পিতা তথা ॥

মাতুর্যা ভগিনী জ্যেষ্ঠা মাতুর্যা চ যবীয়সী। মাতামহীচ ধাত্রীচ সর্বাস্তা মাতরঃ স্মৃতাঃ ॥

উপাধ্যায়স্য যঃ পুত্রো যশ্চ তস্য ভবেৎ গুরুঃ। ঋত্বিগ্ গুরুঃ পিতা চেতি গুরবঃ সম্প্রকীর্ত্তিতাঃ।

জ্যেষ্ঠো ভ্রাতা নরেন্দ্রস্য মাতুলঃ শ্বশুরস্তথা। ভগ্নীভ্রাতাচ গুরবস্তে প্রকীর্ত্তিতাঃ ॥

ইত্যেব কথিতঃ সম্যক্ গুরূণাং সর্বসংগ্রহঃ অনুবৃত্তিং চ পূজাংচ তেষামপি নিবোধ মে ॥

শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—নীংথিজবী। গুরুজনশিংগী সেবা পূজাগী মরমদা ঐ হায়গে, মুন্না তাও। কৃতজ্ঞ অমা ওইবা, হায়বা কান্নবা তৌবিখিবহুবু খঙবা, কাওদবা মীশক অমা ওইবা (ওইনিংবা) অহুগুম্বা মীশিংহুগী মকমদদি গুরুজনশিংগী সেবা পূজা হায়বা অসি তৌদবা য়াদ্রবা ধর্ম অমনি হায়না বেদনা হায়রি ॥ অহুনা গুরু পুন্নমক্কী সেবা পূজা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা ধর্ম কর্ম (ধর্ম থোকপা কর্ম) অমনি। মরমদি গুরুশিং অদো কান্নবা তৌবিখিবা ওাক্তনি। কান্নবা তৌবিখিবা গুরুশিং মনুংদা, ওঝা (জ্ঞান তাকপি তম্বিখিবা), ঈমা, ঈপা, হায়রিবা অহুম অসিনা খ্বাইদগী লুম্ববা গুরু (লুম্ববা) নি। অতৈ গুরুশিংগী সেবা পূজা তমত্রবসু অকুমসিগীদি তৌদবা য়াদে ॥ অতৈ গুরুশিংদি কনা কনানো হায়বহু মথং মথং খর হায়গে। পিতা (মপা) গী ময়াম্বা (মপল) অহুগা মনাও (মখুড়া) পিতাহুগী পিতা (লৈরিবা ওইরগা), হায়রিবশিং অসে পিতামক্তা অহ্নানিনা গুরু ওাক্তনি। মখোয়গী সেবা পূজা তৌগদবনি ॥ ঈমাগা পোকমিন্নবী অহল, অতোনবী, মাতামহী (মমাগী মমা), ধাত্রী (য়োকচবী খোমইনবী) মখোয়সে গুরুগী মনুং চনবনি। গুরুমক্তনি। মখোয়গী সেবা পূজা তৌগদবনি ॥ উপাধ্যায় (ওঝা) গী মচাসু গুরুন (পূজা তৌননীংঙায়নি), গুরুগী মচাহুগী গুরুসু গুরুগী মনুং চল্লি। ঋত্বিক্ ব্রাহ্মণ (যাজ্ঞিক ব্রাহ্মণ) অহুগা মাগী পিতা অহুসু গুরুনি। অসুম্না লৈত্রিবশিং অসি গুরুমক্তনি। গুরুজনমক্তনি। মখোয়সি পূজনীয়, সেব্য ওাক্তন ॥ অসি নত্তবা ময়াম্বা, নিংথৌ, মমাগা পোকমিন্নবা মামা মকুবোক, অবাবা অনংবা কনবিরকপা অসিনচিংবসে গুরুমক্তনি। মখোয়সে পূজনীয়নি ॥ মপুবোয়ব নীংবী! সত্তী। পার্বতী। গুরুগী শীংদ চন্নগদবা গুরুমথৈ ঐনা নত্তোন্দা শন্না হায়রবনি। মখোয়গী মকমদা চংকদবা শাজং ব্যবহারহু ঐ হায়গে তাও॥

আরাধ্যা মাতাপিতরাবুপাধ্যায়স্ত থৈবচ। কথংচিন্নাবমন্তব্যা নরেণ হিতমিচ্ছতা ॥
তেন প্রীণন্তি পিতর স্তেনপ্রীতঃ প্রজাপতিঃ। যেন প্রীণাতি চেন্মাতা প্রীতা স্যুর্দেব মাতরঃ ॥
যেন প্রীণাত্যুপাধ্যায়ো ব্রহ্মা তেনাভিপূজিতঃ। অপ্রীতেষু পুনস্তেষু নয়ো নরকমেতি হি ॥
গুরূণাং বৈরনির্বন্ধো ন কর্ত্তব্যঃ কথংচন। নরকং স্বগুরুপ্রীত্যা মনসাপি ন গচ্ছতি ॥
ন ব্রূয়াৎ বিপ্রিয়ং তেষামনিষ্টং ন প্রবর্ত্তয়েৎ। বিগৃহ্যান বদেৎ তেষাং সমীপেস্পর্ধয়া কচিৎ ॥
যৎ যদিচ্ছন্তি তে কর্ত্তুমস্বতন্ত্রস্তদাচরেৎ। বেদানুশাসনসমং গুরুশাসনমিষ্যতে ॥
কলহাংশ্চ বিবাদাংশ্চ গুরুভিঃ সহবর্জয়েৎ। কৈতবং পরিহাংশ্চ মন্যুকামাশ্রয়াংস্তথা ॥
গুরূণাং যোঽনহংবাদী করোত্যাজ্ঞামতন্দ্রিতঃ। ন তস্মাৎ সর্বমর্ত্যেষু বিদ্যতে পুণ্যকৃত্তমঃ ॥

মশাগী পুনশিদা পুনশি চুপ্পা মঙ্গল ওইনা লৈনিংবা মীনা মমা, মপা, গুরু (ওঝা) অহুমসিগী আরাধনা. সেবা পূজা তৌগদবনি। করিগুম্বা হীরম অমদা মখোয়গী মফমদা অপমান (থৌওই উশিত্তবা চোপহনবা) তৌরোইদৌবনি ॥ পিতা (মপা) বু পেলহল্লিবহু প্রজাপতি ব্রহ্মা (দেবতা) মামকপু পেলহনবনি। মাতা (মমা) বু পেলহল্লিবহু লাইরৈবাক্কী দেবমাতা পুম্নমকপু পেলহনবনি। গুরু (ওঝা) বু পেলহল্লি-বহু ব্রহ্মাবু পেলহনবনি। লাইরৈবাক্ত লৈনা অহুমসিবু চত্নুনা পেলহল্লবদি ওইথোক্কবনিনা মমা মপা গুরু অহুমসিবু মর্ত্ত্যলোকতা থমবিবনি। মখোয়বু পেলহন্দ্রবদি নরকতা তাবা শোয়দবনি ॥ গুরুশিংগী মফমদা শক্রত বৈরভাব (য়েংথিবা য়েক্কবগী তাব) থক থম্মোইদৌবনি। হায়রিবশিংসিনা পেল্লবদা নরকতা তাবা হায়বহু পুক্নীং ফাওবদা, মঙ ফাওবদা) লাক্করোইদৌবনি ॥ গুরুজনশিংগা থক থৎনা চৈনরোইদৌবনি। গুরুজননা পেনবিগ্রবা মীহুদি পুক্নীংনা ফাওবদা নরক তাররোইদৌবনি (শা ঙা তীল কাঙগী মপোক্কা মঙ ফাওবদা পোক্নুররোইদৌবনি)। মখোয়গী নাকোংদা তাবা মুংঙাইরোইদৌবা বাদো থক ঙাওলোইদৌবনি মখোয়না পামদবা থবক অহু তৌনিবমক লৈরবসু থক তৌরোইদৌবনি। মখোয়দা গুংহুনা শুক্কোক্নুনা, শাউরং নরংননা থক ঙাঙ শকলোইদৌবনি। মখোয়গা শীংনবগী করিগুম্বা বাহৈ বাতা অমত শীজিন্নরোইদৌবনি। মখোয় (পিতা মাতা গুরু) না তৌহন্নীংবা থবক অদো মখোয়গী য়াথং মথাদা লৈহুনা পাঙথোক্কবা হোৎনগদবনি। বেদনা, অসি অসি তৌগদবনি হায়না য়াথং পীরকপগা মশা অমতনি (চপ মান্নবনি) হায়না খন্দুনা গুরুজননা পীবা য়াথংদো ঙাকদবনি। অহুম তৌরবদি, বেদবু তম্মুত্রবসু বেদনা হায়রগা চপ চানা থবক তৌরবনি হায়না খঙগদবনি ॥ গুরুজনশিংগা থৎন চৈনবগী বাদি থম্বু থমখো, নমথাক লোনম তৌগে, করেম্নগে হায়বগী বাথল ফাওবা তৌরোইদৌবনি ॥ তৌশিন্নবা, অত্তনবা হৈনিংদবা পুম্নমক অসি থাদোক্নুনা মখোয়গী য়াথংবু পুকচেল শেংনা পাঙথোকদৌবনি। মাসিদগী হেনবা পুণ্যকর্ম অমত লৈত্রবনি ॥

অসূয়ামপবাদং চ গুরূণাং পরিবর্জয়েৎ তেষাং প্রিয়হিতান্বেষী ভূত্বা পরিচরেৎ সদা।
নতৎ যজ্ঞফলং কুর্য্যাৎ তপো বা চরিতং মহৎ। যৎ কুর্য্যাৎ পুরুষস্যেহ গুরুপূজা সদা কৃতা॥
অনুবৃত্তিবিনা ধর্মো নাস্তি সর্বাশ্রমেষপি। তস্মাৎ ক্ষমাবৃতঃ ক্ষান্তো গুরুবৃত্তিং সমাচরেৎ॥
স্বমর্থং স্বশরীরং চ গুর্বর্থে সংত্যজেৎ বুধঃ। বিবাদং ধনহেতোর্বা মোহাদ্বা নৈব রোচয়েৎ।
ব্রহ্মচর্য্যমহিংসা চ দানানি বিবিধানি চ। গুরুভিঃ প্রতিষিদ্ধস্য সর্বমেতদপার্থকম্॥
উপাধ্যায়ং পিতরং মাতরং চ যেঽভিদ্রুহ্যন্মনসা কর্মণা বা।
তেষাং পাপং ভ্রূণহত্যাবিশিষ্টং তেভ্যো নান্যঃ পাপকৃদস্তি লোকে॥

উমোবাচ

উপবাসবিধিং তত্র তন্মে শংসিতুমর্হসি

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

শরীরমলশান্ত্যর্থমিন্দ্রিয়োচ্ছোষণায় চ। একভুক্তোপবাসৈস্তু ধারয়ন্তে ব্রতং নরাঃ।
লভন্তে বিপুলং ধর্মং তথাহারপরিক্ষয়াৎ॥
অসুনামুপরোধং তু ন কুর্য্যাদাত্মকারণাৎ। জীবোপঘাতং চ তথা স জীবন্‌হন্য ইষ্যতে॥

মখোয়না লানবা অমদি শাউবন্দা, মাহুদা, মুংঙাইতবা, নিন্দা নচিংবা থক তৌরোইদৌবনি। মাহুগী মহুত্তা, করম তৌরগা ঐবু মুংশিবিদগে কাম তৌরগা চানবিগদগে হায়বহুত্ত ধ্যান তৌগদবনি। (মাসি, যোগ ধ্যানগা চপ মান্নবনি)। অসুম হায়না গুরুগী সেবা পূজা তৌবশিংদুনা ফংবা ফল (মহৈ) দি যজ্ঞ তপ কপা তৌগ্রবা মীশিংদুনমক্তা ফংবা ডমদে আশ্রম শিরমক্তা, গুরুসেবাবু তৌদ্রবদি ব্রহ্মচর্য্য, গার্হস্থ্য বানপ্রস্থ সন্ন্যাসন চিংব আশ্রমশিংদা লৈরুবনসু ধর্ম অহু তৌদগী (ব্রহ্মচর্য্য ধর্ম, গার্হস্থ্য ধর্ম, বানপ্রস্থ ধর্ম, সন্ন্যাস ধর্ম) মহৈ কনমত কবা য়ারোই॥ বিদ্বান্ জ্ঞানীশিংনা, লৈজরিবা সম্পত্তি পুম্বা গুরুদা অর্পন তৌখোকই। লম্পুম পান্দবী গুরুশিংগা মুরুহুনা খন চৈনা তৌরোইদৌবনি। গুরুগী শাপ ফংখবা মী মহাক অহুনা তৌবা যাগ যজ্ঞ, ধর্ম কর্ম দান, তপস্যা পুম্বা অরেপ্পনি। মমা মপা গুরু অহুম অসি পুক্নীংনা, হকচাংনা বাহৈনা নিন্দা তৌগ্রবা মী মহাক অহু দ ভ্রূণহত্যাগী পাপতগী হেন্না চাউবা পাপ পুগনি। অহুগুম মহা পাপী মতোন্দগী হেন্না পাপ তৌবা (পাপী ওইবা) অমত লৈতে॥ উমানা হায়:--দেবদেব। হন্দক্তি উপবাসগী বিধি নিয়ম অহু তাকপিরো। মহাদেবনা হায়:- চানবী! শারীরিক দোষ (হকচাংনা তৌবা পাপ দোষ) অহুগী শান্তিগীদমক ইন্দ্রিয়শিংবু ফংশিনহনবা ডাইবং মীনা উপবাস তৌই। মরাদা কারিমত তংদে। কনাগুম্বনা চরা নামত ওইরবসু হেল্লি। কনাগুম্বনা চরা অনী হেনবগী উপবাসসু তৌই। অহুম্বা চরা হেল্লগা হন্দ্রিয় হকচাংবু ফংশিনহন্নিবহু মহৈ ওন্থোক্লা চাউগে।

তস্মাৎ পুণ্যং লভেন্মর্ত্ত্যঃ স্বয়মাহারবর্জ্জনাৎ। তৎ গৃহস্থৈর্যথাশক্তি কর্ত্তব্যমিতি নিশ্চয়ঃ ॥
উপবাসদিনে কায়ে আপদর্থং পয়োজলম। ভুক্তমপ্রতিঘাতী স্যাৎব্রাহ্মণানুমতেন চ ॥

উমোবাচ

ব্রহ্মচর্য্যং কথং দেব রক্ষিতব্যং বিজানতা ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

তদহং তে প্রবক্ষ্যামি শৃণু দেবি সমাহিতা ॥
ব্রহ্মচর্য্যং পরং শৌচং ব্রহ্মচর্য্যং পরং তপঃ। কেবলং ব্রহ্মচর্য্যেণ প্রাপ্যতে পরমং পদম ॥
সংকল্পাৎ দর্শনাচ্চৈব তদ্যুক্তবচনাদপি স স্পর্শাদথ সংযোগাৎ পঞ্চধা রক্ষিতংব্রতম্ ॥
ব্রতবদ্ধারিতং চৈব ব্রহ্মচর্য্যমকল্মষম্। নিত্যং সংরক্ষিতং তস্য নৈষ্ঠিকানাং বিধীয়তে ॥
যদিষ্যতে গৃহস্থানাং কালমুদ্দিশ্য কারণম্। জন্মনক্ষত্রযোগেষু ব্রহ্মচর্য্যব্রতং চরেৎ ॥

মশাগী ওইজবা কাম্নবা করিমত য়েংদনা করিগুম্বা জাব অমতবু কা পুন্দবা, হাত্তবা অহুগুম্বা মী মহাক অদু মহাধন্তনি হায়রিবসিং কনো হায়বদা নোংমগী চারিবদুগী থর থর হুন্দহনবা পুণ্য কর্ম অমন হাযবত্তনি। মরম অদুনা গৃহস্থনা য়াবিবমথৈ আহার সংযম (চাবদা ইন্দ্রিয় থুদুম চনবা) তৌগদৌবনি। মাসুনা শাস্ত্রনা নিয়ম তৌগ্রবনি ॥ উপবাস তৌবকপদুদা অরাম খৌরাংবগী করিগুম্বা অয়াবা অন লাক্লবদ্র ব্রাহ্মণ গুরু) দগী য়াথং লৌরগা শঙ্গোম অমদি ঈশিং থর সেবন তৌবদা ব্রতভঙ্গ (ব্রত কাসগা) ওইদবা নত্তে। উমানা হায়ই: জ্ঞানী ওইবা মীনা ব্রহ্মচর্য্যগী নিয়ম অসি করম হায়না পালন তৌবগে? শ্রীমহেশ্বরনা হায়ই:—মাসিগী মরম অসি, ঐ হায়গে, মুম্ব তাও ॥ অশৌচ (হুকচাং শেংদোকপা) গী মথুংদা ব্রহ্মচর্য্য হায়রকসিনা থৃাইদগী অথোইবনি থৃাইদগী অথোইবা তপস্যানি অসিগুম্ব ব্রহ্মচর্য্য কৌবা তপস্যা অমনসু অথোইবা থুবমু কংব য়াই ॥ সংকল্প (দানধর্মন-চিংবা অকব। কর্ম অমত তৌগে হায়না লেপখিবা), দৃষ্টি (পোৎ থুদংমক্তা অকবা য়াথক্তনা দৃষ্টি থম্বা), যুক্তি যুক্ত ওইবা ন্যায়বিধি কায়দবা বাণ্ডাং, অচুম্ব মক্রবা য়াথক্তনা পোৎ থুদিংমক শোকপা পায়বা, তিম্নবা হাযরিবা মগী অসিনা ব্রহ্মচর্য্যনচিংবা ব্রতগী পালন তৌনৈ ॥ হ য়রিবা ব্রত মগী অসিনা তিনবা, কলঙ্ক য়াওব্রবা ব্রহ্মচর্য্যনচিংবা ব্রতবু ভাকপগী বিধান অসি শাস্ত্রনা পীরি ॥ ব্রহ্মচর্য্য হায়বা ব্রত অসি গৃহস্থশিংনসু ভাককম থোকই। গৃহস্থশিংনা ব্রহ্মচর্য্যবু ভাকপগী কারণ অসি, অককপা কাল (মতম) না ওই জন্ম নক্ষত্রগী যোগনা লাকপদা, অশেংবা মকমদা পর্বদিন ভাবা সুমিত্তা, দেব কর্ম থোকপা সুমিত্তা গৃহস্থশিংনা ব্রহ্মচর্য্যবু পালন তৌগদৌবনি ॥

ব্রহ্মচর্য্যব্রতফলং লভেৎদারব্রতী সদা। শৌচমায়ুস্তথাহরোগ্যং লভ্যতে ব্রহ্মচারিভিঃ ॥

উমোবাচ

তীর্থচর্য্যাব্রতং দেব ক্রিয়তে ধর্মকাঙ্ক্ষিভিঃ। কানিতীর্থানি লোকেষু তন্মে শংসিতুমর্হসি ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

হন্ত তে কথয়িষ্যামি তীর্থস্নান বিধিং প্রিয়ে। পাবনার্থং চ শৌচার্থং ব্রহ্মণানির্মিতং পুরা ॥

যাস্তুলোকে মহানদ্যস্তাঃ সর্বাস্তীর্থসংজ্ঞিকাঃ। তাসাং প্রাক্-স্রোতসঃ শ্রেষ্ঠাঃ সঙ্গমস্তুপরস্পরম্ ॥

তাসাংসাগরসংযোগো বরিষ্ঠশ্চেতি বিদ্যতে। তাসামুভয়তঃ কূলং তত্র তত্র মনীষিভিঃ।

দেবৈর্বা সেবিতং দেবি তং তীর্থং পরমং স্মৃতম ॥

সমুদ্রশ্চ মহাতীর্থং পাবনং পরমং শুভম্। তস্য কূলগতাস্তীর্থা মহদ্ভিশ্চ সমাপ্লুতাঃ ॥

স্রোতসাং পর্বতানাংচ ক্ষেমিতানাং মহর্ষিভিঃ। অপি ফলং তটাকংবা সেবিতং মুনিভিঃ পিয়ে ॥

তদাপ্রভৃতি তীর্থত্বং লভেল্লোকহিতায় বৈ। তং তু তীর্থ মিতি জ্ঞেয়ং প্রভাবাৎতু তপাসনাম ॥

এব তীর্থং ভবেৎ দেবি তস্য স্নানবিধিং শৃণু।

মাগী লোয়নবী অমত্তদুদা পূর্ক্কীং চওনা লৈবত্মমক-স্তু ব্রহ্মচর্য্য ব্রতবু তাকপগী মহৈ অদু অদুম মফংভি ॥ উমানা হায়:—ধর্ম খোকপা থবক তৌনিংবশিংনা তীর্থভ্রমণনচিংবসু ধর্ম্মগী আচরণ তৌবনি হায়না লৌই। লোক অসিদা করম করম্না মফমদা তীর্থ লৈবগে মাদু তাকপিয়্ন। শ্রীমহেশ্বরনা হায়:—দেবী। তীর্থ মাংখ্যা অমদি তীর্থস্নানগী বিধি অসি ঐ হায়গে তাও মমাঙৈদা ব্রহ্মা মশামক্তা মী পূম্নমকপু অমদি মশামকপুস্তু শেংদোক্নবগী বিধি অসি শেমখি ॥ লোক অসি অচৌ অচৌবা মামং লৈবী তুরেলশিং অসে তীর্থমক্তনি। নাংপোক পাংন চনবী তুরেল্ম অথোইবা তার্থনি। নদ। (তুরেল) অনী তিন্নফম (নদী সঙ্গম) অদুসু অপোইবা তীর্থনি। তুরেলশিংনা তিন্নফম অদুগা তিন্নদুনা তারবা সমুদ্রগী মফম অদুসু অপোইবা তার্থনি। মপান চাংজো কাওপ অনীদা জ্ঞানী মহর্ষিশিংনা তারবা (লৈরিবা) মফম অদুসু অপোইবা তীর্থান। সমুদ্র (সাগর) সু তীর্থগী মথুং চপ্পি শুভ তীর্থান। জ্ঞানী মহষি-শিংনা মপান অকোয়বদা তাবা (লৈবা) অদুগা মাদুদা মথোয়না লুপ্পিবা স্নান তৌরিবা সমুদ্র, পুখ্রী, তুরেল অদুসু তীর্থানে। চান্নবী। পার্বতী। মহর্ষি, জ্ঞানী মুনিশিংনা লুপ্পিবা স্নান তৌরিবা মপান অকোয়বদা ফমদুনা ধ্যান তৌরিবা ঈশিং তুংবা মফম পুখ্রী, চাঁং. তুরেল মথোয়দ শেংলবা তার্থনি ॥ তপস্বীশিংদুগী প্রভাব (মতীক মগুণ) না হায়রিবা মফমশিং অদু তীর্থ ওাকান হায়না খঙগদবানি। ঋষিমুনিশিংনা লৌববদগী, লুপ্লিবদগী, ঈশিং লৈবা (তুংবা) মফমশিংদু তীর্থত্ববু ফংভি। তীর্থ ওইবগী ধর্ম ফংভি ॥ দেবী। তীর্থগী অমদি তীর্থ ওইবগী তত্ত্ব অদু ঐনা নঙোন্দা হায়রবনি। হৌজিক অমুক স্নানগী বিধি (নিয়ম) অ হায়দুরগে তাও ॥

অন্যমনা ব্রতভূয়িষ্ঠো গত্বা তীর্থানি কাঙ্ক্ষয়া। উপবাসত্রয়ং কুর্যা দেকং বা নিয়মান্বিতঃ॥
পুণ্যমাসযুতে কালে পৌর্ণমাস্যাং যথাবিধি। বাহুবেব শুচিভূ'ত্বা তৎ তীর্থং মনসা বিশেৎ
ত্রিরাপ্লুত্য জলাভ্যাশে দত্বা ব্রাহ্মণদক্ষিণাম্। অভ্যর্চ্য দেবায়তন ততঃ প্রায়াৎ যথাগতম্॥
এতৎ বিধানং সর্বেষাং তীর্থং তীর্থমিতি প্রিয়ে। সমীপতীর্থস্নানাৎ তু দূরতীর্থং সুপূজিতম্॥
আদিপ্রভৃতি শুদ্ধস্য তীর্থস্নানং শুভং ভবেৎ। তপোর্থং পাপনাশার্থং শৌচার্থং তীর্থগাহনম্
এবং পুণ্যেষু তীর্থেষু তীর্থস্নানং শুভং ভবেৎ। এতন্নৈষমিকং সর্বং সুকৃত কথিতং তব।

উমোবাচ

লোকাঃ স্বং তু যৎ দ্রব্যং সর্বসাধারণং ভবেৎ। তৎ দদৎ সর্বমাপ্নুং কথং ধর্ম মহেশ্বরঃ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

আত্মবে ভূতময়ং দ্রব্যং সব সাধারণং তথা। তথৈব তৎ দদন্মর্ত্যো লভেৎ পুণ্যং স তচ্ছৃণু॥

পোকপদা অয়ানবা থবক তৌরক্কবা অতুগুম্বা মীশক্না তীর্থদা স্নান তৌগে হায়না খল্লক্তুনা তীর্থদা চংশ্রবদি তীর্থতুদা স্নান তৌত্রিতৈদা উপবাস (চরা হেনবা) অতুমনক নত্রগা অমুরক্কং ওইরবসু তৌগদবনি॥ মলমাস তাদবা, অশেংবা থাদা, পূর্ণিমা তিথিদা বিধি কায়দনা তীর্থতুদা অতুঙ্গক লুপ্তুনা স্নান তৌগদবনি। কোক যাশনা অতুঙ্গক লুপ্তুনা স্নান তৌরগা, তীর্থতুদা লৈবা জ্ঞানী ব্রাহ্মণদা দান দক্ষিণা পব কৎকদৌবনি। অতুদগী চৎগ্রগা দেবালয়নচিংবা লৈবা য়ুম (মন্দির) দা চক্তুনা সেবা পূজা পবিক্রমানচিংবা তৌগদবনি। চাহ্নবী তীর্থ খুদিংমক্তা হায়রিবা বিধি অসি কায়দনা পাঙ্গদোকদৌবনি। নাক্তা লৈবা তীর্থদা স্নান তৌবদগী লাপ্প লৈবা তীর্থদা স্নান তৌবনা মগুণ চাংবা ফেল্লি। হায়া, মহৌশাদগী মনু মপান্দা ঈশেংত শেংনা লৈবা মীনা তৌবা স্নান অতু যায় মহৈ চাওই। পূর্কীং শেংলবা মীনা মপানগী হুকচাংবু অমুক তীর্থ জলনা স্নান (শেংদোকপা) তৌরব দ মনুং মপান লোংহনা শেংলে। অতুনা হায়া পূর্কীংদা অমকপা য়াওগ্রবা মীনা তীর্থস্নান তৌগদবনি। নত্রবাদ মপানগী হুকচাংদা চোওনা তাকই। পূর্কীংগী অমোংপশিংহুদি অতুম মরৈরি॥ মরম অতুনা অশেংবা মীনা অশেংবা তীর্থদা স্নান তৌবদি মহাম্ললগী মশক্তি। অতুনা, নিয়ম বিধি কায়দনা তীর্থস্নান তৌবগী যাহু শুভোন্দা হায়রবাসনি॥ উমানা হায় :— লোক সাধারণনা মহৌশানা ঈরায় লায়না ফংবা পোৎচৈ কয়া লৈরি। অসিগুম্বা পোৎশিং অসি দান তৌবগী করি ফল (মহৈ) লৈবগে, ঈরায় লায়না ফংবা ঈচম চম্বা পোৎনি হায়হুনা, অসিগুম্বা পোৎশি সি দান তৌবগী মহৈ করিমত লৈরবোইদ্রা? লৈরবদি অসিগুম্বা পোৎকী দানধর্মগী মহৈ কারনো? শ্রীমহেশ্বরনা হায় :— দেবী! লোক অসিদা লৈরিবা সাধারণ ওইবা পোৎশিং অসি অয়াম্বা ভৌতিক (ভৌতিক পদার্থ) মক্তনি। ভৌতিক পদার্থ মথৈ অনিত্যনক্তনি। অসিগুম্বা অনিত্য ভৌতিক পদার্থশিংসিগী দানগী ফল অতু এই হায়গে, তাও।

দাতা প্রতিগ্রহীতা চ দেয়ং সোপক্রমং তথা। দেশকালৌচ ষৎ জ্ঞেতৎ দানং ষড়গুণমুচ্যতে ॥
তেষাং সম্প্রবিশেষা শ্চ কীর্ত্ত্যমানান্ নিবোধমে। আদি প্রভৃতি যঃ শুদ্ধো মনোবাক্কায়কর্ম্মভিঃ ॥
সত্যবাদী জিতক্রোধস্ত্বলুব্ধো নাভ্যসূয়কঃ। শ্রদ্ধাবানাস্তিকংশ্চৈব এবংদাতা প্রশস্যতে ॥
শুদ্ধো দান্তো জিতক্রোধস্তথাদীনকুলোদ্ভবঃ। শ্রুতচারিত্র সম্পন্নস্তথা বহুকলত্রবান্ ॥
পঞ্চযজ্ঞপরোনিত্যঃ নির্বিকার শরীরবান্। এতান্ পাত্রগুণান্ বিদ্ধি তাদৃক পাত্রং প্রশস্যতে ॥
পিতৃদেবাগ্নিকার্য্যেষু তস্য দত্তং মহৎ ফলম যদ যদ হন্তি যো লোকে পাত্রং তস্য ভবেচ্চ সঃ ॥
মৃচ্যেদাপদ মাপন্নো যেনপাত্রং তদস্মৃতং।
অন্নস্য ক্ষুধিতং পাত্রং তৃষিতং তু জলস্য বৈ।
এব পাত্রেষু নানাত্বামিষ্যতে পুরুষং প্রতি।

দান তৌগদৌরিবা দাতা, দান তৌগদৌরিবা দাতব্য (সম্প্রদান), দান তৌগদৌরিবা পোৎ অমগা দান তৌগদবগী হোৎনবকপা মহোৎনা দান অমু তৌগদৌরিবা দেশ (মকম), কাল (মতম) হায়রিবা তরুক অসিদা দোষ করিমত লৈত্রবদি (চপ চাম্নবদি) খ্বাইদগী ফবা দানধর্ম্ম হায়বমু ওই ॥ হায়রিবা তরুক অসিগী গুণশিংমু ঐ মথং মথং হায়রক্নে তাও। মমাইদগী পুক্লাংদা অমাংবা থাথলগী মমি অমত তারকত্রিবা, তৌগোরকপা থাক, হাবদোরকপা তাওথোরকপদা মমুং মপান পূমশেং শেংবা, লোথুপ লোকোই লৈতবা, সত্যবাদী ওইবা (অচুম্বা ভাওবা), অশাউবমু নমকৎপা গুন্না, অপাম্বা মিতৌবা লৈতবা, মীগী দোষ মরাল থাইনা য়ংদবা, ভক্তি শ্রদ্ধা লৈব, আস্তিক ওইদবা, অসিগুম্বা দাতা অদো, অথোইবা দাতা হায়বমুনি ॥ দাতব্য (সম্প্রদান দান লৌগদৌরবা) অমুগী অমুক হায়রগে : - মমুং মপান্দ য়াম্ন শেংবা, ইন্দ্রিয় খুমুম চনবা, অপাম মিতৌবা লৈতবা, শাউবা হৈতবা, পুকচেল চাউবা, অচৌবা শাগেদা পোকপা ; শাস্ত্র জ্ঞান লৈবা, আচার ব্যবহার ফজবা মচা মশু মুপী অমাং য়াম্ন লৈবা পঞ্চ যজ্ঞবু নীংথিনা পাঙথোকলিবা, মশাদা অনা অনেক লৈতবা, অমুগুম্বা মীশক (ব্রাহ্মণ) অমু মতৌকচাবা দানপাত্রনি। অসিগুম্বা দানপাত্রবু লৌকনা, প্রশংসা তৌই। অসিগুম্বা দানপাত্রদা, পিতৃ মাও শ্রাদ্ধকার্য্য বা কর্ম্মদা, যজ্ঞকর্ম্মদা করিগুম্বা দান অমতং তৌরবদি অথোইবা ফল ফংই। দানগী পোৎ অমু লৌবদা মতৌকচাবা মীতমা পোৎ অমু দান তৌগদবা মী অমুনা লৌবদা মতৌক চাবা পোৎ অমুতবুমু দান তৌগদৌবনি। অবাবা ভারবা মীদা দান তৌবদা দান তৌগদৌরিবা পোৎ অমুনা মীমুনা তারিবা অবাবমু কোকহনবা য়াগৎকৌরবদি (ঙমগদৌবা লৈরবদি) পোৎ অমুগী মতৌকচাবা দানপাত্রনি ঙসাইগী অবাবা তারিবা মীমুমক্তা ওইরবনি। লাম্নবা (চানীংঙাই লৈরবা) মীনা অন্নদানগী অথোইবা দানপাত্রনি। ইথৌলাংলবা মীনা জলদানগী অথোইবা অশেংবা দানপাত্রনি। অমুম তৌমুনা তোঙাল তোঙানবা দানবস্তু (দান তৌগদৌরিবা পোৎ) গী তোঙাল তোঙানবা দানপাত্র লৈ।

জারশ্চোরশ্চ ষণ্ডশ্চ হিংস্রঃ সময়ভেদকঃ। লোকবিপ্লকরাশ্চান্যে বর্জিতাঃ সর্বশঃ প্রিয়ে॥
পরোপঘাতাৎ যৎ দ্রব্যং চৌর্যাৎ বালভাত্তে নুস্তিঃ। নির্দয়াল্লভ্যতে যচ্চ ধূর্তভাবেন বৈ তথা॥
অধর্মাদপমোহাৎ বা বন্ধুনামুপরোধনাৎ লভ্যতে যৎ ধনং দেবি তদত্যন্তবিগর্হিতম্।
তাদৃশেন কৃতং ধর্মং নিষ্ফলং বিদ্ধি ভামিনি। তস্মান্ন্যায়াপগতেনৈব দাতব্যং শুভমিচ্ছতা॥
যদ যদাত্মপ্রিয় নিত্যং তৎ তদেব দেয়মিতিস্থিতিঃ। উৎক্রমমিমং বিদ্ধ দাতৃণাং পরমং হিতম্॥
পাত্রভূতং তু দূরস্থমভিগম্য প্রসাদ্য চ। দাতা দানং তথা দদ্যাৎ যথাতুষ্যেত তেন সঃ।
এষ দানবিধিঃ শ্রেষ্ঠঃ সমাহূয় তু মধ্যমঃ।
পূর্বং চ পাত্রতাং জ্ঞাত্বা সমাহূয় নিবেদ্য চ। শৌচ তমঃ সংযুক্তং দাতব্যং শ্রদ্ধয়া প্রিয়ে॥
যাচিতৃণাং তু পরমমাভিমখ্যং পুরস্কৃতম্। সম্মান পূর্বং সংগ্রাহ্যং দাতব্যং দেশকালয়োঃ॥
অপাত্রেভ্যোঽপি চান্যেভ্যো দাতব্যং ভূতিমিচ্ছতা।

চান্নথোইবী পার্বতী। হুরানবা, (ডাকু) য়ান্ন ওক্কবা, নপুংসক, হিংসা তৌবা মী, লোকমর্য্যাদাদগী বাংমদা লৈথ্রবা, মীগী থবক্তা য়ৈথায়বা পীগনবা অসিগুম্বা মীশবশিংদা দান তৌরোইদৌবনি॥ দেবী! অতোপ্পা অমবু হাংলু লিল্লুহুন', নম হাম্নুনা, হুম্নুনা, থৌজাল হৈতনা নমথাক তৌহুনা পুরকপা পোৎ-চৈ শেল-থুম, অদুগা ধর্ম কায়না অতোপ্পা অমগী জীবিকাবু বকপৎপিহুনা পুরকপা শেল অসিগুম্বা মীনম শোহ্নিবা লন্থুম্না দান তৌবগী মহৈ করিমত লৈতে। মরম অহুনা অশিংবা মীনা হীরম খাদদা দোষ করিমত লৈত্রবা, ধর্ম কায়দনা তপ্পকপা ধন (শেল লল) অত্তন দনধম তৌগদৌবনি॥ মশানা য়ান্ন পামজনা থম্বা পোৎ অদু দান তৌথোকপনা অপোইবা দানগী মর্য্যাদানি। অসিগুম্বা তৌজমদবা থবক তৌবদু দানগী উৎক্রম হায়বদুনি॥ দাতব্য লৈগদবা মতাংচাবা, দান লৌবগী তত্ত্ব খঙবা ব্রাহ্মণ অহুনা লাপ্প লৈগ্রবস্ মনাক তান্ন চত্নুনা দান তৌরুবদু দাতব্যদুগী পূর্কীদা শ্রেষ্ঠা পম্নবগী মথক ওই। দান তৌব হায়রবসি দাতা মশাগী পেজবা দাতব্যদুগীস্তু পোলহন্নবগীদমক। নাসিনি দানগী বিধি অমতি তত্ হায়ববু। দানপাত্র (দাতবা দান লৌগদৌরিবা) অদু মুমদা নংথিনা হায়জহুনা কৌরগা দান তৌগদৌবনি মাসিম্ মধ্যমবৃত্তিগী দাননি উত্তম দান হায়বদু'দ নত্তে। অহানবদা, দান লৌবগী মতীকচাবা, দানগী তত্ত্ব খঙবা ব্রাহ্মণ হায়বদু মুন্না পুললগা, মতীকচারবা অদুবু থরনজহুন মুমদা কৌরগা দান তৌগদৌবনি মহাক্কা মমাঙদা, দানগী বিষয় অমাদ বস্তু অদুবু থম্নগা থেন্দুনা থমগদৌবনি। অহুগা দাতা অদু স্নান নৌচংবনা মন্ত্রঃ মথান জোইনা শেংদোক্লগা আচমন তৌরগা দান বস্তু অদু দাতাহুন। কংকদবনি। মুমদা খোঙ্গান্দা লাক্তুনা নিরবা লাবপা ভিক্ষারীবু কৌশিন্দুনা তরাম তরাম্না শুজুনা অমত ওইবগী ভাবতা দেশকালগী মতুং ইন্না দান তৌগদবনি। ঐশ্বর্য্য পান্নশিংনা (মংচৎনাচিংব পান্নশিংনা) দান লৌবদা মতীক চাদবা, দানপাত্র ওইদবশিংতুদসু অন্ন বস্ত্রনচিংবা দান অহুম তৌগদবনি, দোষ লৈতে॥

পাত্রাণি সম্পরীক্ষ্যৈব দাত্রারৈদানমাত্রয়া। অতিশক্ত্যা পরং দানং যথাশক্ত্যাতু মধ্যমম্‌ ॥
তৃতীয়ং চাপরং দানং নানুরূপমিবাত্মনঃ ॥
যথাসম্ভাবিতং পূর্বং দাতব্যং তং তথৈবচ। পুণ্যক্ষেত্রেষু যৎ দত্তং পুণ্য কালেষু ব। তথা ॥
তচ্ছো ভনতরং বিদ্ধি গৌরবাৎ দেশকালয়োঃ।

উমোবাচ

যশ্চ পুণ্য তমো দেশস্তথা কালশ্চ শংস মে ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

কুরুক্ষেত্রং মহানদ্যো যচ্চ দেবর্ষি সেবিতম্‌। গিরির্বরশ্চ তীর্থানি দেশভাগেষু পূজিতঃ।
গ্রাহীতুমীপ্সতে যত্র দত্তংমহাফলম ॥
শরদ্বসন্তকালশ্চ পুণ্যমাসস্তথৈবচ। শুক্লপক্ষশ্চপক্ষাণাং পৌর্ণমাসী চ পর্বসু ॥
পিতৃদৈবতনক্ষত্রনির্মলো দিবসস্তথা। তচ্ছোভনতরং বিদ্ধি চন্দ্রসূর্য্যগ্রহে তথা ॥
য দেব যুগপৎ সম্পৃৎ তত্রদানং মহৎ ভবেৎ ॥

দানপাত্র ওইগদৌরিবতুগী মতীক চাবা চাদবা, য়াম্ন মুন্না য়েংতুনা, অতুনা দান তৌগদৌরিবা পোৎ অতুগী মাত্রা (মশীং) অতুস্তু মুন্না য়েংতুনা, মহাক্না ওমজবা শক্তিদগীস্তু হেন্দোক্না দান তৌরবদি, মাতু উত্তম (য়াম্ন ফবা) দান অমনি। মানা ওমজবা খরদং তৌরিবা দান অতুনা মধ্যমনি। হায়বদি যাম্ন হন্নবস্তু নত্তবা খ্বাইদগী হেনবস্তু নত্তবা মরক্কী দাননি। দাতা মশানা তৌবদা মশাগী ফীবমদগী কা হেন্না, অচাউরোম কানীংতুনা তৌবা দান অতুনা অধম দাননি। খ্বাইদগী হন্থবা দানান ॥ এৌনা হায়খ্রিবশিং অসিগী বিধি মতুংইন্না দান তৌগদৌবনি। পুণ্যক্ষেত্র, পুণ্য তীর্থদা পুণ্য ওইবা দিন (মুমিৎ), দা দেশকালপাত্র য়েংতুনা তৌবা দান অতু ওস্তোম্ন শুভ (অফবা মঙ্গল পীনহৈবা) ওইবা দাননি। উমানা হংজি : - য়াম্ন শেংবা মফম মতম হায়বসি করি করিনো, মাতু তাকপিয়ু ॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—দেবী। কুরুক্ষেত্র অমুপা গঙ্গানচিংব অচৌ অচৌবা তুরেল, দেবতাশিং অমদি ঋষি মুনিশিংনা লৈবা মফম লাইশিংগী খুন্তম লৈবা অথোইবা অরাংবা চীঙ মথোয়শিংহু তীর্থ ওাকুনি। অসিগুম্না মফমদা লৈরিবা জ্ঞানী ঋষি মুনিশিংতুদা তৌবা দান অতুগী মহৈ য়াম্না চাউই ॥ শরৎ অমদি বসন্ত ঋতুগী মতম, মলমাস তাদবা, অশেংবা থা, পক্ষশিংগী মনুংদা শুক্ল পক্ষ, পর্বশিংগী মনুংদা পৌর্ণ মাসী, অথোইবা নক্ষত্রনা পানবা (তিনবা) মতুবা দিবস (নুমিৎ), চন্দ্রগ্রহণ, সূর্য্যগ্রহন তাবা নুমিৎ,—মথোয় অসি দানধর্ম তৌননবা অশেংবা মতম (নুমিৎ) নে ॥ মথক্কা হায়খ্রিবা গুণশিংনা তিনবা দাতা, মফম মতমগা চুনরবা দানবস্তু, দান লৌগদৌরিবা মতীকচাবা দাতব্য, হায়খ্রবা পুণ্য চেল্লবা, মফম মতম, পুন্নমক অসিনা পুন্নপ তিনবা অহুবুনি সর্বশুদ্ধি হায়রিবসি ॥

অত্যল্পমপি যৎ দানমেভিঃ ষড্‌ভিগুণৈর্যুতম্ ।। ভুক্তানন্তং নয়েৎ স্বর্গং দাতারং দোষবর্জ্জিতম্ ।।

উমোবাচ

এবং গুণযুক্তং দানং দত্তং চাফলতাং ব্রজেৎ ।।

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

তদপ্যস্তি মহাভাগে নরাণাং ভাবদোষতঃ ।

কৃত্বা ধর্মন্তু বিধিবৎ পশ্চাত্তাপং করোতি চেৎ । শ্লাঘয়াবা যদি ব্রূয়াৎ বৃথা সংসদি কৃত্তম্ ।।

এতে দোষা বিবর্জ্জ্যাশ্চ দাতৃভিঃ পুণ্য কাঙ্ক্ষিভিঃ ।।

সনাতনামিদং বৃত্তং সদ্ভিরাচরিতং তথা । অনুগ্রহাৎ পরেষাং তু গৃহস্থানামৃণং হিতং ।।

ইত্যেবংমন আবিশ্য দাতব্যং সততং বুধৈঃ ।।

এবমেব কৃতং নিত্যং সুকৃতং শুভং ভবেন্মহৎ । সর্বসাধারণং দ্রব্যমেধং দত্ত্বা মহৎ ফলম্ ।।

লাইগী নোংদমদগী হায়রিবশিংনা অমত হায়তনা তিন্দবা দান অহু হায়রুমদনা ওহোক্না চাউবা মহৈ ফংঙি । হায়রিবা গুণ তরুক অসিনা তিনবা মকম মতমচুদা দানগী বস্তু অহুনা য়াম্মত্রবস্তু খিত্তা ওইরবসু য়াম্না চাউরবা মহৈ পী । দাতা অদুবু স্বর্গ কাহল্লি ।। উমানা হায় :—দেবদেব ! হায়রিবা গুণ পুম্নমক অসিনা তিনবা দান অদুসু করিগুম্না মরম শমনগী কাল্লবা মহৈ য়াম্নবসু য়াওব্রা ? ।। শ্রীমহেশ্বরনা হায় :—লাইবক ফবী ! চুম্মি, তাইবং মীগী পুক্নীংদা (ভাবনাদা) গুণ দোষনী য়াকমসু য়াম্ন লৈ । ভাবনাদা দোষ লৈরবদি মহৈ অহু, অল্লম মরেত্রে । অকবা মকম মতমদা তৌখিবা দোষ করিমত য়াওব্রবা দান ওইরবসু, দান অহু তৌরবা মতুংদা তুংদা নীংগম্নক্কবা, পাম্নবী ভাবনা পোক্লকবদি অহুগা তৌব্রিবা গুণ চেল্লবা দান অহু তৌরগা মাহুবু মরামদা, সভাদা খঙহনীংলক্কুনা লোকসমাজগী প্রশংসা (থাগৎপা) পাম্নক্কুনা মরামদা পাউজেল্লকবান, (লাউথোক্লকবদি) তৌব্রিহা অহুরু গুণ চেল্লবা দান অদো, করিমত কাল্লত্রে ।। পুণ্য ফংনিংবা দাতানা দুর্ভাবনানচিংবা দোষশিং অসি দানহুনা করিমত লৈহল্লোইদৌবানি । দানগী অসিগুম্না নিয়ম বিধি অসি অা মনাইদগী লেঙ্গদনা লৈরক্লবা সনাতন ধর্মবিধিনি । সৎপুরুষশিংনা অসিগুম্না নিয়ম অসি ওসি ক্ষাওবা ওাক্লি । দান হায়বসি অতোপ্পদা অনুগ্রহ তৌহুনা (মুংশিহুনা) তৌনবনি । গৃহস্থাশ্রমদা লৈবা মী পুম্নমক অতোপ্পগী লমন তোনবা ওাক্কনি । দান অহু তৌরগঙ্গা লমন অহু কোক্লিবনি । অসি খঙহুনা অশিংবশিংনা দান হায়বহু তৌনরিবনি । দান তৌবা হায়বসে সুকৃত কর্ম (পুণ্য কর্ম) অমনি । তত্ত্বজ্ঞসিবু খঙহুনা বিধি কায়হুনা তৌরিবা দান অদো, উচম চন্থা, পোৎ ওইরবসু য়াম্ন চাউবা মহৈ পী ।।

উমোবাচ

ভগবন্ কানি দেয়ানি ধর্মমুদ্দিশ্য মানবৈঃ তান্যহং শ্রোতুমিচ্ছামি তন্মে শংসিতুমর্হসি ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

অন্নম্ ধর্মকার্য্যং চ তথা নৈমিত্তিকং প্রিয়ে। তণ্ডুলং প্রতিশ্রয়ো দীপঃ পানীয়ং তৃণমন্থনম্ ।
স্নেহো গন্ধশ্চ ভৈষজং তিলাশ্চ লবণং তথা। এবমাদি তথান্যচ্চ দানমাজ্ঞপ্রয়চ্যতে ॥
অন্নং প্রাণো মনুষ্যাণামন্নদঃ প্রাণদো ভবেৎ। তস্মাদন্নং বিশেষেণ সোহনন্তং পারলৌকিকম্ ॥
শ্রান্তমধ্বপরিশ্রান্ত মতিথিং গৃহমাগতম্। অর্চয়েত প্রযত্নেন স হি যজ্ঞো বরপ্রদঃ ।
পিতরস্তস্য নন্দন্তি সুবৃষ্ট্যা কর্ষকা ইব। পুত্রো যস্য তু পৌত্রো বা শ্রোত্রিয়ং ভোজয়িষ্যতি ।
অপি চাণ্ডাল শূদ্রাণামন্নদানং নগর্হতে। তস্মাৎ সর্ব্বপ্রযত্নেন দদ্যাদন্নমমৎসরঃ ॥
অন্নদানাচ্চ লোকাংস্তান্ সম্প্রবক্ষ্যাম্যনিন্দিতে। ভবনানি প্রকাশন্তে দিবি তেষাং মহাত্মনাম্ ॥

উমানা হংজি :— ভগবন্! তাইবং মীনা করম করম্বা উদ্দেশ্যদা করম করম্বা পোশকপু দান তৌগদগনি মাসি ঐ খঙজনীংজি। চানবিত্নু তাকপিয়ু॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায়ঃ মুনিং খুদিংগী তত্তনা ধর্ম কর্মগী পক্ক খর খর তৌগদবনি অমুগা লোয়ন লোয়ননা নৈমিত্তিক কম বুম্ব তৌকম থোকই। চাক য়েঙ্গাং লৈফম, পাউমৈ, ঈশিং, নাপী, শীং, থুম থাউ, মনম মুংশিনা লোং, হীদাক লা তক অসিনচিংবসে তত্তনা তৌবা দানগী সামগ্রী (মচাক) গাক্তনি॥ অন্ন (চীঙ্গাক) হায়বসি তাইবং নীগীত নত্তনা জীব অয়াম্বগী ধবাবনি। অত্তুনা, অন্নদান হায়বসি প্রাণদাননি অত্তুনা খুাইদগী হেনবা দান অম ওইনা অন্নদানবু তৌগদবনি। মর্ত্তবচাবা ব্রাহ্মণদা অন্নদান তৌরিবা মী মহাক অন্ত পরলোকতা মশাগী মহাসম্পাত্তি (সনা লুপা কোচেং) বু লৈখত্তুনা থমজরবনি (পমজরবগা অম্মানি)॥ লম্বা-লমশাং চৎলুবদা বারা চাকারা, লাংগুম্ব সুমদা চঙলক্লবদি (লাক্লবদি) তরাম তরামা ফক্তুনা অতিথি সংকার তৌগদবনি। অতিথি সংকার হায়বসি নীব পুম্বা খুংহনবা মহাযজ্ঞ অমনি॥ মর্ত্তালোকতা মচানা নত্রগা মশূনা বেদজ্ঞ শ্রোত্রিয় ব্রাহ্মণবু পীজ পীথক্লবদি (ব্রাহ্মণ ভোজন কংলবদি) প্রলোকতা মপামপুম্ব, নোং তারক্লগা লৌউবনা পেঙ্গবত্তুঙ্গা, শুম্বোক্লা পেন্ধে॥ লায়বা চাণ্ডাল শূদ্র কাপ্পবদা অতিথি সংকার তৌদুনা পীজবত্ব করিমত্ত নিন্দা তৌননীঙায় ওইদে। মরম অত্তুনা তুক্কজবা, নিন্দা, দ্বেষ, পুম্বমক পাদোক্তুনা অন্নদান তৌগদবনি॥ নশাদা নিন্দা তৌননীঙায় লৈত্রবী পার্বতী। অন্নদান তৌবা মীনা কংগদবা লোক অমদি মহৈদো ঐ হায়গে তাও। অন্নদান তৌবশিংনা চৎলু য়োরুগদব মকম অমদি য়ুমদি দেবলোকতনি ॥

অনেকশতভৌমানি সান্তর্জলবনানিচ। বৈদূর্য্যার্চিঃ প্রকাশানি হেমরূপ্যানিভানিচ॥
নানারূপানি সংস্থানাং নানারত্নময়ানিচ। চন্দ্রমণ্ডলশুভ্রানি কিংকিনীজালবন্তি চ॥
তরুণাদিত্য বর্নানি স্থাবরাণি চরাণিচ। যথেষ্ট ভক্ষ্য ভোজ্যানি শয়নাসমবন্তি চ॥
সর্বকামফলাশ্চাত্র বৃক্ষা ভবন সংস্থিতাঃ। বাপ্যো বহ্ব্যশ্চ কূপাশ্চ দীর্ঘিকাশ্চ সহস্রশঃ॥
অরুজানি বিশোকানি নিত্যানি বিবিধানি চ। ভবনানি বিচিত্রাণি প্রাণদানাং ত্রিবিষ্টপে॥
বিবস্বতশ্চ সোমস্থ ব্রহ্মণশ্চ প্রজাপতেঃ। বিশন্তি লোকাংস্তে নিত্যং জগত্যন্নোদকপ্রদাঃ॥

তত্র তে সচিরং কালং বিহৃত্যাপ্সরসাং গণৈঃ।
জায়ন্তে মানুষে লোকে সর্বকল্যাণ সংযুতাঃ॥
বলসংহননোপেতা নীরোগাশ্চিরজীবিনঃ।
কুলীনা মতিমন্তশ্চ ভবন্ত্যন্ন প্রদা নরাঃ॥
তস্মাদন্নং বিশেষেণ দাতব্যং ভূতিমিচ্ছতা।
সর্বকালং চ সর্বস্ত সর্বত্র চ সদৈব চ॥

মথোয়না লৈরুগদবা য়ুম অদু মথোল চাম চামনি য়ুমগী মথোল অমমমগী মমুংদা, পুথ্রী, হৈকোল লৈকোল লৈ। য়ুমগী সৌড়ী (পাক) ফল্লাং য়ুম্বীশিংদু বৈদূর্য্য মনি, মরকতমনি, ইন্দ্রনীলমনি মক্তনা হক্তুনা থানচুনা শাই। সনা লুপা হী য়াইগী মশেক মণ্ডান্তনা পূমথল থল্লি। য়ুম মথোলশিংদু মওং মতৌ তোঙাল তোঙাল্লি খরনা ভৌরুনরবা থাগী মচু মাল্লি মণি মুক্তা হুংলবা লংজানা শাবা ঝালর (পর্দার) না থোঙ পোঙনাউশিং অদু ভগুপ তরেংনা নীংথিজৈ। খরনা থোরকপদা ঙায়বা মুমিংবী মশেকুম নীংশিজৈ। মহাত্মাশিংদুনা লৈরুগদবা য়ুমশিং (বিমানশিং) অদু খরনা লেঙদনা লৈ। খরনা কোয়পায় পাই। চানীং শক্লীংবা পোচ্চৈনা বাস্ত পাদনা থন্না লৈ। য়ুমশিংদুগী অকোয়বদা কল্পবৃক্ষ পারিজাতবৃক্ষনাচ্‌নবা হোনা নীংশিজৈ। পুথ্রী, কুহানচিংবা থন্না লৈ॥ প্রাণগী মশক ওইবা অন্নবু দান তৌরবা অন্নদাতা (প্রাণদাতা) না ফংলুগদবা লৈরুগদবা য়ুমশিং অদু ভগুপ তরেং নীংথিজরবা মণিমুক্তানা থাল্লবা পোচ্চৈনা থল্লনা ঙাক্তনি। মফমশিং অদুদা শিব নাবা অনায়েক করিমত লৈত্রবা ঙাক্তনি। অন্নজলদানা তৌবা মী মথাক অদুদ চন্দ্রলোক সূর্য্যলোক অদুদা হেন্দোক্তুনা প্রজাপতি ব্রহ্মাগী ব্রহ্মালোকতা লৈরুরগদনি। হায়রিব লোকশিংসিদা মতম কুইনা অপ্সরা গন্ধর্বীশিংগা লোয়ননা শান্নমিন্নরুব তুংদা মর্ত্তালোকতা অমুক সুখসম্পত্তি পুন্নমক্তা পল্লবা মফমদা (য়ুমদা) পোক্লে॥ অদুগুম্বা মথোয় অদু, শক চু ফজরবা মশা মও নোয় পেল্লবা, অনায়েক য়াওদবা, কুইনা পুনশিবা, শাগৈ অরাংব থাক্তা পোকপা য়াম্না জ্ঞানী ওইব। অন্নদাতা ওইবা ওইনা পোক্লে॥ মরম অদুনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মঙ্গল ওইনিংবাশিংনা মফম মতম পুন্নমক্তা অন্নদান তৌগদবনি, তৌননবা হোৎনগদবনি॥

সুবর্ণদানং পরমং স্বর্গ্যং সত্যমুত্তমং মহৎ। তস্মাত্তে বর্ণয়িষ্যামি যথাবদনুপূর্ব্বশঃ॥
অপিপাপকৃতং ক্রুরং দত্তং রুক্মং প্রকাশয়েৎ॥
সুবর্ণং যে প্রযচ্ছন্তি শ্রোত্রিয়েভ্যঃ সুচেতসঃ। দেবতাশ্চ তর্পয়ন্তি সমস্তা ইতি বৈদিকম্।
অগ্নির্হি দেবতাঃ সর্ব্বাঃ সুবর্ণং চাগ্নিরুচ্যতে। তস্মাৎ সুবর্ণদানেন তৃপ্তাঃ স্যুঃ সর্ব্ব দেবতাঃ॥
অগ্ন্যভাবে তু কুর্ব্বন্তি বহ্নিস্থানেষু কাঞ্চনম্। তস্মাৎ সুবর্ণদাতারঃ সর্ব্বান্ কামানবাপ্নুয়ুঃ॥
আদিত্যস্য হুতাশস্য লোকান্নানাবিধান্ শুভান্। কাঞ্চনং সম্প্রদায়াশু প্রবিশন্তি ন সংশয়ঃ॥
অলংকারং কৃতং চাপি কেবলাৎ প্রবিশিষ্যতে। সৌবর্ণৈরক্ষণং কালে তৈরলং কৃত্য ভোজয়েৎ॥
য এতৎ পরমং দানং দত্বা সৌবর্ণমদ্ভুতম্।
দ্যুতিং মেধাং বপুঃ কীর্ত্তিং পুনর্জাতে লভেৎ ধ্রুবম্॥
তস্মাৎ স্বশক্ত্যা দাতব্যং কাঞ্চনং ভুবিমানবৈঃ।
নহ্যেতস্মাৎ পরং লোকেষচ্চৎ পাপাৎ প্রমুচ্যতে॥

সুবর্ণদান (সনা দান তৌবা) হায়বসিসু স্বর্গগী মুংঙাইববু ফংননবগী চাউরবা উপায় (সাধনা) অমনি। সুবর্ণদানগী তত্ত্ব অসি, ঐ মথং মথং হায়থরক্নে। পীথোকপ্রবা (দান তৌথোকপ্রবা) সনা অদুনা, পাপাচারী ওইরবা কত্রবা মী ফাওবা পুমঙাল ঙালহল্লি॥ পুকচেল শেংলবা মীনা, বেদজ্ঞ শ্রোত্রিয় ওইবা ব্রাহ্মণদা সুবর্ণদান তৌরবদি, মহাক্না দেবতা পুম্নমকপুসু লোইনা পেলহল্লবনি। মাসি বেদগী মত অমদি প্রমাণনি॥ অগ্নি (অগ্নি দেবতা) হায়বসি দেবতা (লাই) পুম্নমককী মশকনি (অউবা মশক্নি)। সনাসু লৈনুংদা পৃথিবীদা লৈবা মৈ (মঙাল) নি। অদুনা সনা দান তৌবসি অগ্নিদান, (দেবতা পুম্নমক্ত তৌবা দান) নি। অদুনা অগ্নিদান, হায়বদি, সুবর্ণতনা দেবতা পুম্নমকপু পেলহনবা ঙম্মি॥ অগ্নি য়াওদবা, যাগযজ্ঞগী কর্ম্মদা সুবর্ণ (সনা) না মহুৎশিন্ন হাপনৈ। অদুনা সুবর্ণদাননা দাতাগী নীংব পুম্বা থুংহল্লি। সুবর্ণদান তৌবা মী মহাক অদুদি অমুক পন্থবা তৌদনা। সূর্য্যদেব অমদি অগ্নিদেবগী তোঙাল তোঙানবা, মথল মথা অয়াম্বা মঙ্গলগী মশক ওইবা লোকতা চঙহনা সৈ্থি। মাসিদা চিংনরুম কল্লিমত লৈত্রবনি। সুবর্ণ (সনা) মকী দানথুদগীসু সুবর্ণদুনা শাবা লৈতেং (থুজী নাচিমচিংবা) দান তৌবনা অথোইবনি। অদুনা ব্রাহ্মণদা দান তৌবা মতমদা, ব্রাহ্মণবু সনানা লৈতেংহন্দুনা ভোজনহনচিংবা কত্তুনা দান তৌগদবনি। অসিগুম্বা, অমনা পাক তৌঙমদবা দানবু তৌব. মী মহাক অদু, অতোপ্পা মপোক্তা, হকচাং কায়াৎ চুং কিন্নান চাবা, মশক মচু কজবা, মশেক মঙালগা লোয়ননা বুদ্ধিমান কীর্ত্তিমান (মিংচৎ চাউবা) ওইবা মীশক অম ওইনা পোকই। অদুনা, অসিগুম্বা খুত্তদু কংনিংব মীনা মহাক্না ঙমজবা থরাং মরক মরক্তা সুবর্ণদান তৌগদৌবনি। সংসারসিদা, মাসিদগী হেনবা দান অতৈ অমা লৈতে। সুবর্ণদাননা দাতাদুবু পাপ পুম্নমক্কী নাম্থোকহল্লি॥

অতঃ ঊর্দ্ধং প্রবক্ষ্যামি গবাংদান মনিন্দিতে।
ন হি শ্রেষ্ঠঃ পরং দানং বিদ্যতে জগতি প্রিয়ে॥
লোকান্ সিসৃক্ষুণা পূর্ব্বং গাবঃ সৃষ্টাঃ স্বয়ম্ভুবা।
বৃত্ত্যর্থং সর্বভূতানাং তস্মা তা মাতরঃ স্মৃতাঃ॥
লোকজ্যেষ্ঠা লোকবৃত্তা প্রবৃত্তা মযায়ত্তা সোমনিস্যন্দভূতাঃ।
সৌম্যাঃ পুণ্যাঃ কামদাপ্রানদাশ্চ তস্মাৎ পূজ্যাঃ পুণ্যকামৈর্ম্মনুষ্যৈঃ॥
ধেণুং দত্ত্বানিভূতাং সুশীলাং কল্যাণ বৎসাং চ পয়স্বিনীং চ।
যাবন্তি রোমাণি ভবন্তি তস্যাস্তাবৎসমাঃ স্বর্গ ফলানি ভূঙক্তে॥

চায়বী। সুবর্ণদানগী তত্ত্ব হায়রবসিগী তুংদা গোদানগী মরমদা অমুক হায়রগে। নিন্দা তৌননীঙায় লৈত্রবী। জীব পানবা পোৎপু দান তৌবশিংগী গোদানদগী হেনবা অতৈ দান অমত লৈত্রে। মমাঙৈ সৃষ্টিগী মতমদা বিষ্ণুগী হকচাংদগী মখা মথন্তনা চোংথোকচরকপা (স্বয়ম্ভু) প্রজাপতি ব্রহ্মানা জীব পুম্বগী জীবিকাগী মশক ওইবী গো (শল) গী সৃষ্টি তৌখি (শেমখি)। অদুগীদমক্ত শল (শম্বী) বু গোমাতা হায়নরিবসিনি॥ জীব পানবা পুম্নমক্কী মন্নুংদা গো দাননা খ্বাইদগী অথোইবনি। গোগী সৃষ্টি তৌখিবসে জগৎ পুম্বগী উপকারগীদমক্তনি। ঐগী ঈথা পোনবনি থা (চন্দ্রমা) গী অমৃতগী মশক ওইবা দ্রব্যদগী পোকখিবীনি *। য়াম্ন তপ্পীনি। পুণ্য চেনবীনি। নীংব পুম্বা থুংহনবীনি। অদুনা, পুণ্য চেনবা পাম্নশিংগী মফমদা মহাপূজনীয়নি॥ মখা মউ ফবী, নোয় পেনবী, মচিং হৌদবী য়াম্ন তপ্পী, অফবা মচা চেনবী শম্বীবু মচাদুগা লোয়ননা দান তৌবা দাতা মহাক অদুদি শম্বীদুগী মশাদা পাল্লিবা (হৌরিবা) মতুগী মশীং অদুপ য়াম্ন চহীগী মশীং চুপ্পা স্বর্গদা মুংঙাইনা স্বর্গগী মুাঙাইবা পুম্বা ভোগ তৌদুনা (চাদুনা) লৈ॥

* টীকা:—শল (শম্বী) বু ঐগী ঈথা পোনবনি হায়না মহাদেবনা হায়রিবসিগী তত্ত্বদি:- মহাদেবগী থোঙনেৎ (শাদোং) দি শল্লাবনি। অদুনা, শল্লাবদি মহাদেবগী মখা পোনবনি। থোঙখাদা লৈবনি। শল্লাবগী বীর্য্যদগী শম্বী শল্লাও পোকই। শম্বীনা মচা পোক্লগা শজোম পী। শজোমদুদা অমৃত য়াওরি। অদুগুম্বা অমৃতগী পোককম চন্দ্রমা (থা) বু মহাদেবনা কোক্তী লৈজেং অম ওইনা লৈহনবনি। অদুগুম্বা থাদা লৈবা অমৃতবু শম্বীগী হকচাংদা চঙহনখিবনি। অমৃত হায়বদি মৃত ওইদবা (শিদবা) হায়বনি। হায়বদগী মৃত্যুবু ওইহন্দবনি জয় তৌবনি। অদুনা মহাদেববু মৃত্যুঞ্জয় কৌবনি।
(কালাচাঁদ)॥

প্রযচ্ছতে যঃ কাপিলাং সচৈলাং সকাংস্যদোহাং কনকাগ্র্যশৃঙ্গীম্ ।
পুত্রাংশ্চ পৌত্রাং কুলং চ সর্বমাসপ্তমং তারয়তে পরত্র ॥
অন্তর্জাতাঃ কৃতকা দ্যূতলব্ধাঃ প্রাণক্রীতাঃ সোদকা শ্চৌজসাবা ।
কৃচ্ছোৎসৃষ্টাঃ পোষণার্থাগতাশ্চ দ্বারৈরেতৈস্তাঃ প্রলব্ধাঃ প্রদত্তশ ॥

কৃশায় বহুপুত্রায় শ্রোত্রিয়ায়াহিতাগ্নয়ে । প্রদায় নীরুজাং ধেনুং লোকান্ প্রাপ্নোত্যন উত্তমান্ ।
নৃশংসস্য কৃতঘ্নস্য লুব্ধস্যানৃতবাদিনঃ । হব্যকব্যব্যপেতস্য ন দদ্যাৎগাঃ কথংচন ॥
সমানবৎসাং যো দদ্যাৎ ধেনুং প্রিয়ে পয়স্বিনীম । সুবৃত্তাং বস্ত্রসংছন্নাং সোমলোকে মহীয়তে ॥

সমানবৎসাং যো দদ্যাৎ কৃষ্ণাং ধেনুং পয়স্বিনীম্ ।
সুবৃত্তাং বস্ত্র সংছন্নাং লোকান্ প্রাপ্নোত্যপাম্পতেঃ ॥

হিরণ্যবর্ণাং পিঙ্গাক্ষীং সবৎসাং কাংস্যদোহনাম । প্রদায় বস্ত্রসংছন্নাং যাতি কোবেরসদ্মনঃ ॥

শেঙ্গেগী শঙ্গোম থোময়াপাত্রগা লোয়ননা, মচি সনা লুপানা য়োন্বী, য়োংমানবা শন্বীবু শন্বীহুগী বেষ আভরণগা লোয়ননা (শন্বীহুগী মশাদ ফজবা ফীজোম্না কুপ্লিহুনা) দক্ষিণাগা লোয়ননা দান তৌবা দাতা মহাক অহুদ মমারোমগী পুরোল তরেৎ মমারোমগী পুরোল তরেৎ অহুদা নত্তনা শাগে নাতৈ ডাই শেংস পুন্নকপুন্থ উদ্ধার তৌরবনি । মশাগী লৈকনদা মশাগী শলশংদা, পোকখিবী, নত্রগা অতোপ্পা অমদগী লৈহুনা য়োকপী, নত্রগা পোন্থা পানহুনা চৌবরনচিবা । করিগুম্বা মশান্ন অমদগী ফংলকপী, নত্রগা জীব পানবা অমগা শিন্নহুনা লৌকবা নত্রগা নমল চপ চানা পীহুনা লৈরুবী, নত্রগা লাল ডনহুসা লোই-পোংশিংগী মনুংদা য়াওরকপী, কামদা পুথহুনা অয়াব খুদোংথীবদগী কনবিরক্লবী, নত্রগা নীংথিনা য়োক লাক্কে হায়রহুনা পুরকপী, অহুগুম্বা শম্বাবু ঈশং পায়হুনা, পূর্কাং শেংনা সংকল্প তৌহুনা দান তৌগদবনি ॥ জীবিকা লৈজদবদগী চানা ডাহ লৈত্রবা লায়রবা, নপাঙ্গল শোল্লবা, মচাশিংদি য়াম্ন পোকশিল্লরবা, অগ্নিদা হোম চিংবাদ ডত্তনা তৌজবা, অহুগুম্বা শ্রোত্রিয় ব্রাহ্মণদা, মথোম ডান্নিবী, মশাদা লায়না লৈতবী, শন্বীবু মচাগা লোয়নন দান তৌবা দাতা অহু খ্বাইদগী হেনবা লোক (ধাম খুডম) পু ফংগনি ॥ মরমচৎ ফত্তবা তৌবিমল খঙদবা য়াম্ন লোভী লেইবা, নীনম্বা ডাত্তপনবা, হোম জপ তৌগন্দবা, অসিগুম্বা মীশক্তা গোদান থক ন্তৌরোইদোবান ॥ মপী (মমা) গা কুচু মান্নবা শন্নাউ চেনবী, য়াম্ন তেবী, মথোম য়াম্ন থোকপী, শন্বীবু নীংথিবা ফজোল কুপ্লিহুনা ব্রাহ্মণদা দান তৌবা দাতা অহু সোমলোক (চন্দ্রলোক) তা য়োই ॥ মমা (মপী) গা কুচু মান্নবা শন্নাউ চেনবী, মথোম থোকপী, য়াম্ন ডম্মী, শন্বী অমুবীবু ব্রাহ্মণদা দান তৌবা দাতা অহু বরুণ লোকতা য়োই । সনা মচু মানবী, মমীৎ ব্রাউথাংবী, শন্বীবু মচা (শন্নাউ) গা শেঙ্গেংগী থোময়া পাত্রগা লোয়ননা, মনঙ্গন্দা ফীজোল কুপ্লিহুনা ব্রাহ্মণদা দান তৌরবা দাতা অহু কুবের লোকতা য়োই ॥

বায়ুরেণুসবর্ণাং চ সবৎসাং কাংস্য দোহনাম্। প্রদায় বস্ত্রসংছন্নাং বায়ুলোকে মহীয়তে ॥
সমানবৎসাং যো ধেনুং দত্ত্বা গৌরীং পয়স্বিনীম্। সবৃত্তাং বস্ত্রসংছন্নামগ্নিলোকে মহীয়তে ॥
গ্রাসমুষ্টিং পরগবে দদ্যাৎ সংবৎসরংশুচিঃ। অকৃত্বা স্বয়মাহারং ব্রতং তৎসর্বকামিকম্।
গবামুভয়তঃ কালে নিত্যং স্বস্ত্যয়নং বদেৎ। ন চাসাং চিন্তয়েৎ পাপমিতি ধর্মবিদোবিদুঃ ॥
গাবঃ পবিত্রং পরমং গোষু লোকাঃ প্রতিষ্ঠিতাঃ। কথংচিন্নাবমন্তব্যা গাবো লোকস্য মাতরঃ॥

তস্মাদেবগবাং দানং বিশিষ্টমিতি কথ্যতে।
গোষু পূজা চ ভক্তিশ্চ নরস্যায়ুষ্যতাং বহেৎ ॥
অতঃ পরং প্রবক্ষ্যামি ভূমিদানং মহাফলম্।
ভূমিদান সমং দানং লোকে নাস্তীতি নিশ্চয়ঃ ॥

মুংশিৎনা হুন্নকপা উফুল মপৈগী মচু মানবী, (উফকপী) শন্বীবু মচাগা লোয়নননা মনঙ্গন্দা ফীজোল কুপ্পিহনা খোময়া পাত্রগা লোয়নননা ব্রাহ্মণদা দান তৌরবদি দাতা অদু বায়ুলোকতা য়োই। মমাগা মচু মান্নবা শন্নাউ চেনবী য়াম্ন তেবী শন্বী অঙৌবীবু খোময়া পাত্রগা লোয়নননা নীংথিবা ফীজোল কুপ্পিহনা ব্রাহ্মণদা দান তৌরবা দাতা অদু অগ্নিলোকতা য়োই ॥ য়াম্না জ্ঞানী ওইবা বেদজ্ঞ ওংবা ব্রাহ্মণদা, শল্লাবা (হাতম) মথোক কারবা, মচি হৌরবা মপাঙ্গল কল্লবা, মুনরং তৌববু শল অমোম চামগা লোয়নননা, ফিজোল নীংথিনা শেংপী কুপ্পিহনা দান তৌরবদি দাতা অদু হন্ন হন্না পোকপা তারবসু য়াম্ন সম্পত্তি শালী ইনাক-কৈরাক খুনবা ওইহনা অদুম মতৌকনি। শন্বীগী মথা ময়ুংবু তুক্কৎবা হ গোইনা থক তৌরোইদৌবনি। শন্বীগী মাংস (মশা শদুম) থক চাব তৌনদে। মতম পুম্বদা গোমাতাগী ভক্ত ওইহনা লৈগদৌবনি। য়াম্ন শেংনা চহী অম চুপ্পা শজীক খুদাপ অনতং মুমিৎ খুদিংগী মীগী শন্বীদা পীজবা অহুগা মাহু পীজত্রমখৈ দাতা মশাগী করিমত চাব থকপা তৌদবা মী ওহাক অদু মানা নীংব পুম্বা থুংতি ॥ শন্বীগী মনাক্তা মুমিৎ খুদিংগী মতম অনী (প্রাতঃ সন্ধ্যা) শন্বীগী নরমদা মঙ্গল ওইবগী ৱারী (বা) ভাত শকদবনি। করিগুম্বদা শন্বীগী মকমদা নত্তবা চুমদবা অরানবা লমচৎ অম দ খংথল অমত তৌরোইদৌবনি। মাসে ধর্মগী তত্ত্ব খঙবশিংগী সিদ্ধান্তনি ॥ শন্বী হায়বাস য়াম্ন শেংপ্রবা জন্তু অমানা। শন্বীগী মশাদা লোক পুম্নমক তিন্দুনা লৈবনি। অদুনা, শন্বীদা, করিগুম্বা হীরম অমদা, অপমান (থৌওই উশিত্তবা) থক পীরোইদৌবনি। মরমদি শন্বী হায়বসে জগৎ পুম্বগী মমানি। অদুমকনা গোদান (শন্বীবু দান তৌবা) হায়বাসনা খ্বাইদগী হেন্না কবা দাননি হায়বৈ। গো সেবা, গো পূজা, গো ভক্তি হায়বসনা দীর্ঘায়ু (পুর্নশ শাংবা) পী। অসিগী তুংগী ভূমিদানগী মরমদা অমুক হায়রগে। ভূমিদান (লৈপাক ইংখোল দান তৌবা) গী মহৌস ওস্তোক্লা চাউব্রে। সংসারদা ভূমিদানগা মান্নবা অতোপ্পা দান অম লৈতে। মাসি ধর্মাত্মা ওইবশিংগী মতনি, সিদ্ধান্তনি।

গৃহযুগ্ম, ক্ষেত্রযুগ্ম বাপি ভূমিভাগঃ প্রদীয়তে। সুখভোগং নিরাক্রোশ্যাংবাস্তুপূর্বং প্রকল্প্য চ ॥
গ্রহীতারমলংকৃত্য বস্ত্রপুষ্পানুলেপনৈঃ। সভৃত্যং সপরিবারং ভোজয়িত্বা যথেষ্টতঃ ॥
যো দদ্যাৎ দক্ষিণাং কালে ত্রিরুক্ত্বা গৃহ্যতামিতি ॥
এবং ভূম্যাং প্রদত্তায়াং শ্রদ্ধয়া বীতমৎসরৈঃ। যাবৎ তিষ্ঠতি সা ভূমিস্তাবৎ তস্য ফলং বিদুঃ ॥
ভূমিদঃ স্বর্গমারুহ্য রমতে শাশ্বতীংসমাঃ।
অচলা হ্যক্ষয়া ভূমিঃ সর্বকামান্ দুধুক্ষতি॥
যৎ কিঞ্চিৎ কুরুতে পাপং পুরুষো বৃত্তিকর্শিতঃ।
অপি গোকর্ণমাত্রেণ ভূমিদানেন মুচ্যতে ॥
সুবর্ণং রজতং বস্ত্রং মণিমুক্তাবসূনি চ।
সর্বমেতন্মহাভাগে ভূমিদানে প্রতিষ্ঠিতম ॥

ভূমিদান তৌদনা তৌরবদি য়ুমকৈ ইংখোল য়াওবা লমগী শরক অমু দান তোগদবনি। খুয়া তুশিংনা মুংঙাইমা লৈননবগী মচাক য়াওবা, নিন্দা তৌনমীংঙাই, হংগোইনীঙায় য়াওদবা, ভূমিভাগ অদুবু হৈ লৈনচিংবা দ্রব্য পূজা সামগ্রীগা লোয়ননা, দান লৌগদৌরিবা অদুবু, লৈপরেংনচিংবা নীংথিবা কীজোলনচিংবনা "লৈতেংহন্দুনা মাগী পরিবারগা লোয়ননা ভোজন তৌহনগদবনি পীজ পীথক্কদবনি। অদুদগী খুত্তা ঈশিং পায়থত্তুনা সংকল্প তৌহুনা "বচ্চরিবা ভূমিগী শরক অসি লৌবিয়ু" অমুমা হায়দুনা দক্ষিণাগা লোয়ননা দান তৌগদবনি॥ অমুম হায়না করিগুম্বা পাম্মুবা, নীংঙম মুংঙাইতবা অমত্ত য়াওদবা দান তৌরবদি ভূমি অদুনা হেক লৈরিমখৈ দানগী ফল (মহৈ) অমু লেঙদনা লৈ॥ দাতা অমু মতম কুইনা, স্বর্গদা মুংঙাইবা ভোগ ফংদুনা লৈ। ভূমিদাননা মতম শংনা লেঙজবা মীংচৎপু পী॥ লায়রবা মীমা জীবিকাগীদমক্তা খঙ-খঙনা পাপকর্ম তৌরুরবসু, মশাগী মনাকোংমুক্ত চাউবা পাকপা ভূমি মচেৎ অমত্তং তৌরবদি, পাপ অমু খুদক্ত কোকই *॥ লাইবক ফবী। পার্বতী! দান তৌরিবা ভূমিদুগী মমুংদা, অদুগা ভূমিদানদুগী মমুংদা সনা লুপা মণি মুক্তা রত্ন অমদি ফিরোলগী দানশিংসু অদুম ময়াওগ্রবনি (মমুং চনগ্রবনি)॥

* টীকা: শলগী মনাকোংমুক্ত পাকপা লম (ভূমি) দান তৌরবা পাপ কোকই হায়বা তাবদা নোক্লীংবা অম পোক্লনীঙায়নি। শলগী মনাকোংমুক্ত চাউবা খোঙ নাম ফাওবা থাব ওক্তবা লম মচেৎ (লৈদুম) অমু দান তৌরগা করম হায়না পাপ কোকবৌরিবনো? অদুনা, মফম অসিদা হায়রিবাসগী ভাবতি য়ামদ্রবমু খজিক্কংত ওইরবসু হায়বত্তনি। শশ্বী অমসী মশাগী নাকোংনচিংবা কায়াৎকা প্রমাণ তৌবসিনা গোমাতাগী মহিমাবুমু খঙহনবনি॥ (কালাচাঁদ)

ভর্তৃনিঃ শ্রেয়সে যুক্তাস্ত্যক্তাত্মানো রণে হতাঃ। ব্রহ্মলোকায় সংসিদ্ধা নাতিক্রামন্তি ভূমিদম্ ॥
হলকৃষ্টাং মহীং দত্যাৎ যৎসবীজফলান্বিতাম্। সুকূপশরণাং বাপি সাভবেৎ সর্বকামদা ॥
নিষ্পন্নসস্যাং পৃথিবীং যে দদাতি দ্বিজন্মনাম্। বিমুক্তঃ কলুষৈঃ সর্বৈঃ শক্র লোকং স গচ্ছতি ॥
যথা জানিত্রী ক্ষারেণ স্বপুত্রং মতি বর্দ্ধয়েৎ। এবং সর্বফলৈর্ভূমির্দাতারমভিবর্দ্ধয়েৎ ॥
ব্রাহ্মণং বৃত্তসম্পন্নমাহিতাগ্নিং শুচিব্রতম্। গ্রাহয়িত্বা নিজাং ভূমিং ন যান্তি যমসাদনম্ ॥
যথা চন্দ্রমসো বৃদ্ধিরহন্যহনি দৃশ্যতে। তথা ভূমেঃ কৃতং দানং সস্যে সস্যে বিবর্দ্ধতে ॥
যথা বীজানি রোহন্ত প্রকীর্ণানি মহীতলে। তথা কামাঃ প্ররোহন্তি ভূমিদানগুণার্জিতাঃ ॥
পিতরঃ পিতৃলোকস্থা দেবতাশ্চ দিবিস্থিতাঃ। সংতর্পয়ন্তি ভোগৈস্তং যো দদাতি বসুন্ধরাম্ ॥
দীর্ঘায়ুষ্যং বরাঙ্গত্বং স্ফীতাং চ শ্রিয়মুত্তমাম্।
পরত্র লভতে মর্ত্ত্যঃ সম্প্রদায় বসুন্ধরাম্ ॥

নবুংতো (স্বামী নিংথৌ) গী দৈশাক (ঋভুম স্বদেশ) বু কন্নাগীদমক্তা মথায় পাম্বুনা লালকমদা মথাংগ পারম্বা অকনবা লাম্মীশিংচুনা কাখিবা শুভম (থাম-লোক) অচুমদগীসু হেন্না থাংলবা থামবু ভূমিদান তৌবা দাকাঁনা ফংবা ঙাম্ম। হায়রদি, মরৈবাকপু য়েক্কবগী মথুন্তগী কন্ননবগীদমক্তা মথুংগ থাঙম্বা অকনবা স্বদেশ প্রেমীশিংনা ফংবা মহৈদুনা, ভূমিদানগী মহৈগা লাম্বা ওইবা ঙমদে ॥ নীংথিজরবা পুথ্রী কুহা লৈবা লৈননবগী মম কৈ ফজনা লৈবা. নীংথিনা থোইদুনা থাগ্রবা য়েঙ্গাং নাপীনা পল্লবা অচুগুম্বা ভূমিবু দান তৌগদৌবান। ভূমিদান তৌই হায়ডুনরু, লৈকং নাপী শীংবী হৌদবা মকমবু দান তৌবা হৌনদে। মচাক শুনা য়াম্নবা ভূমি মচেৎ (লম মচেৎ) অমত্তা দান তৌবা দাতা অদু মানা নীংব পুম্বা থুংঙি ॥ অসিগুম্বা মচাক শুনা তিল্লবা লম মচেৎ অমত্ত বু ব্রাহ্মণদা পুক্নীং দান তৌরবদি দাতা অদু মহাক্না হেক তৌরিব পাপ পুম্নমক্তগী মুক্ত ওই—(লাম্মোকই) ॥ মাতা (মমা) না মচাবু মথোম পীথক্নুনা চাউনবা য়োকপিবদুগুম্না মহৈ মরোং চুম্নবী পৃথিবী (ভূমি)বু দান তৌবা মী মহাক অদুদু নোংম নোংমগী হৌরম থুদিংদা চাওখৎপা ফংঙি ॥ ব্রত পালনদা যাগ যজ্ঞদা, ধর্ম কর্মদা য়াম্না পুক্নীং নঙবা যাজ্ঞিক ব্রাহ্মণদা অসিগুম্বা ভূমিবু দান তৌবা দাতা মী মহাক অদু যমপুরয়োমদা চৎক চক্রে ॥ শুক্ল পক্ষগী চন্দ্রমানা নোংম নোংমগী কলা অমমম হেনগৎলকপগুম্ ভূমিদান তৌরিবা মী মহাক অদুগী লৌরী ইংখোল লৌবুক পুম্বা মহৈ মরোং চুম্নবা হৈপাল লৈপাম্না নোংম নোংমগী হেনগৎলকই ॥ লৈমুংদা তাথিবা, হুনাখব থাখিবা মরুনা মরোল চোংলকপদুগুম্না ভূমিদাতাদুগী পুক্নীংদা হুনথিবা (নীংথিবা) কামনা (অপাম্বা) অদু মথং মথং মরোল চোংঙকই ॥ ভূমিদান তৌবা মী মহাক অদুগী মপা মপু পুম্বা স্বর্গলোকতা চানীংবা ফংলিবা পুম্বা চাদুনা ফংদুনা মুংঙাইনা লৈ ॥ ভূমিদান তৌবা মীদি পুনশি তোলোইনা, কুচু কুমেন প্রোক্লা অক অকবা ধন সম্পত্তি ফংদুনা মপুনশি লেল্লি ॥

এতৎ সর্ব ময়োদ্দিষ্টং ভূমিদানস্য যৎ ফলম। শ্রদ্দধানৈর্নরৈর্নিত্যং শ্রাবয়েদেতৎ সমাহিতম্ ॥
অতঃ পরং প্রবক্ষ্যামি কন্যাদানং যথাবিধি। কন্যা দেয়া মহাদেবি পরেষামাত্মনোঽপিবা ॥
কন্যা শুদ্ধব্রতাচারাং কুলরূপসমন্বিতাম্। যস্মৈ দিৎসতি পাত্রায় তেনাপি ভৃশকামিতাম ।
প্রথমং তাং সমাকল্প্য বন্ধুভিঃ কৃতনিশ্চয়ঃ। কারয়িত্বা গৃহং পূর্বং দাসী দাসপরিচ্ছদৈঃ ॥
গৃহোপকরণৈশ্চৈব পশুধান্যেন সংযুতাম্। তদর্থিনে তদহ য় কন্যাং তাং ... কৃত্বা ॥

সবিবাহং যথান্যায়ং প্রযচ্ছেদগ্নিসাক্ষিকম ॥
বৃত্ত্যা যতীং যথাকৃত্বা সংগৃহে তৌ নিবেশয়েৎ ।
এবং কৃত্বা বধূদানং তস্য দানস্য গৌরবাৎ ।
প্রেত্যভাবে মহীয়েত স্বর্গলোকে যশস্বিন্ ॥
পুনর্জাতস্য সৌভাগ্য কুলবৃদ্ধিং তথাপ্নুয়াৎ
বিদ্যাদানং তথা দেবি পাত্রভূতায় বৈদদৎ ।
প্রেত্যভাবে লভেন্মর্ত্যো মেধাং বুদ্ধিং ধৃতিং স্মৃতিং ।

ভূমিদানগী তত্ত্ব অমদি মহৈশিং অহ, ঐনা নঙোন্দা লাউরি। তান ... সবাহেন ... ভূমিদানগী তত্ত্ব অমদি মহৈশিংনে তাহনগদবনি ॥ চৌজিন ঐ, অমুক ... তরে হায়রগে মহাদেবী। অতোপ্পা মীগী কন্যাবুস, মশামক্কী মচানুপী বন্যাবুস দন তৌবিগদবনি। মন্নুং ... নৈবী, শাগৈগী অমদি মমা মপাগী শাওং শাদা মাযোংগী মতৌ মানবী, মশক মকৈ চঙথোনা ... বর অচুনবা হায়দগী পামজবী অচুম্বী বন্যাবু দান তৌগদবনি। অহানব ... মাতৈ ... অহল্লমনগী মবা সৌরগা (তাম্রগা) কন্যা হুগী বিবাহ অদা নিশ্চয় তৌদুনা ... নিশ্চয় তৌরবা মতুংদা, সহ্য ভাবুক ময়ামগী কন্মনবা মগুম মতৌকচানা থনগদবনি। মতুংদা ... দাসী দাস ... অতোপ অতোপ্পা পোচ্চে অতৈনপোৎ লৈইগনবা পুংনা যেন্দুনা থমগদবনি। মতুংগা ... লৈতেং যতোপ নবজ মথা অয়াপুনা ফজনা লৈংতংবিদুনা বন্যাবু বিধি কায়দনা, খুইগী ... পন্দুনা লৌগ্ন থম্মা তৌদনা বরগুদা দন তৌগদবনি ॥ মতুংগী শাস্ত্রগী পুন্নিদা ... পাঙ্গনা ... পুম্না থৱবা অচুম্বা অনৌবা যুমদা অন্নৈবু (বর নত্তা অন্নৈবু) চঙহন্দনা লৈহনগদবনি। অসুম হায়না কন্যাদানবু বিধি কায়দনা বন্যা দান তৌরিবা মাতা অহু মর্ত্যলোকতা তাইবং ... সি থাদোরপগা স্বর্গ-লোকতা সুখসম্পত্তিগা লোয়ননা নতম কুইনা লৈরি। স্বর্গগী ভোগ চারবা লোয়নবা মর্ত্যলোকতা অমুক হুম্না পোকপ তারগনু শাগৈ মাতৈ পুম্ববু চাওখৎহনবা ... অমা ওইনা পোকই। দেবী। সুপাত্র ওইবা (মতৌকচাবা) শিষ্যদা বিদ্যাদান (জ্ঞানদান) তৌরিবা মী ... অহু শিনবা তুংদা বুদ্ধি (চাংনবংপা, বুদ্ধি ধৃতি (থাজহৈবা ভপথবা), স্মৃতি (নীংশিংবা কনবা) শিংববু ফাঙদুনা অমুক পোক্লি।

অন্নরূপায় শিষ্যায় যশ্চ বিদ্যাং প্রযচ্ছতি। যথোক্তস্য প্রদানস্য ফলমানন্ত্যমশ্নুতে ॥
দাপনং তথ বিদ্যানাং দারৈশ্চেভ্যোর্থবেদনৈঃ। স্বয়ং দত্তেন তুল্যং স্যাদিতি বিদ্ধি শুভাননে ॥
এবং তে কথিতান্যেব মহাদানানি মানিনি। ত্বৎপ্রিয়ার্থং ময়া দেবি ভূয়ঃ শ্রোতুং কিমিচ্ছসি ॥

উমোবাচ

ভগবন্ দেবদেবেশ কথং দেয়ং তিলাদিকম্। তস্য তস্য ফলং ব্রূহি দত্তস্য চ কৃতস্য চ ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

তিলকল্পবিধিং দেবি তন্মে শৃণু সমাহিতা ॥
সম্যক্করসম্যক্কর্ণা তিলা দেয়া বিশেষতঃ। তিলাঃ পবিত্রাঃ পাপঘ্নাঃ সুপুণ্যা ইতি সংস্মৃতাঃ ॥
ন্যায়তস্তু তিলা, দান সংস্কৃত্যাথস্বশক্তিতঃ। তিলরাশিং পুনঃ কুর্য্যাৎ পর্বতাভং সরত্নকম্ ॥
মহান্তং যদিবা স্তোকং নানাদ্রব্যসমন্বিতম্ ॥
সুবর্ণরজতাভ্যাং চ মণিমুক্তা প্রবালকৈঃ। অলংকৃত্যা যথাযোগং সপতাকং সবেদিকম ॥
সভূষণং সবস্ত্রং চ শয়নাসনসম্মিতম্ ॥

সুযোগ্য ওইবা, মতীক ... শিষ্যদা বিদ্যাদান তৌবা মীহু শাস্ত্রদা হায়রিবা (তাক্লিবা) অমাত্ত অতা লৈতবা ফলবু ক ... নীংথজ ... । লায়রবা, য়াম্না তম্নিং লৈনিংবা ছাত্রদা লন্তুমগী সহায়তা (মতেং) ফাওবা পীহুনা ... তম্লিবা মী অহু ফাওবা বিদ্যাদান তৌবগী মহৈ অহুম নফংতি ॥ দেবী ! নংনা পেয়নবা এৈনা দান ... মথলগী ... (তত্ত্ব) অমদি ফল (মহৈ) গী মরমদা নত্তোন্দা হায়রবসিনি। নহাক করি অমমুক তানী লি ? ॥ উমানা হায়ি—ভগবন্ ! দেবদেব ! থোয়াদংগী দান (তিলদান) গী মরম আসি তৎগা লায়নলা থত্তনীংতি। অহুগা ... হায়না তৌকম পোকপগে ? অহুগা তিলদানগী ফল (মহৈ) না কর্রি লো ? ফোনপিয়ু ॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায়ি—পুক্নীং চঙনা তাও। ইমাক থুনবনু ওইরবস্তু, লায়রবনু ওইনবস্তু তিলদানদি তৌকন পোকই। মরমদি লৈমাক্রুগী হৌরকপা মহৈ মহোংগী মনুংদা থোয়দিং ... বসে য়াম্না পবিত্র ওইববা শেংলবা পাপ পুম্না মংহনবা ভুববা, অহুগা পুণ্য চেন্নবা পোংশন অমনে। মা মানা তন্নবা থোয়দিং মক্লশিং অহুনু চীঙগী মওংদা তাথৎ পৈথৎকদবনি। মা মাগী শক্তিগী মতুং ইন্না চীঙ অহু খাং চাউহনবস্তু যাই, থায় পীকহনবস্তু যাই। মাহুগী মনুংদা ওইরবস্তু মপান্দ মমক্তু ... শু সনা লুপা, মল য়াম্ব ... য়াংনা চীঙ অহু লৈতেংগদবনি। অঙম অঙম্বা শক্তিনা সনা চাঁদী, মণি মুক্তা পোহালমচিংবনা থোয়দিং চীঙ অহু লৈতেংলগা মচু মচুগী কিয়াল মচা মচা চীং অহুদা য়ুংগদবনি থেংকদবনি। মশক্ত কিয়োল ফজ ফজরবনা কুপকদবনি।

প্রায়শঃ কৌমুদীমাসে পৌর্ণমাস্যাং বিশেষতঃ। ভোজয়িত্বাচ বিধিবৎ ব্রাহ্মণানহ্নতোবহূন্ ॥
স্বয়ং কৃতোপবাসশ্চ বৃত্ত শৌচসমন্বিতঃ। দত্তাৎ প্রদক্ষিনীকৃত্য তিলরাশিং সদক্ষিণম্ ॥
একস্যাপি বহুনাং দাতব্যং ভূতিমিচ্ছতা। তস্য দানফলং দেবি অগ্নিষ্টোমেন সংযুতম্ ॥
কেবলংবা তিলৈরেব ভূমৌ কৃত্বা গবাকৃতিম্। সবস্ত্রকং সরত্নং চ পুংসা গোদানকাঙ্ক্ষিণঃ।
তদর্চায় প্রদাসবাং তস্য গোদান তঃ ফলম্ ॥
শরাবাংস্তলসম্পর্ণান্ সহিরণ্যান্ সচম্পকান্। নপোমস্তব্রহ্মণায় সপুণ্যকভাগ ভবেৎ ॥
এবং তিলময়ং দেয়ং নরেণ হিতমিচ্ছতা। নানাদানফলং ভূয়ঃ শৃণু দেবি সমাহিতা ॥
বলমায়ুষ্য মারোগ্য মন্নদানাল্লভেন্নরঃ। পানীয়দস্তুসৌভাগ্য রসজ্ঞানং লভেন্নরঃ ॥
বস্ত্রদানাৎ বপুঃ শোভামলং কারং লভেন্নরঃ।
দীপদো বুদ্ধিবৈশদ্যং দ্যুতি শোভাং লভেন্নরঃ ॥

মেরাগা তাইনবা লাংবনগী পুর্ণিমাদা মতীকচারবা জ্ঞানী পণ্ডিত ব্রাহ্মণশিংবু লাক্কন তৌরগা (পীজরগা) দাতা মশামক্তি উপবাস তৌরুনা (চরা কেন্দুনা) চাব থকপা লোইরবা ব্রাহ্মণশিং অতুদা মতীকচাবা দক্ষিণাগা লোয়ননা তিল পর্বত (থোয়দিং চীঙ) অদু দান তৌগদবনি। অসুম্না তিলদানগী বিধি অসিনি ॥ অসিগুম্বা তিলদান অসে ব্রাহ্মণ মীশক অমত্তদা তৌবসু য়াই। মরাম, অনীস্তমদা তৌবসু য়াই। অসিগুম্বা তিলদানবু ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মপাগী মঙ্গল ওইবা পাম্বা মীনা তৌই। মাসিগী মহৈদি মতম চঙলবা অগ্নিষ্টোম কৌবা যজ্ঞ অদু তৌবগী মহৈগা চপ মান্নি ॥ মত্রগা গোদানগী মহৈ ফংজনীংবনা ওমজ্জ্রবস্তু, লৈমায়থক্তা, থোয়দিং থরনা শঙ্গীগী মমৈ (মুর্ত্তি) শাহনা মাংগী মথক্তা ফিরোল শেলথুম লৈজবা থরা হাপ্তুনা (কুপ্না) ব্রাহ্মণদা দান তৌরবদি, শেলথুম মনা লুপাগা লোয়ননা শঙ্গী অমা দান তৌবগী (গোদান দানগী) মহৈ অদু অমুম ফংজি ॥ কনাগুম্বা নিংথৌনা, সনা লুপা মণি মুক্তা মনুংদা কুমহনা থোয়দিংনা থম্না হাপ্পা চাউরবা চফু (থরুং) অমবু মথক্ত লৈহাওনচিংবা মনম মুংশিবা লৈশু হাপ্তুনা ব্রাহ্মণদা দান তৌরবদি চাউরবা পুণ্য ফল ফংজি (মপোক মপোক্তা দানী ওইবা নিংথৌ ওইনা শক্তুম পোকই) ॥ অদুনা, দেবী। পার্বতী। ঐনা নাঙোন্দা কৌরিবা, হায়রিবসিগুম্না তিলদান তৌগদবনি। পুণ্য ওইরবা দানশিং অসি তৌবগী মহৈশিং হৌদো অমুক হায়রগা, তাউ ॥ অন্নদানগী মহৈনা, পাঙ্গল, পুনশি শাংনা নাম্বা হেক্তনা লৈবা ফংজি। জলদানগী মহৈনা, মরাগ্রবক ফবা, রসগী অদুগা তোঙান তোঙানবা রস (মহাও) ফংবগী লুংঙাইবস্তু ফংজি ॥ বস্ত্রদান (ফি দান তৌবা) গী মহৈদি হকচাং কায়াংকী মওং মতৌ শাংগং শাকা ফজনা অমদি মথল মথা অত্তাংগা অলংকারনচিংবা ফংবা ওমি দীপদান (মৈ দান = থাউমৈ দান) গী মহৈনা পুক্নীং হকচাংদা মশেক মঙাল লৈবা, বুদ্ধি বুদ্ধেন মঙ্গবা ফংজি।

রাজবীজবিমোক্ষ তু ছত্রদে লভতে ফলম্। দাসীদাসপ্রদানাচ্চ ভবেৎ ধর্মস্তু ভাজনম্ ॥
দাসীদানং চ বিবিধং লভেৎ প্রেত্য গুণান্বিতম ॥

যানানি বাহনং চৈব ভদর্হায় দদন্নরঃ। পাদরোগপরিক্লেশান্মুক্তঃ শ্বসন বাহবান্।
বিচিত্রং রমণীয়ং চ লভতে যানবাহনম্ ।

সেতুকূপতটাকানাং কর্তু তু লভতে নরঃ। দীর্ঘায়ুষ্যং চ সৌভাগ্যং তথাপ্রেত্য গতিং শুভাম্ ॥

বৃক্ষসংরোপকো যস্তু ছায়াপুষ্পফলপ্রদঃ। প্রেত্য ভাবে লভেৎ পুণ্যমভিগম্যো ভবেন্নরঃ ॥

যস্ত স ক্রমনুলোকে দদীৎ জলহরিণান। লভেৎ পুষ্পফলং প্রেত্য ব্যসনেভ্যো বিমোক্ষণম্ ॥

মার্গেষু সততং কুর্য্যো লভেৎ সন্তানবন্ পুনঃ। কায়দোষবিমুক্তস্তু তীর্থকৃৎ সততং ভবেৎ ॥

ঔষধীনাং প্রদানাচ্চ সততং কৃপয়ান্বিতঃ। ভবেৎ ব্যাধিবিহীনশ্চ দীর্ঘায়ুশ্চাবনে যতঃ।

অন্নানি পেয়ানি যস্তু দদাতি বনম্। স তু পুণ্য ফল প্রেত্য লভতে বৃহচ্ছুদায়ম্ ॥

ছত্রদান (ছত্রদান—যিরাল কয়বা) গী মতৌদি অচৌবা শাগৈ নাতে (রাজবংশ) দা পোকপা যংদি। মশাগী পুণ্য ফলা কৎপগী দানতে হৌদব, ধর্ম শক্তী কয়গী মথাক লৈহোবাদা লাইনা তৌবগী মহৈ ফাঙ। অদুগা হয়েংমুক্তা মসাক্তি নীনায নীলমা থরবা ঈচাব কৈরাক শুপ্পবা মীশক অম ওইনা পোকই॥ মতৌকচাবা ব্রাহ্মণদা গ (গচা) লোনাইনচবা বাহন কৎলবদি খোঙ শুত্ত। পোম্ব তত্ববগী অনা হোরায় হৈনবাই কৈতবকী নাইদ্রা ফাঙ। হয়েংমুক্তী মপোক্পা, শগোল শাস্ত্র রথ লোলাইনচিংব- ওবা, খোঙলোপাল ওয়দমকৈ মপুংফা লংবা ফাঙ। পুখ্রী, পুকুর, খোনচিংবা তৌহুনা শাহুনা কৎপগী মহৈদা পুণ্যাশি লোলোরুদনা মতম বুইনা মুঙাইনা হিহুনা লৈগা ফাঙ। মকম পাক চাউনা তাবা, মহৈমরো চুপা ঊপাগী পাগা মপিঙ্গী মহৈদি ওহন লৈমা লাদব। পুক্রী পোয়দানা লৈবা মপোক্পা পোকপা ফাঙ। ভুরেল শ্রী ঈশ মোহনা, ভুরেল লান্দুনা চংপা অমম বারেমদগী ঈশিং শোক্লীংবা মীশিংগী খুদোং চানবদ কথা শাহুনা কৎপগী মহৈদ খুদঙ্গ। লাকপা লাক্কদবা অরোবা খুদোংথীবা পুম্নমক্কী লাখোকপা মাথেক যফঙ অকোহুনা ঐদ্য যাদোক্কুনা মীনা চৎলদা লাগী থোনবা শস্বা শাবা অঙ্কু সংনব নংই সচ শশ দৈ নাতে নোয়া ইবা মীশক অম ওই। মপান কীস্থবা পুখ্রী লাংথোংদা মপান সাউী চৎলুনা অন্না-উকুনা যুঙাইবা খোঙবাফম শোমহুনা মীয়ামদা কৎলিবা মী অঙ্গ, এখাদা লৈবা শারীরিক দোষ (হকচাংদা লৈবা দোষ পাপ) পুম্নমক্কী কোকই॥ লায়রবা রোগী (অনাবা) শিংদা হীদাক লৈহুনা দান তৌবা পীজবা মী মহাক অঙ্গ মশাদা অনায়েক অমত যাওদনা মতম কুইনা পুনশিনবা যফঙি॥ মমা মপা মক্লাদ-মনাও লৈজত্রবা অনাথ ওইরবা চঙকম লৈজত্রবা মথোঙ শোয়বা মমীৎ তাঙসবা মীবু মশাইগোন্দা পুশিন্দুনা য়োকপি থাকপিবা মী মহাক অঙ্গ হয়েংমুক্কী মপোক্পা অমাব খুবোংশীবা পনত পাদা চডঙদবা মীশক অম ওইনা পোকই॥

বেদপারঙ্গতাঃ সন্তঃ শালা ভিক্ষুণাং তু প্রতিশ্রয়ঃ। যঃ কুর্য্যাদ্ভক্তিতো নিত্যং নরঃ প্রেত্য শুভং ফলম্॥
বিবিধং বিবিধাকারং ভক্ষ্যভোজ্যগুণান্বিতম্। অন্নং সদৈব গোবাটং যঃ কুর্য্যাদ্ভক্তিতো নরঃ॥
প্রেত্যভাবে তথা তস্য শান্তিং ব্যাধিমোক্ষং তথৈব চ। এবং নানাবিধং দ্রব্যং দানকর্ত্তা লভেৎ ফলম্॥
বুদ্ধিমায়ুষ্যমারোগ্যং বলং ভাগ্যং তথাহ গমম্। রূপেণ সপ্তধা ভূত্বা মানুষ্যং ফলতি ধ্রুবম্॥

উমোবাচ

ভগবন্ দেবদেবেশ বিশিষ্টং যজ্ঞমুচ্যতে। লৌকিকং বৈদিকং চৈব তন্মে শংসিতুমর্হসি॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

দেবতানাং তু পূজা যা যজ্ঞেষ্বেব সমাহিতা। যজ্ঞা বেদেষ্বধীতাশ্চ বেদা ব্রাহ্মণসংযুতাঃ॥

অতগুম্না মী-না বেদবিদ্যালয় (বেদ-জ্ঞান তম্ফমশঙ্ক) সভা ভবন (ময়ামগী প্রজাশিংগী যাৰী যাত্রাহ শাফম, লোকসমাজগী অফবা যাংল থম্ফম) ধর্মশালা পান্থশালা, চাবনিবা লাইরবশিংগী পোত্থাফম য়ারেকফম ভবন (ঘুম-শঙ্ক) শাহনা কৎপা (দান তৌবা) মী অত্তু সমাজগী পী-দা শক্তনা লৈবা মীশক অমা ওই। সন্তোষ্না চ উৎবা পুণ্যফল ফঙি। ফমুং যাহুং, চচা চৎঙ্কী পে চৈথেনা থম্ন লৈরবা মৎং তেগ্তাল তোতানবগী নাংখিজরবা কা কা লৈব যুম্ শাহনা লোকসমাজদা (প্রজাশিংদা) বথোকপা মী অদু অবাৎ অপা লৈতবা, থ্বাইগী চঙজফং, মশাদা অনায়েক লৈতবা মী অমা ওইনা পোকই। বুদ্ধি (জ্ঞান লৌশিং), আয়ুষ্য (পুনশি শাংবা), আরোগ্য (মশাদা কায়রহম্বা লায়না অমত লৈতবা), বল (পাঙ্গল মথোনা), ভাগ্য (মরায়বক যবা), রূপ (মশক নতৌ শাওং শাদা যজবা) হায়রবা ৭ তেং অসমঙ্ক, নত্তগা মাসিগী মতুংদা অমতং ফংহনা লৈরিবসিংনা মহাপুরুষ্কী মপোক্পা তৌখিবা পুণ্য কমাশং অদুগী প্রত্যক্ষ ওইবা ফলনি * ॥ উমা (পার্বতী) না হায়:—ভগবন্! দেবদেব! লৌকিক অমদ বৈদিক যজ্ঞ হায়না, অসুম্না অনীথোক্লা লৈরি। অনীমক্তাদ উত্তম (ফযবা) মক্তা হায়নরি। বিষয় অসিগী মরমদা বিশেষ ওইনা অমুক্তা তাকপিয়ু॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায়:—দেবী! দেবতাশিংগী সম্প্রদায় সমাজগী চৎনবগী মতুং ইন্না দেবী দেবা ময়ামগী তৌফিবা পূজা সমাৎসি যজ্ঞ ফংনি। যজ্ঞগী মতুং চনবনি। লৌকিক যজ্ঞ মতুনি। যজ্ঞশিংগী বিশিষ্ট বেদ শাস্ত্রদা মতুম মযাংরি ৩ তুগা, বেদশিংসি দ্বে ব্রাহ্মণতনা শাগোরি।

* টীকা:—হায়রিবা বাফম অশিন উৎলিবদি অশিনি। মাহুদি—ফনাগুমা অমনা ফমুং যাহুং মোন্দুম নোঙ্কেক মথক্তা, কাঙ হায় চামবনচিংবগী খোগল ফংফুম্না উলরি। কনাগুম্না অমনা লঙ্কী মহাক্তা, হয়িং বাবা ইন্দুনা চানীংতাই লৈতহনা মী অমাকপা শুদিংদা মদি থেং থেং চেক্তা মতুং লোয়রি। মাসি, মতু চাকতগীনি হায়রা শুক হায়বা য়াবোই। মহাপুরুষ্কী মপোক্পা তৌখিবা কর্মগী মতৈ মতুনি। (বাণাচন্দ্র)

ইদং তু সকলং দ্রব্যং বিধি বা সুবিবা ক্রিয়ে । যজ্ঞার্থং বিদ্ধি তৎ সৃষ্টং লোকানাং হিতকাম্যয়া ॥
এবং বিজ্ঞায় তৎবার্ত্তা সদায়ঃ সতত্ত্ব ভিক্ত । প্রকৃতাং বৈভবেন লোকান্ ব্রহ্মকর্মসমাধিনা ।
ব্রাহ্মণস্যৈব তৎ ব্রহ্ম নিত্যং দেবি সমাহিতম্ ॥
তস্মাৎ বিপ্রৈ যথা শাস্ত্রং বিধিদৃষ্টেন কর্মণা । যজ্ঞকর্ম কৃতং সর্বং দেবতা অভিতর্পয়েৎ ।
ব্রাহ্মণঃ ক্ষত্রিয়াদ্যৈশ্চ যজ্ঞার্থং প্রায়শঃ স্মৃতাঃ ॥
অগ্নিষ্টোমাদিভি র্যজ্ঞৈর্বেদেষু পরিকীর্ত্তিতৈঃ । সুশুদ্ধৈর্যজ্ঞসম্ভারৈশ্চ ঋত্বিগ্ভিশ্চ যথাবিধি ।
জ্যোতিষ্টোমাদিব্যাপকরণৈ যষ্টব্য মিতি নিশ্চয়ঃ ॥
তত্র তুষ্টেষু যজ্ঞেন দেবানাং তোষণং ভবেৎ । তুষ্টেষু সর্বদেবেষু যজ্বা যজ্ঞফলং লভেৎ ॥
দেবানাং মন্ত্র শিক্ষা যইজনৈর্লোকান্ স বর্দ্ধয়ন্তি । তস্মাৎ যজ্বা দিবং গত্বামরৈঃ সহ মোদতে ।
নাস্তি যজ্ঞসমং দানং নাস্তি যজ্ঞ সমো বিধিঃ ॥

চায়বী। পার্বতী। স্বর্গলোকতা অমগা পৃথ্বীমক অমিদা চৌরিবা পাম্রিবা ফো-চেঙ মনা মণিং মইহ মরোংনা। অদোম পাম্নী মংন, নং নিংশিংলবা অশিনা শেম শাগিবা ময়ামসি, লৌকিক অমদি বৈদিক যজ্ঞগী মচাক পোচঙ (পূজা সামগ্রী যজ্ঞ সামগ্রী) মকুনি। স্বর্গলোক মর্ত্তালোক অনীমকী কাম্মনবগী দমক্তনি। মাসি নত্তাক সুম্না থবক। অসুম হায়না থক্তনা, মহাকী লোয়নবীগা লোয়ননা যজ্ঞবু চৌরবা নীংথাক চত্তুত্রগী কর্মদা চৎলবা পুক্কী লৈবা মরম্না শিরব তুংদা মথোয় অনীগী আত্মা অহ্ব দমাংলাক্তা, শরনগী শংদ অহুন মহোৎখ্রে। দেবী। পার্বতী। হায়রিবা ব্রহ্মকর্মগী জ্ঞানবিধি (বেদ) হায়বসি ব্রাহ্মণতদ লৈ। মরম অহুনা বেদশাস্ত্রগী বিধি মতু ইম্না, ব্রাহ্মণকনা তৌবা যজ্ঞ কর্মদা দেবতাশিংনা ... ॥ ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় হায়নবা অনীহোক্না লৈরিবা শেমখ্রিবসে হায়রিবা যজ্ঞশিংসিবু মপুং থংবা পোক্নবগীনি। অহুনা, শুদ্ধ ওইবা যজমান (ক্ষত্রিয়) অহুগা জ্ঞানী ওইবা ঋত্বিক ব্রাহ্মণশিংনা বেদ বিধি হায়বদনা যজ্ঞশিংসিবু পাঙথোক্কদবনি। অসুন হায়না শাস্ত্রনা মীমাংসা তৌহনা থমখ্রে। অসুন হায়না তৌবা যজ্ঞকর্মশিং অহুত্না দেবতাশিংনা চেক পেনবা মতমদা যজ্ঞকর্ত্তা (কর্মধারী) অহুগা যজ্ঞতৌগী মহৈবু মপুংফানা ফংই। অহুগা পেল্লবা দেবতাশিংহুনস্থ জগৎকী কাম্নবা অমদি চাংহৈনবা থবকত তৌই। মরম অহুনা যজমাননা দেবলোকতা চৎখিহনা দেবতাশিংগা মুখ্যাহনা মুশিননা লৈমিন্নই। স্বর্গগী সু ভাইরবা ভোগ পুম্নমক ফংই। যজ্ঞগা মান্নবা অতৈদান অমত লেতে। যজ্ঞগা মান্নবা অতৈ বিধি (নম) অমতা লৈত্রে। দেবী। কর্ম পুম্নমক যজ্ঞদা শিন্দুনা লৈরিবনি * ॥

---

* টীকা :—মহুগী অহুম্না রা পুম্নমকশি ফোক্তদোকপা ওইনা গীতাদসু "সর্বং যজ্ঞে প্রতিষ্ঠিতম" হায়না অহুম হংবিবহনি। (কালাচাঁদ)

সর্বধর্মসমুদ্দেশো দেবি যজ্ঞে সমাহিতঃ। এবা যজ্ঞকৃতা পূজা লৌকিকীমপরাং শৃণু ॥
দেবসংস্কারমুদ্দিশ্য ক্রিয়তে লৌকিকোৎসবঃ ॥
দেবগোষ্ঠেষু নিসংস্কৃত্য গোৎসবং যঃ করোতি বৈ। যাগান দেবোপহারাংশ্চ শুচিভূর্ত্বা যথাবিধি ॥
দেবান স তে বন্দিত্বা স দেবি ধর্মমাপ্নুয়াৎ ॥
গন্ধমাল্যৈশ্চ বিবিধৈঃ পরমান্নৈর্ধূপৈঃ। বহুভিঃ স্তুতিভিশ্চৈব স্তুবদ্ভিঃ প্রযতৈর্নরৈঃ।
নৃত্যৈর্বাদ্যৈশ্চ গান্ধর্বৈরপি দৃষ্টিবিলোভনৈঃ। দধন [illegible] কুর্বন্তে যে নরা ভুবি ॥
তেষাং ভক্তিকৃতেনৈব সংস্কারেণৈব পূজিতাঃ। তেনৈব তেষাং সম্যান্তি দেবি [illegible] ॥

উমোবাচ

[illegible] কথং দেব তন্মে শংসিতুমর্হসি। সর্বেষাং পিতরঃ পূজ্যাঃ সর্বসম্পৎপ্রদা যতঃ ॥

মহেশ্বর উবাচ

[illegible] প্রবক্ষ্যামি যথাবৎ তন্মনঃ শৃণু। দেবকালে [illegible] তৎ কার্যাঃ শুভাশুভ[illegible]।
লোকেষু পিতরঃ পূজ্যা দেবতানাং চ দেবতাঃ। শুচয়ো নির্মলাঃ [illegible] দক্ষিণা দিশমাশ্রিতাঃ ॥

অসুম্বা তৌরিবা যজ্ঞ [illegible] পূজা [illegible] বৈদিক কর্ম বৈদিক যজ্ঞ [illegible] লৌকিক [illegible] যজ্ঞী ময়মদা হায়গে [illegible]। [illegible] গীদমক মহা[illegible] দেবতা ধর্মজ্ঞ [illegible], উংনব মলা কয়া কয়া তৌনরি ॥ [illegible] হৈনবা [illegible] উংঙবা [illegible] পূজা [illegible] মণিপু[illegible] অসুম ফজি ॥ দেবী। [illegible] অনিদ [illegible] অম্বা [illegible] ধন্যবাদ [illegible] তৌদুনা, [illegible] খংবা লোয়নন [illegible] তৌরি [illegible] কনি। [illegible] তানা [illegible] ভাকথু। মম্পা ও পুংমকী দাতা [illegible] লৌকিকতা [illegible], পুনমক্তী [illegible] পূজা তৌনা-নীংজাইনি ॥ শ্রীমহেশ্বর না হায় :— [illegible] শুভাশুভ যজ পীবা, হায়বদুগী মরমদসু হায়গে সুম্ব [illegible]। লোক পুঃ [illegible] ভলোক (মপা মপু) হায়বনি হীরম পুম্নক্তা পুক্ষা তৌননী ভায়রন। [illegible] দেভানি। [illegible] স্বভাব অসি য়াম্ব [illegible] পুমশেং [illegible]। মগোয় [illegible] (ম[illegible]) লৈবনি ॥

যথা বৃষ্টিং প্রতীক্ষন্তে ভূমিস্থাঃ সর্বজন্তবঃ। পিতরশ্চ তথা লোকে পিতৃমেধং শুভেক্ষণে॥
তস্য দেশাঃ কুরুক্ষেত্রং গয়া গঙ্গা সরস্বতী। প্রভাসং পুষ্করং চেতি তেষু দত্তং মহাফলম্॥
তীর্থানি সরিতঃ পুণ্যা বিবিক্তানি বনানিচ। নদীনাং পুলিনানীতি দেশাঃ শ্রাদ্ধস্য পূজিতাঃ॥
মাঘা প্রোষ্ঠপদৌ মাসৌ শ্রাদ্ধ কর্মণি পূজিতৌ। পক্ষয়োঃ কৃষ্ণপক্ষশ্চ পূর্বপক্ষাৎ প্রশস্যতে॥
অমাবাস্যাং ত্রয়োদশ্যাং নবম্যং প্রতিপৎসু চ। তিথিষ্বেতাসু তুষ্যন্তি দত্তেনেহ পিতামহাঃ।

পূর্বাহ্নে শুক্লপক্ষে চ রাত্রৌ জন্মদিনেষু চ।
যুগ্মে ‌হসসু চ শ্রাদ্ধং ন কুর্বীত পণ্ডিতঃ॥
এষ কালো ময়া প্রোক্তঃ পিতৃমেধস্য পূজিতঃ।
যস্মিংশ্চ ব্রাহ্মণ পাত্রং পশ্যেৎকালঃ স চস্মৃতঃ॥
অপাঙক্তেয়া দ্বিজা বর্জ্যা গ্রাহ্যস্তে পঙক্তিপাবনাঃ।
ভোজয়েৎ যদি পাপিষ্ঠান্ শ্রাদ্ধেষু নরকং ব্রজেৎ॥

পৃথিবীগী লৈবা জীবশিংনা, বিশেষ ওইনা, নোংমদোঙ্গকী তারকপা ঈশিংবু য়াম্না লাওতক্কনা, লৌবাংনা ঙাইংহৌগুম্না, মর্ত্যলোকত লৈহৌবা মচা মশূশিংনা পীরকপা বংলকপা অচাথক অদু ঙাইহৌনা লৈ॥ শ্রদ্ধা গ লোম্নবা তৌরকপা শ্রাদ্ধকর্মশিং অসিগী মতীকচাবা দেশ (ময়ম) দি কুরুক্ষেত্র, গয়া, গঙ্গা, সরস্বতী প্রভাস, পুষ্করতীর্থ মথোইসিনা অথোইবনি। হায়রিবা তীর্থশিং অসিদা তৌবা শ্রাদ্ধ তর্পনচিং-বগী মহৈসংগ্নোক্না চাউথ্রে। মহাপুণ্যগল ফঙি॥ হায়রিবা তীর্থশিং অসিদা তৌবা ওমদ্রগস অতৈ তীংদ শেংলবা অচীকপা মফমদা চেনবী নদী (তুরেল) শ্রাদ্ধকর্ম তর্পণনচিংবসি তৌগদৌবনি॥ থা অমদি মতম (কাল) না মাঘ (বাকচীং) ভাদ্রপদ (পৌইরেল) খাইদগী অফবনি। পক্ষ অনীগী মনুংদা, শুক্লপক্ষদগী কৃষ্ণপক্ষনা হেল্লি। তিথিশিংগী মনুংদা, অমাবাস্যা ত্রয়োদশী, নবমী অমদি প্রতিপদা (নোম পানবা) মথোইসিনা অফবা তিথিনি। হায়রিবা তিথিশিং অসিদা পীরকপা পোচ্চেশিং অদো পিতৃলোক (পিতৃ) শিনা য়াম্না পেম্না, হরাও হৃয়াও লৌই॥ বিদান ওইবা অখঙবা মীশিংনা, পুব হুন, শুক্লপক্ষনা, অহিংদা (নুমিদাংদ) মশা মশাগী মপোক নুমিৎত পিতৃতর্পণনচিংবসে তৌরোই-দৌবনি। শ্রাদ্ধকর্মগী (পিতৃমেধজ্ঞী) দেশ (মফম), কাল (মতম) গী মরমদা হায়রিবসিনি। অদুগী মতীকচাবা, জ্ঞানী বুদ্ধিমান ওইবা ব্রাহ্মণবু হেক ফংবা নুমিৎ অদুসু অফবা নুমিৎ (মতম) নি হায়না লৌব য়াই। শ্রাদ্ধকর্মগী ভোজনবনচিংবদা পঙক্তি (পরে) অমতদা ফম্মিন্নহনা চাব থকপা য়াদবা ব্রাহ্মণবু য়াংহন্দনা, মহাক অমতনা পঙক্তিদা ফম্লিবশিংবু শেংদোকপা অদুগুম্বা ব্রাহ্মণশিংবু ভোজনদা য়াওহনগদবনি। মশাদা পাপ দোষ লৈবা অমতং য়াংহিবদা ফোজনদাতা কর্মগারী যজমান অদু নরক তাই॥

বৃংক্রত বুলোংে তন্ সকলাগ্রন্ গুণান্বিতান্ তদহর্ন শ্রোত্রিয়ান্ বিদ্ধি ব্রাহ্মণানযুক্তঃ শুভে।
এতান নিমন্ত্রয়েৎ বিদ্বান পূর্বেদ্যুঃ প্রাক্তরেববা। ততঃ শ্রাদ্ধক্রিয়াং পশ্চাদারভেত যথাবিধি ॥
ত্রীণি শ্রাদ্ধে পবিত্রাণি দৌহিত্রঃ কুতপাস্তিলাঃ। ত্রীণি চাত্র প্রশংসন্তি শৌচমক্রোধমত্বরাম্ ॥
কুত ঃ খড়্গ পাত্রং চ কুশা দর্ভাস্তথা মন। কালশাকং গজচ্ছায়া পবিত্রংশ্রাদ্ধকর্মসু।

তিল ন অর্বাকিবেৎ তত্র নানাবর্ণান্ সমন্ততঃ।
অশুদ্ধমপবিত্রং চ তিলৈঃ শমাতি শোভনে॥
নীলকাষায়বস্ত্রং চ ভিন্নবর্নং নববর্ণম্।
হীনাঙ্গমশুচিং বাপি বর্জয়েৎ তত্র দূরতঃ॥
উপকল্প্য তদাহারং ব্রাহ্মণানর্চয়েৎ ততঃ॥

শ্মশ্রুকর্মশিরস্নাতান সমারোপ্যাসনং ক্রমাৎ। সুগন্ধমাল্যাভরণৈ স্রগভিবেত ন্ বিভূষণেঃ॥

নাংপিজবী। পার্বতী। মরমচৎ ব্যবহার ফজবা, শাস্ত্র জ্ঞান লৈবা, সোনাইদবা শটৈগ বংশদা পোকপা, লোয়নবীগা গৃহস্থাশ্রমদা নিয়ম বিধি কায়দনা লৈরিবা, অসিগুম্বা. শেংলবা শ্রোত্রিয় ওইবা বেদশাস্ত্রদা জ্ঞানী ওইবা ব্রাহ্মণবু শ্রাদ্ধকর্মদা য়াওহনগদবনি। শ্রাদ্ধদা ব্রাহ্মণশিংগী মশীং অসি চঙ ভাহনগদবনি। পূবাওবা শি তাব ফত্তে॥ য়াওহনগদবা ব্রাহ্মণশিংদু শ্রাদ্ধকমগী নোমগী মাঙদা, নত্রগা শ্রাদ্ধকর্মদুগী মুনিংকী অযুক ওন্তাদা নিমন্ত্রণ তৌগদৌবনি॥ অদুগী তুংদা শ্রাদ্ধকর্মগী কার্য্যক্রম অদু মথং মথং পাঙথোক্কদৌবনি॥ শ্রাদ্ধকর্মদা য়াংগদবা বস্তু মাদুদি:- দৌহিত্র (শল য়োংমানবীগী শঙ্গোমগী ঘী, কুতপ (কুশ তিংথৌ) তিল) থোয়দিং)। শ্রাদ্ধকন অদুমগী দরকারনি। মাদুদি:— হকচাং মনুং মথান পূমশেং শেংবা, অশাউবা লুংঙাইতবা পুমধা থাদোকপা, অদুগা হথু হথু তৌদবা (তপথবা) অদুম অসিনি॥ শ্রাদ্ধকর্মদা অশেংবনি হায়না লৌনবসি:- লাঙশাঙ মচা (হৈজ্রং) কুশ, তিংথৌ থোয়দিং, খোইহি, কালশাকা, গজচ্ছায়া মখোয় অসিন। শ্রাদ্ধকমগী মফম অদু, মাথৈগ অকোয়বদা থোয়দিং মরু ময়াম চাইথোক্কদবনি। অমাংবা ফত্তবা মফমবু থোয়দিংতনা শেংদোকহল্লি॥ শ্রাদ্ধকর্মদা. অশংবা (অমুবা), চীংলৈবাকশঙবা খৈজোল শেংপা, বর্ণ তেংগাল তেঙানবগী মীশক, অনৌ নৌনা হাগাযথিনবগী খুদম ঈনাই পকপা, মখোঙ মথুং শোয়বা. মশা মউ শে দোবত্রিবা, অমাংব- মচিবা নেৎলুবগী মাঙবা মীশকশিং অসি শ্রাদ্ধকর্মদা য়াওহল্লোইদৌবনি॥ শ্রাদ্ধকর্মগীদমক্তা শেন শারিবা, পোংথাক্লিবা অচা অথকশিংদু হায়রিবা ব্রাহ্মণশিংদুবু ভোজন তৌহনগদবনি। মখোয়গী সেবা পূজা তৌগদবান শম-লু কোকথোক্তুনা, কোকলু পুম্বা শেদোক খোঙদোক্তুনা শেংনা ঈরু মায়থজহনা ব্রাহ্মণশিংদুবু গুণকর্মগী মাত্রা মতুংইন্না মথং মনাও নাইনা ফমহন্দুনা মনম নুংশিরবা গন্ধমাল্যনচিংবা অদুপা অশেংবা ফিরোল (ফীজোল) শেংহন থোলহনগদবনি॥

অলংকৃতোপবিষ্টাংস্তান্ পিণ্ডাবাপং নিবেদয়েৎ ॥

তত্র প্রস্তীর্য্য দর্ভাণাং প্রস্তরং দক্ষিণামুখম্। তৎসমীপেহগ্নিমিদ্ধ্বা চ স্বধাং চ জুহুয়াৎততঃ ॥

সমীপে হ্যগ্নীষোমাভ্যাং পিতৃভ্যো পিতৃভ্যো জুহুয়াৎতদা ॥

তথা দর্ভেষু পিণ্ডাংস্ত্রীন্ নির্বপেৎদক্ষিণামুখঃ। অপসব্যমপাঙ্গুষ্ঠং নামধেয় পুরস্কৃতম্ ॥

এতেন বিধিনা দত্ত পিতৃণামক্ষয়ং ভবেৎ। ততোবিপ্রান্ যথাশক্তি পূজয়েন্নিযতঃ শুচিঃ ॥

সদক্ষিণং সসম্ভারং যথাতুষ্যন্তি তে দ্বিজাঃ ॥

যত্রশ্রাদ্ধং ভোজয়তে তত্র ন জপ্যেন জপেন্মিথঃ। নিয়ম্য বাচং দেহং চ শ্রাদ্ধকর্ম সমারভেৎ ॥

ততো নির্বপনে বৃত্তে তান্ পিণ্ডা স্তদনন্তরম্। ব্রাহ্মণোহজো গোর্বা ভক্ষয়েদপ্সু ক্ষিপেৎ ॥

পত্নীং বামধ্যমং পিণ্ডং পুত্রকামা হি প্রাশয়েৎ। আধত্ত পিতরো গর্ভং কুমারং পুষ্করস্রজম্।

তৃপ্তানুৎথাপ্য তান্ বিপ্রানন্নশেষং নিবেদয়েৎ। তচ্ছেষং বহুভিঃ পশ্চাৎ সভৃত্যো ভক্ষয়েন্নরঃ

অদুম হায়না তৌহল্লগা, ব্রাহ্মণশিংদুদা, ময়ামদা পিণ্ডদান তৌজগে অসুম্না হায়জগদবনি। অদুগীদুদা মায়গৈ মথা ওন্না কুশমনা ময়াম থাদুনা মাদুগী মনাক্ত যজ্ঞ মৈথাগত্তুনা মাদুদা শ্রাদ্ধগী অন্ন অদু আহুতি তৌগদৌবনি। মাদুদা শোনগদবা মন্ত্রদি "ও অগ্নয়ে কব্যবাহনায়স্বাহা। সোমায় পিতৃমতে স্বাহা।" অসিনি ॥ মতৌ অসুম্না অগ্নি সোম অনীগী আহুতি পীরগা, মখোয়গী নাক্ত পিতৃলোককীদমক হোম তৌগনি। অদুদগী মথারোমদা মায় ওন্দুনা দৌগুণ (ত্রিগুণ) নচিংবা ওয়রোমদা ওন্থন্দুনা পিতৃলোককী নামগুণগোত্রচিংবা হায়দুনা বুলশথক্তপিণ্ড অদুম পীগনি। পিণ্ড অদুম অদু থুংপীনা থক থেংবা শোকউবা য়াদে॥ অসুম্ন বিধি বংমদনা পিতৃলোকতা কৎপা দান তর্পণ অদুনা, মথা অমা লৈত্রবা মহৈবু পী। অদুগীতুদা পুন্নীং ইন্দয়বু থুদুমচন্দুনা অওপা শক্তনা ব্রাহ্মণশিংবু পীজ পীথক্তুনা সেবা পূজানা পেনহনগদনি ॥ শ্রদ্ধ কম-পূজা তৌরিবৈ মতমদুদা, লৈরিবশিংদুনা করিগুম্বা বাচোয় অমত্ত ভাঙশবলোইদৌবনি। তুমিন তমিন লৈগদবনি। বাণী (চীল বা) অদুগা ইন্দ্রিযশিংবু থুদুম মথাদা থমগদবনি। অদুম্না পিণ্ডদানগী থবক্তু লোই-ববতুংদা পিণ্ডশিং অদু, ব্রাহ্মণনা, অগ্নিদা (মৈদা) হামেংদা নত্রগা শঙ্গদা পীজথোকদবনি, নত্রগা ঈশিংদা থাদোকগদবনি ॥ অদুগা, শ্রাদ্ধকর্মগী কর্মকর্ত্তা অদুনা ময়ায়থ বনা থারিবা পিতামহদা বংখ্রিবা পিংদু চাংগদবনি। চারমদাইদা —"হে পিতৃলোকপুন্ন। নহোয়ুনা, এগী গর্ভদা থম্বাল লৈকাপরেংনা লৈতেবা, নীংথিজরবা ঈচানিপা অমা থম্বীয়ু—হায়দুনা" অদুম্না স্তুতি তৌবা তারে ॥ ব্রাহ্মণশিংনা চাবথকপদু লোইরবতুংদা, লেমহৌবা, মথোয়দা য়েননয়াওহৌদবা অরেপশিং অদু অতৈ অতোপ্পা শ্রাদ্ধ কমদুদা লাকলিবশিংদুদা পীগজগদবনি। অদুগী তুদা, শ্রাদ্ধকর্মদাগী মশামক্তা মহাক্কী পরিবার, মচামশু মম্মাই মশঙ্গশিংগা লোয়ননা, লেনহৌরিবা শক্তক অদু চাগদবনি ॥

এষ প্রোক্তঃ সমাসেন পিতৃযজ্ঞ সনাতনঃ। পিতরস্তেন তুষ্যন্তি কর্ত্তা চ ফলমাপ্নুয়াৎ ॥
অহন্যহনি বা কুর্য্যান্মাসে মাসে থেবা পুনঃ। সংবৎসরং দ্বিঃ কুর্য্যাচ্চ চতুর্বাপি স্বশক্তিতঃ ॥
দীর্ঘায়ুশ্চ ভবেৎ স্বস্থঃ পিতৃমেধেন বা পুনঃ। স পুত্রো বহুভৃত্যশ্চ প্রভূতধান্যবন্ ॥
শ্রাদ্ধানিঃ স্বর্গমাপ্নোতি নির্মলং বিবিধাত্মকম্। অপ্সরোগণসংযুক্তং বিরজস্কমনন্তরম ॥
শ্রাদ্ধানি পুষ্টিকামা বৈ যে প্রকুর্বন্তি পণ্ডিতাঃ। তেষাং পুষ্টিং চৈব দাস্যন্তি পিতরঃ সদা ॥
ধন্যং যশস্য মায়ুষ্যং স্বর্গ্য শত্রু বিনাশনম। কুলসংধারকং চেতি শ্রদ্ধম মুনীষিণ ॥

প্রমাণ কল্পনাং দেবী দানস্য শৃণু ভামিনি।

যংসারস্ত নরোলোকে তৎদানং চোত্তমং স্মৃতম। সর্বদান বিধিং প্রাহুস্ত.দেব ভুবি শোভনে ॥

প্রস্থং সারং দরিদ্রস্য সারং কোটিধনস্য চ।

প্রস্থসারস্ত তং প্রস্থ.দদ মহদ বাপ্নুয়াৎ।

অসুম্না শ্রাদ্ধ কর্মগী নিয়ম বিধি শম্না হায়রবনি। অসুম্না শ্রদ্ধকর্মবু নিয়মবিধি কায়দনা পাংথোক্লিবা মী মহাক অহু হায়নীভায় লৈতনাউত্তম ওইরবা (যরবা) মহৈব য ভি ॥ শ্রাবতত্ত অসি খঙবা মীনা, মহাক্না ভমজবা খরনা নুমিৎ খুদিগী থা খুদিংগী নত্রগা চহি অমগী মনুদা যান্দ্রবদা অনীরক্তং নত্রগা মরিরক্তং শ্রাদ্ধ কর্মসি পাংথোক্বদবনি। অসিগুম্বা শ্রাদ্ধকর্মান তৌরিবা মী মহাক অহু দীর্ঘযায়ু (পুনশিশাংবা), মশাদা অনাযেক লৈতবা হাবরহু য ভি। মশাংশ্ হোঙনা ফৌচেঙ থম পানা লৈবা ওই ॥ শ্রাদ্ধদা দান তৌরিবহু, মচং তেঙান দেভানবগী মত্তব, রাজ্ঞোঙগী শত্রুক য়াওত্রবা, অপ্সরাশিংনা পুমকোয়না সেবা তৌরবা স্বর্গমালদা মতম চুপ্না লৈ। থম্মে য হকচাং চাওখৎপা পাম্বা তত্ত খঙবা পণ্ডিতনা তৌবা শ্রদ্ধ কর্মহুদা পিতৃলোকনা মহাক্না পাম্লিবহুরক অহুগা মচামশু শাগৈ লৌশাঙ শীংনা লৈংথিবা পী ॥ জ্ঞান লৈবা মীনা, শ্রদ্ধকর্ম হাযব সবু লল মি চং, পুনশি পীবা, স্বর্গদং হনবা বর্মনি হায়নৈ। যেক তিংথং লৈহদবা, শাগৈ মংতনা লৌশাং শীংনা লৈথখিবা কর্মনি হায়নৈ ॥ দেবী। চান্নবী। দানগী ফল (মহৈ) বু ফংবা প্রমাণ পীনখিবহুগী মরমদা ঐ হায়গে তাও। জগৎ অসিদা তাইব মীগী মফমদ দানগী মচ ওইবা বস্তু থর লৈ। মাহু দান তৌরবদি অফবা মহৈ ফংভি। নীংথিজগী। পৃথীাক অসিদা দানগী তত্ত অমদি বিধি মসি অসুম্না শরুশোন্নহুনা লৈরবনি ॥ লাখপতি করোড়পতি কোটিপতি অমগী মফমদ লুপা লাখ অমম কোটিনা দানগী সার বস্ত অমা ওইনা লৈবহুগা, লায়রবা অমগী মফমদা লৈরিবী দানগী চেঙ মুষ্টি অহুগা. দানগী সার বস্ত ওইনা লৈবদা মংত্র। চপ মাদৈ। হাযবদি, লাখপতি অহুনা লুপা লাখ অমহু অমত্ত থাকহৌদনা লোইনা দান তৌরবদি মহাক্কী লুপা লাখ অহুনা সার ওইবা দান বস্তুনি। লায়রবনা চেঙ মরীক অমত্ত থাকৃহৌদনা চেঙ থুয়া অনত্তং দানগীনি হংহুনা থমজরিবহুহু সার ওইবা দান স্তুনি।

কোটিসারস্তু তাং কোটিং দদম্মহদবাপ্নুয়াৎ। উত্তমং তন্মহৎ তচ্চ ফলেনৈব যমং স্মৃতম্ ॥
ধর্মার্থকামভোগেষু শক্ত্যাতঃ বস্তু মধ্যসম। স্বদ্রব্যাদতিহীনং তু তং দান মধ্যমং স্মৃতম্ ॥
শৃনু দত্তস্য বৈ দেবী পর্বতথা ফল কল্পনাম্। আনন্ত্যং চ মহচ্চৈব সমং হীনং হি পাতকম্ ॥
তেষাং বিশেষং বক্ষ্যামি শৃনু দেবী সমাহিতা। তুস্ত্যজ সা চৈব দানং পাত্র আনন্ত্যমুচ্যন্তে ॥
দানং ষৎগুণযুক্ত তু মহদিত্য ভিধীয়তে। যথাশ্রাদ্ধং তু বৈ দানং যথার্হং সমমুচ্যতে ॥
গুণহস্তু তথা হীনং দানং হীনমিতি স্মৃতম। দানং পাতকমিত্যাহুঃ ষৎগুণানাং বিপর্যযে ॥
দেবলোকে মহৎ কালমানন্ত্যস্য ফলং বিদুঃ। মহতস্তু যথাকালং স্বর্গলোকেতু পূজ্যতে ॥
সমস্য তু তথাদানং মানুষ্যং ভোগমাবহেৎ। দানং নিষ্ফলমিত্যাহুর্বিহীনং ক্রিয়য়া শুভে ॥

অদুনা, অদুম হায়না অমত্ত থাকহৌদনা দান তৌবা ওস্বা লাখপতিদি লৈতবনিনা, চেং মক্ক অমত্ত থাকহৌদনা দান তৌরিবা লায়রবা অদুনা তৌরিবা অদুগী মহৈনা লাখপতিনা তৌবা দানগী মহৈদুদগী চাউবা হেল্লি। হায়বদি, দানগী সার বস্তু মচিওইবা হেল্লি। অদুনা অমত্তা থাকহৌদনা দান তৌমিন্নরবদি লায়রবগী দানগী মহৈগা অমত্ত থাকহৌদনা ইম্নাক খুনবক্তনা তৌবা দানগী মহৈগা চপ মান্নে ॥ ধর্ম অর্থ কাম ভোগকী শক্তি য়াৎপদগী ওমজবা খরদং তৌবা দান অদুনা মধ্যম ওইবা (ময়ায় ওইবা) দাননি ॥ দানগী ফলগী থাক অসি মঙং মঙা থোক্না হায় হায়না লৌনৈ। ১। ওমথৈ নাইদবা, ২। ওমথৈ নাইরবস্তু ওস্থোক্না চাউবা (মহান ওইবা), ৩। হেন্দোক হেক্তিন লৈতনা, অদুম হায়গুম চপ মান্নহনা লৈবা, ৪। খ্বাইদগী হন্থবা, অদুগা ৫। পাপ হায়রিবা থাক মঙা অসিনি ॥ দেবী! হৌজিক হায়খ্রিবা থাক মঙা অসিগী মরমদা হায়গে তাও। পোৎ অদু থাদোকখিবা দান তৌথোকখিবদা, থরায় থাবগা চপ মান্নরগদবা, পাক থাদোকপা ওম্মরোইদবা অক্তগুম্বা পোৎ অদুবু পীয়ু হায়না নিররবদা মুংঙাইত্তবা করিমত্ত লৈতনা দান তৌগ্রবদি অদুগুম্বা দান অদু "আনন্ত্য" হায়বা থাক অদুনি। ওমথৈ লৈতবা দাননি। ওমথৈ লৈতবা ফল্ল ফংগনি ॥ হায়খ্রিবা গুণ তরুক অদুনা তিনবা, অস্ত (অরোইবা নাইবা) ওইরবস্তু মহান ওইবা দান অদু "মহান্" কৌবা থাক অদুগী দাননি। দাতা অদুনা, মাগী য়াথল অদুগী মতুং ইন্না, হায়বদি নিরিবা অদুনা পাম্বা পামদবস্তু থোইনা থল্লদনা তৌবা দান অদু "সর্ম" কৌবা থাক অদুগী দাননি; হায়বদি চপ চানা দান তৌবগী ফংবা ফংদবা চপ মান্ননা অদু লৈ। মগুণ করিমত্ত যাওদবা পোৎপু দান তৌরবদি, মাদু "হীন" কৌবা থাক অদুগী দাননি। পোৎ অদু দান তৌরগা পীথোকপগা, পাপ পুহৌদবা, নরক তাহৌগদবা লৈরবদি মাদু "পাপ" হায়বা মঙাশুবা থাক অদুগী দাননি। "আনন্ত্য" কৌবা কৌবা থাকী দানগী মহৈনা অনন্ত কাল ফাওবা স্বর্গদা লৈ। মহান কৌবা থাককী দানগী মহৈ [illegible] ওস্থোকনা লুংঙাইরবা ভোগ অদু মতম খরদং স্বর্গদা ফংভি। "সম" কৌবা থাককী দানগী মহৈদ [illegible] মীগী মপোকতা অথোই অহেন থোইনা লৈবনা মর্ত্য লোকতা পোকলৈ।

অথবা ম্লেচ্ছদেশেষু তত্র তৎ ফলতাং ব্রজেৎ। নরকং প্রেত্যতির্য্যক্ষু গচ্ছেদশুভদানতঃ॥

উমোবাচ

অশুভস্যাপি দানস্য শুভং স্যাচ্চ ফলং।

শ্রীমহেশ্বরউবাচ

মনসা তত্ত্বতঃ শুদ্ধ মান্ শস্য পুরস্কৃতম। প্রীত্যাতু সর্বদানানি দত্ত্বা ফলম বাপ্নুয়াৎ॥
রহস্যং সর্বদানানামেতৎ বিদ্ধি শুভেক্ষণে। অন্যানি ধর্মকার্য্যানি শৃণু সদ্ভিঃ কৃতানিচ॥
আরামদেবগোষ্ঠানি সংক্রমাঃ কূপ এবচ। গোবাটশ্চ তটাকশ্চ সভা শালা চ সর্বশঃ॥
পাষণ্ডাকস অশ্চৈব পানীয়ং গো তৃণানিচ। ব্যাধিতানাং চ ভৈষজ্যমনাথানাং চ পোষণম॥
অনাথশবসংস্কারস্তীর্থ র্গবিশোধনম্। ব্যাবনা ভ্যবপতিশ্চ সর্বেষাং চ স্বশক্তিতঃ॥
এতৎ সর্বংসমাসেন ধর্মকর্য্যমিতি স্মৃতম। তৎ কর্ত্তব্যং মনুষ্যেণ স্বশক্ত্যা শ্রদ্ধয়া শুভে॥

হীন কৌবা থাককী দানগী মহৈদি কম্নিমত লৈতে। মহৈ কম্নিমত লৈতাবনিনা ম্লেচ্ছদেশদা পোকই। "পাপ কৌবা থাককী দানগী মহৈনা পাপযোনিদা চংহুনাশা-উচেক্কী মপোক্তা পোকই। উমানা হায়ঃ—ভগবন্! দেব দেব! অশুভদানগী ফলনা শুভফল ফংবসি করম্না ওইবা য়াগদগে? শ্রীমহেশ্বরনা হায়ঃ—চান্নবী! দানদ শুভদান অশুভদান (অফবা পোৎ দান তৌবা, ফত্তবা পোৎ দান তৌবা) হায়বা লৈতে। দাতাহুগী থম্মোয়দা পুক্নীংদা বাথল (শরনি) বাথলহুগী মতুংইন্না ফল শুভ ফল অহুম মফংতি। অফবা পোৎ দান তৌই হায়হুনা দাতাগী বাথল অহুনা অমাংবা (ফত্তবা) ওইরবদি ফত্তবা ফল অহুম পী। থম্মোয় শেংনা, কম্নিগুম্বা কামনা (অপাম্বা) অমত্ত থমদনা, নিষ্কাম ওইনা দান লৌম্নিবা (মিম্নিক) অহুগী অবস্থাহু উবদা দয়া (নুংশিবা) অম পোকখিহুনা দান তৌরবদি শুভ ফল অহুম মপী॥ অহুনা, পার্বতী! দানগী রহস্য অথুপ্পা তত্ত্বসে অতুম খঙ্ক্। সৎপুরুষশিংনা জ্ঞান তানা তৌবা পোশকশিংগী দানগী ফল অহু হায়গে, তাও॥ জনসাধারণগীদমক্তা বগীচা হৈকোল লৈকোল—পোত্থাকম) দেবস্থান দেবমন্দির শাবা, লম্বীথোং, কুহানচিংবা তৌবা, গোশালা শা-শনগী লৈফম শেম্বা), পুখ্রী লাংখোং তৌহুনা শেম্বা, যাত্রিকশিংগীদমক্তা ধর্মশালা শাবা, ফত্রবা মীশিংগী ফংথবা ঈখৌলাংলবশিংগী ঈশিং ফংফম তুংফম শেম্বা, শম্বী শম্নাওশিংগী শক্তিকচাফম শেম্বা শক্তীক পীজবা, অনাঅয়েকশিংগী হীদাক লাংতক ফংনবা মফম (হীদাকশঙ্) শেম্বা-শাবা, মমা মপা লৈজত্রবা অঙাংশিংগী চঙফম লৈত্রবশিংগী লৈফম শঙ (অনাথালয়) শাবা, অশিব-শিংগী সংস্কার তৌফম (মোংফম) শেম্বা, লাইফম তীর্থশিংবু শেংদোক খোৎ তাকপা, অম্নাবা শুদোং থীবদা তারবশিংগী, অঙম্বা শক্তিনা শেলথুমচিবা য়েক্নোক পীথোকপা, অসিনচিংহসি দানগী বিষয়শিং অসি সমপৎনা হায়রিবনি। চান্নবী! পার্বতী! ভক্তিশ্রদ্ধাগা লোয়ননা ধর্মকর্ম (ধর্ম থোকপা থবক), শিংগী মনুষ্যদা অমা কৌগদবনি॥ শ্রাদ্ধভক্তিগা লোয়ননা দান তৌবা দাতাশিং অহু চাউরবা পুণ্যফল ফংতি। শিরবতু দ মথোয়গী আত্মা পরআত্মাগী শামদা মৌখি।

প্রেত্যভাবে লভেৎ পুণং নাস্তিতত্র বিচারণা। রূপং সৌভাগ্যমারোগ্যং বলং সৌখ্যাং লভেন্নরঃ॥
স্বর্গে বা মানুষে বাপি তৈস্তৈরাপ্যায়তে হিসঃ॥

উমোবাচ

ভগবল্লোঁকপালেশ ধর্মস্ত কতিভেদক। দৃশ্যন্তঃ পরিতঃ সন্তি স্তম্মে শংমিতুমর্হানি।

শ্রীমহেশ্বরউবাচ

স্মৃতিধর্মশ্চ বহুধা সদ্ভিবাচার ইষ্যতে॥

দেশধর্মাশ্চ দৃশ্যন্তে কুলধর্মাস্তথৈব চ। জাতিধর্মাশ্চ বৈ ধর্মা গণধর্মাশ্চ শোভনে॥

শরীরকাল বৈষম্যা দাপৎ ধর্মশ্চ দৃশ্যতে। এতদ্ধর্মস্থ নানাত্বং ক্রিয়তে, লোক বাসিভিঃ॥

তৎকারণ সমাযোগে লভেৎকুর্বন্ ফলংনরঃ

শ্রৌতস্মার্ত্তস্তু ধর্মাণাং প্রকৃতো ধর্ম উচ্যতে। ইতিতে কথিতং দেবী ভূয়ঃ শ্রোতুং কিমিচ্ছসি॥

উমোবাচ

মানুষেষেব জীবৎসু গতির্বিজ্ঞায়তেনবা। যথাশুভাগতি র্জীবন্ নাসৌ ত্বশুভভাগিতি॥

মসিগী মরমদা অমূক হায়হুনা কায়দে। দানতনা ধর্মাত্মা ওইবশিংদা. ইহলোকতা মিচৎ চাওবা লোকসমাজদা মান্যতা, পুনশি তোলোইনা লৈবা ফংঙি। শিরবা তুংদা পরলোকতস্থ স্বর্গগী সৌভাগ্য পুম্বা ফংঙই॥ উমানা হায়ঃ—ভগবন! দেবদেব! ধর্মগী ভেদ (মখল)শিং কয়া শুবগে করি করি খেন্নবগে? মাহু, ঐঙোন্দা তাকপিয়ু॥ শ্রীমহেশ্বরনা হায়:—স্মৃতিশাস্ত্রনা হায়বা স্মার্ত্তধর্ম হায়বসি মখল য়াম্মি। কনা কনাগুম্বা জ্ঞানীপুরুষশিংনদি আচার ধর্মনা খ্বাইদগী অহেনবনি হায়না লৌনৈ। লৌবা পাম্মি। নীংথিজবী! মাগী মাগী দেশদা চৎনবা দেশধর্ম, মাগী মাগী বংশদা চৎনবা কুলধর্ম, মাগী জাতিদা চৎনবা জাতি ধর্ম, অসিনচিংবা হায়রিবা ধর্মশিং অসি খ্বাইনা উনরিবা খণ্ডনরিবা ঙাক্রনি॥ হকচাংদা রোগনচিংবা লাকপদা, মতমগী খোঙচৎ মতুং ইন্না করিগুম্বা দুর্ঘটনা অমা তারকপনা, আপৎকাল (অৱাবা থুদোংথীবা)দা তৌরগা ধর্মগী নিয়মদা খর কোমথরকত্তাবনা মাহুদা তৌবা "আপদ্ধর্ম" হায়বা হায়বা অমস্তু লৈরি। করিগুম্বা কারণ অমলৈবদগী করিগুম্বা ধর্ম অমগী আচরণ কৌবা তারবদা, ধর্মদুগী আচরণ তৌরিবা মী মহাক অহু ধর্মদুগী ফল অহু অতুম ফংঙি॥ বেদদা হায়রিবা বৈদিকধর্ম, স্মৃতি-শাস্ত্রদা হায়রিবা স্মার্ত্ত ধর্ম অহুদ প্রাকৃত ধর্মনি। দেবী! মতৌ অমুম্মা, লৈথ্রিবা তোঙাল তোঙনবা ধর্মশিংগী মরমদা ঐনা শম্না হায়রবনি। হৌজিক করি অমত্তক তানিংলি!?॥ উমানা হায়:—প্রভু! দেবদেব! তাইবংগী কনা কনাগুম্বনা, হিংলিঙৈ (শিঙ্গ্রিঙৈ) মতমসিদা আম্বাসিনা হকচাং থ'দোক্না চৎথিবগী গতি অনি খঙবা য়াওব্রা? য়াওদবরা? মপোক অসিমক্তদমু শুভগাতিদগী লাকপশিংগী জীবন মরেনগা, অশুভগপতিদগী লাকপশিংগী জীবন মরেন অসি মান্নব্রি।

এতদিচ্ছাম্যহং শ্রোতুং তন্মেশংসিতুমর্হসি।

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

তদহং তে প্রবক্ষ্যামি জীবিতং বিদ্যতে যথা। দ্বিবিধা প্রাণিনোলোকে দৈবাসুর সমাশ্রিতাঃ ॥
মনসা কর্মণা বাচা প্রতিকূলা ভবন্তিযে। তাদৃশানাসুরান্ বিদ্ধি মর্ত্ত্যাস্তে নরকালয়াঃ ॥
হিংস্রাশ্চোরাশ্চ ধূর্ত্তা পরদারাভি মর্শকাঃ। নীচকর্মরতা যে চ শৌচ মঙ্গল বর্জিতাঃ ॥
শুচিবিদ্বেষিণঃ পাপা লোক চারিত্রদূষকাঃ। এবং যুক্তসমাচারা জীবন্তো নরকালয়া ॥
লোকোৎবেগকরশ্চান্যে পশব সরীসৃপাঃ। বৃক্ষাঃ ক ণ্টকিনো রুক্ষাস্তাদৃশান বিদ্ধি চাসুরান্ ॥
অপরান্ দেবপক্ষাংস্তু শৃণু দেবি সমাহিতা ॥
মনোবাকর্মভি নিত্যমনু কূলা ভবন্তি যে। তাদৃশানমরান্ বিদ্ধি তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ।
শৌচার্জবপরা ধীরাঃ পারার্থান্না হরন্তিযে। যেসমাঃ সর্বভূতেষু তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥
ধার্মিকাঃ শৌচসাম্পন্না শুক্লা মধুরা ভার্ষিণঃ। নাকার্য্যং মনসেচ্ছন্তি তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥
দরিদ্রা অপি যে কেচিৎ যাচিতা পীতিপূর্বকম।

বিষয় অসিগী মরমদা য়াম্ন থক্তজনীতিং, তাকপিয়ু। শ্রীমহাদেবনা হায়ঃ—পার্বতী থবায় পানবশিংগী মাগী মাগী পুনশিগী মরেন অসি, ঐ হায়গে, তাও। সংসারদা লৈরিবা প্রাণী (থবায় পানবা) হায়ত্থনা লৈরিবসি মথল অনী থোক্লা লৈ। অমনা দেব ভাবতা লৈবা প্রাণী, অতোপ্পা অমনা আসুরীভাবতা লৈবা প্রাণী— অনীসিনি ॥ হিংসা তৌবা, হুবানবা, মরৈমরা চাউবা— তমথিবা, অতোপ্পগী নুপীদা চঙজবা, শম্ন খোংনরুবা, অতোনবা হন্থবা থবক্তদা পুক্লীং চঙবা, অশেং অমাংগী আচার বিচার থমদবা, অশেং অমাং থায়না চৎপবু উরগা কল্লকপা নিন্দা তৌবা য়েংথিবা, অকবা মীদা কলঙ্ক থম্বা (নাব থিতুনা চোপহনবা মিংচৎ থীহনবা) অসিগুম্বা মীসি হিংন হিংনা নরক তারি। মীগী থম্মোয়দা অকিবা অৱাবা মিপাইবা পোকহনবা, শা-উচেক, লিল, বিচ্ছু, অসিনচিংবা জীবশিং অদুনা শোকপদা 'হু' কাবা তি থং তিলাং পানবা হৈপাল লৈপাল লৈবা জীবশিং অসি আসুরীস্বভাবতা তাইবং মীগী হকচাংদা লৈরম্বা জীব (জীবাত্মা) মকুনি ॥ অসুম্না খঙও। 'দেবী' দৈব স্বভাবতা লৈবশিংগী পুনশি মরেন্দা অমুক তায়ো। পুক্লীং হকচাং অমদি থবক্তা তৌপোরচপা থবক খুদিংদা পুন্নমক্লা য়াবা— য়ানিংবা ওইবা জীব পুন্নমক্লী কান্নবা ওইবা, অদু ওইরবদি অদুগুম্বা মীহুসী জীবদু অমর লোক (দেবলোক স্বর্গলোক) তা চংপ্রগদবা দেবগতি ফংগ্রবগদবনি। অশেং অমাং য়াম্না য়েংহুনা শেংনত লৈবা, পুকচেলয়েংবা—খোৱদবা, য়াম্না তপথবা, অতোপ্পগী মরল মথুম্ লৌদবা, অচচক্ত জীবপুম্বদা চপ মান্নবা মীৎয়েং নায়েংনা য়েংবা, জীব খুদিংমকপু চপ মান্ননা নু শিবা অদুগুম্বা মীহু স্বর্গ কায়। অশেং অমাং থায়বা, ধর্ম চেনবা, মরাহৈ থুগ্না তৌগদবা থবক্তা পুক্লীং চঙদবা, তৌহৈদবা থবকহু পুক্লীংনা ফাওবা তৌরুদবা অদুগুম্বা মীহু স্বর্গ কায় ॥

বদত্যেব চ যং কিঞ্চিৎ তেনরাঃ স্বর্গগামিনঃ ॥
আস্তিকামঙ্গলপরঃ সততং বৃদ্ধসেবিনঃ। পুণ্যকর্মপরা নিত্যং তে নরাঃ স্বর্গগামিনঃ॥
নির্মমা নিরহংকারাঃ সানুক্রোশাঃ স্ববন্ধুষু। দীনানুকম্পিতো নিত্যং তেনরঃ স্বর্গগামিনঃ॥
স্বদুঃখমিবসন্যন্তে পরেষং দুঃখ বেদনম্। গুরুশুশ্রূষণপরা দেবব্রাহ্মণ পূজকাঃ।
কৃতজ্ঞাঃ কৃতবিদ্যাশ্চ তেনরাঃ স্বর্গগামিনঃ॥
জিতেন্দ্রিয়া জিতক্রোধা জিতমানমদাস্তথা। লোভমাৎসর্য্যহীনাং যে তেনরাঃ স্বর্গগামিনঃ॥
শক্ত্যা চা ভ্যবপদ্যন্তে তেনরাঃ স্বর্গগামিনঃ॥
ব্রতিনো দানশীল শ্চ ধর্মশীলাশ্চ মানবাঃ ঃ ঋজবো মৃদবোনিত্যং তেনরাঃ স্বর্গগামিনঃ।
ঐহিকেনতু বৃত্তেন পারত্রমনুমীয়তে। এবং বিধানরালোকে জীবন্তঃ স্বর্গগামিনঃ॥
যদন্যচ্চ শুভং লোকে প্রজানুগ্রহকারি চ।
পশবশ্চৈব বৃক্ষাশ্চ প্রজানাং হিতকারিণঃ। তাদৃশান্ দেবপক্ষস্থানিতি বিদ্ধি শুভাননে॥
শুভাশুভময়ং লোকে সর্ব স্থাবরজঙ্গমম।

মশানক লায়রবস্তু, কনাগুম্বা অমনা নিরম্বদা অঙম্বা খর পীবা কৎপা অমতা লেম্বা হুনহনখিদবা অতুগুম্বা মীথু স্বর্গ কায। আস্তিক ওইবা, ঈশ্বরগী অস্তিত্ব (লৈবা)বু থাজবা, মঙ্গল ওইবা থবক্তদা পুক্নীং চঙবা, অহন্নমনগী সেবাদা, কান্নবা থবক থৌবদা পুক্নীং চঙবা, নুমিৎ খুদিংগী পুর্ণ্য কর্মথৌবগী রাখন্ত খনবা অতুগুম্বা মীথু স্বর্গ কায।' ঐগী-নাগী থায়জবা, মশাদা অহংকার, খোযবা চাউথোকপা লৈতবা, মরূপময়পাং শাগৈনাথৈগী অফবা খনবা লায়রকুখবদা মতেং পীবা, থোকা-হৈবা অতুগুম্বা মী স্বর্গ কায়। মীগী অবাবা উৎগা অবাবা মীথুগা চপ মান্নবা বাবা (বামিন্নবা), লাইগুরুগী সেবাদা পুক্নীং চঙবা, দেবতাশিংগী অমদি ব্রাহ্মণশিংগী সেবা পূজাদা পুক্নীং চঙবা, বিদ্বান ওইব, তন্ন পূম্বা খঙবা মীথু স্বর্গ কায়॥ ইন্দ্রিয়বু খুদুম চনবা, অশাউবা কল্লকপা পূম্বা নমহংতুম্বা, অশান্না মিংহৌবা পূম্বা থাদোক্লবা, অতুগুম্বা মীথু স্বর্গ কায়, নুমিৎ খুদিংগী ঙমজবা খন্নবা মীগী মতেং পাংবা অতুগুম্বা মীথু স্বর্গ কায়। ব্রত কনবা (অফবা থৌখিবা থবক্তা পুক্নীং চেৎপা হুন্দবা) দান থৌবা মীথোন্দা পীখোকপা তংবা হৈনাখব, মাল্লনা মশিঞ্জাং ওইবা, ঙাওথোরকপা—থৌথোরকপা থবক্তা থোৎপা লৌবা, মীগী শুভাশিনফমত ওইবা মীথু স্বর্গ কায। হুন্দকী মপোক্তা চৎলিবা থৌরিবা লমচৎ কর্মশিংনিতনা, হৃয়েম্মুক্কী মপোক্তা (দেহদা) জীব (আত্মা) সিনা চঙতুগদবগী খত্তিকু, চৎলিবা থৌরিবা মী মশাহুমক্তা অতুং উঙব য়াই। জগৎসিদা, হৌকিক হায়খিবা আচরণ ব্যবহার ময়াম চৎলিবহু মীশিংহু স্বর্গ কাংগদবা ঙাক্কন॥ লোক অসিদা শুভ কর্ম ত থৌহুনা লৈরিবহু স্বর্গ পাম্বা স্বর্গগামী ওইরগদবা ঙাক্কনি। দেগী প্রজাগী কান্নবাত থৌরিবা হৈপাল লৈপান পা-উচেকফাওবহু স্বর্গ কানবা লম্বী শেমজরিবা ঙাক্কনি॥

দৈবশুভ মিতি প্রাহুরামুরং চাশুভং প্রিয়ে ॥

উমোবাচ

ভগবনন্ মানুষাঃ কেচিৎ কালধর্মমুপস্থিতাঃ। প্রাণমোক্ষং কথংকৃত্বা পরপ্রহিতমাপ্নুয়ুঃ ॥

শ্রীমহেশ্বরউবাচ

তত্ত্বে তেকথয়িষ্যামি শৃণু দেবিসমাহিতা। দ্বিবিধং মরণংলোকে স্বভাবা প্রযত্নস্তথা ॥

তয়োঃ স্বাভাবংনাপায়ং যত্নতঃ করনোদ্ভবম্। এতয়োরুভয়োর্দবি বিধানং শৃণু শোভনে।

কল্যাকল্যশরীরস্ত যত্নজং দ্বিবিধং স্মৃতম্। যত্নজং নাম মরণমাত্মত্যাগো মুমূর্ষয়া ॥

তত্রাকল্যশরীরস্য জরাব্যাধিশ্চ কারণম্। মহাপ্রস্থানগমনং তথা প্রয়োপবেশনম্ ॥

জলাবগাহনং চৈব অগ্নিচিতাপ্রবেশনম্। এবং চতুর্বিধঃ আত্মত্যাগো মুমূর্ষতা ॥

এতেষাং ক্রমযোগেন বিধানং শৃণু শোভনে।

চান্নবী। জগৎ অসিদা অচচ্চত্ত জীবশিংনা তৌনারবা কর্মশিং অসিগী মন্নুংদা শুভ কর্মনা দেবলোক-কিনি, অশুভকর্মশিং অসিনা আশুরলোবতা চৎন্নবগী লম্বীনি ॥ উমানা হায়ঃ— ভগবন। আত্মা (জীবাত্মা) অসিনা হকচাং অসি থাদোক্লঃ তুনা চৎলমদাইদা (শিরমদাইদা), জীব (ঐ) শিনা, করম্না মওংদা (বাথন্দা) ভৌতিক দেহ (পঞ্চভূতনা শাবা হকচাং) অসিবু থাদোকফম থোকপগে। করম্না মওংদা থাদো-ক্লগা জীবসিনা পরলোকতা (অতোপ্পা) দেহ অমদা চঙ্গুবদা) মঙ্গল ওইব-ওদা লৈরুবা ঙমগদগে ? । শ্রীমহেশ্বরনা হায়ঃ— দেবী। নংনা হংলিবা বাফমসে তাইবং মী থুদিংমকতা কান্নবা বাফমনি। ঐস্থ য়াম্ন হায়নীংবগা লোয়ননা হায়গে। পূর্ণ্যিং অনী লোঙদনা তাও। মৃত্যু (শিবা) হায়বসে মওং অনীথোক্লা লৈ। হায়বদি মথল অনীনি। অমনা স্বাভাবিক মৃত্যু, অতুগা অমনা যত্নসাধ্য মৃত্যু কৌই ॥ দেবী। স্বাভাবিক মৃত্যু হায়বসিদি মশানা অহুম, মৃত্যু কৌবা মশাকী স্বভাব অম ওইনা লাকচবনি। অসিগুম্না স্বাভাবিক মৃত্যু সি দি কনাগুম্না করিগুম্না অমতনা বিংবা, পম্বহনবা ঙমদে। যত্নসাধ্যমৃত্যু হায়বহুগীদি মচাক (উপায়) থর চঙিত। কনাগুম্না করিগুম্না অমনা থিংব পম্বহনবগ য়াই। অনীমক্কী বিধি অসে ঐ হায়গে তাও ॥ যত্নসধ্যম ত্যু হায়বসিগী অমুকসু ঙম্না-ঙমদবগী মতুং ইন্না মথল অনী লৈ। শীরকপা পুনশিগী অবোইবা মতম বাক্লিতৈদা মাঙজোননা শিনিংবদগী, করিগুম্না মচাক (সাধনা উপায়) অমনা মশানা তোৎনতুনা থোকহনবা (পুরুরকপা) মৃত্যু অহু, যত্নসাধ্য হায়বা মৃত্যু লাৎ তহুনি ॥ সামর্থ্য লৈত্রবা হকচাং (ঙমত্রবা হকচাং) হায়বসিগীদি অহল ওইরক্লবা, ইন্দ্রিয়শিংগী শক্তি পুম্বনা তীকথরক্লবা, নত্রগা করিগুম্না রোগ (লায়না) অমনা তৌনিংবা থবকপুম্না ঙম্মকত্রবগী মৃত্যুগী কারণ (মচাক)দি মহাপ্রস্থান (অরোয়বা খোঙচৎ), শিত্রিকা ওবা চরাক্লেনবা, ঈশিংদা চোংবা, চিত্ত গী মৈমু দা চোংশিনবা, অসিন-ংবোসিনি। হৌজিক হায়ত্রিবা মৃত্যু মথল মরি অসিবু তৌরিবা পুকম অহুবু মৃত্যু পাম্বা (শিনিংবা) নম কৌই।

স্বধর্মযুক্ত গার্হস্থ্য চিরমুষিতবা বিধানতঃ। তত্র নূণ্যং চ সম্প্রাপ্য বৃদ্ধো বা ব্যাধিতোপি বা।
দর্শয়িত্বা স্বদৌর্বল্যং সর্বানেবানুমান্য চ। সর্বং বিহায় বন্ধূংশ্চ কর্মনাং ভরণং তথা॥
দানানি বিবিধং কৃত্বা ধর্মকর্য্যার্থমাত্মনঃ। অনুজ্ঞাপ্যং জনং সর্বং বাচা মধুরযা ব্রুবন্॥
অহতং বস্ত্রমাচ্ছাদ্য বদধ্বা তৎকুশরজ্জুনা। উপসংস্পৃশ্য প্রতিজ্ঞায় ব্যবসায় পুরস্সরম্।

পরিত্যজ্য ততো গ্রাম্যং ধর্মং কুর্য্যাৎ যথেপ্সিতম্॥

মহাপ্রস্থানমিচ্ছেচ্চেৎ প্রতিষ্ঠেতোত্তরাং দিশম্॥

ভূত্বাতাবন্নিরাহারো যাবৎ প্রাণবিমোক্ষণম্। চেষ্টাহানৌ শয়িত্বাপি তন্মনাঃ প্রাণমুৎসৃজেৎ।

এবং পুণ্যকৃতাং লোকানমলান্ প্রতিপদ্যতে॥

প্রায়োপবেশনং চেচ্ছেৎ তেনৈব বিধিনা নরঃ। দেশে পুণ্যতমে শ্রেষ্ঠে নিরহ ধস্ত স বিশেৎ॥
আপ্রাণান্তং শুচিভূত্বা কুর্বন্ দানং স্বশক্তিতঃ। হরিং স্মর ত্যজেৎ প্রাণানেষ ধর্মঃ সনাতনঃ।

নীংখিজবী। হায়রিবা মৃত্যুশিংসিগী বিধিশিং ঐ হায়গে তাও। ধর্ম কায়দনা গার্হস্থ্য আশ্রমদা মতম কুইনা বিধি কায়দনা গৃহস্থধর্মগী তৌগদবা লমন অমত তোল্লমদনা লৈরুবা তুংদা নত্রগা বৃদ্ধ ওইরক্লবা, নত্রগা রোগী অম ওইরক্লবা, অবস্থাহ মশাদা উজরক্লুনা অহুগা মীওন্দা হায়দোকচরক্লুনা, শগৈ নাতৈ মকাপ মশাং মী খুদিংমক্কী বিদায় লৌহুনা, দানধর্মপুম্বা জ্ঞানতানা তৌজরমহুনা অথুম্বা অভম্বা রৈহনা শেংনখায়নরমহুনা. অহুগী তুদা অনৌবা ফী.জাল অমা হোংহুনা (বের ওন্দুনা) শেংলিবা ফীজোল অহু কোমধ নাম্বরক্কনবা কুশমনানা তাবা থৌরীনা খুাংদা ফাজিংগদবনি। মাঙ্গিনা গৃহস্থ ধর্মদা (আশ্রমদা লৈবগা মীগী বিধিনি। অমুম হায়না অশেংবা মফমদা তুমিন্না মৃত্যুদেবতানা লাকপহু ঙাইগদবনি। অচমন তৌহনা হকচাং থাদোক্লগে হায়না প্রতিজ্ঞা তৌহনা গ্রাম্যধর্ম পুম্বা থাদোক্লুনা (মতু মচা মরূপ মপাংবু নুংশিনা তৌম খোংনবনচিব পুম্বা থাদোক্লুনা) মহাক্না চানীংথকনীংবহু চাহুনা থক্লুনা মতম ঙায়হুনা লৈগদবনি॥ মহাপ্রস্থান (অরোইবা খোঙচৎ শিবা)গী ইচ্ছা অমা নশাদা পুক্লীংদা লাক্লবদি থকচাবা পুম্বা থাদোক্লুনা প্রাণবায়ু (থবায় মুংশিং) না হকচাং দিদগী মপান্থোকখিত্রে কাওবা (শিত্রিফাওবা) অরাং পাংনা অমুম চৎখিগদবনি। হকচাং হীকথ শোম্বরকপা মফমহুমগুদা হীপথহুনা পরমেশ্বর ভগবান্ শ্রীহরিদা পুক্লীংহু চঙশিনহনখিহুনা প্রাণবায়ুসি মপান্থোকহনখিগদবনি অসগুম্বা সাধনা বিধি অসি কায়দনা প্রাণবায়ুসিবু মপান্থোকথ্রবদি পরমাত্মা শ্রীহরিগী থামদা অমসি য়োৌখিগনি॥ অহুগা প্রাণবায়ুসিনা হকচাংদগী মপান থোকখিদ্রিফাওবা উপবাস তৌহনা (চায়াংদনা) লৈগে হায়না থল্লবস্থ (পাম্বস্ত) যুম থাদোক্লুনা তীর্থনচিংবা অশেংবা মফমদা (লমদা) কর-কনা অমতসু নীংশিংদনা তুমিন্না লেঙদনা ফমহুনা লৈগদবনি॥ প্রাণবায়ুসিনা মাগী হংগং হন্দা হকচাংমুংসিদা হোম্বৰ হোনগংপগী থবক অহুগী অন্ত ওইরকপা (অন্তকাল ওইরকপা) মতমহু লাকত্রিফাওবা অঙম্বা শক্তিনা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অরাকপা অতিথিদা দান থর থর তৌহনা লৈগদবনি॥ হায়রিবা নিয়মবিশিসে সনাতন ধর্মনি।

এবং কলেবরং ত্যক্ত্বা স্বর্গলোকে মহীয়তে ॥
অগ্নিপ্রবেশনং চেচ্ছেৎ তেনৈববিধিনা শুভে। কৃত্বা কাষ্ঠময়ং চিত্যং পুণ্যক্ষেত্রে নদীষুবা ॥
দৈবতেভ্যো নমস্কৃত্বা কৃত্বাচাপি প্রদাক্ষিণম্। ভূত্বা শুচির্ব্যবসিতঃ স্মরন্ নারায়ণ হরিম্ ॥
ব্রাহ্মণেভ্যো নমস্কৃত্বা প্রবিশেদগ্নিসংস্তরম্ ॥
সোহপি লোকন্ যথান্যায়ং প্রাপ্নুয়াৎ পুণ্যকর্ম্মণাম ॥
জলাবগাহনং চেচ্ছেৎ তেনৈব বিধিনা শুভে। খ্যাতেপুণ্য তমেতীর্থে নিমজ্জেৎ সুকৃতং স্মরন ॥
সোহপিপুণ্য তমাঁল্লোকান্ নিসর্গাৎ প্রতিপদ্যতে ॥
ততঃ বল্য শরীরস্য সংত্যাগং শৃণু তত্ত্বতঃ ॥

আ মমাঙৈদগী কেঙদনা চৎনরক্লবা ধর্মনি॥ নীঙ্থিজবী। পার্বতী। বিধি অসি কায়দনা ভৌতিক দেহসিবু আত্মাহু স্বর্গধাম (পরমাত্মাগী ধাম) দা চৎখি। অহুগা কনাগুম্বনা অগ্নিদা হুকচাংসিবু হোম তৌরমগে (থাদোকলমগে) হায়না থক্লবস্তু, হায়রিবা বিধি অসি কায়দনা যম থাদোক্লমহুনা অশেংবা, তুরেল্লচিংবগী মপান্দা অকংবা শীংনা চিতা শেমহুনা (শীংশেমহুনা) থমগদবনি। অহুগী তুংদা দেবতা লাইগুরুজনা পুম্নমকপু ভাবনা খুরুম খরুমহুনা চিতাহুবু পরিক্রমা তৌরক্লগা, লাক্লিবা মরূপ মপাং-শাগৈ নাতৈ গুরুজনথিবিক্তগী খুৎলোম্লনা বিদায় তৌরগা মথুৎনা মৈ চুহুনা চিতা অহু থাগৎলগা ঙুংঙুং চাকখৎলকপা মত্তমহুনা মৈমুংদা চোংশিনখিগদবনি (নম্রগা চিতা মথক কমগদবনি ॥* বিধি অসিগী মতুং ইন্না কায়দনা থবক তৌরগা মীহুগী আত্মাহু পুণ্যাত্মা (পুতাত্মা পবিত্রাত্মা) অহু ওইহুনা পুণ্যাত্মাশিং তিন্নরকম পুণ্যলোক (পুণ্যধাম) ডা চৎখি-কাখি। অহুগা পার্বতী। ঈশিং দ চোংহুনা হুচংসি থাদোক্লম-নিংবা মীনা, হায়ব্রিবা বিধিশিং অমত কায়দনা-র ভনা পতুথোরক্লগা পুণ্য তীর্থগী ঈশিংদা চোংখিগ-দবনি। অসুম্না তৌরবস্তু আত্মাহু পুণ্যাত্মা অমা ওইনা পুণ্যলোকতা চৎখি। মথক্তা হায়ব্রিবশিংসি নত্তনা, সাত্বিক দেবত্যগনচিংবগী মরমদা অমুক হায়গে। ক্ষত্রিয়শিং (নিংথৌশিং) গী বিধিদি—কৈত-কায়র প্রজাশিংগী মবুক পেন্নবা তৌবা প্রজাপালন তৌবা অহুগা মাহুবু থুগাইবা লাকপা (আক্রমন তৌবা) য়েক্লবশিংবু থিংবা অহুগা থিংনবগী হোৎনবা লানফমদা থরায় থাদোক্লম্বা অসিনি।

* টীকাঃ— হায়ব্রিবা বিধি অসিগী মতুং ইন্না তৌবা ঙম্দি মীপুম খুদিংমা তৌবা ঙমদবনিনা. ঙম্মোইদোবনিনা অশিবা হুকচাংবু সংস্কারগী শীং শেমহুনা চিতাদক্তা থাগৎহুনা শাগৈনাতৈনা চিতাহুবু পরিক্রামা তৌহুনা মৈ চুই। চেক্ত থোইদিনা চাইশিন্দুনা যজ্ঞ তৌবগী মণ্ডপদা তৌনরিবনি শিল্লিতৈদা ঐখোয় ঈশামক্তা তৌজরমগদবনি। অসি তৌরমদনা চৎখ্রিবা আত্মাহু কদোমদনো (কলাচাঁদ ?

রক্ষার্থং ক্ষত্রিয়শ্রেষ্ঠৈঃ প্রজাপালনকারণাৎ। যোধানাং ভর্তৃপিণ্ডার্থং গুর্বর্থং ব্রহ্মচারিণাম্ ॥

গোব্রাহ্মণার্থং সর্বেষাং প্রাণত্যাগো বিধীয়তে ॥

স্বরাজ্যরক্ষণার্থং বা কুনৃপৈঃ পীড়িতঃ প্রজাঃ। মোক্তুকামস্ত্যজেৎ প্রাণান্ যুদ্ধমার্গে যথাবিধি ॥

সুসন্নদ্ধো ব্যবসিতঃ সম্প্রাপ্য রণমপরাঙ্মুখঃ

এবং রাজা মৃতঃ সদ্যঃ স্বর্গলোকে মহীয়তে। তদৃশী সুগতির্না স্তু ক্ষত্রিয়স্য ॥

ভৃত্যো বা ভর্তৃপিণ্ডার্থং ভর্তুঃ কর্মণ্যুপস্থিতে। কুর্বতস্তত্র সাহায্যমাত্মানং পেক্ষয়া ॥

স্বাম্যর্থং সংত্যজেৎ প্রাণান্ পুণ্যাঁল্লোকান্ স গচ্ছতি। স্পৃহণীয়ঃ সুরগণৈস্তত্র নাস্তি বিচারণা ॥

এবং গোব্রাহ্মণার্থং বা দীনার্থং বা ত্যজেৎ তনুম্ ॥

সোঽপি পুণ্যমবাপ্নোতি আনৃশংস্যব্যপেক্ষয়া ॥

ইত্যেতে জীবিতত্যাগে মার্গাস্তে সমুদাহৃতাঃ ॥

নিংথৌগী থোঙমী লান্মীশিংনা, নিংথৌগী মচাক মরল চাহনা মহাক্কী শাসনগী মথাদা লৈহনা মুঙাইনা পাল্লকপা অহৗগী লৈরনশিংবা ওইনা নিংথৌহগীদমক্তা লালকমদা থরায় থাদোক্লবা হায়রবসিম্ সনাতন ধর্মনি। শাস্ত্রগী প্রমাণনি ॥ নিংথৌবা রাজ্যবু ঙাকনবগীদমক্তা, নত্রগা কত্রবা যেক্লবা নিংথৌশিংনা প্রজাশিংদা ওৎপিনৈ তিহনগী ঙাকথোক্লনবগীদমক্তা, যুদ্ধমার্গদা থরায় থারম্লগদবনি। থাঙ-তা কবচ (লাংফুরিৎ) নচিংবা লালগী জাকোয়া লৈতেহনা, লালগীদমক্তা নিশ্চয় (প্রতিজ্ঞা) তৌহনা, মায়োক্লবা লালফমদা মনায় ওন্দনা, মথরায় থারবা নিংথৌহ পুণ্যধাম (স্বর্গলোক) দা চংখি। স্বর্গলোকতা দেবতাশিংগী মরক্তা সন্মান ফংহনা লৈখি। ক্ষত্রিয় অমদি ক্ষত্রিয়নিংথৌশিংগীদ স্বর্গকাননবা মাসিমক্কী হেনবা গতি অতৈ অমা লৈত্রে ॥ স্বামী (মপু-মবুঙো গী অন্ন (মচাক মরল) চাহনা লৈরকপগী লমন শিংননবগীদমক্তা, স্বামীহনা থৌদাং খুদদা মনায় ওন্দনা, অশাউবা অপান্বা পুম্নমক থাদোক্লুনা স্বামীহগী সহায়তা পীহনা, মাগীদমক্ত নথরায় থবা ভৃত্য(সেবক মনাই) অহ, পুণ্যধামদা (স্বর্গদ) য়োখি—চংখ। হায়রিবা বাক্য অসিদা করিমত চিংনরীঙভায় করিমত লৈত্রবনি ॥ মতৌ অমুম্না গোব্রাহ্মণ, অবা অনা তারবশিংগী মতেং পাংননবগী তাক্লবগীদমক্ত মথরায় থাবা মী মহাক অহ, ব্রাহ্মণ থওদে, ক্ষত্রিয়বৈশ্য শূদ্র থওদে, পুণ্য লোকত চংহিগনি। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নদিংবা জাৎ-বিজাৎ থাংদনা লোকতা খুইগা চপ মান্না লৈমিন্নরগন। থরায় পারবগী (শিবগী) মাংশশিংগী মরমদা নঙোন্দা নঙোন্দা লোয়না হায়রবসিনি।। মশাগী ওইরবত য়েংহনা, অশাউবা কল্লকপা, যেংথবা মিহৌবনাচিংবদগী হুনচংবা চাহনা শিবশিংগী আম্মহু নরকতা তালকাওগী মপোকা লোইবা লৈত্রবা অবাবদ তাহনা লৈখি। কারণসিগী মরম অকক্ত মত লেপবা, পুকশিংলোইরকপদগী থাশানা চপ চানা শাকচরা অহুগুর। মৃত্যুহ সাধারণিক (সাধারণগী) মৃত্যু কৌই।

কামাৎ ক্রোধাৎ ভয়াৎ বাপি যদি চেৎসংত্যজেৎ তনুম্‌। সোহনন্তং নরকং যাতি আত্মহন্তৃত্বকারণাৎ॥
তত্রাপিমরণং ত্যাগং মৃত্যুত্যাগাৎ বিশিষ্যতে। ভূমৌ স শয়য়েৎ দেহং নরস্য বিনশিষ্যতঃ॥
নির্জীবং বপুঃ সদ্যো বাসসাতু কলেবরম্‌। মাল্যগন্ধৈরলং কৃত্বা সুবর্ণেন চ ভামিনি॥
শ্মশানে দক্ষিণে দেশে চিত্বাগ্নৌ প্রদহেত্তম। অথবা নিক্ষিপেৎ ভূমৌ শরীরং জীববর্জিতম্‌
দিবা চ শুক্লাপক্ষশ্চ উত্তরায়ণমেব চ। মুমূর্ষূণাং প্রশস্তানি বিপরীতং তু যাহিতম্‌॥
ঔদকং চাষ্টকাশ্রাদ্ধং বহুভির্বহুভিঃ কৃতম। আপ্যায়নং মৃতানাং তৎ পরলোকে ভবেচ্চুভম্‌
এতৎ সর্বং ময়া প্রোক্তং মনুষ্যাণাংহিতং বেচঃ॥

উমোবাচ

দেবদেব নমস্তেহস্তু কালসূদন শংকর। লোকেষু বিবিধা ধর্মাস্তৎপ্রসাদ্যাৎময়া শ্রুতাঃ॥
বিশিষ্টং সর্বধর্মেভ্যঃ শাশ্বতং ধ্রুবমব্যয়ম্‌।

অন্নুয়া শিখিবগী তৌগদবা বিধিহু অমুক হায়গে তাও॥ কত্তবা থবক ঈতৌ তৌদনা শিখিবনি হায়হুনসু বিধি কায়রবদি মূর্খ অমনা শিখিবহুদগীস্থ হেন্না কত্তে। শিরমদাই ওহাক্তা ভায়রবা মীহু নত্রগা শিরবা মীহুগী হকচাংহু লৈমায়গক্তা ওপ্না থাংহুনা হীপহনগদবনি। মু শাশোর (স্বর) হেক লেপপ্রবদা, খুদক অহুদা অশিবা হকচাংহু অনৌবা কি (শেৎনচানত্রিবা) অমনা, হকচাংগী শরুক উহন্দনা কুপশিনগদবনি। অহুগী তুংদা মথক অহুনা মনম মুংশিবা লৈ অমদি লৈপরেংনচিংবা সনালুপানচিংবা হাপচিন চাইশিন্দুনা, মথারোমা ওন্দুনা চিত্তাথক্তা থাংগৎকদবনি। অহুদগী মৈ চুহুনা হকচাংহুবু থাদোক-দবনি। নত্রগা মৈগুংদা (চিক্তা শেমত্রগা) কোমদা থ দগদবনি ফুমগদবনি॥ মু শাশোরগা হকচাংগা কায়-নবগী (জীবনা হকচাংবু থাদোকপা) পুং ফম অহুনা, কংরগুম্বা দিবাভাগতা (অমুক মুংথন্দ), উত্তরায়ণগী শুক্লপক্ষদা নোংথি নোংমংদবদা তাম্নমাদ জীব (জীবাত্মা)হু উত্তম গতিদা চৎখি। অহুনত্তনা কৃষ্ণপক্ষদা, অহিং মুমিদাং অমম্বদা নোংথিনোংমংবদা শিরবদ জীবনা চৎথিবা গতহু কত্তে॥ তত্ত্ব অসি থত্তবা পুরুষশিংনা শিরকপা জলদান, তিলদান অমদি অষ্টকা (অঙ্গনিপাল শুবা) শ্রাদ্ধ কর্মগী মচাকশিং অহুনা পরলোক (প্রেতলোক)তা লৈপ্রবশিংবু পেলহল্লি। ঐনা হায়রিবশিংসি তাইবং মী খুদিংমক্তা মকমদা কায়বা বা তাকখি। উমানা হায়—দেব দেব! কাল মাবুমু ওম্বা, মৃত্যু মকপুম্‌ ওম্বা মৃত্যুঞ্জয়! ঐনা হন্না হন্না খুরুমজরি। নহাক্তী থৌজান্দগী ধর্ম মথল মথলশী, দান মৎল মথলগী তত্ত্ব অসি তাজরে। হায়রিবা ধর্ম পুম্নক অসিদি লোইনা মী অমত চৎপা ওম্থোইদবানা, হায়রিবা ধর্ম পুম্নমকাসগী নমুংঙা খাইমত্তগী হেনবা ধর্মদো, তাকপিয়ু॥

নারদ উবাচ

এবং পৃষ্টস্তয়া দেব্যা মহাদেবঃ পিনাক ধৃক্। প্রোবাচ মধুরং বাক্যং সূক্ষ্মমধ্যাত্মসংশ্রিতম্ ॥

শ্রীমহেশ্বর উবাচ

ন্যায়তত্ত্বং মহাভাগে প্রোতুকামাসি নিশ্চয়ম্। এতদেব বিশিষ্টং তে যৎত্বং পৃচ্ছসি মাংপ্রিয়ে ॥
সর্বত্র বিহিতো ধর্মঃ স্বর্গলোকফলাশ্রিতঃ। বহুদ্বারস্য ধর্মস্য নেহাস্তি বিফলা ক্রিয়াঃ ॥
যস্মিন্ যস্মিংশ্চ বিষয়ে যোযোযাতি বিনিশ্চিতম্। তং তমেবাভিজানাতি নান্যং ধর্মং শুচিস্মিতে ॥
শৃণু, দেবী সমাসেন মোক্ষদ্বারমনুত্তমম্। এতদ্ধি সর্বধর্মানাং বিশিষ্টং শুভমব্যয়ম্ ॥

নারদনা হায় ঃ—দেবী পার্বতীনা অসুম হায়না হংলক্লবদা পিনাকধারী মহাদেবনা আধ্যাত্মিক ওইবা ৱাকম (তত্ত্ব)গা লোয়ননা পাউখুমবু অথুবা নীংথিজবা ৱাহৈনা পার্বতীদা অসুম্না পীরকই (খুমকই)॥ লাইবক ফবী। ন্যায় বিধি কায়দনা, চপ চানা হংগদবা ৱাবু নহাক্না ঐত্তোন্দা হংলি। নংনা হন্নক হংলিবা ৱাহং অসিমক্না, অৈতদগী হেন্দোক্না নত্তোন্দা লৈরিবা শুণ অহু ফোংদোকলি ॥ তাইবং মীশিংনা মাগী মাগী কাংলুপ (সম্প্রদায়)না চৎনরিবা, মাগী মাগীনা মহেল্লে হায়না ধর্মসিগী উদ্দেশ্যদি অমত্তনি। লম্বী খেন্নবত্তনি। সংসারগী ঋবা অনা পুম্নমক্কী নাম্বোক্কনা আথাসিনা মনীং মথা তম্বা (স্বর্গগামী অম ওইনা) চৎখিনবা চৎখিনবা হোৎনবা অসিতনা ধর্ম খুদংমক্কী উদ্দেশ্য অমদি বিধেয়নি। অফা অপুন কংগে অৱাবা নংজগে হায়বক্কী দমক লৈবা করিগুম্বা ধর্ম অমত লৈরম্মোই খেন্নবা উনরিবসিদি চৎকদবা লম্বী খেন্নবত্তগীনি। ধর্মদি অমত্তনিনা খেন্নকম থোক্তে। ধর্ম মার্গশিংদা খেন্নবত্তনি ॥ বী অমত্তনা লম্বী অমত্তদা চৎলি। লম্বী অনী তংপা য়াদে। চৎলি চৎলিব লম্বী অহুবু চুপায়গুম পায়হনা চৎপসি মশানা তাবনি। অহুনা চৎনরিবা লম্বী খুদিংমক অচুম্ব মক্তনি। অৱানবা অমত্তা য়াওদে। লমথুংকমদি গুসাই হায়প্রিবা অহুমত্তনি। অমনা অৱাংথোক্ত লোমদা অমনা মথাথোক্তলোমদা, অমনা নোংচুপথোং-লোমদা, অমনা নোংপোকথোং চত্তলক্লবগু যুম মশা অমত্তগী মসুংদা অহুম তিন্নরবহুশুম্বনি ॥ লম্বীশিং অহুদা চৎনরিত্তৈ মতমদ তৌরিনরিবা মাগী মাগী মাগী ক্রিয়াকাণ্ড পুম্নমক তৌরিবহু অমত অৱেপ্পা য়াওদে। মহৈ য়ানবা ত্তাক্তনি ॥ অহুবু, খেন্নরিবদি লম্বীতনিকো হায়বসি খন্ননদহুনা মাগী মাগী ধর্মনা হন্নি হায়না লৌনখিবনি ॥ অহুনা দেবী! মোক্ষ (মুক্তি) অর্থদি অৱাব পুম্নদগী লাম্বোকপা (নাম্বোকপা) হায়বত্তনি। অহুনা মোক্ষন্ম্নমনা খুাইদগী হেনবা ধর্মনি হায়বসি মশানা তাম্লে। অহুনা মোক্ষ ধর্মগী তত্ত্বহু ঐ হায়গে তাও ॥ লাংদা থ,কত্রবদি লাংহুদগী নাম্বোক্কবগী তোংনৈনীত্তায় করিমত্ত লৈত্তে। অহুনা মোক্ষধর্ম হায়বসি লাংদা থ,ক্লবশিংগী বানি। সংসারগী লাংদা চত্তশিন্নবা থ,ররবনা হান্নবা (পোক্লরবনা হান্নবা) ঐখোয় ত্তাক্তনি। অহুনদি অৱাবনা থম্না লৈরম্নবা সংসারসিদগী নাম্বোক্কপা হুংত্তাইনা কংবা হায়বহু মশানা অহুম ওইজনি। অহুনা মোক্ষ ধর্ম কৌবা ধর্মহু চৎপনা খুাইদগী অহেনবনি।

নাস্তি মোক্ষাৎ পরং দেবি নাস্তি মোক্ষাৎ পরাগতিঃ। সুখমাত্যন্তিকং শ্রেষ্ঠমনিবৃত্তং চ তং বিদুঃ॥
নাত্র দেবী জরা মৃত্যুঃ শোকোদুঃখমেব বা। অনুত্তমমচিন্ত্যং চ তং দেবি পরমং সুখম॥
জ্ঞানানামুত্তমং জ্ঞানং মোক্ষ জ্ঞানং বিদুর্বুধাঃ। ঋষিভির্দেবসঙ্ঘৈশ্চ প্রোচ্যতে পরমং পদম্॥
নিত্যমক্ষরমক্ষোভ্যমজেয়ং শাশ্বতং শিবম্। বিশন্তি তৎ পদং প্রাজ্ঞাঃ স্পৃহণীয়ং সুরাসুরৈঃ॥
দুঃখাদিশ্চ দুরন্তশ্চ সংসারোহয়ং প্রকীর্ত্তিতঃ। শোকব্যাধিজরাদোষৈর্মরণেন চ সংযুতঃ॥
যথা জ্যোতির্গণা ব্যোম্নি নিবর্ত্তন্তে পুনঃ পুনঃ। এবং জীবা অমী লোকে নির্বর্ত্তন্তে পুনঃ পুনঃ॥
তস্য মোক্ষস্য মার্গোঽয়ং শ্রূয়তাং শুভলক্ষণে॥

অহুনা, মোক্ষদগী মেন্না হেনবা অতোপ্প ধর্ম, অতোপ্পা গতি অমত লৈতে। জ্ঞানীশিংনা মোক্ষ ধর্মবু করিগুম্বদা মুৎলরোইদোবা, মহোৎদগী অমুক হন্নোকপা ভায় লৈত্রবা, খুদোংদগী হেনবা, খুদোংগী হেন্না নুংঙাইনবকম ওইরবা ধর্মনি হায়না লৌনৈ॥ দেবী! হায়রিবা মোক্ষ ধর্মসিগী মফমদা অহুগা ধর্মসিগী মার্গবা জরা (অহল ওইরকপা), মত্যু (শিবা) আধি ব্যাধি করিমত লৈতে। হায়বদি জরা ওইরকপগী ওইগনি হায়বগী শিবগী শিগানি হায়বগী করিগুম্বা আবরা মপাইবা অমতা লৈতে। মোক্ষধর্ম হায়বসি খুদোংদগী হেনবা, অতে অমমুক শক্তমীভায় লৈত্রবা, খুদোংদগী হেন্না নুংঙাইকম ওইরবা ধর্মনি॥ জ্ঞানী বিদ্বান্‌শিংনা জ্ঞানবিজ্ঞান পুংফমগী মোক্ষজ্ঞান। খুদোংগী হেনবা জ্ঞাননি হায়না লৌনৈ। ঋষি-পরমর্ষি, দেবতাশিংনা মোক্ষধর্মবু পরমপদ (খুদোংদগী হেনবা পদবী ধাম) হায়না কৌনৈ॥ মোক্ষধর্ম হায়বসি নিত্য ন অবিনাশী (অমাং অতা লৈত্রবা), অমনা কেঙঙনবা যাদত্রবা, ধর্ম অমনা অমুক জয় তৌবা ঙমরোইদোবা, মঙ্গলগী মফক ওইবা, (মোক্ষধাম) বু পীনইরবনি।* মোক্ষধর্ম হায়বসি কনাগী লাই শিংচাবা, দেবতাশিং পুংমক্তা মিকৌফম ওইবা ধর্মনি। মহাজ্ঞানী ওইবশিংনা ধর্ম অসোমদা হায়বদি মোক্ষগী মার্গদা চংলি॥ সংসারদা পোক্লবনা চঙশিনবনা হানজবা তাইবং জীবশিং অসে, জরামৃত্যু, আধি ব্যাধি মথক্না থগবা সংসারসদগী লাম্বোক্তনা অমুক হন্না চঙঙদনবা হোৎনফম থোকই॥ আকাশদা পেকপা থবানমিচাকশিংনা অমুমুক থোরক্লগা অমুমুক উথদবা, অমুমুক উহন্দ্রগা অমুমুক উরকপ হুগুম্না, জীবশিংনা জীবাশিংনা অমুমুক থোরকলম্মি, অমুমুক উথিদে। অহুগুম্না জীবাশিংনা সংসারশিদা হংগৎ হুন্দা কোইচং চত্নুনা লৈ।

* টীকা:—স্বর্গমার্গনা স্বর্গ য়োননবা-কংননবা, নির্বাণ মর্গনা নির্বাণ কংননবা, মোক্ষমার্গ (মোক্ষধর্ম) না মোক্ষ ফংননবান হায়বসি মশানা তৌবান। চত্‌শিনবা, কাক্কনবা হায়বসি=মশানা অনিজানি। অহুনা, নিত্যধর্মদি মোক্ষধর্মতম্ন ফংহল্লবি। (কোলাচাঁদ)

ব্রহ্মাদিস্থাবরান্তশ্চ সংসারোবঃ প্রকীর্ত্তিত। সংসারে প্রাণিনঃ সর্বে নিবর্ত্তন্তে যথাপুনঃ।
তত্রসংসার চক্রস্য মোক্ষো জ্ঞানেন দৃশ্যতে। অধ্যাত্মতত্ত্ববিজ্ঞানং জ্ঞানমিত্যভিধীয়তে॥
জ্ঞানস্যগ্রহণোপায় মাচারং জ্ঞানিনস্তথা। যথাবৎ সম্প্রবক্ষ্যামি তত্ত্বমেকমনাঃ শৃণু॥
ব্রাহ্মণো ক্ষত্রিয়োবাপি ভূত্বাপূর্বং গৃহেস্থিতঃ। আনৃণ্যং সর্বতঃ প্রাপ্য ততস্তান্ সংত্যজেৎগহান্ঃ
ততঃ সংত্যজ্য গার্হস্থ্যং নিশ্চিতো বনমাশ্রয়েৎ॥
বনে গুরুংসমাজ্ঞায় দীক্ষিয়ো বিধিপূর্বকম। দীক্ষাং প্রাপ্য যথান্যায়ং স্ববৃত্তং পরিপালয়েৎ॥
গৃহ্নীয়াদ প্যুপাধ্যায়া মোক্ষজ্ঞানমনিন্দিতঃ। দ্বিবিধং চ পুনমোক্ষ সংখ্যা যোগমিতি স্মৃতিঃ॥
পঞ্চবিংশতিবিজ্ঞানং সাংখ্যমিত্যাভিধীয়তে। ঐশ্বর্য্যং দেবসারূপ্যং যোগশাস্ত্রস্য নির্ণয়ঃ॥
তয়োরন্যতরং জ্ঞানং শৃণয়াচ্ছিষ্যতাংগতঃ।

অমুমুক লাক্লম্মি, অমুমুক অমুমুক চংখি। অমুমুক হল্লক্লম্মি। অমুমুক চংখী। নীতিজবা লক্ষণ পুংনা তিল্লবী। অতুম তৌনা হগং হন্দা চৎপসিদগী মোক্ষ (মুক্তি-লোম্বোকপা) ফংননবগী মার্গদো (লম্বীদো) হায়গে তাও। ব্রহ্মাদগী হৌনা নাপীপান্দোং অমফাওবা লৈরবা পুম্নমক আসাল সংসার হায়রিবসিনি। (ভৌতিক্কী, হংগৎ হন্দা চৎপা হায়না হায়রিবহু, সংসারসিগী মনু দান। মীগী হকচাংদগী সা-শলগী হকচাংদা শাশলগী হকচাংদগী উচেক রায়াগী হকচাংদা অতুম হায়না জীবাত্মানা তোঙাল তোঙনবা হকচাংদা চঙথোক চঙশিন তৌহুনা লৈরিবা সংসারসিদগী মোক্ষ (লাম্বোকপা) ফংবসি জ্ঞানগী পান্বৈতননি। জ্ঞান হায়বদি "খঙবা" অহুগা খঙননবা খুৎলায়বু হায়বনি। কায়বু খঙননবনো হায়ববদি অধ্যাত্মতত্ত্ববু মুখ্যা খঙবা হায়বনি। জ্ঞান কদায়বু কৌবগে হায়রবদি, অধ্যাত্মতত্ত্ববু খঙবতবু জ্ঞান কৌই। মাসি খঙত্রিংদৈ জ্ঞাননি হায়বহু, জ্ঞান নত্তে; অজ্ঞাননি। অহুগুম্ব অধ্যাত্মজ্ঞান হায়রিবসি ফংননবা উপায় (সাধন) অহু, ঐ হায়গে। দেবী! নহাক য়াম্ম পুক্নীং চঙনা তাও॥ ব্রাহ্মণ অমদি ক্ষত্রিয়না য়ুমদা (গৃহস্থ'শ্রমদা) লৈহুনা গৃহস্থাশ্রমদা তৌগদবা পূম্বা অমত্ত রাংলমদনা (লমন তোল্লমদনা) পাঙথোক্লবা তুংদা য়ুম্, থাদোক্লমহুনা হায়বদি গৃহস্থাশ্রমবু থাদোক্লমহুনা বনলোমদা চংথগদবনি। বনদা গুরুগী আজ্ঞা লৌহুনা (য়াথং লৌহুনা বিধি কায়দনা সন্ন্যাসগী মন্ত্র লৌগদবনি। অহুগুম্বা মন্ত্রদা দীক্ষা লৌরগা সংন্যাসগী নিয়ম পুম্বা বিধি কায়দনা ভাকনি। অহুদগী, জ্ঞানী গুরুদহুগী মোক্ষগী সাধন (উপায়) তমগদবনি। অহুগী তুংদা, অমনা নিন্দা তৌননায় লৈত্রবা আচরণ ব্যবহার অহু তৌহুনা লৈগদবনি। মোক্ষ হায়রিবসি মথম অনীনি অমনা সাংখ্য সাধ্য মোক্ষ, অমনা যোগসাধ্য মোক্ষ অনী অসিনি। মাসি মোক্ষশাস্ত্রদা লেপপ্রহনি। তত্ত্ব কুনমঙাগী জ্ঞানবু সাংখ্যজ্ঞান কৌই। অণিমাগারিমানচিংবা ঐশ্বর্য্য অহুগ, দেবতাশিংমক্কী রূপ (মশকোকা মান্নরকপা, (অমক্ত ওইনা তিন্নবকপা) অসিনা যোগজ্ঞান হায়হুনি যোশাস্ত্রদা নির্ণয় তৌগ্রবনি (লেপপ্রবনি)।

দ্রব্যেষু সমতীতেষু যে গুণাস্তান্ ন চিন্তয়েৎ। তাননাদ্রিয়মাণস্য স্নেহবন্ধঃ প্রণশ্যতি ॥
সম্প্রযোগাদনিষ্টস্য বিপ্রয়োগাৎ প্রিয়স্য চ। মানুষা মানসৈর্দুঃখৈঃ সংযুজ্যন্তেঽল্পবুদ্ধয়ঃ ॥
মৃতং বা যদি বা নষ্টং যোঽতীতমনুশোচতি। স তাপেন চ যুজ্যেত তচ্চাস্য ন নিবর্ত্ততে ॥
উৎপন্নমিহ মানুষ্যে গর্ভপ্রভৃতি মানবম্। বিবিধান্যুপবর্ত্তন্তে দুঃখানি চ সুখানি চ ॥
দোষদর্শী ভবেৎ তত্র যত্র স্নেহঃ প্রবর্ত্ততে। অনিষ্টেনান্বিতং পশ্যেৎ যথা ক্ষিপ্রং বিরজ্যতে ॥
যথা কাষ্ঠং চ কাষ্ঠং চ সমেয়াতাং মহোদধৌ। সমেত্য চ ব্যপেয়াতাং তদ্বজ্জ্ঞাতিসমাগমঃ ॥
অদর্শনাদাপতিতাঃ পুনশ্চাদর্শনং গতাঃ। স্নেহস্তত্র ন কর্ত্তব্যো বিপ্রয়োগো হি নৈত্যকঃ ॥
কুটুম্বপুত্রদারাশ্চ শরীরং ধনসঞ্চয়ঃ। ঐশ্বর্য্যং স্বস্থতা চেতি ন মুহ্যেৎ তত্র পণ্ডিতঃ ॥
দুঃখমেকান্ততো নাস্তি শক্রস্যাপি ত্রিবিষ্টপে। তত্রাপি সুমহৎ দুঃখং সুখমাত্রতরং ভবেৎ ॥

অহুনা, গুণ লৈবা পোৎ অহুনা মাঙখ্রিঙৈ লৈরিঙৈদা থোইনা কাহেন্না নুংঙাইথোকহন্দবা মী মহাক অহুবু অরবগী থৌরিনা পুনবা ঊমদে। পামজবা-নুংশিনা থম্বা পোৎনা মাঙখ্রবদা, পামজদবা পোৎকা তিন্নরবদা, অর্দুক্ক রাৎপা মীনা অরাবা জাৎ-জাৎ কয়া ফংঙি ॥ শিখ্রবা মাংখ্রবা পোৎকী দমক্তা অনুতাপ তৌবা মী মহাক অহু, থম্মোয় শোক্না চাকপা মৈরক্তা চোংশিনবনি। অহুগুম্বা মী অহুগী অরাবত্ত পাক কোকপা য়াদে। তাইবং মীগী মপোক্তা লাক্লবা জীবসি গর্ভদগী হৌনা (মমাগী গর্ভনুংদা লৈরিঙৈদগী হৌনা) অরাবা নুংঙাইবা হায়বহু খর, খর ফংহুনা অহুম মরাক্লবনি। হায়রিবা অরাবা নুংঙাইবহুগী মনুংদা অম ফংবদা কাহেন্না রাবা নুংঙাইবা তৌরোইদৌবনি (চেক্তা হর্ষ) ওনীমক থাদোক্লদবা। পোৎ অমদা য়াম্না কাহেন্ন আসক্তি থংহুনা পামশিন্নুৎবাদ পোৎ অহুদা লৈরিবা দোষনা করি করিনো হায়বহু য়েংশিনগদবনি। মরমদি পোৎ খুদিংমক্তা গুণ-দোষ অনীসি ঈরৈ লৈবনি। পোৎ খুদংমক্তা বৈরাগ্য ভাব পোকহনগে হায়রবদি, পোৎ পোৎ অহুগী মশাদা লৈরিবা দোষ অহুগী মায়গৈতদা দৃষ্টি থমগদবনি ॥ ভুরেন্দা, সমুদ্রদা ভাউথমিন্নরকপা চৈ (চৈক্তেক) অনীনা থরদং তিনরহুগ, কায়নহুনা তোঙাল-তোঙান তাউথনখিবহুগুম্না শাগৈনাতৈ, মরূপমপিজা, মচামশু নুপী অঙাং পুনন্নকসি মতম থরদং তিন্নরনা লৈমিন্নরমতনি। থর লৈরগা মানামানা থোকপা লম্বী (মায়গৈ দা চৎনখিগদবঙাক্তনি। লৈমিন্নরিবশিংদো উহৌকবা মফম (দেহ)দগী লাক্লবা ঙাক্তনি। উঙৎদবা মফম (দেহ-দেহ)দা চৎনখিগদবা ঙংঙনি। অহুমা কাহেন্না মখোয়দা আসক্তি থম্মোইদৌবনি। মরমদি ঙাস নত্রগা হয়েং, হৌজিক নত্রগা হেংরেল কায়মগদবগী ভাইগুনা লৈরিবনি ॥ ঐগী মীনি, শাগৈনাতৈনি, ভাইথেম্নি, ঈচানি, ঈশুনি, নুপীনি হায়হুন্না লৈরিবশিং অসি, হবচাংসিনকনু, ধনসম্পত্তি, ঐশ্বর্য্য, হকচাং নোয়পেনবা অসিনচিংবাসিদা অশিংবা জ্ঞানীশিংনা কাহেন্না আসক্তি থম্মোইদৌবনি। দেবলোকতা লৈরিবা, লাহগী নিংথৌ ইন্দ্র অসি নুংঙাইবতা ফংহুনা লৈতে, লৈগদবা নত্তে

ননিত্যং লভতেদুঃখং ননিত্যং লভতেসুখম্। সুখস্যানন্তরং দুঃখস্যানন্তরংসুখম্।
ক্ষয়ান্তা নিচয়া সর্বে পতনান্তাঃ সমুচ্ছয়াঃ। সংযোগোবিপ্রযোগান্তা মরণান্তং চ জীবিতম্ ॥
উচ্ছ্রয়ান্ বিনিপাতাংশ্চ দৃষ্ট্বা প্রত্যক্ষতঃ স্বয়ম্। অনিত্যমসুখং চেতি ব্যবসেৎ সর্ব সর্ব চ ॥
অর্থনামর্জনে দুঃখ মর্জিতানাং তু রক্ষণে। নাশেদুঃখং ব্যয়ে দুঃখং বিগর্থং দুঃখ ভাজনম্ ॥
অর্থবন্তং নরং নিত্যং পঞ্চাভিদ্রন্তি শত্রবঃ। রাজা চোরশ্চ দয়াদা ভুতানিক্ষয় এবচ ॥
অর্থমেবমনর্থস্য মূলমিত্য বধারয়। ন হ্যনর্থাঃ প্রবাধন্তে নরমর্থবিবর্জিতম ॥
অর্থপ্রাপ্তির্মহৎ দুঃখমাকিঞ্চন্যং পরং সুখম্। উপদ্রবেষু চার্থানাং দুঃখ হি নিয়তং ভবেৎ ॥
ধনলোভেন তৃষ্ণায়ান তৃপ্তিরুপলভ্যতে।

মক্কম (স্বর্গ) অহুদগী নুংঙাই নুংঙাইবগী শক্নক্রগী অরাবগী শক্নকনা য়াম্না হেল্লি *॥ মতম পুম্নমক্না নুংঙাইবত্ত ফংহুনা লৈবা, অৱাবত ফংহুনা লৈগদবা নত্তে। নুংঙাইবগী তুংদা অৱাবা, অৱাবগী তুংদা ওহাক নুংঙাইবা হায়বসি নিয়ম ওইনা য়াত্তুনা থমগ্রবনি॥ পৈথংপগী মাঙথরকপ-তুমাশিল্লকবা বাংওম্বদগী নেমথরকপা, নেমথরম্বনা ওহাক বাংনা লৈরম্বা চাওখংলকপনা হুম্বরকপা, তিম্বনা কাম্বনবদা লোইবা, পোকপগী অরোইবনা শিবা, কারম্বনা কুমথরকপা অসিনচিববসি মীংনা শংশংনা উহুনা লৈরিবসিনি॥ সংসারবু অনিত্যনি হায়নরিবদি অসিননি। লল (শেল হায়বসি তানশিনবদগী বায়। ওাকশেনবগুম্ বায়, ব্যয় তোথিবা (খরচ তোথিবা) মতমদগী বায়। নুংঙাইবনি হায়হুনা পীরিবহুদু ওহাজং। হোরেল ফাওবা পীগদনা হায়ব, শঙদে। অসিগুম্বনা সম্পত্তিনা সংসারবু অহুগা লয়মনি হায়হুনা লেরিবসিবু হয়া হয়া থিক্কার তৌরি। ললনৈবা মীগী য়েক্কবা মঙানি নি থৌ, হুয়ানবা, কৌতৌগদবগী ওাইনা লৈরিকা, মচামশু শাগৈ নাতে, কৌকৌগদবগী শঙহুনা লৈরিবা অভাপশিং—মঙা অসিনা। অহুনা চায়থোইবী। পার্বতী। অথ (শেল-সম্পত্তি) হায়বসি অনর্থ (মাঙননবা জীবগী লৈখাতানবা)গী মরুনি, কারণনি। অসুম হায়না শঙদু। অহুনা, অর্থবু য়ারিবা মথৈ লাক্ক থমদবা মী মতাক অহুগী মক্কমদা বাধাবিঘ্ন অমত্ত লাক্কবনি থন (লল-শেল)বু তানথ, ফংবা অসিমক মহা অৱাবগী মশকনি। পাক পাক ফংদে অহুনা নির্ধনতা (লল লৈতবা) হায়বাসনা খ্বাইদগী খ্বয়া নুংঙাইবা পী। মরমদি লৈরবা লল অহুগী মরমদা থুদক্কা কর্শগুম্বা ঘটনা অমত্তং থোরক্কপদা লল অহুনা মহা অৱাবগী মশক অমা পুরকই। লল অহুবু পাম্বা হায়বা অহুনা, অহুগা ফংবা হায়বনগী খোরাংবা (অশাম্বা) হায়বহুবু কোকহনবা ওমগদবা নত্তে।

---

*টীকাঃ— হায়য়িবা বাকম অসি গীতাদগী অহুম মহায়রি 'ক্ষীণে পুণ্যে মর্ত্যলোকে বিশান্তি'। হায়বদিঃ—মর্ত্ত্য লোকতা তৌরম্বা পুণ্য কর্মগী মহৈহু স্বর্গদা চারুরগা, চাবহৈক লোইরকপদা অমুক হয়া পোকপা শিবগী সংসারসিদা চোংথরকই তারক্কই॥ (কালাচাঁদ)

লব্ধাশ্রয়ো বিবর্দ্ধেত সমিদ্ধ ইব পাবকঃ

।জিত্বাপি পৃথিবীং কৃৎস্নাং চতুঃসাগরমেখলাম্। সাগরাণাং পুনঃ পারং জেতুমিচ্ছত্যসংশয়ম্ ।।
অনেক পরিগ্রহেণেহ দোষবান্ হি পরিগ্রহঃ। কোশকারঃ কৃমির্দেবি বধ্যতে হি পরিগ্রহাৎ ।।
একোহপি পৃথিবীং কৃৎস্নাং মে ক্ষত্ত্রাং প্রশাস্তি চ একস্মিন্নেব রাষ্ট্রেতু সচাপি নিবসন্ নৃপঃ
তস্মিন্ রাষ্ট্রেহপি নগরমেকমেবাধিতিষ্ঠতি। নগরেহপি গৃহং চৈকং ভবেৎ তস্য নিবেশনং ।
এক এব প্রবিষ্টঃ স্যাদাবাসস্তং গৃহেহপি চ। আবাসে শয়নং চৈকং নিশি যত্র প্রলীয়তে ।।
শয়নস্যার্ধমেকস্য স্ত্রিয়াশ্চার্ধং বিধীয়তে। তদনেন প্রসঙ্গেন স্বল্পেনৈবেহ যুজ্যতে ।।

অপ স্বা থারাগা হায়বহুনা মহাক্কী আশ্রয় অমা হেক ফংবদা (গামুনী থাই) লৈবা পোং অমা হেক লাকপদা) আশ্রয় (পাং) অহুমক্লা মৈরি ফংনা চাল্লবা মৈগী মতৌগুম্বা মথ মথ ওং ওং চাকথংলকই ।।
মাযগৈ মরিদা সমুদ্রনা থাঙ্গ পাং ওইনা কোয়শিল্লবা, পৃথিবী মপুম অসিমকপু ওমহুনা পৃথিবী মপুমসিগী স্বামী (মপু) ওইরবসু হেক পেনগদবা নত্তে। "অপাম্বা" হায়বহুবু হেক পোকহনবা ওমদে । পৃথিবীসিগী বাংমদা লৈবা অতোপ্পা লম (মফম) অহুবু অমুক হেক পাম্মকই। মাসদা করিমত্ত চিংননীংঙায় লৈতে।। লৌশিনবা পৈশিনবা হায়বসিদা কারমত্ত তোংজবা লৈতে। করিন হায়বদা, লৌশিনবা পৈশিনবা, হায়বা অসদা দোষ কয়া কয়া লৈ। দোষ ময়ামগী মহুম শাফমনি। দেবী। বত্রং তৌব্লা মথং নথং মহুম অমুম মুম পোশল্লবগী পোশল্লবা মহুম অহুগী মহুংদা মশানা মশাবু ফাজনজাথ। থোরকপা ওমদহুনা অহুম মাশজরে পৃথিবী পুম্বগী একচ্ছত্রাধিপতি (সার্বভূম সম্রাট) ওইরবসু নহাক মহাক্কী রাষ্ট্রমচা অহুদা অহুম মরৈ। পৃথিবীগী মফম পুম্নমক কোম্বনা মফম পুম্নমক্ক। শীঙ্গনা লৈতে লেবা ওমদে। রাষ্ট্র অহুগী মহুংদগী রাষ্ট্রহুবুদা শাঙ্গনা লৈবা ওমদে। নগর (কোম্নুং) মচা অমগী মহুং অহুতদ লৈ নগর মচা অহু দসু মথত্তা শাঙ্গনা লেবা ওমদে। কোম্নুং ময়ুম অহুগী অহুগী মহুংতদ লৈ যুম অহুগী মহুংদসু শীঙ্গনা লৈবা ওমদে। কামদ অমদা ফমুং আসন অমতগী মহুংদা মথক্কা লৈ। তুম্বা হাপ্পা মতমদসু ফমুং অহুগী মফম কামশিন্নুনা চীপ্পা ওমদে। মশা (হকচাং) না কোনবা শন্ধক অহুক্কদা লৈত্তে। ফমু (শয্যা) অহুমকসু নখস্ত্রী অধিকারদা লৈতে নাকল অমদা মহাক্কী মহারাণীগী হীপফমনি অমুক তৌহুনা পৃথিবী পম অসম তাহুনা পৃথিবী পুম্বা মহাক্কী ওইরবসু মহাক্কী শন্ধক্কি থজিক্কেনি। মহু যৌবকাওবা অপওবা মহাক্কা পৃথিবী পুম্বা ঐগীনি শন্ধকনি হায়না অহুম মথগ্নি। মহাক্কা শিঙ্গবদি মশাগী হকচাংনা কোল্লিব। পীক্লবা শন্ধক অহুবনি। অহুব পওবনা, পুম্নমক মাগীনি থাল্লি। পু একত্র ছন্দোক্লমহুনা অহুম মচংথি মাওঙ্গা অমনা অমুক পুম্নমক অত্ত মাগীনি হায়হুনা অহুম থাল্লি। পৃথিবী অসিদি অমগী অমগীসু নত্তুনা হৌজিক কাওহা অহুম মরিরি ঐগীনি ঐগীনি হায়রম্বহুদি অহুম চৎনরে।

সর্বং মমেতি সম্মূঢো বলং পশ্যন্তি বালিশঃ। এবং সর্বপ্রযোগেষু স্বয়মস্য প্রয়োজনম ।।
তণ্ডুলপ্রস্থমাত্রেণ যাত্রাস্যাৎ সর্বদেহিনাম। ততো ভূয়স্তরো ভোগো দুঃখায় তপনায় চ ।।
নাস্তি তৃষ্ণাসমং দুঃখং নাস্তি ত্যাগসমংসুখম। সর্বান্ কামান্ পরিত্যজ্য ব্রহ্মভূয়ায় কল্পতে ।।
২৯০ ভূত ভব্য ভবন্নাথ (হৌরবা তুংদা ওইরকদবা-হৌজিক হৌজিক ইরিবা পোক্লিবা পুম্বগী স্বামী মপু) ২৯১ পাবন (মকম পুম্বদা পুময়ৌ য়োবা মুংশিংকী অউবা মশক ওইবা) ২৯২ পাবন (কত্রবা পাপন-চিংবা অমাংবা পুম্নমকপু শে দোকপিবা) ২৯৩ অনল (মৈগী মশক ওইবা) ২৯৪ কামহা (ভক্তশিংগী থম্মোয়দা লাকপা কামক্রোধশিংবু থুদক্তা মাঙহনবা) ২৯৫ কামকৃৎ (ভক্তশিংগী কাননা নীংজবা অপাম্ব পুম্বা পীবিবা) ২৯৬ কান্ত (ভক্তশিংগী নত্তনা অটব জীবগী থম্মোয়না হুংশবা মীহৌবা শক্লোন মায়থোং পুবা) ২৯৭ কাম (অপাম্বা হায়ংজুমকী মূর্ত্তি পুবা) * ২৯৮ কামপ্রদ (কামকৌবা মহাকপু পীথোকপা) ২৯৯ প্রভু (সর্ব শক্তিমান ওইবা ॥৪৫॥ ৩০০ যুগাদিকৃৎ (সত্য ত্রেতা দ্বাপর কলি যুগ মরি অসিবু হৌদোকপা হায়রদি মতম হায়বত্থদা মিংথৌ মরিসি থবক তৌ-তৌহনা থোনবগিব) ৩০১ যুগাবর্ত্ত (যুগ মরিসিবু চক্রগী মতৌঙুম্না মথং মনাও কায়দনা উক লৈহনা পুব) ৩০২ নৈকমায় (যুগ পুম্বা মতম পুম্বদা মপানগী তোঙান তোঙানবা শক্লোন ময়াম পুবা) ৩০৩ মহাশান (অমুমক্তদা লোইনা চাশিনবা য়াম্না চাবা প্রলয়গী মতমদা থোথোৎপা লোইনা তুকচিনবা) ৩০৪ অদৃশ্য (মপানগী মীৎনা কোননচিংবা ইন্দ্রিয়শিংনা উবা ঙমদবা) ৩০৫ অব্যক্তরূপ (অসিনি হায়না কোঙদোকপা য়াদবা রূপ-মশকনা মাগী ওইবা) ৩০৬ সহস্রজিৎ (হিংচা য়ায়তম্বা শত্রুবশি, লিশিং লিশিংবু মীকুপ্তা ওম্বা-তমহনবা) ৩০৭ অনন্তজিৎ (লোইবা থম্বা নাইদনা চোংথোরকপশিংবুসু লোৎবা থম্বা নাইহনবা অন্ত লৈতববু সান্ত ওইহনবা অন্ত লৈকনবা) ॥৪৬॥ ৩০৮ ইষ্ট (জীব খুদিংমক্তা মানা মমা পাম্ব। পীবিবনা অচচ্চক জীব খুদিংমক্ত মুংশিনকম পাম্নকম ওইবা হায়বদি জীবখুদিংমকী তোঙান তোঙানবা ইষ্টদেব ওইব) ৩০৯ অবিশিষ্ট (বিশেষণ পুম্নমকী বাংমদা লৈবা) *।

---

* টীকাঃ—"কাম" হায়বা-বাহৈ-শব্দসিমকী অর্থদি ক+অ+ম থোম্ফোক (ন্যাদ) অহুম অসিনা অমত্ত ওইনা পুনশিনবা বাহৈ ওইবনা ক (ব্রহ্মা)+অ (বিষ্ণু)+ম (মহেশ্বর) হায়বদি সৃষ্টি স্থিতি (রক্ষ) অমুগা সংহার শক্তি অহুম শিবু পুবা হায়বনি। যৌগিক শব্দ ওইবগী ব্যুৎপত্তিগী (ডেরিভেশন্)গী অর্থনি। অহুনা শেম্বা ঙাকপা-থুগাইবা অহুম অসি 'কাম" কৌবা মহাক্তনা পুই। (কালাচাঁদ)

---

* টীকাঃ— বাংবা নেম্বা-পীকপা চাউবা, কল্যাণ্ময়, ঙাওবা-মুবা অসিনচিংবা ব্যাকরণ শাস্ত্রদা বিশেষণ পদ হায়ন থঙনব। বিশেষণশিংসনা মতোন্দা থোমজনবা মগুণ ফোঙদোকপা য়াদবা পরমাত্মা মহাক্ত। মগুণ ফোঙদোকপা বাহৈবু ব্যাকরণদা বিশেষণ (এডজেকটিব) হায়না কৌই। অদুগুম্বা বিশেষণশিংসনা চঙবা য়াদবা হায়বনি। বিশেষণ তৌবা য়াবদুনা বিশিষ্ট, য়াদবদুনা অবিশিষ্ট কৌই। অদুনা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী নাম লিশিং অমগী মনুংদা "অবিশিষ্ট" হায়রিবসিসু নাম অমনি॥ (কালাচাঁদ)

ক্রোধহা ক্রোধকৃৎকর্ত্তা বিশ্ববাহুর্মহীধরঃ ॥৪৭॥

অচ্যুতঃ প্রথিতঃ প্রাণঃ প্রাণদো বাসবানুজঃ। অপাং নিধিরধিষ্ঠানমপ্রমত্তঃ প্রতিষ্ঠিতঃ ৪৮॥

স্কন্দঃ স্কন্দধরো ধুর্য্যো বরদো বায়ুবাহনঃ।

---

৩১০ শিষ্টেষ্ট (শিষ্টজনশিংগী ইষ্ট ওইবা ৩১১ শিখণ্ডী (বাহোংময়ু মমৈবু কোথকৌলেত্তং ওইহনবিবা ৩১২ নহুষ (জ্ঞান তানবা ক্ষুদ্র প্রেতগুণশিংবু মায়াগী খোরৌনা কাজিন্দুনা দণ্ড পীহনা থম্বা) ৩১৩ বৃষ (অপাম্বা কামনা পুম্ববু হৈথোবরকপা বর্ষণ তৌবিবা)। ৩১৪ ক্রোধহা (ক্রোধাংগী ক্রোধবু মাঙহন্নবা শাউগনবা মীগী আত্মাবু উদ্ধার তৌবিবা) ৩১৫ ক্রোধকৃৎকর্ত্তা (শাউগনবা মীগী থগোয়দা অশাউবা হায়বদুবু পোক্কহনগা মাহুবু অমুক মাঙহন্দুনা শাম্নবা (তামাসক লিলা শাম্নবা)) ৩১৬ বিশ্ববাহু বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ডদা লৈরিবা পোৎ পুম্নমকপু লাম-লামদা লোশিনব, থুং পাম্থোম মশীং লাকতমদনা পুবা) ৩১৭ মহীধর (বামনরূপ লৌহনা ঈশ্বুংদগী পৃথিবীবু থাংগৎ লোথংপা থবা) ॥৪৭॥ ৩১৮ অচ্যুত (বিকার মথল তরুকতগী নাম্থোক্তুনা লৈবা) ৩১৯ প্রথিত (জগৎকী শেম্বা তাকপা থুগাইবা তৌবনি হায়না প্রসিদ্ধ ওইরব, কওরবা) ৩২০ প্রাণ (অচচ্চত জীব পুম্নমকী প্রাণ বায়ু ওইহনা লৈবা) ৩২১ প্রাণদ (প্রাণ বায়ুবু পীবা) ৩২২ বাসবানুজ (বামনরূপ লৌহনা ইন্দ্রগী মনাও নীপা ওইনা পোকপিবা) ৩২৩ অপাংনিধি (তুরেল পুম্নমকী তাকম-তুংনকম সমুদ্রগুম্বা জগৎকী পোৎ পুম্নমককী তাকম তুংনকম ওইবা) ৩২৪ অধিষ্ঠান (পোৎ খুদিংমকী অধিকরণ অধিকার -লৈকম ওইব-সমুদ্র) ৩২৫ অপ্রমত্ত করিগুম্বা হীরম অকি অথংগী ঘটনা অমদা ফিংগৎ-পাথত্তবা তাওদবা) ৩২৬ প্রতিষ্ঠিত (কনা অমত্তগা আশ্রয় লৌদনা মশা মথন্তগী পাঙ্গলদা- মহিমাদা প্লিন্দুনা লেঙদনা লৈবা) ॥৪৮॥ ৩২৭ স্কন্দ (স্বামী কার্ত্তিকেয়গী মশক ওইবা) ৩২৮ স্কন্দধর (দেব সেনাপতিগী পাঙ্গলমকপুম্ন পুথিবা-পীবিবা ধর্ম পুম্নগী পদ্ধতি পুথিবা) ৩২৯ ধুর্য্য (অচচ্চত জীব পুম্নমকী পোকপা লৈব শিবনচিংবগী থবক নিয়ম পুবা) ৩৩০ বরদ (য়েক্রবা মরূপ খেয়দনা অনিব বর মথৈ পীবিবা) ৩৩১ বায়ুবাহন (বায়ু মুংশিংকী গতি নিফুমাপলনা বাহন ওইনা লৈবা)* ৩৩২ বাসুদেব (অচচ্চত পোৎ খুদিংমক্তা সর্বাত্মাগী মশক ওইনা পুম্নমক্তা লৈরনা লৈরবা)।

* টীকাঃ— মুংশিংকী গতিশিং অসি ঐথোয়নসু তত্তনা উবা ফংতি। উচেকশিংনা অমদি অকংবা উনাশিংদা শাইবসি মথকলোমদা," মথারোমদা, কৌজননা, মথক মথা ওম্না য়ুংনা চেপ্পা চেপ্পা কম্বা, চুম্মুম্নিং চুম্না, খোয়না, পীকা" মীক্তনা শাইবগী তোতাল তোঙানবা গতি খোঙচং কয়া উরি অসুম্না খেঙবা গতি-শিং "অসি নিফুমাপনি।" মাথি বায়ুগী অর্থদি প্রাণবায়ুগী গাক্তমকনি। মাসবু বাহন ওইনা অদুগা মথোয়গী বাহন ওইনা লৈবিবা ফিক্কুনি। (তাজাচাঁদ)

বাসুদেবো বৃহদ্ভানু রাদিদেবঃ পুরন্দরঃ ॥৪৯॥

অশোকস্তারণস্তারঃ শূরঃ শৌরির্জনেশ্বরঃ। অনুকূলঃ শতাবর্তঃ পদ্মী পদ্ম নিভেক্ষণঃ ॥৫০॥

পদ্মনাভোঽরবিন্দাক্ষঃ পদ্মগর্ভঃ শরীরভৃৎ। মহর্দ্ধিঋদ্ধো বৃদ্ধাত্মা মহাক্ষো গরুড়ধ্বজঃ ॥৫১॥

---

৩৩৩ বৃহদ্ভানু (মঙাল পুবা নৈথক নৈথাদা লৈবা পোৎ পুন্নমকী মঙালশিংগী পুগেপা মঙাল মচাক শিংসিগী খাইদোরককম অহুগা মাদি ময়েং ঈভাভাদনা ঈচাও চাউমা লৈবা মঙাল মথৌ তুমিংকুবা) ৩৩৪ আদিদেব (মাগী মাগী ইষ্টদেব হায়না লৈনারব। দেব মাইশিং অসিগী হৌরককম ঈহাব হানবা দেব লাই) ৩৩৫ পুরন্দর (য়েক্লবা দৈত্যদানব হিংচা য়াইতম্বা পুন্নমকী লৈকম মহুম থুগাই থিনখাইবা ॥৪৯॥ ৩৩৬ অশোক (শোক অবাবা মঙল পুন্নমক্তগী নাংহাক্তুনা লৈবা) ৩৩৭ তারণ (অবাবা খুদোংথিবা ঈশাকপু লানবিবা ৩৩৮ তার (পোকপা শিবদগী মুক্ত ওইহনবা লানবিবা ৩৩৯শূর (মরি লৈবা থৌনাজবা) ৩৪০ শৌর (শূর বীর্য্য লৈবা শূরবংশ বসুদেবগী মচা ওইনা পোকপিবা ৩৪১ জনেশ্বর (পোকপা নাইবা জন্তু মহৈগী মপু) ৩৪২ অনুকূল (পুন্নমকী আত্মা ওইবনা থ্বাইমকী মকমদা ঈচুতচুনকনা লৈবা) ৩৪৩ শতাবর্ত্ত ধর্ম রক্ষাগীদমক্তা শায়োন মথল চাম চামা পুবা) ৩৪৪ পদ্মী (থম্বাল পাম্নবা) ৩৪৫ পদ্মনিভেক্ষণ (থম্বাল লৈনাগী মতৌওম্বা নয়ন-মীৎনা মাগী ওইবা) ॥৫০॥ ৩৪৬ পদ্মনাভ (থম্মোয় থম্বাল লৈকারক্তা লৈবা) ৩৪৭ অরবিন্দাক্ষ (থম্বাল লৈকা মওং মানবা নয়ন-মীৎনা মাগী ওইবা) ৩৪৮ পদ্মগর্ভ (থম্মোয় লৈকাইরক্তা ধ্যান তৌননীংঙাই ওইবা) ৩৪৯ শরীরভৃৎ অন্নগী মশক ওইনা অচচ্চত্ত জীব পুম্নগী শরীর হকচাংবু মো-ক্তুনা থম্বা-য়োকথৎপিবা) * ৩৫০ মহর্দ্ধি (ওমথৈ লৈতবা ঋদ্ধি-সম্পত্তি মাগী ওইবা) ৩৫১ ঋদ্ধ (অচৌব খ্বাইনা হেন্না মথং মথং চাওখত্তুনা লৈবা) ৩৫২ বৃদ্ধাত্মা (অচৌনা হেন্ননীঙাই লৈরম্বা ভাখাবু পুবিবা) ৩৫৩ মহাক্ষ (-কায়রাওনববা পাক চাউববা মীৎনা মাগী ওইবা ৩৫৪ গরুড়ধ্বজ (গরুড় তোংবা- গরুড় থেকপা ফীরাম্ব মাগী ওইবা) ॥৫১॥

---

* টীকাঃ — মতৌ কয়ম্না হকচাংসিনা পোকপা লুমিত্তগী লুমিং খুদিংগী মথং মথং থক্তিক থক্তিক চাওখৎলক্লবনো হায়বাস ঈলায় লায়না পাক খুদদা ব্যরগদবা য়াহংবি। মনা মশাং মহৈ মথোং কৌ-সেহ পাখী পুম্নমক্তা জীব লৈ। লৈরিবা জীবসি জীব অমগী অন্ন চীঙাকনি। অন্ন য়ায়বাসনব বিষ্ণুগী নাম অমুনি। অন্ন-অন্নাদ অসিনচিংবা নাম অসিন্থ অন্নময়ান। মৈ-ঈশিংনচিংবগী মটপ হকচাং লাসনা লুমিং খুদংগী মৈ ঈশিংনচিংবা চীঙাক অসি মথং মথং থোনজিন্নকাস। মথং মথং চাওখৎলকপা থোক্তখৎলকপা য়ায়বাসনক বিষ্ণুগী নামশিংগী মমুংদা অমনি অহুশুবা জীব (বিষ্ণু) শিনা মথং মথং থোকখৎলকপনি। হায়রিংপু মথং মথং অসুথন হাজিরপা যবয়গী টুাপনচিংবনা অহুথুন পোকথোরকপা অহুশুবনি। (লোয়াচঁ য়া)

অতুলঃ শরভো ভীমঃ সময়জ্ঞো হবির্হরিঃ। সর্বলক্ষণলক্ষণ্যো লক্ষ্মীবান্ সমিতিঞ্জয়ঃ।।৫২।।
বিক্ষরো রোহিতো মার্গো হেতুর্দামোদরঃ সহঃ।

৩৫৩ অতুল (করিগুম্বা কনাগুম্বা অমত্তগা তুলনা তৌবা চাংদমনবা য়াদবা) ৩৫৬ শরভ (দেবশিংসিবু মথং মথং মথকলোমদা চাওথং চাওথং-বাংথংহনবগী মশক ওইনা আত্মা-বুদ্ধিনচিংববু চাওথংহনবা) ৩৫৭ ভীম (মাগী মশক উবদা পাপীশিংগী মীং অমদি থম্মোয়দা অকিগা পোক্লনীঙায় ওইবা) ৩৫৮ সময়জ্ঞ অচচত্ত জীব খুদিংমক্তা সমদৃষ্টি থম্বা হায়বদি মায়না উবগী মশক ওইবা যজ্ঞদগী পোক্লনীঙায় ওইবা মূর্তি না মাম্মী ওইবা) ৩৫৯ হবির্হরি (যজ্ঞগী অগ্নিদা লংশিল্লিবা কংলিবা হবিষবু অহুগা, মাবু নীংশিংজবশিংগী পাপপু কোকপিবা) ৩৬০ সর্বলক্ষণলক্ষণ্য (অকবা কজবা লক্ষণ পুম্বা লৈতেংবা) ৩৬১ লক্ষ্মীবান্ (লক্ষ্মী-শ্রীসম্ভত্তি পুম্বনা ভিনবা অহুগা মাগী বক্ষঃস্থলদা থবাক্তা লক্ষ্মীজীগী পদবী লৈকম পীবা হায়বদি শ্রীনিবাস ওইবা) ৩৬২ সমিতিঞ্জয় (লালকম মথল মথক্লা জয়ত মওইবা)।।৫২। ৩৬৩ বিক্ষর (ক্ষর লৈতবা পাপকী শরক য়াওদবা) ৩৬৪ রোহিত (রোহিতমৎস্য,ভীবা ঙাগী মশক লৌহনা অবতার তৌবা মীনা অবতার তৌবা) ৩৬৫ মার্গ (লম্বী-পরমানন্দ, পরমধাম, পরমশান্তি, পরমমুক্তিনচিংববু ফংনিংবশিংনা চংননবগী লম্বী ওইবা) ৩৬৬ হেতু (জগৎব্রহ্মাণ্ড অসি পোক্লকমবগী হেতু কারণ নিমিত্তকারণ, উপাদান কারণনচিংবা মথন্তনা ওইবা) * ৩৫৯ মহীধর (পৃথিবীবু পুবা-থাংগৎলকপা)।

---

* টীকা :— পোংশক অমা ওইহনবা শাবগী কারণ (মরম) অসি য়াম্না য়াম্মি। অহুবু ন্যায়শাস্ত্রদা চাউরাক্লা অথোইবা কারণশিংসি অহুম মরিদং থনগংলি। মাহুদি হেতু কারণ, নিমিত্ত কারণ, উপাদান কারণ অহুমসি অসি নত্তবা সংযোগ কারণ বিযোগ কারণ অসিনচিংবা অক্তৈ অক্তৈ কারণ য়াম্না লৈরি। হায়রিবা কারণশিংসি য়াওদনা করিগুম্বা পোং অমত্ত ওইংমবা থোকহনবা য়াদে। কার মরমগীদমক করি হেতুদগী শাবনো হায়বহুনা হেতু কারণবু হংবনি। করি নিমিত্তদগী শারিবনো হায়বহুদি করি ফংনিংহুনা করি পামহুনা শারিবনো হায়না হংবহুনা নিমিত্ত কারণবু হংবনি। করি কার মচাক্লা শাবনো হায়বহুনা উপাদান কারণবু হংবনি। হায়রিবশিংসি নত্তবা হংনীঙায় ওইবা কারণ মশিং লাকওমদনা লৈরি। কনানা শাবনো, কদায়দা শাবনো কদায়দগী কনাগীদমক করম মতমদা অসিনচিংবা হংনিঙায় য়াম্না লৈরি। মথোয়শিংহু কারণ মকুনি। খুাইদগী মরুবা মহাক অহু য়াওব্রবাদ পোশক অহু শাবা থোকহনবসি শূকয়া য়ারোইদোবা কারণ অসি হায়রিবা কারণশিংসিগী মমুংদা করিনো হায়বহু চকুশাবা কিশাবা অসিনচিংবদগু অহুম থম্বগদবনি। কি কৌবা পোশক অমা থোকহনবদা চঙলিবা কারণসি লশিংলা, লংলা, য়োঙখমলা, পাঙলদেমলা …? অহুবা য়াম্না লৈথি। কারণ পুম্নমক অসি বিফুত্তনা ওই। (কালাচাঁদ)

মহীধরো মহাভাগো-বেগবানমিতাশনঃ ॥৫৩॥
উদ্ভবঃ ক্ষোভণোদেবঃ শ্রীগর্ভঃ পরমেশ্বরঃ।
করণং কারণং কর্তা বিকর্তা গহনোগুহঃ। ৫৪।
ব্যাবসায়ো ব্যবস্থাপঃ সংস্থানঃ স্থানদোধ্রুবঃ।

---

৩৭০ মহাভাগ (মাগী মথক্ত ভগ্যবান্ ওইবা অমা লৈত্রবা) ৩৭১ বেগবান্ (শারুকনবা থ্বাইদগী হেল্লা য়াওবা) ৩৭২ অমিতাশন (মপা লৈতনা য়াম্না চাবা বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসি কাওবা খুদক্তা চাশনবা, য়োক্সিল্লনবা) ॥৫৩॥ ৩৭৩ উদ্ভব (ব্রহ্মাণ্ড জগৎ অসিগী থোরকপা ওইরকপা লেম্নরচিংবগী উপাদান কারণ-মচাক ওইবা বিষ্ণু) ৩৭৪ ক্ষোভণ (জগৎকী উৎপত্তিগী মতমদা প্রকৃতি পুরুষ অনীমক্তা চঙহনা অনীমকপু কোয়রেং লেঙহনবা- মথৌ মবাঙ হোৎনব। ইপোম হোৎনবা) ৩৭৫ দেব (পোৎ খুদিংমক্তা মগাল পীহনা ভালহনবা, মশামকপু ভাহনবা) ৩৭৬ শ্রীগর্ভ (শ্রীসম্পত্তি পুম্নমকপু মাগী পুক্নুংদা গর্ভনুংদা পুবা) ৩৭৭ পরমেশ্বর (জীবপুম্নমক্তা শাসন তৌন তৌনা সুখশান্তি পীব ঙমশিংগী মনুংদা থ্বাইদগা অথোইবা) ৩৭৮ করণম্ (জগৎ সংসারবু পোকহনথিবগী থ্বাইদগী অথোইবা খুৎলায় ওইবা) ৩৭৯ কারণম (জগৎ ব্রহ্মাণ্ডাসবু পোকহনথিবদগী নিমিত্তকারণ-উপাদানকারণ অনীমক তুননা ওইবা) ৩৮০ কর্তা (জগৎব্রহ্মাণ্ডসগী কর্তা অপাবা অশেষমহ মহাত্মা ওইবা) ৩৮১ বিকর্তা (অঙকপা কর্তা হায়বদি, কদায়দগী খুৎলায়না কার পায়হনা করি মচাকনা শাথবনো হায়বহ কনা অমত্তবু খঙহন্দবা অঙকপা কর্তা ওইবা) ৩৮২ গহন (অকুনা মহাক্তা তৌবা থবক্তা কনা অমত্তবু খঙহন্দনা লোম্না থুপা তৌবা) ৩৮৩ গুহ (কন্ন হোৎনজরগ, তপস্যা তৌরগা মশাবা অহুম খঙহনজবকসমু হায়বগী দমক্তা মায়াগী পর্দায় মনুঙ্গা লৈবা *॥৫৪। ৩৮৪ ব্যবসায় (কন্না লোয়না হোৎনবগা কংলকপা জ্ঞান অহুগী পাম্বৈতনা খঙকম থোকপা অহুগা লোম্না হোৎনবা প্রযত্ন উদ্যাগ হায়রিবা অহুনকসু মশানা অহুম মওইজবা) ৩৮৫ ব্যবস্থান (থবক পুম্বা শোয়দনবা মক্তম পুম্বদা পুম্নমী রোনা ব্যবস্থাকারী ওইহনবা)।

* টীকা:- হায়রিবা বাকম অসি, হৌজিক হৌজিক্কী আধুনিক ওইবা থুদমনা অহুম মকংতি। কনাগুম্বা কনাগুম্বী লীলানাটককী অভিনেতা অভিনেত্রী (একটর একট্রেশনা) ভাবুক ময়ামক্তা মমাঙদা থিংথৌ চাকনিবা শাহনা থোয়ত্তুনা অভিনয় তৌরকত্রিডদো। অমমদা ফিজেৎ শেমকম (গ্রীনরুম)দা শেমশাদ্রিবা তৌরিবা মেকপ ময়ামক্তু উহন্দে। মাহু উহল্লবদি লীলাহু শাম্নবা। ঈশ্বর য়ারোরবোই শ্রীবিষ্ণুনা থোরকনা লীলা শাম্নরমদাইদা জগৎসি করম হায়না শাথ্রিবনো কনা অমত্তবু খঙহনউহনদবনি। (কালাচাঁদ)

পরর্দ্ধিঃ পরমস্পষ্টস্তুষ্টঃ পুষ্টঃ শুভেক্ষণঃ।
রামোবিরামো বিরজো মার্গোনেয়ো নয়োঽনয়ঃ। বীরঃ শক্তিমতাং শ্রেষ্ঠো ধর্মো ধর্মবিদুত্তমঃ ॥৫৬॥
বৈকুণ্ঠঃ পুরুষঃ প্রাণঃ প্রাণদঃ প্রণবঃ পৃথুঃ।

---

৩৮৬ সংস্থান (অমদগী অমদা অমুক চংশরোইদোবা লেঙত্রবা মফম) * ৩৮৭ স্থানদ (মানা মানা তৌজবা ভক্তিচুপী মতুং ইন্না চপ চপ চাবা স্থান মফম পীবিরা) ৩৮৮ ধ্রুব (লেঙদ্রবা অমবা ঈনবদা লেঙ ওৎপা তৌদ্রবা) ৩৮৯ পরর্দ্ধি (অমনা অমনা লোইরা শুমত্রবা ঋদ্ধি কলবু লোইবা) ৩৯০ পরমস্পষ্ট (জ্ঞানীশিংগী মফমদা, জ্ঞানমূর্ত্তি ওইনা লৈবনা, খ্বাইদগী হেন্না করিগুম্বা অমরুপা অমা য়াওদনা তপেং-তপেংনা লৈবা) ৩৯১ তুষ্ট (ঈপেন্ত পেন্মুনা অৱাংঅনা লৈতনা লৈবা) ৩৯২ পুষ্ট (ঈবত্ত থম লৈবা) ৩৯৩ শুভেক্ষণ (দর্শন তৌবা-য়েংবতদা মহামঙ্গলগী মশক ওইবা। ৫৫। ৩৯৪ রাম (মাগী বাখল্দা যোগীশিংগী নুংঙাইনফম ওইবা) ৩৯৫ বিরাম (প্রলয়গী মতমদা জীবশিংগী পোকখানীংঙায় ওইবা) ৩৯৬ বিরজ (উফুল থাংদবা অঙকপা লৈতবা, রজোগুণগী শক্তক ঈয়াও য়াওদবা) ৩৯৭ মার্গ (মশাখক্তা মুক্তিফংলিংবা সাধক-শিংগী লম্বী ওইব) ৩৯৮ নেয় (অশেংবা জ্ঞানতনা পুরুকপা-কৌরকপা য়াবা) ৩৯৯ নয় (পোৎ পুন্না মথং মনাও কায়দনা থম্ব) ৪০০ অনয় (মা মহাক মশামকপু নিয়ম পুরমক্তগী বাংমদা লৈ হনা নিয়মশিংহ লেপ্পা ৪০১ বীর (খ্বাইদগী কনবা) ৪০২ শক্তিমতাং শ্রেষ্ঠ (শক্তি লৈবশিংগী মধুংদা খ্বাইদগী হেন্না শক্তি লৈবা) ৪০৩ (ধর্ম হায়বহু মকী মূর্ত্তি ওইবা) ৪০৪ ধর্মবিদুত্তম (ধর্মগী তত্ত্ব খঙবশিংগী মধুংদা খ্বাইদগী অথোইবা) ॥৫৬॥ ৪০৫ বৈকুণ্ঠ (মশামক্তা পরমধাম হায়বহুমক ওইবা) ৪০৬ পুরুষ (বিশ্বব্রহ্মাণ্ডগী মশক ওইবা প্রকৃতি হকচাংদুংদা তুংহনা লৈবা) ৪০৭ প্রাণ (পাণবায়ু কৌবুদা হকচাংদুংদা হুমংনা শীত্তুনা লৈবা ৪০৮ প্রাণদ (সৃষ্টিগী আদিদা প্রান বায়ু শীবা) *

* টীকাঃ — হেক শিজ্রিমখৈ জীব পুম্নমক মফম অমতদা তু হনা নপু মা লৈতে। তহাক্তং কোয়চং চংদুরগা মাগী মাগী স্থান-বাসস্থানদা হেক হেক হজিল্লকই। অহুবু স্থান অহু সংস্থান কোবদি য়াদে। মরমদি স্থান অহুদা ওহাক্তং হজিন্দুনা লৈরম্লগা মাহু থাদোক্লমহুনা অমদা অমুক চংদি অহুনা জীব খুদিংমক মপুনশি লেপ্লি। সংস্থানদা হেক য়ৌরক্লবদা হঙৎ হন্দা চংশনাঁচিংবা চপ লেপখি। অমদগী অমুক চংপা তৌজে। অহুনা সাধারণ "সংস্থান" হায়রগা মোংফমবু খঙনৈ মোংফমদা হেক য়ৌজিমখৈ পুম্না মফম অমতদা লেংদনা লৈবা থক য়ায়োই সংস্থান (বিষ্ণু) গী নাক্তা হেক য়ৌরক্লবতদা থবক পুম্না লেপকনি।
[illegible]

* টীকাঃ—থা তরুককী মহুক্তা হকচাং শাবা (সৃষ্টি) হেক লোইরম গর্ভদুংদা জীবনা মুংশাথর হোত্রবা বায়ু (মুংশিৎ) হুম্বা (হোনবা) অসি কনায়দগীনো? হকচাং অসি-চম্লি ঘটনি। মুংশিংতি আকাশদগীনি।

হিরণ্যগর্ভঃ শত্রুঘ্নো ব্যাপ্তো বায়ুরধোক্ষজঃ ॥৫৭॥
ঋতুঃ সুদর্শনঃ কালঃ পরমেষ্ঠী পরিগ্রহঃ। উগ্রঃ সংবৎসরো দক্ষো বিশ্রামো বিশ্বদক্ষিণঃ ॥৫৮॥
বিস্তারঃ স্থাবর স্থাণুঃ প্রমাণং বীজমব্যয়ম্। অর্থোঽনর্থো মহাকোশো মহাভোগো মহাধনঃ ॥৫৯॥

---

৪০৯ প্রণব (ওঁকারগী মূর্তি ওঁ হায়বা খোঙোক অসিগী স্বরূপ) ৪১০ পৃথু (বিরাট্ মূর্তি পুবা ৪১১ হিরণ্য গর্ভ (ব্রহ্মাগী মশক লৌহুনা চোংথোরকপা থোরকপা) ৪১২ শত্রুঘ্ন (দৈত্যদানবনচিংবা পুম্নমক পু হাংপা মুথৎপা) ৪১৩ ব্যাপ্ত (কালগী মশক লৌহুনা মকম মতম পুম্নদা শীন্নৎনা লৈবা) ৪১৪ বায়ু (সুংশিংকী মূর্তি ওইবা (৪১৫ অধোক্ষজ মশাগী মূর্তিগী শক্তি খজিক্ক কাওবা হন্দবা)॥৫৭॥ ৪১৬ ঋতু খনগুনচিংবা ঋতু পুম্নমকী অমত্ত ওইবা মূর্তি) ৪১৭ সুদর্শন (ভক্তশিংদা ঈবার শায়না ঈবাবাদনা দশন কংহনবা) ৪১৮ কাল (থোথোৎমক মশীং থক্তনা পৈশিন থোমজিনবা) ৪১৯ পরমেষ্ঠী (মশাগী খ্বাইদগী হেনবা মহিমা মতীক মগুনদা লৈবনা মহাকী স্বভাব ওইবা) ৪২০ পরিগ্রহ চত্তজয়রবা ভক্তশিংগী করিগুম্বা মওংগী ভমজবা লেবাব্ থম্মোয় য়োনা লৌশিবা খীকাব তৌখিবা) ৪২১ উগ্র (মফম মতমগী মতুংহন্না অকিব কংনা ভমথিরবা শক্রোক্ত মূর্তি পুবা) ৪২২ সংবৎসর (অচচ্চত জীব পুম্নমকা লৈফম হ্‌নফম) ৪২৩ দক্ষ (লুপ্পবা থবকপু শ্রীকৃষ্ণ ঈলায় লায়না পাওথোকপা হৈশিংবা) ৪২৪ বিশ্রাম (সংসারগী ময়াদা থুক্রবদগী নাহোরক্রবশিংগী পোথাকম) ৪২৫ বিশ্বদক্ষিণ (বলিশিংগী মকমদা জগৎ পুম্বা দান দক্ষিণাগী মশক ওইনা মশক ওইনা লৌবা) ॥৫৮॥ ৪২৬ বিস্তার (জগৎতা লৈরিবা পোৎ খুদংমক্তা বিস্তার তৌরক্রবস্থ পাক-থোক চাউথোরক্রবস্থ মতোন্দা ঈচন চনবা মতোন্দগী হেক্কোকপা ঈম্না য়াদবা) ৪২৭ স্থাবর স্থাণু (অচচ্চত পুম্নমক্তা মাগী মমুংদা লেপ্ত ওৎপা চথোক চত্তাশব তৌবদা ঈরেপ্ত লেপ্তদবা কেৎ হাইদবা) ৪২৮ প্রমাণ (হোরম পুম্নমকী পান্দম্ফম মতৌ ভয়কম ৪২৯ বীজমব্যয়ম্ (সংসারগী পোৎ খুদংমকী অমাপ্ত অতা লৈত্তবা লৈত্তবা মরূওহবা) ৪৩০ অর্থ (মুংওাইবা মথল মথল পীনহৈব ওইবনা জীব পুম্নমক্তা হায়জফম ওইবা)
৪৩০ অর্থ (মুংওাইবা মথল মথল পীনহৈব ওইবনা জীব পুম্নমকা হায়জফম ওইবা) ৪৩১ অনর্থ (কারিগুম্বা হৌরমদা অঙ্গৎপা লৈত্তবনা জগত্তা কনা অমত্তনা মাগী হাইজকম ওইদবা) ৪৩২ মহাকোশ (লনগৈ পুগৈ চোয় পানা লেত্তবা) ৪৩৩ মহাভোগ (অচচ্চ জীব পুম্নমক মাগী মচা মশূ ভাক্ত ওইবনা, জীব পুম্নমক্তা লোই-লোহারিবা পোৎ পুম্না মাগী সম্পত্তি সত্ত ওইবনা চানীবো শেংনীংব পুম্না বাত্ত পাদনা ভোগ তৌহুনা লৈবা) ৪৩৪ মহাধন (মহাধন বান্ ওইবা খ্বাইদগী হেন্না ইনাক ধুনবা) ॥৫৯॥

মমানা হোক্লিবা হুংশাশোর আস মহাকাশদগী পোকপা মহাবাহুদগীনি। অহুগুম্বা বায়ু অহুনা মমাগী হকচাং চমূদা হোন্দোক হোজন তৌবা বায়ুদুগী শক্তি খরনা ভসাইগী গর্ভমুংগী হকচাংচমুমুংদ্দা চত্তদুনা ঈহান হানবদা হুংশাশোর হোন্দোক হোজিন তৌবা হৌবনি। অহুগুম্বা প্রাণবায়ু শীবারবা অহু বিস্তান। অহুনা বিস্তুগী নাম অমদা এপ্পেক্ত [illegible] (ক্রমাচঁ [illegible])

অনির্বিণ্ণঃ স্থবিষ্ঠোঽভূর্ধর্মযূপো মহামখঃ। নক্ষত্রনেমির্নক্ষত্রী ক্ষমঃ ক্ষামঃ সমীহনঃ ॥৬০।

যজ্ঞ ইজ্যো মহেজ্যশ্চ ক্রতু সত্রং সতাংগতিঃ। সর্বদর্শী বিমুক্তাত্মা সর্বজ্ঞো জ্ঞানমুত্তমম্ ॥৬১॥

সুব্রতঃ সুমুখঃ সূক্ষ্মঃ সুঘোষঃ সুখদঃ সুহৃৎ। মনোহরো জিতক্রোধো বীরবাহুর্বিদারণঃ। ৬২॥

স্বাপনঃ স্ববশো ব্যাপী নৈকাত্মা নৈককর্মকৃৎ। বৎসরো বৎসলো বৎসী রত্নগর্ভো ধনেশ্বরঃ ॥৬৩॥

৪৩৫ অনির্বিণ্ণ উত্তবা পদবা মতাং নক্লিমথৈ করিগুম্না থাথিদ। তমথিরবা মুর্তি পুদবা) ৪৩৬ স্থবিষ্ঠ (মথক্ত অমা লৈতবা খ্বাইদগী বাং চাউরবা বিরাট মুর্তি পুবা) ৪৩৭ অভু: (জীব পুম্নমক্না পোক্লিতৈদগী হায়র অসুম্মক লৈজররবকপনা মাগী পোকপা অমমুক লৈত্রবা) ৪৩৮ ধর্মযূপ (যজ্ঞগী মশক ওইবা ধর্মগী যূপ্নী) ৪৩৯ মহামখ (মহাচাউপ্রবা যজ্ঞগী মশক ওইবা) ৪৪০ নক্ষত্রনেমী (নক্ষত্র রাশি চক্র পুম্নগী কেন্দ্র চক্রগী ময়োল কেন্দ্র ওইবা) ৪৪১ নক্ষত্রী (নক্ষত্র পুম্নমকী লোইবা) ৪৪২ ক্ষম (ভাব পুম্না পুহনা থাওহন লৈওম্না ৪৪৩ ক্ষাম (খ্বাইগী লৈকম চাকম থককম ওইবা) ৪৪৪ সমীহন (শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তদা পুক্নীং চঙনা হোৎনহনা লৈবা) ॥৬০॥ ৪৪৫ যজ্ঞ (যজ্ঞ সেবা পূজা অসিনচিংব পুম্নমকী অউবা মুর্তি পুবা যজ্ঞমুর্তি ওইবা) ৪৪৬ ইজ্য (সেবা পূজা তৌননীঙায় ওইবা) ৪৪৭ মহেজ্য (মহা+ইজ্য খ্বাইদগী হেন্না সেবা পূজা তৌননীঙায় ওইবা) ৪৪৮ ক্রতু (যজ্ঞগী যুপ্নী স্থাপন তৌহনা য়ুংহনা তৌবা ক্রতু কৌবা যজ্ঞগী মুর্তি ওইবা ৪৪৯ সত্র (সৎ পুরুষ য়াইবশিংবু ঙাকপিবা) ৪৫০ সতাংগতি (সৎ পুরুষশিংগী গতি অমদি লমথুংকম) ৪৫১ সর্বদর্শী (প্রচচত্ত জীব পুম্নদা তৌরিবসি করি থন্দুনা করি থওহনা তৌরিবনো হায়বহু লোইনা উবাথওবা ৪৫২ বিমুক্তাত্মা অক কত্ত লৈবা লৈতবা পুম্নমক্তগী নাহোক্তনা আত্মাগী মুর্তি পুবা) ৪৫৩ সর্বজ্ঞ (লোইনা খঙবা) ৪৫৪ জ্ঞানমুত্তমম্ (জ্ঞান পুম্নমক্তগী অথোইবা জ্ঞানগী মশক ওইব) ৪৫৫ সুব্রত (অফবা পুম্ন তৌ-বতনা মাগী ব্রত ওইবা) ৪৫৬ সুমুখ (ফজবা প্রসন্ন ওইবা মায়থোংপুবা) ৪৫৭ সূক্ষ্ম (অনুদগী অনু ওইবা পরমাণুগী মশক ওইবা) ৪৫৮ সুঘোষ (লেম্না নৌবা ফজবা খোম্নোংবা মাগী ওইবা) ৪৫৯ সুখদ (নুংঙাইবত পীবিবা) ৪৬০ সুহৃদ (জীব খুদিংমকপু মরম ঊরৈ লৈতনা নুংশিবিবা) ৪৬১ মনোহর (পুক্নীং চুনবগী ৪৬২ জিতক্রোধ (কামক্রোধনচিংববু নমহৎপা ওম্না) ৪৬৩ বীরবাহু অকনবা পাম্বোম চাউবা) ৪৬৪ বিদারণ (পুম্নমকপু থিনজাইবা থুগাইবা) ॥৬২॥ ৪৬৫ স্বাপন (প্রলয়গী মতমদা জীব পুম্নমকপু যোগ্নদ্রাদা তুমহনবা) ৪৬৬ স্ববশ (মশাগী মথাপোনবা কনা অমতগী, মথা পোন্দবা স্বতন্ত্র ওইবা) ৪৬৭ ব্যাপী (মফম মতম পুম্নদা শীস্নুনা লৈবা) ৪৬৮ নৈকাত্মা (দেহ খুদিংদা লৈবা আত্মা পুম্নগী অমত ওইবা আত্মা) ৪৬৯ নৈককর্মকৎ (জগৎকী থবক পুম্না মথন্তনা তৌবা) ৪৭০ বৎসর (পুম্নমকী লৈকম ওইবা লৈকম পীবা) ৪৭১ বৎসল (ভক্ত পুম্নমকপু নুংশিবিবা) ৪৭২ বৎসী (শদ্বী শক্লাও পুম্নবু ঙাকপিবা শেনবিবা) ৪৭৩ রত্নগর্ভ (মণি-হীরাই পুম্না গর্ভদা পুবা ৪৭৪ ধনেশ্বর (ধন পুম্নগী মপু) ॥৬৩॥

ধর্মগুব্ ধর্মকৃৎ ধর্মী সদসৎক্ষরমক্ষরম্। অবিজ্ঞাতা সহস্রাংশুর্বিধাতা কৃতলক্ষণঃ ।।৬৪।।
গভস্তিনেমি সত্ত্বস্থঃ সিংহো ভূতমহেশ্বরঃ। আদিদেবো মহাদেবো দেবেশো দেবভৃৎ গুরুঃ ।।৬৫।।
উত্তরো গোপতি গোপ্তা জ্ঞানগম্যঃ পুরাতনঃ।
শরীবভূতভৃৎভোক্তা কপীন্দ্রোভূরিদক্ষিণঃ ।।৬৬।

---

৪৭৫ ধর্মগুপ (ধর্ম পুম্বব্ ঙাকপা) ৪৭৬ ধর্মকৃৎ (ধম পুম্নমক শেম্বিবা * ৪৭৭ ধর্মী (তোঙানবা ধম পুম্নমকপু লোইবা পুরিবা) ৪৭৮ সৎ (অচুম্বা অকবা সত্যগী অউবা মূর্ত্তি ওইবা) ৪ ৯ অসৎ (ঊরিবা অনিত্য ওইবা সৎ নত্রবা জগৎ পুম্বগী মশক ওইবা) ৪৮০ ক্ষর (মাঙথ্রগদবা জগৎ পুম্নমকসি মহামক্রা ওইবা) ৪৮১ অক্ষর (মহাক মশামকতি মাঙদবা) ৪৮২ অবিজ্ঞাতা (জীব ব্রহ্মনচিংবা পুম্নমকী তত্ত্ব মুম্না খঙবা বিজ্ঞ'শিংনা খঙলিবশং অদুবুস্থ ঈশ্বর খঙবিদনা, বিলক্ষণ ওইবা মগুং অমা পুত্থনা লৈবা বিষ্ণু) ৪৮৩ সহস্রাংশু (মগুং মঙাল লিশিং লিশিং পুবা) ৪৮৪ বিধাতা (জগৎ পুম্বব্ কোংনাত্থনা পুবা) ৪৮৫ কৃতলক্ষণ (অফবা চিহ্ন লক্ষণ পুম্বা মশাগী কায়াং খুদিংদা পুবা) ।।৬৪। ৪৮৬ গভস্তিনেমি (পোং খুদিংমক্ত লৈবা মঙালশিংগী মরক্তা ময়ায় চবুক্তী মুমিংকুম্না ঙান্দুনা লৈবা) ৪৮৭ সত্ত্বস্থ (মশানা অন্তর্যামী মপুংদা কোয়চং চক্নুনা লৈবা ওইবনা অচচত্ত জীব পুম্নমকী থম্মোয়মপুংদা লৈবা সত্তা পুম্নমক্তা লৈবা) ৪৮৮ সিংহ (প্রহ্লাদ-নচিংবা ভক্তগীদমক্তা শাগী লমচং চৎপা ফত্তবশিংগী নমহুৎনবগীদমক্ত শাগী নিংথৌ হায়বদি, নোংশা ওইবা ৪৮৯ ভূতমহেশ্বর (জীব পুম্নমকী ঈশ্বর ওইবা) ৪৯০ আদিদেব (দেবতা পুম্নমকী ঈহ'ন হানবা দেবতা) ৪৯১ মহাদেব (দেবতা পুম্নমকী মপুংদা থুাইদগী হেন্না চাউবা দেবতা) ৪৯২ দেবেশ (দেব পুম্নমকী ঈশ্বর) ৪৯৩ দেবভৃৎগুরু (দেবতা পুম্নমকপু য়োক থাক্তুনা মখোয়গী গুরু ওইনা লৈবা ৬৫। ৪৯৪ উত্তর (সংসার ঈপাকপু লানবিবা) ৪৯৫ গোপতি (গোপাল-থালগী মশক লৌবিত্থনা শনবী শম্নাও পুম্বব্ ঙাকপি শেনবি-বা) ৪৯৬ গোপ্তা (জীব পুম্নমকপু ঙাকপি শেনাববা) ৪৯৭ জ্ঞানগম্য (জ্ঞানগী পাম্বৈত্তনা ফংনকম ওইবা) ৪৯৮ পুরাতম (মহাক্রা ঈহান হ নবা ওইবনা থুাইদগী পুরাতন ওইবা লিরবা কুইরবা) ৪৯৯ শরীরভূতভৃৎ (প্রাণ বায়ুগীমশক লৌত্থনা জীব পুম্নমকপু য়োকপা) ৫০০ ভোক্তা (ব্রহ্মাণ্ডদা লৈবা পোং খুদিংমকপু ভোগ তৌত্থনা লৈবা ৫০১ কপীন্দ্র (য়োং শংম্নচিংব ফাগুবব্ মাগী মথৌনা ভেংবানবা ফংহনবা নিংথৌগুম্ন মহাক্রা হায়বত ইলহন্দুনা মাগী ভক্ত ওইহনবা) ৫০২ ভূরিদক্ষিণ (মহাক্রী মাতা পিতা ওইবা ফংজবশিংনা মখোয়না তৌজবা যাগ যজ্ঞগী তৌশিংবা দানদক্ষিণা যাম্না তৌজনবা) ।।৬৬।।

* টীকা:— সম্প্রদায় খুদিংমক্না য়ারা য়ানা পাম্বা চৎলিবা ধর্ম পুম্বা শেম্বসি অমত্ত ওইবা আত্মা (বিষ্ণু) মহাক্রা শেম্বনি শাবনি। (কালাচাঁদ)

সোমপোঽমৃতপঃ সোমঃ পুরুজিৎ পুরুসত্তমঃ। বিনয়ো জয়ঃ সত্যসন্ধো দাশার্হঃ সাত্বতাংপতিঃ ॥৬৭॥
জীবো বিনয়িতা সাক্ষী মুকুন্দোঽমিতবিক্রমঃ। অম্ভোনিধিরনন্তাত্মা মহোদধিশয়োঽন্তকঃ ॥৬৮॥
অজো মহার্হঃ স্বাভাব্যো জিতামিত্রঃ প্রমোদনঃ। আনন্দো নন্দনো নন্দঃ সত্যধর্মা ত্রিবিক্রমঃ ॥৬৯।

৫০৩ সোমপ (ভক্তশিংনা ভৌকবা সোমযাগশিংদগী সোমরসবু হবাএ চবাওনা লৌবিবা থকপিব) ৫০৪ অমৃতপ (লাইহিংচাবশিংনা নৈতুবা পুথোরকপা অমৃতবু, হায়বদি, ধর্ম, অধর্ম সৎ অসৎবাদীনা নৈনর-গা তর্ক তৌনগা তারকপা অমৃতগী মশক সিদ্ধান্তবু থকপা) ৫০৫ সোম (ঔষধি পুম্নমকপু য়োকখৎপিবা সোমচন্দ্রমাগী মশক ওইবা) ৫০৬ পুরুজিৎ (মকনবা পুম্নমকপু ভম্বা) ৫০৭ পুরুসত্তম (খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোক্লা লৈবা) ৫০৭ বিনয় ফত্তবশিংবু ম্বারকুনা মবা পোলহন্দ্রনা নোল্লকহনবা) ৫০৯ জয় (মকম মতম পুম্বদা জয় ত ওঃহুনা জয় ফংহুনা লৈবনা জয় হায়বা অহুমকা মাগী নাম মূর্তি ওইবা) ৫১০ সত্যসন্ধ (অচুম্ব থবক তৌনবগীদমক্তদা ঃাশকপ, থাশক ভাকপা) ৫১১ দাশার্হ (যুগ অমদা সত্য লোকতা দাশার্হ বংশদা অবতার তৌহুনা ভক্তশিংগী নী বা থুংবনবা) ৫১২ সাত্বতাং পতি (যুগ অমদা যদু কৌবা ভক্তগী বংশদা পোকপিহুনা যাদবশিংতুগী পতি স্বামী ওইবিবা। ॥৬৭॥ ৫১৩ জীব (ক্ষেত্রজ্ঞদা ক্ষেত্রজ্ঞ ওইহুনা প্রাণবায়ু ফংহন্দুনা হিংহনবা) ৫১৪ (বিনয়িতাসাক্ষী (বিনয়-নোল্লকপগা লোয়ননা চঙজরক্লবা ভক্তশিংদা প্রত্যক্ষ ওইনা মূর্তি উহনব) ৫১৫ মুকুন্দ (মূর্তি পীনহৈনব) ৫১৬ অমিতবিক্রম (চাংদম্নীংতায় লৈতবা ওমথৈ নাইদবা শক্তিন' সপী ওম্বা) ৫১৭ অম্ভোনিধি (ঈশিং পুম্নমক্কী তুনকম সমুদ্রগী মশক ওইবা) ৫১৮ অনন্তাত্মা (অনন্তমূর্তিপুবা লোইস নাইদনা অন্তলৈতবা মূর্তি পুবা) ৫১৯ মহোদধিশয় (সমুদ্রদা যাহীপ্পা) ৫২০ অন্তক (অচ্চত পুম্বন্থ সংহার তৌব) ৫২১ অজ (পোকপা হায়বা লৈতবা, নত্রগা "অ"দগী পোকপা হায়বদি বিষ্ণুদগী পোকপা ব্রহ্মাগী মশক পুবা) * ৫২২ মহার্হ (মহাপূজানীয় ওইবা) ৫২৩ স্বাভাব্য (স্ব+ অভাব্য) মশানা নিত্য সিদ্ধ বুদ্ধ ওইব। এমন মশাগী স্বভাবনা মশানা মশাবু পোহনবা নত্রগা পোকপা য়াদবা)৫২৪ জিতামিত্র (অমিত্র শক্র পুম্নমকপু ভম্বা) ৫২৫ প্রমোদন (মাবু নীংশিংজবতদা পেঙ্গনীতায় ওইবা ৫২৬ আনন্দ (মশামক আনন্দ হায়বহুগী মূর্তি ওইবা) ৫২৭ নন্দন (পুম্নমকপু পেলহনবা) ৫২৮ নন্দ (ঐশ্বর্য্য পুম্নমক্কঃ তিনব।। ৫২৯ সত্যধর্মা (অচুম্বভনা মাগী ধর্ম ওইবা ধর্ম ওইবা ধর্মজ্ঞান পুম্নমক্কা তিনবা) ৫৩০ (ত্রিবিক্রম (স্বর্গ মর্ত্ত্য পাতাল মরোল অহুমবু খোঙ্গাপ অহুমতনা লাস্তোকখ্রবা মরোল অহুম অসি শ্রীবিষ্ণুগীদি খোঙ্গাপ অহুমতগী লমনি।

* টীকাঃ—"অজ" হায়বা শব্দ অসিগী অর্থসি মওং তোঙান তোঙান্ন পুথোকপা য়াই। পোকপা লৈতবা, পোকবা অদগী পোকপা মাগী মূর্তি অমং পুম্বগী পোৎ পুম্নমক্কী নামশিং অসি "অ"দগী পোক-থিবা মক্তনি। (কালাচাঁদ)

মহর্ষি কপিলাচার্য্যঃ কৃতজ্ঞো মেদিনীপতিঃ। ত্রিপদস্ত্রিদশাধ্যক্ষো মহাশৃঙ্গঃ কৃতান্তকৃৎ ॥৭০॥
মহাবরাহো গোবিন্দঃ সুষেণ কনকাঙ্গদী। গুহ্যো গভীরো গহনো গুপ্তশ্চক্রগদাধরঃ ॥৭১॥
বেধাঃ স্বাঙ্গোঽজিতঃ কৃষ্ণো দৃঢ়ঃ সংকর্ষণোঽচ্যুতঃ। বরুণো বারুণো বৃক্ষঃ পুষ্করাক্ষো মহামনাঃ ॥৭২॥
ভগবান্ ভগহানন্দী বনমালী হলায়ুধঃ।

---

৫৩১ মহর্ষি কপিলাচার্যঃ, অদিতিগী মচা ওইনা পোকপিদুনা সাংখ্যশাস্ত্র পুথোকখিবা মহর্ষি কপিলাচার্য্য হায়বতুমক বিষ্ণু মহাক্সি) ৫৩২ কৃতজ্ঞ (ভক্তশিংনা তৌজবা ভাক্তি অরেম্বদা মাংহনন্দবা তৌবিমল খঙবা) ৬৩০ মেদিনী পতি (পৃথিবী পৃথ্বগী স্বামী মপু) ৫৩৪ ত্রিপদ (মরোল অহুমগী অমমক্তা মহাকীখোঙ পাফম অহুম ওইবা) ৫৩৫ ত্রিদশাধ্যক্ষ (দেবতা পুম্নমকী অধ্যক্ষ ওইবা) ৫৩৬ মহাশৃঙ্গ মচি অহুম পানবা মীন অবতার লৌখিংবা) ৫৩৭ কৃতান্তকৃৎ (নীংশিংজবা ভক্ত পুম্নমকী যমবু লাইশিংবা ।৭০। ৫৩৮ মহাবরাহঃ (হিরণ্যাক্ষগী লৈবা হিরণ্যাক্ষনচিংবা হিংচাবাশাবু হাৎনবগীদমক্তা বাংচাউরবা ওকী মূর্ত্তি লৌবা ৫৩৯ গোবিন্দ (ইন্দ্রদগী পৃথিবীবু কোয়থি খঙহনা পুগোরবগা) ৫৪০ সুষেণ (সেনা-লাম্মী খোঙলোয়শিংন ফজনা নীংখিনা কোয়শিনবা) ৫৪১ কনকাঙ্গদী (সনাগী ভাল-পাম্বোমক্তাবীনা পাম্বোমগী লৈতেং ওইবা ৫৪২ গুহ্য (হৃদ্গাংগী অথুপ্পা থম্মোয় খোয়দৌ অতিয়াদা লৈবা) ৫৪৩ গভীর (য়াম্না লেপ্পা য়াম্না লুবা অমনা পাক য়েৌবা শুমকদবা) ৫৪৪ গহন (য়াম্না লুবা পাক য়েৌবা য়াদবা) ৫৪৫ গুপ্ত (লোম্না থুপ্পা লৈবা) ৫৪৬ চক্রগদাধর (গদা চক্র পায়বা ॥৭১॥ ৫৪৭ বধা (পুম্নমকপু বিধান তৌবা রারক রাতেম্বা লেপ্পা) ৫৪৮ স্বাঙ্গ (মশাগী শরকপু মশা মথন্তুনা পাঙথোক অতৈ অমগী মতেং লৌদনা) ৫৪৯ অজিত (কনাগুম্বা অ্যা অজিত অনতনা শুমহিদবা কনাগুম্বা অমত্তা মতৌদা মাযাথবা ফংত্রিবা) ৫৫০ কৃষ্ণ (শংবাম্না মুবা, পোৎ খুদিংম মঙোতপদ চিংশিনবা) ৫৫১ দৃঢ় (যাম্না উইবা কনবা মানা ফাজিনপ্রবদা মঙোন্দগী পাক নাম্বোকপা ওমবা) ৫৫২ সঙ্কর্ষণোঽচ্যুত (প্রলয়গী মতমদা অমত্ত থাক্তনা লেইনা চিংশনগা, চিংশনবা মাদ হোন্দক হেক্তিন লৈতনা অহুমক মপোপ ঈকায় কায়দনা লৈবা) ৫৫৩ বরুন (ইশিংগী দেবতা বরুন হায়বত্সু মহাক্ত। অতুম মওইবা) ৫৫৪ বারুণ বরুন দেবতাগী বশিষ্ঠনা মচা ওইনা পোকপা বসিষ্ঠ হায়বহুসু মহাক্ত অহুম মওইব) ৫৫৫ বৃক্ষ (উপাম্বী পুম্নমকী ঈহান হানবা সনাখোংনাং পাম্বীগী মশক ওইবা) ৫৫৬ পুষ্করাক্ষ (থম্বাল লৈনাগী মচু মওংগী মতৌগুম্বা মীংনা থাগী ওইবা) ৫৫৭ মহামনা (পোকপা লৈবা মাঙবা কৌবা শীনাগী শক্তি অহুম অসি মথন্তুনা লোইবা) ॥৭২॥ ৫৫৮ ভগবান্ (শেম্বা ভাকপা থুম্বাইবা, বিদ্যা অবিদ্যা অসিনচিংবা পুম্বা শক্তি পুম্বা মথন্তুনা লোইবা পুবা) ৫৫৯ ভগহা (মাবু নীঙজবদা অপনবা ওবা ভক্তশিংগী ঐশ্বর্য্য ধনসম্পাত্ত পুম্বগী অপাম্বা পুম্বা মাঙহনবা লৌথোকপিবা) ৫৬০ আনন্দী (মহা-আনন্দগী মশক ওইবা) ৫৬১ বনমালী (থকউ মথাকাওবা চোম্বনা বৈজয়ন্তী মালা লৈপরেংনা লৈতেং ওইবা) ৫৬২ হলায়ুধ (লাঙ্গোলবু খুংলায়গী মশক ওইনা পায়বা)।

অদিত্যো জ্যোতিরাদিত্যঃ সহিষ্ণু গতিসত্তমঃ ।।৭৩।
সুধন্বা খণ্ডপরশু দারুণদ্রবিণপ্রদঃ । দিবিস্পৃক্‌সর্বদৃক্ ব্যাসো বাচস্পতিরযোনিজঃ ।।৭৪।
ত্রিসামা সামগঃ সাম নির্বাণং ভেষজং ভিষক্ ।

---

৫৬৩ আদিত্য (বামনরূপ পুদুন অদিতিগী মচা ওইনা পোকপিবা) ৫৬৪ জ্যোতিরাদিত্য (মশেক মঙাল পুদুনা লৈবা আদিত্য সূর্যমংকী মশক ওইনা লৈবা) * ৫৬৫ সহিষ্ণু (ভার পুম্বা পুবা অবাবা খাঙ-হৈবা) ৫৬৬ গতিসত্তম (গতি-পুম্নমক্কী অখোইবা গতি চঙজফম পুম্নমক্কী অখোইবা চঙজফম ওইবা) ।।৭৩।। ৫৬৭ সুধন্বা (নীংথিজরবা শঙ্গ কৌব লৈরুং পায়বা) ৫৬৮ খণ্ডপরশু (কত্রবাশংবু হাৎনবা তুপনবা খণ্ডন তৌনবা শীংজং পায়বা পরশুরামগী মশক ওইনা পোকপা) ৫৬৯ দারুণ (অকবা লম্বাদা চচ্চবাশিংগী রেঙ্কবা শত্রুবাশিংগী নকমদা অকিবা তমথিরবা শক্লোন পুবা) ৫৭০ দ্রবিণপ্রদ (অর্থ সম্পত্তি পাম্বা ভক্তশিংগী অর্থগী তঙ্ক শংগী দ্রবিন পুম্বা পোচ্চে মচাক পুম্বা পীবিবা) ৫৭১ দিবিস্পৃক্ (নোংমদোন শীস্থ না লৈবা) ৫৭২ সর্বদৃগ্‌ব্যাস (পুম্নমক উবা, বেদবু তোঙাল তোঙাম্না মচা তানা খাংদোকপিরম্বা দ্বৈপায়নব্যাসগী শক্লোক ওখিবা) ৫৭৩ বাচস্পতিরযোনিজ (বিদ্যাপুম্নমককী স্বামী, যোনিদগী অহুম্বা পোকখিদবা জীবগী পোক্নম যোনি কৌবা হকচাং কায়াত্তগী পোকখিদবা) ।।৭৪।। ৫৭৪ ত্রিসাম (সামগানগী দেবতনচিবা শ্রুতি শঙ্খমনা, ঋষিশিংনা স্তুতি তৌফম ওইবা) ৫৭৫ সামগ (সাম বেদগান তৌরিবা) ৫৭৬ সাম (সামবেদ সিমরু মশামক্কী স্বরূপ অহুম্ন মওহবা) * ৫৭৭ নির্বাণম্ (সংসারগী বিষয় মায়াগী দুকফং কা-ফেৎপা মশেক মঙালশিং অসগী মুংফম । অসিগুম্বা মুংফম ওইবা বিষ্ণুবু বৌদ্ধ সম্প্রদায়শিংনা তাম্মরি) ৫৭৮ ভষজম (হিদাক ঔষধি সংসারগী মায়ারোগবু লোকহন্নবগী হিদাক)

---

* টীকাঃ— আদিত্য হায়বা শব্দ অসি ব্যাৎপত্তিগী মতুংইন্না হায়রবদি অদিতিগী মচা হায়বানি পৌরাণিক শব্দনি। বিজ্ঞানগী মতুং ইরা হায়রগা নুমিৎকী মপৈ হায়বনি। অসীমকসি লৌবা ঈয়াথানবা অদিত্য হায়বা অমা, জ্যোতিরাদিত্য (জ্যোতির+অদিত্য) হায়বা অমা, অনীখোম্না নাম অনী তোঙাল তোঙাম্না পী রবসিনি (বালাচাঁদ)

---

* টীকাঃ— সামবেদ সামগানপূর্ণ য় নামগী সংগীত শাস্ত্রগী বৃদ্ধি কায়না ক্রিয়া না মশামক সামনি সামগান হায়রবগী মূর্ত্তিনি হায়রিবা রাকম অসিনা সামবেদগায়কশিংনা লৈরিবা থাক অসি বাংনা লৈগে হায়বহ অক্ষি হরিগী মূর্ত্তিদি লৈ, হরিনামগী মূর্ত্তিদি তাসদগী হেন্না কনিংঙা লৈতে শতুবু হরিনাম মশামক হরিগী মূর্ত্তিনি। অতুদগী অমুক লোনোক্না হরিনামবু শক্তি শাক্তি। মশামা হরি নামগী অঙৌবা মূর্ত্তিনি হায়বসি অক্ষি। হায়রিবসি গৌরীয় সংগ্র গী হরিনামগান অসিবা ভক্তনা খঙ্ফম থোকই। ঈরায় লায়বা রাকমনি নত্তে। শকপদা মায়াগী বা মদা শক্তদবনি। (বালাচাঁদ

সংন্যাসকৃচ্ছমঃ শান্তো নিষ্ঠা শান্তি পরায়ণম্ ॥৭৫॥
শুভাঙ্গঃ শান্তিদঃ স্রষ্টা কুমুদঃ কুবলেশয়ঃ। গোহিতো গোপতি র্গোপ্তা বৃষভাক্ষোবৃষপ্রিয়ঃ ॥৭৬॥
অনিবর্ত্তী নিবৃত্তাত্মা সংক্ষেপ্তা ক্ষেমকৃচ্ছিবঃ।

---

৫৭৯ ভিষক্ (কবিরাজ মাইবা সংসারগী শায়াগী রাগবু কোকহনবা ভস্বা মাইবা)। সাধারণনা খঙ-নরিবা মাইবা কবিরাজদ শারীরিক রোগতগী মাইবনি। আধ্যাত্মিক মানসিক রোগগী মাইবা ওইবা ভমদে) ৫৮০ সন্ন্যাসকৃৎ (মোক্ষগী তংগী অম ওইবা সংন্যাসযোগ সাংখ্যযোগগী তত্ত্ববু হৌখোকপিবা শেম্বিবা) ৫৮১ শম (মশামক শান্তগী মূর্ত্তি লৌহনা শান্তিগী লম্বী শেম্বিবা) ৫৮২ শান্ত (তপথবা ঈওথবা হায়বঙু-মকী মউবা মূর্ত্তি ওইবা) ৫৮৩ নিষ্ঠা (স্থিতি অবস্থা পুম্নমকী তুংনফম) ৫৮৪ শান্তি (হায়বতুমক মহাক মশা মক্লা অহুম মওইরবা) ৫৮৫ পরায়ণম্ (মুক্ত ওইরবা, মুক্ত মংলবশিংগী য়োঁফম্ লমথুংকম্) ॥৭৫॥ ৫৮৬ শুভাঙ্গ (মঙ্গলময় মশক ওইবা কঞ্জরবা অঙ্গ হকচাং কায়াৎ পুবা) ৫৮৭ শান্তিদ (শান্তি পীনহৈবা) ৫৮৮ স্রষ্টা (উপ্তিবা জগৎ অসি শেমগ্রি শান্তিংঙৈগী মনাঙদা মহাক পুম্বা হায়া শেম্বিব) ৫৮৯ কুমুদ (কু পৃথিবীবুমুদ হরাউহনবা) ৫৯০ কুবলেশয় (কু+বলে+শয়-দৈ তাকী হৌরকফম জল ঈশিং মাঙুদা য়াহৌপ্লা ফত্রবা হুনা মাগী পাঙ্গল ওইনা লিল শেষনাগ গক্তা য়ংইপ্লা) ৫৯১ গোহিত (গম্বি গল্লাউ পৃথিবী বানী ইন্দ্রিয় অসি নচিংবগী কারবগী মশকত ওইবা) ৫৯২ গোপতি (গো পুম্নমকী হায়বদি গাশকনা পুরিবা অর্থ পদার্থ পুম্ন-মকী পতি স্বামী) ৫৯৩ গোপ্তা (অমগী মফমদা মচা, অমগী মফমদা মরূপ অমগী মফমদা য়েক্লবা ওইনা অমুম্না মতম মতমতুগী মতুংইন্না শোকপিরবস্থ বিষ্ণু মহাক মশামক্তি হায়না খঙহনবা মশাগী স্বরূপপু লোম্ন থুপ্লা থম্বা লোৎপা) ৫৯৪ বৃষভাক্ষ (বৃষ+ভ+অক্ষ জীব খুদিংমকী অপাম্বাবু পীবিগদবগী হৈথবিগদবগী মিৎয়েং কৃপাদৃষ্টিনা মব কী ওইবা) ৫৯৫ বৃষপ্রিয় (অপাম্বশিংবু কংননবগীদমকতা চৎনরিবা ধর্মশিং অহুনা মহাকী প্রিয় ওইব) * ৭৬। ৫৯৬ অনিবর্ত্তী (ফুনশুবা লানফম কাওবা অচুম্বা ধর্মদগী হান্নাকতবা) ৫৯৭ নিবৃত্তাত্মা (অরানবা পুম্নমক্তগী হন্দোরকপা আত্মাগী মশখ ওইবা) ৫৯৮ সংক্ষেপ্তা (মফম মতম পুম্বদা শীংহ্নো লৈরম্বা জগৎপু প্রলয়গী মতমদা অমুক হন্না খোমজিনখিব) ৫৯৯ ক্ষেমকৃৎ (চঙজরক্লবা ভক্তশিংগী নীংবা থুংহনব, কংজরিবা পোৎশংতুবস্থ চোকশিন্না ভাক শেন্দুনা থম্বিবা) ৬০০ শিব (ভক্তাশিংগী মফম দা মঙ্গলগী কারবগী মশকত ওইহুনা লৈবা)।

---

* টীকাঃ— অপাম্বা মিহৌবগী মথা পোনবিহুনা হুরানবা মীনা হুরানবা হায়বহুমক্লা মাগী মথৌ (ধম)শুম চৎলিবা অহুশুবা ধর্মহু বিষ্ণুগী প্রিয় ধর্ম নত্তে। অহুনা বৃষপ্রিয় ধর্মপ্রিয় হায়রগা অকক্ত ধর্ম পুম্বগী প্রিয় হায়না লৌগদবা নত্তে। (কানাচাঁদ)

শ্রীবৎসবক্ষাঃ শ্রীবাসঃ শ্রীপতিঃ শ্রীমতাংবরঃ ॥৭৭।

শ্রীদঃ শ্রীশঃ শ্রীনিবাসঃ শ্রীনিধিঃ শ্রীবিভাবনঃ।

শ্রীধরঃ শ্রীকরঃ শ্রেয়ঃ শ্রীমাঁল্লোকত্রয়াশ্রয়ঃ।৭৮।

স্বক্ষঃ স্বঙ্গঃ শতানন্দো নন্দির্জ্যোতির্গণেশ্বরঃ

বিজিতাত্মাবিধেয়াত্মা সংকীর্ত্তিশ্ছিন্নসংশয়ঃ ॥৭৯।

উদীর্ণঃ সর্বতশ্চক্ষুরনীশঃ শাশ্বতস্থিরঃ।

---

৬০১ শ্রীবৎসবক্ষা (শ্রীবৎসকোৌবা শ্রীসম্পত্তি লক্ষ্মীগী খুদম মথিবু থবাক্তা পুবা) ৬০২ শ্রীবাস শ্রীসম্পত্তিগী লৈকম তংনকম ওইবা) ৬০৩ শ্রীপতি (লক্ষ্মীগী মপুবোয়ব ওইবা) ৬০৪ শ্রীমতাংবর (শ্রীসম্পত্তি লোইবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অমা ওইবা ৭৭ ৬০৫ শ্রীদ (ভক্তশিংদা মথোয়না পামজবা শ্রীসম্পত্তি পীশিবা। ৬০৬ শ্রীশ (শ্রী+ঈশঃ — লক্ষ্মীগী মপু ওইবা) ৬০৭ শ্রীনিবাস (শ্রীলক্ষ্মীগী তুংচুনা লৈকম ওইব) ৬০৮ শ্রীনিধি (তাঙাল তোঙানবা শ্রীসম্পত্তি পুম্নমক্তা তুংনকম ওইবা) ৬০৯ শ্রীবিভাবন (তোঙাল তাঙানবা শ্রীসম্পত্তিশিংশু খুদক খুদক্তা পুথোকপা পোকহনবা) ৬১০ শ্রীধর মূর্ত্তি নাইনা চা খোরকপী শ্রীসম্পত্তি লক্ষ্মীবু থবাক্তা তম্পাক্তা পুবা) ৬১১ শ্রীকর (ভজন, সাধন তৌজবা ভক্তশিংদা শ্রীসম্পত্তিবু খুদক্ত শেমগৎনা পীবা) ৬১২ শ্রেয়ঃ (কান্নবা মঙ্গলগীত মশক ওইব) ৬১৩ শ্রীমান্ (শ্রীসম্পত্তিবু লোইবা) ৬১৪ লোকত্রয়াশ্রয় (লোক অহুমগী স্বর্গমর্ত্ত্য পতালগী অশ্রয় ওইবা চঙজকম ওইব।৭৮॥ ৬১৫ স্বক্ষ (ফজরবা নয়ন মাংনা মাগা ওইবা) ৬১৬স্বঙ্গ (ফজরবা য়েংবদা পুক্নীং হুনবগী মশক ওইবা অঙ্গবু কায়াৎপু পুবা) ৬১৭ শতানন্দ (আনন্দ মুংঙাইববু চাম চামা খোক্না পীবা) ৬১৮ নন্দী (মহা আনন্দগী মশক ওইব মূর্ত্তিবু পুব) ৬১৯ জ্যোতির্গণেশ্বর (জ্যোতির্গণদা লৈবা গ্রহনক্ষত্রশিংবগী মপু ওইবা) ৬২০ বিজিতাত্মা (মশানা মশাবু জয় তৌবা, পুক্নীংদা লাকপা পুক্নীংবু আক্রমন তৌরকপা কামক্রোধশিংববু জয় তৌবা) ৬২১ অবিধেয়াত্মা (চপ চাবা, লেঙত্রবা স্বরূপ মওংচু মাসিনি হায়না লেপ্পা ঙমদবা আত্মানা মাগী ওইবা) ৬২২ সংকীর্ত্তি (নীংথিজরবা মতীক মঙাল মিংচৎনা মাগী ওইবা) ৬২৩ ছিন্নসংশয় (অসিগুম্বা সর্বশক্তিমান্ ওইবা অম লৈ হায়রবসিগী চিংনবীভায় করিমত্ত লৈহন্দবা। চিংনরিবা য়েংলক্লিবা মী পুম্নমক্তা চিংনবমুবু ককথৎপিবা) ॥৭৯॥ ৬২৪ উদীর্ন (খ্বাইদগী হেন্দোকথিন্দোক্লকুনা লৈরবা) ৬২৫ সর্বতশ্চক্ষু (মকম মতম পুম্নমা লৈরিবা পোৎ খুদিংমক লোইনা উবগী শক্তি পুবা) ৬২৬ অনীশ (মহাকপু শাসন তৌবা কনা অমত লৈতবা। মহাক্না তৌগে নীংলকপদা কনা অমতনা থিংবা খাম্বা ঙমদব) ৬২৭ শাশ্বতস্থির (মহাক্ থাগ্রবা লেঙহ্রবা পোৎকমশিংগী কনা অমতনা লঙহনব ঙমত্রবা)।

ভূষয়ো ভূষণো ভূতি বিশোকঃ শোকনাশনঃ ॥৮০।

অর্চিষ্মানর্চিতঃকুম্ভো বিশুদ্ধাত্মা বিশোধনঃ অনিরুদ্ধোঽপ্রতিরথঃ প্রদ্যুম্নোঽমিতবিক্রমঃ ॥৮১।

---

৬২৮ ভূশয় (লৈপ্নিন্ লৈমায়থক্তা শিপ্পা) * ৬২৯ ভূষণ (চৎনু চৎনুবা মৌরু ময়ৌরুবা মকমদা মকম-ছুগী লৈভেং ওইবা) ৬৩০ ভূতি (মশামক্তা ভূতি সম্প ত্ত অতুম মওইরবা) ৬৩১ বিশোক (অবাবা মুংঙাইতবা করিমত লেতবা) ৬৩২ শোকনাশন (মাবু নীংশিংজবদা ভক্তশিংগী অবাবা পুম্বা কোকপিহৈবা। ৮০। ৬৩৩ অর্চিষ্মান্ (নুমিৎ থা- নক্ষত্র গ্রহনচিংবা আকাশচারী পুম্নমক্কা মগী মশেক ঙাল থর থর য়েংবিনবা মঙাল মপুম পূর্ণজ্যোতি পুবা) ৬৩৪ অর্চিত (ব্রহ্মানচিংবা দেবতা পুম্নমক্ত পূজা অর্চনা তৌফম থোকপা) ৬৩৫ কুম্ভ (চফুদা ঈশিংনা হু মঙক্তুনা তুহুনা লৈবগুম্না মঙোন্দগী হেন্দোকপা ঈয়া যাদবা অংচনক্ত জীব পুম্নমকী তুংনফম লৈনফম চফু ঘট ওইবা)* ৬৩৬ বিশুদ্ধাত্মা (অনাথত্ব গী মরম দকোনশেং ওইদবা আত্মাগী শরক মরীক অমক্তাওবা য়াওদবা শেংলবা আত্মাগী অতৈবা মূর্ত্তি স্বরূপ ওইবা) ৬৩৭ বিশোধন (মাবু নীংশিংজ-বতদ পাপতাপ পুম্বা কোকহনবিহনা থবায় হকচাং পুম্বা পুমশেং শেংদোকাপবা) ৬৩৮ অনিরুদ্ধ (মাবু কনাগুম্বা করিগুম্বা অমতনা ফাজিনবা থিংবা ঈম্বোকপা ঙম্মদবা) ৬৩৯ অপ্রতিরথ (মাগী নিরুদ্ধদা লৈহনা মাগী য়েরবা ওইহনা কনাগুম্বা অমতনা লৈতদবা) ৬৪০ প্রদ্যুম্ন (লন্ গ পুসৈদা, কুচকুমেন শক ঋজবা তৌবা গুম্বনচিব হারম পুম্নমক্তা থাইদগী পোইদোক হেন্দোক্তা লৈরবা) ৬৪১ অমিতবিক্রম (ঙমথৈ চাং-তোনাইদবা পাঙল থৌনানা মহাকী ওইবা) ৮১।

---

* টীকঃ— বিষ্ণু ভগবানদি জলশায়ী ক্ষীরোদশায়ীনি। ক্ষীরসমুদ্রদা ঈশিংদা চেম্পনি। য়াহীপ য়াত্তাবনি। লৈমায় লৈনমক্তা করিগুম্বা য়াহীপ য়াতাদে চেপতে। মকম অসিদা ভূশয় হায়রিবসিদি যুগাবতারগী লীলাদা মফম মকমদা ভূশয় ওইহনা লৈমায়থক্তা য়াহীব তাবগী লীলাদি মরক মরক্তা ভক্ত-শিংগী মপূরীং পোম্বা শারবী। ত্রেতাগী লীলাদা বনদা য়াহীপ য়াতাবগী লীলা, লংকা চৌনবা লম্বা পীজফাওবা সমুদ্র তোর্বান্দা অহং চুম্না লৈমায়থক্তা গুম্নুনা অনশন ব্রত সত্যাগ্রহ তৌখি। দ্বাপর লীলাদা চাঁংলক মাংলক্তা মরূপ মপাংশংগা ওম্বোইসা শারৈ। অহুনা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুবু ভূশয় হায়বনি। (কালাচাঁদ)

---

* টীকাঃ—হায়রিবসিগী মহুৎশিনবা ওইনা থুরম ওইনা বিষ্ণুনচিংবগী পূজাদা ঘটস্থাপন তৌনবি। পঞ্চদেবতা আবানহ তৌরগা ঘট মমুংদা মখোয়বু মন্ত্র শোম্ন শোম্নহনা চঙশিল্লি লৈহল্লি। (কালাচাঁদ)

কালনেমিনিহা বীরঃ শৌরিঃ শূরজনেশ্বরঃ।
ত্রিলোকাত্মা ত্রিলোকেশঃ কেশবঃ কেশিহা হরিঃ ॥৮২॥
কামদেবঃ কামপাল কামী কান্তঃ কৃতাগমঃ।
অনির্দ্দেশ্যবপু র্বিষ্ণু র্বীরোঽনন্তো ধনঞ্জয়ঃ॥ ৮৩॥
ব্রহ্মণ্যো ব্রহ্মকৃৎব্রহ্মা ব্রহ্ম ব্রহ্মবিবর্দ্ধনঃ।

---

৬৪২ কালনেমিনিহা (কালনেমি কৌবা হিংচাববু হাৎলম্বা) ৬৪৩ বীর (থ্বাইদগী হেন্না কন্থৌবা) ৬৪৪ শৌরি (শূরবংশদা অবতার তৌবিবা শ্রীকৃষ্ণগী মশক ওইব) ৬৪৫ শূরজনেশ্বর (অকনবা পুন্নমক্কী অকনবা অবতার তৌবগী খুন্দ ওইনা মপানগী প্রকটলীলাদা শূরবংশদা হাৎবদি অকনবগী বংশদা পোকপিবা) ৬৪৬ ত্রিলোকাত্মা (স্বর্গমর্ত্ত্য পতাল লোক অহুম্মক্তা লৈবা অচচ্চত্ত জীব অমত ওইবা আত্মা ওইবা) ৬৪৭ ত্রিলোকেশ (অহুমক্তনা লোক পুম্নমক্কী স্বামী মপু ওইবা) ৬৪৮ কেশব (ব্রহ্মা-বিষ্ণু ৬৪৯ কেশিহা (দ্বাপুর যুগতা কেশী কৌবা হিংচাববু হাত্তুনা মাগী আম্মাব উদ্ধার তৌখিনা) ৬৫০ হরি (মাবু নীংজবা ভক্ত পুম্বগী পাপপু হংগ তৌরিং লোয় লোথোকপিবা) ॥৮২॥ ৬৫১ কামদেব (ধর্ম অর্থ কাম মোক্ষ হ য়্বা পুরুষার্থ মরি অসিদু পামজবশি না কংনবিবা পুরুষার্থশিং অসিগী অধিষ্ঠ ত্রী দেবতা ওইহুনা লৈরিবা কামদেব কৌব বিষ্ণু) ৬৫২ কামপাল (সকামী ভক্তশিংগী কামনাবু থুংহনবা নীংব থুং-হনবা) ৬৫২ কামী (থ্বাইদগী প্রিয়তক্ত ওইবা প্রেম ভক্তওইবা ওইবীবু কামনা তৌবা ম্বা) ৬৫৪ কান্ত মশেক মতাল- ওংবাদা জীব পুম্নমক্কী পুক্নীং হুননবগী মশক ওইনা ফজবা) ৬৫৫ কৃতাগম (আগম নিগম বেদ পুরান পুথি তন্ত্রশিং মীশিং শায়োন পুহনা রচনা তৌবা) ৬৫৬ অনির্দ্দেশ্যবপু (থিন্দুনা তাকপা ঙম্মদনা, অসিগুম্বি হায়না নিশ্চয় তৌননীংঙাই লৈতবা বপু হকচাংনা মাগী ওইবা) ৬৫৭ বিষ্ণু অনন্ত শেষনাগ শয্যাথক্তা চেপ্পা চেপ্প চেপ্প অচচ্চম পুম্বদা চঙচঙহনা লৈবা) ৬৫৮ বীর (অকনবা শনাগুম্বা করি গুম্বা অমত্তগী মক্তে লৌদনা পবক পুম্বা মথন্তনা তৌওবা) ৬৫৯ অনন্ত মাগী শক্তি ঐশ্বর্য্যন চিংবগী ওমথৈ লৈতবা) ৬৬০ ধনঞ্জয় (অর্জ্জুনগী মশক লৌনা ধনপতি পুম্নমক্কী ধনবু জয় তৌবা ॥৮৩॥ ৬৬১ ব্রহ্মণ্য (তপ, বেদ, ব্রহ্মজ্ঞান, ব্রাহ্মণবু ঙাকশেন্দুনা লৈবা) ৬৬২ ব্রহ্মকৃৎ (ব্রহ্মজ্ঞানী দার্শনিকশিংনা তাম্নরিবা ব্রহ্ম হায়বহুমকপুম্ব শেম্বিবা) ৬৬৩ ব্রহ্মা (জগৎ শেম্নবা শক্তি পুম্ব পুবা বিশ্বকর্মাবু মশামক্তা মশা মথন্তগী হকচাংঙ্গুংদগী ব্রহ্মা কৌহুনা চোংথোরকপা) ৬৬৪ ব্রহ্ম (সৎ-চিৎ-আনন্দ হায়বা অম্বুম অহুমক্কী মশক ওইবা ব্রহ্ম হায়বহু মশামক্তা অহুম মওইবা) ৬৬৫ ব্রহ্মবিবর্দ্ধন (মশামক্তা ওইবা ব্রহ্মবু ব্রহ্মগী তত্ত্ববু এশা মক্তা চাওথংহনবা)।

ব্রহ্মবিৎ ব্রাহ্মণো ব্রহ্মী ব্রহ্মজ্ঞো ব্রাহ্মণপ্রিয়ঃ ॥৮৪॥
মহাক্রমো মহাকর্মা মহাতেজো মহোরগঃ। মহাক্রতুর্মহযজ্বা মহাযজ্ঞো মহাহবিঃ ॥৮৫॥
স্তব্যঃস্তবপ্রিয়ঃ স্তোত্রং স্তুতিঃ স্তোতারণপ্রিয়ঃ।

---

৬৬৬ ব্রহ্মবিৎ (ব্রহ্মতত্ত্ব খঙবা)* ৬৬৭ ব্রাহ্মণ (আধ্যাত্মিকজ্ঞান-আধ্যাত্মিক বিজ্ঞানগী মীৎয়েংনা পোৎ খুদিংমকপু, লৈনা লৈনা নাপী পান্দোং অমা ফাওবব্ ব্রহ্মগী অউবা মশক্তি সাকাম ব্রহ্মনি হায়নাউবা) ৬৬৮ ব্রহ্মী (ব্রহ্মগী লৈকম হায়বদি ব্রহ্ম শব্দগী তপ-জ্ঞানচিংবা পর্য্যায় পদার্থশিংগী অধিষ্ঠান লৈকম ওইবা) ৬৬৯ ব্রহ্মজ্ঞ (খাঙ্গেংশেংবা ব্রহ্মগী মশক খঙবদি ব্রহ্ম মশামক্তা ওইপনি। অদুনা বিষ্ণু মশামক নত্তনা কনা অমতনা ব্রহ্মজ্ঞ ওইবা য়াদে অদুনা বিষ্ণুবু ব্রহ্মজ্ঞ কৌই ৬৭০ ব্রাহ্মণপ্রিয় (ব্রহ্মজ্ঞানবু খিবক্লিবা ব্রাহ্মণগী প্রিয় চায়বা ওইব) ৬৭১ মহাক্রম মকম শঙ্গমক্তা মতম অমতদা পুমন্নৌ য়োনবা শাফু কয়া চৎপা) ।৮৪॥ ৬৭২ মহাকর্মা (যুগ খুদিংগী তোঙাল তোঙানবা অবতারশিংদা অচৌ অচোব কর্ম তৌবা) ৬৭৩ মহাতেজা (সূর্য্যদচিংব গ্রহশিংদা মাগী তেজ মঙাল খর খর পীননবা মহাতেজ পুবা) ৬৭৪ মহোরগ (মহা+উরগ, লিল পূম্নমক্কী নিংথৌ অনন্ত বাসুকিগী মূর্ত্তি পুবা) ৬৭৫ মহাক্রতু (মহাযজ্ঞ, যজ্ঞ পুম্নমক্তা অমত ওইনা ভিন্নরগা ওইবা মহাযজ্ঞপুম্নমক্কী অউবা মূর্ত্তি ওইবা) ৬৭৬ মহাযজ্বা (লোক পুম্নমক্তা লেখশিন্না য়ত্তৌ তম্মনবগীদমক মশামক্তা অচৌ অচোবা লিংখৎপা) ৬৭৭ মহাযজ্ঞ (মশামক্তা মহাযজ্ঞগী অউবা মূর্ত্তিমক ওইবা) ৬৭৮ মহাহবি (যজ্ঞগী অগ্নিদা হোম তৌবা শক্তিবিবা হবিষাশং অদুগী মশামক্তা মহাহবিষ অমা ওইনা লৈব) ॥৮৫॥ ৬৭৯ স্তব্য (খুইদেংগী হেক্লা স্তুতি তৌননীঙাই ওইবা লৈবা) ৬৮০ স্তবপ্রিয় (ঈকং ফজ্রবস্তু স্তুতি তৌজবা হায়জবা খরদা অদুম (পনবিবা চাপবীগা) ৬৮১ স্তোত্রম (মশামক স্তুতি, স্তব, স্তুতিগান হায়বদু অদুম মওইরব) *

---

* টীকাঃ ব্রহ্মবিৎ-ব্রহ্মজ্ঞানী ওইবা হায়বসি, কনাগুম্বা মী ব্রাহ্মণ পণ্ডিত অমনা ওইবসু য়াই। বিষ্ণু ভগবান্‌দা ব্রহ্মবিৎ ব্রহ্মখঙবা হায়না থোনবা মিং অসি, মীচম অমদা থোনবগুম থোকই শ্রীবিষ্ণুগী নাম গুণবু য়াম্না শাথিনা হন্থহনবনি। অসুম হায়বা কনাগুম্বা চিংনবা য়েংগা য়াই। অদুবু বিষ্ণু সহস্রনামসিগী অহানবা চৈকোক্তা, নাম ময়াম অসে, গৌণনাম মক্তনি হায়খি। হায়বদি য়াম্না হন্নবা, ভাইবং মী অমানী অংনস্থ পাক পাক লৌবা ওক্তা নাম উপাধিমক্তনি হায়খি। অদুনদি বিষ্ণুবু হন্নবা খনবা হায়বদু ওইদ্রে। (কোলাচাঁদ)

---

* টীকা.— কনাগুম্বা ভক্তনা ভাক্ত শ্রদ্ধানা ঙনননা মাগী স্তুতিগানবু তৌরবদি, তৌরিবা স্তুতিগান সংকীর্ত্তন মশামক্তা মাগী মূর্ত্তি হায়বদি মহাক মশামক অদুম ওইবে হায়বসি পীরিবা স্তোত্র হায়বা নাম অসিনা কোংদোক্লি। হায়বসি স্তুতিগান তৌরিবা মহাক মশামক্তা তৌরিবা স্তুতি অদুমক বিষ্ণুনি। (কোলাচাঁদ)

পূর্ণঃ পূরয়িতা পুণ্যঃ পুণ্যকীর্ত্তিরনাময়ঃ ॥৮৬॥
মনোজবস্তীর্থকরো বসুরেতা বসুপ্রদঃ। বসুপ্রদো বাসুদেবো বসুর্বসুমনা হবিঃ ॥৮৭॥
সংগতিঃ সংকৃতিঃ সত্তা সংভূতিঃ সংপরায়ণঃ।

---

৬৮২ (স্তুতি মশামক্না স্তুতিগান হায়বহুমক ওইরবনিনা স্তুতি হায়বসিমক মাগী নাম, বিষ্ণুগী নাম অমনি) ৬৮৩ স্তোতা (অসুম হায়না ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা স্তুতিগান তৌরিবা স্তোতা মশামক বিষ্ণুনি। অসুনা, স্তোতা হায়বসিমক বিষ্ণুগী নাম অমনি) ৬৮৪ রণপ্রিয় (লানপাম্বা, ফত্তবা পাপীশিংবু নমথনবা হাংননবা লান্থেংনবা পাম্বা) ৬৮৫ পূর্ণ (জ্ঞান বিজ্ঞান শক্তিগুণ, কলাবিদ্যানচিংবা পুম্নমক্না মপুং ফানা, মচেং অম যাওবা টাত্তনা থম্না লৈবা) ৬৮৬ পূরয়িতা (ভক্তশিংগীত নওনা জীব পুম্নমকী নীংজবা থুংহনবা ৬৮৭ পুণ্যমায় নীংশিংবতদা পাপ পুম্নমক কোক্তুনা পুণ্য চেনবা অম ওইহনবা। অহুমক্তনা মশা এক পুণ্য মূর্ত্তি অম ওইবা) ৬৮৮ পুণ্যকীর্ত্তি (শংলবা, মায়গৈ পুম্না শীন্থুংবা মিংচৎনা থল্লবা) ৬৮৯ অনাময় (নমুং মপান্ অনীমক্না দোষ রোগনচিংবা অনকপা ফত্তবা অমত লৈত্তবা) ॥৮৬॥ ৬৯০ মনোজব (পুক্নীংগী মতৌগুম, পুক্নীংনা য়োৎবগুম থূনা য়োৎবা) ৬৯১ তীর্থকর (তীর্থ বিদ্যাপুম্নমকপু শেম্বা, তৌরম তৌরম্বা থবকশিংগী মফম পুম্ন অশংবা তীর্থমক্না ওইহল্লম্বা) ৬৯২ বসুরেতা (ঈহান হানবা পুরুষ পুরুষোত্তম শেম্বগী বীজ-বীর্য্য ওইবা) ৬৯৩ বসুপ্রদ (মণিমুক্তা হীয়াই পুম্না শেমহুনা অচচত্ত জীব পুম্বদা পীবিবা) ৬৯৪ বসুপ্রদ (ভক্তশিংদা থ্বাইদগী হেনবা লনগী মশক ওইবা মুক্তাগী মশক ওইবা মুক্তি পীবা * ৬৯৫ বসুদেব (বাসুদেবগী মচা ওইনা অবতার তৌবিবা পোকপিবা) ৬৯৬ বসু (আকাশ মুংশিং মৈনুং ঈমুং মফম পুম্নমক্না লৈবা) ৬৯৭ বসুমনা (লৈরু লৈরুবা মফমদা অথোই অহেন নাইদনা মাত্রা চপ মান্নবা পুক্নীং থম্বা) ৬৯৮ হবি (যজ্ঞদা মশামক্না হোম তৌননবা হবিষমকী মশক ওইবা) ।৮৭। ৬৯৯ সংগতি (সৎপুরুষ ওইবশিংগী লমথুংফম) ৭০০ সংকৃতি (জগৎকী রক্ষাগীদমক্তা অফবা পবক্ত তৌবা) ৭০১ সত্তা (সত্ত লৈবা মত্তম পুম্বদা লৈবা হায়বহু মামক্না ওইবা) * ৭০২ সংগতি (সত্তাংগতি সং ওইবশিংগী লমথুংফম)

---

* টীকাঃ— মফম অসিদা "বসুপ্রদ হায়বা নাম অসি থংনথংননা অনী য়াওরি। মাইহে শব্দদিমশা অমত ওইরবসু অর্থদি তোঙান তোঙান্নি। অহানবগীনা ভৌতিক (মেটিরিয়েল) ওইবা মনিমুক্তা লল পীবগী অর্থনি। অনীশুবগীনা অভৌতিক (ইম্মেটিরিয়েল) লল মুক্তিবু পীবগী অর্থনি। "মুক্তা" না ভৌতিক বস্তুনি। "মুক্তি"না অভৌতিক বস্তুনি। অহানবা বসু (ধাতু)না ভৌতিকনি। অনীশুবা বসু (ধাতু-ধর্ম) না অভৌতিকনি- আধ্যাত্মিকনি। (কালাচাঁদ)

---

* টীকাঃ— 'সত্তা' (একজিস্টেন্স) "লৈবা হায়বসিদি অহুম্মক লৈরমগদবনি "লৈতবা" (নন্ একজি-ষ্টেন্স) হায়বহুসু "লৈবা" হায়বহুসু মাগী মনুংদা অহুম মরৈপদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঈশ্বরগী

শূরসেনো যদুশ্রেষ্ঠঃ সন্নিবাসঃ সুযামুনঃ ।৮৮॥
ভূতাবাসো বাসুদেবঃ সর্বাসুনিলয়োঽনলঃ । দর্পহা দর্পদো দৃপ্তো দুর্দ্ধরোঽথাপরাজিতঃ ।৮৯॥
বিশ্বমূর্ত্তি র্মহামূর্ত্তি র্দীপ্তমূর্ত্তি রমূর্ত্তিমন্ ।

---

৭০৩ সৎপরায়ণ (সৎ ওইবা পোশকশিংগী মায়পৈত চত্তশিনবা পুক্নী, চত্তবা) ৭০৪ শূরসেন (ঙকনবা ভক্তশিংতনা মহাক্কী সেনা-লান্মী খোঙলোয় ওইবা) ৭০৫ যদুশ্রেষ্ঠ (যদুবংশদা অবতার তৌবিদুনা পোক-পিদুনা বংশ অদুদা খ্বাইদগী অথোইবা নেতা অম ওইনা লীলা শান্নখিবা) ৭০৬ সন্নিবাস (সতাং নিবাস সৎ ওইবশিংতগী লৈকম চত্তফম ওইবা) ৭০৭ সুযামুন (যমুনা গঙ্গানচি বা তীর্থ তুরেন্নচিংবদা লৈবশিংতনা মহাক্কী পরিবার ওইবা) ॥৮৮॥ ৮০৮ ভূতাবাস (অচচন্ত পোৎ পুন্নমক্কী লৈকম) ৭০৯ বাসুদেব মফম মতমপুম্বদা শীন্থংনা, মায়ানা যিক্কোল ওইবা কুপশিল্লগা মশা মথন্তনা মুংভাইজবা, যুগ অমদা ভক্ত বসু-দেবগী মচা ওইনা শান্নবিবা) ৭১০ সর্বাসুনিলয় (সর্ব + আসু + নিলয়—অচচন্ত জীব পুম্বগী আসুদা প্রাণবায়ুদা নিলয় ওইনা শান্নফব তুংনফম ওইনা লৈবা সর্বাসু প্রকৃতির, প্রকৃতিগী পোৎ পুন্নমক্কানিলয় ওইনা তুংনফম ওইনা লৈবা) ৭১১ অনল (ওনবৈ লৈতবা তেজশক্তি পুন্নমক্কা ভিন্দুনা লৈবা) ৭১২ দর্পহা (অহংকারীশিংগী দর্প অহংকারবু নক্কৎপা মাঙহনবা) ৭১৩ দর্পদ (ভক্তশিংদা মথোয়গী চাউথোকচফম লেমজফমপীবিবা, কল্লবা নাপল তৌবশিংবু ভক্তশিংগী খোঙদা তুহনখিবা) ৭১৪ দৃপ্ত (আত্মারামদ, মশাগী আনন্দদা, নিত্য ওইবা মহাক্কী নিত্য ওইবা আনন্দদা নিত্যনন্দদা মুত্তাইদুনা ময়ায় কাদুনা লৈবা) ৭১৫ দুর্ধর (থম্মোয় কল্লা অবাবনৈনা কয়া কয়া খাঙহনা ভক্তশিংনা য়াম্ন ফংজবা, তরাই তরাই ফংঙম-দবা) ৭১৬ অপরাজিত (কনাগুম্বা করিগুম্বা অমগী মফমদগী পরাজয় কদবা, কনাগুম্বা অমত্তনা মায়থীবা পীবা য়াদবা) ॥৮৯॥ ৭১৭ বিশ্বমূর্ত্তি (বিশ্বজগৎ বিশ্বব্রহ্মাণ্ডসিমল্লা মাগী অঙবা মূর্ত্তি ওইবা) * ৭১৮ মহা-মূর্ত্তি (চাউরবা মূর্ত্তিনা মহাক্কী ওইবা) ৭১৯ দীপ্তমূর্ত্তি (মশাগী মঙাল তেজনা মাগী মূর্ত্তি অদুম মওইবা)

মতম বু য়ানিংবা নাস্তিকবাদীশিংগী থম্মে য়দসু "ঈশ্বরগী লৈতবা" হায়বা ৱাফম থিওর অদু অদুম ৱৈরেরি। অদুমক্কনা "ঈশ্বর লৈতে" হায়বা ওন্নিবনি। মাসি, চেন্দুনা হিংলরোইদৌবা ৱাফম তর্ক অমনি। গীতাদা "নাসতো বিদ্যতে ভাব × × " হায়রিবদুনি। ঈশ্বর লৈতে হায়বগী সত্তা অদু, (গোডলেশনেশ হায়-রদু) হায়রিবা মাগী থম্মোয়দা লৈবদুনা লৈতে হায়বা য়ারিবনি। মাসি ঈকায় খুঙদবা নাস্তিকশিংনা হংদ না থন্দে খঙদে। কালাচাঁদ)

---

* টীকা :— নাস্তিকশিংনা জ্ঞানতাদনা ঈশ্বর লৈতে হায়বা কাঙবুনা, মশকঙবা ঙংদংদগী, মউ হৈতবদগী, মমাঙদা ঈচাউ চাউনা থিল্লিবা নাস্তিক মা মশামকসু য়াংশিল্লিবা দুনিং থানচিংব, হৈপাল

অনে কমূর্ত্তিরব্যক্তঃ শতমূর্ত্তিঃ শতাননঃ। ৯০।
একো নৈকঃ সবঃ কঃ কিং যৎতৎপদমনুত্তম্।

৭২০ অমূর্তিমান্ (পোৎ খুদি মরুমাগী মূর্ত্তি ওইবনা মাসিত্তবা মাগী অরেপ্পা মূর্ত্তিনি হায়ত্তমদবনা মূর্ত্তি লৈতে হায়বা কাওবা য়াবা) ৭২১ অনেক মূর্ত্তি (যুগ খুদিংগী তোঙাল তাঙানবা মূর্ত্তি অমমম লৌহনা অবতার তৌবা অনেক মূর্ত্তি ওইবা) ৭২২ অব্যক্ত (অনেক মূর্ত্তি পুরবসু মালিনা মাগী অমত্তওইব অকোঙবা মূর্ত্তিনি হায়তমদবা) ৭২৩ শতমূর্ত্তি (মূর্ত্তি চামা চামা পুবা) ৭২৪ শতানন (মায়খোং চামা চামা পুবা ॥৯০॥ ৭২৫ এক (মূর্ত্তি তোঙাল তোঙাম পুরবসু মাতুম্মা অনীগুবা অতোপ্প অমা লৈত্রবনা 'এক" কৌবা মিংথোল পুবা) ৭২৬নৈক (পুরকপা অবতারশিংগী মওং অমত নত্তবনা, য়াম্বনিমা ন+এক='নৈক' হায়বা মিংথোল অসিসু পুবা) ৭২৭ সব (স- আসব- অমৃত সোমরস ঔষধ হীদাক ওইবনা মশানা সব মক ওইবা) ৭২৮ ক (ক গী হায়বদি ঈশিংগী অমাবা খৌরাংবা কোক্লনবগী হায়বদি মুংঙাইবগী স্বরূপ ওইবা) ৭১৯ কিম্ (কিম্-করিনো., হায়বা য়াহং অসি হংবা মত্তমদা ধ্যানবিচার থর তৌরগা খুম্মা ভাবনা বিচার-ধ্যান পুমমক্কী হৌরককম 'কিম" হায়বসিনি। অদুবু ঈশ্বর হায়বসি কিম করিনো হায়না হংলিবা য়াহৈ শব্দ কিম্ অসিমক মহাকনি। অসিগুম কিম্ হায়বা নাম অসিবু পুবা) ৭৩০ যৎ (অদুম তৌববু বিষ্ণু কৌই হায়নাঅতোপ্প পরতঃ মাগনা সিদ্ধ তৌবা য়ারোইদবা স্বতঃ প্রমাণনা অদুম সিদ্ধ তৌগদবা স্বতঃ সিদ্ধ ওইবা) *

নৈপাল চীঙ মায়না থল্লবা দৃশ্য জগৎসিমক ঈশ্বর মাগী অউবা মূর্ত্তিনি হায়বসি জ্ঞানবিজ্ঞান অনী তুননা য়েংদবনা উবা ঙমদে। উম্বিবা বিশ্বসিমক মাগী মূর্ত্তিনি হায়বা ঙমদে। অদুগা, মচা মগুগী মপানগী অউবা জগৎ (হকচাং)সিবু উরগদি ঈচা লৈ-ইপু লৈ অদুম মহায়রি। ঈচা শারিবা ঈপু শারিবা আত্মা (ঈশ্বর) মাগী অউবা মূর্ত্তিনি হায়বা ঙমদে। অদুনা, ইশ্বর লৈতে হায়রিবা মীনা মশাগী অজ্ঞানতবু কোংদোকচবতনি। (কালাচাঁদ)

* টীকাঃ — প্রমান তৌবা শীবা হায়বসি মখল অনীনি। স্বতঃ প্রমাণ হায়বা অমা, পরতঃ প্রমাণ হায়বা অমা, অনীনি। বায়েল বিচারশঙবা হুয়ানবনি, হুয়ান্দেহাংনা হায়না সিদ্ধ তৌবরিবসি বায়েল বিচার পাইরিকী (লো বুককী) নত্রগা সাক্ষীমচিংবগী মরাইহে তাগা হায়দি অতোপ্প অমগী প্রমাণনা।) (পরতঃ প্রমাণ তৌনবা ঙহোম তাক্লনি। স্বতঃ প্রমাণনা নত্তে। অতোপ্পা প্রমাণ অমগী দরকারলেদেব মশানা (স্বত) অদুম প্রমাণ ওইজহনা সিদ্ধ ওইবা হায়বহু স্বতঃসিদ্ধ কৌই। পোৎ অপুননা মাগী মচেৎতগী হেন্না চাউই। হায়বসিদা প্রমাণদি করিনো, প্রমাণ শীযু হায়রমা হ কম থোক্কে। মশানা (স্বতা) অদুম সিদ্ধ ওইবে। অচৌবনা মচাহগী হেন্না চাউই "হায়বসিদা" করিগুম্বা প্রমাণ অমত শীনীংঙ ই লৈতে।

লোকবন্ধু র্লোকনাথো মাধবো ভক্তবৎসলঃ ।৯১।।

সুবর্ণো হেমাঙ্গো বরাঙ্গশ্চন্দনাঙ্গদী । বীরহা বিষমঃ শূন্যো ঘৃতাশীরচলশ্চলঃ ।৯২।।

---

৭৩১ তৎ (তন্ ধাতু+ক্বিপ । বিস্তর ওইবা শব্দোরূপা) ৭৩২ পদমনুত্তমম্ (মচেৎনগী হেনবা য়েৌনীংঙাইয় ফংনীংঙাই মতৈ পদ-ধাম অমত্মুক লৈরবা) ৭৩৩ লোকবন্ধু (ভূলোক স্বর্লোকনচিংবা লোক পুম্নমক্ক লৈবা জীব পুম্নমকী মরূপ) ৭৩৪ লোকনাথ (হায়রিবা লোকশিংসিগী মপু স্বামীশু মহাক্কা অদুম মওইবা) ৭৩৫ মাধব (বৈকুণ্ঠ লোকতা মা-লক্ষ্মীগী নব-মপুরোয়না পইবা। মর্ত্যলোকতা মধু শাগৈদা অবতার ওৌরিবা) ৭৩৬ ভক্তবৎসল (ভক্তশিংবু মচামগুম নুংশিবিবা, পীক্লবা মচা মশূগী য়াংগীমখা পোনবা মমা মপাগুম ভক্তশিংগী য়াথং মখা পোন্নরৈবা) ।৯১।। ৭৩৭ সুবর্ণবর্ণ (সনগী মচুগুম পীতবর্ণ ওইবা অঙ্গনা মাগী ওইবা) ৭৩৮ হেমাঙ্গ (সনাগী মচুগীগী অরংবা কানা ফজবা হকচাং পুবা) ৭৩৯ বরাঙ্গ (পুংয়ান চপচানা ফজবা অঙ্গবু পুবা) ৭৪০ চন্দনাঙ্গদী (চন্দনন্না তাল চন্দন তৈরবা তাল পাম্বোমকা নীনা লৈত্তেং ওইবা) ৭৪১ বীরহা (নাপল তোবা কল্লবশিংগী জীববু মপানগী শক্তাক্সশিং কুবোম্বু থদং কায়দংগিরগা জীবত্ববু পরমাত্মা মঙোন্দা তিংহনবিবা) ৭৪২ বিষম (বি+সম=বিষমা মাগা মান্নবা, মাগা লৈত্তেম মান্নবা লৈবা গুম্বা কনা অমত লৈতবা) ৭৪৩ শূন্য (করিমত্তা লৈতবা - চক্র ও হাওবা—শূন্য মণ্ডল আকাশ-গুম্বা নিগুণ ওইবনা করিগুম্বা ভৌতিক গুণ অমত্তা লৈতবা * ৭৪৪ ঘৃতাশী (চক্ররূপা। ভক্তশিংগী জীবিকাগীদমক্তা থৌজালগী ঈচম্না প্রবিত্ত ওইদুনা, হায়বদি গুমথরক্তুনা মচীচেল্লক্তুনা ওইরক্তুনা চান্নবা দ্রব্য মথল মথল শেম্বিবা, মশমেকস্নু হাবিবা চাবিব) ৭৪৫ অচল (ভক্তিয়াংদবা করিগুম্বা কনাগুম্বা অমতনা খুবৈনামকাওবা লেঙহনবা ঙমদবা। ৭৪৬ চল (লেঙবা তারবস্নু, নুংশিংকী মশক লৌদুনা লেঙবা-চৎপা) ।।৯২।।

হায়রিবা বাক্য অসিদগী মশাগী অর্থনা অদুমক্না প্রমাণ তৌজগে। অদুনা বিষ্ণু কদায়বু কৌই ? বিশ্বু বিষ্ণুনি হায়রিবসি প্রমাণ তৌ হায়বা য়াগ্রে। স্বত। প্রমাণনি। বিষ্ণু ওইবর্তান। (কালাচাঁদ)

---

* টীকাঃ— গণিত (অঙ্ক)দা ঐথোয়না শূন্য হায়না ০ অসুম্না ইনরিবসি মনুংদা হোরিবা লৈয়িমকোয় (মণ্ডল) অসি আকাশকী চিহ্ন খুদম (সিম্বোল) নি। আকাশ অসি অমতনি অহাওবনি হায়বত্ত্ব খওননবা ঙমদৈ অকোয়বা অমনা কোয়শিন্দুনা থম্ননি। থম্মনি। মালিনা হাম্ন হোৗরগা অমত্তনিনা "অম" হায়না হোৗরগা অনী অহুম মরি অসুম হায়না মথং মথং শব্দোকখিবনি। মরি হায়রবসু "অম" হায়রত্ত্বদি অদুম ময়াঙদ্রি। মার হায়রবসিগী মনুংদা ১+১+..+১ অসুম্না অমা হায়বসি মরিক্ক হায়রি। অদুনা লৈরবদবদগী লৈহল্লকপা ঙাক্তান। শূন্য কৌবা বিষ্ণুদগী লৈখিবা ঙাকনি। (কালাচাঁদ)

অমানী মানদো মান্যো লোকস্বামী ত্রিলোকধৃক। সুমেধা মেধজো ধন্যঃ সত্যমেধা ধরাধরঃ ॥৯৩॥
তেজোবৃষো দ্যুতিধরঃ সর্বশস্ত্রভৃতাং বরঃ। প্রগ্রহো নিগ্রহো ব্যগ্রো নৈকশৃঙ্গো গদাগ্রজঃ ॥৯৪॥

---

৭৪৭ অমানী (খুড়াইদগী ঈহেন হেন্না মানা ওইরবসু মশাদা মান লৈতবা। খুড়াইদগী মাননীয় পূজনীয় ওইরবসু মশানা ঐ মাননীয় পূজনীয় ওইরে হায়না খনবা) ৭৪৮ মানদ (ভক্তশিংদা পূজনীয়তা মান্যতা পীবিতনা লোক সমাজদা ভক্তশিংবু পূজনীয় মাননীয় ওইহনবা) ৭৪৯ মান্য (ভক্তশিংদা মান পীথোকপ্রবসু মশামকতি মান্য ওইদুনা অহুম লৈবা) * ৭৫০ (লোক পুম্নমক্কী স্বামী মপু ওইবা) ৭৫১ ত্রিলোকধৃক্ (লোক অহুম স্বর্গমর্ত্ত্য পাতালবু মতুংনা পুরিবা) ৭৫২ সমেধা (জগৎকী উপকারগী নীথিরবী মমক্ক খনবী বুদ্ধিবু লোইবা) ৭৫৩ মধজ (মেধদগী হায়বদি যজ্ঞদগী পোকপা) ৭৫৪ ধন্য (খুড়াইদগী হেন্না ধন্যবাদ তৌফম থোকপা ৭৫৫ সত্যমেধা (অচুম্বা অশেংবা বুদ্ধি ম্রান্তনা মগাকী ওইবা) ৭৫৬ ধরাধর (ধরা পৃথিবীবু, ধর পুরিবা) ॥৯৩॥ ৭৫৭ তেজোবৃষ (ভক্তশিংগী মশাদা মুংঙাংবগী মশেক মতাল হৈথবিবা) ৭৫৮ দ্যুতিধর (অমগা অমগ চাংদম্নীংঙাই লৈত্রবা মশেক পুবা) ৭৫৯ সর্বশস্ত্রভৃতাংবর (খুংলায় পায়বশিংগী মথং খুড়াইদগী অথোইবা) ৭৬০ প্রগ্রহ (ভক্তনা কচ্চরিবু য়াম্না হয়ংন্দ হয়াউনা তৌবিবা) ৭৬১ নিগ্রহ (মকোক হায়গংলকপশিংবু নমথবা-সকশিনব) ৭৬২ ব্যগ্র (ভক্তশিংদা পীগদবগী য়াম্না লাওতক্লনা থৌরাংবা ওইবা) ৭৬৩ নৈকশৃঙ্গ (নাম আখ্যাত, উপসর্গ নিপাত—মাচ মরি অদি পানবা শব্দব্রহ্ম নাদব্রহ্মগী অউবা মশক ওইবা * ৭৬৪ গদাগ্রজ (দ্বাপরযুগকী দ্বারকাগী লীলাদা গদগী মমাম্বা ওইনা পোকপিবা) ॥৯৪॥

---

* টীকাঃ— অমানী-মানদ-মান্য হায়বা বাকয় অসি চৈতন্যচরিতামৃতগী মফম অমদা "তৃণাদপি সুনীচেন, তরোরিবসহিষ্ণুণা অমনি মানদেন কীর্ত্তনীয়ঃ সদাহরিঃ" হায়না অহুন য়াওরি। অর্থদিঃ—নাপীমকা অমদগী হেন্না তোন্না নোম্রক্না, উপাম্বীদগী হেন্না থাওহৈবা ওইদুনা অধাতকম, মশাদা মান্যতা লৈবলৈনা ওইনা ওইনা মীওন্দা অহুম মন্যত পীদুনা ভগবান্ শ্রীহরিগী নাবু শকশোনগদবনি। হায়রিবা বাকয় অসি গৌরীয় সম্প্রদায়গী ভক্তশিংদা, হরিনাম সংকীর্তন তৌরিবশিংদা মমল য়ামদ্রবা পাওতাক অমনি। ঐ হরিনাম সংকীর্ত্তন তৌরি চাংসি, কলে ঈশাখী যেও, হায়না থম্মুনা মীওন্দা উংননবগী বাখল থজিক্কং চঙথিবদা উৎতা ঘী হৈরে। কাম্রো। (কালাচাঁদ)

---

* টীকাঃ— বিষ্ণু নাম শংদা 'নৈকশৃঙ্গ' হায়বা অমা য়াওরিবসি নাদশাস্ত্র শব্দশাস্ত্রগী য়াম্না কুপ্পা বিগারগী বাকমনি চুম্নগী ঈবায় লায়বা ভৌতিক শব্দবিজ্ঞান (সাইন্স অফ সাউণ্ডগী য়াথলগী বাংমদনি। আধ্যাত্মিক ব্যাকরণগী বাকমনি। সাকারনাম ব্রহ্মগী মাচ মরি (মকোক মরি) পানবগী লোওবগী অকবা তত্ত্বা বাফমনি। কবিগুম্না লোল অমগী শব্দ (সাওণ্ডদাবু অপ লৈহুম্বসি নাম আখ্যাত, উপসর্গ,

চতুর্মূর্ত্তিশ্চ তুর্বাহুশ্চ তুর্ব্যূহশ্চ তুর্গতিঃ।

---

৭৬৫ চতুর্মূর্ত্তি(খুদম লীলা ওইনা, ত্রেতাদা অমত ওইবা মহাক্না রাম, লক্ষণ, ভরত, শত্রুঘ্ন হায়না মূর্ত্তি মরি পুথোকতুনা শাক্লবা) ৭৬৬ চতুর্বাহু (ধর্মতত্ত্ব পীননবা) খুং পান্নোম, অর্থ পীননবা খুং পান্নোম, কাম পীননবা খুং-পান্নোম, মোক্ষ মুক্তি পীননবা খুং পান্নোম মরি ফংসি পানবা) ৭৬৭ চতুর্ব্যূহ (চতুর । বি+উহঃ। বিশেষ ওইবা উহ কায় মরি। বাসুদেব কৌবা কায়, সংকর্ষণ কৌবা কায়, প্রদ্যুম্নকৌবা কায় হকচাং অহুগা মরিগুবা কায়না অনিরুদ্ধ খিংবা লাকপা য়াদব কায় হকচা মরিসি পুবা বিষ্ণু) ৭৬৮ তত্তুর্গতি (গতি মরি হায়বদি মতোম্দা য়ৌবা থুংবা মথুং মরি। সাকোৎ গতি সামীপ্যগতি, সারূপ গতি সায়ুজ্য গতি গতি মরি অসিনি) *

নিপাত মখোয় মরি অসিতান অতৈনা নত্তে। "নৈকশৃঙ্গ"—(ন+এক+শৃঙ্গ) হায়বান অমদগী হেনবা হায়বসিনা মরি ফাওবা লৌগনি। চতুর্মুখগী হাকমনি, (১) ধর্মগী তত্ত্বার্থ পুবা শব্দ, (২) অর্থ (সম্পত্তি)গী তত্ত্বার্থ পুবা শব্দ. (৩) কাম (অপান্থ)গী তত্ত্বার্থ পুবা, (৪) মোক্ষ মুক্তিগী তত্ত্বার্থ পুবা শব্দ মরি অসনি। শব্দগী উৎপত্তিস্থানদি মূর্ধান। মথাদা কোককী শরক অম চোংথোরকান। মতোল তুম্বনি-য়াম কুপ্পান। কোক্তগী খিন্দোরকপবু শৃঙ্গ (মচি) কৌই। অহুনা নৈকশৃঙ্গ হায়বান। মরি অসি, নানশাস্ত্র শব্দ শাস্ত্রদা হায়বদি ব্যাকরণ শাস্ত্রদা নাম, আখ্যাত, উপসর্গ, নিপাত হায়রগা খঙনৈ। মাসিগী বাক্য সি অমত বাহনা ব্যাখ্যান তৌবা ভারবাদ চাউরবা গ্রন্থ অমা হব তাই। অহুনা মমি, মথাত ওইবা অথ অমমদং পীরগা "নাম হায়বাসনা বিশেষ্য-বিশেষণ, সর্বনাম, ক্রিয়াবিশেষণ মরি অসবু খঙনহান্ন। "আখ্যাত" হায়বাসনা ক্রিয়া (ভাব), "উপসর্গ" হায়বাস আখ্যাত অমগী মনাওদা তোঙাল তোঙামা হাপ্লগা তোঙাল তোঙানবা অর্থ থোকহনবা অহুগা মরিগুবা "নিপাত" হায়বাসনা মতোন্দ। করিগুম্বা অমত হায়তোক হাপান্ন তৌবা য়াদবা। অসিবু ব্যাকরণগা অব্যয় হায়রগা খঙনে। (কালাচাঁদ)

---

* টীকা :— ভক্তশিংনা মাগী মাগী ইষ্টদেবগী মকনদগী পাম্লিবাস মথল মরিগী মমুংদা অমতনি। সালোক্য (লোক অমতদা লৈমিন্নহনা শক্তিমান ওইবা ইষ্টদেবতুগী মশেক মঙানগা চপ মান্নহনা জ্ঞান জ্যোতিষ ফংজবা), সামীপ্য (ইষ্টদেবতুগী মনাক্ত কুনঅহুনা, মনাক নকন লৈজবা), সারূপ্য (ইষ্টদেব অহুগা অহুগা চপ মান্নহনা মঙং মতৌ গুণ পুহনা লৈবা ফংজবা) অহুগা মরি শুবদগ সায়ুজ্য (ইষ্টদেবতুগা একাকার ওইনা ভিন্নাথবা) অসিনি। অশুম্না লৈরবা ভক্ত হায়বসিমকস্তু মথল মরিনি। অর্থার্থীভক্ত, জ্ঞানীভক্ত, আর্তভক্ত হায়রিবা অহুম অসিদি স্বার্থীভক্ত ওকুনি। অহুম অসি নত্তবা নিঃস্বার্থী ওইবা মশাগী করিমত পামদবা ইষ্টদেব মাগী নাম শোনবা সেবা পূজাদা অহুম পেঙ্গুরবা মশাগী অপাম্বা স্বার্থ অমতা

চতুরাত্মা চতুর্ভাবশ্চতুর্বেদ বিদেকপাৎ ।৯৫॥
সমাবর্ত্তো নিবৃত্তাত্মা দুর্জয়ো দুরতিক্রমঃ ।

---

৭৬৯ চতুরাত্মা (চতুর+আত্মা আত্মা মরি। মন, বুদ্ধি, অহংকার চিং চেতনা। মরি অসি ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী আত্মা মরি কৌই।) ৭৭০ চতুর্ভাব (চতুর ভাব ভাব মরি। ধর্ম-অর্থ কাম-মোক্ষ-ভাব মসিং মরিসিনা মাগী ওইবা। ৭৭১ চতুর্বেদবিৎ (বেদ — জ্ঞান। জ্ঞানগী শরুক মরিগী অমমম্, মপুংফানা খঙবা জ্ঞানময় পইবা শ্রীবিষ্ণু) ৭৭২একপদ (পাদ=পোৱা-একপাদ মপূমগী শরুক মত্তং মরিগী পাদ-দত্তং অমত-না জগৎ পুম্বকুপ্লনগী হাযনা হায়না কৌবা শ্রীবিষ্ণু। অমতবু মরি খোকপা ব্যাস তৌবা খাইদোকপা) ।৯৫॥ ৭৭৩ সমাবর্ত্ত (স সার চক্রবু মীকূপ অমত হাঙদনা উক্রকরু লৈহনা থম্বা) ৭৭৪ অনিবৃত্তাত্মা) অচ-চক্ত পোং-জীব খুদিংমক্তা মতম অমতদা অতে ওইবা আত্মা মথন্তনা থবক্তগী মীকূপ অমা কাওবা হন্দো-ক্তনা লৈবা) * ৭৭৫ দুর্জয় (কনাগুম্বা কবিগুম্বা অমতনা জয় তৌবদা ঙামা খোকপা) ৭৭৬ দুরতিক্রম কবিম্বা অমতনা মতেন্দগী লাম্নে কুনা নাম্মোক্তুনা চেনবা ঙমদবা চেনবা য়াদবা)।

লৈথিদ্রবা অকুগুম্বা ভক্ত অমা লোয়ি মহাক অহুতনা নিষ্কাম কর্ম তৌই। কমদি তৌরগা কামনা অমত থমদ। নিংমাগী ওইবা ভক্তশিং ভগবান্গী খাইদগী চেনবা প্রিয়ভক্ত হায়বনি ওই। ব্রাহ্মণ শুদ্রদে, ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র শুঙদ মাগী মাগী মথৌদা কারিগুম্বা কামনা অপাম্বা অমত থমদনা তৌরিবহনা ভগবান্গী খাইদগী চেনবা প্রিয় ভক্ত ওই। শম্পাংপা ব্যাখ্যানি। (কালাচাঁদ)

---

* টীকাঃ— মশা অমতনা মতম পুংকম অমতা তোঙাল তোঙানবা এককমদ। তোঙাল তোঙানব মসিং মতৌ খুদংদা তোঙাল তোঙানবা থবক তৌগ ঙম্বসি তৌরিবসি আত্মা নত্তনা কনাগুম্বা কবিগুম্বা অমতনা ওইবা য়ারোই। ঈরায় লায়বা খুদমদা অসিদা গোপাল কৌবা অমদা ফম্মি (কম্বগী থবক তৌবি)। এককম অমদা শ্যাম গমনা লেপ্প (কম্বগী থবক তৌরি)। লেপ্পা কম্বা তৌরিবসি শ্যাম গোপাল হায়বা মিংনা নক্তে। ফক্চাংদি শরু ঙাক্ষগী মপৈ মাংসপিত্তনি। হোবেন্দা ঙাযরে কম্ব লেপ্পা তৌনা চুম্মোই-দৌবা। স্মাত্মানি অমতনি। চক্ষু মসিং তোঙাল তোঙানবদা লৈবা আকাশ গুম্বনি। আকাশদ অমত্তান। চক্ষুনা তপ্পাদা আকাশ তপ্পা লৈ হায়বা থক য়ারোই। কোয়রপ কোয়প কোরবা, চিংথেক নাইবা আকাশ হায়বা থক য়ারোই। অদুনা, অনিবৃত্তাত্ম হায়রিবসি অচুম্বামক্কি। হায়রিবশিং অসিমক্তসু আত্মা হায়বা পোশক অমা হকচাংসিগী মহুংদা লৈরে হায়বনি মশানা ঙাবা য়াকমনি। অসিগুম্বা তৌবা ভম্বা (ঈশ্বর) মহাকপু লৈতে হায়রিবদি অপঙবা। মহাকসু লৈত্রে। লৈত্তবা মহাক্না লৈ লৈতে হায়বা থক য়ারোই। (কালাচাঁদ)

দুর্লভো দুর্গমো দুর্গো দুরাবাসো দুরারিহা ।৯৬॥
শুভাঙ্গো লোকসারঙ্গঃ সুতন্তুস্তন্তুবর্ধনঃ । ইন্দ্রকর্মা মহাকর্মা কৃতকর্মা কৃতাগমঃ ।৯৭॥
উদ্ভবঃ সুন্দরঃ সুন্দো রত্ননাভঃ সুলোচনঃ । অর্কো বাজসনঃ শৃঙ্গী জয়ন্তঃ সর্ববিজ্জয়ী ॥৯৮।

---

৭৭৭ দুর্লভ (হায়বদি, ভক্তিগা লোয়ননা চঙজবতনা পাক ক.বা ঙমদবা) ৭৭৮ দুর্গম (মা য়েৌবদা মাবু ফংবদা য়াম্না য়ানা থোকপা) ৭৭৯ দুর্গ (দুর্গমা দুর্গমগা অর্থ অমতনি। মাগী মনাক য়েৌবদা মাবু লাম্বদা য়ানা থোকপা) ৭৮০ দুরাবাস (যোগীশিংনা মাবু থম্মোয়দা কোনশিন্দুনা থমগে হোৎনবদম্ভু য়াম্না য়ানা থোকপা) ৭৮১ দুরারিহা (ফত্তবা লম্বী চৎপা নাপল তৌবশিংবু থোক থোক হাৎপা) ॥৯৬॥ ৭৮২ শুভাঙ্গ (উবদা মঙ্গলগী মশক ওইবা অঙ্গ ফকচাংদা মাগী ওইবা) ৭৮৩ লোকসারঙ্গ (লোক পুম্নমক্কী সার-মচি ওইবা শব্দকত্ত মরোৌবা কান্নমথৈ লোইনা লংথোক্তবা) ৭৮৪ সুতন্তু (তন্তু হায়বদি লং। ফজরবা লংজানা মম্লং মকেল ওইনা শাবা লোনবা লংগুম্না সংসারবু শেম্বা) ৭৮৫ তন্তুবর্দ্ধন (হায়রিবা লংগুম্না সংসারসিবুসু মী-কৃপথুদিংগী চাওথোক কন্দোকপা) ৭৮৬ ইন্দ্রকর্মা (লাই পুম্নমক্কী নিংথৌওনা তৌগদবগুম থবক তৌবা) ৭৮৭ চাউর চাউরবা কর্মবু তৌবা) ৭৮৮ কৃতকর্ম (থবক পুম্না লোইনা মপুং ফানা তৌবা, লোইরবা মথাক লৈ-হৌবা থবক অমত্ত তৌদবা) ৭৮৯ কৃতাগম (শাস্ত্রম্না লীলাবু মথা তানা অমুক মথা নথং অমা শম্মবন্থনা শাস্ত্রগে হায়বগীদমক মর্ত্যলোকতা অবতরণ তৌবা কুমথরকপা) ॥৯৭॥ ৭৯০ উদ্ভব (নীঙঙকপা মতুংইন্না তোমথিন ওইবা অবতার তৌদুনা দুনা মরক মরক্তা শাস্ত্রম্না) ৭৯১ সুন্দর (থাইদগী ফজরব শক্লোন পুবা) * ৭৯২ সুন্দ (লাশরবা চুখবা উরগা খুদক্তা ফুংশি মুংওনবা পোক্তুনা থোজালগা মীৎয়েংগা য়েংবিবা) ৭৯৩ রত্ননাভ (রত্ন হিরণ্য নাভ মনিমুক্তা হীয়াই পুম্নমক্তা মাগী থোদোনা লৈবা) ৭৯৪ সুলোচন (ফজরবা নয়ন-মীৎনা মাগী ওইবা) ৭৯৫ অর্ক (সুনিং থাইমক্কী পূজা তৌনবগীদার ওইবা) ৭৯৬ বাজসন (অনিবশিংনা নিবা পুম্না পীথোকপা) ৭৯৭ শৃঙ্গী প্রলয়গী মতমদা মচি পানবা ঙাগী মশক লোৌদুনা অবতার তৌবা) ৭৯৮ জয়ন্ত (য়েক্কবশিংবু নমহৎপা) ৭৯৯ সর্ববিজ্জয়ী (য়াম্না হৈশিংবা জ্ঞানী ওইবা নাপল তৌবশিংবু য়াঙাঙ অমতনা নাপল য়ৈথৎপিবা) ॥৯৮॥

---

* টীকাঃ— ব্যাকরণ শাস্ত্রদা শীরিবা হায়রিবা শব্দভেদ পাট ওক ল্মীচ) খুদিংমক ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী নাম ওইহনবা য়াই। নাম ওইরবনিনা বিশেষ্য (নাউন ওইবসু য়াবে। খুদম ওইবা হায়রবদ 'সুন্দর' (ফজবা) হায়বা শব্দ অসি মশানা বিশেষণ (এডজেকটিব) ওইবা য়াহৈনি। ভগবান্গী মিং নাংলোমনা পুংশিলবাদ সুন্দর হায়বা য়াহৈ অসি নাম ওইরবাননা বিশেষ্য (নাউন) ওইরে। অসুম তৌদুনা তুথা হীম্না চাবানাচিংবা পুথদা শ্রীবিষ্ণুগী নাম ওইহনবা য়াই। অদুনদি বিষ্ণু সহস্র নাম হায়রিবসি অদুক হায়বতনি। লিশিং লিশিং মথা লথানি। অনন্ত ওইবা মাগী নামসু অনন্তনি। (কামাচাঁদ)

সুর্বণবিন্দুরক্ষোভ্যঃ সুর্বর্বাগীশ্বরেশ্বরঃ। মহাহ্রদো মহাগর্ত্তো মহাভুতো মহানিধিঃ। ৯৯

কুমুদাঃ কুন্দর কুন্দঃ পর্জন্যঃ পাবানোঽনিলঃ। অমৃতাশোঽমৃতবপুঃ সর্বজ্ঞো সর্বতোমুখঃ॥১০০।

৮০০ সুবর্ণবিন্দু (বিন্দু য়াওবা ভা লপ্ জৌবা ফজরবা খোংস্রাক শব্দনা মাগী মিং ওইবা। হায়রবদি ওঁকার ওঁগী খোংথোক্লা বাগী মিং ওইবা) ৮০১ অক্ষোভ্য (কখাগুম্বা কারিগুম্বা অমতনা লেঙহনবা য়াদবা) ৮০২ সর্ববাগীশ্বরেশ্বর (মর্গ-বানী বাকপতি পুম্নমক্কী ঈশ্বরশিংগী, হায়রবদি, ব্রহ্মা মহেশ্বর সম্নৰবানচিংবগী ঈশ্বর ওইবা) ৮০৩ মহাহ্রদ (যোগীশিংগী ধ্যান তৌদুনা নুংঙাইবা লুবা পুখ্রীগী মশক ওইবা) ৮০৪ মহাগর্ত ৮০৫ মহাভূত (ত্রিকালাবা মত ওইবা ভূত বর্ত্তমান ভবিষ্যৎ কাল অহুমা পীবা পরিবর্তনাশংনামতোন্দা চত্তদবা) ৮০৬ মহানিধি (নিধি=ফুংনফম নিধি=লল থম্প ও। ফু নফম পুম্নমক্কী ফু নকম। লল পুম্নমক্কী থুমহৈ দগী হেনবা লল)॥৯৯॥ ৮০৭ কুমুদ (“কু” হায়রদি পৃথিবীগী “মুদ” হায়রবদি নু ভাইহনবা। চহী মঙম কয়া কুইনা ঈনুংদা তাদুনা তুংদুনা লৈরম্বা পৃথিবীবু লোইংপিরক্লুনা থা গৎপিরক্লুনা নুংঙাইহনবা) ৮০৮ কুন্দর (কুন+দর কুম-পৃথিবী বুদর খিনগাইবা। অশিংনুংদা লৈবা পৃথিবীগী গর্ভনুংদা লৈবা হিরণ্যাক্ষ কৌবা রেঙাবু হাৎননবগীদমক্তা পৃথিবীবু খিনগাইদুনা হিরণ্যাক্ষবু হাৎপা) ৮০৯ কুন্দ কুম+দ। কুম্ পৃথিবীবু দ পীবা। পৃথিবীবু দান তৌরোকপা। পরশুরাম বামন অবতারনচ কগী অমা শাক্তবা) ৮১০ পর্জন্য (পর্জনা=মেঘ=নোং। মংলিবা নোংনা চুহনরুপা ঈথৌলাংবা জীবশিংবু পেলহনবগুম্না ইহনবহুগী মতৌগুম জাব পুম্নমকপু পেলহনবা নোংগুম্বা বিষ্ণু) ৮১১ পাবন (মাবু নীংশিংবতক্ মহুৎ মপান লোইনা শেংদোকপা বা) ৮১২ অনিল (হুংশিং প্রাণবায়ু। চংলা চংনা, কয়া কয়া, তুমথুল হুম্বা তুম্বা তুম্বা লৌরক্লৈদা মহাক য়াহোদুনা অতুম তুমদনা ওহুমমরেব। অহুগুম্বা অনল প্রানবায়ুগুম্বা শ্রীবিষ্ণু) ৮১৩ অমৃতাশ (ভক্তশিংগী আশা অভিলাসবু অমৃত ওইহনবা, হায়রবদি মৃত ওইহনবা অরেম্বদা কংদুনা মাঙহনবা) ৮১৪ অমৃতবপু (মাগীবপু-হকচাং বিগ্রহ সাকারমূর্ত্তিনা কারিগুম্বা কালদা ভূত বর্ত্তমান ভবিষ্যৎ কালদা অমাঙবা মৃৎপা শরৈৈতবা) ৮১৫ সর্বজ্ঞ (লোইনা ওবা চহি লাং-লাথোগী মতুংদা কবি কারি ওহরকদগে হায়বদু কাওবা থওবা) ৮১৬ সর্বতোমুখ (মায়পৈপুম্বা ওন্বা মায়থোং চীননা হংকীওইবা ॥১০০।

---

* টীকাঃ— হায়রিবদিগী মহুংগী ভাবতো অ র্থনি।— মপানথ্ন ভোংকক ওইবা কোম, গুহা, পুর্খী, গঙংদি, য়ায়া নুদুনন্থ, চঙাপল্লুরিবা মশামকসু মশানা মশাবু মন্ময়াথিত্তনা য়ায়া মক্কবসু অরোইবা অমদি নাই। অমুক শ্রাৎলকপা য়াই। শ্রীবিষ্ণুগী ধ্যানবু হৃদয়কন্দরদা থম্মোয়গী লুরকা হৃদয়া দুংদুনা লৈলৈরবা ধ্যান মগ্ন ওইরবা মশানানা মশাবু উ থত্রবা কাউবে কথবা ধ্যানযোগ মী মহাকে অহুম চাংজো। লায় কংগ্রবা কোমদা পুখাথিবনা অমুক হয়া কাওগৎলকাথরে। কাংৎলকরে। কাওগৎলকরসু মপানগী য়ায়া সংসারসবু উরগা হায়রগী হেরুহুম পুম্নম মমথো। অদুনা যোগীগী মক্তদা শ্রীবিষ্ণু দ মহাগর্ত অমনি। (কালাচাঁদ)

সুলভঃ সুব্রতঃ সিদ্ধঃ শত্রুজিচ্ছত্রুতাপনঃ। ন্যগ্রোধোদুম্বরোঽশ্বত্থশ্চাণূরান্ধ্রনিষূদনঃ॥ ১০১॥
সহস্রার্চিঃ সপ্তজিহ্বঃ সপ্তৈধা সপ্তবাহনঃ। অমূর্ত্তিরনঘোঽচিন্ত্যো ভয়কৃৎ ভয়নাশনঃ। ১০২।

---

৮১৭ সুলভ (য়াম্না হেন্ডনা ফংলবা ফংবা মুমিৎ খুদিংগী, মাবুত থন্দুনা, মাবু কয়না উপদগে-ক গংদগে ফায়না মদি তানা কপ্পবা ভক্তশিংগী মফমদি, যোগ সাধন-তপস্যানচিংবা ঈয়াও য়াওদনা, লায়বা ফংবা য়াব অমুগুম, এহাক্কি) ৮১৮ সুব্রত (নী নিজরবা, মহাউবত, ভোগ তৌবা লৌবা চাবা চারিবা পোৎ অমুম য়াম্না হোন্ডবা। ভক্তশিংনা ভক্তি প্রেম শ্রদ্ধগা লোয়ননা কচ্চবা য়াম্না হোন্ডবা হৈ-হৈনা মনা অমসুং মাগী নীতিংজিবগী হৃদয় ... উজাক চুদবা। ঈশ্বর লন্দুনা লৈরবসু, অমুগুম প্রেম বস্তুদবু হয়াওনা চাবা। ৮১৯ সিদ্ধ (মশানা স্বভাবনা মহৌশাদগী সিদ্ধ ওইহুন লৈরবা) ৮২০ শত্রুজিৎ ভক্তশিংগী হেরুববু নমহৎলিবা। ৮২১ শত্রুতাপন (অমুগুম। ভক্তগী শত্রুশিংবু শত্রুতা তৌজহন্দুনা অবা-মৈশা লাংহনবা) ৮২২ ন্যগ্রোধ (বটপাম্বীগী মশক ওইবা) ৮২৩ উদুম্বর (হৈবোং পাম্বী উৎ+উম্বর (অম্বর)=উদুম্বর। জগৎকী উৎপত্তি সৃষ্টিগী আদিকারণ অমা ওইনা, আকাশতদগীসু খিনগৎখিহুনা আ-কাশদগী বাংথংনা লৈবা।) ৮২৪ অশ্বত্থ (সনাখোংনাং পাম্বী (ন+শ্বঃ+থ=হয়েং ফাওবা লৈরোইদৌবা। শ্বঃ= হয়েং, থ=লৈবা, ন=নত্তবা)। হয়েং ফাওবা লৈগদবা লৈরোইদৌবা পোশকাস কারি করিনো হায়না নরনারায়ণ ঋষি অনীনা মাগী মখোন্ডা কমহুন। ঈচার হায় লৈনখিবা অমুগুম্বা উপাম্বী(সনাখোংনাং) ৮২৫ চানূরান্ধ্রনিসূদন (অন্ধ্রদেশকী চাণুর কৌবা অকনবা মল্ল অমুবু সুদংথবা-হাৎখিবা) ॥১০১ ৮২৬ সহস্রার্চি (শমদৈ লৈতবা মঙেশ মঙাল পবা, সূর্য্যদেবগুম্না) ৮২৭ সপ্তজিহ্বা (সপ্ত+জিহ্ব। মৈরৈ তরেৎপানবা মচু তরেৎ পবা। সপ্তসুর খোন্তাক তরেৎ পুবা। মরোল তরেৎ পুবা) ৮২৮ সপ্তৈধা (সপ্ত+এধধ। শীং অনেং। যজ্ঞকাষ্ঠ তরেৎ। অমুগুম্না কাষ্ঠশিংনা যজ্ঞ তৌহনা পেলহন্নাডার ওইবা যজ্ঞাগ্নিগী মশক ওইবা) ৮২৯ সপ্তবাহন (শাদোং তরেৎ। তোন্ডাল তেন্ডনবা মচুগী শগোল তরেৎনা চিংবা রথ তোংহুনা নোংগোক অতয়াদা হুন্দোরকপা থোক্লকপা মুমিংকুম্বা) ৮৩০ অমূর্ত্তি (অকক্লবা মূর্ত্তি মওং লৈতবা। নিরাকার ওইবা) * ৮৩১ অনঘ অ+অঘ=অনঘ। পাপকী শরুক দোষগী শরুক শুকয়াও য়াওদবা) ৮৩২ অচিন্ত্য (চুম্নগী চিন্তা তৌবতনা কনম্মদবা) ৮৩৩ ভয়কৃৎ (ফত্তবশিংগী মফমদা অকি অথং পীবা) ৮৩৪ ভয়নাশন (ফত্তবাশিংগী মফমদগী অকি অথং ফংলবা ভক্তশিংগী অকিবতু মাংহনবা) ॥১০২॥

---

* টীকাঃ— অমূর্ত্তি (নিরাকার) নির+আকার হায়বা বাহৈসিগী অর্থাস য়াম্মি— আকার (মূর্ত্তি) দি লৈযগা, লৈনা লৈনা মাহুগী য়াংমদা লৈবা। মমদা পোৎ অমুদি লোয়নগা লীজিন্নদবা। মওং-মতৌ মূর্ত্তি হায়বতু মুকলৈ লৈতবা। অত্যন্তাভাব ওইনা লৈবা। কোক্তা পূন্নিবা পোৎলুম অমুবু কোকথক্তদি পুরগা শিদি শিজিন্নদবতুগুম্না মূর্ত্তি আকার পুবা। উপু মনুংদা লৈম্নিবা পোৎ অমুবু উপু মশামক্তা লীজিন্নদবতুগুম্না মূর্ত্তি আকার পুম্নবু মাগী গর্ভমনুংদা পুবা। আসিনচিংবা নিরাকারগী(অমূর্ত্তি)গী অর্থ য়াম্না লৌই। (কালাচাঁদ)

অণুর্বৃহৎকৃশঃ স্থূলো গুণভৃৎ নিগু´ণোমহান্। অধৃতঃ স্বধৃতঃ স্বাস্যঃ প্রাগ্বংসো বংশবর্দ্ধনঃ ।।১০৩।।
ভারভৃৎ কথিতো যোগী যোগীশঃ সর্বকামদঃ।

---

৮৩৫ অণু (য়াম্না কুপ্পা পিকপা, পীকমনখিবদগী মশক উদবা) ৮৩৬ বৃহৎ (য়াম্না পাক চাউবা। পাক চাউমনখিবদগী মাগী ওমথৈ উদবা) ৮৩৭ কৃশ (য়াম্না কংবা মপ্পা কংবা, য়াম্না পাবা-য়াংবা) ৮৩৮ স্থূল (য়াম্না নোয়বা, য়াম্না থাবা, লুম্বা) * ৮৩৯ গুণভৃৎ (পোৎ খুদিংমা লৈবা গুণ পুন্নমকপু পুবা) ৮৪০ নিগু´ণ (সত্ত্ব, রজ তম গুণ অহুমসিদগী বাংমদা লৈবা) ৮৪১ মহান্ (গুণ, প্রভাব, ঐশ্বর্য্য, জ্ঞান আসনচিংবা পুন্নমকপু পুল্লপা পুবনা মহান খ্বাইদগী চাউবা হায়বত্থু ওইবা) ৮৪২ অধৃত (মাবু পুবা থাংবসি কনা অমত্তনা ওমদবা) ৮৪৩ স্বধৃত (মশানা মশাবু থাংজবা পুজবা) ৮৪৪ স্বাস্য (সংসারদা হেক লৈরবা ভেভান্ তোত্তানবা বংশা বালি পুন্নমক্কী ঈহান হানবা বংশ পুথোকপা) ৮৪৬ বংশবর্দ্ধন (বংশশিং অহুবুবু মথং মথং, মরক্তা হোদনা চাওখৎহনবা) ।।১০৩।। ৮৪৭ ভারভৃৎ (অরাম্বা পোংলুম পুম্বা মথন্তনা পুবা। শেষনাগগী মশক লৌহুনা পৃথিবীবু পুবা। বরাহমূর্ত্তি পুহুন পৃথিবীবু ঈংাক নুংদগী য়াতোন্দা হাপতুনা থাংগৎলকপা) ৮৪৮ কথিত (হায়রবা মাগী মরমদা লোইনা হায়ন থম্মরবা। হায়বদি, মাগী মাগী লোম্বা, মাগী মাগী ধর্মগ্রন্থশিংদা, বেদনা পুরাণদা, কোরন্ বাইবল গ্রন্থ সাহিবনাচংবদা নৈনরবা, হায়নরবা, লেপ্পরবাশিং আসিদা কথিত ওইরবনিনা মাগী মরমত্তদা ওইবনিনা, মহাক অহু "কথিত" নি, হায়রিবা ভাত্তালবা কর্ত্তা অহুবুনা কথিত বান্ কৌই।) ৮৪৯ যোগী (নিত্য যোগী ওইবা। মতম পুম্বদা মীকুপ অমত্তা হাত্তদনা যোগী ওইবা। অহুনা, যোগীত যোগী অশেংবদি ভগবান্ বিষ্ণু হরিত্তনা ওই) * ৮৫০ যোগীশঃ (যোগী জাৎ মথল মথল পুন্নমক্কী স্বামী মপু) ৮৫১ সর্বকামদ (জীব পুন্নমক্তা, মাগী মাগী অপাম্বত্থু পীবা)।

---

* টীকা: পোৎ মশা অমত্তনা মতম অমতদা য়াম্না লুপ্পা লুম্না য়াম্না য়াংবা, য়াম্না পীক্ক। পীক্কা য়াম্না চাউবা য়াম্ন কংনা কংনা য়াম্ন নোয়বা, নিরাকার ওইমা-ওইনা সাকার ওইবা হায়রবসি মশা মশাগু ককচ্চবা (সেলফ কণ্ট্রাডিকসন) ওইবা বানি। "পোৎ অসি য়াম্না কঞ্জে য়াম্নগু থী" হায়রবদি লোক সমাজদা নোক্নীংবা বা অমা ওইনা লোকানি। অহুবু মংত্তনা সর্বশক্তিমান ওইবা অমগী মফমদদি নোক্নীংকম করিসু লৈতে। শক্তি পুন্নমক্কা তিনবা অমগী মফমদদি পীকপ্তিনবা ওমগী শক্তি, চাউথোরকপা ওমগীশক্তি, লৈনা লৈনা উহনবা উংন্দগী শক্তি অসিনচিংবা শক্তিশিং আসি মশা মথন্তনা পুবা ওম্না মী মহাক অহু, অমা থত্তদে অমা থত্তদেসর্বশক্তিমান্নি। অহুগুম্বা সর্বশক্তিমান্ অহু শ্রীবিষ্ণু (হরি-নারায়ণ) তনা ওই। অহুনা, শ্রীবিষ্ণুগী মফমদ স্বনিরোধ (সেলফ কণ্ট্রাডিকসন)গী বাকম কারমত্তা লৈতে। (কালাচাঁদ)

---

* টীকা:— তাইবং মীনা নিত্য যোগী, নিত্যসন্ন্যাসী নিত্যবৈরাগ্যা ওইবা হায়রবসি ওইথোকতবা অম ওইনা থোকই। যোগী থত্তদে, সন্ন্যাসী থত্তদে নুমিৎ খুদিংগী মীকুপ খুদংগী মাগী দরকার মতুংইন্না

আশ্রমঃ শ্রমণঃ ক্ষামঃ সুপর্ণো বায়ুবাহনঃ ।১০৪॥
ধনুর্ধরো ধনুর্বেদো দণ্ডোদময়িতাদমঃ । অপরাজিতঃ সর্বসহো নিয়ন্তানিয়মো যমঃ ॥১০৫॥

---

৮৫২ আশ্রম (অচচ্ছত্ত জীব পুম্নমক্কা পোত্থাকা পীবা) ৮৫৩ শ্রমণ (ফত্তবশিংবু কংত্তোইদোবা, কায়দবা অনিব্য ওইবা পোশক তানবদা হুমাং কান্নখ নোমহনবা-অবাবা পীবা) ৮৫৪ ক্ষাম (প্রলয়গী মতমদা, অনৌবা সৃষ্টি তৌননবগী মমক্তা অচানবগী জগৎ অত্তুবু লেইশিনবা, খোমাজনবা, মঙোন্দা থুপচিনহনশিবা) ৮৫৫ সুপর্ণ (সংসারগী মশক ওইবা বিশ্ববৃক্ষ অসিগী কজরবা পর্ণ মনা-মপান মহৈগী মশক বইবা) ৮৫৬ বায়ুবাহন (মু শিংনা মাগী বাহনাশাদো ওইবা। মাগী বাহননা নুংশিংকী মাওথানা পাইবা) ॥১০৪। ৮৫৭ ধনুধর (ত্রেতাদা ধনুধারী রামচন্দ্রগী শাগোন পুবা) ৮৫৮ ধনুর্বেদগী ভত্তগী মহা-জ্ঞানী ওইবত নত্তনা ধনুবেদ হায়বত্তুনকী মশক ওইবা) ৮৫৯ দন্দ (দমন তৌবা নৈহৎপা লাকশিনবা ভত্ত-শিংগী দমন শক্তি, "দণ্ড লাকশিনবতুনকী অত্তবা মশক ওইব) ৮৬০ দময়িতা (দমন তৌবাযমরাজ, কত্তবা প্রজাশিংবু রারকপা লাকহৎপা নিংথৌ মশক ওইবা) ৮৬১ দম (দন নৈহৎপা লাকশিনবা হায়বত্তুমক্কী মূর্ত্তি ওইবা) ৮৬২ অপারাজিত (কনাগুম্বা কারগুম্বা অমগী মকমদগী পরাজয় মায়থিবা কংথিদ্রবা) ৮৬৩ সর্ব-সহ (অবাবা খুদোংথিবা পুম্নমকপু খাত্তদুনা ওাকপোকতনা লৈবা) ৮৬৪ নিযন্তা (অচচ্ছত্ত জীব খুদিংমকপু নিয়ম তৌদুনা মাগী মাগী স্বভাবতা লাক্কম কায়দনা থম্বা) ৮৬৫ অনিয়ম (মাগী প্রিয়মবু কনাগুম্বা অমত্তনা মাগী নিয়মদা পুশিনত্তুনা নিযম তৌবা ত্তমদবা) * ৮৬৬ অমম (যাবু শাসন তৌননবা কনাগুম্বা অমত্ত লৈত্তবা) ॥১০৫।

পোৎ অমমুক লোই, ত্রুক পাদোকই। থাদোকলিবত্তু অমুক লৌপংলি। হায়বদি অমুক তিত্তৈ, অমুক থাদোকই। অমুক থাদোকই অমুক তিত্তৈ। পোৎ অমগা যোগ (তেম্নবা) অমুক ওইগা, পোৎ সন্যাসী (থাদোকপা) অমুক ওই অনুমান যাগী শাদবা, সন্ন্যাসী শাদবা মীচম অমনা তৌবগা কার থেন্নরি? যোগীদি হায়মনত্তু তিম্নরবা লৌরবা পোৎ অত্তগা থাদোকপা লেত্তনা তিরত্তুনা লৈবা ত্তমদে। অত্তুনা নুং-শাঙোববুথাদোক থাজিন লৌথোক লোশন, তৌ।। মীনা নিত্য যোগী ওইবা ওইথোক্কে (কালাচাঁদ)

---

* টীকাঃ— তুইগী ব্রহ্মা ফা বন্না লৈ রবা, অত্তু নত্তনা হৈ।াল লৈপাল পুম্নমক্কা মাগী মাগী স্বভাব লমচং শাজং চীঞ্জাক আসিনাচংবদা নিয়ম ওকায় কায়দনা চং লবাস নিয়ন্তা ঈশ্বর মহারা নিয়ম তৌত্তুনা থমাথবর্নানি। মাসি নোংচুপলোমগ, "হুঁটানফামিটি ফনচার", হায়বত্তানি। নিয়মতৌবা, নিয়ন্তা অমগী আদেশ (হুকুম) য়াওদনা, মাস থক ওইব য়ারোই। হায়রবাসমত্তুস্তু জগন্নিয়ন্তা (ঈশ্বর)গী আত্তত্ত (এক্সিস্টেন্স) হায়বত্তগী চউত্তব বাদ (আগুমেন্ট) অমানি। অমদি নিয়মত্তু তৌবা শাক্ষৎ পীবা কারগুম্বা অম লৈব তাই হয়েব,স অনুমান প্রমাণত নত্তনা প্রত্যক্ষ প্রমাণনি। অত্তুনা "নিয়ম" হায়বা নাম শব্দ অসিমক ঈশ্বরগী মিং অমা ওইনা মকম আস্তা পীর (কালাচাঁদ)

সত্ত্ববান্ সাত্ত্বিকঃ সত্যঃ সত্যধর্ম পরায়ণঃ। অভিপ্রায়ঃ প্রিয়ার্হোহর্হঃ প্রিয়কৃৎ প্রীতিবর্দ্ধনঃ ॥১০৬॥
বিহায়সগতির্জ্যোতিঃ সুরুচির্হুতভুগ্ বিভুঃ।

---

৮৬৭ সত্ত্ব+বান্ (সত্ত্ব="লৈবা" হায়বত্থু লোইবা। (সৎ+ত্ব=অচুম্বা। গুণ পুম্নমকপু লোইবা। তেজ, বীর্য্য বল, সামর্থং-তৌবা।ঙম্বা অমিনচিংবা তত্ত্ব পুম্নমকা তিনবা) ৮৬৮ সাত্ত্বিক (সত্ত্বগুণ পুম্নমকা তিনবা) ৮৬৯ সত্য (ইচুম চুম্বা স্বভাবনা নহাকী ওইবা ৮৭০ সত্যধর্মপরায়ণ পরায়ণ (অচুম্বা, শেজিনবা ধর্মদা পুক্নী চঙবা শেমজিনবা ধর্মদগী মায় লৈথোকপা) * ৮৭১ অভিপ্রায় (অচচচও জীব।পুন্নিংমকা মতোম্দা চঙজরক্রিবসি করি অভিপ্রায়দগী করি ইচ্ছেগুণদগীবো চায়বত্থু লোইনা।থঙবা। অতুমকনা মশা-মক অভিপ্রায় হায়বত্থুমক ওইবা। অতুনা নাগী মিংথৈ "অভিপ্রায়" হায়নমু কৌবা) ৮৭২ প্রিয়ার্হ (প্রিয়+অর্হ। য়েক্রবা মরূপ পুম্নমকী তাম্নফম, পাঞ্জফম পান্দফম ওইবা। প্রিয় ওইবা বস্তু পুম্নমকী-তাম্নফম, পান্নফম, পান্নফম পান্দফম ওইবা প্রিয়ওইবা বস্তু পুম্নমকী পীথোরকপদা অর্হ ওইবা মতীক চাবা।) ৮৭৩ অর্হ (অর্হ পূজায়াম্)। খুাইমকী পূজা তৌননীঙায় ওইবা) ৮৭৩ প্রিয়কৃৎ (ভক্ত পুম্নমকী প্রিয়বু পামজবা মুংশিজববু খুদক্তা য়েমহুনা পীবিবা) ৮৭৫ প্রীতিবর্দ্ধন (প্রেমী প্রেমমকশিংগী প্রীতিবু-মুঙাইজববু হেনগমহনবা) ॥১০৬॥ ৮৭৬ বিহায়সাগতি (আকাশদা ইহাঙ হাঙবদা গতি থোঙচং লৈকমনা নাগী ওইবা মুম্না থম্বরবদি অহাঙবা হায়বসি লৈতে। অঙাঙবা আকাশ মরাক মরীক্তা খুমক হাঙদবা শব্দ হায়বত্থু লৈ। শব্দদি বিষ্ণু বিষ্ণুনি। 'শব্দঃখে" হায়রিবহুনি গীতাদা। অতুনা শব্দদগী হায়বদি বিষ্ণুগী গতিদি বি-হায়স কাপনা ওই) ৮৭৭ জ্যোতি (মঙাল। খ্যানযোগীশগী হৃদয়কন্দরদা কাওরিবা (জ্যোতি-আত্মা-জ্যোতি-মঙাল অহুমক বিষ্ণুনি মঙাল অহু কাওরিবা অমম্না তাহুনা-মূর্ত্তশিংনা ঈশ্বর লৈতে হায়বত্থুনি) ৮৭৮ সুরুচি (নীংবিজরবা রুচি-কান্তি=মঙাল। মক্তবা, মাবং মরাংদবা) লৈচিন্ থাংদবা মঙাল) ৮৭৯ হুতভুক (হোম তৌরকপা হবিষনচিংববু যজ্ঞাগ্নিগীমথক লোহুনা ভোগ তৌবা চাবা) ৮৮০ বিভু (শীন্থুংনা লৈবা। মকম মতম পুক্তাশন্দুং লৈবদগী বিভু কৌবা বিষ্ণু)।

*টীকাঃ— হিন্দুধর্ম, খ্রীচিয়ান্ ধর্ম, ইস্লাম ধর্ম, বৌদ্ধ ধর্ম, বৈষ্ণব ধর্ম অসিনচিংবা অহু অদা ধর্ম কৌনরিবা, ধর্মবু তাঙাল তোঙম্বা তাকহ্নিবা পুম্নমক ম স ঙসি ওবাংতগী তাইবং মীনা তোঙাল তোঙান-বা সম্প্রাদায়দা পৈনখুন। পানজিনবা মক্তনি। খুংশংগী পোকনিবগী অটিকিন্নিয়েল মক্তনি প্রাকৃতিক ধর্ম অমত্ত নত্তে প্রমাণ অমদা হায়বগ বুদ্ধদেব পোকক্রিঙদা বৌদ্ধ ধর্ম হায়বসি লৈরমদে। যীশু পোকক্রিঙদা খ্রীষ্টিয়ান্ ধর্ম হায়বসি লৈরমদে তোচ ল তঙনবা সম্প্রদায়গী তাইবং মীনা পোন-জিনবা হায়জিনবা মিংমক্তনি শেমজিনবা মথৈ অরানবা মক্তনি। অরানবা মথৈ আপ্নত্তা মক্তনি। অমম্না

রবির্বিলোচনঃ সূর্য্যঃ সবিতাঃ রবিলোচনঃ ।।১০৭।।

অনন্তো হুতভুগ ভোক্তো সুখদানৈকজোহগ্রজঃ ।

---

৮৮১ রবি (চুপশিনবা-লৌশিনবা। অশিনবা অয়াকপা অথুম্বনচিংবা রস পুম্নমক্কী লৈকম ঈশিংবু কংশিনহনবা সুমিৎ) ৮৮২ বিরোচন (মথা মথা ময়াম্না মঙাল পীবা সুমিৎ।) ৮৮৪ (সুমিৎ। অচচ্চত্ত জীববু পোকহনবা মঙাল) ৮৮৫ রবিলোচন (অহুঙসা রবি সুমিৎনা মাগী মীৎ ওইবা * ।।১০৭।। ৮৮৬ অনন্ত (ন+অন্ত=অনন্ত। মহাক্না তৌবা হীরম থতক খুদিংমক্কী অন্ত অয়োইবা লৈতবা। মাগীতত্ত্বু থিবশিংগী হিবম পুম্নমক্কী অন্ত অয়োইবা থক লৈতবা। ৮৮৭ হুতভুক্ যজ্ঞনা হোম তৌরকপা পোৎখুদিংমক্কী তোঙাল তোঙানবা মওং মহাক খুদিংমকপু তোঙাল তোঙানবা দেবতাশিংগী মওং লৌ লৌদুনা চাবা)। ৮৮৮ ভোক্তা (লক্ষ্মী শ্রী সম্পত্তিবু ভোগ তৌবা চাবহুগুম্না প্রকৃতিগী সম্পত্তি পুম্নমকপু ভোগ তৌবা শ্রীবিষ্ণু।) ৮৮৯ সুখদ (সুখ ফাইবা পীবা সুখ ফাংহনবা। ভক্তশিংগী মফমদা সুখদ ওইবা) ৮৯০ নৈকজ (ন+একজ। অমুক্তত পোকতবা। ভক্তশিংগীদমক্তি হন্না হন্না অবতরণ তৌরকপা, অবতার তৌবা) ৮৯১ অগ্রজ (অমত পোক্লিংউদা, ঈশান হায়না পোকপা)।

মগা সুংশিনদবা, তুকজনবা, ধর্ম হায়বহুনা লৈবা নত্ত। নংগী ধর্মবুদি এখীনা কৈ ফবা হেল্লি হায়হল্লিবসি ধর্মশব্দগী মাওদ। বিশেষা অমনে হাম্লরূপনীনি। ধর্ম কৌবা মহাক্তি সত্ত্ব গুণতদা লৈগদবনি। ধর্ম মচা ধর্ম অচৌবা হেক হায়রুবদা ঈশেং শেবা ধর্মবু মাংথোকলে। অহুবু, হিন্দু ধর্ম ইস্লাম ধর্ম হায়নরিবা শব্দশিং অসিদা ধর্ম হায়বহুনদি ওচঙ চঙলি অহুগীমক্তা ধর্ম কৌবা বিষ্ণু মহাক্তি সর্ব ধর্ম পরায়ণনি। (কালাচাঁদ)

---

* টীকাঃ "সুমিৎ"কী অর্থ পীবা শব্দশিং অসি সংস্কৃত ভাষাদা য়াম্না লৈরে ইংরেজী লোন্দদি "সন" হায়বা বাহৈসিদগী হেন্না অতৈ অতোপ্পা অম লৈজদে। সংস্কৃত ভাষাদদি সূর্য্য, রবি, ভানু, সবিতা, ভাস্কর, দিবাকর, অসিগুম্বা বাহৈ কয়া কয়া লৈরি। মরমদি সুমিৎ মঙাল্পা তৌবা থবক অসি জাৎ জাৎ য়াম্না লৈ। বিজ্ঞানগী বাসি। পোৎপু ফহনবা মঙাল, অমম্বু তাম্বোকপা মঙাল, পোৎপু অচচ্চত্ত জীববু পোকহনবামঙাল, ঈশিংবু চিংথংপ মঙাল, রাত্রিভাগবু দিবাভাগ ওইনবা মঙাল, অসিনচিংবা তোঙাল তোঙানবা অর্থবু পীবা শব্দশিংসু তোঙাল তোঙালগনি। অসিগুম্বা অর্থশিংদা অতুখুদিংদা লৈ লৈহুনা লাকপদগী বিজ্ঞানদদি সুমিৎ অসি লেংদনা লৈতে। অসিফাওবগী তত্ত্ব থৌদিন্দবা বিজ্ঞাননা সুমিৎপু লেঙদে হায়অয়ানুবনি। (কালাচাঁদ)

অনির্বিন্ন সদামর্ষী লোকধিষ্ঠান মদ্ভুতঃ ।।১০৮।

সনাৎ সনাতনতম. কপীন্দ্রঃ কপিবব্যয়ঃ স্বাস্তিদঃ স্বাস্তিকৃৎ স্বাস্তি: সস্তিভুক্ স্বাস্তদক্ষিণঃ ।।১০৯।।

অরৌদ্রঃ কুণ্ডলী চক্রী বিক্রম্যূর্জিতশাসন। শব্দাতিগঃ শব্দসহঃ শিশিরঃ শর্বরীকরঃ ।।১১০।

---

৮৯২ আনর্বিন্ন (অ+ নির্বিন্ন। ঈথন্তু পন্দুনা লৈবনা, নীংজিং মাংজনবা চিংনবা-অৱাংপঅমত্তা লৈতবা) ৮৯৩ সদামর্ষী ভক্তশিংগী মফমদা ঈশাউ শাউরব শাংগে য়াদবা। ভক্তশিংনা লাল্লবসু, মরাল তাকপিবা) ৮৯৪ লোকাধিষ্ঠানম্ (লোক পুম্নমক্কী অমত ওইবা লৈফম) ৮৯৫ অদ্ভুত হায়রিবা গুণকর্ম ময়াম অসিনা পুন্নপ তেনবদগী অতকপগী মশক ওইবা)। ১০৮ ৮৯৬ সনাৎ (সনা+অৎ=সদা+অৎ। মকম মতম পুম্নদা লাংচ চঙুনা লৈবা) ৮৯৭ সনাতনতম (সনাতন সনাতন ওতবা ব্রহ্মানচিংবদগীসু সনাতন ওইবা। মহাক্কা মকুপ্পবা) ৮৯৮ কাপিল (মহর্ষি মা লগী মশক লৌদুনা অবতার তৌবা। কাপিল ভগবান্) ৮৯৯ কপি (বানর, সূর্য্য। বা+নর, বা+অনর কপ-কম্প-কঁপ্পা) ৯০০ অপ্যয় (পুম্নমক্কী চঙ্শিন্নখ্রম) ৯০১ স্বাস্তদ (পম্নমক্কা মঙ্গল ওঙবত্তা পীবা) ৯০২ স্বস্তিকৃৎ (মঙ্গল ওইগদবা পোশকত শেম্বা শাবা) ৯০৩ স্বস্তি (মঙ্গল হায়বদুমক্কা মূর্ত্তি ওইবা) ৯০৪ স্তিভুক (জগৎকী মঙ্গল ওইনন‌বা পোশক অদুত চাবা) ৯০৫ স্ব স্তদক্ষিণ (স্বস্তি মঙ্গল ওইননবা পোশক শেম্বদা হৌশাবা।।১০৯।। ৯০৬ অরৌদ্র (ভক্ত ওইদবশিংগী মফমদ রৌদ্র ওইরবসু ভক্তশিংগী মফমদা অরৌদ্র ওইরবসু ভক্তশিংগী মফম দদি অরৌদ্র ওইবা। শান্তমূর্ত্তি শান্তকার ওইবা) ৯০৭ কুণ্ডলী (গ্লানংকী মঙালগুম লংলবা, তাকিহোম মঙং মানবা কুণ্ডল নাম্বয়া নাকো গী লৈতেং ওইবা) ৯০৮ চক্রী (সুদর্শন চক্রপায়বা) ৯০৯ বিক্রমী (মক্তক মগুণ=নবো লৈবা) ৯১০ উৰ্জিতশাসন (খ্বাইদগী হেনবা শাসন মতৌনা জগৎ পুম্ববু শাসন তৌবা) ৯১১ শব্দাতিগ (শব্দ নাদব্রহ্ম মক্ক নাগী এগুণ থাব শকপা তমদবা শব্দ শাস্ত্রনা পীবা শক্তিদগা বাংনদা লৈবা) ৯১২ শব্দসহ (লোনা তাওবা শকপা নিন্দাবাকা খাণ্ডহনা লৈবা তম্বা) * ৯১৩ শিশির (ত্রিতাপকী মৈশাব উনগী মতৌগুম ইংথবা) ৯১৪ শর্বরীকর (জ্ঞানীশিংগী রাত্রিস সার অদুগা অজ্ঞানীশিংগী রাত্রিজ্ঞানবু অহিংগী মতৌগুম মল্লবা অহিং জ্ঞানীসিবু পোকহনবা শেম্বা) ।১১০।।

---

* টীকাঃ—নিন্দাগী শব্দ-প্রশংসাগী শব্দ অনীমক নাদ ব্রহ্ম শব্দব্রহ্ম মক্কনি বিষ্ণু মশামক্কা নাদ ব্রহ্ম হায়বদুমক ওইবানিনা মঙোন্দাদ নিন্দাপ্রশংসা অনীমক্কী শ পুম্বা চপ মান্নপা অদুম মরৈবনিনা শ জাৎ পুম্বা অদুম তাহনা থাগ্তনা লে। মঙোন্দা থাগৎপা পাদবগী বাইহেনা অশাউবা সুংঙাইবগী বিকার অদু কারিমত চঙদে। অসিগুম্বা গুণশলিবু তাহবং মী কনাগুম্বনা চেনবা ভুমবদি. মী মহাক অত্ত বিষ্ণু ভগবান্ মক্কী মৎং স্বভাবতা লাক্কবনি হায়বসি "শ সহ" হায়বা নাম অসিনা ফোঙদোকলি। অসিদ নত্তনা বিষ্ণু ভগবান্গী চাংয়রিবা নামগুণশিং অসিগী মথু দা অমতং লোজবা ভুমবদি হকচাংসুংদো লৈরিবা জীব জীবাত্মা অসি বিষ্ণুমক ওইবগী মওঙা লাক্কগদবনি। (কালাচাঁদ)

অক্রুরপেশলো দক্ষো দক্ষিণঃ ক্ষমিণাং বরঃ। বিদ্বত্তমো বীতভয়ঃ পুণ্যশ্রবণ কীর্তনঃ।।১১১।।
উত্তারণো দুষ্কৃতিহা পুণ্যো দুঃস্বপ্ননাশনঃ। বীরহা রক্ষণঃ সন্তো জীবনঃ পর্য্যবস্থিতঃ।।১১২।।
অনন্তরূপোঽনন্তশ্রী জিতমন্যু ভয়াপহঃ। চতুরস্রো গভীরাত্মা বিদিশো ব্যাদিশো দিশঃ।।১১৩।।
অনাদি র্ভূভুবো লক্ষ্মীঃ সুবীরো রুচিরাঙ্গদঃ।

---

৯১৫ অক্রুর (শাউবা তমথিবা লৈতবা) ৯১৬ পেশল (পুক্নীং ৱাঙাও—কর্ম, পুম্নমক্না কজনা মপূং ফানা লৈবনা শাওং শাদাফজবা) ৯১৭ দক্ষ (থবক হীরম পুম্নমদা য়াম্না হৌশংবা। অকুবদগী অকুবা থবক পুম্না খুদক্তা পাঙপোকপা পাংবকশিংবা) ৯১৮ দাক্ষিণ (লোইশনা গোমাজনবা সংহার তৌবদা কনা অমত্তু খঙহন্দবা হৈশিংবা) ৯১৯ ক্ষমিণাংবরঃ (তাকাপহৈবশিংগী মরুংদা খ্বাইদগী অথোইবা) ৯২০ বিদ্বত্তম (জ্ঞানী কিবানশিংগী মরুদা খ্বাইদগা হেনবা) ৯২১ বীতভয় (আকি অথংবা করিমত্ত লৈত্রতবা) ৯২২ পুণ্যশ্রবণ (কীর্তন তৌবতদা তাইবং জীবপুনশি শ্রাস মহাপুণ্য চেনবা হায়বহৃ ওইবা ওইহনবা) ।।১১১।। ৯২৩ উত্তারণ (সংসার ঈপাকপু লানবিহৈব) ৯২৪ দুষ্কৃতিহা (পাপ পুম্না পাপীশিংবু খুদক্তা মাঙহনবা) ৯২৫ পুণ্য (মাগী নাম শোনব শকপতদা পুণ্যবান হায়বহৃ ওইবহৃ ওইহননবিনা, মশামক্না পুণ্য হায়বহৃমক ওইবা) ৯২৬ দুঃস্বপ্ননাশন (য়াহৌরকপদা নাগী নাম শানবতদা অহিংদা মঙঙ্‌ায়বা ফত্তবা মতগী দোষ অহৃ কোকহনবা) ৯২৭ বীরহা (কত্রবা তমথিরবা কল্লব হিংচায়াইতন্বরূ মাঙহনবা হাৎপা) ৯২৮ রক্ষণ (হীরম পুম্নমগী কনবিহৈবা) ৯২৯ সন্ত (বিদ্যা বিনয় নোল্লুকপা, ধর্ম আসনচিংবরূ জগত্তা শন্দোকপা সন্ত মহাপুরুষশিংগী মশক লৌহৃনা জগৎপু উদ্ধার তৌনবা হোৎনবা) ৯৩০ জীবন (জীবজন্তু অচচাক্ত পুম্নমকী জীবন পুনশিগী মশক ওইবা) ৯৩১ পর্য্যবস্থিত (বিশ্বব্রহ্মাণ্ড পুম্নমকপু মশা মথক্তনা শীন্থ্ংনা-মরীক অমত্ত হোদনা কুপ্পুনা থম্বা) ।।১১২। ৯৩২ অনন্তরূপ (অন্ত অরোইবা লৈত্তবা রূপ মশক মওং পুবা) ৯৩৩ অনন্তশ্রী (অন্ত-অরোইবা লৈত্তবা শ্রীসম্পাত্তনা মাগী ওইবা) ৯৩৪ জিতমন্যু (অশাউবরূ খুদক্তা নহৎপা) ৯৩৫ ভয়াপহ (ভক্তশিংগী অকিঅ থংবু মাঙহনবা) ৯৩৬ চতুরস্র (মহামঙ্গলগী মশক ওইবা) ৯৩৭ গম্ভীরাত্মা (লুম্নবা লুম্নবা লুনা-থুম্না লৈরবা আত্মানা মাগী ওইবা) ৯৩৮ বিদিশ (পীবিাথবা য়াথংবু ঙাকচবাশিংগী তোঙান তোঙান বা মহৈ পীবিবা) ৯৩৯ ব্যাদিশ (ভক্তশিংগী অধিকারশিং অহৃ য়েংহৃনা তোঙাল তোঙানবা মথো থোদা পীবা) ৯৪০ দিশ (দিপ (বেদজ্ঞানগী মশক লৌহৃনা কর্মশিংগী তোঙান তোঙানবা মহৈ পীবিনা) ।।১১৩।
৯৪১ অনাদি (পুম্নমকী কারণরূপ ওইবনাঅমাং অহোবা হায়বহৃ লৈত্তবা) * ৯৪২ ভূভুব (ভূ-পৃথিবীগী ভুব-আধার ওইবা) ৯৪৩ লক্ষ্মী (মশামক্না শ্রীসম্পাত্তি-লক্ষ্মী হায়বহৃমক ওইরবা)।

---

* টীকাঃ সংসারদা উরিবসি পোৎ অমত্তা মওইরম্নবদি কারণ, অহৃ অমত্ত ওইরমলবনি। আদি লৈরমগদবনি। অহৃবু পোৎশিংনদি অনন্ত, ওইবনা পোৎশিং অহৃহৃ অনন্ত অমাদিনি। (কালাচাঁদ

জননো জনজন্মাদি র্ভীমো ভীমপরাক্রমঃ ।।১১৪।।
আধারনিলয়োহ ধাতা পুষ্পহাসঃ প্রজাগরঃ। ঊর্দ্ধগঃ সৎপথাচারঃ প্রাণদঃ প্রণবঃ পণঃ ।।১১৫।।
প্রমাণং প্রাণনিলয়ঃ প্রাণভৃৎ প্রাণজীবনঃ। তত্ত্বং তত্ত্ববিদেকাত্মা জন্মমৃত্যুজরাতিগঃ ।।১১৬।।

---

৯৪৪ সুবীর (মোমোয়োক্লা ইফফজনা শকফম কায়দনা লালফমদা অবনবা বীর অমা ওইনা লাম্লেং-নবা) ৯৪৫ রুচিরাঙ্গদ (ফজরবাবাহু বক্ষ-তাল-পাম্বোমফাবীনা লৈজেং হৈবা) ৯৪৬ জন (প্রাণীশিংগী প্রাণ বায়ুবু পুথোকপিবা) ৯৪৭ জনজন্মাদি (পোকপা শিং নাইবশিংগী পোকপা শিব হায়বহুমক্কী আদিকারণ ওইবা) ৯৪৯ ভীম (কদ্রবশিংশী মকমদা মমীত্তা অংবগী মখং ওইবা) ৯৪৯ ভীমপরাক্রম (অকবগী মশক ওইবা পাঙ্গল থোনা পুবা) ।১১৪।। ৯৫০ আধার নিলয় (অনকনগী মশক ওইবা পৃথিবীন-চিংবা আধারশিংগীসু আধার হৈমা) * ৯৫১ অধাতা মাগী ভূনদ্রম-মাবু শঙ্খদি কবিগুপ্তা কনাগুম্বা অমতা লৈতবা) ৯৫২ পুষ্পহাস (লৈরাংনা পোমশাংনবগুম থোংজবা নৌনবা মীনোকনা মাগী ওইহা) ৯৫৩ প্রজাগর (মীংকুপ থুদিংগীজাগরণ তৌহনা লৈবা তুদংগা তুম্নবসু যোগমায়াগা লোয়নন। তুম্বা মায়া তৌহনা তুমশিনশিন্নবা) ৯৫৪ উর্দ্ধগ (খ্বাইদগী কীখোঃকুনা হেন্দোক থিনেরিত্ত না লৈবা) ৯৫৫ সৎপুরুষশিংদা তাকপা অচার নিয়ম অহুবু মশামক্কসু চৎপা) ৯৫৬ প্রাণদ (পরীক্ষিৎকুম্বা গর্ভদগী শিনা তারিবা হকচাংদা প্রাণ বায়ু পীহনা হিংহনবা) ৯৫৭ প্রণব (ওঁকারগী মূর্ত্তি প্রণব হায়বহুমক মহাক মশানা ওইবা) ৮৫৮ পণ লাক্লি লাক্লিবা ভক্তশিংহুবু মতীক চানা চানা সন্মান ব্যবহার তৌবিবা) ।।১১৫।। ৯৫৯ প্রমাণম্ (মশানা স্বতঃ সিদ্ধ ওইবনা, প্রমাণ অমগী প্রয়োজন (দরকার) লৈতগা। প্রমাণ—অনুমান-উপমান হায়বহু মশানা অহুম ওইজবে) ৯৬০ প্রাণনিলয় প্রাণী পূম্নমক্কী প্রাণশিংগী তুংনকম ওইবা) ৯৬১ প্রাণভৃৎ (প্রাণবায়ু হায়বহুমক পুম্নু ভরণপোষণ তৌবা) ৯৬২ প্রাণজীবন (প্রাণবায়ু হায়বহুমক্কী প্রাণ জীবন ওইবা) ৯৬৩ তত্ত্ব (তত্ত্ব-তত্ত্ব হায়রিবশিংসিমক্কী তত্ত্ব অহু মশামা ওইবনা মাগী নামবু, তত্ত্ব হায়না অহুম মকৌনদ্রবা) ৯৬৪ তত্ত্ববিৎ অহুনা থাঙ্গৈশেংবা তত্ত্ব খঙবা হায়বহু মশানা অহুম ওইজবা) ৯৬৫ একাত্মা (দেহ থুদিংদা লৈবা অাত্মাগী স্বাভাবনা তোঙাল তোঙাল্লবসু, তোঙাল্লিবশিংহুগী আত্মা ওইবা আত্মাদি না মৎতুনা একাত্মা কৌবা নাম পুবা) ৯৬৬ জন্মমৃত্যুজরাতিগ (পোকপা শিব অহল ওইরকপা হায়বশিংহুদগী না মদা লৈবা) ।১১৬।

---

* টীকাঃ—আকাশ বায়ুনচিংবা পূম্নমক অসি ব্রহ্মাণ্ড[illegible]সমষ্টিব শিংগী আধারমক্কনি। আধার পূম্নমক অসিগী অমত ওইবা আধারদি শ্রীবিষ্ণুনি। অহুমক্কনসু বিষ্ণু কৌবনি। অহুনা তোঙাল তোঙান শিংবু পূর্বনি। আকাশ বায়ু অগ্নি জল-পৃথিবীশিং অসিগী নাম রূপ স্বভাব কর্ম অমত্ত মায়নদ। অদুনা পূম্নমক অসিগী আধার মহাকসু তোঙাল তোঙানবা না মরূপ কর্ম পুবা তৌবা তাবনি য়েংফম লৈতে।
(কালাচাঁদ)

ভূ ভু র্বস্বস্তারঃ সবিতা প্রপিতামহঃ। যজ্ঞো যজ্ঞপতির্যজ্বা যজ্ঞাঙ্গো যজ্ঞবাহনঃ॥১১৭॥
যজ্ঞভৃৎ যজ্ঞকৃৎ যজ্ঞী যজ্ঞভুক্ যজ্ঞসাধনঃ। যজ্ঞান্তকৃৎ যজ্ঞগুহ্যমন্নমন্নাদ এবচ॥১১৮॥
আত্মযোনিঃ স্বয়ংজাতো বৈখানঃ সামগায়নঃ।
দেবকীনন্দনঃ স্রষ্টা ক্ষিতীশঃ পাপনাশনঃ॥১১৯॥
শঙ্খভৃন্নন্দকী চক্রী শার্ঙ্গধন্বা গদাধরঃ।

---

৯৬৭ ভূভু র্বস্বস্তর (ভূ-ভুব স্বঃ মশা অহুম অসিগী অমত্ত ওইব মন্ত্র-উপাস্যগী মশক ওইবা) ৯৬৮ তার লাংস্তোকপা লাংস্তোবপিবা হায়বহু মহাক্না অহুম মওইবা) ৯৬৯ সবিতা (খ্বাইবু পোকপিবনা সবিতা পোকপিবা আপাকপা হায়বহু মশানা অহুম ওইবা) ৯৭০ প্রপিতামব (পিতামহ ব্রহ্মামকী পিতা ওইবনা পিতাগী পিতা ওইবনা প্রপিতামহ ওইবা) ৯৭১ যজ্ঞ (যজ্ঞ হায়বহুমক্না মাগী স্বরূপ অহুম ওইবা) ৯৭২ যজ্ঞপতি (যজ্ঞ পুম্নমকী কর্মধারী যজ্ঞপতি হায়বহু মশানা অহুম ওইবা) ৯৭৩ যজ্বা (যজ্ঞদা যজমান ওই-মহাক্না অহুম মওইবা) ৯৭৪ যজ্ঞাঙ্গ (যজ্ঞগী তোঙাল তোঙানবা অঙ্গ পুম্নমকী রূপ পুবা বরাহ-খোঙেল য়াংনা হৌবা মন্ন খীরকলা বরাহ হায়বহুমক মহাক্না ওইবা) ৯৭৫ যজ্ঞবাহন (যজ্ঞহুবু তৌহল্লিবা পাঙ-খোহল্লিবহুঃ মহাক্না অহুম মওইবা॥১১৭॥ ৯৭৬ যজ্ঞভৃৎ (যজ্ঞ জাৎ খুদিংমকপু মহাক মথন্তনা পুবা) ৯৭৭ যজ্ঞকৃৎ (যজ্ঞ হায়বা কর্ম অহুমক্না শেম্বাশাবা অহুমক মহাকনা অহুম মওইবা) ৯৭৮ যজ্ঞী (যজ্ঞহুবু লোই-রিবা মপুহুঃ মহাক্না অহুম ওইবা) ৯৭৯ যজ্ঞভুক্ (যজ্ঞদগী থোরকপা হবিষনচিংবহুবু ভোগ তৌরিবা চা-রিবহুঃ মহাক্না অহুমমওইবা) ৯৮০ যজ্ঞসাধন যজ্ঞগী খুৎলায় হোমদৈ খাবৈ- সামগ্রী নচাবা সাধনশিংহুবু মহাক্ অহুম মওইবা) ৯৮১ যজ্ঞান্তকৃৎ (যজ্ঞবু লোইশিনবাহুপূর্ণাহুতি হায়বহুমক মশানা অহুম মওইবা(৯৮২ যজ্ঞগুহ্যম্ (যজ্ঞশিংগী মনুংদা থগুনা লোয় নৈবা নিষ্কাম যজ্ঞ হায়বহু মহাক্না অহুম মওইবা)৯৮৩ অন্নম্ (যজ্ঞদগী থোরকপা অন্ন-হবিষনচিংবা প্রসাদ অহুঃ মহাক্না অহুম ওইবা) ৯৮৪ অন্নাদ (অন্ন+অদ। যজ্ঞগী অন্ন- অচাপোৎ অহুবু চারিবা মীশক অহুঃ মহাক্না অহুম মওইবা)॥১১৮॥ ৯৮৫ আত্মাযোনি (আত্মা হায়বহুগী পোক্নককম হৌরককমহুঃ মহাক্না অহুম ওইবা) ৯৮৬ স্বয়ংজাত (মশাদা মশাবু পোকহনবা)৯৮৭ বৈখান (তোখোকপা-খিনগাইবা। পৃথিবীবু খিনগাই তোগাইহুনা হিরণ্যাক্ষবু হাত্‌না পাতালদগী পৃথিবী মুল্লকপা পুখোরকপা) ৯৮৮ সামগায়ন (সামগান তৌরিবা গায়ক মশামকপু মহাক্না অহুম মওইবা) ৯৮৯ দেবকীনন্দন (দ্বাপর যুগতা দেবকীগী মচা ওইনা পোকপিবা) ৯৯০ স্রষ্টা (জগৎ পুম্নমকপু সৃষ্টি তৌবা) ক্ষিতীশঃ পৃথিবীগী পতি ওইবা) ৯৯২ পাপনাশন (মাবু স্মরণ কীর্তন তৌবা ভক্তশিংনা লঙ্ঙখিবা পাপ পুম্না কোকপিবা)॥১১৯॥ ৯৯৩ শঙ্খভৃৎ (পাঞ্চজন্য কৌবা মোইবুং বাদন তৌবা) ৯৯৪ নন্দকী (নন্দক কৌবা থাঙশাং পায়বা) ৯৯৫ চক্রী (সুদর্শন কৌবা চক্র পায়বা) ৯৯৬ শার্ঙ্গধন্বা(শার্ঙ্গ কৌবা লীরুং পায়বা) ৯৯৭ গদাধর (কৌমোদকী কৌবা গদা পায়বা)।

রথাঙ্গপানিরক্ষোভ্যঃ সর্বপ্রহরণায়ুধঃ ॥১২০॥

ইতীদং কীর্ত্তনীয়স্য কেশবস্য মহাত্মনঃ। নাম্নাং সহস্র দিব্যানা মশেষেণ প্রকীর্ত্তিতম্ ॥১২১॥

য ইদং শৃণুয়ান্নিত্যং যশ্চাপি পরিকীর্ত্তয়েৎ। নাশুভং প্র প্নুয়াৎ কিঞ্চিৎ সোঽমুত্রেহ চ মানবঃ ।১২২॥

বেদান্তগো ব্রাহ্মণঃ স্যাৎ ক্ষত্রিয়ো বিজয়ী ভবেৎ। বৈশ্যো ধনসমৃদ্ধঃ স্যাচ্ছুদ্রঃ সুখমাপুয়াৎ ॥১২৩॥

ধর্মার্থী প্রাপ্নুয়াৎ ধর্মমর্থার্থী চার্থমাপ্নুয়াৎ। কামানাপ্নুয়াৎ কামী প্রজার্থী প্রাপ্নুয়াৎ প্রজাম্॥১২৪॥

ভক্তিমান্ যঃ সদোত্থায় শুচিস্তৎগত মানসঃ। সহস্রং বাসুদেবস্য নাম্নামেতৎ প্রকীর্ত্তয়েৎ ॥১২৫॥

যশঃ প্রাপ্নোতি বিপুলং জ্ঞাতিপ্রাধন্য মেব চ। অচলাং শ্রিয়মাপ্নোতি শ্রেয়ঃ প্রাপ্নোত্যণুত্তমম্॥১২৬।

---

৯৯৮ রথাঙ্গপানি (ভীষ্মগী বাশক থুংহনপে হায়হনা লালগী চাকাবু সুদর্শন চক্রগী মতৌগুম খুৎলায় ওইনা পায়হনা পার্থগী রথগী সারথি ওইনা যুদ্ধ শান্নখিবা শ্রীকৃষ্ণ হায়বহ মহাক্রা অহুম মওইবা) ৯৯৯ অক্ষোভ্য (কনাগুম্বা করিগুম্বা অমতনা লেঙহনবা নোংহনবা য়াদবা) ১০০০ সর্বপ্রহরণায়ুধ (মশক উবা উদবা খুৎলায় জাৎ জাৎ থিবিক পায়বা) * মতৌ অসুম্না, মহাক্রা কেশব বাসুদেবগী অমদি, মতম পুম্বদা শকশোম্ননীঙায় ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী (শ্রীবিষ্ণুগী) নাম লিশিং অমসি মথংমনাও কায়দনা বর্ণন তৌরবনি ॥১২১॥ শ্রীবিষ্ণুগী সহস্রনাম অসিবু মুমিৎ খুদিংগী তারিবা অমুগা পাঠ তৌরিবা মী মহাক অমুদি ইহ-লোক পরলোক অনীমক্তা মঙ্গল ওইবা পোৎশক অমু ফংগে * ।১২২॥ শ্রীবিষ্ণুসহস্রনাম অসিগী শ্রবণ-পঠনপঠন, শকশোম্নবা ব্রাহ্মণনা বেদ বেদান্ত পারগত ওই। ক্ষত্রিয় ওয়রগনা লালকমদা বিজয়, বৈশ্য ওইরগনা ধর্ম সম্পত্তি অমুগা শূদ্র ওইরগনা, সেবানা খুৎলায় ওইহনা সুখশান্তি ফংগে।১২৪। ধর্মবু ফংনিংবনা ধর্ম অর্থবু অর্থ ভোগ ফংনিংবনা ভোগ মচা মশু ফংনিংবতনা মচা মশু ফংগে ।১২৪॥ শ্রীবিষ্ণুদা ভক্তমান ওইবা মানা মুমিৎ খুদিংগী প্রাতঃকাল (অয়ুক্তা ব্রহ্মমুহুর্ত্তদা) চীন য়া শেংদোক্লগা, প্রাতস্নানচিং-তৌরগা, শ্রীবিষ্ণুগী মূর্ত্তিবু মানা ওইহন্নীংবা মূর্ত্তিদা ধ্যান তৌরগা বাসুদেব শ্রীবিষ্ণুগী সহস্রনাম অসিবু জপ তৌরবদি শোল্লিবদি ধর্ম-অর্থ-কাম মোক্ষবু ফংগনি। ইহলোকতনা ধনসম্পত্তি, যশঃকীর্ত্তি (মিংচৎ ফংগে ॥১২৬॥

---

* টীকাঃ— দৃশ্য জগৎপু অউবা জগৎপু অউবা খুৎলায় দৃশ্য প্রহরননা তাকই। অদৃশ্যজগৎপু উদবা জগৎপু অদৃশ্য প্রহরন উদবা খুৎলায়না তাকই। অমুগুম্বা জগৎপু শেম্বা তাকপা সর্বরাজাধিরাজ শ্রীবি-ষ্ণুনি। (কালাচাঁদ)

মকম অসিদা কালাচাঁদনা ইবা বিষ্ণু সহস্রনাম শ্রীবিষ্ণুগী নাম লিশিং অমগী তাবাটীকা লোইরে।

---

* টীকাঃ— ইহলোকগী মঙ্গল ওইবনা যশঃ কীর্ত্তি, ধর্ম অর্থ-কাম অর্থ। পরলোকগী মঙ্গলওইবনা সূর্য্যলোক চন্দ্রলোক ব্রহ্মলোক বৈকুণ্ঠধাম ফংখিবা। বিষ্ণুগী নাম জপ তৌবনা অনীমক। (কালাচাঁদ)

ন ভয়ং কচিদাপ্নোতি বীর্য্যং তেজশ্চ বিন্দতি। ভবত্যরোগো দ্যুতিমান্ বলরূপ গুণান্বিতঃ ॥১২৭॥
রোগার্ত্তোমুচ্যতেরোগাৎ বদ্ধো মুচ্যেত বন্ধনাৎ। ভয়ান্মুচ্যেত ভীতস্তু মুচ্যেতাপন্ন আপদঃ ॥১২৮॥
দুর্গাণ্যতিতরত্যাশু পুরুষো পুরুষোত্তমম্। স্তুবন্ নামসহস্রেণ নিত্যং ভক্তিসমন্বিতঃ ॥১২৯॥
বাসুদেবাশ্রয়ো মর্ত্ত্যো বাসুদেব পরায়ণঃ। সর্ব্বপাপবিশুদ্ধাত্মা যাতিব্রহ্ম সনাতনম্ ॥১৩০॥
ন বাসুদেব ভক্তানামশুভং বিদ্যতেক্বচিৎ। জন্মমৃত্যু জরাব্যাধি ভয়ং নৈবোপজায়তে ॥১৩১॥
ইমং স্তবমধীয়ানা শ্রদ্ধা ভক্তিসমন্বিতঃ। যুজ্যেতাত্মসুখক্ষান্তি শ্রীবৃত্তিস্মৃতি কীর্ত্তিভিঃ ॥১৩২॥
ন ক্রোধো ন চ মাৎসর্য্যং ন লোভোনাশুভামতিঃ। ভবন্তি কৃতপুণ্যানাং ভক্তানাং পুরুষোত্তমে ॥১৩৩॥

করিগুম্বা মকম মতমদা অকি অংবা নাপোই। মতীক মঙাল ফংহুনা, অনায়েক লৈতনা পুন্সি তোলোয়না রূপগুণ থিবিক্লা কিন্দুনা হিহুনা লৈ-লৈকনি।১২৭। মশাদা রোগ (লায়না) রোগহুদগী নাম্থোকই। অকা অপুম্ব ফংবনা বন্ধন (অকা মপুন) অহুদগী নাম্থোকই। অহংগুম্বা নাম্থোক্লবা মী মহাক অহুদগী থম্মোয়দা ব্রহ্মজ্ঞান, ব্রহ্মতত্ত্ব খঙনীংবগী আকাঙ্খা পোকই॥ মুমিৎ খুদিংগী বিষ্ণু সহস্রনামবু স্তুতিগান ওইনা শক শোল্লিবা মী মহাক অহু অরাবা খুদোং থিবা পুম্বদগী নাম্থোকই।১২৮-১২৯। শ্রী-বিষ্ণু বাসুদেবগী আশ্রয়তদা চঙজহুনা সেদিবা মী অহুগী অন্তঃকারণদা সনাতন পরব্রহ্ম ফংনবগী আনন্দ (ব্রহ্মানন্দ) অহুম ফাওরি।১৩০। বাসুদেব শ্রীবিষ্ণুগী ভক্তশিংগীদি অরাবা খুদোংথীবা অমঙ্গল হায়বদো থক লৈতে *। মথোয়দা জন্মমৃত্যু জরা ব্যাধি হায়বা অসিনচিংবগী অকিব থক লৈতে ॥১৩১॥ ভক্ত-শ্রদ্ধাগা লোয়নবা শ্রীবিষ্ণুগী সহস্রনামবু শকশোল্লিবা মী অহু (আত্মারাম), ক্ষ...-লক্ষ্মী, ধৈর্য্য তপথবা) স্মৃতি (নীঙশিংবগী পাঙ্গল, কীর্ত্তি (মিংচৎ) অসিনচিংবা ফংতি ॥১৩২॥ পুরুষোত্তম, পরমাত্মা, শ্রীবিষ্ণুগী পুণ্যাত্মা ওইবা ভক্তশিংগী মকমদা শাউননীংঙাই, বাননীংঙাইওইবাপোৎশক অমত লৈতে। কল্লকপা-মিহো-বা অপাম্বা পামদবা অসিনচিংবা অমোৎপা অমকপশিং অসি করিমত লৈতবনা মতম পুম্বদা ঊশেং শেংহুনা লৈ ॥১৩৩॥

---

* টীকা :— বৈষ্ণব (বিষ্ণু নীংবা) শিংনা পোৎখুদিং-হৌরম খুদিংমক্তা বিষ্ণুনা চঙ-চঙহুনা লৈ হায়-বসি থঙবনা অহুগা অহানবগী মনুংদসু বিষ্ণু, মুংঙাইবগী মনুংদসু বিষ্ণু পোকপা হায়বহুগী মনুংদসু শিব হায়বহুগী মনুংদসু বিষ্ণু ফংব ফংদবা হায়বহুগী মনুংদসু চাং চপ মান্নবা বিষ্ণু লৈ হায়বসি থঙবনা পোকপা শিব অসিনচিংবগী মরক্তা থেন্নবা করিমত্ত লৈতে বিষ্ণু ভক্তশিংগী মকমদা। অহুনা, তোঙাল তোঙানবা পোৎশকশিংদা, তোঙাল তোঙানবা মকম মতম পুম্নমক্তা ঊনুংত মুংঙাইহুনা লৈবসি বৈষ্ণব শিংতনা ফংতি। হায়রিবা বৈষ্ণবসিবু থাজৈশেংনা ওইত্রিমথৈ হায়বদি থেন্নবসিবু উরিবমথৈ যোগী, যতি, সন্ন্যাসীতনা বৈষ্ণব ওইবা থক য়ারোই। শৈবসম্প্রদায়গী সন্ন্যাসী বৌদ্ধসম্প্রদায়গী সন্ন্যাসী খ্রীচিয়ান সম্প্রদায়গী সন্ন্যাসী হায়হুনা চাকচা কিজেত্তা তোঙাল তোঙান্না লৈগনি। (কালাচাঁদ)

দ্যৌঃ সচন্দ্রার্কনক্ষত্রা খংদিশো ভূর্মহোদধিঃ। বাসুদেবস্য বীর্য্যেণ বিধৃতানি মহাত্মনঃ ॥১৩৪॥
সসুরাসুরগন্ধর্বং সযক্ষোরগরাক্ষসম্। জগৎ বশে বর্ত্ততেদং কৃষ্ণস্যসচরাচরম্ ॥১৩৫॥
ইন্দ্রিয়াণি মনোবুদ্ধিঃ সত্ত্বংতেজো বল ধৃতিঃ। বাসুদেবাত্মকান্যাহুঃ ক্ষেত্রজ্ঞ এবচ ॥১৩৬।
সর্বাগমানামাচারঃ প্রথমং পরিকল্পতে। আচারপ্রভবো ধর্মো ধর্মস্য প্রভুরচ্যুতঃ ॥১৩৭॥
ঋষয়ঃ পিতরো দেবা মহাভূতানি ধাতবঃ। জঙ্গমাজ ঙ্গমং চেদং জগন্নারায়ণোদ্ভবম্। ১৩৮॥

নোংমথোন লাইরৈবাক, সুমিং-থা, থবানমিচাক, গ্রহশিংগা লোয়নবা শূণ্য অতিয়া, মায়গৈ তরা, পৃথিবী, সমুদ্র ঈপাক ঈরমত ভরেৎ মথে য় অসি, মহাত্মা ওইরবা বাসুদেব শ্রীবিষ্ণুগী প্রভাবনা মশানা মশা মশাবু পূজহুনা লৈরি। ॥১৩৪। লাইরৈবাকী লাইয়াম, ভূতপ্রেতহিংচা মাইতঙ্গা, যক্ষ রক্ষ গন্ধর্ব কিন্নর, অচচ্চত্ত জীবশিংবা থল্লবা মশক উবা-উদবা জগৎ পূম্বসি সর্বশক্তিমান্ ভগবান্ বাসুদেব শ্রীবিষ্ণু কৃষ্ণগীনা তাকপা নিয়মগী মথা পোম্না মাগী মাগী গতিনা মাগী মাগী মথো তৌহুনা লৈরিবনি ॥১৩৫। * ইন্দ্রিয় (মীৎ ন'কোংনচিংবা), পূক্নীংমু (মন), বুদ্ধি-জ্ঞান সত্ত্ব য়ানশিন্নদনা চুম্না লৈবা), পাঙ্গল, মতীক মশেক মঙাল, তপথবা, হকচাং প্রাণবা ক্ষেত্রজ্ঞ (অ,ত্মা) হায়রিবা ময়াম অসি শ্রীবাসুদেব (সর্বশক্তিমান) গী অঙ্গ অমমমনি (শক্তি অমমমনি)। অসুমনা বেদনা হায়রি ॥১৩৬। শাস্ত্র পুম্নমক্কা আচার (স্বভাব) হায়বসিনা খ্বাইগী মক অথোইবা ওই হায়রি। "ধর্ম" হায়রিবা সিমক আচারদগী ।।াকপনি। হায়রিবা ধর্ম অসিগী (স্বামী (মপু) দি ভগবান্ অচ্যুত শ্রীবাসুদেবনা ওই ॥১৩৭। অহুক্ত।। শ্রীবাসুদেব নারায়ণদগী কনাগীঋষি পিতর দেবতাশিং মৈঈশিংনচিংবা পঞ্চমহাভূত, ধাতুমথল নিপাল, অচচ্চত্ত জীবশিং অসি মথং মথং পোকখিবনি ॥১৩৮॥

---

* টীকাঃ — হায়রিবা বাকম অসি, মাগী মাগী ইষ্টদেব অমমম্মা চুপাবগুম পারনরিবা অতোপ অতোপ্পা সম্প্রদায়গী মীশিংনা লৌনীংদবা থাজদব য়াই। অহুনগী হেন্দোক্কনা ঈশ্বর হায়বা কনাগুম্বা করিগুম্বা অমত লৈতে। জগৎ অসি মশানা অহুম ওইজরকপনি, অশেম্বা কর্ত্তা হায়বা অমত লৈতে। জগৎ অসি মশানা অহুম ওইজরকপনি। অশেম্বা কর্ত্তা হায়বা অমত লৈতে হায়বা কাওবু অমম্ লৈরি। মাসিদা হায়গদবদিঃ—মশা অহুম ওইজরকপগী শক্তি অমমম অহুম লৈজরকপনি হায়বসিমদি য়াদবা য়ামোই। চেন্দুনা হিংজোই। মথদত: হায়রিবা পোৎশিং অসি, মাগী মাগী শক্তি অমমমতনি লৈরিবা। মতুংমচেৎশিংবু মাগী মহুংদা পুঙম্বা মপুম (পূর্ণ) অমদি শোয়দনা লৈগনি। য়েংবনীংঙায় লৈজে। হায়বদি মপুম অহু সর্বশক্তিমান হায়বহু ওইগদবনি। বাসুদেব কৃষ্ণ বিষ্ণু হায়বা অসিনচিংবা শব্দশিং অসিগী অর্থশিংমু শব্দ শাস্ত্রগী বহুঃ ইরা "সর্বশক্তিমান ওইব"গী অর্থ মক্কনে। মিং (নাম) হায়বা অমা লৈরবদি নামী (মি, অহপুরিবা) করিগুম্বা কনাগুম্বা বাসুদেব ওইবা অমা লৈগনি। (কালাচাঁদ)

যোগোজ্ঞানং তথা সাংখ্যং বিদ্যা শিল্পাদিকর্ম চ। বেদাঃশাস্ত্রাণি বিজ্ঞান মেতৎ সর্ব্বং জনার্দ্দনাৎ॥১৩৯॥
একো বিষ্ণুর্মহদ্ভূতং পৃথগভূতান্যনেকশঃ। ত্রীল্লোকান্ ব্যাপ্য ভূতাত্মা ভুঙক্তেবিশ্বভুগব্যয়ঃ ॥১৪০॥
ইমংস্তবং ভগবতো বিষ্ণো র্ব্যাসেন কীর্ত্তিতম। পঠেৎযা ইচ্ছেৎ পুরুষঃশ্রেয়ঃ প্রাপ্তুং সুখানিচ ॥১৪১॥
বিশ্বে শ্বরমজং দেবং জগতঃ প্রভবা প্যয়ম। ভজন্তি যে পুষ্কারক্ষং ন তে যান্তি পরাভবম ॥১৪২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে বৈয়াসিক্যাং শতস হস্রাং সংহিতায়ামনুশাসন পর্ব্বণি দান ধর্ম্মপর্ব্বণি বিষ্ণু সহস্রনাম কথনে একোণ পঞ্চাশদধিক শততমো ধ্যায়ঃ ॥ * ॥ X ॥ X ॥

যোগ, জ্ঞান, সাংখ্য বিদ্যাময়াম, (কলাবিদ্যা হুম্ফুমবি) শিল্পকর্ম নচিংবা, অহুগা হেক লৈরিবা মেদ শাস্ত্র জ্ঞান বিজ্ঞান ময়াম অসে ভগবান (শর্ব্বশক্তিবান) শ্রী বিষ্ণু বাসুদেবদগী থোকখি থোকখিবমক্তনি॥১৩৯॥ লৈরি উবিবা জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসিবু ভোগ তৌরিবা অমত ওইবা বিষ্ণু মহাত্মা মাগী অমত ওইবা বিষ্ণু মহাত্মা মাগী অমতওইবা রূপপু তোঙাল তোঙনবা মওংদা বিস্তার তৌরগা শন্দোক্লগা মরোল অহুম শিন্নুনা লৈরিবনি * । ১৪০। মশাগী ইহলোক পরলোক অনীমক্তা শুভ-মঙ্গল ওইবা, অমদি পরমধামবু ফংনিংবা মীনা খাসনা লেংথ্রিবা বিষ্ণু সহস্রনাম অসিবু মুমিং থুদিংগী ভক্তিশ্রদ্ধাগা লোয়ননা পাঠ তৌগদবনি॥১৪১ জগৎব্রহ্মাণ্ড অসিগী সৃষ্টি, স্থিতি সংহার শেম্বা ঙাকপা থুগাইবা, পোকপ শিব নাইদবা মিস্না থম্বালৈকা মানবা শ্রীবিষ্ণুগী ভজন সাধন তৌরিবা মী অহুগী করিগুম্বা মকম মতম হীরমদা অকি অথংবা মায়থীবনচিংবা থক লৈরোই ॥১৪২॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্রীব্যাসনা শ্লোককিশিংনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসনপর্ব্বদা, দান ধর্ম্মগী মতাংদা শ্রীবিষ্ণুসহস্রনাম কথনগী চামনিপুমাপনশুবা অধ্যায় লোইরে॥ X ॥ X ॥

---

* টীকা :— উপাস্যীগী মওং মমিংদি অমত ওইরগা, মতোন্দগী বিস্তার তৌরক্লিবা লোঙথোরক্লিবা মশা মরোং মনা মপাল মহে মহৈশিংহুমক্তী অমুকসু মওং মমিং মহাউ,শিংগীসু তোঙাল তোঙানবা মমিং মওংদা লৈথ্রি। অহুবু, হৈনোপাস্বী, হৈনোমশা হৈনোমনা, হৈনোমপাল, হৈনোমহে (হৈনো) হৈনোমরু, হৈনোমবা, হৈনোমকু অসিনচিংবা তোঙাল তোঙানবা মওং মমিংশিং অসিদা হৈনো, হৈনো হায়রবহুমদি ইরেং লেঙমনা মপল্লি ময়াওরক্লি। অহুগুম্না, মুমিৎ থা-থবানমিচাক, গ্রহ, চৌও-থান তুমেলচিংবা অসি জগৎব্রহ্মাণ্ডবুক অহুদগী মচোংথোরকপা অঙ্গ প্রত্যঙ্গমক্তনি। "অসমান সমস্তাত্মা" হায়রিবা অহুম্বা অসমান) (মান্নদবা) ময়ামঅসিগী পুল্লপপুন্নকম মপুম সমস্ত (সমষ্টি)দি বিষ্ণু কৌগনি। (কালাচাঁদ)

=0=

মণিপুরী মহাভারত

(জপতৌবদা যোগ্যমন্ত্র ওইবা, অমুক অহিং হুংখিন্দা কীর্ত্তন তৌবদা
মতৌক চাবা দেবতা, ব্রহ্মর্ষি রাজর্ষিশিংগী নাম কীর্ত্তন মহাত্ম্য
গায়ত্রীমন্ত্র জপনচিংবগী মহৈ তাকপা তাং)

চামনিফুমাপঙ্গশুবা অধ্যায়

=০=

যুধিষ্ঠির উবাচ

পিতামহ মহাপ্রাজ্ঞ সর্বশাস্ত্র বিশারদ। কিং জপ্যং জপতো নিত্যং ভবেদ্ধর্মফলংমহৎ ॥১॥
প্রস্থান বা প্রবেশেবা প্রবৃত্তে বাপি কর্মণি। দৈবে বা শ্রাদ্ধকালে বা কিং জপ্যং কর্ম সাধনম্ ॥২॥
শান্তিকং পৌষ্টিকং রক্ষা শত্রুঘ্নং ভয়নাশনম্। জপ্যং যৎ ব্রহ্মসমিতং তদ্ভবান্ বক্তুমর্হতি ॥২॥

ভীষ্ম উবাচ

ব্যাস প্রোক্তমিমং মন্ত্রং শৃণুষ্বৈকমনা নৃপ। সাবিত্র্যা বিহিতং দিব্যং সদ্যঃ পাপবিমোচনম্ ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়ঃ— ঈবুধৌ। ঈবুধৌদি মহাজ্ঞানীনি, অমুগা শাস্ত্রখুদিংমক্তা করি করি তত্ত্ব য়াওরিবগে হায়বহু লোইনা খঙবিরবনি অদুনা, নশূনা অমুক থওজনী লিবসি করম করম্ব স্তুতিগান, করি করম্বা স্তোত্র মন্ত্রনা হায়জরগা শ্রীবিষ্ণুনা পেনগদগে, হায়বা অদুগা অমত চীথদনা দেবতা ময়ামা পেনগদগে হায়বা অসিনি ॥১॥ অসিদ নত্তনা লমচৎপা, যাত্রাতৌবা গৃহপ্রবেশ (য়ুমশাঙ্গাবা) অদুগা থম কর্মগী থবক অমত্তং অনুষ্ঠান তৌরকপদা শক শোনগদবসি করি করিনো? মশাইংনদি য়াথনিনা মরু মরু ওইবা অমনীদংনা অহুম মরাবনা তত্ত্ব অদু নশূদা তাকপিরম্মু ২। ভীষ্মনা হায়ঃ— নিংথৌ। লাইবক ফবা। মহর্ষি বেদব্যাসনা তাকপিরম্বা মন্ত্র অমনীদং নৈ মাহু হায়ত্তে তাও। সাবিত্রী কৌবী দেবী মশামক্না দিব্য মন্ত্র অসি শেম্বিখি *। মাহু হেক শোমনদা হেক তৌবিবা পায়থংলিবা থবক মথৈ অকবা ফল পী। তৌখিবা পাপ কর্মগী দোষ পূম্বা কোকই ॥৪॥

---

* টীকাঃ— মকম অসিদা হায়রিবা "সাবিত্রী দেবী" অসি খুদাইসাধারণনা তানরিবা থওনরিবা সাবিত্রী (সত্যবানগী মুপী) মহু নত্তে। রাজকুমারী সাবিত্রীগী মপা নিংথৌ অশ্বপতি হায়বহুনা মচা লৈত্রিত্তেদা

শৃণু মন্ত্রবিধিং কৃৎস্নং প্রোচ্যমানং ময়ানঘ। যং পাণ্ডবশ্রেষ্ঠ সর্বপাপৈ র্বিমুচ্যতে ॥৫॥
যাত্রাবহনি ধর্মজ্ঞ জপন্ পাপৈ র্ন লিপ্যতে। স্বং দেহং সম্প্রবক্ষ্যামি শৃণুষ্বৈকমনা নৃপ ॥৬॥
আয়ুষ্মান্ ভবতে চৈব যং শ্রুত্বা পার্থিবাত্মজ। পুরুষস্তু সুসিদ্ধার্থঃ প্রেত্য চেহ চ মোদতে ॥৭॥
সেবিতং সততং রাজন্ পুরা রাজর্ষিসত্তমৈঃ। ক্ষত্রধর্মপরৈর্নিত্যং সত্যব্রত পরায়ণৈঃ ॥৮॥
ইদমাহ্নিকমব্যগ্রং কুর্বদ্ভির্নিয়তৈঃ সদা। নৃপৈর্ভরত শার্দূল প্রাপ্যতে শ্রীরনুত্তমা ॥৯॥
নমো বশিষ্ঠায় মহাব্রতায় পরাশরং বেদনিধিং নমস্যে।
নমোঽস্ত্বনন্তায় মহোরগায় নমো ঽস্তু সিদ্ধেভ্য ইহাক্ষয়েভ্যঃ ॥১০॥

পাপকী শরুক করিমত্ত য়াওত্রবা! পাণ্ডব শথোবা)! হায়গদৌরিবা মন্ত্র অসিগী শোনবগী বিধি নিয়ম অদুহায় হায়গে তাও। মাহ্ভ ভাবতদা পাপ পুন্যদগী কোকপা হায়বহ্ অহুম মওইয়গনি। ৫॥ ধর্মগী তত্ব খঙনীংবা নিংথৌ! অহিং মুংথিল মুমিং মুমিং শোনবদা পাপ পুন্যদগী কোক্লনি। মন্ত্রদো. এ হায়গে। পুক্লীং চঙনা তাও ।৬॥ রাজকুমার! নিংথৌ! মন্ত্র অসি শোল্লবদি পুনশি শাংবা লৈবা, নীংব পুয়াথুংবা হায়বহ্সু ওইগমি। ইহলোক পরলোক অনীমক্তা ঈকান কাল্লগনি ॥৭॥ নিংথৌ! মমাঙৈদা ক্ষত্রিয় ধর্মবু মপুং কানা পালন তৌথিবা অহুম ব্রত আচারণ পুম্বা মপুং কানা তৌথিবা রাজর্ষিশিংগী কোকী লৈ-লৈতেং ওইখিবা মঙ্গাল্লা মন্ত্র অসি তত্তনা শোনখি ॥৮॥ অহুনা, ভারতবংশগী নোংশঙুম কনবা নিংথৌ! ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়নননা, ইন্দ্রিয় খুঙুম চন্দুনা মন্ত্র অসি তত্তনা শোল্লু। পাপ পুন্যমক কোক্তুনা নীংথি-জরবী রাজলক্ষ্মী ধনসম্পত্তিবু ফংগনি ॥৯॥ (মপক্তা ইরিবা, ১০-১১শুবামন্ত্র অনীসিগী অর্থদি) ব্রত তপস্যা কল্লবা বশিষ্ঠবু খুরুমজে। বেদজ্ঞান পুম্বনা তিল্লবা পরাশরবু খুরুমজে। বাং-চাউ-লাংলবা ফিলগী শল্লোলপুবা অনন্তযেনাগপু খুরুমজে। অমাঙতা লৈত্রবাসিদ্ধশিংবু খুরুমজে অসিতনি ॥১০॥

মচা অমত্তং ফংননবা হায়দুনা সাবিত্রী মন্ত্রবু শোনবদগী মচানুপী কন্যা অম ফংখি। সাবিত্রী মন্ত্রদুগী শক্তিনা ফংখিবী মচানুপীদুবুসু সাবিত্রী হায়না অহুম থোনখিবনি। ভীষ্মনা হৌজিক হায়রিবা অসিদি ভাগবতী সাবিত্রী দেবীগী বানি। (কালাচাঁদ)

---

* টীকাঃ— মকম অসিদা রাজর্ষিশিংগী কোকথকী লৈতেং মণিগুম্বা (শিরোমণি) অসিনচিংবা বাহৈ না, য়াম্ন কা হেন্না থাগংলিবা নিংথৌসি কনানো হায়বহ্ শ্লোক অসিগী মফুংদা ময়েক শেংনা পল্লমজে। সাবিত্রী দেবী স্তুতিগান, ব্রত উপাসানা য়াম্না কল্লা তৌদুনা মচানুপী সাবিত্রী কৌবীবু ফংখিবা অশ্বপতি, কৌবা নিংথৌদুবুনি হায়বা লৌবদা খোইনা অকায়বা লৈতে। মন্ত্র অমবু অমবু মশেকশেংনা শবশো-ন্দুনা মন্ত্রগী মহৈ (ফল) বু থবক থোকনা উহনখিবসি অরায়বা বা নত্তে। অহুনা মকম অসিদা রাজ-শিরোমণি'' হায়বসি অশ্বপতি কৌবা নিংথৌ বাবুনি। (কালাচাঁদ)

নমোঽস্তু ঋষিভ্যঃ পরম পরেষাংদেবেষু দেবং বরানাম্।
সহস্রশীর্ষায় নমঃ শিবায় সহস্রনামায় জনার্দ্দনায় ।১১।
অজৈকপাদহির্বুধ্ন্যঃ পিনাকী চাপরাজিতঃ।
ঋতশ্চ পিতৃরূপ ত্র্যম্বকশ্চ মহেশ্বর ।।১২।।

বৃষাকপিশ্চ শম্ভুশ্চ শম্ভুশ্চ হবনোঽশ্বেরস্তথা। একাদশৈতে প্রথিতারুদ্রাস্ত্রিভুব নশ্বরাঃ।১৩।।
শতমেতৎ সমাম্নাতং শতরুদ্রমহাত্মনাম। অংশো ভগশ্চ মিত্রশ্চ বরুণশ্চ জলেশ্বরঃ ।।১৪।।
তথা ধাতার্যমা চৈব জয়ন্তো ভাস্করস্তথ। ত্বষ্টা পুষা তথৈবেন্দ্রো দ্বাদশোবিষ্ণুরুচ্যতে ।।১৫।।
ইত্যেতে দ্বাদশাদিত্যাঃ কাশ্যপেয়াঃ প্রকীর্তিতাঃ ধরোধ্রুবশ্চ সোমশ্চ সাবিত্রোঽথানিলোঽনল ।।১৬।।
প্রত্যুষশ্চ প্রভাসশ্চ বসবোঽষ্টৌ প্রকীর্ত্তিতাঃ নাসত্যশ্চাপি দস্রশ্চ স্মৃতৌ দ্বাবশ্বিনাবপি ।।১৭।

ঋষিশিংবু হাপ্না হপ্না হপ্না খুরুমজ্জ। খ্বাইদগী কোকোপ্না তোঙাপ্না লৈবা, লাইখিবিক্কী অপোইবা, বর পীমহৈবা পরমেশ্বরবু খুরুমজ্জ। কোকাশিং পানবা শিববু খুরুমজ্জ। নাম লিশিং অম পুবা সহস্রনামধারী ভগবান্ শ্রীজনার্দিনবু খুরুমজ্জ ১১ অজৈকপাদ অহির্বুধ্ন্য, পিনাকী, অপরাজিত, ঋত, পিতৃরূপ ত্র্যম্বক মহেশ্বর বৃষাকপি শম্ভু, হবন, ঈশ্বর,—হায়রিবা অসিমশিং অসি একাদশ রুদ্র হায়না হায়বগনি। রুদ্র তরামারি অসিনা পুম্নমক লৈবা অচৌবা মহাত্মাশিংনি ।।১১-১৩ বেদকী শতরুদ্রিয়গী প্রকরণ মতাং আমাগা মহাত্মা রুদ্রদেবগী নাম চামনি হায়না ই। অদুনা শত রুদ্রিয় হায়রিবসিনি। অদিতিগী মচা নিপাল অসি আদিত্য হায়না অংশ, ভগ, মিত্র, জলেশ্বর, বরুণ, ধাতা, অর্যামা, জয়ন্ত, ভাস্কর, ত্বষ্টা, পূষা, ইন্দ্র, বিষ্ণু মশোয়না ওয়ারীনথোকই অসিনি। মশোয় অসি পুরাণ বিবরণদা কশ্যপকী মচা মরুনি ।। ৪-১৫। বসুশিং অসি মালেমগী অষ্টবসু হায়না খঙনি—ধর, ধ্রুব, সোম সাবিত্র, অনিল, অনল, প্রত্যূষ প্রভাস, মশোয় নিপালশিং অসিনি ১৬ “নাসত্য” অমসুং “দস্র” হায়বা অনীসি অশ্বিনীকুমারগী মিং অনীনি। মখোয় অনীসি ভগবান সূর্য্যদেবগী বীর্য্যদগী পোকপনি। অশ্বরূপধারিনী কৌবী দেবীগী নাসাদগী মতোন্দগী পোকখিবনা নাসত্য কৌখিগনি। পুরমকসি পুরূপ পারগা দেবতা কৃষ্ণ হু দোইনি ১৭।।

* টীকাঃ—তরানিথোইদা অসিগী ঈকে নকোনবদা “বিষ্ণু” হায়বা অমা য়াওরিবসি থারগনি তরাহুমদোই গুই। খ্বাইগী মপু নি অসিনি। মাগী শাযোনগী শক্তিশিং মধ, মপং ওইখিবনি। অহুমপুং অসি হুন্দোকপনি য়াদবনিনা তরাহুমদোই গুখিবনি। অদিতিগী বিষ্ণুনা মচা ওইনা শাস্ত্রখিবগী আদিত্য মমাম হায়জখিবনি। (কালাচাঁদ)

মার্তণ্ডস্যাত্মজাবেতৌ সংজ্ঞানাসাবিনির্গতৌ। অতঃ পরং প্রবক্ষ্যামি লোকানাংকর্মসাক্ষিণঃ॥১৮॥
অপি যজ্ঞস্য বেত্তারো দত্তস্যসুকৃতস্য চ। অদৃশ্যাঃ সর্বভূতেষু পশ্যন্তি ত্রিদশেশ্বরাঃ ॥১৯॥
শুভাশুভানি কর্মাণি মৃত্যুঃকালশ্চ সর্বশঃ। বিশ্বেদেবাঃ পিতৃগণা মূর্তিমন্তস্তপোধনাঃ ॥২০॥
মুনয়শ্চৈব সিদ্ধাশ্চ তপোমোক্ষ পরায়ণাঃ। শুচিস্মিতাঃ কীর্তয়তাং যচ্ছন্তি শুভংনৃণাম্ ॥২১॥
প্রজাপতি কৃতানেতান্ লোকান্ দিব্যান তেজসা। বসন্তি সর্বলোকেষু প্রয়তাঃ সর্বকর্মসু ॥২২॥
প্রাণানা মীশ্বরনেতান কীর্তয়নপ্রযতোনরঃ। ধর্মার্থকামৈর্বিপুলৈঃ যুজ্যতে সহনিত্যশঃ॥২৩॥
লোকাংশ্চ লভতে পুণ্যান্বিশ্বেশ্বরকৃতাঞ্ছুভান্।
এতে দেবাস্ত্রয়স্ত্রিংশৎ সর্বভূতগণেশ্বরাঃ ॥২৪॥

ঐনা অমুক হায়গদৌরিবাসদি, জগৎ অসিদা লৈরিব জীব পুন্নমক্না তৌরিব সবু, জগৎ অসিদা লৈরিবা জীব পুন্নমক্না তৌরিবা কর্মাধিকপু য়েংশিল্লিবা, যাগ যজ্ঞ ধর্ম কর্ম পুন্নমকপু যেংহুনা উহনা লৈরিবা দেবতাশিংগী পরিচয়নি। মথোয় অসে, জীব পানবা (থবায় পানবা) পুন্নমক্না তৌরিবা অকফত্ত-কর্মশিংসিবু য়েংশিল্লুনা লৈ। মখোয়গী মমিংদি— মৃত্যু কাল, বিশ্বদেব, মূর্তি লাইনা লৈবা পিতৃগণ অসিনি, মথোয়সি নত্তনা তপস্বী মুনি, মোক্ষফংনা সদ্ধ মহর্ষিশিং কনা লৈরি। মথোয়দি অগৎকী অচচ্চত্ত পুন্নমকী কান্নবগীগীত য়েংহুনা লৈ। মখোয় সিনা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী নাম-গুণ কীর্তন নচিংনা তৌরিবা মক্কশিংদা শুভ ফল তপীহুনা লৈ ॥১৮-২১॥ প্রজাপতি ব্রহ্মানা শেম্বা লোক পুন্নমকসিদা, ব্রহ্মা মহাক্কী ব্রহ্মতেজ পুহুনা মশামক লৈরিবানি। ঈশেং শেংবা মখোয়দা লোক পুন্নমক্না তৌরিবা কর্মশিং অসিগী আশায় অত্তাম য়েংহুনা লৈরিবানি ॥২২॥ মথোয় অসে প্রাণী (থবায়পানবা) শিংগী থবায় মুংশিংগী স্বামী (মপুমক্তনি। হায়রিবা দেবতাশিং অসিগী গুন কীর্তনবু জ্ঞানতানা তৌরিতৌরিবা মী অদুনা ধর্ম অর্থ কাম অলুম্বক ফংই ॥২৩॥ অমত্ত নত্তনা অচুম্বা মীহু, বিষ্ণুগী য়াথংনা লোক পুন্নমকপু শেম্বা ব্রহ্মামক্কী লোক (ব্র লোক) তা চংই *। হায়ঞ্জিবা দেবতা কুম্বাহুমদোই অসি অচচ্চত্ত জীব খুদিংমক্কী মপু (স্বামী) অমমম ওই। ॥২৪॥

---

* টিকা— "ব্রহ্মলোক" হায়রিবসি মতম অমীন, হায়বদি অর্থ অনী থোক্কি পুই। ব্রহ্মাগী লোক হায়বা। অমা, ব্রহ্মগী লোক হায়বা অমা অনীনি। জীব-ব্রহ্ম অনীগী তত্ত্ব বৈজ্ঞানিক দৃষ্টিদা সাধনা তৌরিবা ব্রহ্ম যোগগীশিংনা পান্নিংসি ব্রহ্মা (প্রজাপতি) গী লোক অদু নত্তে, ব্রহ্মগী লোকনি। ব্রহ্মজ্ঞান হায়রিবসি ব্রহ্মাগী জ্ঞানহু নত্তে। জ্ঞানময় ব্রহ্মা জ্ঞানহুনি। ব্রহ্মাগী সৃষ্টি তৌবগী জ্ঞানদা লুপ থবশিংনা মহাবৈজ্ঞানিক অম ওইনা মর্ত্যলোক্তা পোক্কে। ব্রহ্মগীজ্ঞানদা লু থব মীনা ব্রহ্মজ্ঞানী ওইনা পোকলৈ। নত্তগা ব্রহ্মজ্ঞানময় ওইনা লোকতা চংথি। (কালাচাঁদ)

নন্দীশ্বরো মহাকায়ো গ্রামণীর্বৃষভস্তথা। ঈশ্বরঃ সর্বলোকানাং গণেশ্বরবিনায়কাঃ ॥২৫॥
সৌম্যা রৌদ্রগণাশ্চৈব যোগভূতগণাস্তথা। জ্যোতীংষি সরিতো ব্যোম সুপর্ণঃ পতগেশ্বরঃ ॥২৬॥
পৃথিব্যাং তপসা সিদ্ধাঃ স্থাবরাশ্চ চরাশ্চ হ। হিমবান্ গিরয়ঃ সর্বে চত্বারশ্চ মহার্ণবাঃ ॥২৭॥
ভবস্যানুচরাশ্চৈব হরতুল্যপরাক্রমাঃ। বিষ্ণুর্দেবোঽথ জিষ্ণুশ্চ স্কন্দশ্চাম্বিকয়া সহ ॥২৮॥
কীর্তয়ন্ প্রযতঃ সর্বান্ সর্বপাপৈঃ প্রমুচ্যতে। অতঃ ঊর্ধ্বং প্রবক্ষ্যামি মানবানৃষিসত্তমান ॥২৯॥
যবক্রীতশ্চ রৈভ্যশ্চ অর্বাবসুপরাবসূ। ঔশিজশ্চৈব কক্ষীবান্ বলশ্চাঙ্গিরসঃ সুতঃ ॥৩০॥
ঋষির্মেধাতিথেঃ পুত্রঃ কণ্বো বর্হিষদস্তথা। ব্রহ্মতেজোময়াঃ সর্বে কীর্তিতা লোকভাবনাঃ ॥৩১॥
লভন্তে হি শুভং সর্বে রুদ্রানলবসুপ্রভাঃ। ভুবি কৃত্বা শুভং কর্ম মোদন্তে দিবি দৈবতৈঃ ॥৩২॥

মতৌ অসুমা, নন্দীশ্বর, মহাকায়, গ্রামণী, বৃষভধ্বজ, লোকপুম্বকী জীবশিংগী বিষ্ণু মেথায়ধিপগাই কোকশিন্নুনা গহক পাণ্ডলোকিস্তুবা গনেশ, বিনায়ক, সৌম্যগণ, রুদ্রগণ, যোগগণ, ভূতগণ নক্ষত্রগণ, নদীগণ, আকাশ, পক্ষিরাজ গরুড়, পৃথিবীক ওকিদা তপস্যাগী শক্তিনা সিদ্ধওবরা মহাত্মা, অচং চল্ল জীবশিং, হিমালয়না লৃংবা চৌং পুম্নমক সমুদ্র মরি*, ভগবান্ শঙ্করগী মাঙ্গনা শাক্ত লৈবগী শীশঙ্করগী থেঙলোল্ল ভূতশিং, বিষ্ণু, স্কন্দ, অম্বিকা অসিনচিংবগী নামশুর্বর কীর্তন তৌরিবা মী অদুদি মহাত্মা হেক তোনিবা পাপ পুম্নমকগী কোকই ॥২৫-২৮॥ মত্যলোককী শ্রেষ্ঠ ওইবা মহর্ষিশিংগী নাম অমুক হায়গে তাও। যবক্রীত রৈভ্য, অর্বাবসু, পরাবসু, উশিজগী মচা কক্ষীবান্, অঙ্গিরানন্দন বল, মেধাতিথিগীমচ, ব্রহ্মর্ষি, বর্হিষদ, মথোয়সি ব্রহ্মতেজনগী লোকাপবমক্তনি ॥২৯-৩১॥ মথোয়গী তেজ (মতৌক-মশক মঙ লাইদি, অগ্নিদেব অমসুং বসু দেবতাশিংগীগা চপ মান্নে। মথোয় অসি শুভকর্ম ওক্ত তৌরম্নগা হৌজিক স্বর্গলোকতা, দেবতাশিংগা লোয়নবা লৈ। তৌবগা সুভকর্মশিং মহেং কন্নবা, চাহনা লৈরি ॥৩২॥

---

* টীকাঃ— পৃথিবী (ভূগোল গ্রাব) মপুম অসিদা শরুক মরি থোক্লগী শরুক অহুমনা চাংগা, শরুক অমনা বংফামি। কংফাতগী অশাথবা খা অমসুং খোংথোক নাসলপুম চিকিংগী শরুক লৈবিবশি অসি অরাই সমুদ্র, মথা সমুদ্র, নোংপোক নোংচুপ সমুদ্র মরি অসিতনি। মসি উত্তর সমুদ্র দক্ষিণ সমুদ্র, পূর্বসমুদ্র, পশ্চিম সমুদ্র কৌই। অহুবু কৌজিক্ত এনাক মনাকতা লৈরুবিবা ও কপ থোকপাং অহুমী মিংগী মতুং ইম্না সমুদ্র ঈবম তরেংমি কানবরি। ভারত সমুদ্র, জাপান সমুদ্র, আরব সমুদ্র, প্রশান্ত (ভূমধ্যসমুদ্র (ভূমধ্য সাগর) লোহিতসমুদ্র (লোহিত সাগর), অসিত নত্তনা পীতসাগর, কৃষ্ণসাগর বঙ্গসাগর, অসিনচিংবাশিং অসি মকম মতংগী মতুং ইম্না লৈখ্রি। মপুঙ্গি নরিতানি। অহুনা, সমুদ্র মরি হায়রিবনিনি। (কান্নাচাঁদ)

মহেন্দ্রগুরবঃ সপ্তাচীং বৈদিশগাশ্রিতাঃ। প্রযত্তাঃ কার্ত্তয়ে দেবতাপ্রশক্রং লোকেভাবয়তে ।৩৩।
উন্মুচঃ প্রমুচশ্চৈব স্বস্ত্যাত্রেয়শ্চ বীর্যবান্। দৃঢব্যশ্চোর্ধ্ববাহুশ্চ তৃণসোমাঙ্গিরাস্তথা।।৩৪।।
মিত্রাবরুণয়োঃ পুত্রস্তথাগস্ত্যঃ প্রতাপবান্। ধর্মরাজর্ত্বিজঃ সপ্ত দক্ষিণাং দিশমাশ্রিতাঃ।৩৫।।
দৃঢেয়ুশ্চ ঋতেযুশ্চ পরিব্যাধশ্চ কীর্তিমান্। একতশ্চ দ্বিতশ্চৈব ত্রিতশ্চাদিত্য সংনিভাঃ ।।৩৬।।
অত্রেঃ পুত্রশ্চ ধর্মাত্মা ঋষিঃ সারস্বতস্তথা। বর [illegible] সপ্ত প[illegible] দিশমা শ্রিতাঃ ।।৩৭।।
অত্রি র্বসিষ্ঠো ভগবান্ কশ্যপশ্চ ম[illegible]। গৌতমশ্চ ভরদ্বাজো বিশ্বামিত্রশ্চ কৌশিকঃ।৩৮।
ঋচীক [illegible] জমদগ্নিঃ প্রতা[illegible] [illegible] রবঃ [illegible] উত্তরাশ্রিতঃ।৩৯
অপরে [illegible] দিক্ষু [illegible] কীর্তিব [illegible] কীর্তিতা লোকভাবনা ।।৪০।।
ধর্মঃ কা[illegible] [illegible] শঙ্খ [illegible] ধরা. ৪১
রামো ব্যাসস্তথা দ্রোণিরশ্বত্থা[illegible] [illegible] তপনো [illegible] সপ্তসপ্তথা।৪২।

মহেন্দ্র (ইন্দ্র)গা গু[illegible] [illegible]র্ষি) না [illegible] মা[illegible] [illegible] ময়পূর্বী [illegible] মযোযগী গুণ কীর্ত্তন তৌবা নাম [illegible] (দে[illegible]) [illegible] ৩৩ উন্মুচ প্রমুচ [illegible]রবা স্বস্ত্যাত্রেয়, দৃঢব্য, ঊর্ধ্ববাহু, তৃণসোমাঙ্গিরা, অগস্ত্য [illegible] বরুণগী [illegible] অ[illegible] [illegible] ধর্মরাজ (যমরাজ)গী ঋত্বিকনি। যাগযজ্ঞ [illegible] ৩৪ ৩৫। দৃঢেয় কীর্তিমান্ পরিব্যাধ, সূর্যসমী [illegible] ধ[illegible] মচা সারস্বতগনি তরেৎ অসিনা বরুণগী ঋত্বি[illegible] [illegible] ৩৬ ৩৭ [illegible] এ, ভগবান বশিষ্ঠ মহর্ষি কশ্যপ, গৌতম[illegible] ভরদ্বাজ, [illegible] প্রতাপ[illegible] [illegible] অত্রিগী [illegible]ক [illegible] জমদগ্নি তরেৎ অসিনা [illegible] ঋষি [illegible] ৩৮ ৩৯। ছায়ান্ন-বশিং অসি [illegible]বা মহর্ষি তরে[illegible] [illegible] পুষ্ম [illegible] তয়াদা লৈ। মযোযদি ম[illegible] পূ[illegible] [illegible] ছায়াপ্রবা ঋষিশিং [illegible] [illegible] সপ[illegible] ৬।৪০। ধর্ম [illegible], বসু বাসুকি, অ[illegible] [illegible] সবু[illegible]রণ [illegible] (পুত্রম। লৈরিবনি। মথোযসে পৃথিবী[illegible] পু[illegible] লৈবা [illegible] ৭১। [illegible] ব্যাস, দ্রোণগী মচা অশ্বত্থামা অহুগা লোমশ হ[illegible] মরিস্ম দিব্য [illegible] অন[illegible] ঋষি তর[illegible] মতীক মগুণদা চপ মাস্কুনা লৈরবনি ।।৪২।।

*টীকাঃ— গৌতম হাযমিবা খৃষ্টনা গওনবিধা গৌতম বুদ্ধ অহু ন[illegible]। (কালাচাঁদ)

ধৌম্য ধ্রুবকবালোশ্চ দিশাং পালাঃ প্রকীর্তিতাঃ । যস্যাং দিশি ভবেতে তস্যাং মুখঃ শরণং ব্রজেৎ ॥৪৩॥
প্রজ্ঞাঃ সর্বভূতানাং কীর্তিতা লোকপাবনাঃ । সম্বর্তো মেরুসাবর্ণো মার্কণ্ডেয়শ্চ ধার্মিকঃ ॥৪৪॥
সাংখ্যযোগৌ নারদশ্চ দুর্বাসাশ্চ মহানৃষিঃ । অত্যন্ততপসো দান্তাস্ত্রিষু লোকেষু বিশ্রুতাঃ ॥৪৫॥

অপরে রুদ্রসঙ্কাশাঃ কীর্তিতা ব্রহ্মলৌকিকাঃ ।
অপুত্রো লভতে পুত্রং দরিদ্রো লভতে ধনম্ ॥৪৬॥
তথা ধর্মার্থকামেষু সিদ্ধিং চ লভতে নরঃ ।

হৌরিবা নমশিন জগতা শান্ত অমদি মঙ্গলবু বিস্তার তৌহ্নবা (শান্তকুনা) মায়পাকপশি সিবু ভাবপা, তিনমক ওইহ্নবা ঐরাবতকী ভাক্তি, মকৈ চংলবা নিংখা মান মান চংকদবা মায়পাক অহু অহুগী লৈকাদা ওইরিবাশি অমামল, মহাক থেন শন্দুনা স্তুতি তৌহ্নবা আশ্রয় লৌগদবনি ৪৩। মথোয় শি শাস্ত্র, ভূত জীবশিংগী স্রষ্টা (মহেশ্বর) অমসিং লোক পুম্নমক পালন তৌবা লোকপাল দিকপাল লোকপাবন লোক পুম্নমকপু অংলোকপা জ্ঞানমি হায়রিবা সম্বর্ত মেরুসাবর্ণি, ধর্মাত্মা ওইরবা মার্কণ্ডেয়, সাংখ্য যোগ নং, নারদ, মহর্ষি দুর্বাসা হায়রিবা তরেৎ ঋষি মাসা তেঙ্গৈলবা তপস্বী অমসুং জিতেন্দ্রিয় (নিংথৌ চনবা) ওইবা লোক অহুমদা প্রসিদ্ধ ওইরবনি ।৪৪-৪৫ মথোয়সি নত্তব, অপুং থুগা মহক্না রুদ্র নৈরব মশি শৈতে। মৈ ঠৈ শ্রি। মথোয়গী নাম গুণ শকথোকন-বতনা পুত্র লৈতবা মীনা মচা ফংই। মাগানবু ফংবনা দরিদ্রনা শেন ফংই। মথোয়গী নামগুণবু কনবিবা শকথোক্লিব মীনা ধর্ম অর্থ কাম সিদ্ধির ফংই।৪৬। মথোয়গী নামগুণবু নিনবিবা শকথোক্লিব মীহু ধর্ম অর্থ কাম সিদ্ধির ফংই।

---

* টীকা: গীতা অনীশুবা অধ্যায় "সাংখ্যযোগ" কৌই। অমাম্না অধ্যায় অসিবু জ্ঞানযোগ সন্ন্যাসযোগনি হায়না অমনা গীতাদা কোতাম্ব। "সন্ন্যাসযোগ-জ্ঞানযোগ কৌবা অধ্যায় অমমুক লৈরে হায়। অসিগী মখক্তা গীতাগী অধ্যায় খুদিংগী মিংদা "যোগ" হায়বসি ইপল হেক পল্লে। ভীষ্মনা যুধিষ্ঠিরদা তাকহনবা মতমদা সংখ্য হায়বা। "যোগ" হায়বসি মহর্ষি অনীগী তোঙান তোঙানবা মিং ওইনা হায়রি। মাসিনা, মসি মনা ফংবনা সাংখ্য মুনিনা লৌলোকপদগী সাংখ্য যোগ হায়রিব্রা ? "যোগ" মহর্ষিহুনা লৌলোক পুথক্লগী যোগ যাগ হায়নথিরবরা ? অসিনি। অমরোমদনা সাংখ্য যোগ হায়নাস কপিলাচার্য্য (কপিলমুনি)নি পুথোক্লমনিস্ত হায়রি। অহুনা সংখ্য (মশী)গী তত্ত্ববিচারদগী পোক্কপ জ্ঞান (বিজ্ঞান) অহুনি হায়না লৌবদা য়ানা লৈ। গীতাদনা ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা "সাংখ্যযোগৌ পৃথগ বালাঃ" হায়না। তাকপিরি সাংখ্য (বাদোক) । যোগ (তিনবা) অনীসি তোঙান তোঙান্নি হায়-বসি অশ্রাংগী মরানি হায়রি। (কালাচাঁদ)

পৃথুং বৈন্যং নৃপবরং পৃথ্বীং যস্যাভবৎ সুতা ॥৪৭

প্রজাপতিং সার্বভৌমং কীর্তয়েৎ বসুধাধিপম্। আদিত্যবংশপ্রভবং মহেন্দ্রসমবিক্রমম্ ॥৪৮॥

পুরুরবসমৈলং চ ত্রিষু লোকেষু বিশ্রুতম্। বুধস্য দয়িতং পুত্রং কীর্তয়েৎ বসুধাধিপম্ ॥৪৯॥

ত্রিলোকবিশ্রুতং বীরং ভরতং চ প্রকীর্তয়েৎ। গবাময়েন যজ্ঞেন যেনেষ্টং বৈ কৃতে যুগে ॥৫০॥

রন্তিদেবং মহাদেবং কীর্তয়েৎ পরমদ্যুতিম্। বিশ্বজিৎতপসোপেতং লক্ষণ্যং লোকপূজিতম্ ॥৫১॥

তথা শ্বেতং চ রাজর্ষিং কীর্তয়েৎ পরমদ্যুতিম্। সগরস্যাত্মজা যেন প্লাবিতাস্তারিতাস্তথা ॥৫২॥

বেনগী মচা নখোং, মহাক্না পৃথ্বী (পৃথু+ঈ)বু মচানুপী ওইনা পুখোকখিবা অদুগা মহাক্না মিংদগী পাম্বী পৌখ। পাখিদা পৃথ্বী সার্বভৌম, সম্রাট ওইখিবা পৃথু মহারাজগী নামগুণবুসু কীর্তন তৌগদবনি। * ।৪৭। সূর্য বংশদা পোকখিবা, দেবরাজ ইন্দ্রগা মান্নবা শক্তি পরাক্রমলৈবা বুধ লাই পামীগী মচা পুরুরবা, অমসুং রাজর্ষিদুগী নামগুণবু কীর্তন তৌগদবনি ॥৪৮ ৪৯॥ মহোম অহুমদা ফাওবা, মহক্কী নামনা ভারতবর্ষ কৌখিবা, অতুগুম্বা ভরতকী নামবু কীর্তন তৌগদবনি। মহাক্না সত্যযুগতা গবাময় কৌবা যজ্ঞবু অনুষ্ঠান তৌখি। বিশ্বব্রহ্মাণ্ডবু জয় তৌদুনা তপস্যাবু তৌখিবা, মী-শিবা লক্ষণ পুরম্বা, তেজকল্লবা রন্তিদেবগী নামবু কীর্তন তৌগদৌবনি ।৫০ ৫১। সগরগী থোংগী মচাশিং বু মন্দাকিনী গঙ্গাগী ঈশিংদা লুহনদুনা চামহোংদুনা শিত্থরম্বা উদ্ধার তৌখিবা অহুমদা* রাজর্ষি শ্বেত ভগীরথগী নাম গুণবু শক লোনগদবনি।৫২।

* টীকা: — পাখিনা লানৌদা যদ্রবা বেনগী মচা মক্কু প্র .... (মৈথুনা মরু) বেনগী মনাদগী থোকখিদবা মচানুবু পৃথু হায়না খাই। পৃথু শব্দদগী "পৃথিবী" হায়বা শব্দ হৌদোকপনি মতম লৈবা গোকাইবা পুরুষ, ধর্মপ্রচারক, মক্কুনি মখোয়, লাম ... পৃথুগী নাম গুণ কীর্তন তৌগদবনি হায়বনি অচুম্বনি। অতুবু মথানা অদুগা চন্দ্রবংশ। পৃথিবী সিগুম্বা পীক্ক পীক্ক পীক্কবা গ্রহনক্ষত্র তারা অসিনচিংববু মাগী মমুংদা চংশিল্লিবা বিষ্ণু বিশ্ব বৌক ...। মাগী মিথৈ শিংবু একশোল্লিবা রাজবিশিং অসিগী নামগুণ কীর্তন তৌকদবা থোকপ্রা থাল্লি। (কালাচাঁদ)

* টীকা: রাজর্ষিশ্বেত ভগীরথ হায়বস খাংগৈশোংবা বিংদি "শ্বেত" হায়রিবসিনি। "ভগীরথ"না উপাধিগুম্বন। অতুবু খ্বাইনা থত্তবখিবদি নিংথৌ ভগীরথ হায়রিবনি। মহাক্না মন্দাকিনীবু পুথরকপদগী গঙ্গান হৌরককবা ভাগীরথী গঙ্গা হায়নখিবসিনি তুরেলসিনা তকমবু শ্বেতগঙ্গা হায়ন শক শোয়রি। (কালাচাঁদ)

ছত্তশনসমানেতান্ মহাত্মণান্ মহৌজসঃ। উগ্রকামান্ মহাসত্ত্বান্ কীর্ত্তয়েৎ কীর্ত্তিবর্দ্ধনান্ ॥৫৩॥
দেবান্ ঋষিগণাংশ্চৈব লোকাংশ্চ জগতীশ্বরান্। সাংখ্যং যোগং চ পরমং তথা কর্ম তথৈব চ ॥৫৪॥
কীর্ত্তিতং পরমং ব্রহ্ম সর্বশ্রুতিপরায়ণম্। মঙ্গলং সর্বভূতানাং পবিত্রং বহুকীর্ত্তিতম্ ॥৫৫॥
ব্যাধিপ্রশমনং শ্রেষ্ঠং পৌষ্টিকং সর্বকর্মনাম্। প্রযতঃ কীর্ত্তয়েচ্চৈতান্ কল্যং সায়ং চ ভারত ॥৫৬॥
এতেবৈ শান্তি কুর্বন্তি ভর্ত্তারো বর্ষন্তি সৃজন্তি চ। এতে বিনায়কাঃ দক্ষাঃ শান্তাঃ জিতেন্দ্রিয়াঃ ॥৫৭॥
নরাণামশুভং সর্বং ব্যপোহন্তি প্রকীর্ত্তিতাঃ। সাক্ষিভূতা মহাত্মানঃ পাপস্য সুকৃতস্য চ ॥৫৮॥

হায়রিবা নিংদোংশিসে মৈনি মতৌগুম তেজ কল্লবা, মশক মতৌ শাওংশাদা ফজরবা, মতীক মগুণ লৈরবা মশা মশাগী লেঙ্গুম্লবা মিংচৎপু থনম্নব ভাক্তনি। মথোয়গী নামগুণবু শককম নীঙশিংকম থেককুঁ। ৫৩ দেবতাশিংগী ঋষিশিংগী, পৃথিবীবু শাসনগা লোয়মনা শাসন তৌরম্ব নিংথৌশিংগী নাম গুণ কীর্ত্তন তৌগদবনি। সাংখ্যযোগ কর্ম ক্রিয়া (যাগ যজ্ঞ) অমসুং শ্রুতিস্মৃতিনচি বা শাস্ত্র পুম্নমক্কী অর্থ ওইরবা, হায়বদি মহাক্কী দমক্তা, মহাকপু শিননবগী দমক্তা, হায়রিবা বেদশাস্ত্রশিং অশিনা লৈপ্রিবা ভগবান্ পরমাত্মা শ্রীনারায়ণ মাপুগী নাম গুণবু শকশোনবা অমদি তাহনবা হায়বসি সংসারদা লৈবা জীববুম্নক্কী মহা মঙ্গলগী মশকনি। অসুম হায়রনা শকশোনবসিনা পাপ তাপ রোগ পুম্নমক কোকই। তৌরু তৌকুনা পুঙক পুম্নক চংনাংনা ফজনগী মশকত ওই। ভারত। যুধিষ্ঠির। নুমিৎ থুনি গী প্রাত দা সায় মতম। থম্মোয় চংচা তরেং তনা নমহুনা শ্রীভগবান্ নারায়ণগী গুণকীর্ত্তন তৌবগা লোয়নন লোয়ননা ব্রহ্মর্ষি মহর্ষি শিগী গুণ কীর্ত্তনসু তৌগদবনি। ৫৪-৫৬। দেবতাশিংনা মচাক ফুনবিদুনা জগৎসিবু চাক পিবা অমসুং নোংচানা ইশিং চুথহনবা, মঙাল মৈশা মুংশিংনচি বা পীবিরক্তনা প্রজাগী সৃষ্টি তৌরি। মখেই। মথোয়সে জিতেন্দ্রিয় মক্তনি *। ৫৭॥ মহাত্মা ওইরবশিসিনা তাইবং জীবশিং সিনা তৌরিবা সাক্ষা ওইদুনা লৈরিবনি। লোম্ব পুম্বা কোংনা তৌথিবা থবক মথৌব উদুনা লৈরিবা সাক্ষী ওইরিব মখাদা চঙজরদা তৌথিরতৌথিবা পাপ কর্মশিংগী লোবক্ত কোবশিদুনা, অমঙ্গলশিংদু কোকপিদুনা, মঙ্গল ওইবা ফংহনগনি ॥৫৮॥

---

* টীকাঃ— লোংমদোনথক্কী আধিভৌতিক দেবতাশিংসিনা মূলপ্রকৃতি (ম্লো কেটিরিংক)শিং পীবিরকত্রবদি তাইবংগী বৈজ্ঞানিকশিংনা করিগুম্বা পোচ্চে শাহনিংবদা থুংথাবা সুকনা য়ারম্মোইদবনি। নফুদা ঈম ঈশিং মুংশিং পোকহনবনা করিগুম্বা থৌ বা য়ারোই। থুমক থুমক্তা নীংথাম্বরক্তুনা মরাবা থুদো শিবতম অহুম ফমরিরিসিনা। নোংশিনচিংবু মতম চানা চুথহনরুবগী থুংলায় শানা তৈরবদি লৈপাক্তা চাক তাংবনাচবসি পোকহনদবা য়াবন। অদুনা মৈ ঈশিং নুংশিংসি থোকহনদবা য়াবনি। অদুনা মৈ ঈশিং মুংশিংনচিংবদা শক্তি পীরিবা শক্তিমান ওইবশিংবু থুমমগদবনি। (কালাচাঁদ)

এতানেব কথামুখায় কীর্ত্তয়ঞ্ছুভমশ্নুতে। নাগ্নি চৌরভয়ং তস্মান মার্গপ্রভৃতি রোধনম্ ।৫৯।
এতান্‌কীর্ত্তয়তাং নিত্যং দুঃস্বপ্নো নশ্যতে নৃণাম্। মুচ্যতে সর্বপাপেভ্যঃ স্বস্তিমাংশ্চ গৃহান্ ব্রজেৎ।৬০।
দীক্ষাকালেষু সর্ব্বেষু য পঠেন্নিয়তো দ্বিজ। ন্যায়বানাত্মনিরতঃ ক্ষান্তো দান্তোঽনসূয়কঃ ॥৬১॥
রোগার্ত্তো ব্যাধিযুক্তো বা পঠন্ পাপাৎপ্রমুচ্যতে। বাস্তুমধ্যে তু পঠতঃ কুলে স্বস্ত্যয়নং ভবেৎ।।৬২।।
ক্ষেত্রমধ্যে তু পঠতঃ সর্বং সস্যং প্ররোহতে। গচ্ছত ক্ষেমমধ্বানং গ্রামান্তরগতঃ পঠন্।৬৩।
আত্মাঞ্চ সুতানাং চ দারাণাং চ ধনস্যচ বীজানামোষধীনাং চ রক্ষামেতাং প্রয়োজয়েৎ ॥৬৪॥
এতান্ সংগ্রামকালেতু পঠতঃ ক্ষত্রিয়স্য তু। ব্রজন্তি রিপবোনাশংক্ষেমং চ পারর্ত্তত ।৬৫।

হায়রিবা মহাঋষিশিং অসে তাইবং মীনা কেন্না লোয়না তৌখিবা তৌরিবা কর্ম পুম্নমক অদিবু মমীং থীংনা উত্নবা সাক্ষী ওইনা ভগবানদা হিচোর হায়বা শঙ্গলা চোংথোরকখিনি। মথোয়দা হায় চৌজিক্কা চঙ্গহৌরবাদ অমঙ্গল ওইবা মপোক জীবসনা চঙ্গরোই নরকতা তাররোই হায়রবাদি তাল কাওগী শা উচেক্কা ময়াক্কা চোক্কভরোই। অয়ুক খুংথন্দা আহংদা মথোয়গী নামবু শক শোনজ-দোবনা অহুম তৌরবদি মৈহৌ শাংলোক হুরানবা ইত্থিলচিবা অয়াবা কুর অমতা লৈরোই কওব বাশ হুনা লাক্লবগী লম্বীদা মথোয়না অহুম থিংলগনি।৫৯।। মুমৎ খুদিংগী ভুমদাইদা মথোয়বু নীংশিং নীংশিংদুনা মথোয়গী নামবু শোন্দুনা তুম্বরবাদ ফত্তবা মঙ (দুঃস্বপ্ন) করিবত মঙভরেদরই। মঙলবসু দুঃস্বপ্নগী দোষ লাইনা কোক্লগনি। পাপ পুম্নমক্কী কোকনা য়ুমদা নুংঙাইনা মঙ্গল ওইনা লৈগনি ৬০। কার কারগুম্বা শুভ কর্মগী দীক্ষা লৌরক লৌরকপগী মতমদা অহুগুম্বা দ্বিজ (ব্রাহ্মণ ক্ষাত্রিয় বৈশ্য) না হয়াঅবা মহর্ষি অমদি দেবতাশিংগী নাম গুণবু পাঠ তৌরবদি মহাক অহু অচুম চুম-দগী ন্যায়তর্কবিচারদা য়াম্না চঙখোনবা, অশ্মগী তত্ত্ব বিচারদা পুক্কাং লুপ্পা, মীগী দোষ অরানবা ভাক পীহৈবা, ইন্দ্রিয় খুহুম চংবা, মীগী লোনগী মায়গেতদা য়েংশিল্লুদনা তৌরবা অমবা থবক অহুগী মায়গে ভা য়েংবিবা মাশক ওই।৬১।। মশাদা রোগ (লায়না) লেংনা পাঠ তৌরবদি লায়না অহুদগী কোক্কুনা নীরোগ (অরা অনা লৈতবা) ওই। মাসিবু পাঠ তৌরবা য়ুম অসিদা লৈবা মী পুম্বা মঙ্গল ওইনা লৈবা ফংগনি।।৬২।। লৌবুক্তা লাঙ্গল পায়না পায়না থবক তৌনা তৌনা শক শোল্লবসু লবুক অহুদা থারিবা হুল্লিবা পুম্বা মহৈ মরোং চুপ্পি। খুমদা খুদা লৈরিবা মতমদা শোল্লবদি চথোক শোত্তোকপা মতমদা মঙ্গলগী মশকতা ওই ।।৬৩।। মচানুপশিংগী পুন্না অঙাংগী লুহুংবগী লৌরী ই থোলগী রক্ষাগী দমক দনা য়েক্কনা লেংলবদি দমক হায়রবা নামশিং আস শক শোনগদবনি।৬৪।। শা শলগীদমক থোঙ শানবা মতমদসু নামশিং অসি নীংশিংলবাদ শক শোল্লবাদ লান্দা মায় পাকপা ফংগনি। য়েক্রবা অমত মমাং লেপ্পা ভন্থোই চেনখিগনি।৬৫।।

• টীকাঃ— লাইশিংদা কংনবনা হব্য কৌই। পিতৃলোকতা কংননবনা কব্য কৌই। (কালাচাঁদ)

এতানদৈব চ পিত্র্যে চ পঠতঃ পুরুষস্য হি। ভক্ষন্তে পিতরঃ কব্যং হব্যং চ ত্রিদিবৌকসঃ* ॥৬৬॥
ন ব্যাধিশ্বাপদভয়ং ন দ্বিপান্নহি তস্করাৎ। কশ্মলং লঘুতাংযাতি পাপমনা চপ্রমুচ্যতে ॥৬৭॥
যানপাত্রে চ যানে চ প্রবাসে রাজবেশ্মনি। পরাং সিদ্ধিমবাপ্নোতি সাবিত্রীং হ্যুত্তমাং পঠন্ ॥৬৮॥
ন চ রাজভয়ংতেষাং ন পিশাচান্ন রাক্ষসাৎ। নাগ্ন্যম্বুপবন ব্যালাৎ ভয়ং তস্যোপজায়তে ॥৬৯॥
চতুর্ণামপিবর্ণানামশ্রমস্য বিশেষতঃ। করোতি সততং শান্তিং সাবিত্রীমুত্তমাং পাঠন্। ৭০॥
নাগ্নির্দহতি কাষ্ঠানি গায়ত্রী যত্রপঠ্যতে। ন তত্র বালো ম্রিয়তে ন চ তিষ্ঠন্তি পন্নগাঃ ॥৭১॥

দেবযজ্ঞদা, পিতৃমেধ যজ্ঞদা (শ্রাদ্ধ কর্মদা) শোল্লবা দেবতাশিংনা হব্য অহু. অদুগা পিতৃলোক (পিতর) পিতৃবর্গ প্রেতশিংদা কংলিবা কব্য অহু, চয়াওনা লৌই ॥৬৬॥ অসুম্না মহর্ষি দেবতাশিংগী নামগুণবু কীর্ত্তন তৌরিবশিংদুনা লৈবমফমদা করিগুম্বা রোগ (লায়না), হিংসা তৌবা শা ভাগী মফম দগী করিগুম্বা অকি অথংবা অমত লৈরোই। লমশা, শামূনচিংবা অদুগা হুরানবা লুট তৌবাশিংগী মফম দগী লাকদবা অত্যাচার দুর্ঘটনা অমত লৈরোই। অরাবা, পাপ কর্মগী ফল পুম্নমক্কগী নাস্থোকনি ॥৬৭॥ ঈশিংদা জহাজ হীনাংবা তোংদুনা চৎপা মতমদা, লংফেদবা বিচশদা চৎপা মতমদা অদুগা রাজসভাদা (দরবারদা) লৈদা চৎপা মতমদা পুক্কীংদা গায়ত্রী মন্ত্রব শোম্দুনা হুম লৈরবদি, চংলিবা তৌরিবা থবক পুম্নমক অদুদা মতৈয়ানব, মায়পাকপা সিদ্ধি ফংবা হায়বদু লৈ। ৬৮। গায়ত্রী মন্ত্রবু মন্ত্রবু জপ তৌরিবা মী (ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়-শূদ্রদুগী) মফমদা নিংথৌগী হিংচায়াইশিংগী মীগী লাংপোক্কী মফমদগী অকি অথংবা লাকলোই। ৬৯। গায়ত্রী মন্ত্রবু শাল্লিবা বর্ণ মরীগী মী অমত্তন অদুগা আশ্রম মরিদা (ব্রহ্মচারী গৃহস্থ বানপ্রস্থ সন্ন্যাস আশ্রমদা) লৈরিবা মীদুদা শান্তনা লৈহনা লৈগনি * ।৭০॥ গায়ত্রী মন্ত্রবু তত্তনা জপ তৌরিবা মুমদগী যোঙ মীদুথোঙনচিংবদা মৈহৌরকপা, মৈ নায়বা চাকপনচিবা করিমত লৈরোই। ঈমুং দুগী করিগুম্বা মী অঙাং অমতগী চৎবী মতম গাদনা শিবা নাবা লাকলোই। যুম অদুদা মদুপুম লিলন-জীব অমত চত্তুকপা ওন্নোই ৭১॥

---

* টীকাঃ— বেদবিধিগী মতুং ইন্নদি গায়ত্রী মন্ত্রবু শোম্বগী অধিকার অসি দ্বিজগী (ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য বর্ণ অহুমসিগীতদা লৈ। অদুবু, মফম অসিদা শূদ্র য়াওনা বর্ণ মরিমক্কী মীনা শোমব য়াবগী মওংদা হায়রি। মসিগী মমুংগী ভাবতি আরাবা খুদোংথিবা থোক্কনবগীদমকতা ভগবান্‌দা হায়জবা অরাবদু ভাকথোক্লা শোনবা মন্ত্র-যন্ত্র অসিদি তাইবং মী খুদিংমক্না তৌগদবনি হায়না ভীমনা তাক্লিবসি য়াম্না পূক-চেল চাউবগী রাকমনি। ঈশিংদা ইরক্কিরবা, মৈনুংদা তারবা শূদ্র অমনা হরে কৃষ্ণহেরে, কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হ.র……… হায়না শোন্নাংঙকপদা ঐদি শূদ্রান হরিনাম শোনবা য়াদ হায়না খনবা থক য়ারোই। তাইবং মী খুদিংমক্না অরাবা খুদোংথিবদা ভগবান্ শ্রীহরিবু কৌদুনা হায়জবদা মীদি লায়রদনা শা উচেক কাওবগী অধিকার লৈগদবনি। (কালাচাঁদ)

ন তেষাং বিদ্যতে দুঃখং গচ্ছন্তি পরমাং গতিম্। যে শৃণ্বন্তি মহদ্‌ব্রহ্ম সাবিত্রীগুণ কীর্তনম্ ।৭২।
গবাং মধ্যে তু পঠতো গাবোঽস্য বহুবৎসলাঃ। প্রস্থানে বা প্রবাসে বা সর্বাবস্থাং গতঃ পঠেৎ ।৭৩।
জপতাং জুহ্বতাং চৈব নিত্যং চ প্রযতাত্মনাম্। ঋষীণাং পরমং জপ্যং গুহ্যমেতন্নরাধিপ ।।৭৪।।
যথাতথ্যেন সিদ্ধস্য ইতিহাসং পুরাতনম্। পরাশরমতং দিব্যং শক্রায় কথিতং পুরা ।৭৫।
তদেতত্তে সমাখ্যাতং তথ্যং ব্রহ্ম সনাতনম্। হৃদয়ং সর্বভূতানাং শ্রুতিরেষা সনাতনী ।৭৬।
সোমাদিত্যান্বয়াঃ সর্বে রাঘবাঃ কুরবস্তথা। পঠন্তি শুচয়ো নিত্যং সাবিত্রীং প্রাণিনাং গতিম্ ।।৭৭।
অভ্যাসে নিত্যং দেবানাং সপ্তর্ষীণাং ধ্রুবস্য চ। মোক্ষণং সর্বকৃচ্ছ্রাণাং মোচয়ত্যশুভাৎ সদা ।।৭৮।।

বৃদ্ধৈঃ কাশ্যপগৌতমপ্রভৃতিভির্ভৃগ্বঙ্গিরোঽত্র্যাদিভিঃ।
শুক্রাগস্ত্যবৃহস্পতিপ্রভৃতিভির্ব্রহ্মর্ষিভিঃ সেবিতম্ ।।৭৯।।

গায়ত্রী মন্ত্রগী তত্ত্ববু তারিবা মৈনারবা মফমদুদা করিগুম্বা অরা অমা অমত থোকলোই। মৈনদিবা মীতুগী হকচাংমুংদা লৈবা আত্মাগী হকচাংক্তু থাদোক্তুনা চৎলগা পরমাত্মাগী গতিবু পরমগতি পরমধামবু ফংগনি।৭২। শনশংদা শন্নী শমা ও মরমক্তা গায়ত্রী মন্ত্রবু জপ তৌববা শনীগী (গোমাতাগী) মচমদগী থাংসলা প্রেমগী মাত্রা য়াম্না হেনগনি। লংকৈ চংলা যাত্রা তৌবা মতমদা গায়ত্রী মন্ত্রবু হেক হেক শোনগদবনি ।।৭৩। গায়ত্রী মন্ত্রসে শুদ্ধ চিত্ত ওইনা য়াম্না পূক্নীংশেং না শোনগদবনি। ঋষিশিংগী য়াম্না লোম্না পুপ্না থমজবা মন্ত্রনি ।।৭৪।। রাজন্ম অসি পরমসিদ্ধি ফংলবা বেদব্যাস মশামক্তা হায়রম্বনি। য়াম্না কুইরবা ইতিহাসগী মানি। মন্ত্রাসগী মঙ্গদা পরাশর মুনিনা অকুপ্পা পুপ্লবা রাজমনু ফংহনা লৈপ্রবনি। অদুগা মমাইদগী দেবরাজ ইন্দ্রদা তম্বিখিবা মন্ত্রনি।৭৫। মন্ত্র অসে, নক্তোন্দা হায়রে। গায়ত্রী মন্ত্র হায়রবসে সত্যনি সনাতন (মতম পুম্বদা লৈরগদবা) নি। সনাতন ব্রহ্মস্বরূপনি মন্ত্র অসে অচচরর জীব পুম্নমক্কী থম্মোয়দা লৈবনি। অদুনা জীব পুম্নমক্কী থম্মোয়নক্নি। সনাতন ওইবা শ্রুতিনি ।৭৬। চন্দ্র দেবতা, সূর্য্য দেবতা অদুগা মত্ত্য লোকী রঘু, কুরুবংশদা পোকখিবা রাজর্ষি পুম্নমক্কা শোনখিবনি হৌ-ভিক্ক কাওবা মখং মথং শোন্থনরক্নি। গায়ত্রী মন্ত্রসে প্রাণী পুম্নমক্কী পরমগতিনি ।।৭৭।। দেবতাশিংগী, ঋষিশিংগী, সপ্তর্ষিগী ধ্রুবগী মিংশংশিবু অমুমুক নিংশিংলবদি, অবাবা থুদোংখিবা পুম্নমক্কগী কাস্তোকই। মথায়গী নাম কীর্তনগী পাম্বৈনা অশুভ-পাপ কর্মগী পুম্নমক্কগী লাস্তোকপা ফংভি ।।৭৮।। কাশ্যপ, গৌতম ভৃগু, অঙ্গিরা অত্রি, শুক্র, অগস্ত্য অমসুং বৃহস্পতি অসিনচিংবা মহর্ষি দেবর্ষিশিংনা গায়ত্রী মন্ত্রবু তত্তনা সেবন তৌখিবনি। মহর্ষি ভরদ্বাজনা পূক্নীং চঙনা উচ্চারণশিংনা মন্ত্রসিবু পাঠ তৌখিবনি। অর্থবুসু পূক্নীংনা তত্তনা লৈনখিবনি। গায়ত্রী মন্ত্র অসিবু ঋচীকক্কী মচাশিংনা ভরদ্বাজগী ফংখিবনি। ইন্দ্রনচিং বা বসুদেবতাশিংনা বসিষ্ঠদগী সাবিত্রী মন্ত্রবু ফংহনা মন্ত্রসিগী পাম্বৈনা মথোয়না দৈত্যদানবশিংবু মায়থিবা পীখি ।।৭৯।।

ভারদ্বাজমতমৃচীক তনয়ৈঃ প্রাপ্তং বসিষ্ঠাৎ পুনঃ।
সাবিত্রী মধিগম্য শক্রবসুভিঃ কৃৎস্না জিতা দানবাঃ।
যো গোশতং কনক শৃঙ্গময়ং দদাতি, বিপ্রায়বেদবিদ্ যে চ বহুশ্রুতায়।
দিব্যাং চ ভারতকথাং কথয়েচ্চনিত্যং তুল্যং ফলং ভবতি তস্য চ তস্যচৈব ।৮০।
ধর্মো বিবর্দ্ধতি ভৃগোঃপরিকীর্তনেন বীর্য্যংবিবর্ধতি বসিষ্ঠনমোনতেন।
সংগ্রামজিৎভবতিচৈ রঘু নমসান্ স্যাদশ্বিনৌ চ পরিকীর্তয়তো ন রোগঃ।৮১।
এষাতে কথিতারাজন্ সাবিত্রী ব্রহ্ম শাশ্বতী। বিবক্ষুরসি যচ্চান্যং তত্তে বক্ষ্যামি ভারত।৮২।
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসহস্রসংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং অনুশাসনপর্বণি দানধর্মপর্বণি সবিত্রীব্রতো নাম পঞ্চাশদধিক শততমোঽধ্যায়ঃ। X । X ।

বিদ্যাবান্ ওইরা জানীরা মনদা বটী-সনারোষ্মী শরী চামবু দান তৌবগী মহৈ অদুগা দিবা ওইবা মহাভারতকী কথাবু হুমিং খুদিংগী প্রচবন (ব্যাখ্যা) তৌবগী মহৈহুগা চপ মান্নবা মহৈহু গায়ত্রীমন্ত্রগী পাঠ তনা করবা ঙম্মি।৮০। ভৃগুগী নাম লোয়নদি ধর্মবুদ্ধিগী বৃদ্ধি ওই। বসিষ্ঠবু নমিগা কোম্নবা নমস্কার তৌরবদি বীর্য্যগী বৃদ্ধি ওই। নিংথৌ রঘুগী খুবক্সয়বদি ক্ষত্রিয়না লালকম খুদিংদা জয় ওইবা ঙম্মি। অশ্বিনী কুমারগী নামবু মীংশিংলবদি লোয়নবদি হকচাংদা করিগুম্বা মওংগী রোগ (লায়না) অংকন্নবা লাক্তে।৮১। নিংথৌ যুধিষ্ঠির! ব্রহ্মরূপ সনাতন গায়ত্রীগী মাহাত্ম্যসি ঐনা নঙোন্দা হায়রবনি। নহাক তৌজিক অতোপ্পা কবি অমমুক ঐঙোন্দগী তানীংবনি। হায়বু তাক্হনগে।৮২।

মক্কম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা শেমবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বদা, সাবিত্রী ব্রতগী মহিমাগী বর্ণন তৌবা চামমাঙ্গোশুবদা অধ্যায় লোইরে X । X ।

=০=

মণিপুরী মহাভারত

একপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়

(ব্রাহ্মণশিংগী নাম মহিমা তাকপা মতাং)

চামরাখৈনাথোইশুবা অধ্যায়

=০=

যুধিষ্ঠির উবাচ

কে পূজ্যাঃ কে নমস্কার্য্যাঃ কর্ম বর্ত্তেত তেষু চ। কিমাচারঃ কীদৃশেষু পিতামহ ন রিষ্যতে ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ

ব্রাহ্মণানাং পরিভবঃ সাদয়েদপি দেবতাঃ। ব্রাহ্মণাংস্তু নমস্কৃত্য যুধিষ্ঠির ন রিষ্যতে ॥২॥

তে পূজ্যাস্তে নমস্কার্য্যা বর্ত্তেথাস্তেষু পুত্রবৎ। তে হি লোকানিমান্ সর্বান্ ধারয়ন্তি মনীষিণঃ ॥৩॥

ব্রাহ্মণাঃ সর্বলোকানাং মহান্তো ধর্মসেতবঃ।

যুধিষ্ঠিরনা হংজি ঈবুঙো ! উরিবা সংসারসিদা করম করম্না তাইবং মীনা পূজা তৌননীংঙায় ওই-রিবগে ? মতম পুম্বা খুরমথাজরিঙায় ওইবা মীপকসি কনা কনানো ? মথোয়গা লোয়ন খোংনগদবা মওং না করি করিনো ? করম করম্বা নীতাগা করি করম্বা মওংদা লায়নরগা ঈশাগী করিগুম্বা মাঙবা তোংবা অমত লৈতোইদবা মাহ্র তাকপিয়ু ॥১॥ ভীষ্মনা হায়ঃ— যুধিষ্ঠির ! ব্রাহ্মণশিংদা অপমান তৌরবদি দেবতাশিংনা মথোয়দা অপমান তৌরবগুম থন্দুনা য়াম্না সুংঙাইতে। ব্রাহ্মণশিংবু উরগা নখোয়দা খুরুম খাজম্বা নোম্লকপদা পোইনা নাঙবা তোংবা লৈতে ॥২॥ অদুনা ব্রাহ্মণশিংগী পূজা তৌগদৌবনি ব্রাহ্মণশিংবু উবমতমদা হুক হেক্ক খুরুমগদবনি। অহৌনবা থঙবা লমচংকজবা মচানা মমা মপাদা নোম্লক্না চংপা খুংলোয়বহুগুম্না ব্রাহ্মণশিংগী মফমদা অদুম্বা আচরব্যবহার অদু চংকদবনি। মরমদি লোক পুম্নমকপু, ইহলোক পরলোক অদুগা প্রেতলোকতা লৈব্রবশিংবু মঙ্গল ওইনা লৈহল্লিবা থম্মিবসি ব্রাহ্মণ-শিংতননি ॥৩॥ জগৎ পুম্বদা চংনরিবা ধর্মকর্মবু অদুগা ধর্মগী মর্য্যাদাবু য়োকখংলিবা ডাক্লিবসে ব্রাহ্মণ শিংননি। অদুনা বাংমা বাংনদা লৈনরবা তোঙাঙ তোঙানবা ধর্মশিংবু অনগামগা খুংশম্নহন্দুনা লাম্হোক-লাঙ্গিন তৌমহল্লিবা থোংগী মশক ওইবা ব্রাহ্মণনি।

ধনত্যাগাভিরামাশ্চ বাকসংযমরতাশ্চ যে ॥৪॥

রমণীয়াশ্চ ভূতানাং নিধানং চ দৃঢ়ব্রতাঃ। প্রণেতারশ্চ লোকানাং শাস্ত্রাণাংচ যশস্বিনঃ ॥৫॥

তপো যেষাং ধনং নিত্যং বাকচৈব বিপুলংবলম্ প্রভবশ্চৈব ধর্মানাং ধর্মজ্ঞাঃ সূক্ষ্মদর্শিনঃ ৬।

ধর্মকামাঃ স্থিতা ধর্মে সুকৃতৈধর্মসেতবঃ। যান্ সমাশ্রিত্য জীবন্তিপ্রজাঃ সর্ব্বাশ্চতুর্বিধা ॥৭।

পন্থানঃ সর্বনেতারো যজ্ঞবাহাঃ সনাতনাঃ। পিতৃপৈতামহীং গুর্বীমুদ্বহন্তি ধুরং সদা ॥৮॥

ধুরি যে নাবসীদন্তি বিষয়ে সম্ভবা ইব।

পিতৃদেবতিথিমুখা হব্যাকব্যাগ্র ভোজিন। ৯॥

জ্ঞানী ব্রাহ্মণনা ধনসম্পত্তিগী অপাম্বা পাদোক্লনা শাস্ত্রজ্ঞানতনা পেনহুনা ঈপুং মুংঙাইনা ঈপেন্ত পেন্দুনা লৈখোকপনি অশাউবা অপাম্ব পুম্বা নমহন্তনা ভুনিগ্না বাণীবু রাঙা খোকপবু চোকশিন্না থুহুম চন্না থম্বা ওম্বান ॥৪। মখো শিবা লৌবা, ওম্বনা জীব পুম্নমক্কী মাত্তা পুক্নাং হুনকম মুংঙাংনকমতা ওইবনি। ব্রহ্ম উপাসনগী পুক্নী চঙবা মীগী জ্ঞাং অসি ব্রাহ্মণতন লৈবনি অশেং অমাং থায়না চংপা। শাস্ত্রগী ধর্মকমগী তোঙান তেঙানবা খোম নিয়ম অমদি ওইহেবা ওইহৈদবগী ব্যবস্থা শীবাস ব্রাহ্মণতনা তৌবনি। ৫ তপস্যাতনা মখোয়গী লম। সত্যবাক সত্যবানীতনা মখোয়গী পাঙ্গল্লি ধর্মগী তত্ত্বগী হৌফমসে ব্রাহ্মণনাতনা কপা। ধর্মগী তত্ত্ব সূক্ষ্মতা (অথওবা) অচৌবা ন্যায়তক তৌহুনা পাম্না কূপ্না বিচার তৌবা হায়বদি ব্রাহ্মণতন। তৌবনি। ৬ ব্রাহ্মণ হায়বসে, মখোয়গী মখো অমগুম্বা ধর্মশাস্ত্রবু নৈনদুনা ধর্মগী অমগী ঈশ্বরগী তত্ত্ব, বিবদা চাবা থকপা কাউবা জ্ঞাংবান। যাগযজ্ঞ ধর্ম কর্ম তৌবা থমপুন্নমক্কা খোং ওইনা লৈরিবনি। মখোয়গী আশ্রয়দা চঙলহুনা প্রজা মথম মরি (ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র) না জীবন ধারণ তৌগনি লৈরিবনি। ৭। ব্রাহ্মণতনা মখোয়না শীবউপদেশ (পাউতাক)না জাতী পুম্নমক্কী লময়ানব লম্বী তাগনা লমজিংবা শাংবা ওইরবনি। ধর্ম কর্মগী লেত্ত সনাতন যজ্ঞগী পুরোহিত (মাওথানা থবক পাঙথোকপা) হায়বদু ব্রাহ্মণতনা ওইরবনি। সম্প্রদায় খুদিংগী মাশিংগী মাগী মাগী মপা মপুনা চংলম্বা ধর্ম অমবু কর্মকাণ্ডবু তেঙ্ক কাম্নদনা থাম্বিবা ধর্ম মর্য্যাদগী ভার পুম্বা মকোক থোংনা পুরিবসে ব্রাহ্মণতননি। ৮। মশা নত্ত ফবা শন্নাবনা মরেংদা ভুবান পুহুনা অকাম্বা পোৎলুম পুম্বা পুবা হিচিবদা করিমত্ত খাবিদবা চোকথবা লৈতবগুম্না ধর্ম কর্মগী ভার পুম্বাসি পুবদা ব্রাহ্মণ হায়বসিনা করিমত্ত বরা চোকথবা তনবা তৌদে। ব্রাহ্মণ হায়বসে দেবতা, অতিথি, পিতৃলোকক্কী চীন ওইহনা হব্য কব্য পুম্বা চারিবনি * ৯॥

---

* টীকাঃ—ব্রাহ্মণ হায়বাসনা প্রেতলোকতা দেবলোকতা, লৈবাক্শী চীন ওইরবনিনা মখোয়না চারিবসে প্রেতশিংনা দেবতাশিংনা চারিবনি। (কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

দ্বিপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়

(কার্ত্তবীর্য্যার্জ্জুননা দত্তাত্রেয়দগী বর মরি ফংব। ব্রাহ্মণগী মহিমা তাকপা ওইনা,
মশাদা অহংকার লাক্তুনা মশাগী মাঙনবা মশানা শীঙবা)

চাময়াঙৈখেনীথোয়শুবা অধ্যায়

—০—

যুধি ন উবাচ

কাংতু ব্রাহ্মণ পূজায়াং ব্যুষ্টিং দৃষ্টাজনাধিপ। বা বা কর্মোদয়ং দৃষ্ট্বা তানর্চসি মহামতে ।১।

ভীষ্ম উবাচ

অত্রাপ্যুদাহরন্তী মমিতিহাসং পুরাতনম্। পবনস্য চসং বাদমর্জ্জুনস্য চ ভারত ॥২॥

সহস্রভুজভৃচ্ছ্রীমান্ কার্ত্তবীর্য্যোঽভবৎপ্রভুঃ। অস্য লোকস্য সর্বস্য মাহিষ্মত্যাং মহাবল ॥৩॥

সতু রত্না করবতীং সদ্বীপাং সাগরাম্বরাম্। সশাক পৃথিবীং সর্বাং হৈহয়ঃ সত্য বিক্রমঃ ॥৪॥

স্ববিত্তং তেন দত্তা তু দত্তং ত্রেয়ায় কারণে।

যুধিষ্ঠিরনা হায়ঃ— ঈবুধৌ। তাইবং মী পুম্নমক্কা লুচিংবা! ঈবুধৌ নশামক কর্মি ফল ফংননবগী উদ্দেশ্যদা ব্রাহ্মণগী সেবা পূজাদা পুক্নীং চঙবিবগে? করম্বা কর্মগী চাওখৎননবগীদমক্তা ব্রাহ্মণ সেবাদা পূজাদা পুক্নীং চঙবিবগে?॥১॥ ভীষ্মনা হায়ঃ— ভারত শাগেগী মুংঙাইনবগী মশক ওইবা। নংনা ঐঙোন্দা হংলিবা বাকমসি মরীদা, বায়ুদেবতাগা কার্তবীর্য্যঅর্জুন(কৃতবীর্য্যগী মচা অর্জুন)গা অনীগী তৌনলিবা সংবাদ কুইরবা ইতিহাসগী বারীদু উদাহরণ (খুদম) ওইনা অশিংবা আনীশিংনা হেক হেক লীলৈ॥২॥ যায়া কুইরবা মমাংঙৈগী রাজ। সাহিষ্মতী কৌবা নগরদা লৈদুনা, মপাম্বোম লীশিং অম পানবা, মশেকমঙাল চাউরবা, কার্তবীর্য্য অর্জুন কৌবা, হৈহয় শাগেগী নিংথৌ অমনা পৃথিবী সপূম অসিগী শাসনবু মথক্তনা তৌরম্মি। মহাক থাজৈশেংবা মপাঙ্গল কনবা মরীল লৈবা নিংথৌ অমনি। মর্ত্য অসি মহাক মথক্ত গী শাসনগী অধিপত্যগী মখাদা লৈরম্মি॥৩-৪॥ কৃতবীর্য্যগী মচা অর্জুন হায়বসিনা ক্ষত্রিয়ধর্মবু মমাঙ থানা থম্মগা রাজনীতি ধর্মনীতি শাস্ত্রগী পাঙতাক মতুং ইন্না মুনি অথোইবা দত্তাত্রেয়গী সেবাপূজা আরাধনাবু, নোঙ্গুক্না মতম কুইনা তৌদুনা লৈ।

ক্ষত্রধর্মং পুরস্কৃত্য বিনয়ং শ্রুতমেব চ ॥৫॥
আরাধয়ামাস চ তং কৃতবীর্য্যাত্মজো মুনিম্। ন্যমন্ত্রয়ত সংতুষ্টো দ্বিজশ্চৈনং বরৈস্ত্রিভিঃ ॥৬॥
স বরৈশ্ছন্দিতস্তেন নৃপো বচনমব্রবীৎ। সহস্রবাহুর্ভূয়াং বৈ চমূমধ্যে গৃহেহন্যথা ॥৭॥
মমবাহুসহস্রং তু পশ্যন্তাং সৈনিকা রণে। বিক্রমেণ মহীং কৃৎস্নাং জয়েয়মতিসংশিতঃ ॥৮॥
তাং চ ধর্মেণ সম্প্রাপ্য পালয়েয়মতন্দ্রিতঃ। চতুর্থংতু বরং যাচে ত্বামহং দ্বিজসত্তম ॥৯॥
তং মমানুগ্রকৃতে দাতুমর্হস্যনিন্দিত। অনুশাসন্তু মাং সন্তো মিথ্যোদ্বৃত্তং ত্বদাশ্রয়ম্ ॥১০॥

অহুগা করিগুম্বা বিশেষ কারণ অমদগী মহাক্কী হেক লৈত্রব লম্ব্‌ম মথৈ মাগী গুরু দত্তাত্রেয়দা লোইনা কথোকখি ॥৫॥ মুনি অথোইবা, ব্রাহ্মণ অথোইবা দত্তাত্রেয়না মহাকী সেবা পুজাহুদা ওয়্যোক্লা পেনখি। মহাক্ক কর্তা বীর্য্য অর্জুনদা অপাম্বা বর অহুম নিয়ু হায়খি। বর নিয়ু, বর পীগে হায়বগী য়াথং কংবদ নিংথৌসিনা অস্মা হায়রকই:— ভগবন্! ঐ লানদা পাম্পোম লিশিং অম পানবা ওইজগে। যুমদা লৈবা মতমদা পাম্পোম অনীসি পুম পানজগে। লালকমদা য়েক্কব লাম্মীশিংনা মমীৎ মীৎনা ঐগী পাম্পোম লিশিং অমহুবু উম্বা ঙংসনু, কিবনা ঐগী মাঙদা লেপ্পা ঙমদবা ওইহনবিয়ু। কক্কিব কংনা তৌবা ব্রত তপস্যানা সিদ্ধ ওইরবা মহাপুরুষ গুরুদেব ঐনা ঐ ঈংত্তগী পাঙম্মা পৃথিবীদা লৈবা নিংথৌ পুম্নমকপু ও হুনা পথী মপুম অসি ঈশা ইথক্তগী ময়ইকগে। অতনবা-হৈনিংদবা ওয়নক থাদোক্তুনা পৃথিবীসিবু রাজনীতি ধর্মনীতিগী নিয়ম মতুং ইন্না শাসন তৌবা ঙম্বা ওইজগে। হায়ঞ্জিবা বর অহুম অসি নত্তবা মরীশুগী বর অমগা নিজখিগে। নিন্দা তৌননীঙাইগী শক্তক অম লৈত্রবা মহর্ষি। বরসিমসু পীবিদবা ইয়া য়াদে। করিগুম্বা থোঁদোক অমদগী ঈশাদা অহংকার লাক্তুনা অয়ানবা কর্ম তৌনিংবগী সংসঙ্গ-সন্মার্গ হেক চংকপা মতমদা, গুদ্ধংখিবগী মীগী ইয়ানবা থত্তজরক্তবা মতমদা খুদক্তা কনাগুম্বা শ্রেষ্ঠ ওইবা মহাপুরুষ অমা খুদক্তা লাক্তুনা ঐ ঙান্দা পাউতাক পীবিরবা ওইসনু। ঐবু মহাক্কা মার্গদা ঐবু চংহনবিয়ু। * ।৬-১০।

---

* টীকা: – কার্ত্তবীর্য্য অর্জুনা অকোনবদা পীরিবা বর অসি, নিঙদবা, অহুগা নিফম থোকপা বর-শিংদগী থ্বাইদগী হেনবা, থ্বাংদগী মমল য়াম্বা বর অমনি। তাইবং মী অমনা ফংগে হায়না খনবু খল্লদবা, মী খুদিংমক্কুসু পাক পাক ফংনি দবা বরনি। হায়রিবা সংসঙ্গ অসিবু মী খুদিংমক্কা তৌরবদি পথী পুম্বসি, জগৎপুম্বসি মহাসুখশান্তিদা লৈরম্লগদবনি। তাইবং মীনা লাল্লি হায়বা থঙন খঙনা অয়ানবা পাপকর্ম অহুবু থক থাদোকপা ঙমদে। জগৎকী কাম্লবা য়াংল য়াংলবা য়াথল চিন্তা তৌবগী মহুত্তা হয়েং কাওবা মাগী ওইগত্রা কায়ঙমদ্রবা য়াংল য়াংলগা লৈপাক লৈতুম নুংহুমগী ফুরা দোলাবু য়াংথৎহল্লবগী নৈনরি। (কালাচাঁদ)

ইত্যুক্তঃ সখিভিঃ প্রাহ তথাস্ত্বিতি নরাধিপম্। এবং সমস্ত ভূস্ত বরান্তে দীপ্ততেজসঃ ॥১১॥
ততঃ রথমাস্থায় জ্বলনার্কসমদ্যুতিম্। অব্রবীৎ বীর্য্য সম্মোহাৎকোবাস্তি সদৃশোমম ।১২॥
ধৈর্য্যে বীর্য্যে যশঃ শৌর্য্যেবিক্রমেণৌজ সাপিবা। তদ্বাক্যান্তে চান্তরিক্ষে বাগুবাচাশরীরিনী ।১৩॥
নত্বং মূঢ় বিজানিষে ব্রাহ্মণং ক্ষত্রিয়াৎ বরম্। সহিতো ব্রাহ্মণে নেহ ক্ষত্রিয়ঃ শাস্তিঃ বৈপ্রজাঃ ॥১৪॥

অর্জুন উবাচ

কুর্য্যাং ভূতানি তুষ্টোহমৃক্রু দ্ধা নাশং তথানয়ে। কর্মণা মনসাবাচা ন মত্তোঽস্তি বরো দ্বিজঃ ॥১৫॥
পূর্বো ব্রহ্মোত্তরো বাদো দ্বিতীয়ঃ ক্ষাত্রয়োত্তরঃ ত্বয়োক্তৌ হেতুযুক্তৌ তৌ বিশেযস্তত্র দৃশ্যতে ॥১৬॥
ব্রাহ্মণা সংশ্রযাঃ ক্ষত্রং ক্ষত্রং ব্রাহ্মণাশ্রিতম্। শ্রিতা ব্রহ্মো যথা বিপ্রা খাদন্তি ক্ষত্রিয়ান্‌ভুবি॥১৭॥
ক্ষেত্রিয়েষ্বা শ্রিতো ধর্মঃ প্রজানাং পরিপলনম্।

অহুম হায়না বর মরি মথং মথং নিরকপসিদা দত্তাত্রেয় মুনিনা হায়রিবশিংহু লোইনব ওইরসু হায়না বর মরিমক পীখি। বর মরি অহুমক মহৈ যানখি ।১১॥ বর ফংলবা তুং অহুদা কৃত্তবীর্য্যগী মচা অর্জ্জুন অসি সংস্রবাহু ওইহুনা চুম্বিংকা মৈগা অনীগী তেজ পুরবা রথমথক্তা তোংখত্তুনা পৃথিবীগী নিংথৌ পুম্বা ওমহুনা পৃথিবী পুম্বা মাগী খুত্বুন মথাদা লৈহন্দুনা, মশ দা লাকপা নাপলগী মথা পোনথিহুনা জগৎ অসিদা কনবা থৌবদা মতীক মপুন চাউবদা ঐগী লাম্বা কনা লৈ ? ঐগা মান্নবা কনবা কনা কনা লৈ "... হায়না হম্না হম্না লাউরকই ।।১২। মহাক্না অম্নন হায়না লাউবহু হেক লোইরকপদা আকাশ বাণী অমা লাকখি। অপঙবা ! নঙোন্দগী হেন্না কনবা ব্রাহ্মণ লৈরি। ক্ষত্রিয়দগী ব্রাহ্মণনা হেন্না কনবনি। ব্রাহ্মণগী মতেংনা, লৌজাম্না ক্ষত্রিয় নিংথৌনা প্রজাগী শাসন তৌবা ওমজবনি ।১৩-১৪। অর্জুননা নোম খকলোমদা ওনথত্তুনা অস্নম্না খুমখি‌— ঐনা পেল্লবদি প্রানীশিংবু শেম্বা ওম্মি। অহুগা ঐনা শাউরক্লবদি জগৎকী জীবশিংসে খুদক্তা মাঙহনবা ওমগনি। পুক্নীংনা বাহৈনা থবক্তা তৌথোরকপা কমদা ব্রাহ্মণনা ঐঙোন্দগী হেনবা য়াবোই ।১৫॥ ব্রাহ্মণনা হীরম পুন্নমক্তা হেল্লি হায়বসে পূর্বপক্ষগী বানি। অহুক মথেংপা হায়বহুনি। য়েংনবা মথৈ য়েংনরগা সিদ্ধান্তদ দ ক্ষত্রিয়না হেল্লি হায়বসিনা অরোইবনি। প্রজা পালনগী থবক্তা থবক্তা ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় অনীগী থবক পুল্লপ চঙিঙ হায়রৈ। অহুবু মমুংদদি অনীগী মরক্তা য়াম্না খেক্কবা অমা লৈরি। ১৮॥ ব্রাহ্মণনা ক্ষত্রিয়গী মথাদা লৈহুনা, ক্ষত্রিয়গী আশ্রয় লৌহুনা জীবিকা তাঙ্গরি। অহুগা ক্ষত্রিয়গী মশাগী জীবিকা তানবদা ব্রাহ্মণগী মতেং য়াওহন্দনা মশাগী জীবিকা অহুম তাঙবা ওম্মি ! বেদগী তপ তাদবা হায়বগী নামদা ব্রাহ্মণনা জীবিকা তাল্লি। তাল্লিবা জীবিকাহুগীদমক ক্ষত্রিয়গী মতেং য়াম্ন লৌই। অহুগা ক্ষত্রিয়দি ব্রাহ্মণগী আশ্রয়দা ইচক চঙদনা মশাগী জীবিকা অহুম তাঙবা ওম্মি। ব্রাহ্মণনা চাবা থকপা ফংজিরিবসে ক্ষত্রিয়গী মতেংননি ॥১৭॥ প্রজাপালনগী মশক ওইবা অথোইবা ধর্মসে ক্ষত্রিয়গী পাম্বোমদা আশ্রয় লৌহুনা লৈরিবনি।

ক্ষত্রাৎ বৃত্তিব্রাহ্মণানাং তৈঃ কথংব্রাহ্মণোররঃ ॥১৮॥

সর্বভূত প্রধানাংস্তান্ ভৈক্ষবৃত্তীনহং সদা। আত্মাসম্ভাবিতান্ বিপ্রানস্থাপয়ামাত্মনো বশে ॥১৯॥

কথিতাত্বনয়া সত্যং গায়ত্র্যা কন্যয়া দিবি। বিজেষ্য যবশান্ সর্বান ব্রাহ্মণাং শক্তবশনঃ ॥২০।

ন চ মাং চ্যাবয়েং রাষ্ট্রাৎ ত্রিযুলোকেষুকশ্চন। দেবোবা মানুষোবাপি তস্মজ্জ্যেষ্ঠোহিদ্বিজাদহম্ ॥২১॥

অত্যব্রহ্মোত্তরং লোকং করিষ্যে ক্ষত্রিয়োত্তরম্। নহিমে সংযুগে কশ্চিৎ সোঢ়ুমুৎসহতে বলম্ ।২২॥

অর্জুনস্য বচঃ শ্রুত্বাবিনস্তা ভূমিশাচরী। অথেনমন্তরিক্ষস্থস্তো বায়ুরভাষত ॥২৩॥

ত্যজৈনংকলুষং ভাবং ব্রাহ্মণেভ্যো নমস্কুরু। এতেষাং কুর্বতঃ পাপং রাষ্ট্রক্ষোভো ভবিষ্যতি ॥২৪॥

অর্থবাত্বাং মহীপাল শময়িষ্যন্তি বৈদ্বিজাঃ। নিরসিষ্যন্তি তেরাষ্ট্রাদ্ধতোৎসাহামহাবালাঃ ॥২৫॥

তং রাজা কস্তুমিত্যাহ ততস্তং প্রাহমারুতঃ। বায়ুর্বৈ দেবদূতোহস্মি হিতংত্বাং প্রব্রবীম্যহম্ ॥২৬॥

অহুম্না ব্রাহ্মণনা জীবিকা কংজরিবসে ক্ষত্রিয়গী পাম্বোমগী পাঙন্দগীনি। অহুনদি ব্রাহ্মণনা ক্ষত্রিয়দগী হেল্লি হায়বসি করম হায়না ওইগদৌরিবনো ॥১৮। ওসিকৌবা হুমিৎতগী কার্ত্তবীর্য্যার্জুন ঐনা, ভাঙ্কা নীহুনা চাবা, মীওোম্বা নীহুনা জীবিকা ওইজবা ব্রাহ্মণশিং অহুগা বেদ জ্ঞানদা মশানা মহেল্লে খঙবা মথোয়বু ঐগী ইখা পোলহনগনি ॥১৯॥ আকাশদা লৈবী গায়ত্রী কৌবী কন্যাব ক্ষত্রিয়দগী ব্রাহ্মণনা হায়না লাউরিবসে মীনম্বনি। উফুল রাইফুল তৈবা, উকুবাকু কৈ শঙ্কী মউল শেৎপা ব্রাহ্মণশিংসি ঐগী ঈখা পোলহনগে য়েংঙু ।২০॥ লোক অহুম অসিদা কনা অমতনা ঐবু রাষ্ট্রদগী ভ্রষ্ট তৌবা ঙম্মোই। নিংথৌ ঈকম তাহনবা ঙম্মোই। ঐনা ব্রাহ্মণদগী হীরম পুম্বা হেল্লি ॥২১॥ আ মমাংতৈদগী হৌনা বর্ণ পুম্মক্তগী ব্রাহ্মণনা হেল্লি হায়না লৌনরক্লি। অহুবু ঐগী হাক্তক্তগীদি ব্রাহ্মণদগী ক্ষত্রিয়না হেল্লি হায়বসি হায়ুং তুং ফাওবা চংনহল্লয়গনি। থবক্লা উংস্থ উংলমগনি। মাসিগীদমক লাম্হেংনরুদা ঐগী মাঙদা কনা অমতনা লেপ্পা ঙম্মোই ॥২২। অর্জুনগী বাসি তাবনা নিশাচরী অম ওইনা আকা শবানী তৌরকপীহু কিবনা থক থক নীকথি। মতম অহুমক্তদা পবনদেব (বায়ুদেবতা)না নোংমদাক্তগী লাউথরকই ॥২৩॥ কার্ত্তবীর্য্য। নহাক মেৎলবা ফত্রবা অহংকারহু থাদোকউ। ব্রাহ্মণগী মফমদা নকোক নোল্লু। ফত্রবা রাথল অসিবু নহাক্লা থাদোকত্রবদি নংগী মরোল অহুমগী রাজ্যদো মীকুপ্পা উং ওইনা মাঙগনি ॥২৪॥ নত্রগা নিংথৌ। অকনবা! নংগী নশাদা অহংভাব (অহংকার) অমা লাক্তুনা ঈপা পাখৎলিবদো শক্তি লৈরবা ব্রাহ্মণ অমনা নেমথহনগনি। অহুক কল্লবা নংনা অহংকার কৌবা ফত্রবা ভাব অহুমত নৈহৎপা ঙমজত্রবরা? ব্রাহ্মণদা মাগী ব্রহ্ম' তেজনা নহাকপু রাজশক্তিবু থুংহল্লা চাকথেকহনগনি। নফম তাবদগী হেন্দোক্তুনা নশামক মীকুপ্পা উং ওইনা তুবরগনি ॥২৫। রাসি তাবদা কার্ত্তবীর্য্যান হায়রকই পুকচেক চাউবা! নহাকপু কনানো? বায়ুদেবতানা হায়রকই নিংথৌ! ঐহ্স দেবতাশিংগী দূত (পাউবুবা)বায়ু হায়বহনি। ঐনা হায়রিবসে নহাক্তী কান্নবগীদমক্তনি ॥২৬॥

অর্জ্জুন উবাচ

অতো ত্বয়াস্মিং বিপ্রেষু ভক্তিরাগঃ প্রদর্শিতঃ। যদৃশং পৃথিবীভূতং তাদৃশং ব্রাহ্মিমেব্বিজম্ ॥২৭॥

বয়োর্বা কদৃশং কিঞ্চিং ব্রাহি বংব্রাম্পিনোত্তমম্। অপাং বৈ সদৃশং বহ্নেঃ সূর্য্যাশনক্ষসোঽপিবা ॥২৮।

ইতি শ্রীমহাভারততে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বনি দান ধর্মপর্বনি পবনার্জুনসংবাদেব্রাহ্মণ মাহাত্ম্যে দ্বিপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × । × ॥

অর্জ্জুননা হায়রকই:— হে বায়ুদেব ; মহাত্মা অসি ঐঙোন্দা থৌজানবীদুনা ব্রাহ্মণদা ভক্তি তৌননবা কোক চেন্নবা. নাপল থাদোক্লবা পাউ তাকপীবিরে। অদুগ, হে বায়ুদেব ! দেবদূত ! পৃথিবীগা চপ মান্নবা ক্ষমাশালী ওইব শান্তিময় ওইবা ব্রাহ্মণসিদি কনা লৈ ? মাদু ঐঙোন্দা হায়ু ।২৭॥ নত্রগা আকাশ মুংশিৎ, মৈ ঈশিং পৃথ্বী মঙা অসি পুল্লপকামামণশুগা চপমান্নবা পঞ্চশক্তিশালী ওইবা ব্রাহ্মণদু কনানো ? ঐঙোন্দা খঙহনবীয়ু ॥২৮॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা। অনুশাসন পর্বদা দানধর্ম পর্বদা পবনার্জুনসম্বাদগী চাময়াঙ্খৈনীথোইজবা অধ্যায় লোইরে।

=০=

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়

(বয়ুদেবনা খুদমপা লোয়নানা ব্রাহ্মণগী মহিমা লীবা)

চাময়াথে হুমদোই শুবা অধ্যায়

=০=

বায়ুরুবাচ

শৃণুমূঢ় গুণান্‌কাংশ্চিৎ ব্রাহ্মণনাং মহাত্মনাম্। যে ত্বয়া কীর্ত্তিতা রাজং স্তেভ্যোঽথ ব্রাহ্মণোবরঃ ॥১॥
ত্যক্ত্বা মহীত্বং ভূমিস্তু স্পর্দ্ধয়াঙ্গনৃপস্য হ। নাশং জগাম তাং বিভো ব্যস্তম্ভয়ত কশ্যপঃ ॥২॥
অজেয়া ব্রাহ্মণা রাজন্ দিবিচেহ চ নিত্যদা। অপিবৎ তেজসা হ্যাপঃ স্বয়মে বাঙ্গিরাঃ পুর। ॥৩॥
স তাঃ পিবন্ ক্ষীরমিব নাতৃপ্যত মহামনাঃ। অপূরয়ন্মহৌঘেন মহীং সর্বাং চ পার্থিব ॥৪॥
তস্মিন্নহং চ ক্রুদ্ধেবৈ জগত্ত্যক্ত্বা ততোগতঃ

বায়ুদেব দেবদত্তনা অসুম্মা হায়রকই:— নাপন্না নশানা শুহঙ্কচ্চরবা। ব্রাহ্মণশিংগী মতীক মগুন থর খুদম ওইনা হায়রকে তাও। নহাক্না নচীন্না হৌজিমক হায়খ্রিবা পৃথিবী জল(ঈশিং) অগ্নি (মৈ) নচিংবা শিংচুদগী ব্রাহ্মণ হায়বসিনা য়াম্না হেল্লি নখোয়গা মায়বগী য়াদি লায়বু লায়রজন, মখোয়শিংদগী ব্রাহ্মণ শিংচুদগী ব্রাহ্মণ হায়বসিনা য়াম্না হেল্লি ॥১॥ নোংমগী বানি তাও। পৃথিবী অসে নিংথৌ অঙ্গ হায়বচুপা কনানা হেল্লি হেন্নে অমত্তনা হেল্লি ॥১॥ নোংমগী বানি তাও। পৃথিবী অসে নিংথৌ অঙ্গ হায়বচুপা কনানা হেল্লি হেন্নে মুক্রুবদগী পৃথিবীগী অধিষ্ঠাত্রী দেবীসিনা তৌদ্রম তৌগে হায়তুনা লোক ধর্ম পূন্নমকপু পুহনালৈবগী শক্তি অচুথোক থাদোক্লমহনা কদায়দনো মাওথোকখি। মতম অহুদা পৃথিবী অসি মাগী শক্তি পূম্বা মাঙথখিহনা কীন্থরকপা, মতমঅতুদা, কশ্যপনা মহাক্কী তপস্যাগী শক্তিনা পৃথিবী অসিনা নমথরকপা কীন্থরক- পছ উবদা ওাকথত্তুনা তাহন্দনা ওাকথত্তুনা পুহনা লৈখি ॥ নিংথৌ। মর্ত্ত্যলোক স্বর্গলোক অনীমক্তা ব্রাহ্মণ হায়বসে অজেয়নি, কনা অমত্তনা জয় তৌবা য়ারোই। মমাওগী বানি। পূকচেল চাউরবা অঙ্গিরানা শক্লোম থকপওম ক্ষীরসমুদ্রব অমুক্তদা থকচিনখি অতুমক্তদা মহাক্কী অপেনবা থোয়াংবা কোকপ হায়বহ ওইখিদে। অসুম সুম থকচিন্নকপদা পৃথিবীদা হেক লৈরিবা ঈশিং মথে লোইনা থক- চিনখি। অহুগী তুংদা অমুক ঈশিংগী চাউরবা ঈচেল অমা চেন্থহনক্তুনা পৃথিবীসি ঈশিংনা পূন্নমক্তা থলহনখি ॥৩-৪॥ হায়রিবা অঙ্গিরা কৌবা ব্রাহ্মণ মুনিসিনা ত্রৈলোক্য ওথোক্না থিনা শাওখি।

ব্যভিষ্ঠমহমগ্নিহোত্রে চ চিরমঙ্গিরসো ভয়াৎ ॥৫।

অথ শপ্তশ্চ ভগবান্ গৌতমেন পুরন্দরঃ। অহিল্যাংকাময়ানোবৈ ধর্মার্থং চ নহিংসিত।।৬।

তথা সমুদ্রোন্‌পতে পূর্ণে মৃষ্টস্য বারিনঃ। ব্রাহ্মৈরভিশপ্তশ্চ বভূব লবণোদকঃ।৭॥

সুবর্ণবর্ণো নির্ধূমঃ সঙ্গতোর্দ্ধশিখঃ কবিঃ। ক্রুধেনাঙ্গিরসা শপ্তোগুণৈরেতৈর্বিবর্জিতঃ ॥৮॥

মরুতশ্চূর্ণিতান্ পশ্য যেহাসন্ত মহোদধিম্। সুবর্ণধারিনা নিত্যমবশপ্তা দ্বিজাতিনা। ৯॥

সমো ন ত্বং দ্বিজাতিভ্যো শ্রেয়োবিদ্ধি নরাধপ। গর্ভস্থান্ ব্রহ্মাণান্ সম্যক্ নমস্যসি কিলপ্রভুঃ ॥১০॥

এমক্ কিবনা থক থক নীক্তনা লগৎ অসি থাদোক্তনা মতম য়াম্না কুইনা অগ্নহোত্র (যজ্ঞ)গী অগ্নি কুণ্ডদা আশ্রয় লৌহনা লৈব। ত খি ॥৫॥ মহর্ষি গৌতমনা মহাক্কী লোয়নবী অহিল্যাদা ইন্দ্রনা নত্তবা মিংয়েংনা য়েংঙ্ বদগী ইন্দ্রনা ও.ত্মাক্কা তমথিনা শা। তৌখ। ধর্মগী দৃষ্টিদা মথগ্রায়মক্তি লৌবিথ-দে ॥৬॥ নিংথৌ! কার্তবীর্য্য। অহানবদা সমুদ্র অসে ক্ষীরসমুদ্র ত্তাক্ত ওইরম্বনি। ঈশিং পূমনক ক্ষীরগী মতৌগুম্না থুমম্বনি। অদুবুতুংদা ব্রাহ্মণগী শাপতগী লবণ (থুম্‌ঈ) গুম য়াওখি * ॥৭॥ মৈগী মচু অসিনু অহানবদা সনাগী মতৌগুম পূমল' লংনে, সনানা মহৌ চেনবগুম লৈরম্বনি। মশাদা মৈখুগী শব্দক ঈরাও য়াওরমদবনি। বৈরিনা মথকলোনতদা ওনথত্তনা লৈরম্বনি। অদুবু মমৈদা অঙ্গিরা মুনিগী শাপতগী হায়রিবা গুণশিংসে লোয়না মাওখি ॥৮॥ য়েংঙ্! নিংথৌ! মহাব্রতধারী তপস্বী ব্রাহ্মণ কপিল মুনিগী শাপতগী সগরগী মচাশিংনা খুদক্তা পূমনাক চাকখিদুনা শব্দ ত্তারমপে ওইনা পৈথত্তনা লৈত্রিবদো যজ্ঞগী হুরানখিবা শগোল থিরকপদগী কপিল ভগবান্‌দা শগোল হুরানবনি হায়না দোষ লওজরুবদগীনি ॥৯॥ নিংথৌ! ব্রাহ্মণদু থওই ঊশিত্তবা থক তৌরুনু। ক্ষত্রিয় মহাক্কা ব্রাহ্মণগা চপ মান্নবা থক য়ারোই। মশাগী মঙ্গল ওইনববা, ব্রাহ্মণদা শীংনরুবদগী দোষ কোকনবতুম হোৎনৌ। মখোয়দা হায়জৌ। গর্ভ মুংদুদা লৈরিবা ব্রাহ্মণ ক.ওবদা খুরুম খাজনগদবনি ॥১০॥

---

*টীকাঃ— অমগ অমগা তকথায় ইন্দ্রিয়দা ঈ.শংগী গুণ রস রস (হাউ) হায়বসি মধুরনি। মাধুর্য্য না আদি মদনি অমগামগা মুমিৎ চুন্না। ঈথক য়াম্না তকথায় থেংগাইনরকপদগী অথুম্বা হায়বা রস অদি বিকার লাকপা হায়বসি শোয়নবনি। সলোম্ অদুম গ্রগ্রগ্র চিংদুনা ওহাক লৈত্তনা লৈমবদি থী, শলোমঅশীনবা মাথলনচিংবা কোওাল তোওানবা মদগী পোথকশিনবা থোরক্লিবাস অদুননি। অদুম্না ক্ষীর সমুদ্র ওইরকই, অয়াকপা মহাও পুরকই। অদুদগী থুমবোরকপনি। অদুনা থুমবু লৈন্ধব (সিন্ধুদগী থোক্লপা) হৌকনি। অদুনা পুরাণগা বিজ্ঞানগা ফলিতার্থদা অমত্তনি। (কালাচাঁদ)

দণ্ডকাণাং মহৎরাজ্যং ব্রাহ্মণেন বিনাশিতম্। তালজংঘং মহাক্ষত্রমৌবে নৈকেন বিনাশিতম্॥১১॥
ত্বয়া চবিপুলং রাজ্যং বলং ধর্মংশ্রুতং তথা। দত্তাত্রেয়প্রসাদেন প্রাপ্তং পরমদুর্লভম্॥১২॥
অগ্নিস্তং যজসে নিত্যং কস্মাৎ ব্রাহ্মণ মর্জ্জুন। স হি সর্বস্য লোকস্য হব্যবাট্ কিংনবেৎনিতম্॥১৩॥
অথবা ব্রাহ্মণশ্রেষ্ঠ মন্নভূতানু পালকম্। কর্ত্তারং জীবলোকস্য কস্মাজ্জানম্ বিমুহ্যসে॥১৪॥
তথাপ্রজাপতির্ব্রহ্মা অব্যক্তঃ প্রভুরব্যয়ঃ। যেনেদং নিখিলং বিশ্বং জনিতংস্থাবরংচরম্॥১৫॥
অণ্ডজাতন্তু ব্রহ্মাণং কেচিদিচ্ছন্ত্য পণ্ডিতাঃ। অণ্ডাৎ ভিন্নাৎবভুঃ শৈলা দিশোঽম্ভঃ পৃথিবীদিবম্॥১৬॥
দ্রষ্টব্যং নৈতদেবংহি কথং জায়েদজোহিস। স্মৃতমা কাশমণ্ডংতু তস্মাজ্জাতঃ পিতামহঃ॥১৭॥
তিষ্ঠে' কথমিতি ব্রূহি ন কিঞ্চিদ্ধি তদ বেৎ।

দণ্ডকারণ্যগী পাক চাউশ্রবা সাম্রাজ্য অদু ব্রাহ্মণ অমতগী শাপ্তুনী মীকুপ অমদা উৎ ওইনা মাঙথি। তালজংঘা পৌবা মহাক্কী চাউরবা রাজবংশ অদু ঔর্ব কৌবা মহাত্মা ওইরবা ব্রাহ্মণ মথন্তন' তুম্না মাঙহনখি॥১১॥ নিংথৌ কর্ত্তবীর্য্য! নহাক নশামক্তা ফংলবিবা রাজ্যসম্পদ্, শক্তি, শাস্ত্রজ্ঞান, অসি ব্রাহ্মণ দত্তাত্রেয়গী বরদান কৃপাদগীনি। নহাকদি নশা এথন্তুনা করিস্তু ইতৌ তৌরুদনা ফংগদা? ॥১২॥ কর্ত্তাবীর্য্যার্জ্জুন! নহাক নশামক্ত যজ্ঞ তৌরিবা অগ্নিদেবদো ব্রাহ্মণনি খঙ্গু। লোক পুম্নমক্কী যজ্ঞদা জাগ্নতনা হব্যবাহন (হবিষ্যবু পীরিবা ওইবনি। হায়রকসি করিগী খঙদে॥১৩। শ্রেষ্ঠ ওইবা ব্রাহ্মণতনা জীব খুদিংমক্কী রক্ষা, জীব জগৎ অসিগী সৃষ্টি তৌবনি খঙ্গু। মাসিবু খঙনা খঙন নাপলনা তুমহৎখিদুনা ব্রাহ্মণদগী মহাক্কা হেল্লি হায়না করিগী হায়রিব? ।১৪॥ অব্যক্ত মূর্ত্তি পুবা, অচচ্ছত্তা জীবজগৎ পুম্নমকসিবু শেম্লিবা সৃষ্টি তৌরিবা প্রজাপতি ব্রহ্মাসে ব্রাহ্মণনি, খঙ্গু। মূর্খ ওইবা, পণ্ডিত নত্তনা পণ্ডিত শাখিরবা খরনা, ব্রহ্মাজীবু অণ্ড (মরুম) দগী থোকপনি হায় মখোযনা ব্রহ্মাণ্ড (ব্রহ্মা + অণ্ড) অদু অনীথোক্কা পোখায়রকপদগী, চীং মান তুরেল মৈ ঈশিং মু শিং, মায়গৈ তরা অসিনচিংবসি পোকখিবনি, থোরকখিবনি অসিনি।১৬॥ অদুবু মাখোয়না খঙলিবা খল্লিসে লাল্লবনি। অজন্মা (পোকপা শিবা লেতবা) ওইবা মহাক্কা জন্ম পোকপা) হায়বদু কৈদোনা লৌগদৌরিবনো? অখণ্ড (মচেৎ ভাবা য়াদবা) ওইবা মহাক্কা চেথাযবা অনী থোক্কা কারবা হায়বসি করম্না ওইগদৌরিবনো? অদুবু অণ্ডদগী পোকপা হায়বদু অসুম্না লৌবা য়াই, মাহুদি মহাকাশসে অণ্ড অমনি অদুগুম্বা মহাকাশ (মহাবিষ্ণু)দগী পোকখিবনা অণ্ড ওইবা মহাবিষ্ণু মহাকাশদগী পোকখিবনা পোকলিবদুগা পোকহল্লিবদুগা অনী থোকখি অসুম হায়না লৌবদি য়াই। অসুম হায়না লৌরবদি ব্রহ্মাজীসে অণ্ডজনি হায়বা য়ারে॥১৭॥ অদুবু আকাশ (অণ্ড)দগী পোকখিবনি হায়না লৌরবদি পোকপা মতমদা মহাক (ব্রহ্মা) দি কদায়দা লৈ? মতম অদুদদি আধার (ভুংনকম) ওইবিনবা করিগুম্বা পোং অমত্ত লৈতে হায়না অসুম্না তর্ক তৌবা (য়েৎপা) য়াই।

অহংকার ইতি প্রোক্তঃ সর্বতেজোগতঃ প্রভুঃ ॥১৮॥

নাস্ত্যগুমস্তি তুব্রহ্মা সরাজালোকভাবনঃ। ইত্যুক্তঃ স তদা তুষ্ণীমভূৎ বায়ুস্ততোহব্রবীৎ ॥১৯॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্বণি দানধর্মপর্বণি পবনার্জুন সম্বাদে ত্রিপঞ্চাশদধিকশত তমোঽধ্যায়। × ॥ × ॥

মাসিদা উত্তর পক্কনা খুমগদবা হায়গদবদি পোকপা মতমদা ব্রহ্মা অসি অহংকার অহংভাবকী মওংদা আধারদা। লৈ তেজ পুম্নমক্তা পরিব্যাপ্ত ওইদুনা শীন্থুংনা লৈ * ॥১৮॥ অদুগা থাজৈশেংবদি "অণ্ড" (মরুম) কৌবা পোশক অমত্তা লৈতে। উরিবা জগৎ অসি লৈ (অস্তি) হায়বসি প্রত্যক্ষনিনা হায়বা মতা-ংবনিনা "অস্তি" হায়বসিগী অস্তিত্ব (সত্ব) দা লৈ। নাস্তিত্বদা লৈতে অদুগা ব্রহ্মাজীসি অস্তিত্ব কৌবা ধর্মগী মথক্তা আধার ওইদুনা জগৎ পুবা শেমখিবনি। হায়রিবা অস্তিত্ব সিক্তনা জগৎকী সৃজনগী(শেম্নগী উপাদান কারণ (মচাক) নি। মচাক ওইবত নত্তনা উপাদান ওইবত্তা নত্তনা উৎপাদকত্বনি। হায়রিবা "অস্তি" (অস্তিত্ব) অসি বিষ্ণুগী নাম নিংশ, অমগী মনুংদা অমনি ব্রাহ্মণদগী ব্রাহ্মণ পোকপনি। কনাগী ক্ষত্রিয়, বৈশ্য শূদ্র ব্রাহ্মণ (বিষ্ণু) দগী পোকখিবা মতুংনি। মতাং অসি ত রবদা কার্ত্তবীর্য্য অর্জুন অসি তুমিন্না লৈখি। আয়ুদবতানা মথা তানা অমুক হায়রকই ॥১৯॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চাগনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দান ধর্মগী পর্বদা পবনার্জুনসম্বাদগী চাময়া অহুমদোইশুবা আধ্যায় লোইরে। × ॥ × ॥

---

* টীকাঃ — আসংইদ চখারবা মতাং অসি য়াম্না লুবা রম্না রহস্য ওইবা মতাং অমনি উরিবা দৃশ্য অসি কনানা শেমখ্রবনো, কনাদগী কারিদগী করম্না থোকখিবনো হায়বসি হৌজিক হৌজিকী নোংপোক নোংচুপলোমগী ভৌতিক বিজ্ঞানিকশিংগী থাখল (খিওরি)শিংনু অমগমগা মাম্নরোই। মমৈথংদা হায়নীঙায় লৈতদুনা মথা মথন পাওখিবনি হায়না নক্ষুদা হায়বা কাওবু অমনু য়াওরি। পোকখিবা মতমদগি উহৌগদবা মী (জীব) অফা ওবসু লৈত্রিবনিনা অনুমান প্রমাণা মুক্তিচানা পুথোক্লরকপাতাবনি পুথো-ক্লগায় লৈত্রবা কান্দা নাস্তিক্যবাদ অসি লাকখিবনি। অশেংবা সৃষ্টি কর্তা ঈশ্বর হায়বা অমা লৈতে। অদুম্না নাস্তিকবাদীশিংনা হায়রবসিনি। (কালাচাঁদ)

=০=

মণিপুরী মহাভারত

চতুষ্পঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(ব্রাহ্মণ শিরোমণি 'উতথ্য' গী মঙ্গমা লীবা)

চাময়াটেঙ্খৈ মরি শুবা অধ্যায়

—O—

বায়ুরুবাচ

ইমাং ভূমিং দ্বিজাতিভ্যো দিৎসুর্বৈ দক্ষিণাং পুরা। অঙ্গো নাম নৃপো রাজংস্ততশ্চিন্তাং মহী যযৌ ॥১॥

ধারিণীং সর্বভূতানাময়ং প্রাপ্য বরো নৃপঃ। কথমিচ্ছতি মাং দাতুং দ্বিজেভ্যো ব্রহ্মণঃ সুতাম্ ॥২॥

সাহং ত্যক্ত্বা গমিষ্যামি ভূমিত্বং ব্রাহ্মণঃ পদম্। অয়ং সরাষ্ট্রো নৃপতির্মা ভূদিতি ততোঽগমৎ ॥৩॥

ততস্তাং কশ্যপো দৃষ্ট্বা ব্রজন্তীং পৃথিবীং তদা। প্রবিবেশ মহীং সদ্যো মুক্ত্বাঽঽত্মানং সমাহিতঃ ॥৪॥

ঋদ্ধা সা সর্বতো জজ্ঞে তৃণৌষধসমন্বিতা।

ধর্মোত্তরা নষ্টভয়া ভূমিরাসীৎ ততো নৃপ ॥৫॥

বায়ুদেবতানা অমুক হন্না কার্ত্তবীর্য্য অর্জুনদা হায়রকই :— নিংথৌ! খা-মমাঙ্গী যানি। অঙ্গ কৌবা নিংথৌনা পৃথিবীসিবু ব্রাহ্মণদা দান পীরগদবা কথোকপগে হায়না অমুক খনকই। মাগী মাখল অদু অসুম খঙজরবা পৃথিবী অসি য়াম্না চিন্তা তৌরকই ॥১॥ পৃথিবী মহাক্না খনকই :— ঐদি জীবজগৎসিবু ব্রাহ্মণী মচানুপীনি। অঙ্গ কৌবা নিংথৌ অসিনা ঐবু ব্রাহ্মণ তাদা দান তৌরগে হায়না খল্লি ।২॥ অসুম হায়না মহাক্না খল্লবদি ঐসু পৃথিবীগী পৃথিবীত (ভূমিত্ব) ধর্মসি থাদোক্লগা ঐনা ঈকোক থোংনা পুরবগী ধর্ম (ঈথৌ) সি থাদোক্লগা ব্রহ্মলোক (ব্রহ্মাগী লোক) তা চংগে। অসুম তৌরবদি, ঐ চৎলগে, অঙ্গ হায়বসি কনাসু করিসু শাসন তৌদ্রবনা লৈবগে। অসুম হায়না খন্দুনা পৃথিবী অসি ব্রহ্মলোকতা চৎথি ।৩॥ পৃথ্বী দেবীনা অসুম চৎথিবদু উবদা মহর্ষি কশ্যপনা আধ্যাত্মিক যোগনা আত্মা দেহী মশাগী কশ্যপ কৌবা মপানগী ভৌতিক দেহদু থাদোকলদুনা ভূমি (পৃথিবী)গী বিগ্রহ (মূর্ত্তি)গী মনুংদা চংশিনখি ॥৪॥ নিংথৌ! কার্ত্তবীর্য্য! কশ্যপকী আত্মানা চঙশিনখিবদুদা পৃথিবী অসি হায়দনা হেন্না মহাশক্তি শালিনী অমা ওইখি। মফম মাপুংগী পুংদা পৃথিবী থকতুদা লৈবা মরোংগীমখল মথা অয়াম্বনা পীক থনখি। ধর্ম মখল অমগুম্না পৃথিবী থক্তা চাওথংপা ওইখি ॥৫॥

এবং সহস্রাণি বর্ষাণি বিপুলব্রতঃ। ত্রিংশতঃকশ্যপেন রাজন্ ভূমিরাসীদ তল্প্রিতঃ ।।৬।।
অথাগম্য মহারাজ নমস্কৃত্য চ কশ্যপম্। পৃথিবী কশ্যপী জজ্ঞে সুতা তস্য মহাত্মনঃ ।।৭।।
এষ রাজন্নীদৃশোবৈ ব্রাহ্মণঃ কশ্যপোঽভবৎ অন্যং প্রব্রূহি বায়ুং চ কশ্যপাৎ ক্ষত্রিয়ংবরম্ ।।৮।।
তূষ্ণীং বভূব নৃপতিঃ বনস্তুব্রবীৎ পুনঃ। শৃণুরাজন্নুতথ্যস্য জাতস্যাঙ্গিরসে কুলে ।৯।।
ভদ্রা সোমস্য দুহিতা রূপেণ পরমামতা তস্তস্যাস্তুল্যং পতিং সোম উতথ্যং সমপশ্যত ।।১০।।
সা চ তীব্রং তপস্তেপে মহাভাগা যশস্বিনী। উতথ্যার্থে তু চাবঙ্গী পর নিয়মমাস্থিতা। ১১।
তত আহুয় সোতথ্যং দদাবত্রির্যশস্বিনীম্। ভার্যার্থে চ জগ্রাহ বিধিবৎ ভূরিদক্ষিণঃ। ১২।।
তাং ত্বকাময়ত শ্রীমান্ বরুণঃ পূর্বমেব হি। স চাগম্য বনপ্রস্থং যমুনায়াং জহার তাম্। ১৩।।
জলেশ্বরস্তু হৃত্বা তামনয়ৎ স্বং পুরং প্রতি।
পরমাদ্ভুত সংকাশং ষটসহস্রশতহ্রদম্ ।।১৪।

নিংথৌ! মতৌ অসুম্না ব্রত তপস্যাগী শক্তিনা কশ্যপনা লাইগী চাহদা চহি লিশিং কুন্থ্রা চুপ্পা পৃথিবীগী মশক লৌহনা লৈখি ।।৬।। মহারাজ! কর্তবীর্য্য। অতুগী তুংদা পৃথিবী অসি ব্রহ্মলোকগী অমুক হল্লক্লনা মপান্দা চোংথোয়রগা কশ্যপমুনিদা খুরমহুনা পৃথিবী অসি কশ্যপকী মচানুপী ওইনা লৈখিবদগী পৃথিবীবু অসি কশ্যপী (কশ্যপকী মচানুপী)হায়না খঙনখি কৌনখি ।।৭।। নিংথৌ! য়েংলু, ব্রাহ্মণ কশ্যপ মুনিগী প্রভাব (মতীক মগুণ) অসি। কশ্যপ হায়বসিদগী হেনথিবা কনাগুম্বা ক্ষত্রিয় নিংথৌ অম লৈগ্রবদু কনানো মাহু হায় ।।৮।। বা অসি তাবদা কার্তবীর্য্য অসি খুঙ্ফম থঙদনা তূমিন্না লৈখি অতুদগী অমুক পৈমদেবতা (বায়ুদেবতা) না হায়রকই। নিংথৌ! অঙ্গিরাগী গোত্র শাখৈদা পোকপ "উতথ্য"গী বারী তাও সোমদেবতাগী ভদ্রা কৌবী মমিং চৎলবী মচানুপী কন্যা অমা লৈরম্মি। মহাকী মতমদা খ্বাইদগী হেন্না ফজবী নুপীমচা ওইখি। সোমদেব (চন্দ্রম) না, ঐগী ইচানুপীসগী মতীক চাবা বর (মপুরোয়বা)দি মহর্ষি উতথ্য হায়বসিতনা ওইগনি হায়না খনখি ।।৯-১০।। শাওং শদা ফজরবী, মিংচৎ চাউরবী ভদ্রা কৌবী মহাকনু উতথ্যবু মপুরোয়বা ওইনা ফংজগে হায়বগীদমক অকনবা ব্রত তপস্যা তৌখি।।১১। মুমিংথরগী মতুংদা, সোমগী মপা অত্রিনা উতথ্যবু কৌদুনা মহাকী মশুমপী মিংচৎ চাউরবা ভদ্রা কৌবী মচবু উতথ্যপুত্তা দান তৌখি। দান দক্ষিণা মতীক চানা হাপ্পুনা মঙল য়াম্নবা অউবপোংশিং অতুগা লোয়ননা উতথ্যনা ভদ্রাগী পাণিগ্রহণ তৌগি লুহোংখি ।।১২।। অতুবুঙল দেবতা বরুণনা ভদ্রা হায়বীসিবু মমাঙেদগী হৌনা মহাকী লোয়নবী ওইহনগে হায়না য়াম্না আন্দা তৌখিবনি। মহাক্না লোংমা, বনগী মনুংদা লৈবা মুনিগী আশ্রমদা লোয় লাক্লুনা যমুনাদা স্নান তৌরিঙৈ মতমদা ভদ্রাবু কোন্দুনা হুহনা পুখি ।।১৩।। ঙৈশিংগী নিংথৌ জলেশ্বর বরুণনা ভদ্রাবু পুখিহুনা, ঙৈশিংমুংদা লৈবা মহাকী কজরবা নগর (কোনুং) দা থমখি। নগর অদু নোংথাংগী মৈনা বিজুলীনা পুমলংনা কংঙৈ ।।১৪।।

সহি রম্যতরং কিঞ্চিৎ তস্মাদণ্যৎ পুরোত্তমম্ । প্রাসাদৈরভ্রসংকাশৈশ্চৈব দিব্যৈঃ কামৈশ্চ শোভিতম্ ॥১৫॥
তত্র দেবস্তয়া সার্ধং রেমে রাজন্ জলেশ্বরঃ। অথাখ্যা তমুতথ্যায় ততঃ পত্ন্যবমর্দনম্ ॥১৬॥
তচ্ছ্রুত্বা নারদাৎ সর্বমুতথ্যো নারদং তদা। প্রোবাচ গচ্ছব্রূহি ত্বং বরুণং পরুষং বচঃ ॥১৭॥
মদ্বাক্যান্মুঞ্চ মে ভার্যাং কস্মাৎ তাং হৃতবানসি। লোকপালোঽসি লোকানাং ন লোকস্য বিলোপকঃ॥১৮॥
সোমেন দত্তা-ভার্যা মে ত্বয়া চাপহৃতাদ্য বৈ। ইত্যুক্তো বচনাৎ তস্য নারদেন জলেশ্বরঃ। ১৯॥
মুঞ্চ ভার্যামুতথ্যস্য কস্মাত্ত্বং হৃতবানসি। ইতিশ্রুত্বা বচস্তস্য সোঽথ তং বরুণোঽব্রবীৎ ॥২০॥
মমৈষা সুপ্রিয়া ভার্যা নৈনামুৎস্রষ্টুমুৎসহে ।
ইত্যুক্তো বরুণেনাথ নারদঃ প্রাপ্য তং মুনিম্। উতথ্যমব্রবীৎ বাক্যং নাতিহৃষ্টমনা ইব ॥২১॥
গলে গৃহীত্বা ক্ষিপ্তোঽস্মি বরুণেন মহামুনে। ন প্রযচ্ছতি তে ভার্যাং যত্তে কার্য্যং কুরুষ্ব তৎ ॥২২।
নারদস্য বচঃশ্রুত্বা ক্রুদ্ধঃ প্রজ্বলন্নিব ।

বরুণগী কোন্নুংনা অতুক ফজবদি করি হায়নি। মাতুগী মতৌগুম ফজবা, নগর অতোপ্পা অম লৈরম্মরোই। কোঙ্গ অতদা মণী লাকছুনবা ফুরাদলাল, দিব্যার্থ অতুগা ফজ-ফজরবী অপসারা শিংতনা পীক থম্না লৈ ॥১৫॥ নিংথৌ! কার্ত্তবীর্য্য! ঈশিং পুন্নমকী মপু নিংথৌ জলদেবতা বরুণনা ভদ্রাগা লোয়ননা চত্রাও তম্নানা লৈমিন্নখি। বরুণনা মাগী মুপী ভদ্রাবু নমহুনা পুত্রে হায়রবসি নারদনা তম্মুরে ॥১৬। নারদগী মচিন্দগী বাসি তাশন্দা উতথ্যনা নারদদা অসুম্না হায়রকই:— দেবর্ষি! বরুণগী নাক তাম্না চৎলগা ঐগী কল্লবা পাউ অসে মতাংদা অসুম্না তম্বীক ।১৭॥ "বরুণ! ঐনা চন্ন হায়রিঙৈদা য়াহৌ। ঐগী লোয়নবী অদোক নহাক্না নমহুনা পুথিবগে লৌখিকমক ঐগী নাক্সা য়োহল্লকউ। করিগীদমক নহাক্না মীগী মুপীবু নমহুনা পুই? ইন্দ্র বরুনচিংবা মখোয় অসে দিকপাল (মায়কৈ ঙাকপা লাই) ওইনা হাপখিবনি। দিকপালদি লৈবাকচনা করিগী দিকবিনাশক ওইরি? নহাক্না পুত্রিবা ভদ্রা হায়বীদো সোমদেবনা (চন্দ্রগানা) ঐহোন্দা কন্যাদান তৌখ্রবীনি। মীগীমুপীবু করিগীদমক বলাৎকার তৌহুনা পুই?" হায়রিবা পাউ অসি চপচানা অমত্ত বাৎতনা নারদনা বরুণগা তম্মুই। নারদনা হায় বরুণ! নং লৌখিক মক উতথ্যগী লোয়নবী ভদ্রাসে থাদোকউ ॥১৮-১৯॥ উতথ্যনা হায়রকপা বাসি তাবদা অসুম্ন হায়রকই। নারদ! ভদ্রা কৌবীসে ঐগী য়াম্ন নুংশিজবী লোয়নবীনি। ঐ মাবু থক থাদোকলোই ॥২০॥ বাসি তাবদা নারদনা উতথ্যগী মফমদা বরুণনা হায়রকপপু চপ চপ য়াম্না নুংঙাইতনা অসুম হায়না তম্মুই ॥২১॥ মহামুনি! বরুণনা ঐবু ওকশম লাকুনা ঈল্লকই। নহাক্কী লোয়নবী ভদ্রাবু মহাক্না কৈদৌঙৈদম্ম থাদোক্লরোই। মাসিদা মহামুনিনা করি তৌব হৌনবগে হায়বহু তৌবিয়ো ॥২২॥ নারদগী ওহ্ তাবদা অজিরাগী মচা মচা মুনি উতথ্য অসি শাউবনা মৈ হৌখি। মাগী অশাউবদগী মৈ অহুনা সমুদ্রগী ঈশিং পুন্নমক মৈগুমশাহুনা কুও কুও হৌনা ঈথক কাখি।

অপিবং তেজসা [illegible] বিষ্টভ্য [illegible] ।২৩।
[illegible]মানে তু সর্বাস্মাংস্তো [illegible] লোকেশ্বরঃ । [illegible] ভিক্ষমানোঽপি নৈবামুঞ্চত তাং তদা ।২৪।
ততঃ ক্রুদ্ধোঽব্রবীৎ ভূমিম্ [illegible] ব্রাহ্মণোত্তমঃ । দর্শয়স্ব স্থলং ভদ্রে ষট্‌ সহস্রশতহ্রদম্ ।২৫।
ততস্তদীরিণং জাতং সমুদ্রশ্চাপসর্পত । তস্মাৎ দেশ [illegible] চৈব প্রোবাচাঽসৌ দ্বিজোত্তমঃ ।২৬।
অদৃশ্যা গচ্ছ ত্বং সরস্বতি [illegible]
অপুণ্যা এব ভবতু দেশস্ত্যক্তস্ত্বয়া শুভে ।২৭।
তস্মিন্ [illegible] দেশে ভদ্র [illegible] ।
[illegible] গত্বা [illegible] বসায়বে ।২৮।
প্রতিগৃহ্য তু [illegible] ভার্য্যা [illegible] ভবৎ ।
[illegible] চ জগৎ [illegible] বরুণং [illegible] ।২৯।
[illegible] ভব [illegible] ।
উতথ্য [illegible] ।৩০।
[illegible]

. —

উতথ্যনা [illegible] হেনা ঈশিংপু [illegible] চুপাশন্দুনা [illegible] ।২৩। উতথ্যনা ঈশিং পুম্বা চুপশিনশিবহু উবদা মকপ [illegible] ইন্দ্রাবু পাদাকপিখো। নক্তবদি [illegible] অবাবা থুদোংথিবা অমা থোক[illegible] প তাবে হাংনা বরুণদা [illegible] মহাক্না [illegible] ।২৪ মতম [illegible] ব্রাহ্মণ অথোইবা উতথ্যনা য়াম্না শাউথিদুনা পৃথিবীদা [illegible] — দব । পৃথিবী । নোংখাং থাউমৈ লিশিং অমনা ওাল্লি হায়বিবা মফমহু নং [illegible] ।২৫। [illegible] থুদক্তা [illegible] মফম অহু, হায়বিবা মফম [illegible] উতথ্যনা অসুম। হায়রকই:— লৈকংলা ওইবি [illegible] সরস্বতী ! [illegible] তাম্না চেনখো । মহাক্না থাদো-কিগনবী সরস্বতী । [illegible] হায়হৌরান ।২৬-২৭। ঈশিং দোক্লগা মফম [illegible] অঙ্গিরাগী [illegible] ব্রাহ্মণ উতথ্যাদা লোইনা [illegible] বরুণদা [illegible] চাদে। চাক্লবা মৈদা আহুতি তৌরম তৌরম্নগা স্বর্গ [illegible] হায়দুনা [illegible] চাদে। চাক্লবা মৈদা আহুতি ইরাল ডাকপিয় [illegible] উতথ্যদা [illegible] ।২৮। হৈহয় বংশগী নিংথৌ । কার্ত্তবীর্য্য । উতথ্যনা মরাল ডাকপিহুনা মহাকী [illegible] অমুক [illegible] য়াম্না পেনখি । বরুণদা ঈশিং ময়ামহু হজিনবিহুনা বরুণ কৌব দিকপালশু [illegible] ।২৯। নিংথৌ মহাকী লোনবী ভদ্রাবু অমুক [illegible] হায়রকপান তাও ।৩০। জলেশ্বর । বরুণ । নংনা নাপলগা লোয়ননা [illegible] ঐঙ্ক তপস্যাশ ক্রিনা ঐগা লোয়নবীবু খৎন চৈনবা ঈয়াও য়াওদনা নঙোন্দগী মুপ্তে ।

ইত্যুক্ত্বা তামুপদায়ৈব স্বমেব ভবনং যযৌ ॥৩১॥

এষ রাজন্মীদৃশো বৈ উতথ্যো ব্রাহ্মণর্ষভঃ। ব্রবীম্যহং ব্রাহ্মিবা সুখ্যাৎ ক্ষত্রিয়ং বরম্ ॥৩২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যা মনুশাসনপর্বণি দানধর্মণি পর্বনার্জুন সম্বাদো নাম চতুষ্পঞ্চাশদধিকশততমোধ্যায়ঃ। ॥ × ॥ × ॥

অসি হায়রগা উতথ্য অসি ভদ্রাবু পুন্না মাগী আশ্রমদা হনখি ॥৩১। নিংথৌ! ব্রাহ্মণশিংগী কোক্কী মান তপস্বী ব্রহ্মণ উতথ্য হায়বহু কয়াগী মতীক শক্তি শালী ওইবগে হায়বহু নহাক্কা তারে। হায়রিবা উতথ্য কৌবা ব্রাহ্মণসিংদগী হক্না শক্তি লৈবা ক্ষেত্রিয় কনাগুম্ব। লৈরবস্নু হায়্ কনানো ?

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিং চাননা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসনপর্বদা দানধর্মগী পর্বদা পবনার্জুন সম্বাদগী চাময়াঙ্খৈবরিশুবা আধ্যায় লোইরে॥ × ॥ × ॥

==•==

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(ব্রহ্মর্ষি অগস্ত্য অমসুং বসিষ্ঠকী প্রভাব)

চাম্‌য়াথৈ [illegible] অধ্যায়

—০—

[illegible] উবাচ

ইত্যুক্তঃ সন্ পবনঃ [illegible] ততঃ [illegible] । শৃণু [illegible] ১।

অসুরৈর্নির্জ্জিতা [illegible] শ্চ [illegible] শ্চৈব [illegible] স্তথা । ২।

কর্মেজ্যা মানবানাং চ দানবৈ হৈহয়র্ষভ । ভ্রষ্টশ্চ[illegible] স্ততো দেবাশ্চেরুঃ পৃথ্বীমিতি শ্রুতিঃ ।।৩।

ততঃ কদাচিৎ তে রাজন দীপ্তমাদিত্যবর্চসম্ । দদৃশুস্তেজসা যুক্তমগস্ত্যং বিপুলব্রতম্ ৪।।

অভিবাদ্য তু তং দেবাঃ পৃষ্ট্বা কুশলমেব চ । ইদমূচুর্মহাত্মানং বাক্যং কালে জনাধিপ ।৫।

দানবৈ র্যুধি ভগ্নাংস্ম তথৈশ্বর্য্যাদ্ভ্রংশিতাঃ । তদস্মান্নো ভয়াৎ তীব্রাৎ ত্রাহি ত্বং মুনিপুঙ্গব ।৬।।

ভীষ্মনা হায়ঃ - যুধিষ্ঠির ! বসুদেবনা অসুম [illegible] হায়রকপাদদা নিংথৌ কার্ত্তবীর্য্য তুমিন্না বা-মচেৎ অমত্ত ঙাওদনা লৈখি । মথা তানা কবিমত ঙাও শকপা ঙমখিদ্রে । বায়ুনা অমুক হন্না মথা হায়রকই নিংথৌ ঃ মহাব্রাহ্মণ অগস্ত্যগী মহাত্মা অমুক তাও ।১। হৈহয় শাগৈগী নিংথৌ অথোইবা ! মমাঙৈদা হিংচাবা দৈত্য-দানবশিংনা দেবতা (লাই আদিত্য)শিংবু মায়থীবা পীহনা লাইশিংগী মতীক মগুণ থোনা পুম্বা লোইনা মাঙহনখি । দানবশিংনা দেবতাশিংনা মতম, পিতৃলোকতা লৈবশিংগী শাক্ত অহুগা মর্ত্ত্যলোকী তাইবং মীগী ধর্মকর্মগী অনুষ্ঠান পুম্বা মুথংথ্রে । অদুদগীদি দেবতাশিংসি মথুং ফেওহনা তোকম থওদনা মর্ত্ত্যলোকতা চৎথরকুনা অমদগী অমদা কোয়চৎ চকুনা লৈখি অসুম্না হায়বসি তায়।২ ৩।। নিংথৌ ! অদুগী তুংদা, মুমিৎ সূর্য্যদেব মশেক মঙালগুম পূমদাং লংলবা, মহাতেজ কল্লবা, মহাব্রতধারী অগস্ত্যবু উই ।৪।। নিংথৌ ! দেবতাশিংনা মথুং লোয় লোয়হনা চঙশিল্লকুনা ব্রাহ্মণ অগস্ত্যবু খুরমহনা কুশলসমা-চার পুছা হৎলবা তু দা তুমিন তুমিন কমহনা অসুম্না হায়রকই ।।৫।। মুনি অথোইবা ! কল্লবা দানবশিংনা লান্দা ঐখোয় পুম্ববু মায়থীবা পীহনা ঐখোয়গী ঐশ্বর্য্য পুম্বা লোইনা উৎ ওইবা মাঙহল্লে । ঐখোয়বু হন্না হন্না তাবসি । ঐগোম্ব খ্বাইবু অকিবসিদগী নাথোকহনবীয়ু, ঐখোয়বু অমুক্ত কনবীয়ু ।।৬।।

ইত্যুক্ত্য স তদা দেবৈরাগস্ত্যঃ কুপিতোঽভবৎ। প্রজজ্বাল চ তেজস্বী কালাগ্নিরিব সংক্ষয়ে ॥৭॥
তেন দীপ্তাংশুজালেন নির্দগ্ধা দানবস্তদা। অন্তরিক্ষান্মহারাজে নিপেতুস্তে সহস্রশঃ ॥৮॥
দহ্যমানাস্তু তে দৈত্যাস্তস্যাগস্ত্যস্য তেজসা। উভৌ লোকৌ পরিত্যজ্য গতাঃ কাষ্ঠাং তু দাক্ষিণাম্ ॥৯॥
বলিস্তু যজতে যজ্ঞমশ্বমেধং মহীগতঃ। যেঽন্যেঽধস্থাশ্চ মহীস্থাশ্চ তে ন দগ্ধা মহাসুরা ॥১০॥
ততো লোকাঃ পুনঃ প্রাপ্তাঃ সুরৈঃ শান্তভয়ৈর্নৃপ। অথৈনমব্রুবন্ দেবা ভূমিষ্ঠানসুরান্ সহি। ১১।
ইত্যুক্তঃ প্রাহ দেবান্ স ন শক্তোঽস্মি মহীগতান্। দগ্ধুং তপো হি ক্ষীয়েন্মে ন শক্ষ্যামী তি পার্থিব ॥১২॥
এবং দগ্ধা ভগবতা দানবাঃ স্বেন তেজসা। অগস্ত্যেন তদা রাজংস্তপসা ভাবিতাত্মনা ॥১৩॥
ঈদৃশশ্চাপ্যগস্ত্যো হি কথিতস্তে ময়ানঘ। ব্রবীম্যহং ব্রূহি বা ত্বমগস্ত্যাৎ ক্ষত্রিয়ং বরম্। ১৪।

ভীষ্ম উবাচ

ইত্যুক্তঃ স তদা তূষ্ণীমভূৎ বায়ুস্ততোঽব্রবীৎ।
শৃণু রাজন্ বসিষ্ঠস্য মুখ্যং কর্ম যশস্বিনঃ ॥১৫॥

দেবতাশিংনা অসুম্না হাংরকপসি তাবদা অগস্ত্য ঋষি অসি মৈ থোক্না শাউরকই। প্রলয়গী মৈগী মতৌম্না মশা পুম্বদগী তেজ মৈরি পোক্না হাইদোরকই। অশাউবগী মৈনা মমীৎ অনীদা ঈ কারকই ॥৭॥ নিংথৌ! মৈরি মপে শুম্বু নোংমতোলংঙ্কা হাইগৎ কাখৎলক্তুনা মৈ অদুনা মশা পুম্বা চাকখেক্তুনা দানবশিং অদু লৈমায়পক্তা তারকই ॥৮॥ মৈরিশিং অদুনা হায়তুনা দৈত্যদানবশিংদু মখা মায়কৈ পানো চেনখি ॥৯॥ মতম অদু বলি অসি মত্ত্য লোক্তা কুনথরক্তুনা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌদুনা লৈবনি। অদুবু মহাকস্থু অদুগা পৃথ্বী থক্তা লৈবা অদুগা পতালদা লৈবা দৈত্যশিংগা লোইনা মদুনা চাকথেকপা হৌরকই ॥১০॥ নিংথৌ! অদুদগী তুংবা, দেবতাশিংগী অকঅথংবা লোইনা কোংপ্রবদা দেবতাশিংদুনা মাগী মাগী লোক (লৈফম) দা চংনখি অদুদগী অমুক দেবতাশিংনা অগস্ত্য ঋষিগী নাক্ত লাক্তুনা অসুম্না হায়রকই:— মুনিদেব। মর্ত্ত্য লোকতা থাওদুনা লৈহৌরিব. অসুরশিংসিবুসু লোইনা মাওহনবীয়ু ॥১১॥ নিংথৌ! দেবতাশিংনা অসুম্না হায়জরক্লবদা অগস্ত্যনা হায়রকই ভূতল (মর্ত্ত্যলোক) দা লৈবা অসুরশিংসে, ঐ মাওহনবা হাংদবা ওয়োই-হাংলোই। অসুম্না তৌববাদ, ঐগী তপস্যাগী শক্তি অসে, ক্ষীণ ৎঈরক্কনি, মাওথরক্কনি। অদুনা দেবতাশিংনো হায়রিবা রাকমসিমদি ঐ তৌবা ওয়োই। ১২॥ নিংথৌ! মতৌ অসুম্ন দৈত্য দানব ময়াম্বু তপস্যা তেজনা লোইনা চাকথেকহনখি। ১৩॥ পাপকী শরুক থাওজ্রবা নিংথৌ! অগস্ত্যগী প্রভাব শক্তি অমদি মাহাত্ম্য অসে নঙোন্দা তাহল্লবনি। হায়রিবা ব্রাহ্মণ অসিদগী হেল্লা তৌবা ওথা কনাগুম্বা ক্ষত্রিয় মমাঙ-তৈদা লৌথি লাকখিবসু মাহু হায়ু কনানো? ॥১৪॥ ভীষ্মনা হায়:— যুধিষ্ঠির! বায়ুদেবনা অসুম্না হায়রক্লবদা কার্ত্তবীর্য্য অসি থক্কম থঙদনা তুমিন্ন লৈখি। বায়ুদেবনা অমুক মখা তারকই:— নিংথৌ! মিংচৎ চাওরবা ব্রাহ্মণ বসিষ্ঠগী অওকপা অথোখবা কর্মদু ঐ লীগে তাও ॥১৫॥

আদিত্যাঃ সক্রমাসন্ত সরোবৈ মানসং প্রতি। বসিষ্ঠং মনসা গ ত্বতং তস্য গৌরবম্ ॥১৬॥

যজমানাংস্তু তান্ দৃষ্ট্বা সর্বান্ দীক্ষানুকার্শিতান্। হন্তামিচ্ছন্ত শৈলার্ভাঃ খলিদো নাম দানবাঃ ।১৭॥

অহুরাস্তু ততস্তেকাং ব্রহ্মাদত্তবরং সরঃ। হতাহতাবৈ তত্রৈত জীবন্ত্যাপ্লুত্য দানবাঃ ॥১৮॥

তে প্রগৃহ্য মহাঘোরান্ পর্বতান্ পরিঘানক্রম ন্। বিক্ষোভয়ন্তঃ সলিলমুৎ সিতং শতয়োজনম ॥১৯॥

অভ্যাদ্রবন্ত দেবাংস্তে সহস্রাণি দশৈবহি। ততস্তৈর্দিতা দেবাঃ শরণং বাসবং যযুঃ ॥২০॥

স চ তৈর্ব্যথিতঃ সক্রো বসিষ্ঠং শরণং যযৌ। ততোঽভয়ং দদৌ তেভ্যো বসিষ্ঠ ভগবানৃষিঃ ।২১॥

তদা তান্ দুঃখিতান্ জ্ঞাত্বা আনৃশংস্যপরোমুনিঃ অযত্নেনাদহৎ সর্বান্ খলিনঃ সতেজসা ॥২২॥

কৈলাসং প্রস্থিতাং চৈব নদীংগঙ্গাং মহাতপাঃ। আময়ৎ তৎসরো দিব্যং ভঙ্কাভিন্ন চ তৎসরঃ ।২৩।

মমাঙৈদা নোংমা, বসিষ্ঠগী শক্তি প্রকাব অহু তাহুনা দেবতাশিংনা পূক্লীংদা অঙম থন্দুন। মহাক্কী আশ্রয়দা চঙজহুনা মানস সরোবর মপান্দা যজ্ঞগী অনুষ্ঠান তৌথি ॥১৬॥ দেবতা পুম্ন শ অত্ত যজ্ঞগী দীক্ষা লৌহুনা ব্রত উপংসনা অঙম তৌরকপদা মশা মশাহু কংশিল্লক্লে। চাকথরকলে। মথোয়না তৌরকপা যজ্ঞহু উবদা অমময়া চীঙহুমগী মতৌগুম বাং চাউরবা খলী কৌবা দানবশিংনা দেবতাশিংনা দেবতাশিংহুবু হাৎকে হায়না থন্নরকলে। মথোয় ময়ান লাক্তুনা, দেবতাশিংহুগী মথক্ত আক্রমণ তৌরক্লে ।১৭। মথোয়না লাক্লিবহু মানসসরোবরগী মনাক মপান্দনি। ব্রহ্মানা দৈত্যশিংদা মমাঙৈদ বর অমা পীখি। বর অহুদি কৰিনো হায়বদ, মথায়না মানস সরোবর অসিদা লূপ্লবদি, মথোয় অনৌবা পূনশি, অনৌবা হকচাং কংগনি অসিনি। অহুনা দৈত্যশিংহুনা লাক্লেংনবদা শিরুম নারুম তৌরবা মথোঙ মখুং তেক্লবশিংহু মানস সরোবরদা থোক থোক লংথবদা, শোক্লিবা শিরুম নারুম তৌরিবশিংহু মশা তগৎ তগৎ তেক্তুনা অমমুক কাথৎলকই ॥১৮॥ অহুনা মথোয়না মানস সরোবরগী য়ুথক চাম চাম বাংনা হাইগৎলকপা ঈপোমশিং উপাম্বী চাউর চাউরবা, চাউর চাউরবা চীংহুম ফুক ফুক্তুনা দেবতাশিংগী মথক্তা কয়া আক্রমণ তৌশিল-কলে। দৈত্য দানবশিংগী মশীং অসি লিশিং তরাবোমগী মথাক্ল। মথোয়না তৌশিল্লকপা আক্রমণ অসি থাতবা ঙমদহুনা, মশা চোকথরবা দেবতাশিং অহুনা ইন্দ্রগী নাক্ত চেনশিল্লক্তুনা ঐখোয়বু কনবিয়ু হায়না হায়জখি ।১৯-২০॥ ইন্দ্রমকলু মথোয়গী থেংনবদা অৱাবা খুদোংথিবা কয়া ফংবা তাখি। অহুনা ইন্দ্রনচিংবা দেবতাশিংনা বসিষ্ঠপক্তলাক্তুনা আশ্রম লৌখি। মাগী লাইগী প্রবাবা য়েংহুনা লৈব হৈতবা বসিষ্ঠনা লাই ময়ামশিংদা অভয় দান তৌখি। মহাক্কা ইলাই লায়ন মাগী তপস্যাগী তেজতনা খলীকৌবা দানবশিংহুবু মীকুপ্তা চাকথেকহনখি ।২১-২২॥ অসিত মত্তে, মহাতপসী মুনিসিনা কৈলাস চীংদোনতায় চৎথীরম্বী গঙ্গা দেবীবু হায়রিবা দিব্য সরোবরসিদা পুরকখি। গঙ্গা দেবীনা চেনশিল্লক্তুনা সরোবরহুগী থাজিল্লীবা লৈপল লৈরারগুবা ময়থেকখি ॥২৩॥

সরোভিন্নং তয়া নদ্যা সরযূঃ সা ততোঽভবৎ। হতাশ্চ খলিনো যত্র সদেশঃ খলিনোঽভবৎ ॥২৪॥
এবং সেন্দ্রা বসিষ্ঠেন রক্ষিতা স্ত্রিদিবৌ কসঃ। ব্রহ্মদত্তবরাশ্চৈব হৃতা দৈত্যা মহাত্মনা ॥২৫॥
এতৎ কর্ম বসিষ্ঠস্য কথিতং হিময়ানঘ। ব্রবীম্যহং ব্রূহি বাক্যং বসিষ্ঠাৎ ক্ষত্রিয়ংবরম্ ॥২৬॥

ইতি শ্রীমহাভারততে শতসহস্রস্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যা মনুশাসনপর্বনি দানধর্মপর্বনি পবনার্জুন সম্বাদে পঞ্চাশদধিক শততমোঽধ্যায়ঃ ॥ X ॥ X ॥

গঙ্গানা নেমথক্লবদুদা সরোবরসিদগী ঈশিংনা ঈচেল লাইনা চেঙ্গরকই। নমথরকপদগী পোকখিবী ওইবনা তুরেল ঈচেলঅদু সরযু হায়না কৌনখি। খলী কৌবা দানবশিং অদুবু হাংখিবা মফম অদু হৌজিক ফাওবা খলিনদেশ হায়না ফাওখি খঙনখি ॥২৪॥ * মতৌ অসুম, মহাত্মা ওইরবা ব্রাহ্মণ বসিষ্ঠনা ইন্দ্র-নচিংবা লাইয়াম্নগী মথায় কর্নাবিখি। ব্রহ্মাজীমক্তা বর পীগ্রবা খলীশিংবু ব্রাহ্মণ বসিষ্ঠনা তুম্না মাঙহনখি ॥২৫॥ পাপকী শরুক য়াওদ্রবা নিংথৌ। ব্রহ্মর্ষি বসিষ্ঠগী শক্তিগী মরমদা নঙোন্দা জীরবনি। ঐনা হায়রিবসি-নি — বর্ণ পুম্নমক্তগী ব্রাহ্মণনা খ্বাইদগী অহেনবনি। অসিগুম্বা বসিষ্ঠগী হেনবা ক্ষত্রিয় কনাগুম্বা য়াওগ্রবদি কনানো মাহু ঐঙোন্দা হায় ॥২৬॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা, দানধর্মগী মতাংদা পর্বনার্জুনসম্বাদগী চাময়াঙ্গোমতাগুবা অধ্যায় লোইরে ॥ X ॥ X ॥

---

* টীকাঃ— পৃথিবীদা লৈরিবা, বিশেষ ওইনা ভারত বর্ষদা লৈরিবা তুরেল চীওথন্ তীর্থ পুম্নমক সিগী মিংশিং অসি পওপোন থোনখিবা নত্তে। থোকখ্রিবা থবক ঘটনাদুগী মতুং ইন্না, মশা অহুম ওইর-কপা মিংমক্তনি থবক্তি তৌদনা মিতমক ফজহনবগুম্বা নত্তে। গঙ্গা, যমুনা, গোদাবরী, ব্রহ্মপুত্র সরযু, অসিনচিংবা মিংশিং অসি পোকখি পোকখিবা থবক অদুনা অহুম মশানা ওইখিবতনি। মাহু শঙদবা চুম্নগী ঈচম চম্বা ভৌগোলিক বৈজ্ঞানিক নাস্তিকশিংনা পুরানগী থাবী কথাশিংবু থাজদে। অদুনা কৈদৌনা মিংশিং অসি থোনখ্রিবনো হায়রদু মখোয়না হায়বা তাংকপা ঙমদে। নাম উপাধি হায়দসি থবক থবক-কুদগী ওইখিবা ঙাক্তনি। (কালাচাঁদ)

—o—

মণিপুরী মহাভারত

ষট্পঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(অত্রি অমদি চ্যবন ঋষিগী তৌবাঙুমগী ৱারী)

চাময়াথৈ তরুকশুবা অধ্যায়

=০=

ভীষ্ম উবাচ

ইত্যুক্তস্ত্বর্জুনস্তূষ্ণীমভূৎ বায়ুস্তমব্রবীৎ। শৃণু মে হৈহয়শ্রেষ্ঠ কর্মাত্রেস্তু মহাত্মনঃ ॥১॥

ঘোরে তমস্যযুধ্যন্ত সহিতা দেবদানবাঃ। অবিধ্যত শরৈস্তত্র স্বর্ভানুঃ সোমভাস্করৌ ॥২॥

অথ তে তমসাগ্রস্তা নিহন্যন্তে স্ম দানবৈঃ। দেবা নৃপতিশার্দূল সহৈব বলিভিস্তদা ॥৩॥

অসুরৈর্বধ্যমানাস্তে ক্ষীণপ্রাণা দিবৌকসঃ। অপশ্যন্ত তপস্যন্তমত্রিং বিপ্রং তপোধনম্ ॥৪॥

অথৈনমব্রুবন্ দেবাঃ শান্তক্রোধং জিতেন্দ্রিয়ম্। অসুরৈরিষুভির্বিদ্ধৌ চন্দ্রাদিত্যাবিমাবুভৌ ॥৫॥

বয়ং বধ্যামহে চাপি শত্রুভিস্তমসাবৃতে। নাধিগচ্ছাম শান্তিং চ ভয়াৎ ত্রায়স্ব নঃ প্রভো ॥৬॥

ভীষ্মনা হায় — যুধিষ্ঠির! অসুম্না হায়রকপ সিদা কর্তবীর্য্য অর্জুন অসি খুদক্কী খঙদনা তুমিন্না লৈ। মতুংদা বায়ুদেবনা মথ ডানা অমুক হায়রকই — কৈহয়শ্রেষ্ঠগী লৈবক। মহাত্মা অত্রিগী তৌঙমদবা থবক তং অমক তাবিযু। ১। মাথুদা অমমনা মমাঙৈদা। অমমবা মংতক শিংবদা (দেবদানব) শিংগী লাঙাও অমা থোকখি। লান অদুদা রাহুনা চন্দ্র সূর্য্যদেব অনীবু কাপখি — শোকহনখি। অনীবু তমখিবতুদা, মায়গৈ পুন্না পুন্নম ... ... দেবতাশিং তুমমখিবদুদা কর্ণমত তৌঙমদহুনা দানবশিংনা। ... পঙকাং হাংচিনকে। ৬। অসুর দানবশিংহুনা হাচিনকপদুদ, দেবতাশিং তৌকম খঙঙক ত্র মথাযদু ... ... তপস্যা তৌহুনা লৈরিবা অত্রিগী নাক্ত য়োথি। শান্তিব হৈতবা ইন্দ্রিয় থুদুম চম্রব অদি মুনিবু থগা দর্শন তৌরগা মখোয়না অসুম্ন হায়রকইঃ— প্রভু! মনিবর! চন্দ্রদেব সূর্য্যদেব অনীবু ... ... শোক হনহুনা তুহুনা লৈরে। নঙাগী মখোয় অনীনা লৈখবাসদা মায়গৈ পুন্না পুন্নম ... অমঙদা হৈননব দানবহি চাবশিংসিনা ঐখোয়বু পঙকাং হংচিল্লে, ঐখোয় লৈফম চাফম তৌকম খঙজে। থোজানবাহুনা অমুক্তা কনবিয়ু।৪ ৬।

অত্রিরুবাচ

কথং রক্ষামি ভবতস্তেঃক্রুধংশচন্দ্রমা ভব। তিমিরঘ্নশ্চ সবিতা দস্যুহন্তা চ নো ভব ॥৭॥

এবমুক্তস্তদাত্রির্বৈ তমোনুদ-বশী। অপশ্যৎ সৌম্যভাবাচ্চ সোমবৎ প্রিয়দর্শনঃ ॥৮॥

দৃষ্ট্বা নাতিপ্রভং সোমং তথা সূর্য্যং চ পর্ব্বিব। প্রকাশমকরোদত্রিস্তপসা স্বেন সংযুগে ॥৯॥

জগৎ বিতিমিরং চাপি প্রদীপ্তমকরোৎ তদা। ।১০॥

ব্যজয়চ্চ শত্রুসংঘাংশ্চ দেবানাং স্বেন তেজসা। অত্রিণা দহ্যমানাংস্তান্ দৃষ্ট্বা দেবা মহাসুরান্ ॥১১॥

পরাক্রমৈস্তেঽপি তদা ব্যত্যয়ুস্তেঽত্রিরক্ষিতাঃ। উদ্ভাসিতশ্চ সবিতা দেবাস্ত্রাতা হতাসুরাঃ ।১২॥

অত্রিনা ত্বথ সংবর্ধিতঃ কৃতমুক্ত মতেজসা। দ্বিজেনাগ্নি দ্বিতীয়েন জপতা চর্ম্মবাসসা ১৩।

ফলং পক্ষো রাজর্ষে পশ্য কর্মাত্রিণা কৃতম্।

তপাংসি বিস্তরে লোকে কর্মাণি সুমহান্তি চ। ব্রবীম্যহং কিং ক্ষত্রিয়াৎ ক্ষত্রিয়ং বরম ॥১৪॥

ইত্যুক্তস্তু তু মহীন্দ্রং বায়ুস্তং চাব্রবীৎ। শৃণু মহৎ কর্ম চ্যবনস্য মহাত্মনঃ ॥১৫॥

অশ্বিনোঃ প্রতিজ্ঞাং শ্রুত্বা চ্যবনং পাকশাসনঃ প্রোবাচ সহিতো দেবৈঃ স মপাবশ্বিসৌ কুরু ॥১৬।

- -

মখোয়গী বাত্ত তাবদা অত্রি মুনিনা অসুরশিংগী ফাগরকই ঐবু করম তৌজো হায়বগে? অসুম তৌ হায়বা মঙ্ডু তাকপমু। দেবতাশিংনা হায়রকই, -- মুনিকী তপস্যাগী শক্তিনা সূর্য্য চন্দ্র অনীগী মশক লৌহনা অমদ সে অমুক্তা থান থাকপিরগা দানবশিং তাকুশিংসিবু হাত্তোকপিসু ।৭। নিংথৌ! দেবতা-শিংগী ৱাসি তাবদা অত্রিনা অহিংদা নঙাল পীঙদা চন্দ্রমাগী মশক লৌহনা লৈখিবহুদা অত্রিগী মায়থোং অহু য়েংবদা ওথোক্লা নীংথৌ মহাক্না মহাশক্তিনা লোয়নবা মেঙলবা থোংলবা মঙাল পুহনা দেব-তাশিংদা য়েংলকই। নতন হুনক্নদা মাগী মঙাম্না (চন্দ্র মাগী মঙাম্না) অহিং অহু পুংঙাল ঙানখি। ৮-১০॥ মহাক্না তপস্যাগী তেজনা লা শিংগী যেরবশিংহুবু মায়থীবা পীখি। অত্রিগী তেজনা ৱাং চাউরবা কন্নবা অসুরদানবশিংবু চাক থক্হনখিবহু উবদা অহুগা মহাক্না তাকশেনবহু ফংজরবা দেবতাশিংনা দৈত্যাশিংবু তাম তাম্না হাংখি। অত্রিনা সূর্য্যগী তেজ পুথি দেবতাশিংবু কনখিখি। অসুর পুম্নমকপু হাংখি ।১১-১২॥ অত্রি হায়বসে গায়ত্রী মন্ত্র তক্না তৌহনা লৈজবা, শজী মচেং শেংপ, উইহে বাহিতমা জীবিকা ওইবা, অগ্নিহোত্রী (হোমত তৌহনা লৈবা) মহাক্নী তেজনা তিন্নবা ব্রাহ্মণ অমনি। মহাক্না তৌখিবা অমনা পাক তৌরবোইদবা থবক অদো অহুক য়েংহু। মহাক্নী তপস্যাগী শক্তি অদো ঐনা লিরবনি। হায়ু, মতৌ-দগী হেনবদি লায়রবগা ম দৌনা তৌবা ক্ষত্রিয় কনা য়াওখি? ।১৩-১৪॥ বায়ুগী ৱাসি তাবদা কর্ত্ত-বীর্য্য অসি থুম্ফম থঙদনা তুনিম্না লৈখি। নিংথৌ! অমুক তাও, মহাত্ম চ্যবনঋষিগী ৱারী ॥১৫॥ মমা-ক্নৈদা নাসত্য দস্র কৌবা আশ্বিনীকুমার অনীদা সোমরস থকপা যাওহনগানি হায়ন চ্যবন ঋষিনা ৱাশকখি-হনা নোংমা ইন্দ্রদা অমুম্না হায়রকই দেবরাজ অশ্বনীকুমার অনীসিবু দেবতাশিংগা লোয়ননা সোমপান তৌবা য়াওহবীয়ু ॥১৬॥

ইন্দ্র উবাচ

অস্মাভির্নিন্দিতাবেতৌ ভবেতাং সোমপৌকথম্। দেবৈর্ন সম্মিতাবেতৌ তস্মান্মৈবংবদস্বনঃ ॥১৭॥

অশ্বিভ্যাং সহ নেচ্ছামঃ সোমং পাতুং মহাব্রত। যদন্যৎ বক্ষ্যসে বিপ্র করিস্যামি তেবচঃ ॥১৮॥

চ্যবন উবাচ

নিবেতমোশ্বিনৌ সোম ভক্ষতুঃ সহিতাবিমৌ। উভবেতাবপি সুরৌ সূর্য্যপত্রৌ সুরেশ্বর ॥১৯॥

ক্রিয়তাং অদ্বচো দেবা যথাবৈ সমুদাহৃতম্। এতৎবঃ কুর্বতাংশ্রেয়ো ভবেন্নৈতদকুর্বতাম্ ॥২০॥

ইন্দ্র উবাচ

অশ্বিভ্যাং সহ সোমং বৈ ন পাস্যামি দ্বিজোত্তম। পিবান্ত্বন্যে যথাকামং নাহং পাতুমিহোৎসহে ॥২১॥

চ্যবন উবাচ

ন চেৎ করিষ্যসি বচো ময়োক্তং বলসূদন। ময়া প্রমথিতঃ সদ্যঃ সোমং পাস্যসি বৈ মখে ॥২২॥

বায়ুরুবাচ

ততঃ কর্ম সমারব্ধং হিতায় সহমাশ্বিনোঃ। চ্যবনেন ততো মন্ত্রৈরভিভূতাঃ সুরা২ভবন্ ॥২৩॥

তত্তু কর্ম সমারব্ধং দৃষ্ট্বেন্দ্রঃ ক্রোধমূর্চ্ছিতঃ। উদ্যম্য বিপুলং শৈল্যং চ্যবনং সমুপাদ্রবৎ ॥২৪॥

- - - -

মাদু তাবদা ইন্দ্রনা চ্যবন ঋষিদা অসুম্না হায়রকই:— ব্রাহ্মণ! ঐখোয় লাইযাম্না মখোয় অনীসিবু ঈপ্তোক্তুনা নিন্দা তৌহনা থম্লিবনি। সোমপান তৌবগী অধিকার মখোয় অনীদা লৈতে মখোয় অনীসি ঐখোয় লাইয়ানগা মান্ননা প্রতিষ্ঠ ফংহনা লৈবা নত্তে। তাকপিরিবা অসে মনীরক হনবীয় ॥১৭॥ ব্রত কল্লবা ব্রাহ্মণ! ঐখোয় অশ্বিনীকুমার অনীসিগা চাম্মিন থকমিন্নবা ওন্নোহ। অসি নত্তবা অমা তাকপিয়ু, মাদু তৌজগে ।১৮॥ চ্যবননা হায়রকই:— দেবরাজ! করিবানো? কুমার অনীসিসু সূর্য্যগী মচানিনা দেবতাগী মন্থং চাম্নি ওহনা মখোয় অনীসিবু দেবতাশিং মখোয়গা লোয়ননা সোমপান তৌবদা কায়বা লৈতে ।১৯। লাইয়ামশা! ঐনা হায়জরিবসে মযাম্না য়াবিয়ু। অসুম তৌরবদি লাইয়ামগী মঙ্গল ওগনি। নত্রবদি মযামগী অফবা থক শংরোই। ঐনা নীংথিনা হায়জরিবৈদা য়াবিহৌ ॥২০॥ ইন্দ্রনা হায়:— ব্রাহ্মণ অখোইবা! ঐগাদি লেপ্তুনা লৈগ্রবনি। অশ্বিনীকুমার অনীসিগা লোয়ননা ঐদি সোমপান তৌরোই। অদুগা কনা কনাগুম্বা দেবতাশিংনা তৌগে হায়রবসু মাগী মাগী ইচ্ছানি। ঐতদি মাদু তৌবা ওমজরোই ॥২১॥ চ্যবননা হায়:— ঐনা নীংথিনা হায়রিবৈদা য়াহৌ নত্রবদি দেবরাজগী অভিমান অহংকার অদা ঐনা শিংগুপ শানা থুদেকনি। অদুতদা দেবরাজ নহাক সোমপান তৌবা তায়কনি ॥২২॥ বায়ুনা কার্ত্তবীর্য্য অর্জুনদা হায়:— অশ্বিনীকুমার অনীগী উদ্ধারগীদমক যজ্ঞ তৌবা হৌথি। মহাঋষীগী মন্ত্রগী শক্তিনা থাওবা ওমদহুনা যজ্ঞহুদা য়াওখি ॥২৩॥ অসুম্না যজ্ঞ তৌরকপদুদা ইন্দ্র অসি শাওমনথিবনা বজ্রগা লোয়ননা যাংচাউথ্রবা চীংদুম অমা থাংগত্তুনা চ্যবন ঋষি তম্না চুজিন্নকই ॥২৪॥

তথা বজ্রেণ ভগবান্ মর্ষাকুললোচনঃ। তদা তত্তং দৃষ্ট্বৈ চ্যবনস্তপসান্বিতঃ ॥২৫॥
অদ্ভিঃ সিক্ত্বা স্তম্ভয়ং তং সবজ্রং সহবত তম্। অথেন্দ্রস্য মহাসোমং সোহসৃজচ্ছক্র এব হি ।২৬॥
মদং নামাহু তনয়ং ব্যাদিতাস্যং মহামুনিঃ। তস্য দন্তসহস্রং তু বভূব শতযোজনম্ ।২৭॥
দ্বিযোজনশতাস্তস্য দংষ্ট্রাঃ পরমদারুণাঃ। হনুস্তস্যা ভবৎ ভূমাবাস্যা চাস্যাস্পৃশৎদিবম্ ॥২৮॥
জিহ্বামূলে স্থিতাস্তস্য সবেদেবাঃ সবাসবাঃ। তিমেরাস্যমনুপ্রাপ্তা যথামৎস্যা মুহার্ণবে ॥২৯॥
তে সম্মন্ত্র্য ততোদেবা মদস্যাস্য সমীপগাঃ। অব্রুবন্ সহিতা শক্রং প্রণমাস্মৈ দ্বিজাতয় ॥৩০।
অশ্বিভ্যাং সহসোমং চ পিবামঃ বিগতজ্বরাঃ। ততঃ স প্রণতঃ শক্রশ্চকার চ্যবনস্য তৎ ॥৩১॥
চ্যবনঃ কৃতবানেতৌ অশ্বিনৌ সোমপাঃ তৌ।
ততঃ প্রত্যাহরৎকর্ম মদং চ ব্যভজন্মুনিঃ ॥৩২।
অক্ষেষু মৃগয়ায়াং চ পানে স্ত্রীষু চ বীর্য্যবান্ ।৩৩॥

চ্যবন ঋষিনা তৌরিবহুনা থেংহুনা থাওহুনা কৈঙমত্রবা ইন্দ্রনা চ্যবন ঋষিগী মথক্ত অক্রমন তৌরকই। মাহু উবদ চ্যবননা মথুত্তা ঈশিং পানহুনা মত্র শোন্দুনা ঈশিং মরীকশিংহু ইন্দ্রগী মশাদা চাইশিল্লকপদা ইন্দ্র অসি মথুৎ মশা ঈপঙ পঙথাংনহুনা মাগী বজ্রগা লোয়নবা চাংহুন পায়বা কাওবা ভম্মক্রে। ঈপঙ পঙথব্রে। অশিংগুম্না চপ লেপ্পুনা খোঙকল অমকাওবা থাংদোক থাংজিল তৌবা ভমদনা লৈখি ॥২৫॥
অহুদগী অমুক চ্যবননা ইন্দ্রগী মা থবু থুদেক্কে হ্রবগীদমং মত্র পোন্দুনা আহুতি তৌরকপদা অকিবগী মশক কংপবা ইন্দ্রশক্র (ইন্দ্রগী যেক্কবা) হিংচাবা অমা পুথোকখি। মাগী মমিং মদ কৌই। মহাক্কী মৈ-মুংদগী চোংথোরক্কুনা ময়া কাবোক্কুনা চপ সাম্ম মাগী চীনবান সনী থকপানা অমনা লৈমায় থক পুমকুপ কুপখি। মথক থংবনা নোংমদোন মকোয় পুনকুপ কুপখি। খোরবা ময়া লিশিং অমা পাল্লি। য়া অমমম্না য়ুথক চাবা শাংডি। চান্বান থকথা অরীমক য়ুথক চামা চামা শাংডি। মহাক্কী মুংশাশোম্ব হোপ্লিদকপদা ইন্দ্র য় ওনা দেবতা পুম্ব মাগী অমা লৈখোংদা ঐয়েশিন্দুনা চোংথোরকপা য়াদনা পুনশিন্দুনা লৈখি। সমুদ্র ঈপাক ঈশাকিদু দা লৈপ নমাং নসাংদা দবু তিম বংস্যানা যোংশিনখিবহুগুম্না মদকোবা চিংবাহুনা লাইয়ামহু ভমাশনগ্রে ২৬-২৯। মংগী থাগুদা লৌরিবা দেবতাশিংহুনা ইন্দ্রদা অহুম্না হায়-রকই। দেবরাজ। ঐখোয় ব্রাহ্মণ অশোংবা চ্যবন ঋষদা খুৎ লাম্বনা চঙজাস। মাগ মুকবম্না ঐখোয়গী অকবা ওইরোই। ঐখোয় অশ্বিনীকুমার অনীগা লোশননা সোমপান তৌরসি ॥৩০॥ মাহু ভাবদা ইন্দ্রনা লাইয়ামগা লোয়ননা মথুং লোয়হুনা চ্যবন চরণদা চঙজখি। চ্যবনগী য়াংং ভাকপিখি। চ্যবননা মতৌ অসুম্না অশ্বিনীকুমার অনীবু সোমপান তৌবা য়াওহনখি। লাইযাম্না মখোয় অনীবু লৌখৎখি। চ্যবনহু যজ্ঞ অহু পূর্ণাহুতি তৌহুনা লাইশিনখি। অতুগীতুংদা মদ (সুরা-মু) পোম্বা থানহুনা শাম্ববা (জুৱার) শিংদা শাঙা হাৎপা শিকার তৌবশিংদা হেদো হেরাউ কাবী মুপী নহাশিংদা থর থর য়েংহোকখি ॥৩১-৩৩

এতৈতে র্যৈর্বা রাজন কয়ং সান্তি ন সংশয়ঃ। তস্ম দেশান্ নরোনিত্যং দূরতঃ পরিবর্জয়েৎ ॥৩৪॥

এতং তে চ্যবনস্যাপি কর্ম রাজন্ প্রকীর্তিতম্। ব্রবীম্যহং এহিবাস্তং ক্ষত্রিয়ং ব্রাহ্মণাৎবরম্ ॥৩৫॥

ইতি শ্রীমহাভারততে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বণি দান ধর্মপর্বনি পবনার্জুনসম্বাদে ষটপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ × ॥ × ॥

মদ (সুরা) অসি মশাদা দোষ য়াম্ন লৈরবনি মাসিবু শীজিন্নরিবা থকলিবা মহাক অহু মশাগী মাঙ-ননবা অহুম শীঙ্গরবনি। অহুনা মদপান (সুরপান)বু লাপ্না থাদোকখিগদবনি ॥৩৪॥ নিংথৌ কার্তবীর্য্য! ব্রাহ্মণ অঙোইবা চ্যবনগী তপস্যাগী শক্তিগী য়ারীস তাহল্লবনি। ক্ষত্রিয়দগী ব্রাহ্মণনা য়াম্না হেনবনি। ব্রাহ্মণদগী হেনবা কনাগুম্বা ক্ষত্রিয় লৈখি লাকখিবা থোক্লবস্থ, মাহু কনানো হায়ু। ৩৫॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দান ধর্মগী পর্বদা পবনার্জুনসম্বাদগী চাময়াঙ্খৈতরুকতুবা আধ্যায় লোইরে ॥ × ॥ × ॥

=0=

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(কপ কৌবা দানবশিংবু ব্রাহ্মণনা নৈথাইবগী মতাং ।
পবন অর্জুনগী সম্বাদ লোইশিনবা)

চাময়াঙৈখুতরেৎশুবা অধ্যায়

—o—

ভীষ্ম উবাচ

তুষ্ণীমাসীদর্জুনস্তু পবনস্ত্বব্রবীৎ পুনঃ । শৃণু মে ব্রাহ্মণেষ্বেব মুখ্যং কর্ম জনাধিপ ॥১॥

মদস্যাস্যমনুপ্রাপ্তা যদা সেন্দ্রা দিবৌকসঃ । তদৈব চ্যবনেনেহ হৃতা তেষাং বসুন্ধরা ॥২॥

উভৌ লোকৌ হৃতৌ মত্বা তে দেবাঃ দুঃখিতাঃ ভবন্ । শোকার্ত্তাশ্চ মহাত্মানং ব্রহ্মাণং শরণং যযুঃ ॥৩ ।

দেবা ঊচুঃ

মদাস্যব্যতিষক্তো নামস্মাকং লোকপূজিত । চ্যবনে হৃতা ভূমিঃ কপৈশ্চৈব দিবং প্রভো । ৪।

ব্রহ্মোবাচ

গচ্ছধ্বং শরণং বিপ্রানাশু সেন্দ্রা দিবৌকসঃ ।

ভীষ্মনা হায যুধিষ্ঠির । অসুম্মা পবনদেবনা হ যরক পীরকপদা কাত্তবীর্য্যঅসিতুমিন্না খুঙ্ঘমংতদনা লৈথ। অহুৎগী অমুক পবনদেবনা মমা তাংনা হায়রকই:— ফিংগৌ । ব্রাহ্মণশিংনা তৌবা ভথসে অমুক হায়গে তাও ॥১। ইন্দ্রগা লায়নন্না লাইশাঙ্গ মদগী যুদ্ধ লৈখ্রবদা চ্যবন মুনিনা মাগী তপস্যাগী শক্তি মদগী মথুক্তা তারবদা অধিকার পুম্বা উদ্ধাররক্কৌ। উদ্ধার তৌরিবা মতমদা কপ কৌবা দানবশিংনা স্বর্গলোকপুম্বা মথুৎচন্দুনা থমখি ॥২। কপশিংনা লোক অনীমক লৌশিন্দুনা থনম্বক্তদা দেবতাশিং অসি শোকনা যুংতাইথিদনা ব্রহ্মাজীগীনাক্ত চৎলা আশ্রয় লৌখি ॥৩॥ দেবতাশিংনা ব্রহ্মাদা অসুম্মা হায়রকই। লোকপূজ্যনা পুজা তৌররবা পিতামহ । নীংগোম্বনা মদ দানবকী মথয়াক্তা তাম্বিগৈ মতমদা চ্যবননা ভূমি পুম্বা লৌথোকখি । মহাক্কী মথদা থমখি । মরক অসিদা মদ কৌবা দানবশিংনা স্বর্গগী অধিকার পুম্বা মথোয়গী মথুৎ চন্দুনা থনম্লে ॥৪। ব্রহ্মানা হায়রকই ইন্দ্রবা লোয়নন্না লৈরিবা দেবতা পুম্বা থনম্লে ॥৪॥ ব্রহ্মানা হায়রকই : ইন্দ্রগা লোয়নন্না লৈরিবা দেবতা পুম্বা হৌজিকমক ব্রাহ্মণশিংদা চত্তরু। মথোয়বু পেলহল্লু চৎলু।

প্রসাদ্য তান্ সুভো লোকানবাপ্যাথ যথাপুরা ॥৫॥
তে যযুঃ শরণং বিপ্রান্ চক্রুস্তে কান্‌ক্ষয়ামহে। ইত্যুক্তাস্তে দ্বিজান্ প্রাহুর্জয়ন্তেহ কথানিতি ॥৬॥
ভুত্বান্ হি জিতাস্তো বয়মিত্যব্রুবন্ দ্বিজা ততঃ কর্ম সমারব্ধ ব্রাহ্মণৈ কপনাশনম্ ॥৭॥
তচ্ছ্রুত্বা পোষিতৌদূতো ব্রাহ্মণেভ্যোধনী কপৈঃ। স চ তান্ ব্রাহ্মণানাহ ধনী কপবতো যথা ॥৮॥
ভবদ্ভিঃ সদৃশাঃ সর্বে কপা কিমিহ বর্ততে। সর্বে বেদবিদঃ প্রাজ্ঞাঃ সর্বে চক্র তুযাজিণঃ ॥৯॥
সর্বে সত্যব্রতাশ্চৈব সর্বে তল্যা মহর্ষিভিঃ। শ্রীশ্চৈব রম ত তেষু যথিয়ন্তি শ্রিয়ংচতে ॥১০॥
বৃথাদারন্ ন চ্ছন্তি বৃথামাংসং ন ভুঞ্জতে। দীপ্তমগ্নিং জুহ্বতে চ গুরূণাং বচনেস্থিতা। ১১॥
সর্ব চ নিয়তর্জনো বালানাং স বিভাগিনঃ।
উপেত্য শনকৈ র্যাপি ন সেবন্তি রজস্বলাম। স্বর্গতি চৈব গচ্ছন্তি তথৈব শুভকর্মিণ। ১২।
অভক্রবংসু নঃশ্রান্ত গর্ভিণীবৃদ্ধ কাদিষু।

মখোয়না পেল্লবদা নগোয়গী নীংশবা ংগনি। লোক শান্তিকী অধিকার অমুক ফংগনি ॥৫॥
মাহু তাবদা দেবতা পুম্নক হৌদুনা ব্রাহ্মণশিংগী নাক্ত চৎজনি ব্রাহ্মণ মহাক্ন্দনা অসুম্না হায়রকই
ঐখোয়বনাগা পানো কযবগে মনাবু অম্না, হায়বগে? হায়। কইরক কনা কৌবা দানবশিংসিবু
মারথীবা পাম্ন। ৬। ব্রাহ্মণশিংনা অসুম্না হায়রকই—ঐখোয় দানবশিংসিবু পৃথীবক্তা কুমং মগা মাযথী-
বা কংহনগে। মদুদগী ব্রাহ্মণশিংনা কপ মথাম হাং নব যজ্ঞ চৌবা হৌরকই। ৬ ব্রাহ্মণশিংনা অসুম্ন
তৌরে হায়বসি তাবদা কপ। বৌবা হিংচাবশিংতুন মথোমনী থং কৌনা দূত অদুদা অসুম্না হায়রকই—
ব্রাহ্মণশিং! কপ কৌবা দানব ঐখাংদি কে নগোনা হাং মতুনা পরিবর্তন হেদুম হেল্লবনি।
অদুগুম্না কপ শিংনগী বকুদ্না কপিগী থক ক্তৌর কপ কৌবা দানব খোয়নে নগোয়গুম্না বেদ পুম-
মক্কী তত্ত্ব জ্ঞান পুম্বা শত্রুনা নঃ বিদ্বান ঃ প্রজ্ঞ। নং যজ্ঞ শক্র নংগোয়জু যজ্ঞ নথম নগগী অনুষ্ঠান তৌ-
দুনা লৈরিবনি। মখোয় পুম্না সত্য প্রতিজ্ঞ অদুনা মথবা মহর্ষিশিংগা চপ্পা ওলনি। মখোয়
পুম্বা মহর্ষিশিংগা চপ্পা মথুনা ঐখোয় শ্রীদেবী লৈরি। মখোয় সগী মতু মখোয়গা লোইয়্নবা শ্রীসম্পত্তি
হায়বীদুনা লৈরি। কন মখোয়শ্রীসম্পদ অমখোয়গী মবু চক্তৌবা তৌদেকি। কপ হায়রিব মখোয়সিদি
অতাপ্পগী মুপীশিংদ থক চউদে শঙ্কুলে। কপিগুম্না চানদা অদা মী নক্তক কম্না তাম্মি। মুপী অন্তাংগী
মনাক্তা চৎপদা তপ্প তয় চনি। মপা পোয়াত্রবী মুপীগা থক তিম্ন থোংনদে। অফবা শুভকর্মতা
মতৌই। অহুনা মখোয় স্বর্গশুদ্ধ কর্ম কৌরম তৌকগা স্বর্গদা চৎলি। পা তা চাবসি কাম্নদবনি অরেম্বনি
হায়দুনা থক চাদে। চক্রবা মৈনা অংকুশি কংলে। গুরুজনশিংগী সেব পূজাদা পুক্নীং চঙিও। গুরুজন
শিংগী য়াথংগী নথাদা লৈ ॥১১-১২॥ গর্ভ পুরিবী মুপী অদুগা অহম্মনবু হান্ন পীজপিথক্নগা মখোয়না
কোম চায়। মখোয়না চাজিনথৈ চাদে।

পূর্বাহ্নেষু নদীব্যপ্তি দিবা চৈব ন শেরতে।।১৩।।

এতৈশ্চান্যৈশ্চ বহুভির্গুণৈর্যুক্তান্ কথং কপান্। বিজেষ্যাথ নিবর্তধ্বং নিবৃত্তানাং সুখংহিবঃ।১৪।

ব্রাহ্মণা উচুঃ

কৃপাদ্বয়ং বিজেষ্যামোযে দেবাস্তে বয়ং স্মৃতাঃ। তস্মাৎ বধ্যাঃ কপা'হস্মাকং ধনিনূম হিযথাগতম ।।১৫।।

ধনীগত্বা কপানাহ ন বো বিপ্রাঃপ্রিয়ংকরাঃ। গৃহীচাস্ত্রাণ্যতো বিপ্রান কপাঃ সর্বে সমাদ্রবন্।।১৬।

সমুদ্র গ্রধ্বজান্ দৃষ্ট্বা কপান সর্বে দ্বিজার্তয়ঃ। হ্যসৃজন্ জ্বলিতান গ্নীন্ কপানাং প্রাণনাশনান্ ।।১৭।।

ব্রহ্মসৃষ্টা হব্যভুজঃ কপান্ হত্বা সনাতনাঃ। সভসীব যথাভ্রাণি ব্যারাজন্ত নরাধিপ ।।১৮।।

হত্বা বৈ দানবান্ দেবাঃ সর্বে সভূয সংযুগে। তে নাভ্যজানন্ হি তদা ব্রাহ্মণৈর্নিহতান্ কপান্।।১৯।।

অথাগম্য মহাতেজা নারদো'হকথয়ৎ বিভো।

যথা মহাভাগৈস্তেজসা ব্রাহ্মণৈঃ কপাঃ ।।২০।।

পূর্বাহ্নদা, মুমিৎ মুংগ্রিভৈদা শান্নখোংনবা শেল থানহুনা চৌবম নচিংবা শান্নখোংনবা থক তৌদে। দিবাভাগতা অযুক মু শিন্দা থর্বতুমদে কমুং হেদে ।১৩।। তন্সুম হায়না লোকচার কায়দনা চংলিবা, গুণ মথল মথমা তিগ্রবা মথোয়বু কল্লক্তুনা মাঙননবা, ওমুনবা করিগী থক্লি! তৌরিবা থবকশিং অসি অমুক মথা তানা তৌরমু। অহুভদা ময়ামগী কান্নবা অকবা ওইগনি। নত্রবদি খুদোংথীবা কংবা য়াই ।।১৪।। ধনীগী পাউ অহু তাবদা ব্রাহ্মণশিংনা অহুম্না হায়রকই:— দেবতা হায়রিবদো ঐখোয়নি। অহুনা, ব্রাহ্মণশিংগী মহুৎ শিনগ হয়না হোংনরিবসিনা ঐখোয়গী য়েক্কবা হায়রবদো অহুম মওইরে। অহুনা কপ হায়রিবশিংদো হাৎফম থোকই। মরম অহুনা ঐখোয় মথোয়গী মাঙননবা তৌখিগনি। অহুনা ধনী! হন্লো মথা তান্নু ।।১৫।। ধনীনা চংখিহুনা কপশিংগী মফমদা ব্রাহ্মণশিংনা হায়রকপশি সি অমত্ত বাত্তনা তম্নুরে। ব্রাহ্মণশিংসিনা কপশিংগী মাঙননবা তৌরি। অমুম্মা ধনীনা কপশিংদা হায়খি। মাক্থ হেক তাবদা কপশিংনা মাগী মাগী খুংজায় পায়খত্তুনা ব্রাহ্মণশিংদ। ফুজিল্লকই ।।১৬।। মথোয়গী বাং চাউরবা কীরাল ময়াম ক্লোংদান থেংনা পাই। মথোয়গী আক্রমন অহু উবদা ব্রাহ্মণশিংনা করিমত্ত নাচুংবিদনা মন্ত্রশোন্দুনা কপশিং অহু হাৎনবা চাকথেন্নবা অগ্নিবান কাপশিনব৷ হৌরকই।১৭। নিংথৌ! ব্রাহ্মণশিংনা কাপথোরকপা থাদোরকপা অগ্নিবান্দগী হৌরকপা অগ্নিদেবনা কপশিংহুবু লোইনা সংহার তৌহুনা মথোয় অহু মচেৎ মচেৎ থোক্লা মৈরিক অমঅমগুম্না পাইথংখিহুনা নোংমদোম্থক্তা নোংজাবীগুম্না ঈঙাল ঙাম্না লৈখি ।।১৮।। মথোয় অহুবু অমুমুক নোংদোম্থক্তা দেবতাশিংনা লোইনা তুম্না মাঙহনখি, হাৎখি। অহুনা কপশিং অহুবু ব্রাহ্মণশিংনা করিগীদমক্তা হাৎখ্রিবনো হায়বহুদি মথোয় দেবতাশিং অহুনকাও থঙখিদে ।।১৯।। নিংথৌ! নারদনানোংদোম্থক্তা লাক্তুনা, ব্রাহ্মণশিংনা কপশিং অহুবু করম্না মাঙখ্রিবনো হায়বহু তাহনখি ।।২০।।

নারদস্য বচ শ্রুত্বা প্রীনা সর্বদিবৌকসঃ। প্রশশংসু দ্বিজাংচাপি ব্রাহ্মণাংশ্চৈব শম্বিনঃ ॥২১॥
তেষাং তেজস্তথা বীর্য্যং দেবনাং বব্ধে ততঃ। অবাপ্নুবংশ্চামরত্বং ত্রিষু লোকেষু পুজিতম্ ॥২২॥
ইত্যুক্তবচনং বায়ুমর্জ্জুনঃ প্রত্যুবাচ হ। প্রতিপূজ্য মহাবাহো তৎ তচ্ছৃণু যুধিষ্ঠির ॥২৩।

অর্জ্জুন উবাচ

জীবাম্যহং ব্রাহ্মণার্থং সর্বথা স ততং প্রভো। ব্রহ্মণ্যো ব্রহ্মণেভ্যশ্চ প্রণমামি চ নিত্যশঃ ॥২৪।
দত্তাত্রেয় প্রসাদাচ্চ ময়া প্রাপ্তমিদং বলম্। লোকে চ পরমা কীর্ত্তির্ধর্মশ্চাচরিতোমহান্। ২৫॥
অহো ব্রাহ্মণ কর্মাণি ময়া মারুত তত্ত্বতঃ। ত্বয়া প্রোক্তানি কার্ৎস্ন্যেন শ্রুতানি প্রযতেন চ। ২৬॥

বায়ুরুবাচ

ব্রাহ্মণান্ ক্ষাত্রধর্মেণ পাহ্যস্বেন্দ্রিয়াণি চ। ভৃগুভ্যস্তে ভয়ং ঘোরং তৎতু কালাৎ ভবিষ্যতি ॥২৭॥
ইতি মহাভারতে শতসহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বনি দানধর্মপর্বনি পবনার্জ্জুন সংবাদে সপ্তপঞ্চাশদধিক শততমোঽধ্যায়ঃ।

নারদগী ৱাহৈ তাবদা দেবতা পুম্নমক হেন্নোক্লা নুংঙাইখি। মখোয়না দ্বিজাতি (দ্বিজ)শিংনা হন্না থাগংখি। ২১। অদুগী তুংদা দেবতাশিং লাইশং)গী পরাক্রমগী তৌবা ওন্বগী শক্তক অদু হায়দগী হেনগংখি। ৱাহৈ তাবদগী দেবতাশিং অদু অমরত্ব (পোকপা শিব নাইদবা) বু ফংখি। ২২। অকনবা যুধিষ্ঠির! বায়ুদেবনা ব্রাহ্মণশিংগী মহিমা লীরকপা দা কার্ত্তবীর্য্য অর্জুননা বায়ুদেবনা হায়রিবশিংবু থাগত্তুনা করি হায়রকপগে হায়রবদু তাও। ২৩। অর্জুননা অমুক্মা হায়রকই:— ঐনা ফজরিবা শারীরিক শক্তি (হকচাংগী পাঙ্গল) অসিসু ব্রাহ্মণগী কৃপাদগীনি। ঐনা হিংলিবসে ঐগী জীবিকাসে ব্রাহ্মণগী দমক্তনি। ঐ ব্রাহ্মণগী ভক্তনি। ঐনা ব্রাহ্মণশিংবু মুমাংৎ খুদিংগী খুরমজারি। ২৪॥ ব্রাহ্মণ অথোইবা দত্তাত্রেয়গী কৃপাদগী ঐনা অসিদা পাঙ্গলদা মি চৎতা অতৈদগী পোক্টদ্দুক হেন্দোক্লা লৈবা ফংজরিবনি। ২৫। বায়ুদেব! ঐনা, ঙসি, বায়ু দেবনা চীন্দগী ব্রাহ্মণ মহিমা ব্রাহ্মণগী শক্তি তাবা ফগজরিবসে ওন্নো-ক্লা লাইবকঁই যাগী মানিং মমা হবাংনৌতাগনি। ব্রাহ্মণগী তৌবা অন্ধা লাবিরিবা রাবিশংসে অচুম্বামক্তনি। অমত, হেক্তোকফম লেপ্তগনি। য়াম্না পুক্নিং চঙনা ভক্তি শ্রদ্ধগা লোয়ননা তাজাখবনি ॥২৬। বায়ুদেবনা হায়রকই:— নিংথৌ! অকনবা। কার্ত্তবীর্য্য! মশাগী অহংকার পুম্না ইন্দ্রিয় সংযমনা নৈহত্তুনা ক্ষত্রিয়গী লেংলবা ধর্মগী মতু কয়া ব্রাহ্মণগী সেবা-পূজা তৌহুনা লৈয়ু। অদুনা নিংথৌ নহাকসে কাল অমদা ভৃগুবংশগী ব্রাহ্মণশিংদগী অয়াবা থুদেংবিবা অকিবা অমা ফংগদৌরি। অদুবু, মাহু য়াম্না কুপ্তরবগী মতুংগী ৱানি। খুকউ শেন্নু। ২৭।

মফম অসিদা শ্রী মহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা ব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসন পর্বদা দান ধর্মগী মতমদা পবনার্জুন সম্বাদদা চামমাঙৈ তরেৎশুমা অধ্যায় লোইরে। × ॥ × ॥

—০—

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(ভীষ্মনা শরশয্যাদগী ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণগী মহিমা লীবা)

চামমাখৈনিপালশুবা অধ্যায়

—০—

যুধিষ্ঠির উবাচ

ব্রাহ্মণানর্চসে রাজন্ সততং সংশিতব্রতান্। কংতু কর্মোদয়ং দৃষ্ট্বা তানর্চসি জনাধিপ ॥১॥

কাং বা ব্রাহ্মণ পূজায়াং ব্যুষ্টিং দৃষ্ট্বা মহাব্রত। তানর্চসি মহাবাহো সর্বমেতং বদস্ব মে ॥২॥

ভীষ্ম উবাচ

এষ তে কেশবঃ সর্বমাখ্যাস্যতি মহামতিঃ। ব্যুষ্টিং ব্রাহ্মণ পূজায়াং দৃষ্টব্যুষ্টির্মহাব্রত ॥৩॥

বলং শ্রোত্রে বাঙ্মনশ্চক্ষুষী চজ্ঞানং তথা সবিশুদ্ধং মমাদ্য।

যুধিষ্ঠিরনাঃ ঈবুধৌ। ঐখোয়বু নিংখৌ হাপ্লবা নিংখোগা নিংখৌ। ঈবুধৌদ য়াম্না উত্তম ওইবা ব্রাহ্মণগী সেবাত তৌহুনা লেবা মীশক অমানি। ব্রাহ্মণগী তত্ত্ববু মুম্না খঙবিরবনি। অহুনা হে জনেশ্বর! নিংথৌ। ঈবুধোনা কার উদ্দেশ্যদগী ব্রাহ্মণগী পূজা তৌখিবগে? করি ফংনীংবদগী ব্রাহ্মণশিংগী সেবা পূজাদা পুক্নীং চঙখিবগে? ॥১॥ কল্লবা ব্রত তপস্যাবু তৌখিবা অকনবা! তুংদা লাকদবা ফংগদবা করম্বা মহৈগী আশাদা ঈবুধোন ব্রাহ্মণশিংগা অরাধনা পূজানা চংবা তৌখিবনো? মসি ঐঙোন্দা তাকপরম্মু ২ ভীষ্মনা হায়ঃ— যুধিষ্ঠির! মহাপ্রধানী মহাবুদ্ধিমান্ শ্রীকৃষ্ণসে মহাক্না ব্রাহ্মণগী সেবা পূজাগী নত্তে ফল অদো নংগী মমক্না প্রত্যক্ষ ওইনা উবখ্রবনি। মহাক্না ব্রাহ্মণগী সেবা পূজা মহৈ অদো নখোয়দা হায়বিগানি হায়বদৌরি ৩ তুসন্দি ঐগী হকচাংগী পাঙ্গল, নাকোংগী তাবগী শক্তি, পুক্নীংগী খল্লনবগী নীংশিংনবগী শক্তি, মীৎকী উনবগী শক্তি, অহুম শেংলবা জ্ঞান, হায়রিবা পুম্নমক অসে, অনত ওইনা পুম্নপ পুনশিনখ্রবনি তৌরে। অহুনা, যুধিষ্ঠির! অহুনা ঐ অম্মা অসে হকচাংদা লৈবসে কয়া কুইনা লৈথরি হায়রবা তমজে। নবুংগীসে কয় কুইরারাই। নংনা মথা অমা ভানিংহনা হং-লিবদো, নমাঙদা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণসিনা অহুম্না হায়বিরনি। মাগী লীলা মক্তনিনে ঐখোয়না তৌরবা পুম্নমক। মাগী লীলাবিংদো লীলাধারী মশামক্তগী তাহৌরো।

যেহ ন্যাসো নাস্তি চিরা স্মৃতোমে, ন চাস্তিতুর্ণং সবিতাদ্য যস্তি ॥৪॥
উক্তা ধর্মা যে পুরাণে মহান্তো রাজন্ বিপ্রাণাং ক্ষত্রিয়াণাং বিশাংচ।
তথা পুত্রাণাংধর্মমুপাসতে চ, শেষং কৃষ্ণাতুপশিক্ষস্ব পার্থ ।৫।
অহং হ্যেনং বেদ্মি তত্ত্বেন কৃষ্ণ, যেঽহং যচ্চাস্য বলং পুরাণম্।
অমেয়াত্মা কেশবঃ কৌরবেন্দ্র সোঽয়ং ধর্মং বক্ষ্যতি সংশয়েষু ॥৬॥
কৃষ্ণঃ পৃথিবী মসৃজৎ খংদিবং চ, কৃষ্ণস্য দেহান্মেদিনী সম্বভূব।
বরাহোঽয়ং ভীমবলঃ পুরাণঃ; স পর্বতান্ ব্যসৃজৎ বৈদিশশ্চ ॥৭॥
অস্য চাধোঽথস্ত দিবং চ, দিশশ্চ তস্রা বিদিশশ্চ তত্র।
সৃষ্টিস্তথৈবেয়মনুপ্রসূতা, সনির্মমে বিশ্বমিদং পুরাণম্।৮॥
অস্য নাভ্যাং পুষ্করং সম্প্রসূতং, যত্রোৎপন্নঃ স্বয়মেবামিতৌজাঃ।
তেন চ্ছিন্নং ততমঃ পার্থ্যঘোরং যং তৎতিষ্ঠত্যর্ণবং তর্জয়নম্ ।৯॥

ভমগদবা তাপদবথে মতোন্দগী তম্ হারো তাহৌরো। ঙসিদি সূর্য্যদেবগী গতিসি য়ায়। হন্থেরে। হায়গুম্না কয়া চত্রে।৪। পৃথাগী মচা! কংথৌ! শাস্ত্র পুরাণচংবা পুম্নমক্না ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয় বৈশ্য, শূদ্রনা চংকদবা ধর্ম মথৌ মন্নাম তোঙাল তোঙান্না হায়রিবদা ঐনা নতোম্না হায়প্রবনি তাহল্লবনি। ঐনা তা-হনবা ঙমনত্রবা শরুকশিংদো ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা তমবিহৌরবান। তাহৌ তমহৌ।৫॥ শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ, মহাক্কী হকচাং অমদি জ্ঞানদো ঐ মুন্না খংঙি। কুরুবংশগী ধর্ম চেন্নবা নিংথৌ! ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণগী জ্ঞানকর্ম শক্তিসে অতৈগা চাদন্নীডায় লৈতবানি। নংনা চিংনারবা খঙনঙলিবা পুম্বা ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণ আসনা কোকহনাবগান ॥৬॥ আকাশ মুশিং মৈ. ঈশিং পৃথিবী পুম্নমক অসে মাগী খুংশেম্মকনি খঙঙ্-রবা নংঐনা লৈবা পৃথিবীসে মতোন্দগী পোকখিবা খোকখিবান। অহুবু যুগ অমদা বাংচাউরবা বরাহ (ওক্) গী মূর্ত্তি লৌহুনা ঈরুদগী পুথোক শীম্ন খবান। মা মশামক্তদগী পুথোক্লগা ঈরুদগী পুথে কপা পুথংল-কপা ওইনা উহনাখবনি। পুরাণ পুরুষ ওইবা কবি (রচয়িতা) অসিনা কনাগী চীঙমান তুরেল মুমিং-খা; মায়গৈ-শলাই পুম্নমকসে শেমখবা ওাক্কনি ॥৭। নোংনদোন স্বর্গ মায়গৈ মরি, মায়গৈ কাডিন মরি হায়-রিবা পুম্বসে মাগী চরণথাদা, মাগী মথাদা লৈরবা ওাক্কনি সৃষ্টিগী পরম্পরা অমা চথখিবসে নতোন্দগী হৌপ্রবনি মতোন্দগী মরী মার খোকখিবনি। বিশ্ব জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসে মা মথামক্তা শেমখিবনি ॥৮॥ কুন্তি-নন্দন! সৃষ্টিগী আদিদা, মহাক্কা থোয়দোদগী চোংথোরকপা থম্বাল লৌরংনুদগী তেজ কল্লবা প্রজাপতী ব্রহ্মা পোকখিবনি। লৈবম্বা অন্ধকার পুম্বা ডালহনখিবান। অমম্বহুনা কোকপ্রনদা মঙাল (তেজ) ডাক্ত গৈরবা মায়গৈ পুম্বা ঈশিংগী ঈশংমক্কা ডায়খবনি। হায়নীডায় খৈতনা লুবা পাক চাঙরবা অগাধ সমুদ্র অহু ওইখিবনি।৯। *

---

*টীকাঃ—হায়রিবসি বিজ্ঞানগীবানি। আকাশদগী মুশিং মৈ ঈশিং লৈপাকপোকপগীবানি।(কালাচাঁদ)

কৃতেযুগে ধর্ম আসীৎ সমগ্রস্ত্রেতাকালে জ্ঞানমনুপ্রপন্নঃ।
বলংত্বাসীৎ দ্বাপরে পার্থকৃষ্ণঃ কলৌ ত্বধর্মঃ ক্ষিতিমেব জগাম ॥১০॥
স এব পূর্বং নিজঘান দৈত্যান্‌সপূর্বদেবশ্চ বভুব সম্রাট্‌।
সভূতানাং ভাবনো ভূতমভব্যন্‌বিশ্বস্যাস্য জগতশ্চাভিগোপ্তা॥১১॥
যদা ধর্মোগ্লাতি বংশেস্থবাণাং তদাকৃষ্ণো জায়তে মানুষেষু।
ধর্মেস্থিত্বা স তুবৈভাবিতাত্মা পরংশ্চ লোকানপাংশ্চপাতি॥১২॥
ত্যাজং ত্যক্ত চাসুরাণাং বধায় কার্য্যাকার্য্যে কারণং চৈবপার্থ।
কৃতং করিষ্যৎ ক্রিযতে চদেবোরাহুং সোমং বিদ্ধি চ শক্রমেনম্॥১৩।
সবিশ্বকর্মা চ সহি বিশ্বরূপঃ স বিশ্বভুক্ বিশ্বসৃক্ বিশ্ববিশ্বজিচ্চ।

পার্থ! পৃথা কুন্তীগী মচা! নিখে'। সত্যযুগতা শ্রীকৃষ্ণ (বিষ্ণু) অসে মপুং ফাবরা ধর্মগী মশক পুহুনা লৈরম্মি। ত্রেতা যুগতা সম্পুর্ণজ্ঞানগী মূর্ত্তি পুহুনা লৈরম্বনি। দ্বাপরদা পাঙ্গল শরীরিক শক্তিগী মশক পইহুনা লৈরবনি। কলিযুগতা অধর্ম হায়বা অহুগী মশক লৌহুনা লাকখিগনি (মতম অমুদা অধর্মনা শক্তি পুহুনা লাকনি। অধমতনা শাক্তমান্ ওইহুনা লৈগনি॥১০॥ আ মামাঙৈদা মহাক্না দৈত্য পুম্নমকপু মর্থত্তনা হাংখি। মহাক্না দৈত্য সম্রাট্‌ বলিগী মশক ওইনা পোকখিবনি। মহাক অসে ভুতভাবন (ওইশ্রবরু অমুক ওইহনবা), ভত ভবিষ্যৎ বর্ত্তমান হায়বহুমক্কী মশাক্নি জগৎ পুম্নমকপু রক্ষা তৌরবসি মহাক্নি॥১১॥ ধর্মনা মরায় চাইথরকপদা শেংলবা থম্মোয় পুরবা মহাকসিনা দেবতাশিংগী অমদি তাইবং বংশ অমদা পোক্তনা (অবতার তৌহুনা) মশানা মশাগী ধর্মদা তোংহুনা ধর্ম অহুমকপু স্থাপন তৌহুনা পর অপর লোক অনীমকপু ঙাক্লিবনি॥১২॥ কুন্তীনন্দন! থাদোকফম থোকপহু থাদোক্তনা, অসুরদৈত্য-শিংবু হাৎনবগীদমক্তা মশামক্না কার্য্যকারণ ওইহুনা থবকশিং অদে পাঙথোকপনি। কার্য্য, অকার্য্য, কারণ হায়রিবসি মশামক্কী স্বরূপনি। শ্রীনারায়ণগী অঙবা মশক ওইবা মহাকসিতনা ভুৎ-ভবিষ্যৎ-বর্ত্তমান কাল অহুম্মক্ত ওইরিবা কর্মশিংসিংক্কী কর্ম হায়বহুমক্কী মশক্নি। নহাক্না শ্রীকৃষ্ণসিবু রাহু, চন্দ্রমা, ইন্দ্র হায়বহুমক্নি হায়না খল্ল॥১৩॥ কৃষ্ণসতনা বিশ্বকর্ম, বিশ্বরূপ, বিশ্বভোক্তা (বিশ্বজগৎশিবু ভোগতৌ-রিবা), বিশ্ববিধাতা, বিশ্ববিজেতা (বিশ্বব্রহ্মাণ্ডবু জয় তৌহুনা মহাক্কী খুদুম মথাদা থম্মিবা) হায়রিশিংসি ওইরিবনি। মহাকতনা তোঙাল তোঙানবা থবকময়ামাস তৌবনা তোঙাবরা মীৎ মঙ্গাম অসি পুরতান। মহাক্না খুৎ অমনা ত্রিশুল, খুৎ অমনা ঈনা থল্লবা বেগাম (তুম্বাগুম পীজিন্নবা মী মকোক) পায়হুনা অকিবগী মশকসু হেক হেক পুবনি।

স শূলভৃচ্ছোনিতভুৎ করালস্তং কর্মভির্বিদিতং বৈস্তবন্তি ॥১৪॥
তংগন্ধর্বাণামপ্সরাণাং চ নিত্যামুপতিষ্ঠন্তে বিবুধানাংশতানি ।
তং রাক্ষসাশ্চ পরিসংবদন্তি রায়স্পোষঃ স বিজিগীষুরেকঃ ॥১৫॥
তমধ্বরে সংশিতারঃস্তুবন্তি রথন্তরে সামগাশ্চ স্তুবন্তি ।
তংব্রাহ্মণাব্রহ্মমন্ত্রৈঃ স্তুবন্তি তস্মৈ হবিরধ্বর্যবঃ কল্পয়ন্তি ॥১৬॥
স পৌরাণীংব্রহ্মগুহাং প্রবিষ্টো মহীসত্রং ভারতাগ্রেদদর্শ ।
স চৈব গামুদ্দধরাগ্র্যকর্মা বিক্ষোভ্যদৈত্যান্নুরগান্দানবাংশ্চ ॥১৭॥

তোঙাল তোঙানবা কর্মময়াম অসিবু মথন্তনা তেঙ্গালা তোঙানবা শকলোন পুত্নুনা তৌবনা মরোল তরামরিদা বিখ্যাত ওইহনা লৈবনা অচ্চত্র জীব পুম্নমক্না মহাকী মতীক মগুণবু শকুশোন্নরি * ॥১৪॥ গন্ধর্ব অপ্সরা, দেবতা চামা চামা, লিশিং লিশিংনা তোঙাল তোঙানবা মওংগী শৈরেং শৈশক্না মাগী স্তুতি,সেবা পূজা তৌনরি । হিংচাবা ফাওবা মাগী য়াথং ওাইহনা, য়াথংহ্ ওাকদবগী ওাইহনা লৈ । মহাক মথন্তনা ধর্মগী রক্ষক (অঙকপা) বিজয়গী অভিলাষী (ঙম্বা জয় ওইবা পাম্বা) হায়বহ্ ওইরবনি ॥১৫॥ যজ্ঞদা উৎ-গাতাশিংনা বেদগান স্তুতিগান তৌরিবসি মহাকপুনি । সামগা (সামগানতৌবা) শিংনা রথন্তরগী মওংদা মহাকী স্তুতিগান তৌরি । দেবতাশিংনা বেদগী সংহিতা মন্ত্রনা মাগী পেন্নবা স্তুতি জপনাচংবা তৌনরি । যজুর্বেদী অধ্বর্যুশিংনা অহানবা মহাকী শরুক যজ্ঞভাগ হান্ন তন্নি । মঙোন্দা হান্না কৎলি ॥১৬॥ ভারত ! যুধিষ্ঠির । হৌজিক কৃষ্ণ কৌনরিবা মহাক অসিনা অা মমাঙ্গে কাল অমদা সাকার কৌর ব্রহ্মাগী মশক ওইবা পুরাতন গুহাগী লুববা থুপ্লবা মফমদা চঙশিনশিন্নুনা, পৃথিবী মতুম অসিনা অা ঈশং মনুংদা লুপ্তুনা লৈবহ্ উাথ । ঈনুংদা লৈবা হিংচা য়াইতম্বা দৈত্য দানব কয়া কয়াবু নৈহত্তুনা হাত্তুনা মহাকসিনা ঈনুংদগী পৃথিবী মতুম সিবু পুথৎখি ॥১৭॥

---

* টীকাঃ - সম্প্রাদায় তোঙাল তোঙানবগী মীশিংনা মানা মানা চৎলিবা ধর্ম ধর্মহুগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানব , কপবা অথোৎপা অকিবগী মূর্ত্তি পুবা মূর্ত্তি লাৎনহনা তোঙাল ,তোঙানবা, উহৈদোহৈ শা ঙা ঈনাই, য়ু, তল খাবু নিবিদ্ধ ওইবা কৎতুনা মাগী মাগী লোন্দা, মাগী মাগী ধর্মশাস্ত্রদা য়াওরিবা স্তুতি মন্ত্র শিংহনা তোঙাল তোঙান্না তৌবা মফমদা, চীংলক মালক্তা, নন্দিরদা শক শোন্নরিবা অসি, ঐগী ঐগী হায়হনা ঐগী ঐগী ধর্মনা হেল্লি হায়না থন্নখিবদগী ঐ খায়না তোঙানবা মওংদা তৌনরিবাসি কৃষ্ণ মাবুত্তনি হায়বসি থওদে । "কৃষ্ণ" হায়বনি থাইবু মীচং মীথায় নাইদনা চিংশিনবা লৌশিনবা হায়বত্তনি । চিশিনবা লৌশিনবশিংগী মনুংদা থ্বাইদগী হেন্না কৃষ্ণ ওইবা হায়বদি পরম কৃষ্ণ মাবুত্তনি ঈশ্বর ঈশ্বর হায়নরিবসি "ঈশ্বরঃ পরমকৃষ্ণ" হায়বসি ঈশ্বর কদাইবু কৌই ? হায়বা প্রশ্নহুগী সংজ্ঞা (ডিফিনিসন) পাউখুম ওইনা পীরি । (কালাচাঁদ)

ত যোবাথে শীভিরিপ্রাঃস্তবন্তি স চাপীশোভারৈকঃ পশূনাম।
তস্য তকান্ বিবিধান্ বেদয়ন্তি তমেবাজৌ বাহুনংবেদয়ন্তি ॥১৮॥
তস্যান্তরিক্ষং পৃথিবী দিবং চ সর্বংবশে তিষ্ঠন্তি শাশ্বতস্য।
স কু.স্তরেতঃ সসৃজেসুরাণাং যত্রোৎপন্নমৃষিমাহুর্বসিষ্ঠম্ ॥১৯॥
স মাতরিশ্বাবিভুরশ্ববাজী সরশ্মিবান্ সবিতা চাদিদেবঃ।
তে নাসুরা বিজিতা সর্ব এব তদ্বিক্রান্তে বিজিতানীহত্রীণি ॥২০॥
সদেবনাং মানুষাণাং পিতৃণাং তমেবাহুর্যজ্ঞবিদাং বিতানম্।

ইন্দ্রনা থাদয়কপা নোংমুংশিং বজ্রনদিংবাদি বিকতগী ব্রজ বৃন্দাবনবু কনগে হায়বগীদমক গোবর্দ্ধনবু খুদোননা মুমিং তারংনি চুপ্পা লৈখিবহু উবদা ব্রহ্মা ইন্দ্রনচিংবা দেবতাশিংনা মহাকী স্তুতিগান তৌখি। ভরতনন্দন! যুধিষ্ঠির! নমাংদা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণসে তাসিতনা পশু পুম্নমকী (জীব পুম্নমক্কী) অহিপতিনি। জীবশিং অসিগী ওইহন্নীংবা মও দো মাগী খুত্তা লৈবনি, থগুড্। মাগী মাগী অপান্থা মও মুত্তিহু লৌবিরগা, মানা মানা কংনিংবা পোশকতু মহাক্কা লৌবিগনি চাবিগনী। নথোম্নবু লালদা বিজয় কংহল্লিবসে মহাক্কনি ॥১৮॥ পথিবী, আকাশ, স্বর্গলোক পুম্নক অসে সনাতন বৃষ্ণ (লওরবা, মতম পুম্নদা কৃষ্ণদা কৃষ্ণ ওইহনা অহুম মরৈরব) অসিগী খুহুম মথদা, হায়রবদি, মাগী মখা পোন্দুনা লৈরিবনি। মহাক্কা মতম অমদা কুম্ভ (লফুদা মিত্র বরুণ দেবতা অনীগী বীর্যাবু হাপখিবনি। মাহুদগী পোকখিবা মহর্ষি বসিষ্ঠনি হায়না বেদ শাস্ত্র পুরাণ দৈবশিংনা হাসনৈ ১৯। মফম পুম্নদা শীংহুংনা চংলিবা শীংলিবা বায়ু (মুংশিং) হায়বসিসু মহাক্কি। লৈতাদনা কন্না চেনবা শগোল তৌবগুম মফম মুম্নমক্তা লুময়ৌ য়ৌব মুমংহুনিং, মুংশিং, (বায়ুদেবতা) হায়রিবা পুম্নমকসে নমাতদা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণ, মাগী শয়োনমক্তনি। দৈত্য দানব কপ কয়া হাত্নুনা পৃথিবীগী স্তু শীখৈবা, পীগীব সুগ অমং মগীচরণ অহুম স্বর্গমর্ত্ত্য পাতাল পুম্নক পুমকুপ কুপখিদো মহাক্কি ॥২০॥ শ্রীকৃষ্ণ হায়বসি কনানো চংবদা হেক লৈরবা দেবতাশিং, পিতর (চিত্রালাতা লৈরিবশি) অহুম, মর্ত্তলোকতা লৈমিবশিং অসিগী অমত ওইবা আত্মসে মহ্ম মগে মহাক্ক। হায়বদি অত্মা-আত্মা হায়বসে কৃষ্ণসবুনি যজ্ঞগী তত্ত্ব খঙবা যাজ্ঞিক ব্রাহ্মণশিংনা 'যজ্ঞ' হায়ববু কৃষ্ণসিনি হায়নৈ। অহিং মুংখিল খায়রিবা খায়হাল্লবসে কৃষ্ণসিতননি *।

---

* টীকাঃ— হায়রিবশিংসি কৃষ্ণ নীংদনা কাওবুনা পাক থাজরোই। কহুবু "কৃষ্ণ" হায়বা বাহৈ-(নাম) অসিমক কনি হায়রিবনো-হায়বহু হেক খপুনদা মশানা পেপ অতম তানি। কৃষ্ণ হায়বা বাহৈ অসিগী অর্থসি চিংথোক চিংশিন তৌবা হায়বতনি। বিজ্ঞ নগী বিচারদহু মুমিং থা এহ উত্তরায়ণ-দক্ষিণায়ন থায়রিবসি চিংথোকচংশিন তৌবা মহাক্কি। অসিগুম্বা মহাবৈজ্ঞানিক ওইবা নাম অসিগুম্বা নাম

স এবকালং বিজ্ঞয় দেহিত স্যাত্তরং দক্ষিণ চায়ণেষে ॥২১॥
তস্যোবোর্দ্ধং তির্য্যগধশ্চরন্তি গভস্তয়ো মেদিনীং ভাসযস্তঃ।
তং ব্রাহ্মণা বেদবিদো জুহ্বন্তি তস্যাদিত্যো ভাসুপাত্য ভাতি ॥২২॥
স সামিমাস্যধ্বরং সিংহতে তমধ্বরে বেদবিদঃ পঠন্তি।
স এবোক্ত শক্রমিদং ত্রিনাভিসপ্তাশ্বযুক্তং বহতেবৈ ত্রিধাম ॥২৩॥
মহাত্মোজাঃ সর্বগঃ সর্বসিংহঃ, কৃষ্ণোলোকান্ ধারয়তেষধৈকঃ।
হংসং তমোঘ্নং চ তমেব বীর কৃষ্ণংসদা পার্থ কর্ত্তারমেহি ॥২৪॥
স একদা বক্ষগতো মহাত্মা, তুষ্টোবিভুঃ খাণ্ডবেধুমকেতুঃ।
স রক্ষাস্তুরগা শ্চাবজিত্য সর্ব্বগাঃ সর্বগ্রে জকোতি ॥২৫॥

কৃষ্ণ হায়বসিনা সূর্য্য (নুমিৎ)কী মশক ওইদুনা নুমিৎ বৌত্নুনা নোংমেদোংঙক্কা লৈরিবসিনি। উত্ত-রায়ন দক্ষিণায়ন অনীসি মাগী মার্গ (লম্বী) অনীনি ॥২১॥ মাগী থক খা, নাবল হেংলোম থ্বয়োমদগী হাইদোরকপা মশেক মত্তম্না পৃথিবীসিবু ঊজেল চাকহল্লি। বেদগী ওয়াখল্লোন লৈবা ভঙ্গুগা বৈজ্ঞানিকশিংনা থিনরিবা মনরিংসে বক্ষ (থাইমকপ্ চিংথোক চিংশিন তৌবিবা) অসিগী মরমতনা ওইবগী নত্তে। মহাক্না পীবিবা মঙাল খরনা সূর্য দেবনা মঙাল মইগুম লৈজপিবাসিনি। ২২ যজ্ঞবর্ত্তা ওইবা শ্রীকৃষ্ণসিনা থা থুদিংগী যজ্ঞ তৌরি। যজ্ঞ থুদি মকী যজ্ঞিবা যাজ্ঞিক উৎগাতা ব্রাহ্মণশিংনা মাগী মঙণবু স্তুতিবু সামগান বেদগাননা শরু শোয়রী। মহাক্না চক্রগী কেন্দ্রমথুল অহুম ছুংপা, (খোয়দৌ অহুম) অশ্ব তরেৎ (শাৎজে মনা তরেৎ সগোল তরেৎ) পানবা সংসার চক্রবু সুদর্শনচক্র কৌদুনা পায়রি ॥২৩॥ অকনবা কুন্তীনন্দন তেজ কল্লবা, মতীল লৈরবা শ্রীকৃষ্ণসিনা মতম অমতনা মকম পুংগা পুময়ৌ য়োহুনা মথন্তনা ভগৎ মপুমসিবু থারন তৌদুনা লৈরিবনি। মহাক্না শ্রীকৃষ্ণসিবু অমম্বা অস্বা কোকহল্লিবা, সূর্য্য-চন্দ্রমা গ্রহশিং অসিগী সৃষ্টি কর্ত্তানি মহাক্না শেম্বনি হায়না খঙঙু। ২৪॥ মহাত্মা ওইরবা শ্রীবাসুদেবসিনা মৈগী মশকওইদুনা হৈপাল লৈপাল নাপী শাংবীনা পল্লবা ইন্দ্রগী খাণ্ডব বনবু চাকথেকুনা থকচিন্দুনা তৃপ্তি ফংখি পেনখি। নিপাসে সর্বব্যাপক সর্বশক্তিমান প্রভু হায়নরিবহুনি। মহাক্না হেক লৈবিবা রাক্ষস নাগ (লিল) পুম্নমক পু কনা অমত য়াওদনা মখক্তনা ঙমহুনা মথোয়বু অগ্নিদা হোম তৌখি ॥২৫॥

অমনা তোঙান তোঙানবা সম্প্রদায়শিংগী মাগী ইষ্টদেবগী মিংশিংদা য়াওদে। চিংথোক চিংশিন তৌবা হায়বসিমক কর্ম অমনি। গীতানচিংবা উপনিসৎতা "ব্রহ্ম কর্মৈব কেবলম" হায়রি। অদুনা 'কৃষ্ণ' হায়বসি কর্ম অমগী মমিংনি। মশানা তারবনি। (কালাচাঁদ)

স এব পার্থায় শ্বেতমশ্বং প্রায়চ্ছৎসদাশ্বানথ সর্বাংশ্চকার।
স রশ্মিভিস্তস্য রথাংশ্চ চক্রে স্থিরবুদ্ধিঃ শঙ্খচক্রে নাভিঃ ॥২৬॥
সবিস্তারং যাদসাং পঞ্চ নাভিঃ সনির্মমে গাং দিবমন্তরিক্ষম্।
সোঽরণ্যানি ব্যসৃজৎ পর্বতাংশ্চ হৃষীকেশোঽমিতদীপ্তাগ্নিতেজাঃ।
জল ঘয়ুং বৈ সবি তোক্লিলাস এভ ক্রোং জ্ঞ প্রহরন্তং নিরাস ॥২৭॥
স মহেন্দ্রঃ স্তূয়তে বৈ মহেন্দ্রভাবাদ্ বিপ্রৈর্বহু কৃত্যকৃৎ সহস্রঃ পুরাণ।২৮।
দুর্বাসা বৈ তেন নান্যেন শক্যো গৃহে রাজন্ বাসয়িতুং মহৌজাঃ।
তমেবাহুর্ঋষিমেকং পুরাণং সবিশ্বকৃদ্ বিদধাত্যাত্মভাবান্ ॥২৯॥
বেদাংশ্চ যো বেদয়তে দেবো বিধীংশ্চ যশ্চাশ্রয়তে পুরাণান্।
কামে বেদে লৌকিকে যৎফলং চ বিষ্ণৌ সর্বং সর্বমেতৎ প্রতীহি ॥৩০॥

মহাক্না মনাও অর্জুনদা হাংচ ঈরবা অশ্বৌ শংগোল অমুবং পীখি। মহাক্না শংগোল পুম্নমক শেম-খিবনি। মহাক্না সংসারগী মশক ওইরস, শংগোলসিং চপো পাংহনবা তৌখিবনি। অমুক খাক্তিল্লিবনি পুল্লিবনি। সত্ত্ব রজ-তম গুণ অহুম অসিনা মহাক্কী রথচক্র ওইখিবনি। ঊর্ধ্ব, মধ্য অধঃ হায়রিবা অহুমসিনা মাগী থোঙথাং অহুম অদুগী গত্তি অহুম ওইখিবনি। কাল (মতম), অদৃষ্ট (দৈব), ইচ্ছা সংকল্প হায়রিবা মরী অসিন মাগী রথগী শংগোল মরী ওইখিবনি। অস্তুবা, অমুবা অত্তাঙবা হায়রিবা মচু অহুম অসিনা মহাক্কী নাভী অহুম ওইখিবনি। সংসারগী মশক ওইবা রথ অসির মথক্তুমা সারথি ওইদুনা থৌরি-বনি। সারথি ওইবত নত্তুনা রথ অসিগী মপু (স্বামী) মহাক্কি ॥২৬। মং ঈশিংনচিংবা পঞ্চভূত অসিগী আশ্রয় ওইদুনা মত্তা অসিবু মহাক্না শেমখিবনি। পৃথিবী, স্বর্গ অন্তরিক্ষ হায়রিবা মরোল অহুম অসি মহাক্না শেমখিবনি। মৈরি কনা চাকবা মমী ময়াংগুম তেজ কনবা মহাক্না চিংমান পুম্নমক অসিবু মথুৎমক্না শেমখিবনি।২৭॥ বাসুদেবসিনা বজ্র পাইদুনা চংশোরকপা ইন্দ্রবু হাৎকে হায়না থন্দুনা ঈশিং, তুরেল পুম্নমক্কী গত্তিবু খিংদবা ইন্দ্রবু মায়থিবা পীখিবনি। মহেন্দ্র হায়বদো মহাক অসিনি। ব্রাহ্মণ, মহর্ষি পুম্নমক্না অচৌ অচৌবা যজ্ঞদা বেদগী মন্ত্রপাদনা খোঙ্গোক তেংগোল তৌগানবদা, থাজেল হোনা স্তুতি তৌনরিবসে মহাক্কীনী মহাকপু পেসঙ্গ্রনবগী মনকনী।২৮। নিংথৌ! মহাক্না শাউগল্লবা দুর্বাসাবু য়ুমদা পুশিন্দুনা অগাউবা পুম্নমকপু পাদা কহন্দনা পম্বসে, জগৎ অসিদা থয়সিনবনা কনা অমতনা ওয়োই। মাগুম্বা অনীগুবা অম মৈত্রগা অদ্বিতীয় পুরাণ পুরুষ পুরাণ ঋষি হায়বদো মহাক্কি। পোৎ পুম্নমক্না থরবা বিশ্বব্রহ্মাণ্ডগী সৃষ্টি কর্তা হায়রিবদো শ্রীকৃষ্ণসিনি।২৯। দবতা পুম্নমক্কী ওইরবসু, জগৎ পুম্নমক্কী গুরু ওইরবসু জগৎ পুম্বদু লোকাচার নীতি-আচার পুম্নমক ফিদমলফম ওইননবা মশামক্না গুরু বাইনা বেদ আধ্যয়ন তৌখিবনি। লৌকিক বৈদিক কম শিংগী ফল নাইগ হায়রবদুনক কৃষ্ণসিনা অস্তুম ওইরবনি ॥৩০॥

জ্যোতিংষি শুক্লানি হি সর্বলোকে এয়োলোকা লোকপালাস্ত্রয়শ্চ ।
ত্রয়োগ্নয়ো ব্যাহৃতয়শ্চ তিস্রঃ সর্বে দেবা দেবকীপুত্র এব ।।৩১।।
স বৎসরঃ স ঋতুঃ সোহর্ধমাসঃ সে হাহারাত্রঃ সকলাবৈ সকাষ্ঠাঃ ।
মাত্রা মুহূর্তাশ্চ লবাঃ ক্ষনাশ্চ বিষ্বক সনঃ সর্ব মতৎ প্রতীহি ।।৩২।।
চন্দ্রাদিত্যৌ গ্রহনক্ষত্রতারাঃ সর্বানি দর্শান্য পৌর্ণমাসম ।
নক্ষত্রযোগা ঋতবশ্চ পার্থ, বিষ্বক্সেনাৎ সর্ব মতৎ প্রসূতম্ ।।৩৩।।
রুদ্রাদিত্যা বসবেঽথাশ্বিনৌ চ, সাধ্যা বিশ্বে মরুতাং গণাশ্চ ।
প্রজাপতির্দেবমাতাদিতিশ্চ, সর্বে কৃষ্ণ ঋষয়শ্চৈব সপ্ত ।।৩৪।।
বায়ুর্ভূত্বা বিক্ষিপতে চ বিশ্বমগ্নির্ভূত্বা দহতে বিশ্বরূপঃ ।
আপোভূত্বা মজ্জয়তে চ সর্বং, ব্রহ্মা ভূত্বা সৃজতে বিশ্বসংঘান্ ।।৩৫।।
বেদ্যং চ যৎ বেদয়তে চ বেদ্যং, বিধিশ্চ যশ্চাশ্রয়তে বিধেয়ম্ ।

দেবকীনন্দন । শ্রীকৃষ্ণসে, অসিনা লোক স্বয়মগী শুক্লজ্যোতি (ঙোরোক ঙৌবা অরংবা মঙাল). স্বর্গ মর্ত্ত-পাতাল মরোল অহুম, লোকপাল অহুম দিকপাল নিপাল, অগ্নি অহুম ব্যাহৃতি অহুম, অহুনা হেক লৈরিবা দেবতা পুম্নামিমা মখস্তনা ওইরিবনি । ৩১ । সংবৎসর (চহী) ঋতু, পক্ষ (শুক্ল-কৃষ্ণ), দিন-রাত (অহিং নুংথিল) কলা কাষ্ঠা (পল বিপল অনুপল মীকূপ নহুম) মাত্রা মুহূর্ত লব-ক্ষণ, অসিনচিংবা অচৌ পিপক [illegible] শ্রীকৃষ্ণনি [illegible] ।৩২।। পাণ্ডব ! পাণ্ডুগী মচা নিংথৌ ! চন্দ্র, সূর্য, গ্রহ, নক্ষত্র তারা, অমাবাস্যা, পৌর্ণমাসী (পুনিমা), নক্ষত্রযোগ (নক্ষত্রশিংগী [illegible] তিন্নবা) অমদি ঋতু [illegible] পুম্নমক [illegible] (.[illegible]কথিবা) অসি, শ্রীকৃষ্ণ মতোন্দগী ওথিবা [illegible] নকুনি, অদুম [illegible] খঙ্ঘু ।।৩৩ রুদ্র, আদিত্য, বসুনিপাল (মায়গৈ ভাকপা [illegible] নিপাল), অশ্বিনীকুমার অনী, সাধ্যদেবতাশিং বিশ্বদেবা মরুৎগণ (নুংশিৎ নিফুমাপল), প্রজাপতি ব্রহ্মা, দেবমাতা অদিতি অমুগা সপ্তর্ষি পুম্নমক অসি শ্রীকৃষ্ণসিদগী থোকথিবা শন্দোকবিরামক্তনি, খঙ্ঘু ।৩৪ বিশ্বব্রহ্মা সিগী প্রউবা উদন পে[illegible]সিগী অনত ওইনা তাশিনখিবা মশক (ঘনীভূতস্বরূপ ওইবা শ্রীকৃষ্ণসিনা বায়ু (প্রাণবায়ুনচিবা)গী মশক লৌদুনা সংসারগী অচচ্চত্ত জীব পুম্নমকপু লেঙহল্লি বনি. থবক তৌরিবনি । মহাকসিনা অগ্নিগী মশক লৌদুনা পুম্নমকসিবু চাকথেক্তুনা ভস্ম ওইহল্লিবনি । যুগ অমদা ঈশিংতগী মশক (জলাকার — জল + আকার) লৌদুনা জগৎ পুম্নমসিবু অমুক ত ওথোকথিমুনি লুপহল্লিবনি । মহাকনা ব্রহ্মা হায়বদুগী মশক লৌদুনা জগৎকী সৃষ্টি অমুমুক তৌরিবনি ।।৩৫ । মহাক মশামক বেদ্য হায়বদু ওইনা ওইনবু বেদগী তত্ত্ব [illegible] হোৎনরি * ।

---

* টীকা : — হায়রিবা বাক্য অসি য়াম্না কুপ্পা বিচারগী বানী খঙবা, অখঙবা, খঙদবা, খঙকয় থোকপা

ধর্মে চ বেদে চ বলে চ সর্বং চরাচরং কেশবং ত্বং প্রতীহি ॥৩৬॥
জ্যোতির্ভূতঃ পরমে হসৌ পুরাস্তাৎ প্রকাশতে যৎপ্রভয়াবিশ্বরূপঃ।
অপঃ সৃষ্ট্বা সর্বভূতাত্মযোনিঃ পুরাকরোৎসর্বমেবার্থ বিশ্বম্ ।৩৭॥
ঋতুনুৎপাতান্ বিবিধান্যদ্ভুতানি মেঘান্বিদ্যুৎ সর্বমৈরাবতং চ।
সর্বং কৃষ্ণাৎ স্থাবরং জঙ্গমং চ বিশ্বাখ্যাৎ বিষ্ণুমেনং প্রপীহিঃ ॥৩৮॥
বিশ্বাবাসং নির্গুণং বাসুদেবং সংকর্ষণং জীবভূতং বদন্তি।
ততঃ প্রদ্যুম্নমনিরুদ্ধং চ তুর্যমাজ্ঞাপয় জ্যাত্মাযোনির্মহাত্মা ।৩৯॥
স পঞ্চধা পঞ্চজনোপপন্নং সংচোদয়ন্ বিশ্বমিদং সিসৃক্ষুঃ।

মহাক মশামক্ৰা বিধি হায়বদু ওইনা ওইনা বেদ বিধি গী মতুং ইন্না বেদবিহিত ধর্মগী আশ্রয় লৌরি মহাক্না লৈরিবসি ধর্ম, বেদ বল (শারীরিক বল—হকচা গী পাঙ্গল) অহুমসিগী মযুংদনি। শম্না হায়রবদা অচচত্ত জগৎ মপুম অসিমক শ্রীকৃষ্ণ হায়মক্কী অউবা মূর্তিনি।৩৬॥ বিশ্বরূপধারী শ্রীকৃষ্ণসিনা মহাক্না তাহুনা শাবা, মঙাল মতুম সূর্য্যসিগী মশক ওইনা নোংপোক মায়কৈদগী অমুমুক ভাস্তোরকলি। মাগী মঙাম্না জগৎ পুম্বা ঈঙাস ভান্রি। জীবপানগা পুম্নমক্কী থোরকফম হৌরকফম অসি মহাক্নি। মহাক্না মহাপ্রলয় অমমমগী মতুংদা ঈশংগী সৃষ্টি তৌরগা ঈশিনুংদগী জগৎ পুম্নমকপু সিবু শেম্লনি।৩৭॥ ঋতু মখল মথা অমাম্বা উৎপাত (ভূমিকম্প) হায়বদি অকি অবস্থা থোক্লীবায় ওইবা, নোং নোংবাকপা-খোঙবা, নোংপাংকুপ্পা, ঐরাবত ইরাবান্ সমুদ্র মথনদগী থোকপা ঐরাবত পুম্নমক অসি, শ্রীকৃষ্ণকোবা মঙোন্দগী থোকখিবা থেংকৎলিবা থেককদবা। ভক্তান বরেণ পুম্বদা লৈরিবাশিং অসিগী অমত ওইবাঅউবা আত্মাদি শ্রীকৃষ্ণ অসিনি। অদুনা, বিষ্ণু হায়ববো মহাকসিন।৩৮। শ্রীকৃষ্ণসে জগৎ ব্রহ্মসিগী নিবাসস্থান (বৈকুণ্ঠ) নি। মহাক অসি বাসুদেব, জীবভূত, সঙ্কর্ষণ, প্রদ্যুম্ন, মরিশুবা অনিরুদ্ধ হায়নবু কৌই। মশা মথন্তনা পোকচবা (অত্মা যানি) পঞ্চম মীওনা পুম্নমকসিবু মাগী যাংগী মথা চাসহন্দুনা থম্লি ৩৯॥ কুন্তীনন্দন। দেবতাশিংগী সংসার, অসুর দৈত্য নিবশংগী সংসার মইবমীশিংগী সংসার, পিতৃলোক-প্রেতলোকত লৈরিবশিংগী সংসার, শাউচেকতী। যাইতিংশী সংসার, সংসার মন্নাসিবু শেমগে হায়না খন্দুনা পঞ্চভুতনা তিল্লবা সংসার্গী চেরাং (ঈনজনবা) অমা ওইনা শোম্লব পোৎ পুম্নমকসিবু মাগী মথা পোম্না অহুম থম্লি।

খঙনবা খুৎলায় (জ্ঞান বেদ) খঙগে ত ম্নরিবা হৌমক্কী উদ্দেশ্য অসিনচিবসি মহাক মশা মথন্তনা ওইরকাঙ-বদা, মহাক মশানা জঙভা (চঙভবা মীশকতা ওইরগা অমমুক খঙগে তম্মরি। খঙনবা পোশকচঙদনা খঙগে হায়না হোৎনরিবা হোৎনমিনসি করিগী না? পুম্নমকসি মথন্তনা ওইরবা শ্রীকৃষ্ণগী অকোঙবা প্রগট লীলার দ্বারিক, বেরমন্দির মইরবা ধ্যান তৌই। অদুনা ব্যবিকারবী ভক্তদি মা মথন্তনা থজিও। (কাশাচাঁদ)

ততশ্চকারাবনিমারুতৌ চ খং জ্যোতিয়ন্তশ্চ তথৈব পার্থ ॥৪০॥
স স্থাবরং জঙ্গমং চৈবসে তচ্চ ভুবি ধগলো মিমং চকুত্বা।
ততোভূমিং ব্যদধাৎগন্ধবীজাংশ্চৌঃ পৃথিব্যাং ধাস্যতি ভূ বরার্থি ॥৪১॥
তেন বিশ্বংকৃতমেতিদ্বিরাজন্ সজীবয়ত্যাত্মবৈবা ম্ম.রানিঃ।
ততো দেবানসুরান্ ম নবাংশ্চ, লোকানৃনীংশ্চাপি পিতৃন্ প্রজাশ্চ।
সমাসেন বিধিবং প্রানিলো তানসর্বান্ সদা ভূতপতিঃ সিস্ক্ষুঃ ॥৪২॥
শুভাশুভংস্থাবরং জঙ্গমং চ বিষ্কসেনাং সর্বমেত্তৎ প্রতীহি।
যৎবর্ত্ততে যচ্চ ভবিষ্যতীহ সর্বংহ্যেতৎ কেশবংত্বংপ্রতীহি ॥৪৩॥
মৃত্যুশ্চৈব প্রাণিনামন্তকালে কৃষ্ণ শশ্বতো ধর্মবাহঃ।
ভূতং চ যচ্চেহ ন বিদ্মোকিঞ্চির্বিষ্বকমেনাৎ সর্বমেতৎ প্রতীহি ॥৪৪॥
যৎ প্রশস্তং চ লোকেষু পুণ্যং যচ্চ শুভা শুভম্।

মহাত্মা মথং মথং শেমখি, বিলোমথাগীদা পৃথিবী (লৈবাক) ঈশিং, তেজ (মৈ), বায়ু (নুংশিৎ) অহুগা আকাশ মশাসিনি ॥৪০॥ মহাত্মা জরায়ুজ (নাউয়োম কয়োমদগী পোকপা) নচিংবা প্রানী (থবায় পানবা) মথল মরীনা থল্লবা জগৎ অসাগী স্ষ্টি তৌরগা মথল মরীগী ভূত (জীব) শীংগী কর্ম (মথৌ, মথোয়সীগী বীজগী মশক ওইবা ভূমিসিবু শেমখি। মহাকসিনা আকাশকী মশক লৌহুনা, নোংমদোরুহক অসিদগী ঈশিংগী বর্ষণ (বর্ষা চুথবা) তৌহল্লকুনা। পৃথিবীথক অসিদা মহৈন.র.জীবশিংগী চীজাক ওইনা শেমখি ॥৪১॥ নিংথৌ! মহাত্মা মতৌ অমুম্না বিশ্ব জগৎ অসিবু শেমগা মহাকী শক্তিনা জীবদাং জৌহ হিংহল্লি অহুনা, দেবতা, অসুর দৈত্য দানব, তাইবং মী, ঋষিমুনি, (প্রেতলোকতা লৈবা)গী ঈশম অল্লা হায়রবদা অচচ্ছত্ত জীব পুন্নমক্তা জীব শক্তি পী। লেংহল্লি। চংহল্লি। ভূত পুবগী মামী ভুতনাথ ওইবা মহাক্লা বিধি নিয়ম কায়দনা জীবশিং অসি অতোপ অতোপ্পা এও দা শেম্নবগী ইচ্ছা অসি অহুম মতোন্নি ॥৪২॥ শুভ অশুভ (অফকত্তবা), স্থাবর জঙ্গম (অচৎ চত্তবা) জীব জাৎ-জাৎ লৈরিবশিংসে শ্রীকৃষ্ণসদগী থোকখিবা পোকখিবা মকনি। ঐনা হায়রিবসি থাজৌ। ভূত ভবিষ্যৎ বর্ত্তমান হায়রিবা কাল বিভাগ অহুম অসে মাগী কালগী মশক ওইবা কৃষ্ণমাগী খরূপনি। মাসি,নহ.ক মুম্না থভজিন্দুনা থম্মু ॥৪৩। প্রানীশিং অসিগী অন্তকালদা শ্রীকৃষ্ণ মহাক মশামক্লা মৃত্যু হায়রবগী মশক লৌহুনলোকপনি। মাসে য়েৎপা য়াক্তবা নিশ্চয় তৌপ্রবা বানি। অহুম হায়না থজভু ॥৪৪। লোক অহুমসিদা হেক সৈরিব উত্তম মধ্যম, অধম, পবিত্র (অশেংবা) অপবিত্র (শেংদবা) শুভ অশুভ (অফকত্তবা) পুন্নমক অচিন্ত্য ওইবা অথাঙ্ক কনবা শ্রীকৃষ্ণসিগী মশক্নি।

তৎ সর্বং কেশোবোহচিন্ত্যো বিপরীতমতঃ পরম্ ॥৪৫।
এতাদৃশ কেশবোহতশ্চভূয়ো নারায়ণঃ পরমশ্চাব্যয়শ্চ।
মধ্যাস্তস্য পরম জগতস্তস্থুষশ্চ বুভূষতাং প্রভবশ্চাব্যয়শ্চ ॥৪৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতাং বৈয়াসিক্যা মনুশাসনপর্বণি দানধর্মপর্বণি মহাপুরুষ মাহাত্ম্যে অষ্টপঞ্চাশদধিকশততমোধ্যায়ঃ ॥ X ॥ X ॥

মশে নগী তোঙায় ভাবা বস্ত্র (পোশক) অহুগা পোশকশিংসিগী মনুংদা ম.সিমদি মশে নগী তোঙান-বনি হান্না খল্লিবদো বিপরীত বুদ্ধিনি খল্লিবদো মশাগী ওইতেনবা বুদ্ধিগীপরিচয়নি ॥৪৫॥ ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণগী মহিমাদি অসিনি। ঐনা খর হায়রিবসিনসু লোইবা নত্তে। পরম পুরুষ, অবিনাশী (অমাঙ অতা লৈতবা) পরমাত্মাসি ঈশ্বর নারায়ণ হায়বদো মগাকসিনি। মহাসিতনা স্থাবর জঙ্গমশিং পুম্নমকী আদি-মধ্য অন্ত ওইবনি। সংসারদা পোকপগী পে ক্লাংমগী কারণ উ.দশ্যশিং অতুবু মহাক্তনা ওইবনি। অবি-নাশী পরমাত্মানি ॥৪৬।

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিং চামনা শীবাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসনপর্বদা মতাংদা দানধর্মগী মহাপুরুষ মহাত্মাগী চামযাঙ্গানি পালশুবা আধ্যায লোইরে॥ X ॥ X ॥

==•==

মণিপুরী মহাভারত

একোণষষ্ঠ্যধিকশততমে২ধ্যায়ঃ

(কৃষ্ণনা প্রদ্যুম্নদা ব্রাহ্মণশিংগী মহিমা তাকহনবগা লোয়ননবা দুর্বাসাগী চরিত্র লীবা।
মাসি পুম্বা ভীষ্মগী নাক্তা লৈরিবা যুধিষ্ঠিরদা তাকহনবা)

চাময়াখৈ মাপলশুবা অধ্যায়

=0=

যুধিষ্ঠির উবাচ

ব্রূহি ব্রাহ্মণ পূজায়াং ব্যুষ্টিং ত্বং মধুসূদন। বেত্তা ত্বমস্য চার্থস্য বেদ ত্বাং হি পিতামহঃ ॥১॥

বাসুদেব উবাচ

শৃণুষ্ব বদতো রাজন্ দ্বিজানাং ভরতর্ষভ। যথাতত্ত্বেন বদতো গুণান্ বৈ কুরুসত্তম ॥২॥
দ্বারবত্যাং সমাসীনং পুরা মাং কুরুনন্দন। প্রদ্যুম্নঃ পরিপপ্রচ্ছ ব্রাহ্মণৈঃ পরিকোপিতঃ ॥৩॥
কিং ফলং ব্রাহ্মণেষ্বস্তি পূজায়াং মধুসূদন। ঈশ্বরত্বং কুতস্তেষামিহৈব চ পরত্র চ ॥৪॥
সদা দ্বিজাতীন্ সম্পূজ্য কিং ফলং তত্র মানদ। এতৎ ব্রূহি স্ফুটং সর্বং সুমহান্ সংশয়োঽত্র মে ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়ি:–মধুসূদন! ব্রাহ্মণগী পূজাগী ফল (মহৈ) মসি করিনো? মাসি অমুক্তা কুপ্না তাক পিয়ু। মাসিগী মরম অদুগা ভত্রসে ঈবুঙো নহাক্কনা থগনি। অদুগা ঈবুধৌ (ভীষ্ম)নসু, বিষয় অসি নহাক্কনা থগনি হায়নসু তাপা॥১॥ বাসুদেব শ্রীকৃষ্ণনা হায়ি:–কুরু শাগৈগী লৈতেংগী মশকওইবা! ভরতবংশগী অথোইবা! নিংথৌ! ব্রাহ্মণশিংগী মরমদা চপচানা ঐ হায়জগে, পুক্নিং চঙনা তাবিয়ু॥২॥ ব্রাহ্মণশিংনা বিষয় অমদগী দ্বারবতী (দ্বারকা দ্বারিকা) দা ঐনা নোংমা ফমদুনা লৈরিঙৈদা কুরুনন্দন! ব্রাহ্মণশিংনা বিষয় অমদগী য়াম্না শাউহল্লবা প্রদ্যুম্ননা ঐঙোন্দা অসুম্না হংলে॥৩॥ পিতৃদেব! মধুসূদন! ব্রাহ্মণশিংগী পূজা তৌবগী কান্নবসি করিনো? ইহলোক পরলোক অনীমক্তা ব্রাহ্মণশিংসিবু ঈশ্বরগুম্বা মাম্মি। মাসিনা করিদগীনো? ॥৪॥ জগৎনা ঈকায় খুম্নবা পিতৃদেব! ব্রাহ্মণ পূজাদগী ঐথায়না ফংগদোরিবসিনা করিনো? মথোয় না শাউরগা ঐথোয়দা করি কায়বা লৈ, য়াম্না চিংনৈ। মাসিগী মরমসি ফংনা তাশিনবা অমুক্তা তাক-পিবিয়ু॥৫॥

ইত্যুক্ত বাসেব ভীষ্ম শন্তনুঃ সুতং যুধিষ্ঠিরম্। প্রত্যুবাচ মহারাজ বচনঞ্চ সমাহিতঃ ॥৬॥
বৃদ্ধিং ব্রাহ্মণ ভক্তায়াং রৌক্মিণেয় নিবোধমে। এতে হি সোমরাজেন ঈশ্বরাঃ সুখদুঃখয়োঃ ॥৭॥
অস্মিল্লোকে রৌক্মিণেয় তথামুষ্মিংশ্চ পুত্রক। ব্রাহ্মণপ্রমুখং সৌম্য ন মেহত্রাস্তি বিচারণা ॥৮॥
ব্রাহ্মণপ্রতিপূজায়ামায়ুঃ কীর্তি র্যশোবলম্। লোকা লোকেশ্বরাশ্চৈব সর্বে ব্রাহ্মণ পূজকাঃ ॥৯॥
ত্রিবর্গে চাপবর্গে চ যশঃ শ্রীরোগ শান্তিষু। দেব তা পিতৃপূজাসু সংতোষ্যাশ্চৈবনো দ্বিজাঃ ॥১০॥
তৎ কথংবৈ নাদ্রিয়েয়মী শ্বরোহস্মীতি পুত্রক মা তে মন্যুর্মহাবাহো ভবত্বত্র দ্বিজ নপ্রতি ॥১১॥
ব্রাহ্মণা হি মহদ্ভূতমস্মিল্লোঁকে পরত্র চ। ভস্মকুর্য্যুর্জগদিদং ক্রুদ্ধাঃ প্রত্যক্ষদর্শিনঃ ॥১২॥
অন্যানপিস জেয়ুশ্চ লোকাঁল্লোকে শ্বরাংস্তথা। কথং তেষু ন বর্ত্তেরনজ্ঞানাৎ সুতেজসঃ ॥১৩॥
অবসন্মৎগৃহে তাত ব্রাহ্মণো হরিপঙ্গলঃ।

মাম্বুং নিংথৌ! যুধিষ্ঠির! প্রদ্যুম্ননা ঐগোন্দা অঙ্গুম্না হংলক্লবদা ঐনা মাখোক্না অঙ্গুম্না হায়খি:— রুক্মিনীগী মচা! ঈপা হায়গে তাগ ব্রাহ্মণগী সেবা পূজ না ঐখোয়না করি কাম্নবত্নুগী মরমদো হায়গে। পুক্নীং চঙনা তাও। ঈদা গী ঈবু ঙা! প্রদ্যুম্ন! ব্রাহ্মণশিংগী নিংথৌ অসে, সোমদেব (চন্দ্রমা)নি। অতুনা ব্রাহ্মণশিংনা ঐখোয়দা ইহলোক পরলোক অনীগী সুখ-দুঃখ (অরাবা মুংজাইবা পীবা ঙম্মি ॥৬-৭॥ শান্ত স্বভাবতবা ব্রাহ্মণশিংগী মরুওইবা স্বভাবনি হায়রিবসিদা অমত্ত অমা থক থংগদ্রে চিংনগন্দ্রে। ব্রাহ্মণশিংগী পূজা তৌতনা মখোয়না পেন বিরবদি পুনশিংশাব, মিচং অহুগা শারীরিক শক্তি (হকচাংগী পাঙ্গল) ফংবনি। লৈকথু মংনক্ক লৈরিবা গোঁসাইশিংসু ব্রাহ্মণ পুজক (ব্রাহ্মণবু পূজা তৌবা) মক্তনি ॥৮-৯॥ ধর্ম-অর্থ কামগী মনক্তা, অদুগা 'মোক্ষ', ঐশ্বর্য লক্ষ্মী (সম্পদ) অসিনচি বা ফংনবগীদমক্তা অদুগা পিতৃ মাতৃ শাকক্কী তর্পণ (পসন্দব) নচবগী থাক্তা ব্রাহ্মণশিংবু লেংহনগদবনি ॥১০॥ ঈপাগী ঈবুঙো প্রদ্যুম্ন! অসিগুম্বা অবস্থাসিদা ব্রাহ্মণবু ঐদোগী মশাপুক্ত তাবোইগী থৌরাংনা? প্রদ্যুম্ন! "ঐ" হায়রবসে ঈশ্বরনি হায়দুনা "ঐনা ঙাদবা পুক অমত্ত লৈতে অসি হায়না মুশ্মা শস্ত্রগা ব্রাহ্মণনা থক শাউ লাকক্ত ॥১১॥ ব্রাহ্মণ হায়বসে ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মা মার্থগী ত ফংহনবা লৈবনি জ্ঞানী ওইবা ব্রাহ্মণদি হৌখ্রব ওইদবা ওই কদায় লোকপুণ্য প্রত্যক্ষ ইনা অদুন উবা ঙমবনি। জ্ঞানী ওইদবা মীদি হৌখ্রবা লে ইপ্রনা তু দা ওই কদবদ লায়রবন বর্তমান ওইবা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা লৈরিবাসি ফংওগা লাইনা উবা ঙমদ। ব্রাহ্মণ হায়বসি শাউরবদি জগৎসিবু মকুপ্পা ভস্ম ওইহনবা ঙম্বনি। উং ওইনা তুমহনবা ঙম্নি ॥১২॥ মখোয়দি ভগবান্দা কৃষ্ণ। মেয়মশিং অমি নত্তব মনৌবা লোক অমা, অনৌবা গ্রহ নক্ষত্র তারা কাবো মখোয়গী নৈনবা সনাকৈগী অমা শেম্বা ঙম্নি। অসিফাওবা তৌবঙম্বা ঙম্বগী শক্তি লৈবগা ব্রাহ্মণবু করিগীদমক উনিংথোকইদনা তৌগদৌরনো? ॥১৩॥ তাও প্রদ্যুম্ন! মখোয় পোক্তি ঙৈগী বানি। নোংমা ঐগী য়ুমসিদা শংব মবা বাউথাংনবা কুচু পুবা ব্রাহ্মণ অমা মতম থর কাইদুনা লৈরম্মি। মগী মফি মরোল লেংলি চারিবাদো পুমশেংশেংগাইরবনি। মফি মরোল মকম থওদে।

চীরবাসা দিগম্বরো দীর্ঘশ্মশ্রুঃকৃশোমহান্ ॥১৪॥

দীর্ঘেভ্যশ্চ মনুষ্যেভ্যঃ প্রমাণাদধিকো ভুবি। স স্বৈরং চরতে লোকান্ যে দিব্যা যে চ মানুষাঃ ॥১৫॥

ইমাং গাথাং গায়মানশ্চত্বরেষু পথেষু চ। দুর্বাসসং বাসয়েৎ কো ব্রাহ্মণং সৎকৃতং গৃহে॥১৬॥

রোষণঃ সর্বভূতানাং সূক্ষ্মেঽপ্যপকৃতে কৃতে। পরিভাষাং চ শ্রুত্বা কো নু দদ্যাৎ প্রতিশ্রয়ম্ ॥১৭॥

যো মাং কশ্চিদ্ বাসয়ীত ন স মাং কোপয়েদিতি। যস্মান্নাদ্রিয়তে কশ্চিৎ ততোঽহং সমবাসয়ম্ ॥১৮॥

স স্ম ভুঙ্ক্তে সহস্রাণাং বহূনামন্নমেকদা। একদা সোঽল্পকং ভুঙ্ক্তে ন চৈবৈতি পুনর্গৃহান্ ॥১৯॥

অকস্মাচ্চ প্রহসতি তথাকস্মাৎ প্ররোদিতি। ন চাস্য বয়সা তুল্যঃ পৃথিব্যামভবত্তদা ॥২০॥

মথুক্তা হরি খা'দাংকী দণ্ড (চৈদ্দ) অমদি ইথং থাদ। চীবাংকী অদুগা মংদাগী কোইদি য়ম্লাশাংতি মশা'দা [illegible]। [illegible] অদুগা [illegible]। [illegible] ।১৪। পৃথিবীদা লৈরিবা বাং চাউরবা মীশিংদগী [illegible] [illegible] অমনি হা'যনা [illegible]। দিব্যালোক মনুষ্য লোকী মক্ক যৌনিং যৌনিংবা ময়মদা মীবুপ্পা। মীবা চংলা [illegible] ॥১৫। মহাক্না চংলু চংলুবা মক্কম খুদিংদা, ধর্মশালাশিংদা, উক্তাউনী মখোত্তদা তাঅৎতুনা [illegible] লৈপুংলক্তা [illegible] মরি কাংবা কদা ঈশৈ শৈরেং [illegible] শক্ক্‌না কোমচং চংলি। মহাক্না শকপা ঈশৈজুদি অসিনি—

"লৈযম চাকম্ খণ্ডদকা দুর্বাসা বৈরবা ঐহাবপ।
দান-ধর্ম খঙবা কনানা অতিথি সেবা তৌগনা।
ময়ুমদা পম্বিগদংদা হা কনা কনা লৈবগে, কনানো!" ॥১৬॥

অদুম হা'যনা শক [illegible] থেংলগা করি অমুক হাংলকপগে হায়রবু:— ঐভোন্দা খিক্ক লাল্লবদি জীব পুন্দা শাউগনি। ঐনা শাউনবদ [illegible] পুম্না খুদংলা তু গনি। মাসিবু তাম্লগা কনানা ঐবু ময়ুমদা পুশিন্দুনা অতিথি ওইনা, ধর্ম নিংগদাগা অদুগা কনাগুম্ব ঐবু খঙিগে হা'যরবদি, করিগুম্বা মতমদা ঐবু শাউহনবদি য়াদে। অদুনা ঐবু অতিথি ওগুম্ব। [illegible] রাফম সিনদি য়াম্না চেকশিন্না ভাকপা তাই ॥১৭। প্রদ্যুম্ন! [illegible] যেংগে হায়রদুনা দুর্বাসা ওইরবা মহাকপু ঐনা য়ুমদা পুশিন্দুনা অতিথি অমগুম্না সেবা তৌরম্মী। ঐ নত্তনা মা'বু কনা অমত্তনা মযুমদা কৌশীনবা ফাওবা ওমদ্রবনি। মহাক চংগে, [illegible] হায়রবা মতমদা ঐমা চানবা হায়দুনা মত্তোন্দা অচাথক লাঞ্জিনবসি মীশিংশি অম ফা-বদা য়েনবা [illegible] নি। মাদু, মহাক্না লোইনা মীকুপ্পা চাপোকথি। অদুগা নোংমনদি চথোম অমনীদং চুক্লগা ঐগী য়ুমদগী অদুম থোকখ্রে। অমুক হজিন্নলত্রে ॥১৮-১৯॥ মহাক অদো অমুকক্ত মরম ঈরৈ লৈতনা কাক কাক নোকই। অমুকক্ত ঈখক্ত খঙহৌদনা হাক্লা হাক্লা কপ্পি। পৃথিবী সিদা মাগী লোং মান্নবা কনা অমত্তা লৈত্তে ॥২০॥

অথস্বাবসথং গত্বা স শয্যাস্তরণানি চ। কন্যাশ্চালংকৃতা দগ্ধ্বা ততোব্যগমৎ পুনঃ ॥২১॥
অথ মামব্রবীৎ ভূয়ঃ স মুনিঃ সংশিতব্রতঃ। কৃষ্ণ পায়সমিচ্ছামি ভোক্তুমিত্যেব সত্বরঃ ॥২২॥
তদৈব তু ময়া তস্য চিত্তজ্ঞেন গুরোর্জনঃ। সর্বাণ্যন্নানি পানানি ভক্ষ্যাশ্চোচ্চাবচাস্তথা ॥২৩॥
ভবন্তু সংকৃতানীহ পূর্বমেব প্রচোদিতঃ। ততোহহং জ্বালমানং বৈ পায়সং প্রত্যবেদয়ম্ ॥২৪॥
তং ভুক্ত্বৈব স তু ক্ষিপ্রং ততো বচনমব্রবীৎ। ক্ষিপ্রমঙ্গানি লিম্পস্ব পায়সেনেতি স স্ম হ ॥২৫॥
অবিমৃশ্যৈব চ ততঃ কৃতবানস্মি তং তথা। তেনোচ্ছিষ্টেন গাত্রাণি শিরশ্চৈবাভ্যমৃক্ষয়ম্ ॥২৬॥
স দদর্শ তদাভ্যাশে মাতরং তে শুভাননাম্। তামপি স্ময়মানাং স পায়সেনাভ্যলেপয়ৎ ॥২৭॥
মুনিঃ পায়সদিগ্ধাঙ্গীং রথেতূর্ণমযোজয়ৎ। তমারুহ্য রথং চৈব নির্যযৌ স গৃহান্মম ॥২৮॥
অগ্নিবর্ণো জ্বলন্ ধীমান্ স দ্বিজো রথধুর্যবৎ। প্রতোদেনাতুদৎ বালাং রুক্মিণীং মম পশ্যতঃ ॥২৯॥
ন চ মে স্তোকমপ্যাসীৎ দুঃখমীর্ষ্যাকৃতং তদা। তথা স রাজমার্গেণ মহতা নির্যযৌ বহিঃ ॥৩০॥

প্রদ্যুম্ন ! নোমাদি এমদৌগে হায়রবুঃ—মহাক্কা লৈরবা কা অহুদা পারিবা থম্নিবা কনাগী ফজ ফজরবা, ফমুং ফাম্মুং বাকোল চেম্পাক পুম্মক অহু অহুগা মাগী সেথা তৌকম্লগা হায়রুনা থম্নিবী ফজরবী কম্যাশিং অহুন্নলোনা শাকপেৎখনা উৎ ওৎকনাখি। মাহু তৌরম্নগা কদায়দনো মাঙথোকখি ॥২১॥ অহুদগী কদায়দগীনেঃ থজাহৈদনা ঐ (কৃষ্ণ)নাক্ত লাক্কুনা অহুন্না হায়রে—ঐ শঙ্গোম, ক্ষীর থর চানীঙিঙ ॥২২॥ অহু দগীদি ঐঙ্গ মহাক্কা কদি হায়গনৌরবানা মহুৎসু ক্ষান্ন ওভদোক্কুনা মাগী দমক্কা অচাথকঅহাও অথুম শঙ্গোম ক্ষীরনচিংবা শিঙ্গাংনা থমহন্দুর্নে। যেংগ যেংগ শাবা, মৈৎক্তগী থাংথবদা তাইরিবা শঙ্গোম ক্ষীর অহু মাঙোন্দা লানশিংহল্লে ॥২৩ ২৪॥ মাহুদু মহাক্কা থকেৎই চদাগুম থুদং তংলগা ঐঙোন্দা অসুম্না হায়রকইঃ কৃষ্ণ ! শঙ্গোম ক্ষীর অহুগা শঙ্গোমশিং অসে মশাদ পুমতৈ তৈশিল্লু ॥২৫॥ অহুদগী ঐসু মহাক্কা হায়রহুত ভোরে। মহাক্কা চাথবগী লুখাক শঙ্গোমশিং অহু ঐনা ইপাদা পুমতৈ তৈশিল্লি ॥২৬॥ প্রদ্যুম্ন ! তৌরিবা মৌদৌ উাদা নঙ্গী নমা রুক্মিণীন্ত নোকফেং নোকফেং তাহুনা অসুম য়েংহুনা লৈ। মুনিগীমাথং মতুং ইম্না, ঐনা ক্ষীরশিং অহু নংগী নমা রুক্মিণীগী মমৈৎ মমাগ্ন পুম্বদম্ন পুমতৈ তৈশিল্লি ॥২৭॥ অসুম্না শঙ্গোম অমদি শঙ্গোম ক্ষীরনা মথা পুম্বা পুমতৈ তৈরবী নমা মহারানী রুক্মিণী দেবীবু মুনিসিনা রথ সথক্কা হাপবংলে হায়রগা মখোয় অনীমু অহুম সুমদগী চৎখ্রে ॥২৮॥ বুদ্ধিমান্ অমদি জ্ঞানী ওইরবা ব্রাহ্মণ দুর্বাসাসি মতম অহুদা তপস্যাগী তেজনা পুমডাম ডংলা ঐগী মাঙমক্তদগী রথগী শগোলশিং অহুদা শাক্তে কম্ন কম্না পাহনা রথ অহু তহুন লৌখি। অদুগা শাক্তে মতোল অহুনা নমা মহারানীদা চৈনা পী পীহুনা অহুম চংখি লৌখি ॥২৯॥ মাহু উনা উনা ঐ (কৃষ্ণ)গী পুক্নীংদা থম্মোয়দা কবিগুম্বা সুংঙাইতবা, অশাউবা কল্লকপা থমবনুবা অমত লোকখিদে। অসুম তৌহুনা মখোয় অনীমু দ্বারকা কোন্নুংদগী রাজমার্গদা অহুম চংপ্ররবনি ॥৩০॥

তং দৃষ্ট্বা নেহ পশ্যামো দাশার্হা জাতমন্যবঃ। তত্রাজল্পন্ মিথঃ কেচিৎ সমাভাস্য পরস্পরম্ ।৩১॥
ব্রাহ্মণ এব জায়েরন নান্যো বর্ণঃ কথঞ্চন কো হ্যেনং রথমাস্থায় জীবেদন্যঃ পুমানিহ ।৩২॥
আশীবিষবিষং তীক্ষ্ণং ততস্তীক্ষ্ণতরো দ্বিজঃ। ব্রহ্মাবিষদগ্ধস্য নাস্তি কশ্চিচ্চিকিৎসকঃ ॥৩৩॥
তস্মিন ব্রজত্যতি দুর্ধর্ষে প্রাস্খলৎ রুক্মিণী পথি। তন্না মর্ষয়ত শ্রীমাংস্ততস্তূর্ণমচোদয়ৎ ।।৩৪।
ততঃ পরমসংক্রুদ্ধো রথাৎ প্রস্কন্দ্য স দ্বিজঃ। পদাতিরুৎপথেনৈব প্রাদ্রবদ্ দক্ষিণামুখঃ ।৩৫॥
তং ধাবন্তমুৎপথেন ধাবত্যনুজগাম তম্। তথৈব পায়সাদিগ্ধঃ প্রসীদ ভগবন্নিতি ।৩৬॥
ততো বিলোক্য তেজস্বী ব্রাহ্মণো মামুবাচ হ জিতঃ ক্রোধস্ত্বয়া কৃষ্ণ প্রকৃত্যৈব মহাভুজ ।৩৭।

ন তেঽপরাধমিহ বৈ দৃষ্টবানস্মি সুব্রত।
প্রীতোঽস্মি তব গোবিন্দ বৃণু কামান্ যথেপ্সিতান্ ।।৩৮॥

অতিকপা পৌদোক অসি উবদা, দ্বারকাদা লৈবা, দশার্হবংশ যদুবংশগী অহল্লমন্ মী পুম্মক্না ওষ্টোক্লা থীনা শাউরকই মথোয়না। অমগী অমুম্না ওাঙনখিঃ—ঈচীমাউশা। পোক্তুনা পোক্লবদি ব্রাহ্মণ ওইনা পোক নৈ। অতোপ্পা অতেপ্পা বর্ণ অমদা পোক্তবন ফংরে। নত্রবদবু অসি ব্রাহ্মণ সন্ন্যাসী বাবাজী অসি অত্তুম করম্না তাংবং মীনা জনার্দ্দন শ্রীকৃষ্ণগী রথমক্তদা কাথত্তুনা মাগী লোয়নবী মহারাণী মকপুম্ব রথদা চাম্লংস কযা কুংনা তিংতুন। লৈবা ওমপদগে অমুক্তুম্ব হায়নৈঃ মহু কল্লবা লীলগীহু হায়বসিমক ম্না ॥৩১-৩২॥ শ্লোক্লা কনথ্রবনি। অতুগা ব্রাহ্মণগী অশাউবগী মশক ওইবা হূদি, লিলগীহূদগী হেনা পৌবা এল্লি। ব্রাহ্মণগী অশাউবদগী মশক হুনা কাংথ্রবদি হু অহু কোকহনবা লিলগী মাইবা অমত সংগারদ শক ত ৩৩ তৌরবদবা লৈত্রব দুর্বাসানা অমুম হায়না রথবু থৌদুনা পুথিবা মতনসিদা রুক্মিণী অদিদুনা থোক পোক নোমহুনা পুবিথিবহুদা রথদগী ওম্বরক্তুনা লৈমায় থক্ত তাই মুনিসিনা মাত্রব চেংলা, পৈথনা চনবদা ওহাকত অপনবা ওইবা অহু কাওবনা থাওবা ওমদবগী মওংদা রথদগী কুমারগা রথদগী কুমারগা শগোলশিংদা শাক্তৈ থার থারহুনা মখোওনা লৈমায়থক্তা চংতুনা রথহু ঈল্ল ঈল্লহুনা অহুম লেখি ।।৩৪। রুক্মিনীসু তুরোই ওামলোইনা লম্বী লৈমায় পক্তুদা অমুম চংলি। দুর্বাসা অসি অদুম লৈরকাম্বদা, মায় শাউরকই। মখোওনা মথা পাংনা প্রদ্রপ চেনখি ।।৩৫। লম্বীবুসু মকম মরাং থওদনা অথম পায়বিবহু উবদা, ঐসু নুংশা থিহুন। হকচাংদা শঙ্গোম ক্ষীরনা পূতে তৈনা মুনিহুবু তাম্বরকহু ।এল। তাম্বরক্তুনা নুংলোমুনা মুনিহুদা ভগবন্। শাউবিম্ব শাউবিম্ব হায়না হায়জৈ ।।৩৭॥ মতম দুর্বাসাসি ঐঙোং থামদ, ওনশিল্লক্তুনা অমুম্না হায়রকইঃ— অকনবা। কৃষ্ণ। জনার্দ্দন। অশাউবা ছুংত্তাইতবা হায়বহুবু নমহৎপা ওম্বা অকনবা। কামক্রোধবু নহাক্না জয় তৌরে। ব্রত তপস্যা কল্লবা গোবিন্দ। ঐহোক্না করিংত লানবা লৈতে। ঐনা লানবতনি, ঐবু ওাকপি।ল্লু ব্রাহ্মণ ঐ পেল্লে। ব্রাহ্মণ ঐহোক্নগী হেক ফংনিংবা বর মথৈ তাকপিহু। ।৩৭-৩৮॥

প্রসন্নস্তু চ মে তাত পশ্যবৃষ্টিং যথাবিধি। যাংদেব মনুষ্যাণামেষে ভাবেভবিষ্যতি ।৩৯।
যথৈবান্নে তথা তেষাং ত্বয়ি ভবিষ্যত। যাবচ্চ পুণ্যা লোকেষু ত্বয়ি কীর্ত্তির্ভবিষ্যতি। ৪০।
ত্রিষু লোকেষু তাবচ্চ বৈশিষ্ট্যং প্রতিবৎস্যসে। সুপ্রিয়ং সর্বলোকস্য ভবিষ্যসি জনার্দ্দন ৪১।
যত্তে ভিন্নং চ গন্ধং চ যচ্চকিঞ্চিৎ বিনাশিতম্ সর্বং তথৈব দ্রষ্টাসি বিশিষ্টংবা জনার্দ্দন ৪২।
যাবদেতৎ প্রলিপ্তং তে গাত্রেষু মধুসূদন। অতো মৃত্যুভয়ং নাস্তি যাবদিচ্ছসি চাচ্যুতে ৪৩।
নতু পাদ তলে লিপ্তং কস্মাত্তে পুত্রকাদ্যি বৈ। নৈতন্মে প্রিয়মিত্যেবং সমা প্রাক্তাহং তব ৪৪।

ইত্যুক্তোহহং শরীরং স্বং দদর্শ শ্রীসাময়ুতম্
রুক্মিনীং চাব্রবীৎ প্রীতোহব্রবীৎ তদা ॥৪৪।

ব্রাহ্মণহৌবু লৈহনবগী তুদা ওইরকদবা মহৈ শিং অদো হায়গে মুন্না তাও। তাংবু ... চাবা পূমমক্কা অমবু চৌঙ্গা চপু পামহনা লৈরিবা অহুক্ক নহৈ অমগী মফমদা প্রামপাক্তিবু ... নৈরবহুন্নম। নংগী নকমদস্তু ঐগী প্রেমপ্রাদ, লৈগনি ।৩৯ জনর্দ্দন। লোক অহুমদা নহাক্কা পুন কীর্ত্তিবু ... মাচংপু) শক্ক শোন্নহনা লৈরিবা অহুমক্কী মথৈ মরোল অহুমদা নানা হীরম পুমদা থাংদা ... লৈবা ওইগনি। জনার্দ্দন। লোক অহুমক্কা লৈবা জাব পূগনক্কী মু শিনফম ... বদে ... শোয়ন ওইগনি অহুগা মাহু ওইসনু ॥৪০ ৪১॥ জনার্দ্দন। ঐনা নহাক্কী যুদগী ... যুগাহৈ নগাংবা চাহ- থাইথিব। ময়াম দা হানগীগুম্না, হান্নদগাসু হেন্না ঈনা লৈনা ফজনা ভবা কংবগনি। ৪২ মধুসূদন। নহাক্কী অঙ্গগী মফম শিংহুদা ঐনা শঙ্গোম অমদি মঙ্গোম ক্ষারন তৈশিনখিবা হকচাং মফমদা তদা। করিগ- গুম্বা অশোক অপদগী, খুংলায় থাও তানা থিনবা কাওবগী চৈন করিমত্ত কাওরোঃ শিবন বগা অকি- বা অমদি অকি অথং করিমত লৈরোই। কৃষ্ণ হায়রিব অবস্থাংশংসি লৈহমংংলবা অহুক্কী লৈগা মপোক বা অমদি অকি অথং করিমত লৈরোই। ... মপোক খুদিংগী লৈহন্নাংলবসু অজর-অমরা ওইহনা অহুম মরৈরগনি ॥৪৩ অহুগা ঈবুডো জনার্দন। নহাক্কা শঙ্গোম শঙ্গোম ক্ষারশিং নশা পুম্বদা তৈশিনব মতমদা নথাং খুবা য়োহনবিদে খুদম তে- শিনখিদে। মাহু করিগীনো চুমদ। মাহুতদি ঐ পামদ। অদুম হায়না ... ব্রাহ্মণহুনা হায়রম্বা পুম্বদো অমত্ত রাংতনা ঐনা যুমদ। রুক্মিনখিবদা পোইনা উথি। ঐগী ... পুনখল থলবা ওইনা উথি ॥৪৫। *

---

* টীকা: হায়রিবা রাক্কম অশিদগী ঐখোয়না করি ... — শ্রীকৃষ্ণনা ...রবা শক্তি ময়াম, জগৎকী ...হংনবা ওইবা হকচাং কয়াৎ কুহকুমন, শম্না হান্নরবদা ... শারীরিক শক্তি সৌ- ন্দর্য্য মাধুর্য্য ময়াম অসে ব্রাহ্মণগী বরদানদগী ভাক্তনি হায়বসিনি। (কালাচাঁদ)

কীর্ত্তিং চন্দ্রতমাং লোকেসমাবাপ্স্যসিশোভনে। ন স্বাংস্ত্রগাবা যোগোবা বৈবশ্যং বাপি ভাবিনি ॥৪৬॥
স্পৃশন্ত্যি পুণ্যগন্ধা চ কৃষ্ণমাধবিষ্য সি। ষোড়শানাং সহস্রাণাং বধূনাং কেশবস্য ৩ ॥৪৭॥
বরিষ্ঠা চ সলোক্যা চ কেশবস্য ভবিষ্যসি। তব মাতরমিত্যুক্ত্বা ততোনাং পুনরাব্রবীৎ ৪৮॥
প্রস্থিতঃ শুমহাতেজা দুর্বাসাগ্নিরিব জ্বলন্। এবৈব তে বুদ্ধিরস্তু ব্রাহ্মণান্ প্রতি কেশব ॥৪৯॥
ইত্যুক্ত্বা স তদা পুত্র তত্রৈবান্তরধীয়ত। তস্মিন্নন্তর্হিতে চাহমুপাংশুব্রতমাচরম্ ॥৫০॥
যৎ কিঞ্চিৎ ব্রাহ্মণো ব্রূয়াৎ সর্বং কুর্য্যামিতিপ্রভো। এতৎব্রতমহং কৃত্বা মাত্রা তে সহ পুত্রক ॥৫১॥
ততঃ পরমহৃষ্টাত্মা প্রবিশ্য গৃহমেব চ। প্রবিষ্টমাত্রশ্চ গৃহে সর্বং পর্বং পশ্যামি তন্ময়ম্ ॥৫২॥

অমুক রুক্মিনীদসু হায়রম্মিঃ— ঈবেম্মা! রুক্মিনী! নাংথিঙ্গবী! লোককম্ম জগতা লৈরিবা মুপী শংগী মমুংদা থাইবগী হেন্না ফজবা, থাদিগী হেন্না নিচং চাউবা, মুপী হায়বমু ওইগনি এশকত ফজবা, মিংচেং চাউবী ওইবা অমত্ত নত্তনা পুক্নীংগী থংম্ম বা ফজবা লোননপা, মীতোন্দা লান্দবা নাপল তৌঅসিনচিংবসে নত্তোন্দা লৈগনি। অসিক্ত নত্তনা অৱল ওইরকপা চপশিল খুইঙিএকপা কুচুকুমেন হন্থরকপা অসিনচিংবাস নশাদা থক সাক্লরোই। মহাক নপুননি চুপ্প ঈনোত নৌচনা লেবী নশাগী হকচাং অদো অহুমু মতম পুম্বদা হৈবাং লৈবাগী মুংশিবা ননমগী মতৌগুম্বা মুপক্কিতবা হাদুনা লেবা ওইগনি, ওইসনু। নপুরোইবা জনার্দন শ্রীকৃষ্ণগী সেবা পূজা থারাথানা তোবতদা নপুনশিংগী মথৌ ওইসনু ॥৪৫-৪৬। শ্রীকৃষ্ণগী লেম্মনবী, সেবা তৌরিবা লেশিং তরাতরক্কা মমুদা থাইদগী হেন্না শ্রীকৃষ্ণগী প্রেয়সী (চাম্নথোইবী) হায়বমু ওইসনু শ্রীকৃষ্ণ ॥ মকমদা সালোক্য, শ্রীকৃষ্ণনবী ভক্তবা লেঙবনা লৈবা ওইগনি ॥৪৭। * প্রদ্যুম্ন! নমা রুক্মিনীদা অমুমা বম পীরবা মতুংদা নৈমী মতৌগুম্বা তেজ লৈরবা মুনিনা ঐগোন্দা অমুক করি হায়গদগে হায়বমু কেশব! মতম পুম্বদা ব্রাহ্মণগী মফমদা লেঙত্রবী ভাক্ত অসে মতম পুম্বদা লৈবা ওইরসনু ৪৮-৪৯। প্রভাব লৈরবা প্রদ্যুম্ন! মা অমনীসি হায়রগা কনোনদনো খঙখঙহৌদে, থঙমাং মাংখি। মহাক্না মশক উংথত্রবা তু অদুবা, ঐনা ওপগুনা অমুম হায়না পুক্নীংদা শোন্দুনা ব্রত তৌখিঃ—ব্রাহ্মণনা করিগুম্বা ঐগোন্দা অমুম্না অতো হায়বদো শোয়দনা তৌগনি। পীমু হারবা পোৎ মথৈ পীগনি অমুম হায়না শোন শোন্দুনা মাগী মুমিৎকী ব্রত অসে ঐনা থবকথোক্না তৌরক্নি ॥৫০॥ অদুদগী ঐনা নমা রুক্মিনীগা লোয়ননা যুমদা চঙখি ৫১। যুমদা চঙলিবদা কারি কারি উবগে হায়রবুঃ—ব্রাহ্মণ অমুনা চাইথাইরম্মা থুগাইরম্মশিংদো অমত্ত লৈতদ্রে। হায়গী মঙদা ঈশায় কায়দনা হায়নসীদুম হেন্না ফজনা ঈনো-নৌনা ঈহন হন্না লৈবা ওইনা উখি ॥৫২॥

* টীকাঃ— ভক্তি হায়বাস সালোক্য সান্নিধ্য, সারূপ্য, সার্ষ্টি মরি অসিমক নত্রগা অমত্তং কংননবগী তৌনবনা ভক্তি মথক মরিনি হায়নৈ। সালোক্য—ভক্তিগী মহৈদি ইষ্টদেবতাগী মশেক মঙাল চপ মান্নবা মঙাল পুম্নিন্নবা, লোক অমতদা লৈমিন্নবা কংবা হায়বমু ওই। (কালাচাঁদ)

যৎ তিষ্ঠ যচ্চ 'বদন্ত তেন বিপ্রেণ পুস্তক ত.তাহং. বিস্ময়ং প্রাপ্তঃ সর্বং দৃষ্ট্বা নবং দৃঢ়ম্ ।৫৩।
অপূ যং চ মনসা রৌক্মেয় দস। দ্বিজান্ ইত্যাহং রৌক্মিণেয়স্য পৃচ্ছতো। ভরতর্ষভ।৫৪।
সংপ্রাপ্য দ্রব্য খাদ্য সর্বমাথ্যতবাংস্তদা। তথা তু পি কৌরেয় ব্রাহ্মণান্ সত্তং প্রভো।৫৫।
পূজয়স্ব মহাভাগান্ বাগ্ভির্দানৈশ্চ নিত্যদা।
এব ব্যুষ্টিং প্রপ্তো ব্রাহ্মণস্য প্রসাদজাম্। যচ্চ মাং ত্বং ভীষ্মোহয়ং তৎসত্যং ভরতবর্ষ।৫৬।

ইতি মহাভারতে শতসহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসন পর্বণি দানধর্মে বর্ণন দুর্বাসাত্তক্ষোনাম একোণষষ্ট্যধিক শততমোহধ্যায়ঃ ॥ X । X ॥

র ঘ্যা িদং প্রদ্যুম্ন। ব্রাহ্মণহুন চাই ইহস্থা ঐগী মহ্লবা োইচোংং অদো হায়দগী হেল্লা কজ্জন ভর্ংত শ ঙ। নরা চেংন লেবা ভাক্ত ওইনা উথি। মাচ হেক উবদা ঐ পুমস্তক ভকথি ব্রাহ্মণবু ঐন পুক্নী া ভ কপ সাবনন থুকমর্জা।৫৩। ভরত শাইগেগী লৈত্তেং ওইব, নিংথৌ যুধিষ্ঠির। য়ায়ী শ ঐন প্রথায়ং ভ চন সবনি। হুা শা াইন তৌবা ভব পুমমক সন্তু, ঐনা মাঙোল্লা কীথি ৫৪ প্রভু ক্ষান্দান। নহ কন্থ লী থিজববা থুমবা য়াহৈ খোনফম য়াভাঙগা সোয়ননা, অশাউবা ওন্ডা ত পুর ক োকনা ব্রাহ্মণশ্রী নবা পুজ ত ভৌহুনা লৈবীয়ু ৫৫। ভরত শাইগেগী অথোইবা। ব্রাহ্মণগী কৃপাদা এগী শাক নর অসে ফ জ্বংনা কৌরবাসনি। অঙুনা, ঐগী মরমদা ভীষ্মদেবসিনা চাযথাশি শদো অচুম্বক্ত নি। পূমাকৃৎব্র বনা ম শং মুক্ষ্গী নইহেমক্তনি ৫৬।
মফম অাসনা শ্রী ২ ভরতব প্রাশ লাশ চানা বা সনা নবা ম ইতঁনা অনুশ সন পবদা দান ধর্মগী মতদা দুর্বাসোপক্ষা কৌব চাখযাথ্থৈমাপশজ্ঞবা অধ্যায় লোইরে। X ॥ X ॥

—০—

মণিপুরী মহাভারত

ষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(কৃষ্ণনা ভগবান্ শদাশিবগী শঙ্করগী মহাত্ম্য তীবা)

চামশুম্ফ্রুবা অধ্যায়

—০—

যুধিষ্ঠির উবাচ

দুর্বাসসঃ প্রসাদাৎ তে যৎ তদা মধুসূদন। অবাপ্তমিহ বিজ্ঞানং তন্মে ব্যাখ্যাতুমর্হসি ॥১॥
মহাভাগ্যং চ যৎ তস্য নামানি চ মহাত্মনঃ। তৎ সর্বং তত্ত্বতো জ্ঞাতুমিচ্ছামি সর্বং নিখিলেনাংবর ॥২॥

বাসুদেব উবাচ

হন্ত তে কীর্তয়িষ্যামি নমস্কৃত্য কপর্দিনে। যদবাপ্তং ময়া রাজন্ শ্রেয়োযচ্চাভিজিতংযশঃ ॥৩॥
প্রয়তঃ প্রাতরুত্থায় যদধীয়ে বিশাম্পতে। প্রাঞ্জলিঃ শতরুদ্রীয়ং তন্মে নিগদতঃ শৃণু ॥৪॥
প্রজাপতিস্তৎ সসৃজে তপসোঽন্তে মহাতপাঃ। শঙ্করস্ত্বসৃজৎ তাত প্রজাঃ স্থাবরজঙ্গমাঃ ॥৫॥
নাস্তি কিঞ্চিৎ পরংভূতং মহাদেবাৎ বিশাম্পতে। ইহ ত্রিষ্বপি লোকেষু ভূতানাং প্রভবো হি সঃ ॥৬॥

যুধিষ্ঠিরনা হংজিঃ— মধুসূদন! দুর্বাসাগী কৃপাদগী ইহলোক অসিদা ফংখিবা বিজ্ঞান অমাদি শক্তিশিং অদুগী মরমদা ঙগাইনা অমুক্তা তাহনবিখা। ১। বুদ্ধিমান্ জ্ঞানী পূমনগী অখোইবা! শ্রীজনার্দন! মহাত্ম্য অদুগী হায়রুব্রবা সৌভাগ্য অমদি নামশিং অদু ঐ লায়না খঙজনাবিজ। শন্দোক্ক অমত হায়বিয়ু। ২॥ শ্রীবাসুদেবনা হায়:— নিংথৌ জটাধারী ওইবা ভগবান্ শঙ্করবু খুরমজদুনা ঐ, হুরাউ-হুমাউনা, ঐনা কন্নি করম্বা অথোইবা, মীনা কংভমদবা মঙ্গল ওইবা পোশক অমদি শক্তিবু ফংখিবা, অদুগা মীথোই মীহেনবা মিচংকী থবক থবক তৌখিবা অদুগী মরমদা তায়গে। ৩॥ প্রজাশংগী মপু! ঐ নুমিৎ খুদিংগী প্রাতঃকাল (অয়ুক) দা হৌগত্তুনা পূর্ণাং অমদি ইন্দ্রিয়শিংবু খুদুম চন্দুনা খুৎ লোমহনা শতরুদ্রিথবু পাঠ তৌই। মাদু হায়গে তাবিয়ু। ৪॥ নিংথৌ! মহাতপস্বী প্রজাপতিনা তপস্যা তৌরবতুংদা, শতরুদ্রিয়ঃবু রচনা তৌখি। তদুগা শঙ্করগীনা অচচক জীব পুম্বগী সৃষ্টি তৌখি ॥৫॥ প্রজা পুমনক্কী মপু! লোক অহুমসিদা ভগবান্ সদাশিব শঙ্করদগী হেনবা দেবতা অমত লৈতে। মরমদি জীব পুমনক্কা পোকখিবা ওইখিবা, অসিগী মরু ওইবা নিমিত্ত কারণদি ভগবান্ শঙ্করনা ওই ॥৬॥

ন চৈবোৎসহতে স্থাতুং কশ্চিদগ্রে মহাত্মনঃ। নহি ভূতং সমং তেন ত্রিষু লোকেষু বিদ্যতে ।৭॥

সঙ্গ্রামেঽপি হি স গ্রামে তস্য ক্রুদ্ধস্য শত্রবঃ। বিসংজ্ঞা হতভূয়িষ্ঠা বেপন্তে চ পতন্তি চ ।৮।

ঘোরং চ নিনদং তস্য পর্জন্যনিনদোপমম্। শ্রুত্বা বিশীর্য্যেদ্ধৃদয়ং দেবানামপি সংযুগে ।৯॥

যাংশ্চ ঘোরেণ রূপেণ পশ্যেৎ ক্রুদ্ধঃ পিনাকধৃক্। ন সুরা নাসুরা লোকেন গন্ধর্ব্বা ন পন্নগাঃ ।১০।

কুপিতে সুখমেধন্তে তস্মিন্নপি গুহাগতাঃ প্রজাপতেশ্চ দক্ষস্য যজতো বিততে ক্রতৌ ।১১।

বিব্যাধ কুপিতো যজ্ঞং নির্ভয়স্তু ভবস্তদা। ধনুষা বাণমুৎসৃজ্য সঘোষং বিননাদ চ ।১২।

তে ন শর্ম্ম কুতঃ শান্তিং বিষাদং লেভিরে সুরাঃ। বিদ্ধে চ সহসা যজ্ঞে কুপিতে মহেশ্বরে ।১৩।

তেন জ্যাতলঘোষেণ সর্ব্বে লোকাঃ সমাকুলাঃ বভূবুরবশাঃ পার্থ বিষেদুশ্চ সুরাসুরাঃ ।১৪॥

আপশ্চুক্ষুভিরে চৈব চকম্পে চ বসুন্ধরা।

মতম্বা শ্রীশঙ্করগী মাঙদা লেপ্পুনা মাগা শীংনপদবা কনা অমত্ত লৈতে। জীব পানবা পুম্নমক্কী কনা গুম্বা করিগুম্বা অমতন মগা মায়না থাক তৌবা ঙম্মোই। মাগী মাঙদা লেপকদবা জীব পানবা কনাগুম্বা করিগুম্বা অমত লৈরোই ৭। লানফমদা মহাক্না চপ লেপ্পুনা লৈবতদ মহাক্কী হকচাং গন্ধ (মনম) যং-বতদা কনাগী লাই চিংদাবা য়ক্কবা পুম্বা থক থক নিক্কুনা বাম্বতুনা লৈমাংমক্তা তুই ।৮। লালকমদা ঙং-ঙকপা লাপবকপা মাগী সিংহনাদ লৌ নেমত বদা লাইহিংচাবা পুম্নমক্কী নিংদোল পীং পীং চোংঙি। মুংশা-খিত্তুনা য় নৈঃ ১৯ পিনাক থাবী পিনাক কৌবা লৈক্লা য়মা) করুনা শাউরকপা মতমদা অশাউবা মাগী মশক উবতদা লাইহিংচাবা নাগগী পাম্মায়া মচেং মচেং কায। ভগবান্ শ্রীশঙ্করম শাউরকপা মতমদা মসারবদা হেক লৈরিব দেবতাশিং অসুরশিং গন্ধর্ব্বশিং নাগশিং (লিলশিং) চেঙ্গোক্লখিত্তুনা গিরিগুহা মনুংদ থুপচিন্দুনা লোৎনরবা থাগদবা লৈহনবিব মফম অক্তদসু চনৈং তানা লৈবা লোৎপা ঙমদে ।১০॥ প্রজা-পতি দক্ষনা যজ্ঞ ঙাবা হোম তৌবা হেক হৌবক্তদা শাউরবা ভগবান্ শঙ্করনা, আকিবা নীংঙাইবা লৈতনা যজ্ঞ মাঙপতুদা চেন শিল্লক্কুনা লৌব।। তম মক্ত কা শিল্লক্কুনা যজ্ঞগী মৈ মুথংতুনা থুগাইহনা তেল মনম মনম কাতশিল্লক্কুনা সিংহনাদ শাউরকই ১১-১২। লোমাউ অত্থু তাবদা যজ্ঞ অকনা তিন্নিবা দেবতাশিং ঋষিশিং অত বাম্থাং লৈবদে লম চেনগুম চেনগানখি। লাখাকম থঙখিদে। যজ্ঞ অতুগী মৈনো-বেদী পুম্বা তেম্বুনা ছাক্লকায় শানা থুগ ইং। তৌকন থঙদ্রবা ঋষি দেবতাশিং অত্থ, হায়নীংঙায় লৈতনা অরাবা অকিবদা লুপতুনা মমীং মনা চেৎ চেৎ লনগত্তুনা লৈখি ।১৩। পার্থ! রুদ্রগী লীরি থিংবা লীরি-খীংবীশিংনা থঙ থঙ লাউনা কাপখোকপগী মখোল্লা তিন্নিবা মী পুম্বনা নিংদোল চেংগুম চেংগায়হনা হুই-য়েংঙক চাতনা চাহুনা জ্ঞান তদনা তুমন তুমন লৈখি॥ ৪॥ সমুদ্রগী ঈশিংশিংদু ঈথক ইপোম কানা মখোল হৌনা ঈথক অমগা অমগা ফুজিন্নখি লৈবাক সি থক থক নিংকখি। কল্লবা ভূমিকম্প তৌখি। চীংমান পুম্বা নোংথাইখি, মহী শোদোকখি।

ব্যত্রসন্ গিরয়শ্চাপি দ্যৌঃ পপাল চ সর্বশঃ ।১৫॥

অন্ধেন তমসা লোকাঃ প্রাবৃতা ন চকাশিরে প্রণষ্টা জ্যোতিষাং ভাশ্চ সহ সূর্যেণ ভারত ॥১৬॥
ভয়ং ভীতাস্ততঃ শান্তিং চক্রুঃ স্বস্ত্যয়না ন চ ঋষয় সর্বভূতানাং মঘবন্শ্চ হিতৈষিণঃ ॥১৭॥
ততঃ সোঽভ্যদ্রবৎ দেবান্ রুদ্রো রৌদ্রপরাক্রমঃ। ভগস্য নয়নে ক্রুদ্ধঃ প্রহারেণ ব্যশাতয়ৎ ।১৮
পূষণং চাভিদুদ্রাব পাদেন চ রুষান্বিতঃ। পুরোডাশং ভক্ষয়তো দশনান্ বৈ ব্যশাতয়ৎ ।১৯।
ততঃ প্রণেমুর্দেবাস্তে বেপমানাঃ স্ম শঙ্করম। পুনশ্চ সংদধে রুদ্রো দীপ্তং সুনিশিতং শরম ২০।
রুদ্রস্য বিক্রমং দৃষ্ট্বা ভীতা দেবাঃ সহর্ষিভিঃ ততঃ প্রসাদয়ামাসুঃ শর্বং তে বিবুধোত্তমাঃ ২১
জেপুশ্চ শতরুদ্রীয়ং দেবা কৃত্বাঞ্জলিং তদা। সংস্তূয়মানস্ত্রিদশৈঃ প্রসসাদ মহেশ্বরঃ।২২।

রুদ্রস্য ভাগং যজ্ঞে চ বিশিষ্টং তে ত্বকল্পয়ন্।
ভয়েন ত্রিদশা রাজন্ শরণং চ প্রপেদিরে।২৩॥

আকাশ গ্রহ তরা পুম্নমচেং মচেং কানা নীথাইরকপজম তৌখি ১৫॥ অমম্না পুমকপ কপ খিবহুদা কুমিংনচিংবগী মঙাল করি এত চঙখিরে। ভরতর মদ পোকপা নিংথৌ। কুমিং পা গোকনচিংবগী মশেক মঙাল পুম্মুং মুংখি। ১৬॥ অমম্বা পানবা পামবী অহংগা মশা মশাগী মঙগল পাইনবা ঋষিশিংনা অফিং অকাই থইনা বেদগান স্তুতি স্বাস্তি বাচন তৌখি। ১৭। অদুদগী অকিবগী মখক ফংলবা রুদ্র অসি ব্রাহ্মণশিং মহুত্তমা ফুমিনখি অশাউবা মাত্তম থাত্তনা ভগদেবগী মহক কোখোংনা মনা কোকথি মমীৎ তাংহনখি ॥১৮। মখোক পাউরবা রুদ্রনা খোঙনা পুষা দেবতাগী মতুংদা প্রপ্রাপ তাল্লখি। যজ্ঞগী পুরোডাশ চাগদবগী লৈরিবা পুষ দেবতাশিংদা মথা লেক য়াথা শিংহু লেইনা থুগোক্তনা লংসোনখি ॥১৯॥ দেবতাশিং অহু তনিক তনিকনা মখুং লোম্ন লোম্নহুন শঙ্করজীদা মকোক লোন্না খুরুমখি। মতম অহুদা শাউরবা রুদ্রসিনা লৌরবা তেজ অমা তেঙ্গ চোং হুনা চপ লেপখি ॥২০॥ রুদ্রদেবগী পা ক্রম শক্তিহু উবদা ঋষিশিংগা লোইননা দেবতা পুম্নমক অহু মক পক নীক্রুখি। অদুদগী দেবতাশিং অদুনা ভগবান্ সদাসিববু হায়জবা স্তুতিগাননচিংবনা পেলহনখি। রুদ্রগী অশাউবহু শহেনখি।২১ দেবতাশিংনা মখুং লোম্ন-লোম্নন শতরুদ্রীয় পাঠ অহুগ জপ তৌখ, দেবতাশিংনা শতরুদ্রীয় পাঠ তোহনা স্তুতি তৌবকপ-অহুদা ভগবান্ রুদ্রদেবসি ঈপেল পেরখি। অশাউবা পুনা হস্থখি ॥২২॥ নিংথৌ! দেবতাশিংদো কিব। থক থক নীকতুনা ভগবান্ রুদ্রদেবগী মফমদা চঙক্তনা শরনাগত ভক্তি তৌনখিদো। মথোম্নন রুদ্রদেবগী দমক্কা তাঙানবা থুংইগা মাম্নদনা মওংদা যজ্ঞগী ভাগ তমখি লেমশাখি। যজ্ঞগী অবশিষ্ট ভাগ অমা রুদ্রগী দমক্কা থাকখি। থাকলিবা শরুক অহু থুংইদগী বিশিষ্টান। থোইদোক হেন্দোক্পনি। রুদ্রনত্তনা কনাগুম্বা অমত্তগী মাহু ক বগী লৌবগী অধিকার লৈতে ॥২৩॥

তেন চৈবাগ্নি তুল্যেন স যজ্ঞঃ সাধিতোহভবৎ যৎ যচ্চাপহৃতং তত্র তত্তদৈবাব জীবয়ৎ ॥২৪॥
অসুরাণাং পুরাণ্যাসং স্ত্রীণি, বীর্য্যবত্তা দিবি আয়সং রাজতং চৈব সৌবর্ণমপি চাপরম্ ॥২৫॥
নাশকং তানি মঘবা ভেত্তুং সর্ব্বায়ুধৈরপি। অথ সর্বেহমরা রুদ্রং জগ্মুঃ শরণমর্দিতাঃ। ২৬॥
ততঃ উচু মহাত্মানো দেবাঃ সর্বে সমাগতাঃ। রুদ্র রৌদ্রা ভবিষ্যন্তি পশবঃ সর্ব্বকর্মসু ।২৭॥
জহি দৈত্যান্ সহপুরৈ লোকাংস্ত্রাহি মানদ। স তথোক্তস্তথেত্যুক্ত্বা কৃত্বাবিষ্ণুং শরোত্তমম্ ।২৮।
শল্যং অগ্নিং তথা তস্য পুঙ্খং বৈবস্বতং যমম্। বেদান্ কৃত্বা ধনুঃ সর্বা জ্যাং চ সাবিত্রিমুত্তমান্ ।২৯॥
ব্রহ্মাণং সারথিং কৃত্বা বিনিযুজ্য চ সর্বশঃ। ত্রিপর্ব্বণা ত্রিশল্যেন তেন তানি বিভেদ সঃ ॥৩০॥
শরেণাদিত্যবর্ণেন কালাগ্নি সমতেজসা

ভগবান শঙ্করনা প্রসঙ্গ ওইরবা পেনবিপ্রবহুদগী তুদা দক্ষগী যজ্ঞহু হাম্বগুম্মা নীংথিনা চথহুনা লোইশিনখি মাংদা মাঙ তাকথিব। শিবনাবা পুন্নমক থাকথিবহু হাম্নগুম্মা ঈনৌ নোনা শেমগৎখি। শিগ্রবা পূণা ক্লিংনক্তুনা হৌগৎনখি ॥২৪। নমাইদা কম্নবা অসুর দৈত্যশিংগী পুর অহুম্ (বিমান) অহুম অসি নোংমদোল্ল খোয়গংই পাইহুম্মা ত্রিপুর হায়না খঙনহুনা লৈরম্বনি। মাহুদা তোংহুনা কোয়চং চংপা অসুরাশিং অসি কনা অমতনা লাক্ক কানা চংদহুনা লৈরম্বনি। বিমান (নগর) অমনা য়োত্তনা শম্নহৈ হৈনা শাগনি। অমনা চাংদী (লুপা) তনা শাবনি। অহুগা অমনা সনাতনা শাব বিমাননি। মথোয়সি ত্রিপুর (পুরাত্মলঃ বিমান অহুম) হায়না কাওহুনা লৈবনি। ইন্দ্রনা বজ্রমক্তা থুগাইগদবগী হোৎনব্রবনি। অহুবু হায়রিবা ত্রিপুর অসিদা করিমত শোকখত্ত দাংদবা ঙাখদে। মতম অহুদা অসুরশিংগী মথুক্তা অন্না ফংলবা দেবতাশিংনা রুদ্রগী দেবতাশিংনা রুদ্রদেবদ চত্তর্দ্দ ২৬। রুদ্রদেবগী নাক্ত চত্তজহুনা দেবতাশিংনা অসুম্না লৈশি লৈ লন্দুনা হায়খিখঃ— হে ভগবন! রুদ্রদেব! শা-ঙাক্পা পাঙথক ওইরবা পশুগুম্নবা অসুরশিং অসিন ঐখোয়মা অসি ফনা উপদ্রব তৌরি। হযে তুং ফাওবা মথায়সিনা অয়াবা থুদোং-থীবত ঐখোয়দা নীংদা লৈগদৌরে অহুনা চত্তজরবা পুম্বগী আশা থুংহনবা। অসুরশিং অসিব মথোয়গী পুর অহুম (প্রসর)দাগা লায়নন লাঙকনবিহুনা লোক পুম্নকী মঙ্গল ওইনবা অহুক্ত শীনবীম্ম হায়না ঐখোয়না পাংথনা তৌরবি ।২৭। দেবতাশিংনা অসুম্না হায়জররকপসি তাবদা ভগবান শিব শঙ্করনা কৈ, অহুমক তৌগে অসুম হায়হুনা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুবু থোরবা তেল, অগ্নিদেববু থোরবাঙেল হুগী তেঙ্গিল, বৈবস্বত যমদেববু তেলগী তেনা, বেদ পুম্ববু পুম্লপা উইরবা লীরুং, গায়ত্রী দেবীবু লীরী, অহুগাব্রহ্মাবু সারথি, ওইহন্দুনা পুম্নমকপু মাগী মাগী মথৌশিংহু চপ চানা পুহন্দুনা মচীল অহুম লোঙবা তেলশিংতনা ত্রিপুরহু থুগাইহুনা থাদখি ।২৮ ৩০॥ ভরত শাগৈদা পোকপা নিংথৌ! রুদ্রনা তেঙ্গা থোংলিবা তেল অহু সুমিংকী তেজগুম্না পুমলং লংডি। প্রলয়গী মতমদা চাকপা মৈগীমতৌগুম্না মায়গৈ মরি দা হাইদোরকপা মৈশং অহুনা লৈরিবা ফমলিবশিং অহুবু চাকথেকদবগী মওংদা পুম্নং-লংবা ফ, ক, কামহুনা লৈখি।

তেহস্থরাঃ স পুরাঞ্চত্র দগ্ধাস্তম্ভ্রেণ ভারত ৩১॥

তং চৈবাঙ্ক গতং দৃষ্ট্বা বালং পঞ্চশিখং পুনঃ। উমা জিজ্ঞাসমানা বৈ কেহয়মিত্যব্রবীৎ তদা ॥৩২॥

অসূয়তশ্চ শক্রস্য বজ্রেণ প্রহরিষ্যতঃ। স বজ্রং স্তম্ভয়ামাস তং বাহুং পরিঘোপম্ ॥৩৩

ন সম্বুবু ধিয়ে চৈব দেবাস্তং ভুবনেশ্বরম স প্রজাপতয়ঃ তস্মিন্ মুমুহুরীশ্বরে ॥৩৪।

ততো ধ্যাত্বা চ ভগবান্ ব্রহ্মা তমমিতৌজসম। অয়ং শ্রেষ্ঠ ইতি জ্ঞাত্বা ববন্দে তমুমাপতিম্ ॥৩৫॥

ততঃ প্রসাদয়ামাসুরুমাং রুদ্রং চ তেহসুরাঃ। বভূব স তদা বাহুর্বলহন্তা যথা পুরা ।৩৬।

স চাপি ব্রাহ্মণো ভূত্বা দুর্বাসা নাম বীর্য্যবান্। দ্বারবত্যাং মম গৃহে চিরং কালমুপাবসৎ ৩৭।।

বিপ্র কারান্ প্রযুঙ্ক্তে স্ম সততমম বেশ্মনি তানুদারতয়া চাহং চক্ষমে চাপ্যতুঃ মহান্ ॥৩৮॥

স বৈরুদ্রঃ স চ শিবঃ সোঽগ্নিঃ সর্বঃ স সর্বজিৎ।

স চৈবেন্দ্রশ্চ বায়ুশ্চ সোহশ্বিনো স চবিদ্যুতঃ ।।৩৯।

কাপথোকখিবা মৈশা কল্লবা তেল অহুনা পুর অকুমদা লৈরিবা অসুরশিং অহুবু মখোয়গী পুরঅহুম হুপা লোয়ননা মীকুপ্তা উৎ ওইনা মাঙহনখি। ৩১। অসুয়া অসুরশিং অহুবু চাকথেকহল্লবা তুংদা শিখা মঙা থাকপা নিপা মচা অমগী মশক লৌহুনা চোংপোরকই। নিপা মচাহুবু উমা দেবীনা মতম্মাক্তা কম-হল্লগা দেবতাশিংদা "কনানো মাসে ? মশক শঙ্করা ?" হায়না হংলকই ।৩২। মাহু উবদা ইন্দ্র অসি ওহ্মো-কনা লুংঙাইখিদে মপুক্লীংদা কল্লকপা শাস্তিনিংবা অমা অমা পোকখি মহাক্রা বজ্রনা শাহুনা অঙাং অহুবু হাৎলসিরা হায়বা ফাওবা থনখি হাৎনীংলম্মি। অশুম্ম খল্লকপা মতম তুমক্তদা ইন্দ্রগী য়োচ্ছ্রকমুক চাউরবা নোয়রবা পাম্বোম শহু বজ্রগা লোয়ননা পঙথখি। লেঙ ওৎপা য়াখিদে ।।৩৩।। দেবতাশিংনা প্রজাপতি ফাওবনা অঙাংগী মশক লৌরিবা ভুবনেশ্বর মহাদেববু মশক শঙখিদে। এখোয় অহু মহেশ্বরনা তৌরিবা শিবয় অহুদা ভাব ঈতা তাদনা শুম্মৎতুনা লৈখি ॥৩৪॥ মতম অহুদা ব্রহ্মানা ধ্যান তৌহুনা য়েংবদা অঙাং অহু উমাবাস্ত ভুবনেশ্বরান হায়না খঙখি। ব্রহ্মানা দেব দেব মহাদেব হায়ববু মাতানি হায়না ব্রহ্মামক্তা স্তুতখান তৌখি, খুরমখি ॥৩৫॥ অহুগী তুংদা দেবতাশিংহুনা উমাদেবী অমদি ভগবান্ রুদ্রবু লৈনি লৈথোন্দুনা পেলহনখি। মতুং অহুদা ইন্দ্রগী শিথরম্বা লেঙওৎপা য়াদবা য়ারমদবা পাম্বোমহু হান্নগী মওংদা হল্লিনখি ॥৩৬। অতম ওইবা শক্তিমান মহাদেবনা দুর্বাসা কৌবা ব্রাহ্মণ অমগী মশক লৌহুনা দ্বারকাপুরীদা, ঐগী য়ুমদা মতম কুইনা লৈখিবনি ॥৩৭॥ মহাক্রা ব্রাহ্মণ দুর্বাসাগী মশক লৌহুনা ঐগী য়ুমদা ঐনা য়ানিংদবা থবক কয়া তৌখি। য়েংহুনা খাঙহুনা লৈবা ওমদবা থবক কয়াহু মহাক্রা তৌখি। অহুবু ঐনা থঙনা থঙনা, মহাক্রা তৌখিবা পুম্নমক্তা য়ারোবা তৌখিদে। ঐনা পুকচেলচাউবা উত্তুনা মাগী মরাল পুম্বা ওাকপিখি ॥৩৮॥ রুদ্র হায়বহু মহাকসিনি। শিব হায়বহু মহাকসিনি, ইন্দ্র, অগ্নি, বায়ু হায়বহু মহাকসিনি। অশ্বিনীকুমার, বিদ্যুৎ নোংথাং হায়বা অহুহু মহাকসিনি ' ৩৯॥

স চন্দ্রমাঃ স চেশানঃ স সূর্য্যো বরুণশ্চ সঃ। স কালঃ সোঽন্তকো মৃত্যুঃ স যমো রাত্র্যহানিঃ।৪০।

মাসার্দ্ধমাসা ঋতবঃ সন্ধ্যে সংবৎসরশ্চ সঃ ধাতা বিধাতা চ বিশ্বকর্মা চ সর্ববিৎ।৪১॥

নক্ষত্রাণি গ্রহাশ্চৈব দিশোঽথপ্রদিশস্তথা। বিশ্বমূর্ত্তিরমেয়াত্মা ভগবান্ পরমদ্যুতিঃ।৪২।

একধা চ দ্বিধা চৈব বহুধা চ স এব হ। শতধা সহস্রধাচৈব তথা শতসহস্রধা।৪৩॥

ঈদৃশঃ মহাদেবো ভূয়শ্চ ভগবানতঃ। ন হি শক্যা গুণা বক্তুং। বর্ষশতৈরপি।৪৪।

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যামনুশাসনপর্ব্বণি দানধর্মপর্বনি ঈশ্বরপ্রশংসানাম ষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ। X । X ॥

চন্দ্রমা, ঈশান, সূর্য্য বরুণ, কালমৃত্যু, মৃত্যু যম, দিনরাত্রি (অহিং নুমিৎ) হায়রিবসিংসি মহাক্তনা ওইবনি ।।৪০।। মাস (থা) পক্ষ (শুক্ল কৃষ্ণ পক্ষ অনী) ঋতু, সন্ধ্যা, বৎসর (চহী) হায়রিবি পুম্নসি মহাক্তনা ওইবনি। মহাক অমসি ধাতা বিধাতা বিশ্বকর্মা হায়রিবয়ুস্ন সর্বজ্ঞান লোইনা থম্বনি ।।৪১।। নক্ষত্র,গ্রহ দিশা বিদিশা (মায়েক শারং) হায়রিবিশিং শিং মহাক। মহাক অসি বিশ্বরূপানি, অপ্রমেয়াত্মা (চাংদমলোইতবা আত্মা) আসনা সম্পদনাচংবা ঐশ্বর্য্য তরক হায়রিবয়ুনা ভিন্নবা পরম তেজস্বীনি।৪২॥ মহাত্মা অমা (শক্রোশ)দা অমত্তা মা, অমত্তু ওই ভরা চানা, লিশিং লিশিংসু ওই। লখা-লখা অর্বুদবৃন্দনি। ৪৩। অসুমা মহাপ্রভাবশালা ওইবনি। পরম হায়রিবাসনভ লোইবা ভম্বনতে চহী চামা চামা, লিশিং লিশিং কাওবা মাগী গুণশু শীথাবা ঙম্মোই ।।৪৪।

মখম অসদা শ্রীমহা ভারতগী শ্লোক লিশিং চানা ব্যাসনা লেংবা স হিতগী অনুশাসনপর্বদা, দানধর্মগী মতাংদা 'ঈশ্বর প্রশংসা" কৌবা চামা হুম্ফুত্তবা অধ্যায় লোইরে॥ X ॥ X ॥

—০—

মণিপুরী মহাভারত

একষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(ভগবান্ শঙ্করগী মাহাত্ম্যগী বর্ণন)

চাম্ হুমক্ষুনাথোই অধ্যা ।

—০—

বাসুদেব উবাচ

যুধিষ্ঠির মহাবাহো মহাভাগ্যং মহাত্মনঃ । রুদ্রায় বহুরূপায় বহুনাম্নে নিবোধমে ।১।

বদন্ত্যগ্নিং মহাদেবং তথাস্থাণুং মহেশ্বরম্ । একাক্ষং ত্র্যম্বকং চৈব বিশ্বরূপং শিব তথা ।২।

দ্বে তনু তস্য দেবস্য বেদজ্ঞা ব্রাহ্মণা বিদুঃ । ঘোরমন্যা শিবামন্যা তে তনু বহুধা পুন ।৩।

উগ্রা ঘোরা তনুর্যাস্য সোঽগ্নি বিদ্যুৎ স ভাস্করঃ । শিবা সৌম্যা চ যা ধর্মস্তস্যাপোঽথ চন্দ্রমাঃ ।৪।

আত্মনোঽর্দ্ধং তু তস্যাগ্নঃ সোমোঽর্দ্ধং পুনরুচ্যতে ব্রহ্মচর্য্যং চরত্যেকা শিবা চাস্য তনুস্তথা ।৫।

যাস্য ঘোরতমা মূর্ত্তি জগৎ সংহরতে তথা । ঈশত্বান্মহত্ত্বাচ্চ মহেশ্বর ইতি স্মৃতঃ ।৬।

ভগবান্ শ্রী কৃষ্ণ বাসুদেবনা হায়ঃ— অকনবা নিংথৌ যুধিষ্ঠির । শৈলগী লোইজক অমুক হায়গদৌরিবসিদি, ভগবান্ রুদ্রদেবগী মহাত্ম্য খঙনা করগী দমক্তা ময়ি কাব ... শাস্ত্রা, আস ওইত্রিবনো থোনত্রিবনো হায়বকুগী মায়াদনি ... পুক্নী চঙনা তাবিয় ।১। বিদ্বান জ্ঞানী ওইবাশিংনা মহেশ্বর মহাদেববু অগ্নি, স্থাণু, মহেশ্বর, একাক্ষ, ত্র্যম্বক, বিশ্বরূপ, শিব অমসুং মহাদেব কৌনৈ । ... অতৈ রাম লৈত্রি ।২। বেদনা মহাক্কী রূপ অনি অনা, হায়বদি ... লৈরি ... তত্ত্ব খঙবশিংনা হায়নৈ । রূপ অমনা মহাঘোরনি ... শঙ্করগী মশক্তি অমনা অঘোর (শিব) ... মঙ্গলগী মশক্তি । হায়রিবা অনীসিসু তোঙান ... মঙ্গল (ভাল) ... লৈত্রি ।৩। মহাক্কী ঘোর রূপ-ঘোর মূর্ত্তি অদুদি মহা ভয়ঙ্করনা অকিবগী মশক্তি । অগ্নি, বিদ্যুৎ, সূর্য্যনাচিংবা লৈত্রবাশিংসি ঘোররূপকি মচুংদনি । শিব (মঙ্গল) নাম পুবা মূর্ত্তি অদুনা য়াম্না শান্ত ওইবা, মঙ্গলগী মশক্তি । মাসগী মচুংদা ধর্ম জল, চন্দ্রমা অসিনচিংবা নাম কয়া অমুক লৈত্রি ।৪। মহাক্কী হকচাং তংথাই অমনা সোম চন্দ্রমাগী মশক্তি । শিব মূর্ত্তি ব্রহ্মচর্য্যবু পালন তৌই । অদুগা ঘোর মূর্ত্তিনা জগৎপু সংহার তৌই । মহত্ব-ঈশ্বরত্ব অনীগী কারণ ওইবনা "মহেশ্বর" কৌখিবনি ।৫-৬।

যস্মিন্ সন্তি যত্তীক্ষ্ণো যদুগ্রো যৎ প্রতাপবান্। মাংস শোণিতমজ্জাদো যৎ ততো রুদ্র উচ্যতে।৭।
দেবানাং সুমহান্ যচ্চ যচ্চাস্য বিষয়ো মহান্। যচ্চ বিশ্বং মহৎ পাতি মহাদেবস্ততঃ স্মৃতঃ ৮।
ধূম্ররূপং চ যত্তস্য ধূর্জটীত্যত উচ্যতে। সমেধয়ন্তি যন্নিত্যং সর্বান বৈ সর্বকর্মভিঃ।৯।
মনুষ্যাঞ্চ শিবমন্বিচ্ছং তস্মাদেব শিবঃ স্মৃতঃ। দহত্যূর্ধ্বং স্থিতো যচ্চ প্রাণান্ নৃনাং স্থিরশ্চযৎ ।।১০।।
স্থিরলিঙ্গশ্চ যন্নিত্যং তস্মাৎ স্থাণুরিতিস্মৃতঃ। যদস্য বহুধা রূপং ভূতং ভব্যং ভবর্ত্তথা।।১১।।
স্থাবরং জঙ্গমং চৈব বহুরূপস্ততঃ স্মৃতঃ। বিশ্বেদেবা যতস্মিন বিশ্বরূপস্ততঃ স্মৃত।১২।।
সহস্রাক্ষোঽযুতাক্ষো বা সর্বতোঽক্ষিময়ো পিবা। চক্ষুঃ প্রভবেত্তেজোনাস্ত্যন্তোঽথাস্যাক্ষেবাম।১৩।
সর্বথাযৎ পশূন পাতি তৈশ্চ যৎ রমতে সহ। তেষামধিপতি র্যশ্চ তস্মাৎ পশুপতিঃস্মৃতঃ।।১৪।।
নিত্যেনব্রহ্মচর্য্যাণ লিঙ্গ মহস্য যদা স্থিতম মহযত্যস্য লোকশ্চ প্রিয়ং হ্যেতন্মহাত্মনঃ।।১৫।।

খোংখোংপবু চাকথেকপাওম্বা ঘোর মূর্ত্তি অসি য়াম্না মহী কনবা; তীক্ষ্ণ (য়াম্ থীবা) ওইবা মূর্ত্তিনি। মংঙ্গ প্রতাপ চাউবনি। প্রলয়গী মৈগী মশক ওইবা (প্রলয়াগ্নি ওইবা) মূর্ত্তিসিনা শরু থাক্ক, ঈ-নাই মরেক মহাউ লুতো, অসি পুম্বনা চাক্কী চথোম অমমমনি। অদুমক্তনা মাবু রুদ্র কৌখিবনি। রুদ্র তায়রিবসি অদুদগীনি ।।৭ দেবতাশিংগী মনুংদা মহাক্তনা মহান্ অথোইবা ওইবনি। অদুগা মহান ওইবা চাউরব বিশ্বজগৎ অসিবু মহাক্না থাকই। অদুমক্তনা "মহাদেব" কৌনখিবনি। মহাদেব কৌখিবগী মরমদি অসিনি।৮।। বাংনা পুল্লিবা জটাগী মচুদি ধুম্রবর্ণনি-মৈখুগী মচুনি অদুনা মহাকপু "ধূর্জটি" কৌনৈ। মহাক্না তৌবা থবক পুম্বা জগৎকী উপকার অমদি শিব (মঙ্গল) গী মশক ত ওই। অদুনা মহাকপু "শিব" কৌবনি। মহাক্না থ্বাইদগী অবাংবা থাকত লেপ্তদনা লৈদুনা দেহধারী প্রাণী পুম্নমকপু সংহার তৌই। অদুগা ইরেঙ লেপ্তদনা অদুমক লৈ। অদুনা মাবু "স্থাণু" (লেপ্তদবা) হায়না কৌনবনি।।১০। ভূত, ভবিষ্যৎ বর্ত্তমান কাল অদুম্মক্তা অচচ্চত্ত জীব পুম্নমকী শক্লোঙ পুই, অদুনা মাবু "বহুরূপ" হায়না কৌনৈ। লাই-হিংচাবা দেবতা পুম্নমকী রূপময়াম অসি মাগী গর্ভমুংদা লায়না লৈ হায়রবগীদমক মহাকপু বিশ্বরূপ কৌব-নি।।১১-১২।। মহাকী মিত্তগী কল্লবা তেজগী মপৈ হাইদোরকই। অদুনা মীৎমু অমনীত নত্তে। লিশিং লিশিংনি। অদুমক্তনা মহেশ্বর মহাকপু "সহস্রাক্ষ" কৌই। অদুস্মু অদুম হায়রবতনি অনন্তনি অরোইবা লৈতে। অদুনা, সহস্রাক্ষ কৌবত্ত নত্তনা অযুতাক্ষ, সর্বতোক্ষিময় হায়নসু কৌনরিবদুনা।।১৩।। পশু পক্ষী শা উচেক পুম্নমকপু মহাক্না থাক্লি শেল্লরি। অদুনা পশু পুম্নমকী অত্তাকপা অধিপতি (নিংথৌ) দি মহাক্নি। অদুনা মহাকপু পশুপতি কৌনরিবসিনি।।১৪।। ব্রাহ্মচর্য্যাবু নীংথিনা পালন তৌদুনা মুমিৎ খুদিংগী স্থির ওইরবা শিব লিঙ্গগী পূজা তৌরিবা মা মহাক অদুগী মঙনদ শিব মহাদেবনা ওপ্তোক্না পেল্লি।।১৫।।

বিগ্রহং পূজয়েৎ যোবৈ লিঙ্গং বাপি মহাত্মনঃ। লিঙ্গং পূজয়িত্বা নিত্যং মহতীং শ্রিয়মশ্নুতে।১৬॥

ঋষয়শ্চাপ্যদেবাশ্চ গন্ধর্বাপ্সরসস্তথা লিঙ্গমেবার্চয়ন্তি স্ম যৎ তদূর্ধ্বং সমাস্থিতম্ ॥১৭॥

পূজ্যমানে ততস্তস্মিন্ মোদতে চ মহেশ্বরঃ সুখং দদাতি প্রীতাত্মা ভক্তানাং ভক্তবৎসলঃ ॥১৮॥

এষ এব শ্মশানেষু দেবো বসতি নির্দহন্ যজন্তে যে জনাস্তত্র বীরস্থানানি যে বিদুঃ।১৯॥

বিষয়স্থঃ শরীরেষু স মৃত্যুঃ প্রাণিনামিহ। স চ বায়ুঃ শরীরেষু প্রাণাপান শরীরিণাম্ ॥২০॥

তস্য ঘোরাণি রূপাণি দীপ্তানি বহূনি চ। লোকে যান্যস্য পূজ্যন্তে বিপ্রা স্তানি বিদুর্বুধাঃ।২১।

নামধেয়ানি দেবেষু বহূন্যস্য যথার্থবৎ নিরুচ্যন্তে মহত্ত্বাচ্চ বিভুত্বাৎ কর্মভিস্তথা ॥২২।

বেদে চাস্য বিদুর্বিপ্রাঃ শতরুদ্রীয়মুত্তমম্। ব্যাসেনোক্তং চ যচ্চাপি উপস্থানং মহাত্মনঃ।২৩॥

প্রদাতা সর্ব লোকানাং বিশ্বং চাপ্যুচ্যতে মহৎ। জ্যেষ্ঠভূতং বদন্ত্যেনং ব্রাহ্মণা ঋষয়োঽপরে।২৪॥

প্রথমো হ্যেষ দেবানাং মুখাদগ্নি মজীজনৎ।

মহাত্মা ঈশ্বর শঙ্করগী বিগ্রহ মূর্তিতগী মতমগা শিব লিঙ্গগী পূজা সেবা তৌরবদি শিব লিঙ্গ পূজা-কাযী মহাক অদু মহাসম্পত্তি শালী (ইনাক কনাক থুনব) ওইবা মীশক অমা ওই ।১৬ ঋষি, দেবতা, গন্ধর্ব-অপসরাশিংনা উর্ধ লোকতা লৈব শিব লিঙ্গগী পূজা সবাবু তঙনা তোই তত্ব অসি খঙবা মীনা শিবলিঙ্গগী পূজাবু তঙনা তৌরগদি ভক্তশিংগী মা মহাক অদুগী মফমদা শিব মহেশ্বরনা থম্মোয় পেনবী মুংঙাইবা মথল মথল পীবি।১৭ ১৮। হায়রবা ভগবান্ শঙ্করসিন। অগ্নিগী মশক কৌহুনা অশিবা হক-চাং চাকথেক্লগা মোংকম থক অহুনা মাওন য়াত্তাহুনা লৈথোকই। অদুগুম্বা শ্মশান ঘাটতা চত্তুনা শিবগী পূজা তৌরিবা মী মহাক অমা বীর লুকব অমা ইহুনা থাথাইবা লোক (ধাম)পু কংডি।১৯। মহাক অসি না প্রাণী (মর্থবায় পানঅ) শংগী হকচাংদ মৃত্যুগী মশক লোহুনা অদুগা প্রাণ অপান বায়ু ওইহুনা দেব খুদিংদা ধুজুনা লৈ ২০। মহেশ্বরগী মৈগুম চাক্রবা লংলবা মূর্তি কয়া কয়া লৈ। মূর্তিশিং অদুগী পূজাবু তৌনার। বিদ্বান্ জ্ঞানী ওইবাশিংতনা রূপশিং অদুগী পরিচয় অমদি তত্তবু মুন্না খঙি ॥২১॥ মহাকী তৌবা ওয়া শক্তিশিং অসিবু উবদা মহর্ষিশিংনা থবক থবককুগী মতুংইন্না নামশিং অসিবু খোনথির্বানি। দেবতাশিংগী দেবলোকতসু মহেশ্বরগী প্রসিদ্ধ ওইবা নাম কয়া শক্ত শোল্লরি ॥২২॥ বেদগী শতরুদ্রীয় হায়বা মতাং আধ্যায়দা য়াওরিবা নামশিং অদু বেদ বেত্তা ওইবা ব্রাহ্মণশিংতনা খঙি। মহর্ষি বেদব্যাসনা কাওবা মহত্মা শিবকী স্তুতিপাঠ তৌনরিবনি ॥২৩। হায়রিবা শঙ্ক-রীয়দা য়াওরিবা নামশিং অদু শকলোল্লবদি পাঠকশিং অদুনা হেক মীংলিবা পাম্বা পোৎ পুম্বা কংডি। চাউরবা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসে, মহাকী অউবা মূর্তিনি। ব্রাহ্মণ মহর্ষিশিংনা খুাইদগী অহেনবা বেদগী মতাংদি অসতনি হায়নৈ ॥২৪॥ দেবতা পুরমকগী খুাইদগী হেব অসিনা মহাকী মুখ (চীন) দগী অগ্নিবু পুথোকখিবনি।

এহি বহুবিধৈঃ প্রাণান সংক্রম্যামুং সৃজত্যপি ॥২৫।
বিমুক্তি ন পুণ্যাত্মা শরণ্যং শরণাগতাম্ ।
আয়ুরারোগ্য বৈশ্বর্য্য বিত্তং কামাংশ্চ পুষ্কলান ॥২৬।
স দদাতি মনুষ্যেভ্যঃ স এবাক্ষিপতে পুনঃ ।
শক্রাদিষু চ দেবেষু তস্যৈশ্বর্য্য মিহোচ্যতে । ২৭॥
স এবব্যাপৃতো নিত্য ত্রৈলোক্যস্য শুভাশুভে ।
ঐশ্বর্য্যাচ্চৈব কামানামীশ্বরঃ পুনরুচ্যতে ॥২৮॥
মহেশ্বরশ্চ লোকানাং মহতামীশ্বরশ্চ স ।
বহুভির্বিবিধৈ রূপৈ বিশ্বং ব্যাপ্তমিদং জগৎ ।

গ্রহনা পীবা অরাণ দশা কয়া কয়াদগী জীব কয়া কয়াবু সংক্রা নাম্তোকহনখি ॥২৫॥ ম শরণ হায়বসে কয়া য়াম্না পুণ্যাত্মা ওইবগে, অদুগা মঙোন্দা চঙজরক্লবাশিংবু কয়া য়াম্না মুংশিবগে হায়বনু মঙোন্দা চঙজ রক্লবা শমতবু অৱেস্পদা থক হুলহনখিদে। অদুগা অঙকপা অমনা করিনো হায়বদা তাইবংগী আয়ু, আরোগা (নাদ য়েক্তনা লৈবা), ঐশ্বর্য্য সম্পত্তিনচিংব মহাক্না পীথিবাশিংঅদু মতম মতমগী মতুং ইন্না মতম মতম থর থরদং ভোগ তৌহল্লগা মতমগী মতুং ইন্না মহাক্না অমুক মুন্দুনা পুশ, লৌথংখি ॥২৬॥ ইন্দ্রনচিংবা দেবতাশিংনা ভোগ তৌরিবা ঐশ্বর্য্য অমদি ধনসম্পত্তিশিং অসি, মহাক্না তাক্তনি লোক অহুমদা লৈরিব জীবশিংসিনা তৌনরিবা অফকন্ত কর্ম্মশিং অদু অদুগী মতুং ইন্না অফফন্ত মহৈ পীরিবা অসিসু মহাক্নি। অদুবু মতীক চাবা পীগদবগী অহিং লুংথিন্দা ওইদুনা লৈরি। ২৭॥ কামনা থুদংবু নীংজবা অপাম্বা পুম্নমকপু পীনহৈবদগী মাদুবু পীব ওস্বদগী মহাকপু "ঈশ্বর" "মহেশ্বর" কৌনরিবসিনি। মহেশ্বর কৌবগী মরমদি মহাক্না তৌথোরকপা কর্ম্মশিং অসিঅতৈ অতৈ ঈশ্বরশিংনা দেবতাশিংনা পাক তৌবা ওমদবা তাক্তা ওইনা তৌই। অদুনা মহাকপু মহেশ্বর কৌনবিবনি ॥২৮। মহাক্না, মহাক মশা অমতদি শইরগা, মশীং লাকওমদবা তোঙাল তোঙানবা রূপ পুথোক্তুনা জগৎ ব্রাহ্মণ্ড অসিদা শীন্দুনা লৈরি।

---

* টীকাঃ— হায়রিবসিগী ভাবতিঃ—মৃত্যু কৌবা দেবতাসিনা জীবশিংবু মানা মানা তৌবা কর্ম্মশিংদুগী মতুং ইন্না অফ কত্তা ওইবা মহৈশিংদুবু চাহনবা লোইরগা, হেক লোইবদা জীবশিং অদুবু লৌশিনথিগদবগী অহিং লুংথিন্দা থাইদুনা লৈরি। মাসি ঐথোয়না থওদে। (কালাচাঁদ)

তস্যানেবস্য ষৎ বক্তুং সমুদ্রে বড়বামুখম্॥২৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতাং বৈয়াসিক্যা অনুশাসনপর্বনি দানধর্মপর্বণি মহাপুরুষ মহেশ্বর মাহাত্ম্যং নাম একষষ্ট্যাধিক শততমোধ্যায়ঃ। X ॥ X ॥

হৌজিক হৌজিকমক সমুদ্র ঈয়ায়দা মরক মরক্তা মৈ মতুম (মৈবুল) অমা হক তাট্টিখৎলক্লিবা তাল্লক্লিবসি "ভগবান্"কৌবা মাগী মমায় মায়থোং মচীন্ অমনি ।২৯।

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিং চাদবা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা অনুশাসনপর্বদা মতাংদা দানধর্মগী মতাংদা মহেশ্বরনাকসা কৌবা চামহুক্ষ্মাথোইশুবা আধ্যায় লোইরে॥ X ॥

মণিপুরী মহাভারত

দ্বিষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(ধর্মগী অস্তিত্বগী মরমদা আগমনিগমগী প্রমাণ অমদি মাহাত্ম্য, ধর্মগী ফল, সাধু অসাধুগী লক্ষণ, শিষ্টাচারগী লক্ষণ তাকপা)

চামস্থুম্ফুনীথোইশুবা অধ্যায়

—০—

বৈশম্পায়ন উবাচ

ইত্যুক্তবতি বাক্যংতু কৃষ্ণে দেবকী নন্দনে। ভীষ্মং শান্তনবং ভূয়ঃ পর্য্যপৃচ্ছ্য যুধিষ্ঠিরঃ॥১॥

নির্ণয়ে বা মহাবুদ্ধে সর্ব ধর্ম বিদাং বর। প্রত্যক্ষমাগমো বেতি কিং তয়োঃ কারণং ভবেৎ॥২॥

ভীষ্ম উবাচ

নাস্ত্যত্র সংশয়ঃ কশ্চিদিতি মে বর্ত্ততে মতিঃ। শৃণু বক্ষ্যামি তে প্রাজ্ঞ সম্যক্ত্বং যন্মাং পৃচ্ছসি॥৩॥

সংশয়ঃ সুগমস্তত্র দুর্গমস্তস্য নির্ণয়ঃ। দৃষ্টং শ্রুতমনন্তং হি যত্র সংশয়দর্শনম্॥৪॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়ঃ—মহারাজ জনমেজয়! ভগবান্‌কৃষ্ণনা অসুম হায়রগা উপদেশশিংবা তুংঅসিদা যুধিষ্ঠিরনা ভীষ্মদা মথা তানা অমুম হংখি॥১॥ ধর্মগী তত্ত্বশস্ত্রশিংগী মহুৎ মহাজ্ঞানী ঈবুধৌ! "ধর্ম" হায়বসিগী বিষয় নির্ণয় (মীমাংসা) তৌনরকপা মতমদা আগমনিগমগী মরামা লেপ্নগদ্রা নত্রগা প্রত্যক্ষ প্রমাণনা লেপ্নগদ্রা আগমদা হায়রিবশিংসিদি ঐ খায়না মীংনা উংথৌদবনা অয়াম্বা তাকনিদো। অমুগা অনুমান প্রমাণনা তর্কনা লেপ্নবনা অয়াম্বা তাকনিদো। তাইবংগী ঐখোয়দি মীংনা প্রত্যক্ষ ওইনা উজবদা পেন্নি থাজে। প্রত্যক্ষ প্রমাণদা আশ্রয় লৌপদ্রা নত্রগা অনুমান প্রমাণদরা? সিদ্ধান্তদা অনীসিগী মরুমদা করম্বনা প্রধাননো? করম্বনা হেনবগে?॥২॥ ভীষ্মনা হায়ঃ— বুদ্ধিমান ওইরবা নিংথৌ! নহাক্না হংলিবসে হংগদবমক্কি। মাসিগী ঐ মরমদা খুমখে মুম্না তাও। ঐনা ঐগী ওইনা হায়রিবা মত(বাদ)টাংনলীতায় করিমত লৈবরোই॥৩॥ ধর্মগী মরমদা চিংনবা অমদি প্রশ্ন তৌবা হংবদি য়াম্না লায়বনি। অদুগা চপ চানা পাউথুম পীবা নির্ণয় তৌরদি য়াম্না লুরনি। প্রত্যক্ষনা আগমগা করিগুম্ব থেম্না লৈতবনি। চিংনবা সন্দেহ তৌবা তারবদা অনীমক্ত চপ মান্না তৌগনবনি। প্রত্যক্ষ ওইনা উকে হায়নবনু মাদুদা সন্দেহ (চিংনবা) অমদি অচুম মরৈবনি॥৪॥

প্রত্যক্ষং কারণং দৃষ্ট্বা হৈতুকাঃ প্রাজ্ঞমানিনঃ। নাস্তীত্যেবং ব্যবস্যন্তি সত্যং সংশয়মেব চ ॥৫॥
তদযুক্তং ব্যবসন্তি বালাঃ পণ্ডিতমানিনঃ। অথ চেন্মন্যসে চৈকং কারণং কিং ভবেদিতি ॥৬॥
শক্যং দীর্ঘেণ কালেন যুক্তেনাতন্দ্রিতেন চ। প্রাণযাত্রামনেকাং চ কল্পমানেন ভারত ॥৭॥
তৎপরে নৈব নান্যেন শক্যং হ্যেতস্য দর্শনম্। হেতুনামন্তমাসাদ্য বিপুলং জ্ঞানমুত্তমম্ ॥৮॥
জ্যোতিঃ সর্বস্য লোকস্য বিপুলং প্রতিপদ্যতে।
